মণিপুরদা লিনরিবা রারিগী
মহাভারত

(বনপর্ব্ব অমস্বং বিরাতপর্ব্ব)

৪র্থ খণ্ড



কংথম :—

শ্রী অহৈবম ধনঞ্জয় সিংহ

[illegible]গোই এবং অহৈবম নৈবাই

ইশা.।

সম্পাদক :—

শ্রীনিংথৌজম হরিদাস সিংহ

উপনাম মাইমা সিংহ

কথাখাল রড

শ্রীশ্রীগোবিন্দজিউবু থুরুমজরি

মণিপুরদা লিনরিবা ম্নারীগী

মহাভারত

(বন পর্ব্ব অমসুং বিরাত পর্ব্ব)

৪র্থ খণ্ড

সম্পাদক :—

শ্রীনিংথৌজম হরিদাস সিংহ

উপমাম ম্যাইমা সিংহ

কথাবাচন রত্ন।

ফোংদোকপা : —


পৌরাণিক পরিষদ

ইম্ফাল।

মমল রুপা —·৩৫:০০

মণিপুর পৌরাণিক পরিষদ
কার্য্যালয়, ইম্ফাল।

৪শুবা খুংনম
নিং[illegible]বা ওমি পানবা ভাগ্যচন্দ্র নির্ব্বান তিথি
১৯৮৯ ইং
কপি ৬০০



পৌরা[illegible] শেমগৎপা পণ্ডিত ওঝা অনিবু নিংশিংবা
৺নুঙলেপ্পম চাওবা সিংহ (কোংবা থাইদেম লৈকাই)
৺লাইশ্রম গোকুল সিংহ (লোংমৈবুং অয়াংপল)

মণিপুর পৌরাণিক পরিষদ কার্য্যালয়
য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাই।
ইম্ফাল।

নমম— ওরিয়েন্টেল প্রিন্টিং হোম, য়াইস্কুল পুলিসলেন, ইম্ফাল।

য়াহৌদোক

ওঁ কৃষ্ণায় বাসুদেবায় হরয়ে পরমাত্মনে।
প্রণত ক্লেশনাশয় গোবিন্দায় নমো নমঃ॥
হে কৃষ্ণ করুণাসিন্ধো দীনবন্ধো জগৎপতে।
গোপেশ গোপিকাকান্ত রাধাকান্ত নমোহস্তুতে॥

মহাভারত পুরাণ অসি পরাশর মুনিগী মচা সত্যবতীগী গর্ভদা শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিনা পোক্লবা শ্রীব্যাসদেবনা চিন্দগী মথং মথং তাররুগা শ্রীগণেশদেবগী মখুত্তা ইরম পাইহনা ইবিরম্বা মহাভারতনি। অসিগুম্বা মহাভারত পুরাণ অসি কলি যুগকী প্রথম সন্ধ্যাদা জন্মেজয় সিংথোনা ব্রহ্মবধগী পাপ পুরম্বা লৈবা মতমদা বৈশম্পায়ন মুনিনা মহাভারতকী বারী অসি সিন্দুনা তাকখিবনী ব্রহ্মবধগী পাপ কোকতুনা অমৈথংদা রাজসূয়ে য়জ্ঞ তৌনা পরক্ষগা চৎলোইবা মতমদা শ্রীধাম বৈকুণ্ঠ চংখি।

বেদব্যাসনা ইবিরম্বা মহাভারত পুরাণ অসি শ্লোক লক্ষ ষষ্ঠ কা লোইশিনখি, -

মহুদি :— ত্রিংশচ্ছত সহস্রঞ্চ দেবলোকে প্রতিষ্ঠিতম্
পিত্রে পঞ্চদশ প্রোক্তং রক্ষোযক্ষ চতুর্দশ॥
একং শত সহস্রন্তু মানুষেষু প্রতিষ্ঠিতম্॥

অদুগা মহাভারত পুরাণ অসি পর্ব্ব ১৮ থোক্না খাইদোকই। মহুদি :—
১। আদি পর্ব্ব, ২ সভা পর্ব্ব ৩। বন পর্ব্ব ৪। বিরাট পর্ব্ব, ৫। উদ্যোগ পর্ব্ব, ৬। ভীষ্ম পর্ব্ব, ৭। দ্রোণ পর্ব্ব, ৮। কর্ণ পর্ব্ব, ৯। শল্য পর্ব্ব, ১০। গদা পর্ব্ব, ১১। সৌপ্তিক পর্ব্ব ১২। ঐষীক পর্ব্ব, ১৩। স্ত্রী পর্ব্ব, ১৪। শান্তি পর্ব্ব ১৫। অশ্বমেধ পর্ব্ব ১৬। আশ্রমিক পর্ব্ব, ১৭। মুষল পর্ব্ব, ১৮। স্বর্গারোহন পর্ব্বনি। অদুগা মহাভারত পুরাণ অসি সংস্করণ মথক অহুম শুই মহুদি :— দক্ষিণ ভারত, উত্তর ভারত অমসুং মালাবারীনি। মালাবারীগী মহাভারততা পুথিবা শ্লোকশিংগী চহি ২০০গী মমাংদা অনুবাদ তৌখি। দক্ষিণ ভারত অমসুং উত্তর ভারতকীদি অনুবাদ তৌখদি হৌরগা মমৈথংদা লোইশিনখি।

অসিগুম্বা মহাভারত পুরাণ অসি কালীরামগী মমাংদা পণ্ডিতশিংনা তোঙান তোঙানবা লোন্দা অনুবাদ তৌরমই। মসিদা পরাগলখাঁগী রাজত্বগী মতমদা অনুবাদ তৌই। অদুগী

[illegible] শ্রীব্রজবাসীনা অশ্বমেধ মতুংদা অমুক [illegible] মহাভারত [illegible] অনুবাদ তৌরে। [illegible] পর্ব্বতাক, স্থষ্টিবর সেন [illegible] দাসনা আদি পর্ব্ব গোপীনাথ [illegible] দ্রোণ পর্ব্ব, [illegible] সেনবা আদি পর্ব্ব [illegible] অশ্বমেধ পর্ব্ব অনুবাদ তৌরে। মরম্গী মতুংদা অমুক [illegible] বাংলা [illegible] অমসুং ইংরাজী লোন্দা অনুবাদ তৌরে। [illegible] মতুংদ অমুক রাজকৃষ্ণ [illegible] বাংলা লোন্দা গদ্য ওইনা অনুবাদ তৌখ্রী হায়ি।

মহাভারত পুরাণ [illegible] শ্লোক লক্ষ [illegible] [illegible] নারদ ঋষি [illegible] [illegible] তাখি। [illegible] পূর্ব্বকা [illegible] পিতৃলোকতা শ্লোক লক্ষ ১৫ [illegible] দেবল মুনিনা [illegible] তাখি। [illegible] [illegible] গন্ধর্ব্ব লোকতা শ্লোক লক্ষ ১৪ [illegible] মুনিনা [illegible] [illegible] যক্ষ রক্ষ [illegible] তাখি। মনুষ্যলোকতা শ্লোক লক্ষ [illegible] [illegible] বৈশম্পায়ন মুনিনা [illegible] তাকখি। [illegible] নৈমিষারণ্য [illegible] মুনি [illegible] লোমহর্ষ সূতকী [illegible] উগ্রশ্রবা [illegible] তাকখি। [illegible] তাকখদগী [illegible] হরিভক্তি [illegible] মহাভারত [illegible] প্রভাবনা [illegible] পাণ্ডোবগী [illegible] হরিভক্তি তাম্বা ওইনা মহাভারত পুরাণবু [illegible]।

মহাভারত পুরাণ অসিবু [illegible] [illegible] [illegible] ইশিন্নদবু [illegible] [illegible] [illegible] পুরাণ অসিবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুরাণগী [illegible] [illegible] [illegible] মণিপুর পৌরাণিক পরিষদন [illegible] [illegible] [illegible] (হরিদাস) [illegible] পরিষদকী [illegible] মহাভারত পুরাণ অসিবু শ্রীযুক্ত [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] একাদেমিনা [illegible] [illegible] মণিপুর [illegible] পরিষদনা [illegible] [illegible]।

[illegible] মহাভারত পুরাণ অসিবু [illegible] মণিপুর [illegible] [illegible] মণিপুর পৌরাণিক পরিষদনা [illegible]। মহাভারত পুরাণ অসি [illegible] [illegible] শ্রীকৃষ্ণগী সম্পূর্ণ [illegible] [illegible]। মহাভারত পুরাণ অসি [illegible] [illegible] মণিপুরী [illegible] [illegible] অসি [illegible] [illegible] মহাভারত [illegible]

অক্তব্যারি ভাগবাগী ভাকপীরবোই। মণিপুর পৌরাণিক পরিষদনা লাইরিক অসিসু কোংজনবগা তার মতিক চাজরুনা ঐহোন্দা খোঙ্গলংগীদি। ঐহাক অসি মতিক চাদে খঙনা খঙনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবাসি খক্তহনা খাই দৈবত খোক্তে হায়না খক্তহনা তৌজরই। শ্রীহরিগী থৌজাল্লসি খরিবেষ্টৈন খিদিং হোবগী খোপ্রাইটর শ্রীএ, ব্রজমনি শর্মা মা ঐগী তার থিথিকর্ণক সোয়না পুথিখরে। ভগবদ ভক্তিদা পরায়ণ ওইরবা মহাশয় অসিনা তার অসি পুথিহমক্তলি লাইরিক অসি কোং-দোকপা ওইখোক্লয়োই। মহাপ্ৰী মকমগা আজীবন ধনী ওইজবে। যদুদেব নন্দন, বাসুদেব শ্রীকৃষ্ণনা এ, ব্রজমনি শর্মাবু চিরঞ্জীব হরিনাম্ পোম্বুনা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ সেবা কংবা পীবিনবা ভগবত বৎসল শ্রীহরিগী চরণদা কোটি প্রার্থনা তৌজরি। ইতি

খুরুমজরিবা

শ্রীঅহৈবম ধনঞ্জয় সিংহ

সেক্রেটারি

মণিপুর পৌরাণিক পরিষদ ইম্ফাল

মণিতভা থও অসি কোংবগা সেলগী মতেং পাংখিরকপা:—

১। শ্রীঅহৈবম বসন্ত সিংহ এম, এ, মেথেমেটিক্স হৈরাংখোইথোং — মুপা ৩০০

২। শ্রীকোইজম ভুবনেশ্বর সিংহ সিংজোমম — মুপা ১০০

মাওফম তাকপা

অরিণ্যা খণ্ড

বন পর্ব্ব

বিষয় লামাই

ওঁ গণেশায় নমঃ

ওঁ নরায়ণং নমস্কৃত্য নরঞ্চৈব নরোত্তমং।
দেবীং সরস্বতী ব্যাসং ততো জয়মুদীরয়েৎ॥

মনিপুরদা লিনরীবা ব্রাহ্মীগী মহাভারত

বণ পর্ব্ব

মঙ্গুবা খণ্ডগী

অহানবা অধ্যায়

কান্নাবদা যুধিষ্ঠিরগী মফমদা নারদ লাকপগী ৱারি মতাং।

জন্মেজয় নিংথৌনা হংজরকই, মুনিদেব! ইবুধৌ অর্জ্জুননা স্বর্গদা লৈখিবদা, ইবুধৌ মরিগা ইবেম্মা দ্রৌপদীগা অৱা নুংশি কয়াবু থাংহনা কমদৌনা লৈবগে মথাগী ৱারী লিবীরো তাজরগে। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় তারা লিরক্লগে! রাজা জন্মেজয়! অর্জ্জুনবু উদবা পাউম্নু ফংদবা কুইরহনা, মন ফিকথরবা ভিচেক্ল বাগঙ্গম পাথগী মতিক মঙ্গুবু শিংথানরহনা যুধিষ্ঠির ভীম, নকুল, সহদেব, দ্রৌপদী কপ্লরে। পাণ্ডৱক অরান্নু উবদ নারদ ঋষি খুদক্কা থুংলরে ধর্ম্ম রাজাবু আশীষ তৌরগা হংজরকই ধর্ম্মরাজ রাকুনু, ননাও স্বর্গদা মঙ্গল ওইরি। নারদবু উজবা ফংবদা ধর্ম্মনা আসন থারে নারদগী পাদদা দণ্ডবৎনা খুরুমজে। মুনি আসন্দা ফম্মে ব্রহ্মসত পাণ্ডব মীয়াম পুম্নমক ঋষিবু খুরুমখৈ। নারদবু হৈনা জলগা সেবা তৌরে। ঋষিনা ধর্ম্মরাজদা হায়রকই অৱাবা চিন্তা তৌহনা লবগী মহুত্ত তীর্থ চংলগা স্নান তৌরু, অদু ওইরবদী পাপ্সু কঙ্গনি, য়েরুবস্ন জয় তৌগনি, মনাও অর্জ্জুনদি বিদ্যা পুম্নমক লনা তম্বা লোইরকাও স্বর্গদা লৈরকনিহি। পার্থাদি চংখিবদগীনা চহি মঙ্গা শুবা মতমদা বিদ্যা তম্বা লোইহনা মঙ্গল ওইরগা লাকনি। ননাগীসু মঙ্গল ওইনবা তীর্থ খুদিং স্নান তর্পণ তৌরু হায়রকই। নারদগী ওয়াহং তাবদা ধর্ম্মরাজনা হংজরকই, মুনিদেব! মীওইবনা পৃথীবু য়েংলোইননা কোইরগা স্নান তর্পণ তৌবগী ফল করি

কংবগে অমুক্ত তাকপিয়ু মনাই খংজনিংই। নারদনা হায়রকই, ধর্ম্মরাজ মহাত্মা হংঙিবা অদুম্না ৱমাংঙৈদা মবুধৌ ভীষ্মনা পুলস্ত মুনিগী মফমদা হংখি অমদা পুলস্তনা মবুধোদা তাকখী, ৱাহং অদুগা মায়ৈ হৌজিক ঐনা লঙ্কোন্দা অমুক তাক্লগে। মীওইবনা মখোংনা মথুৎনা পুক্নিংগী ৱাখল্দা অচুম্বা চংপা, থুৎম, অকবা থবক তৌবা ফত্তব থক তৌরদবা অমম্ভুং পুক্নিংনা অরানবা ৱাখল নিংঙদবা অমম্ভুং জীব থুদিং এগী অত্মাগা মান্নবনি খল্দুনা হিংসা তৌদবা তাকপিহৈবা শাস্ত্র হুদি ওইবা লঘুগুরু থংনা চংপা, মুমিৎ খুদিং অরাবা খঙ্দব নাপন তৌদবা অশাওবনা পুক্নিং মকহন্দবা ওইংনি। চিঞ্জাক সকংভোগী ওইদব হংলেবা চিঞ্জাক চাবা সত্যবাদি ওইবা ইন্দ্রিয়বু খুদুম চনবা ব্রতচংপা জীব খুদিং এগী আত্মাগা মায়ৈ নিংবা। বিদ্যা তানবা মিংচং লৈহনবা শ্রীহরিবু তংতনা নিংজবা অদু ওইরবদি মী মহাক অদু যজ্ঞ তৌরুব্রবা তীর্থ চংলুব্রবসু ৱারে খোংথাং খুদিং তীর্থ চংপা যজ্ঞ তৌবগী ফল ফংই। অদুম্ভুং লনলৈবনা যজ্ঞ তৌবা তীর্থ চংপা ঙম্মী, লাইরবদি ঙমলেই অদুবু যজ্ঞ তীর্থগী ফল ফংদব দাম্মাগী ৱাখলবু লাকাশনগী অহিংগী মতমদা ভাজন্দা পুক্নিং লেপ্লগা লাম শোপ্তরবদি যজ্ঞ দান তীর্থ স্নানগী পুণ্যমু লেপ্পা ফংই। অদুবু মীওইবনা বিষয়গী ভোগ মায়া লাকপনবা ঙমদবনিনা পাপ কোক্লবা পুণ্য তাংগী জীবনা অরানবা খুভ্রা ফংগী। অদুনা তীর্থস্নানগী মরম হায়রক্লগে।

পৃথীদা লৈরিবা তীর্থ নদানদী হ্রদ সোক্লবর কুণ্ড অসি কোটি ৭০৫০ নি মাসবু স্নান তর্পণ তৌজবদা মীওইবনা শিবলোক, ইন্দ্রলোক, ব্রহ্মলোক হায়দাবা ফংনবা মখল মখলগী মগুণ লৈবা তীর্থ তাকনি। অদুবু ঐনা খরদং শিংথানরমগে নৈমিষ্যারণ্যগী চম্পানদী স্নান তৌরগা দ্বারাবতী য়ৌজরবদি যজ্ঞ তয়ারক তৌবগী ফল ফংগী, অমদগী সাগর সঙ্গম য়ৌজরবনী যমগী দণ্ড ফংডরোই। রামেশ্বর দরশন তৌরগা কামখ্যা তীর্থ স্নান তৌরবদি অশ্বমেধ যজ্ঞগী ফল ফংগী শিরগা সিদ্ধাশ্রম, শিবলোক ফংই। কুরুক্ষেত্র য়ৌরগা স্নান তৌজরগা ক্ষেত্রগী খুদিংমু হকচাংদ তৈজরদী পাপকোক্লুনা শিরগা ইন্দ্রলোক ফংই অদুগা অমুক ব্রহ্মলোক য়ৌই। সরস্বতী স্নান তৌরগা গোকর্ণ স্নান তৌদুনা তর্পণ কচ্চরবদী বৈকুণ্ঠদা শ্রীনারায়ণগী চরণ ফংঙি। অমসুং বাচ তীর্থ বরাহ নরায়ণগী পোক্লফম স্নান তৌজরবদি মীদুগী পাপ লোইনা কোক্লুনা অণ্ডগী মতমদ হায়রবাম ফংঙি। রাম ঋষি তীর্থ পরশুরামনা ক্ষেত্রগী ঈনা পিতৃলোকবি তর্পণ কংখিবগী পিতৃলোকনা ব্রহ্মলোকতগী কুপলক্লুনা ঐখোয় শেংলে হিংসা থাদোক্লো। ব্রাহ্মণগী নিতি ঈশ্বরগী ধ্যান তপ তৌদুনা লৈক্লরো, নংনা তর্পণ কংপা মফমদি রাম ঋষি তীর্থ হায়না লৈথুসু মাসিদ স্নান তৌবা তর্পণ তংপদা ব্রহ্মলোক ফংসনু হায়খি। পরশুরামমসু পেন্দুনা মাসিদা স্নান তর্পণ তৌবদা পিতৃলোক নরক তাদম্মবসু লেপ্পা ব্রহ্মলোক ফংঙসনু হায়রম্মা পুণ্যতীর্থনী। কপিল তীর্থ গুপ্ত ঋষিগী আশ্রম সরযু কেদার তীর্থ গোদাবরী বৈতরণী নর্ম্মদা কাবেরী মার্কণ্ড সোক্লবর সোমদ্র লাইহদী যমুনা গঙ্গা অসিবু স্নান তৌজবদা অশ্বমেধ রাজসুয় যজ্ঞগী ফল ফংই। মহারাজ! লৈরিবা কাসবম শ্রীধাম বৃন্দাবন দ্বাদশ ক্রোশগী

মথুং চনবা থাহনী। পঞ্চ ক্রোশনা রাধা-কৃষ্ণগী প্রেমবিলাসগী চিন্ময় ধামনি। মাসিদা বাস ওইরগা বিষয়গী ভোগ মায়াগী তুংশিনবা প্রেমনা থুহনা চনহল্লকদি পাপশু কণ্ডত্তনি, য়েক্লবরুশু জয় তৌবা ঙামগনি। রাধাকুণ্ড-শ্যামকুণ্ড গিরিরাজ গোবর্দ্ধন বৃন্দাবনদি রাগ ভক্তি প্রেমদা আশ্রয় তৌগদবনি। * মাহুদি সত্ত্ব রজ-তমগুণগী মথা বিষয়গী লৈবনা মরলশু লৈরসনু, মী ওইরো লাই ওইরো নপোক কয়াদশু কংবা ঙম্লোই। মায়াগী ঙাংমনি। অজ, মরণ, মপোক অসি নাইদবা রাধা কৃষ্ণগী চিন্ময় ধাম গোলুক কংনবা। ভগবন্ত ভক্ত উত্তমশিংদনা তানবা ঙমগদবনি। লোভ, মোহ কাম, ক্রোধ ক্ষুধ, পিপাশা জীবগী য়েক্লবা ওসি লাম্থোকপা ঙমদবগদি ওইরোই ধর্ম্মরাজদি, রাজাবিষয়নি। নুনাওশীংশু ঙারী, মরম অহুনা পাপশু কোক্লবা য়েক্লবশু জয় তৌনবা তীর্থ চংলু। ঐনা ধর্ম্মবু হাংশিহনা তাকে লাকপনি, হৌজিক ঐ হল্লগে হায়রম্মগা ব্রহ্মলোক থোরে। অসিগুম্বা বন পর্ব্বগী ঙারী অসিবু পুক্লিং চংনা তাজবদা মীওইবগী অরোইবা মতমদা জীবনা হরিধাম ফঙনি হেঃ রাজা জন্মেজয়! মাসি সোইত্রবা বেদ বাক্যনি ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

---

২ শুবা অধ্যায়

ইন্দ্রনা লোমশমুনি থারক্লনা যুধিষ্ঠিরনা তীর্থ চৎপগী ঙারী মতাং॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় তারো জন্মেয় নিংথৌ! নবুধো যুধিষ্ঠিরনা তীর্থ চৎপগী ঙারী লিরক্লগে মতিক চাওরবা লোমশমুনি মতম অহুদা ইন্দ্রগী সভাদা লৈ। যুধিষ্ঠিরনা নারদগী পাওতাকতগী তীর্থ চৎনিংলকপহু ইন্দ্রনা উবহুনা, মুনিদা হায়রকই কাম্যবন্দা ব্রাহ্মণ মযামগা লৈরি, অর্জ্জুনা বিত্তা তম্বা লোইত্রিকাওসি মুনিনা উপায় তৌবিহুনা য়েক্লবা জয় তৌনবা তীর্থ থুদিং স্নান অমুক্তা তৌহনবিরু হায়রকই। অর্জ্জুনশু মুনিবু ভক্তি তৌরগা বাহৈ কয়ামুক্তা হায়জে, লোমশ মুনিনা করে ঐ উপায় তৌক্লগে হায়রম্মগা যোগ শক্তিনা ঙহাকি মতমদা কাম্যবন্দা লাক্লনা থুংলরে। মুনিগী তেজনা মৈগুম্না ঙাক্লি মুনিবু উবদা ধর্ম্মরাজনা মনাওশিংগা লোইন্না ভক্তি তৌরগা আসন থারে মুনি ফম্মে, ব্রহ্মসভা পুম্নক লোমশমুনিবু খুরুমজরে ধর্ম্মরাজনা

---

* তথাহি তত্রৈব ১২ শঅঙ্কে শ্লোক:—কৃষ্ণভক্তি রসভাবিতামতিঃ ক্রিয়তাং যদি কুতোঽপি লভ্যতে। তত্র লৌল্যমপি মূল্যমেকলং জন্মকোটি সুকৃতৈ ন লভ্যতে॥ ইতি॥

মুনিনা লেংবীরকপসি তাকপিগদবা করি লৈবগে, সেবা করি কচ্চোগে তাকপিয়ু হায়রে। মুনিনা অশিষ তৌরগা হায়রকই, মহারাজা ঐদি নিংবগী মতুংইনা স্বর্গ, মর্ত্ত পাতাল, শিঙ্গুংলা চংলি। লোংমা ঐনা ইন্দ্রগী সভাদা চংলুই অমুদা ঐ অঙকপা কংঙি; দেবরাজগী আসনদা ইন্দ্রগা পুম্না অর্জ্জুন ফমিন্নরম্বী কোনথংদা ধ্যান্না য়েংবদদি ভাব তারে। ইন্দ্রনা ঐঙোন্দা হায়রকই— যুধিষ্ঠিরগী মথমদা চংলগ রাযম পুংনমকস্সু তস্মু, কঙমন্নবা খুংলই করাস্সু কংদুনা লাইগী ফনবা করাস্সু পাংথোকই লাইরৈপাক্তা মঙ্গল ওইহনা লৈরি মতম থরদি লৈথিগনি। মুনিনা উপায় তৌরগা মনাওশিংগা লে ইন্না তীর্থ পুম্নমক স্নান তৌহল্লু হায়রকই, নমাওনস্সু হ মজরকপনা হিমালয়দা শিব লিংজবদা হর পার্ব্বতীনা পেনবীদুনা জগৎ জয়ঙম্ব পশুপতি অস্ত্র মন্ত্র কোম্নলা পিবিরে। মাইগৈঙাকপা লাইনস্সু পেনবিদুনা অমোঘ অস্ত্রকয়া পিবিরে ইন্দ্রপিতানা ঐবু পুথৎপদুনা বিদ্যা স্মুনা ওম্হনবিরী. দাদা মহারাজনা কর্ণবু কিবিক্লগনু দধিচিনা ইন্দ্রগী উপায় তৌবা অজিরনা সূর্য্যাগি উপায় তৌবাগুম্না নমাওগী উপায় তৌবিবা ওইনা তীর্থ খুদিং স্নান তৌবিয়ু। অদুগী পুন্যনা নমাওনা য়েক্লবা জয় তৌজগে হায়জরকই। তীর্থ মকমশিংদা চমথীরবা হিংচায়াইতম কয়া লৈ মীওইবনা চংপা ঙমনদে ধর্ম্মরাজন মরমওইরগা নমাও অহুম্না পাঙ্গলবগা ঐনস্সু ঙাকেনগনি ধর্ম্মনা - অধর্ম্মবু মাংহল্লগা য়েক্লবা জয় তৌরগা হৌরপাক যম্মনি তীর্থ চংলসী হায়রকই।

লোমশ মুনিগী ৱা ঙবদা যুধিষ্ঠির স্বংঙইদুনা অনোনব ভক্তিগী রাহৈনা হায়জরকই মুনিগী থৌজন্না মনাইগী নিংবা থুংজরে; অর্জ্জুনগী পাও ফংদবগী রাদুনা লৈরক্লবনি ইনাগী মঙ্গলগী পাও ফংজবসি মুংঙাইজরে। ননাইনা ঙকচবা রাক্ষম অমনা ঈশ্বরগী মশক দেবরাজগী আসন্দি, যম, কুবের অগ্নি বায়ু; বরুনমক্লা ফম্বা মাম্রিবনি অদুবু ইনাওনা ইগ্ন আসন্দা ফম্বী হায়বসিদা ননাইগীদমক দোষ ওইরকত্রা হায়বগী অকিবা অমা ওইরে; মুনিদি সর্ব্বজ্ঞনি অমুক্তা তাকপিখো। মুনিনা হায়বিবদা লাইগী ফনবা তৌরি হায়বদুনা ইনাওনা লাইগী ফনবা থবকপু করি পাংথোকপা ঙম্বগে অমুক্তা তাকপিখো. তীর্থ চংপগীদি সঙ্কল্প তৌদুনা লৈজরবনি উপায় লৈতবদগী লৈজরম্ববনী মুনিগী কৃপানা নিংজব থুংজরগনি। ধর্ম্মগী ৱাহায় তাবদা মুনিনা হায়রকই মনাওনা শিবগী কৃপানা অমরপুরগী কোর খাজনা চহি খুদিং ইন্দ্রদগী লৌরম্মীবা কালকেয় নিপাতকবচ রাবন তরাগি পাঙ্গল কনবা অদু হাংলগা ইন্দ্রগী য়েক্লবা কোকৃহল্লে হৌজিক লাইগী লৈপাক শান্তি লৈরে। ধর্ম্মরাজ অর্জ্জুনসি ঋষি নর নরায়ণগী কলানি ইন্দ্রগী থবাইগীস্সু মশক্তি অদুনা বাৎসল্য প্রেমগা লোইননা ইন্দ্রাসন্দা ফমম্নবনী, ৱাই ৱারুগনু। হৌজিক ইন্দ্রনে. অর্জ্জুননে অনিনা হায়বদগী ঐ লাকপনি ওস্নুবা ঐনা হায়বসি য়াদুনা ব্রহ্মসভাসি বিদায় তৌথরো। তীর্থ মকম কয়াদি খুদোং থিবা ফল মুল ফংদবাস্সু য়াওরক্লনি, দ্রৌপদীনস্সু সেবা ঙমলোই. চরা হেন্নুনা চংপদদী ব্রাহ্মণশিং ঙমরোই বিদায় পিরগা চংহনথরো হরেংসি তীর্থ যাত্রা ওইরসি।

নমাওনা চংখিবা চহি ১ থা ৬ শুরে চহি ৩ গা থা ৬ সি মখোইগা লোইনরগা তীর্থ কোইদুনা লৈরমী, অর্জ্জুনদি দেব-গন্ধর্ব্ব, কিন্নর-যক্ষ, রক্ষ, দানব পুম্নমক্কি বিদ্যা শুনা তম্বরগা লাকনি হৌজিক বিখাংম্বগী মচা চিত্রসেনদা গন্ধর্ব্ব বিদ্যা তম্বহৌরি হায়রকই। মুনিগী পাওতাক তাবদা ব্রহ্মসভানা হায়রকই, হস্তিনাদা লেংবিরগা পাবুংহন্দ বৃত্তিদান পিয়ু হায়বিয়ু, মাত্রগা পঞ্চাল লৈপাক মৌবীরগা ইকুনিংথোনা হ য়বিয়ু সোইদনা মারক্ক ন, হয়না বিদয় .ল ইনখ। ব্রাহ্মণ সভ হস্তিনাদা চংখদুনা পাণ্ডব তীর্থ চংখরে ঐথোয়গী বৃত্তিদান পিয়ু নিখী। কুরুরাজা পাণ্ডবকি পাও তাবদা ব্রাহ্মণগী বৃত্তিদান পিদুনা লৈনখে। নোংঙাক্কন্দা দ্রৌপদীনা লুক হৌদুনা ধৌম্যানে লোমশনে কাম্যবোন্দা তপ তৌদুনা লৈবা ব্রাহ্মণ খরগা সেবা তৌগদবগী পাণ্ডবনা লাংবা মতমদা ব্যাস নারদ, পর্ব্বত ধর্ম্মরাজনা তীর্থ চংকদোরিবসি থংবা সিদ্ধ ঋষি কয়ামুক্তম্থু থুংলরে। সূর্য্যগি কৃপান কৃষ্ণানা পাকাম্ন ব্যঞ্জন পুথোকখনা শ্রীকৃষ্ণদা কংলগা ধর্ম্মনা মনাওশিংগা ভক্তি সেবা ওইদুনা দ্রৌপদীনা পরিবেসন তৌরগা ব্রহ্মভোজন সেবা কংলে। নুংঙাইনা ব্রহ্মসভ অমুক ফম্বগা ব্যাসনা পাণ্ডবতা হায়রকই— তীর্থ যাত্রা ওইরবদি মতম তৌগনি শুদ্ধহন্দি ওইগনি নিয়ম ঙাক্না হৃক্কিলৈনা চংলবদি ফল প্রত্তিবচানা যাগি। পুক্লুংশেংবা ওনা চংলবদি তীর্থ চংপগী ফল লৈরোই. অমাবা ফংগনি, নখোই ৫ মক পুকচেন মানিনা লৈনগদবনি। কৃষ্ণাগা লোইননা পাণ্ডব ৪মক ব্যাসনা তাক্লিবদু য়নদুনা ব্রহ্মসভাবু খুরুমজরগা বোর নিজে। চহি ৩ গা থা ৬সি ব্রহ্মচার্য্য ধর্মদা পুকচেল তিন্নর্না তীর্থ যাত্রা ওইজগে মঙ্গল ওইব পিনবিয়ু। পাণ্ডবকি ভক্তিদা পেন্দুনা ব্রহ্মসভানা হে সতী বৈষ্ণব। লেপ্পা মঙ্গল ওইজরো বোর পিরে। সিদ্ধ ঋষি সভাগী সেবা তৌজদুনা মুমিং ছুম্নি পল্লগ হিয়াঙ্গৈগী অমাবস্যা নুমিত্তা ঋষি নয়ান্না ওসি যাত্রা ওইরো মায়া ফরে লেপ্পা মঙ্গল ওইরনি বিদায় পিরম্না হন্নখরে। * লোমশনে ধৌম্যনে ধর্ম্মরাজ মনাও অহুনবে নোংপোক পাংনা যাত্রা তৌরক্লে, মুমিং খরগী মন্নুংদা নৈমিষারণ্যবা পৌনক্লিচব ব্রহ্মসভা নয়াম যজ্ঞনা কৃষ্ণভক্তি তাল্লিবা মফম মৌরক্লগা ব্রহ্মসভাবু থুক্লম্মী। অদুদগী গোমতি তীর্থস্নান তর্পণ তৌই। গঙ্গা যমুনা তীর্থ মথং মথং স্নান তৌদুনা লাকপদা প্রয়াগ তীর্থদা যমুনাগা তিন্নবা মফম মৌরে, স্নান তর্পণ তৌরে অমুক লাকপনা অগস্ত্য মুনিগী আশ্রম মৌরকই। অগস্ত্যাদ লৈরমদে মুনিগী আশ্রমা ফজবা গুণ লৈবা মফম অদুদ তীর্থ কৌরকপগী অরাবা পোথাবা ওইনা মতম খরা লৈথিসি হায়নদুনা বাস ওইদুনা লৈরে ধর্ম্মরাজনা লোমশ মুনিগী মফমদা আশ্রমগী নয়ম হংজরকই।

---

* ব্যাখ্যা :— ধর্ম্মরাজনা তীর্থ চংপসি বথ ১৪ তাংদুনা ব্রহ্মসভাগা চংলি। হায়বসিনা ব্যাসগী মত) কাশিদাসগী মতম্থু হায়রি। জৈমিনিগী মতনা লোমশগা ধৌম্যাগা চংপ মতনি। চহি ৩ চংপ মত অসিদা মতশিং অশিদগী লৌদুনা বারীগী শৈরেং ঈশ্বালোন্দা ইজব স পাক চাওনবা মত অসিদি সূত্র ওইনা পঙ্গরগা ইজরবনি, রামায়নগী বারী কয়াম্থু ভারতা য়াওরিবসিম্থু সূত্র ওইনা পজরে অসিগী খেন্নবা কয়বু শৈরেং অমা ওইনা ইবগী অরানবা কয়াবু ঙাকপিগনি। ইতি

মুনিনা হায় অগস্ত্যনা নোংমা পিতৃলোক্তা কুম্ভাদগী কংবদা কবি পাপনলো হংবদা। পিতৃলোক্তা নহাক্তা থারা মুংহনবদগী ঐখোয়বা দগী কবানি হায়খি। পিতৃলোকলামদা থায়া পালগে হায়রম্লগা বিদর্ভ নিংথৌগী মচা মলক্ত কজরগা মুদ্রাগী মফম লোপ ওইরগা পুর্ব্বজন্মগী পতিদা লংজখিবা দোষনা কৈবোমদা মুদ্রাগী মফম ওইরহনা, মনিং লোপ মুদ্রা কৌহনা মসুম পানব, রাদনা লৈবসি লানবগে খন্দুনা লাক্লা নচানুপীসি ঐথোক্লা দান তৌরে মাগী নপোক অরেম্বদা মাঙদৌরিবসি সম্বারগা ঐগী পিতৃলোক লান্নবা থায়া পল্লুরগে হায়বদা বিদর্ভ রাজ রাণীনা অগস্ত্যবু পুজা কংলগা কন্যাদান কংলে। মুনিনা লোপামুদ্র পুবক্লগা তপস্বীনি ওইহনা মুনিগী সেবা তৌখ। যোগ শক্তিনা মুননা মুদ্রা নফম চানা লৈহনখি। কৃপা কন্তবদা মুদ্রানা হায়জে - মুনিদেব! থারা পানবিগে হায়রবদি ইপাগদা লৈবগুম্না শৈভব লৈনবগু উকু লেং ভটা পুবসি কামগী রাথল পোকত্রে কাম লৈতনা ইচা পোকপা য়াররোই থুরুনজে। মুনিনা মুদ্রাগী ভক্তিদা পেল্লহনা হায়। শিংরে নংগী নথিং লোপা তোক্লসি মুদ্রানী কৌরগে নংগী নিংবা থুংবা ঐ লল লৌগাখগে হায়রম্লগা মনিমতী কোনুংদা, দানব নিংথৌ ইল্বল কৌবা অনা পাল্লি। লৈপাক থুদংগী মানা লল কোর লৌখংলগা মাগী বাতাপি কৌবা মনাও অমগা মামহনা ব্রহ্মভোজন তৌরগা মগুণ লৈবা ব্রাহ্মণ কয়া হাংলি কনাবুম্ব খংহন্দনা। মাসি ভগবানগী শক্তি লৈবনা থান্দা উরহনা অগস্ত্যনা কোনুংদা থুংরে। মুনিরাজ উবদা ভক্তি তৌহনা আসন থায়, খোং হামহনা পুজা কংলি, ভসিদি ব্রহ্মভোজন সেবা ফজরগে লুক ফংবিরো। মুনিনা হুংজাইরে মহারাজ উহৈদা চাহনা তপ তৌবদা পাঙল য়াওত্রে, ভসিদ মেষ মাস পেম্না নংমক্লা থোংগা পিজো ঐ পল্লগে।

ইল্বল মনাওহ য়াও ওনহল্লে * মুনিগী মাংদা সেম্বগা কজনা থোই; মুনিনা মখোং নকোক্ত লোইনা চানি পুল্লপ থোংহল্লে। থোংবা লোইরহনা আসন থারে জলপাত্র থম্মে ভক্তি তৌরে মুন চাবা লোইরে, খুং খোং চিন শেদোক্তুনা আসন্দা ফংম্ম ইল্বলন পানা হৈ সেবা তৌরগা হোঃ বাতাপি হায়না ৩ লক কৌরকই। অগস্ত্যনা মহাপাপি মনাওদি ঐগী পর্ভদা তুম্মে নচিন মনাও মামহনা ব্রহ্মবধ তৌবগী দোষনা নংম্ব উং ওইরে। হায়হনা ময়ংক্তপদা ব্রহ্ম অগ্নিনা চাকথেক্তুনা ইল্বলম্ব উং ওইরে, অম্বুরগী মচা মনাই পুম্নমক্ পাতালদা চেনখি। অগস্ত্যনা মুদ্রানীগা মনিমতী কোনুংদা পাম্বুনা মুদ্রানী মুনিগী ঔরসদগী চহ ৭ গর্ভ পুরগা মচানিপা অমা পোকই। বেদ শাস্ত্র পুম্নমক গর্ভদগী হৈরকই হায়হনা মমিংনা বল্লবাহ কৌই। পিতৃলোক উদ্ধার ওইরে অগস্ত্যনা আশ্রম

* ব্যাখ্যা। ইল্বল, বাতাপি মচিন মনাওসি হিরন্যাক্ষগী থারাব শনি। অগস্ত্যন ধর্ম্মরক্ষাগী মাংহনখিবা, লোপা মুদ্রাগী বারী অসি ব্যাসগী মূলদম্ব, কালিদাসগী মতম্ব কোংদোকপমদে। জৈমিনি অমম্বুং সঞ্জয় ভারতকি মতমা কোংলোক্লগী। মরম অহুনা হায়রিবা মত অসিদা শম্নপ্না বারীগী শৈরেং অসি ইজরে। অগস্ত্যাদি বিন্ধগিরিগী হাক্তকতগী দক্ষিণ ভারতলোমদা লৈখি। ইতি

অসিগী তীর্থবু স্নান তর্পন তৌজবদা পিতৃলোক লানবস্নু ওইসনু ; য়েক্লববুস্নু জয় তৌসনু বোর পিরম্মী। লোমশনা ধর্ম্মরাজ অগস্ত্যগি মতিক মগুণদি অঙকপগী মতৌনি সমুদ্রগী ঈশিংবু থুজোক অমা লৌহ্নরা থক্লগা কংহল্লি অমস্তুং বিন্ধ্যাচলচিংবা (মুনিং-থাগি) অতিয়াগী লম্বী থিংহুনা জগত অমম্বা ওইহ্নুনা লাই মী পুম্নমক কিন্নববদা অগস্ত্যগী মতিক মগুন্না জগত অকিববু কোকহনখী বনপর্ব্ব মহাভারতকি বারীগি অমৃতগী মশক্তি শ্রদ্ধা শ্রবণ ওইজবদা মীওইবনা অন্তগী মতমদা হরধাম কংগনি লোইত্রবা বেংব্যাসগী বাক্যনি ইতি। হরিবোল হরিবোল।

---

৩ শুবা অধ্যায়

সমুদ্র কংবা বিন্ধ্যগিরিগী বারী ভগিরথনা গঙ্গা
পুথরক্পা সমুদ্রনা ঈশিং লৈথিবা
চহি ৩ পাণ্ডবনা তীর্থ চৎপগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ননা হায় — রাজা জন্মেজয় ! ধর্ম্মরাজনা হায়রকই। মুনি সমুদ্র কাংহনবা বিন্ধ্যগিরিনা জগত মমহনবা সমুদ্রনা ঈশিং অমুক লৈথিবগী বারী ননাই তাজগে অমুক্তা লিবিখো। লোমশন হায় মমাংগৈদা সুমেরুগী মচাগা, ইন্দ্রগী মচাগা পৌলহ-সম্পাতিগী হাক্তক্তা লাইফাও মনাইগী মিচং মাকপাক তানহুনা থংনবনি। অকনবা লানজাও থোকপদা সুমেরুগী মিচংনা ওস্না মতমদা হিমগিরিনা থামহুনা লান লোইশিনখি. অহুদা সুমেরুনা মবুদি ঐনা হেল্লে হায়রুবগী বিন্ধনা মুনিং থা গ্রহনা মঙোন্দা কোইখনা হায়বনী খন্দুনা চন্দ্র, সূর্য্য, গ্রহশিংদা ঐঙোন্দা কোই য়ুহারহাবদা সৃষ্টিগী নিয়ম কায়ব ওমলোই হায়হুনা গ্রহনা য়াদে, বিন্ধন যোগ শক্তিনা চাওখংলক্তুনা গ্রহগী লম্বী থিংহুনা জগৎ মম্বনী, বিন্ধবু ব্রহ্মা ইন্দ্রমক্তা খাম্বদা য়াদে। অগস্ত্য মুনিদা ব্রহ্মানা বিকসি নহাক্কি শিষ্যনি থাম্মু প্রলয় ওইব তারে হায়বদা মুনিনা বিন্ধগী মাংদা লেপ্লগা ইপাগা য়ারো শামসি নংগী অশাওবহ হম্বরো হায়বদগী, হম্বহুনা গুরু মাথং ওাক্তুনা দণ্ডবত ভক্তি তৌরগা হায়জে। গুরুদেব ! সুমেরুগী মীচংদা লাইফাও লৈরে ননাই প্রলয় অমুক্তা তৌজরগে হায়জে অহুদি ঐ মথারোমদা চংলুখিগে ঐ অয়াংলোমদা লাকত্রিমখৈ নং অহুম লৈয়ুকো। বিন্ধনা গুরুগী

য়াথংদি * ওক্লগে গুরুনা লেঙতকপগা মনাই প্রলয় তৌজগে য়াগক লেপখে, জগত রক্ষাগীদমক দক্ষিণদা লৈথিবনী। অহুনা অগস্ত্য অবাংলোম্নদা বিন্ধ্যগী মকম চংত্রি চঙথরবদি বিন্ধ্যগিরিনা প্রলয় তৌরকনি, অগস্ত্যগী মগুণনা অসিনি।

হৌজিক সমুদ্র কংহন্বগী অমুক লিবগে হায়রকই। ধর্ম্মরাজনা লিবিরে মনাই তাজরগে। লোমশনা হায় — মমাংঙৈদা ইন্দ্রনা দধিচিগী শরুনা শাবা বজ্রম হাংথি অহুগা লোইনরম্বা কাল-কেয়গণ হিংচাবাশিংহু বরুণবু নিংহুনা বোর কংলগা লাইনা পাংগললিবসি ব্রাহ্মণশিংনা যজ্ঞ তৌহুনা হোম চাবদগীনি। যজ্ঞ মু ৎলসি লাই শেংহন্নগা হাংতোক্লসি থম্রহুনা অহংদা লাক্লগা বশিষ্ঠগী আশ্রমদা লাক্লগা ব্রাহ্মণ ১০০ কাহুনা চাথোক্লগা সমুদ্রদা লোংখি, অমুক ভরদ্বাজগী আশ্রমদগী ব্রাহ্মণ কয়ামুক অহিংদা লাক্লগা কাহুনা চাথোক্লগা ঈশিংদা লোংখিহু তাবদগী যজ্ঞ মুংতুনা ব্রাহ্মণশিং কিবদগী চেয়খিহুনা গিরিগুহা লোক্তা লোত্তুনা লৈনখরে। লাই শোন্থরক্লে হিংচাবনা অহিংদা লানদারক্তুনা লাইলৈপাক চাইথাইরম্বগ নোংঙাক্লিগা সমুদ্রদা লেংতুনা লৈখি। সৃষ্টিরক্ষা ঙমদহুনা ব্রহ্মা ইন্দ্র লাইয়াম বৈকুণ্ঠ য়োরক্তুনা নারায়নদা হায়জক্লুরে অন্তর্যামি নরায়ননা হায়রকই বরুণগী বোরননী ঈশিং লৈরিংখেদি হিংচাববু ঙম্বা য়ারোই। অগস্ত্যদ হায়জক্ল সমুদ্র কংহনবা ঙমগদবদি মাদনি তাকপীরে শ্রীহরিবু থুরুমজরগা লাইয়াম অগস্ত্যদা ব্রহ্মা ইন্দ্র লাইয়াম্না হায়জররে, মুনিনা করি উপায় তৌ হায়বগে? ব্রহ্মানা সমুদ্র কংহনবিয়ু হিংচাবনা সৃষ্টি মাংহনগদৌরে হায়রে। মুনিনা য়াহুনা লাইয়ামগা সমুদ্র খোংবান য়োরক্লগা খুজোক অমা লৌরগা থকচনবদা খুদক অহুদা সমুদ্রগী ঈশিং কংহল্লী। মতৌহু উবদা জগত পুম্নমক অঙকপা ওইহুনা অগস্ত্যবু স্তুতি তৌনৈ গন্ধর্ব্ব, কিন্নর, লাই পুম্নমক্না ধন্যবাদ তৌহুনা লৈ চাইনরে। লাইন খুংলাই পাইহুনা হিংচাবা মশিং নাইদনা ককুথহুনা হাংলে হিংচাবা খরনা পতান্দা চেন্দুনা লোংনখী। হিংচাবা জয় তৌরগা মুনিদা সমুদ্র ঈশিং অমুক লৈহনবিরা হায়বদা মুনিনা বিষ্ণুগী য়াথ দগী থকচনথ্রবনিনা অমুক তুংহনবা য়ারারোই বিষ্ণুদ, পিরক্লগা সমুদ্র ঈশিং অমুক লৈগদবনি হায়খি। ব্রহ্মানা থংজহুনা ভগিরথগী হাকতক্তা নত্তনদী য়ারারোই, অহু কাওবগী মতমদি সমুদ্রসি ঈশিং কংহন্না লৈবা তারে চংলম্মি হায়হুনা লাইয়াম হন্নখি।

ধর্ম্মরাজনা সমুদ্রনা ঈশিং অমুক লৈথিবগী বারী অমুক লিবিয়ু হায়রকই। লোমশনা সূর্য্যবংশগী সোগর নিংথৌ, মহারাণী অনিনা সেবা তৌই। শৈব্যান অশমঞ্জ পোকই বৈদর্ভীনা মচা লিশিং ৬০,০০০ পোকই। অশমঞ্জনা মচা অংশুমান পোকই। অশমঞ্জদি মনাও ময়ামহু লমচৎ কত্তবা ধর্ম্ম লৈতবা মতৌ উবদগী, মচা ভার্য্যা থনম্বগা সন্ন্যাস ওইহুনা বন্দা চংখে, সোগরন অশ্বমেধ

ব্যাখ্যা। অগস্ত্য বিন্ধ্যগী বারী অসি বায়ু পুরান্দ চাংন্না লৈখে। মরম অসিনা তারজক্ল শৈরেং অসিদদি শময়গ্না ইজরে মরমসিগীদমক দোষ কয় বু তাকপিগনি। ইতি॥

যজ্ঞ তৌই, মচা ময়াম্না শগোল চাকপা বিজয় চংলি। খা সমুদ্রগী খোংমুংদা শগোল চেম্থখি মতম অদুদা ইন্দ্রনা ধর্ম্ম লৈতবা কাংবুসী মাংহল্লগে খন্দুনা, শগোলদু ফাদুনা পুরগা খা নোংপোক্কি সমুদ্র খোংমুংদা কিংচারাশিংনা ফাওদোক কাওজিন চংপগী মুক্কংগী লম্বী অমা লৈ। অদুদা শগোল খোঙ্চুল তাকল্লগা পাতাল কপিল ভগবানগী জাগাদা পুন্দুনা থনম্মে ইন্দ্র হনখি, মচিন্ মনাও ময়ামদু সমুদ্র খোংমুংদা শগোল থিরকপদা মুক্কংদা খোঙ্চুল কংলে। মখুত্তা য়োংপাক পায়নরগা পৃথ্বী তৌখাইদুনা লম্বী শেম্লগা খা পাংনা কাইথরকপনা পাতাল কপিলন ধ্যান তৌরিবা মফম য়োরকই, শগোলশু পুন্দুনা লৈরম্মী ধর্ম্ম খঙ্বা ঐখোই মঙ্গাইরে নিংবা কাংবুনিনা শগোল জুরানলগা ঐখোইবু কিরদুনা মুনি শাদুনা লৈরে রৈরসী কায়নারকপদা। মনাও অতোনবরা চেনশিনখিদুনা মুনিগী লেংবান্দা য়োংগেক্কা থিমুরে কপিল ধ্যান কাইরদুনা অশাংবা মিংয়েংনা য়েঙ্কপনা মিতোরকপগা চাকথেক্কনা উং ওইরে জিবাত্মা লিশিং হুমকুহুম্ভু উং মরক্তা পতিত তাদুনা লৈরে। মাসি নারদনা সোগরদা তাকপিখী সোগরনা মশু অংশুমান থাদুনা কপিলদা ভক্তিকপ তৌনা খুরুমজে মুনিনা পেল্লদুনা হাররকই, মখুরাশিংনা লানগদবদী গঙ্গা পুথরকলগা জলনা-শোক্লগা লানবা ওইসনু শগোল পুরগা যজ্ঞ লোইশিল্লক। অংশুমান্না শগোল পুরক্লগা পাও তম্মে। সোগর যজ্ঞ লোইশিল্লে মচানা পাংতু জ্যংনা লৈবনা যজ্ঞগী ফলশু ফংজ্রে; অংশুমান্দা নিংথৌ কাপ্লগদা গঙ্গা ফংনবা লাই নিংবদা পুংসা লাইদুনা লোক্লাখরে, অংশুমান্না দিলীপ পোকই মচাদা নিংথৌ কাপ্লগদা গঙ্গা ফংনবা লাইনিংবদা কংবা ওদনা স্বর্গতি ওইখী। দিলীপনা রাণী অনিনা সেবা তৌদুনা পাল্লকপদা মচা থারবা যদ্রিজদা সসন শিংরম্মগা গঙ্গা ফংনবা লাইনিংবদসু ফংবা ওদনা স্বর্গতি ওইরে। সুর্য্যবংশ থরা লৈত্রদুনা বানরক্রবদা ব্রহ্মানা অকাশবানি তৌরকই, রাণী অনী বরনু পতিবু স্মরণ তৌরগা ভোগ অনী শংযুগ ওইযু রাণী অমনা গর্ভ পুরগা থারা অমা পোক্নী। মচা অদুনা পিতৃলোক উদ্ধার তৌরগনি জগৎ ফাওরগদবা মচানী হায়রকই। লাইগী পাওতাক মতুংইনা ভোগ ভোগ শংযুগ ওইবদগী রাণী অমা গর্ভ পুদুনা দেবকৃপাদগী থারা অমা ফংলে। ভোগ-ভোগ শংযুগ ওইরগ পোকই হায়রবদী মমং ভগীরথ থোল্লে রাণী অনিনা মচাবু লুপারেকই, ভগীরথনা অঙ্গুরকপদা মমা উপাদ কনানো কদাইদা লৈখি হঙলকই রাণী অনিনা নিংথৌ অদি দিলীপ মহারাজানি গঙ্গা ফংনবা লাইনিংবদা ফংদনা স্বর্গতি ওইবগী মথক্কিরারী পুম্নমকসু লিদুনা তাকখী; মদুদগী ভগীরথ গুরু বশিষ্ঠদা দিক্ষা লৌদুনা বিদ্যা পুম্নমক তম্লগা রাজাসন লৌই, পাত্র মন্ত্রী গুরুবর্গশিং সসন শিংরম্মগা মমা অনিদগী বিদায় লৌরে ইমা ইবুধৌশিং লাম্নবা নচা গঙ্গা ফংনবা লাইনিংজক্কগে সোইদনা গঙ্গা পুথরক্লগা; ইবুধৌশিং লানথ্রবা তুংদা নচা ইমাগী সেবা তৌজরগে। ভগীরথ শিব নিংই মাগী ভক্তিদা পেন্দুনা শিবনা মাংদা লেপ্পীরগা নংনা অপাম্বা নিয়ু হায়বদা প্রভু গঙ্গা পিনবিনবা হায়জে, শিবনা গঙ্গাদী ঐনা পিবা ঙমদে শ্রীবিষ্ণু নিংঙু, সোইদনা ফংজৌ বোর পিরম্মগা শিব লেখি।

ভগীরথ হিমালয়গী অইংবা লংহুনা চাদ থক্তনা চহি ১০০০ অমা নিংথদা, শ্রীবিষ্ণুনা পেন্থুনা মনাইগী মাংদা ফাওবিররে ভগীরথ নংনা পাম্বহ্ হায়রে পিরগে ঐ পেমে তাকপিরকই, ভগীরথনা খুরুমজরগা গঙ্গা পিবীয়ু নিঙরে। শ্রীবিষ্ণুনা ঈশাদগী অক্রুর রথ, শংখ, থনু অস্ত্র পুখোক্তুনা মনাইবু রথদা হাপ্লগ, চংসি গঙ্গা পিরগে হায়হুনা ব্রহ্মলোক্তা পুখৎলক্তুনা রথ থাবদ ভগীরথ মনাইগী দ্বারীশিংনা থৌগল্লগা ব্রহ্মসভাদা লেংশিল্লকই। শ্রীহরিবু দরশন কংবদা ব্রহ্মানা আসন মনাইগী দ্বারীশিংনা থৌগল্লগা ব্রহ্মসভাদা লেংশিল্লকই। শ্রীহরিবু দরশন কংবদা ব্রহ্মানা আসন কৎলে খুরুমজহুনা স্তুতি তৌজে, ভগীরথসু সভা খুরুমজরগা ব্রহ্মা দণ্ডবৎ কৎলি ব্রহ্মানা আশিষ তৌরগা আসন্দা ফমহল্লে। ব্রহ্মা হরিগী চরণ শেংনবা জল লৌগে য়েংঙুবদা ভগবানগী মায়ানা ব্রহ্মলোকি জল লোইনা কংহনখি, নদী হ্রদ, সমুদ্র তরাগ। জল অমত্তা লৈত্রে, অদুদগী বিষ্ণু মায়ানা থঙহুনা চরণ শেংনবসি কমণ্ডলুগী লোঁসগে থমবদা। নারদগা মহাদেবগা রাগ রাগিনী ফাংনবাদা নারদনা হায়রা শ্রীহরি খোঁপগ্রী পেলমনখিহুনা দেহেত্রব ওইখিহুনা মূর্তি লৈত্রবদা লাই শুম্মক বানরক্লে। শিবনা রাগসু ঐ মূর্তি শাগংকে ক বহুনা মূর্তি শাগৎলবা রাগ রাগীনা অমুক শক্তুনা মূর্তি লেপ্লবদ; শ্রীমূর্তি রাংপা লৈবরা য়েংবদা ওইগী খুকউ নথক্তা কুন্তক তৌরগী। শিবনা প্রভু মনাইনা শোজবদা করম্বা শোইবা য়াওখিবলো হক্তংপদা. শ্রীনরায়ণ কারবগী মস্তে নখোই অনিম। শকপা রাগ, রাগীনীহ্ পেনখিবমা ঐ জগৎ লানবীনবা অবতার অমা তৌগে নিংখি। সনাগী আসন্দা য়েংঙু, তুংহুনা লৈরমগনী হায়রগা রত্ন আসন্দা লেংখৎলে মাহ্ ব্রহ্মা হজি কণ্ডলুদা তাশিল্লগা থম্মু মতমদি থররাংপি হায়হুনা অমৃত জলহ্ তাশিল্লগা থমখিবহ্ নিংশিংলক্তুনা। ব্রহ্মণ জনা মহিচেলহন্দুনা কমণ্ডলু পাররগা ননাই চরণ শেংজগে হায়হুনা শ্রীবিষ্ণুগী জত্তদগী কমণ্ডলুদগী জলহুনা হৈথহুনা শেংবদা, শ্রীপাদখোংগা তবাম্মোরকপদা চতুর্ভুজা গঙ্গা অবতার ওইহুনা ঈচেনগা লোইমনা চেম্বরকই। শ্রীহরিনা ভগীরথদা নং রথহ্ তোলগা মোইবুং খোংহুনা মাং থারহুনা লম্বী চিংহুনা গঙ্গা পুজখরো কৃপা পিরে, ভগীরথ বিষ্ণুবু খুরুমজরে; ব্রহ্মা তাক্ত বিদায় লৌজরগা গঙ্গাবু ঈমা লেংঙসি খুরুম্মগা হায়ত্তে। গঙ্গানা হায়রকই নহাক ইন্দ্রলোক্তা লৈরম্মো ঐ থুনা য়ৌরকুগে শ্রীহরি বৈকুণ্ঠদা লেংখরে. ভগীরথ রথ তোংলগা ইন্দ্রলোক য়ৌরক?, ব্রহ্মানা লম্বী তাক্তুনা সুরুং অমদা * হায়থরকপহ্ অমরপুরদা ত রথনী গঙ্গাদগী ইন্দ্রলোকনা নোংপোক মৈরম লোমদা হায়থরকপা গঙ্গানা কৌক্র লাইতী পাংনা চেল্লকই। ভগীরথনা থুঙলবগা গঙ্গানা য়ৌরকপগা মায়ে গঙ্গানা ভগীরথ মাং থারো ঈমা নতুং ইন্দ্রগে হ'ররকই। স্বর্গদনা গঙ্গাগী

* ব্যাখ্যা :— ব্রহ্মলোকতি (ঊর্দ্ধ) মথক্তনি গঙ্গানা চেম্বরক'। শুরুংহ্ ভগব ননা ব মন অবতারগী মতমদা বলিদা খোংকম অহম ভুমিদান নিবদা বলিনা কৎপা মতমহুদা পাদ অমনা মর্ত্তভুমী থক্তী, পাদ অমা স্বর্গ থম্না চাওখোকপা মতমদা বামন ভগবান্না। ব্রহ্মলোকি লৈশাক্তু তুংদা গঙ্গা লাকখাগী বানবা শুরুং অমা খুদোনবিনা, থিনগাইহুনা বাংলখহুনি অদুবু ব্রহ্মানা তাক্লগা গঙ্গানা শুরুংদা হ'থরক্তুনা ইন্দ্রলোক্তা তাররনি। বামন পুরাণ বাক্যম্ ইতি।

ইচেনবু অলকানন্দা কৌই। লাই পূম্নমক্না স্নান তর্পণ তৌই, ভগীরথনা মাংদা মোইবুং খোংলগা গঙ্গানা ভুং ইন্দুনা লাকপনা কিনম্বর লেংকা ভাইনবদা খা পাংনা ঈথাই অমা চেলখী অদুবু বৈতরনী কৌই। গন্ধর্ব্ব লোক হেন্দোক্লক্তুনা কৈলাশদা চেম্বরকপদা নাপোম অমনা কৈরগা গুহা অমা লৈরমদুনা গঙ্গাগী ঈচেন তাদুনা চেম্মোকপা য়াম্ত্রে, ভগীরথবু ইন্দ্রগী ঐরাবতপু লৈহল্লুরগা ময়ানা নাপোমদু থিনগাইবদা শাওনিংবনা গঙ্গাদা হায়হৈদবা ব্রা হায়রুবগী দোষনা ময়া অমা তেক্তুনা লৈহোরে। ময়া অদুমদি শংতোক্লকপা য়াখুন্দা ত্রিধারা চেম্বরকপা ইচেন কনবনা শামু চেম্বদুনা ঈরক্লুরবদা গঙ্গাবু কিরক্তুনা হায়জবদগী, গঙ্গাগী ইথিন অমনা হুনগংপির হুনা শামু ইন্দ্রলোক য়ৌথী গঙ্গনা হেঃ বাহ্না ঐগী ঈচেন্না পৃথীদা তাবদা পৃথীনা খাংবা ঙম্মোই শিবদ হায়জরু হায়রকই। ভগীরথ শিবদা হায়জখি শিবনা হিমালয়দা ভাইদুনা লৈখী স্বর্গ ী ইন্দ্রলোকতাগ হিমালয়, পৃথীগী সিননা য়োরকপা অসিবুনা মন্দাকিনী কৌই. শিবনা লোংনা হিম্নগা পৃথী কাইদনবা লেখি। গঙ্গাগী ঈচেন্না শিবগী জটদা তাই. শিবনা জটানা ফাজিন্দুনা গঙ্গা চেম্মোকপা য়াদদুনা লৈখ্রবদা ভগীরথনা ইমা কৈদোরে অদুম লৈবীরবদী হায়বদা গঙ্গানা শিবগী জটানা ফাজিন্দুনা চেম্মোকপ য়াম্ত্রে শিবদা হায়জো হায়রে, মহাদেবদা হায়জবদা শিবগী জটাশম তথংলগা গঙ্গাবু থাদোক-পীরকপদা গঙ্গা ঈথাই অদুম থোক্লা চেনখি অমনা নোংচুপ্তা সরস্বতী, অনিনা যমুনা ময়াইদা চেনখি, অহুমনা নোংপোক্তা গঙ্গাচেন্নে, মিংনা ভাগীরথী গঙ্গা কৌই। চেল্লকপচ জহ্নুমুনিগী লাই নিংফমদা থেংক্লদুনা মুনিনা শাওদুনা গঙ্গা মশামক য়াওনা লোইনা থকচিনদুনা ঈ[illegible] লৈরে লোইনা কংথরে. ভগীরথনা কপ্তুনা হায়জবদা মুনিনা চিল্লোমদা পুথোক্লবদি * লুপাচ তারনি হায়বগী থুকই মথক ফৈবোম হনগাইরগা চেম্বহনখি। মুনিগী গর্ভদা লৈরুই হায়বগী জাহ্নবী গঙ্গা কৌখি। পদ্ম মুনিনা নোংপোক্লানদা পুথংলুই হায়বদুনা পদ্মাবতী কৌখি অমুক চম্পক পনা কাশীদা নোংমা পল্লী অদুবু বরানসী ঘাট কৌই। অমুক্না নবদ্বীপ্তা নোংমা পল্লি অদুদুনা সুরধনী গঙ্গা কৌনখি, গঙ্গানা ভগীরথ ইমাবু কদোম চৎকনপে লগী চিংবীরো চৎলসী হায়বদা ভগীরথনা লম্বী চিংদুনা খা নোংপোক পাংনা লাকপনা সমুদ্র তারকতুনা সমুদ্র বংবদু ঈশিং তুংহোরে গঙ্গাবু পাতালদা পুথরকপনা, কপিলগী মকম য়োরক্তুনা গঙ্গাগী জলনা শোকপদা সোগরগী মচা ৬০০০দু পাম্বোম্বরি পালবা দেবরূপ ওইদুনা বৈকুণ্ঠদা কাখিবদু ভগীরথনা মথং মথং থিবদা অমা য়াংলে মুনিদা করিননো হঙ্জচবদা। কপিলনা হায় ভক্তরাজা নবুধো অতোনবা ঐগোন্দা য়েংথোক্লা থাবাদুনি মাদি বৈকুণ্ঠ য়ৌবা য়াররোই, সমুদ্র নিংথৌ ওইদুনা লৈরসনু

---

* অনুবাদঃ— গঙ্গাগী হোরকফম স্বর্গ, মর্ত্ত, পাতাল, অমসুং সমুদ্রনা ফংবগী বারী মরম তংরংকী মদুংদগী লবণ সমুদ্রবুনি অগস্ত মুণিনা কংহনবংস। অদুনা সাগর সঙ্গম কৌরিবসি গঙ্গানা ঈশিং অমুক তুংহনখিবগীনি মাগী হংম্না লবণগী মগুণদি অদুম ওইরংস্ল। স্নান তর্পণ তৌরগা মহাপুণ্য ফংহনবনি। মরম-শিংসি শমলপনা ইার। ইাত॥

থৌজান পিনখরে গঙ্গানন্তু প্রানবাচংদা উমাদী পাতাল পুরদা লৈকৈরগে ইচাদি মঙ্গল ওইদুনা পাঞ্জক্রবো, বিদায় পীরে। ভগীরথ মুনি, গঙ্গা পুরক্লগা মরৈপাক্তা হল্লকতুনা পালখি ভগীরথগী মিংচৎতি মরোন তরামরি শিনথুনো সা খি, লোমশনা ধর্মরাজ মহাক্তা হায়বগী লিরবনি, হৌজিক অমুক চৎলসি তীর্থ মফমদি খা ভারত লোমদনা য়াম্না লৈ হায়রকই।

ধর্মরাজা অমুক যাত্রা তৌরকপনা পূর্নগঙ্গা যৌরকই। লোমশনা শ্রীরামনা সীতা লুকোংঙগা হল্লকপদা প্রশুরামদা লৈবা শক্তি রামনা লৌতুনা পুনখি হায়বগী পূর্ন গঙ্গা কৌবনী, মাসিদা স্নান তর্পণ তৌরবদি লেপ্পা মীহু বৈকুণ্ঠ ফংই, বিন্দুবর কৌই, লোমশনা তাকতুনা পাণ্ডব স্নান তর্পণ তৌরম্মী। খা ভারতকি তীর্থ সমুদ, বৈতরনি, রামেশ্বর, কেদার, নর্মদা, গদাবরী, কাবেরী, মার্কণ্ডসরুবর, সিদ্ধবট, গঙ্গানা সমুদ্রদ শিন্দুনা ঊশিং কালম্বু লৈহনব, ঘাট অহুবু সাগর সঙ্গম কৌই। মথং মথং তীর্থ পূর্ব্বক স্নান তর্পণ তৌরকপনা চহি অহুমদা নেংপোক নরা নোংচুপ মথা, ময়াই, ভারতবর্ষগী তীর্থ স্নান লে ইরগা, ধৌম্যানে, লোমশনে পাণ্ডব মচিন মনাও মাংনে পঞ্চালিনী হল্লকতুনা কাম্যবন্দা থুংগুরে। অসিবু লিখিরিব বৈশম্পায়না মুনিনা হায় রজা জনমেজয় পাণ্ডবনা তীর্থযাত্রাগী বারী অসিবু মীওইবনা পুক্নিং চংনা তাবদা তীর্থ স্নানগী পুণ্য ফংগনি শ্রীব্যাসগী বাক্যনি ইতি। হরি হরি হরি।

অধ্যায়ঃ—

ভীমনা থগ্গান থিবা চৎপা হনুমান উনবা-ধর্ম্মরাজানা ভীমথিবা চৎপা বারী মতাং

ভারত ভারিবা জন্মেজয় নিংথৌনা হংজরকই মুনি! তীর্থ যাত্রা হল্লক্রবা তুংদা ইবুধৌমঙ্গা পুল্ল মবনা কয়ামুক রাংলিবগে, কাম্যবন্দা লৈবদনা ইবুধৌশিং কমদৌরিবগে মথা লিবীরো তাজরগে। বৈশমপায়না হায়রকই, মহারাজা কাম্যবন্দা থুংগুবা তরুকনি গুবা সুমিত্তা অবাং লোমদগী মনম সুংশিরবা থগ্গাল মনম সুংশিংনা পোরক্লুনা থুংগুরে, মনমহু পুক্নিংগুনা সুংশিবা মনম্নী। মনমহু ফংবদা ধর্মরাজনা লোমশদা হংজৈ মুনি ঙসিগী লৈমনসি পোকপদগী নমখিত্রি কদাইদা শাংপনো? মুনিদি সর্ব্বজ্ঞনি অমুক্তা তাকপীয়ু হায়রকই। লোমসনা মহারাজা ঙসি লাকইবা মনমসি

লিরিসল্ল থাবগা সনাগী থহামী কুবেরগীনি মনাই যক্ষশিং কয়াবু ভাকহল্লি। ব্রহ্মানা থাবনি আউত মকমদা লৈতে থম্বান্দু ১০৮ দং কৎলগা দেবা পূজা তৌজবদা নিজরিবা মহৈহু কাই হায়রকই। মুনিগী ৱাহু তাবদা দ্রৌপদীনা ভীমদা হায়কই ইবুংঙো য়াইমনা ঐবু চানবিরবদি থম্বান্দু ১০৮ দং হেকউরগা পীবিয়ু কৃষ্ণগী পূজা অমুক্তা কচ্ছগে। ননাইনা নিংজবসি অমুক্তা থুংহনবীয়ু মোইরনস্থ ভমগনি নিংঙৈ হায়না কপ্পুরা হায়রে। কৃষ্ণাগী মতৌ উবদা ভীম ধর্ম্মদা থমবনা হেকচকগে বিদায় পিবীয়ু হায়রে, যুধিষ্ঠিরনা চংঙুরো লাইগী লৈবাক্কি কনাগা য়েংথিনকপগু ভীম বিদায় পিরে। ভীমনা ধৌম্য, লোমশ ধর্ম্মরাজা থুকম্বগা যাত্রা তৌরে। অবাং পাংনা চেলক্লপহু বন্দ কৈরম্বা কৈ, নোংশা এক শামু গদানা কুপাইহুনা হাংলম্মী, উপাল বাপান ৈয়ংক্লম্মী। ভীমগী শব্দ তবদা শা উচেক, হিংচাবাইতম, ভূত, প্রেত কাইহুনা চেংঙৈ। রুনদা লমী লান্দুনা চেনাথবনা দ্বীপ কয়া ল্লাঙ্কক্লুনা শ্রেষ্ঠদ্বীপ য়োরে। হৈ, লৈ ফজনা শাংলি পাল্লি মৃগ মৃগী বনপশু কৈ, নোংশা শান্নরি হিংসা লৈরদে। মতৌহু উবদা ভীম মুংঙাইবগী রাখলগা লোইনা চেল্লকপদা মাদা কদলী বন অমা লৈরম্মী। লমু হৈগী ফাং সুনা পরেং চানা হৌই লফোইনস্থ মথক্তা মুন্নবা লউ কয়াস্থ য়াওবী মহু উবদা চেনল্লিনখিহুনা লমু পান্বী থুদেকতুনা চারি কদলী বক্তু মলিংতম্বা নৈথাইরকপগী শব্দহু তাবদা হনুমান্দু ঐগী কদলীবন্দা নিংতম্না চংইবা লাইবা, যক্ষবা দানবল, মীরা ইতিক খংহল্লগে হাইহুনা শাওনা থোরক্লগা য়েংবদদী মনাও ভীম ওইরম্বে। ভীম ইবননি লাপন তৌরিবসি। ইনাওসি এপাক্লল চাংক্লগে খনহুনা, ভীমনা লাক্কদবা মাদা নাবহেভো সাইব টিংখনা কুক কুক ইম্ন হৌবা ময়াইদা লম্বী লইবা অহুদা, ওশানা য়োং হনুবা শারগ মৈনা লম্বীডদা কৈহুনা থম্বগা নাহেসিন্নহুনা লৈরে, ভীমস্থ লফোই চাব লোইরগা লাকপদা, য়োং মমৈ কৈহুনা লৈবহুদা কান্দুনা চংনিংঙরনা লেমে। মহাশয় নমৈসি অমুক্তা কেশিন্নু ঐ চংকে হায়রকই। রামদাসনা অহুম কাল্লগা চংশিংখো হায়রকই। ভীমনা মহাশয় জীবদি আত্মা নহাক ঐবাকচপ মাংবদি কান্দুনা চংপদি হৌনদে অমুক্তা লৌশিনবিয়ু। সাংক্ক ভনা ঐসি য়ু য়া শেংগ্লে ইমৈহু চিংশিনবক ভমজত্রে অঙ্ক্তা ইথোকপীরগা চংপীখরো হায়রকই, ভীমনা গদানা ইকক্লবদা শবা হাংবা কংবা ভংঙে। ভীমনা চিংকলহুনা খুংক্লোহরগা ভক্তিনা কবন্বা দেবা মায়ানো অশেংবা ভাকপীয়ু হায়জরকই। মনাগী ফজবা মত ভক্তিহু উবদা ঐদি রাগা মন ই হনুমান হাহুবহুনি হায়রগা; সিঙ্কিনা যুথক ১০০ চাওবা মহৈনা যুথক ৫০ শাংবা যুক্তিহু লেপলে*। ভীম ওক্তাংক্কী য়েংলগা হনুমানবু স্তুতি তৌরগা দণ্ডবত তাহুনা লুকমজরে। রামদাসনা পেহুনা যুক্তি হংঙলগা মন ওবু চেজেং কোনবিহুনা বুকে সর লানাইদা চংলিরনো নহাকনা কবি পাম্নগে হাইয়ু? ভীমনা ননাই ঐখোই ইক্লিমাও মত্তাবু য়েক্কবনা

* ধ্যানমন্ত্র:— হনুমান অঞ্জনা সুত বায়ু পুত্র মহাবল রামস্তুত সম্পূর্ণ পিঙ্গলাক্ষাদি বিক্রম। উদধি লংঘনং, চৈব সীতা শোক নিবারণ লক্ষ্মণ প্রাণদাচ দশগ্রিব দর্পহা।

বন্দা তালজুনা চহি ১৩ রানা থাংলগা নবা দুর্য্যোধনগা লান তৌনবা তারি। কৌন্তিক শ্রীহরি পূজাগীদমক দাদা মহারাজগী য়াথংদগী ক্ষমাদনদা থম্নাল চেকপা চংচবনি. লাম্নুনা কদলী বনগী লাকোইশু চাথোকত্তরে থংডদগী দাবন্দ্র ডুংশীয়ু লানগী মতমদা ননাওগী উপায়শু তৌরিয়ু। হনুমাননা, ভীম লাক্কদি নংগী অর্জুনগী থংদা ঐ লৈগনি নাগী সিংহাসনদগী ইন্দ্রনা তেমবাংদুনা য়েক্লবয়ু মপাঙ্গল চম্মনগে লৈ জয় চৌজো। কৌন্তিক গন্ধমাদনদ চংলো, কুবেরগী পুষ্পবনলি চেকসিনা ঙাকইবনি নঙাক্তি ঙম্মু নিংখিনা পাংথোকলু য়েক্লকপনু দেবধানুনি. লাইবু য়েক্লবদি পাপকি মশক্তি। হাংবসি লেন অরুদগী লেঙ্খৌবনি লাইবু ঙাওইবানা থুক্মন্নাদনি হায়রগা ভীমবু বিদায় পীরে। ভীম মসুমদ খুক্কখরগা মাইপগ হাইতে হনুমানগী মাইপগে ঙাকই, ভম ভুংডোইজনুনা যাত্রা তৌখরে।

অকিবা নৈতনা চেনকপনা শ্বেতদ্বীপবী অপাংথবা মুনিগা মাই যজ্ঞ তৌকম মুনিগী যজ্ঞ ডুকতুনা শ্রীকৃষ্ণগী য়াথংদগী কৈরিবা নর্কংশকী লৈক য়েৌবকপদদি চেল্লবগী ঈশিং থোরাংজনা য়েংলকপদা থম্নাল অঙ্গোংবা ১৮ শাংবা ফংবা পুটী লেংবু উবদ ভীম ঈশিং থক্কদবগী চঙ্কেই। বর্ব্বরিকনা উবদা শক্তি থানত্রে মকাশয়, ঈ পাত্র পোরকমিংগে লোক্কংলগা পকত্ত পুংনা কল্লগা পকউন্ন মাঙ্গু দেবী সরুবোরগী তেইদে ভানজুনা অল পাত্র পারগা পুথীরোনদা লাকপদদি ভীম নীকি লাইকিদবগী মত অদুনা পুখীগী মিংবদা কুমথরগা খুঙ্গাঙ্গা পেংবগা থবতুনা লৈরম্মে। বর্ব্বরক ভীমগী পাম্বোম পারগা লংখংলকই ভীম শ্বার ঙিদুনা ভাই বর্ব্বরিকনা ঐনা হায়বত্তু ভাত্রা নানা পংরোয়? ভীমনা ঐনা মকপদা নমল ঙাংবনি নপুক মাঙ্গাগরা, মশু মপু মল্লযুদ্ধদা লাম্না পানবদা। মদনা লোংমন্নগা চরম পাইদুনা খুঙ্গুম্না কিল্লা, চুবাদা কিনবদা কোকশু কায়দে, চুবাস্থু তেক্কে. চরমশু তোইদে জ্ঞান্দ মাংদুনা ঙিদম তাদুনা ওংবে বর্ব্বরিক্কা ডুকতুনা অক্ষয় দেহে এইনা তৌই কদাইদগী ওইরিগদগে. থম্মোইদা পুনিবা খুক লাংবা অমশু ফাওই। হে দুর্গা ঈমা, মনাইদা অমুক্তা ডাকপীয়ু কৌজরকই। দুর্গা আবির্ভূত লেংঙক-তুনা মনাইগী মাংদা লেপ্লগা বর্ব্বরিক অসিদি পাণ্ডবকী ভীম নবুথোলি তারগ, দেবী কৃপাদৃষ্টিনা য়েংবদা জ্ঞান তারকতুনা কৌপংলকদা দুর্গাবু দরশন ফংবদা খুক্রুম্নগা ঈমা ননাই ঐ নিপাসি মখাই লৌখিগে। দেবীনা ভীম ঙাইখো মাসিদ নচা ঘটুর্কচনা পোকপা নশু বববারক নশু শ্রীকৃষ্ণগী য়াথংদগী হিংচাবশিংনা যজ্ঞ থুগাইদুনা লাই, ব্রাহ্মণ. য়েক্লদুনা ধর্ম্ম হংসা তৌবা হিংচাবাশিংবু জয় তৌদুনা ধর্ম্ম ডাক্তি, ঐবু মানা নিংবদগী ঈনাগী গৌজান্দগী মাবু জয় তৌবিনবা লৈত্রবা নশুনি, নশু নপু থংনত্রদুনা থোক্লুরিবত্তু উবদা ঐ ভাক্কে লাকপনি। বর্ব্বরিক নবুথোবু খুক্রুম্মু বর্ব্বরিক দুর্গাবু খুক্রুম্নগা ভীমগী পাদদা ননাইনা থংদদুনা লানখিবা ইরানবু ইবুথোনা ঙাকপীয়ু খুক্রুমজরে। দুর্গা অন্তরধ্যান ওইখরে। ভীমনা মশুবু কোল্লগা লাইবক্তা চুপ্লগা হায়-রকই, দুর্য্যোধনগা শান্নবা চৌবরদা লৈপাক লোইননা লৌখিদুনা ইথোয়বু বন্দা চহি ১৩ তালকতুনা

বন চৎলি। দাদা মহারাজগী য়াথংদগী গন্ধমাদনদা শ্রীহরি পুজা তৌনবা মনাগী থম্বাল হেকউগে লাকপনী, ইন্দুনা অপু ঐহাকপু ভমজবা শক্তি লৈয়বসি ঐ পেয়ে চহি ১৩গী তুংদা কৌরব. পাণ্ডব, লান থোক্কনগনী ঐ লৈ হেকপা চৎলগে। বর্ব্বরিকনা ইবুধৌ নগুদি লান হৌরমদাইদা লাকচরগে হৌজিক্তি নগু হিংচাবা দমন তৌজয়মখিগে হায়রদুনা ভক্তি বিদায় তৌজরে; ভীম গন্ধমাদন লোমদা যাত্রা চৌখরে মুহিং নিনিদা গন্ধমাদন য়ৌরকই চীংদোন ৭ লোংবা হৈপাল, লৈপাল, উপাল কয়ানা পুক্নিং হুনা ফজরিবদুদা মুঙাইরে ভীম। মৃগ, মৃগী, সিংহ, ব্যাঘ্র, শুকর, গণ্ড, গজ, মহিষ অমগা অমগা হিংসা লৈনদনা শান্নরি, কোকিলনা কুহু নাদনা নিল্লি, অরাংথংবদা সরুবর লৈ, অদুদা মনাগী থম্বাল শাংলে। মথারোমদনা মলয়া মন্দিরননা তৎতনা শিংলি, পুখ্রীদুদা হংস, চক্রবাক, সারসনা শান্নরি। ময়ুর, ময়ুরীনা পুখ্রীগী মনাক্তা জগোই শরি, দেবধাম লাইগী পোপ্পানফমনি। ধন-পাত্তগী পক্কদা দানব, যক্ষ, রক্ষ, লক্ষ অমনা ভাকই মীওইবনা চংবা ভমদ্রিবা মফমনি। ভীমদি কিবা লৈতনা চংদুনা পুখ্রীদুদা স্নান তৌরগা; থম্বালদু হেক্লগা তিলক ধারণ লোইরদুনা শ্রীকৃষ্ণদা কৎলে। কুবেরগী মনাইশিংনা কনানো কৌগংদু থম্বাল হেকলিবা মীওইসি উশিংমন্দে মথাই লৌথোকসি হায়রকই। সাধু ওইবা অমনা ঙিংথিবা রাইনা ভীমদা মহাশয়, নহাক কনাগী মচানো মাসিদা কৈদৌবা লাকপনো পুখ্রী অসিদি যক্ষরাজাগীনি ঐগোইবু ভাকহল্লিবনি। ফজবা রাইহে হায়ব। অদু তাবদা ভীমনা হায়রকই, ঐ পাণ্ডবকী ভীম হায়বদুনি ইয়াম্বনা পৃথ্বীগী সর্ব্বভুমাপতি যুধিষ্ঠিরনি ধর্ম্মরাজগী য়াথংদগী ঈশ্বর পুজা তৌনবা থম্বাল হেক্কে লাকপনি, থম্বাল হেক্লগা ঈশ্বর সেবাগী থুনা চৎখিনি, ঐদি কনাবুম্ম বিদে। ভীমগী রাইহে তাবদা ভাকইবাশিংদুনা অদু ওইরবদি যক্ষরাজাদা হায়কুরগা হেকউ অদু নত্রবদি হেকপা য়ারোই হায়রকই। ভীমনা হায়রকই মনাই নখোই হায়কু ঐদি হেক্লগে হায়রগা পুখ্রীদা হেক্কদবগী কুমথখরে। ভীমগী থৌওইদবদুদা শাওনদুনা যক্ষ ময়াম লিকুং পায়দুনা তেন কাপশিল্লকই, ভীম শাওদুনা গদা পায়রগা চেনশিল্লকতুনা তম তম থাবদা রাম্বদুনা তানরে। খরনা চেল্লকতুনা পাও পুম্নক লোইনা তমবদা কুবেরনা ভীম অদু নুংশিংকি মচানি ঐগী ইচাগুম্বা মুংশি থম্বালদু মানা হেকনিংবা মখৈ হেকখো হায়মু চৎলো থৎনকুম্ন হায়ক। মবুংভোগী য়াথং ফত্তবদা মনাইশিং অমুক চেল্লকুনা ময়াম থংনব তোকলো, হে. বৃকোদর। ঐ গুভুদা হায়ত্তকুরে, নহাকপু ইচাগুম্বা মুংশি থম্বালদু হেক্লিংবা মখৈ হেকখো হায়রকই। পাণ্ডদু তাবদা ময়ামগা ভীমগা প্রেম তৌনরে ভীমনা অদু ওইরবদি ঐ ভসি লেক্লগে নখোই চক থোংভুরো ঐগীম্ম হাপলো য়াম্মুনু চেং মন ১০০ রোমদমক হাপপু, নখোইনা

* বর্ব্বরিকাস মুর রাক্ষসগী মগুদুগানি. ঘটোৎকচগী বাণী কামকণ্টংটাগী গর্ভদা পোকপনি। শ্রীকৃষ্ণনা বিদ্যা তম্বীরগা ধর্ম্মরক্ষাগীদমক, শ্বেতদীপ্পা লৈহনখিবনি। মসিগী বাত্তাজিনা স্কন্দ পুরাণদা লৈবা বাড়ীনি। ইতি স্কন্দ পুরাণ বাক্যম্।

হাপলোই হায়রগনা প্রভুদা নচাগী চাক চরা অমতং নিজরকই হায়রগা পিরকনি। নখোই ১০ চংলো নপোং কানা কানা পোরকউ থাগে ভীম পোংথাহনা ময়ামগা বারী শানহনা লৈরে।

মহাভারত বনপর্ব্বগী বারীবু মীওইবনা পুক্নিং চংনা তাজরবদি, মীওইবগী গ্রহগী দোষ লেপ্লা কোকই হায়বসি রাজাজন্মেজয় সোইত্রবা বেদব্যাসগী বাক্যনি। ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায় ঃ—

ভীম থিবা যুধিষ্ঠিরনা যাত্রা তৌরকপী বারী মতাং

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়! মাহারাজ পুক্নিং চংনা শ্রদ্ধা ভক্তিদা শ্রবণ ওইরবদি ব্রহ্ম বধগী পাপ অমসুং শ্বেতরোগ কোকপদা নত্তনা অস্তুগী মতমদা লেপ্লা হরিধাম ফংগনী। জন্মেজয় নিংথৌনা হায়ৈজে, মুনি ইবুধৌ ভীমনা থম্বাল হেকপা চংখিবনা কয়ানিমুক হল্লকত্রবদা ধর্ম্মরাজা ইবুধৌনা কমদৌরকপনো মথা লিবিরো, ননাই তাজরগে। মুনি বৈশম্পায়ননা হায় যুধিষ্ঠিরনা ধৌম্য লোমশগী মফমদা হায়জরকই, ভীমবু থম্বাল হেকউ থাখিবসি রাখল লৈতব তারেনা অর্জ্জুননা স্বর্গদা খুংলাই তম্মীৈডদা ভীমবু অমুক লাইগী লৈপাক্তা থম্বাল হেকউ থারুহনা ভীমনা হল্লকত্ররসিদা ঐ লৈবা ঙমত্রে ভীমগী দোষা করি লৈবনো থিবা চংপা তারে। গুরু অনিস্সু য়াওবিয়ু হায়রগা ঘটোৎকচবু অহমলক কৌরকই। ঘটোৎকচনা মমাবু খুরুম্মগা, ইমা ঐবু কাম্বাবন্দা পাবুং হন্না থুনা কৌরে অমুক্তা য়েৌজরুগে হায়রম্মগা অতিয়াদা পাইরক্নুনা খুদক্তা থুঙ্গ র। ধর্ম্ম রাজবু খুরুম্মে, মুনি অনিবু খুরুমজরগা মতোন অনি দ্রৌপদী খুরুমী; অহুদগী পাবুং হন্না নচাবু থুনা কৌবীরকপবু করি তাকপীগদবা লৈবগে হায়ৈজে? যুধিষ্ঠিরনা ইবুংঙো ইপন্না নঙ্গীপিতাবু কুবেরগী লৈপাক্তা সনাগী থম্বান হেক্ক হায়হনা থাখিবনি। ঙসি তরুকনী শুরে হন্নক্রে, অহনা ইপন লৈবা ঙমদ্রে। হৌজিকমক ইনাওবু থিবা চংতবা য়াক্রে, মুনি অনিগা নতোন অনিবে ঐগা কৃষ্ণা নন্নানে পু হায়ববু ইচাবু ঙমগদবা অহুগী কৌবগী হায়রকই। ঘটোৎকচনা পাবুংহনগী য়াথংবু লৈরবদি বৃন্দাবন দ্বাদশ ক্রোসগী মুরুগা মীপু তাকপীরবস্সু ঙমজগনি হায়রকই। ধর্ম্ম রাজা মচাবু কোল্লগা ইচাবু ফংজবদগী অরাবা কয়াদগী ঐখোইবু কল্লকুবনি থিলে গন্ধমাদন য়েৌরসি হায়রকপদা ঘটোৎকচনা, ননাইগী

নঙ্গদা লেংখৎলীয়ো হায়দুনা লোইনা ... মায়া মন্ত্রগী শক্তিনা অবাং প্রাংনা পায়-খক্তুনা দণ্ড অমগী মরুংদা গন্ধমাদন কৌরকী লোইনা প্লাবে। পিতা ভীমবু খুরুমজে, ভীম মচাবু কোল্লগা নমাখা ইমৌগা মঙ্গল ওইরিবরা? ঘটোৎকচনা মঙ্গল ওইরি হায়জে। ভীম ধর্ম রাজবু খুরুমজরে মুনি অনিবু খুরুম্মী নকুল সহদেব, পঞ্চালিনীনা ভীমবু খুরুমজে, ময়াম মুংভাইনরে ঘটোৎকচ ভক্তি বিদায় লৌজরগা অমুক মরৈবাক্তা চনখি। ধর্ম রাজদা কুবেরগী মনাইনা ভীমগী পাও তল্লী। ধর্মনা ভীমদা হায়রকই বৃকোদর মীওইবনা লাইবু, ব্রাহ্মণবু হিংসা তৌরোইদবনী; ক্ষেত্রি মচানা ব্রাহ্মণবু, লাইবু সেব ভক্তি তৌগনি, হিংসা তৌরিবা অহুদি "অসুর বৃত্তি কৌই"। ধর্মগী বা তবদ ভীম মক লুক্না লৈখি। লাইগী লৈবাক নুংঙাইবা মফম অহুদা যুধিষ্ঠির মতম কয়া নু ভাইনা লৈরে; নিংথৌকপগী মতমদা সনা থম্বাল লেক্লগা শ্রীহরিবু পুজা কৎলি, দ্রৌপদীসু পাণ্ডব মবুংঙোশিংগী মঙ্গল ওইনবগীদমক সনা থম্বালনা কৃষ্ণবু পুজা কৎলগা লেক্লবা জয় তৌরগা, মরৈবাক্তা হ'জন্দুনা পাল্লগা ঈনেমগী সেবা কৎহনবীয়ু নিজে। সতীগী সেবা সুর্য্যগী থৌজাল্লা পাকাল্ল, ব্যঞ্জন পুখোক্তুনা মুনি অনি মবুংদো চরিবু পেলহল্লি। নোংমদী ভীমনা লৈ খিবা লাপ্লা চৎখি, লোমশনা লৈ খিবা চৎখি, ধৌম্যনা পুরীদা ইরুজবা চৎখি, মরিদা লৈবাস হিংচাবা জটাসুরনা উরে। মাশি মককি মরুপনি মাদি নিতিগী শেল্লদুনা লৈবনি, মুনি লৈবদসু রক্ষামচগী গুন্না চংবা ভমদে, ভীমবুসু কিদুনা ভীম লৈতবা ছিদ্র য়েংদুনা উহন্দনা লোতুনা লৈবা হিংচাবা চঙক্লে। তসিদি নখোই মরি মাংহল্লগে, ঐনা নিংবা থুংজে হায়রগা মরিমকপু ফারগা নঙ্গন্দা হাপ্লগা ভীম কিদুনা পুরগা চেল্লে। যুধিষ্ঠিরনা ফজবা হিংচাবা! কনাবুসু য়েক্লদবা ঐখোইবু করিগী ফাদুনা পুরিবনো, থাদোকউ ধর্ম্ম কায়বদগী ভীমগী মথুক্তা নঙ লেপ্লা সিবা ভারে। জটাসুরনা হায়রকই, পাণ্ডব নখোইস ঐগী মরুপ, বক হিড়িম্বাসুর কাংখিবগী লমনশিংগে লৈরিবনি নখোই মরিবু হাৎলবদি ভীম অর্জ্জুন নখোইগী অবাবনা মরনাই সিজরগী। জটাসুরগী বা তাবদা নিং অনি উইশিল্লগা হা কৃষ্ণ ননাই ঐখোইবু কনবীয়ু হায়জরগা কপ্পুনা খোজেন বাংনা কা ইরুংদো ভীমসেনা ঐখোইগী থবাই অমুক্তা কনবীরো, হিংচাবনা ঐখোইবু ফাদুন পুরে। কৌরকপা থাজেন্দু কৃষ্ণগী কৃপানা ভীমবু তাইনখি। দ্রৌপদীনা কৌরকপা খোজেন্দু লাপ্লা তাবদা ভীম নুংশিৎকী মাংথানা চেল্লকই, ভীম চেল্লকপা উবদা জটা মরিমক পুরগা য়াংনা চেল্লে ভীমনা উ অমা চেলকুক মুক্লগা লাংরকই দাদা মহারাজ! বিকিলনু পাপীহু মথৱই লৌগে লাংদুনা তাম্নরকপহু ভীমনা হেজিল্লক্তুনা হিংচাবগী মকোক্তা নৈবদা উহু থেগাক তেকই। জটা মরিমকপু লেপাক্তা থাদ্রক্লগা মাসু উ অমা ফজলগা ভীমগী কোক্তা থাবদা উহু থেগাক তেক্লে, অহুদগী ভীম, জটা, চোংশিল্লখিদুনা মল্ল যুদ্ধদা পাল্লখিবা লাপ্লা জয় পরাজয় ননাইদনা লাল্লা তৌরকপাসি যুথক অনি পানবদা ভীমনা কৃপা লৈবনা কুইরগা হেনগৎলকই। জটাসুরনা মহেং তাবকপদগী ভীমনা লোংনা নমদুনা মবুক্তা ফম্নগা থুং থইনা

চরম পায়রগা য়েংকী থুংতুম্না চুবাদা থাবদা জটা ময়া হেক্লুনা রাম্বরে। ভীম চরম য়েংথাই-রম্বগা চোংথোক্লুনা থোংপাক্তা ...কাক্তা কাওবদা জটাসুর ...থরাই ...রে। ময়াম্বু থুক্লগী লোমশ, ধৌম্যান্সু লানগী শব্দ তরংগী চেপক্লুনা লানগী কুম্মৈ য়েংশিবনি। ভীমবু থম্বন্দ তৌরকই। ধর্ম্মনা মনাওবু চেজেং কোল্লগা লাইবক্তা চুম্বোন তৌই। ভীম মুনি অনিবু থুক্লগী। মুনিনা মতম পুম্নমক্তা য়েক্লববু জয় তৌজৌ বর পিরে মনাও অনি দ্রৌপদী ভীমবু থুক্লম রে; ময়াম হঞ্জিন্দুনা স্নান ক্রিয়া লোইরে দ্রৌপদীনা হৌহনা লুককলগা সেবা ওইহনা চবা থকপা লোইরগা কম্লরে।

যুধিষ্ঠিরনা লোমশ, ধৌম্য, মুনিগী মফমদা হায়জরকই গুরুদেব মতম অসিদা লৈবা চিনরে জটাসুরই কাংবু লাক্লুনা অমুক য়েক্লবব য়াই, য়েক্লবা চংথোকইদবা মফমদা লৈক্লর সা মফম অ ডা তাকপীয়ু? লোমশনা মহারাজা অহ্র পইরবদি ব্যাসগী লৈফম বদরিকাশ্রম পুণ্যধামনি অমুদা লৈক্লরগী হায়রকই। ধৌম্যানসু ধর্ম্মরাজা বদরিকাশ্রমদি য়েক্লবা হিংচাবা, দানব, চংবা ঙমদে সিদ্ধঋষিশিংগী ধ্যান তপতৌফম পুণ্য ক্ষেত্রনি, ঋষি নরায়ণগী ধামনি হোৎকিক্সু পরশুরাম ধ্যান তৌফম ওইহনা লৈ অহ্রদা বাস তৌরবদী ধর্ম্ম চাওখৎলি হৌজিনক যাত্রা তৌরসি হায়রকই। ময়াম মুংঙাইনহনা যাত্রা তৌরকপনা ফজবা চংঙ, উপাল, হৈপাল, লৈপাল, সক্লবর, হন কয়া মথং মথং য়েংহনা লাকপনা বদরিকাশ্রম য়োরে, ব্যাসগী আশ্রম চংঙক্লগা পাণ্ডবনা ব্যাসবু থুক্লজরে। লোমশ, ধৌম্যাবু শ্রীব্যাসনা ভক্তি তৌই, মুনি অহুমক প্রেম আলিঙ্গন তৌনরে ব্যাসনা ধর্ম্ম রাজবু আশীষ তৌরে। মুনি অনিগা পাণ্ডব মুংঙাইনা ব্যাসগী আশ্রমদা লৈরে। থা অমগী মতুংদা অর্জ্জুনবু উদবা পাউসু ফংদবা অহ্রদা, পাণ্ডব পঞ্চালিনীগা অরাবা ইপাক্তা তাংহনা চিন্তা তৌনরিবহ্র ব্যাসনা উরহনা ধর্ম্মগী মফমদা চংঙক্লগা যুধিষ্ঠির বাক্লগনু ননাও অর্জ্জুন মঙ্গল ওইহনা কল্লক্লগনি। ধবল পর্ব্বততা চংলো তাকপিরে, ব্যাস হঞ্জিনখি। ধর্ম্মরাজা লোমশ, ধৌম্য অনিগী মফমদা চংঙক্লুনা হায়জরকই, মুনি মফমসি থাদোক্লগা ধবল পর্ব্বততা অমুক লেংঙসি। ধর্ম্মগী বাতাবদা চংহ মতা সুরক্লে, অর্জ্জুন হল্লক্তবা অর্জ্জুন হল্লক্কদব, থা অমা মথায়রোমদা ঙাংরে। মুনিনা ফরে চংলসি হায়হনা ব্যাসবু ভক্তি বিদায় তৌনরগা অমুক ধবল পর্ব্বতলোমদা যাত্রা তৌরকই। ধবলগিরী য়োরক্লুনা লৈফম পর্ণশালা শেম্লগা মুনি পাণ্ডব মুংঙাইনা লৈরে। ধবলগিরি অসন্থ কুবেরগী সাসন্দা লৈবা লম্নী হৈকোল, লৈকোল, সক্লবর ফজনা সেম্বী লৈ শাংলি হে পাল্লি। মনাই যক্ষ, রক্ষ, দানব কয়াবু ঙাকহল্লি। ভীম নিতিগী লৈ হৈ লোইনা হেক্লোক্লুনা মনিংতম্বা পশু পক্ষী কাও মাংহল্লে। ঙাকইবা কাংবুনা তৌদু যক্ষরাজগী বননি ঐথোইনা ঙাকই হায়ক্লবদা। ভীমনা ঐনা হেকপবু নথোইনা থিংবা নতিক লৈত্রা চৎলু নবুংঙোদা হায়জক্ল হায়হনা ফুরগা তাল্লে। ঙাক্লিবশিংনা চেলখিহনা পাও তম্নুবদা কুবের শাগহনা লানগী সাজন তৌরগা থুংঙরে। যুধিষ্ঠিরদা হেং পাণ্ডব! হৌজ-হৌজ ননাও ভীমনা ঐগী বন চাইহনা ইনাইশিং তারন মারন তৌরদ হৌজিক

ইতিক খংহনগে খুংলাই পাইবু হৌগৎলো হায়রকই। ধর্ম্মরাজনা ওক্তা কী য়েৎলগা ভক্তি তৌদুনা হায়জরকই,— প্রভু! ননাই ভীমসি অঙাংনি, মানা করি খংগদগে; ননাইগী মরানবু ঙাকপিয়ু। মতুংদা অমুক তৌহল্লরোই, ঐখাক শংজহৌক্লে, ননাইবু চানবিয়ু হায়দুনা খুরুমজরে। কুবেরনা ধর্ম্মরাজগী ভক্তি অদুদা পেল্লদুনা পাণ্ডব য়েক্লববু লেপনা জয় ওইজরো হায়না বর পীরমলগা চনখরে।

নোংমদি ভীম হৈ খিবা লাকপদা নোংপোক পাংনা কৈলাস গিরীরোমদা লাকই। মাইকৈ অদুদি লাই, মী যক্ষ, রক্ষ, গন্ধর্ব্ব, কিন্নর, রাক্ষস, দানব পুম্নমকনা অজাগরবু কিনদুনা চংনরবানি। ভীমদি খংদবদগী অদোমদা মনিংতম্না লাকই। কৈ, শামু, নোংশা, গণ্ডা যণদৌ, ইরোই, ওক, সর্প, অজাগর, মৃগ শক্তি জাং শুনা লৈরে; ভীম অদু উবদা হিংস্রক জন্তু কয়া গদানা কুপাইদুনা হাংলকপনা লোকচাও অজাগর লৈবদু যৌরক্লে। ভীমবু উবদা অজাগর লোক শুহাদগী চাইগৎলক্লুনা ভীমবু ফারগা! মখুৎ অনিদু খাকোক্লগা; মখোংদগী মশা পুম্না য়েৎশিল্লগা ময়া কাখৎতুনা য়োংকদবগী মওংদা লৈরে। ভীমসেন লেংবা ওনক্লে মখুৎ অনিদুনা গদাদু খুদুম চেংনা পায়রগা মকোক্তা তম তম থাক্লবদা গদাদু ময়ানা চিক্লগা মখুত্তগী গদামুল্লগা লংখোকখি। অদুগা মীরোম্না কায় নিপা নং কনানো, নংনা জীব হাংলিবা করিগীনো? নংবু ঐনা য়োংপা তারে। লাইরেনগী বাহৈ তাবদা ভীমনা হায়রকই, হে অজাগর ঐনা কাংপদি মীবু য়েক্লব, শাশিংবু কাংপনি, ঐবু নংনা চাররদি য়েক্লবনা তাল্লক্লুনা বন্দা লাকপনি; ঐনা ইয়াম্বা, ইনাওশিং ঙাকসেল্লি। নহাক্কি বাঙাং তাবদা ধর্ম্ম খংবা মাল্লি, মখোই য়াম্না বাহৌবা তারে ঐগী থওয়ায়সি অমুক্তা কল্লু। ঐ অসি পাণ্ডুগী মচানি ভীম কৌই, ইয়াম্বা ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠিরনি ইনাওনা অর্জ্জুন নকুল সহদেবনি; ঐগী পাংজলনা শামু অমুত্ত অমগী পাঙল কনবনি, অদুবু সর্পরাজ ওসি ঐবু নংনা লাইনা ওম্বানি করম্না লাইগী বর লৈবননো অমুক্তা হায়খো হায়রকই। অজগরনা হায়রকই, ঐসি ব্রাহ্মণগী বরদগী ঐনা চারগে নিংদুনা ফারবাদি লাই ওইরো মীওইরো নাম্বোকপা ওম্বরোই অদুবু নহাক্না হিংখিগে হায়রবাদি ঐ প্রশ্ন অমা হায়গে অদুগী পাওখুম পীবা ওম্বরদ নংবু থাদোকপীগে (সৈত্য, বেত্ত, ধর্ম্ম, নিত্য কর্ম্ম, বর্ন) অসিগী তাংপর্য্য অর্থ অমুক্তা ফোংংত, অদু ওইরবদ নহাকপু থাদোককে। সর্পগী বাহৈ তাবদা ভীমনা হায়রকই—হে সর্পরাজা অদুগী তাৎপর্য্য ফোংবদি ঐনা ওনলোই ধর্ম্মরাজা ইয়াম্বা যুধিষ্ঠিরদনা ওমগদবনি অদু ওইরদি ঐ ধর্ম্ম-রাজা লাকত্রি কাওবা নংবু য়োংলরোই, নয়াম্বানা অর্থ ফোংওরবদি ঐনা নংবু থাদোকে ফোংওক্রি ফাওবদি থাররোই অম্ব্লম্না সর্পনা হায়রক্লে। বাহৈদু তাবদা ভীম শ্রীকৃষ্ণবু স্মরন তৌরকই কৃষ্ণনা মনাইগীদমক ধর্ম্মদা অমঙলগী খুদম কাওহনখরে, ধর্ম্মরাজগী য়েংলোমদা শক্তি, লমহুইন, নোংপোক ওল্লগা খেংলে, কাক্লা, ভু লোমদা অদুলক খোংচি মুংশিংনা, উকুলগা, নোংপোক

য়াম্বদ চারোই হৌরোই। ভীমনা চৎমান লাহৌরেল লৈনা ...
ইনা চংজরগে, যুধিষ্ঠিরনা ভীমবু চাগৈরো ইয়াম্বদি য়েংনিংঙৈ চৎলম্মগে. মহাক খুদম য়োম্বকউরো.
ক লেংঙসি হায়দুনা ধৌম্যগা ধর্ম্মরাজগা ধবল পর্ব্বত লোমদা হনখরে। ভীম কৈলাসদা
লবা কিরাটশিংদগী পত্র রাইকুরগা ভীম সর্পগী মতোং মতুম মতুম লৌরগা পাক্ত অচৌবা
ময় থম্না লৈরং সেমদুনা মথুম থুমজিল্লগা ঐ থাগশু়না কুংলে, মাসিবু দ্বারীকানাথ শ্রীকৃষ্ণনা
রদুনা অন্তর্য্যামি ভগবাননা মাসি চাংবদ হুপ অদুম পুক্নিংনি অক্ষয় দেহে ওইখরবদি ঐগী
লা কাইরা তারে হায়রগী আবির্ভূত লেংই।

বৈশম্পায়ন্না হায়রকই-রাজ জন্মেজয়! কৃষ্ণনা দাদা য়াইমা করিনো থোংলিবদো? ভীম য়াই
গাওদুনা থুকম্মগা ইবুংঙো পান মাইরেল কুংশিবনি খুদী। কৃষ্ণনা দাদা য়াইমা মনম অমা
মকই অমুক্তা য়েংগে হায়রকই। ভীমনা কৃষ্ণবু উহনিংদে থাংরগা থবাক্তা নোম্বদুনা উপংবগা
ইবুংঙো য়েংবসু ইকাইজে. ঐ পুক লাংনুংগী চাগে থৌজবনি। ইনাংনো হাবা য়াবা নত্তে
হায়রে। কৃষ্ণ লোশিংকভুনা সংহংগ পাংদুনা চিংখৎলগা য়েংজি. দাদা য়াইমা করিনোসিদে?
ভীমনা প্রভু ইবুংঙো নত্তবনা ওইরবা কাইরেনগী দেহেনি. ইবুংঙোগী য়াথংদগী হেক্কুবা জগ-
তোগে অদুগী চাগে থৌজবনি। কৃষ্ণনা দাদা য়াইমনা মাসি চারবদি নকাংগা নকুবা য়াররোই
দু শিখরবা ইয়াম্বনি কাংনবনি অদুগী ঐ চেংকপনি। ননাও কায়নবগা মাসি চাদবগা অপাম্বদু
অমুক্তা হায়বিয়ু ননাও তাজগে হায়রকই। শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং তাবদা ভীমনা কৃষ্ণ ইনাওবু কায়-
নবদি চংজরোই, চাজরগেই হায়দুনা গুহাদা থৈজিনখরে। কৃষ্ণনা মনাইবু চেক্তেং বোল্লগা বরপি
য়েক্লববু লেপ্প জয় তৌরগা ইনেংভোনগী চেং কংবিয়ু ননাও দ্বারীকাদা কনা অংতা তাক্লংজে
দুংশাখিনরম্মনি য়ৌরগে হায়রম্মগা আবির্ভূত লেংখরে। ভীমগী থবাক মনিমা য়ৈথিবদু য়োং-
কুম কলখি ভীম ধবল পর্ব্বত য়োরকই, ত্র মণ অনি, ধর্ম্মরাজবু খুরুমজরগা পাও পুম্নমক লোইমা
চিংথদনা তম্মে। ধর্ম্মরাজ ভীমবু কোল্লে। মনাও অনি দ্রৌপদী শ্রীকৃষ্ণগী বর ফংজে তাবদা
দুংচাইজদুনা ভীমবু খুকংজে। ভীমসেন্না নত্তব মুক্তি ওইবগী রারী অসি তাজবদা মী ওইবনা
লেপ্পনা মুক্তি পাববি কংই, মাসি ইরাংসবাকানি ইন্তি। হরি হরি হরি॥

অধ্যায় ৪—

অর্জ্জুন স্বর্গগী মরোম তরেৎ লেংলগা মর্ত্তলোকতা হল্লকপগী ৱারী মতাং।

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায় — মহারাজা জনবাধো হাইবা অর্জ্জুননা দেৱ, গন্ধর্ব্ব, কিন্নর, যক্ষ, গুহ্যক, দানব পুম্নমক্কী থিজ থব লৌইরে। অর্জ্জুনগী শক্তি অসি উবদা ইন্দ্র পেন্দুনা মাতুলিদা হায়রকই, ঐগী রথ সাজন তৌরক ইচাবু পুরগ স্বর্গ মরোম তরেৎ লেংহন, অদুগা হিংচাবগী লোনা য়েক। অদুগা তারুগা হিংচাবশিংদু লৌইরগদবনি * ইচাগী মপান্দগী ঐগী য়েক্লবা কোবগৌ পে! ইন্দ্রগী ৱাথং ফংবদা মাতুলি রথ লেপ্পা চংলে, অর্জ্জুন চংবা থকপা সাজন লৌইরগা ইন্দ্রগী সভাদা হৈকল্লগা দেৱ রাজাবু খুরুমজরে। ইন্দ্রনা পার্থবু কোল্লগা আসন্দা ফম্বিনরে। ইন্দ্রনা অর্জ্জুন ইচদি থিজ্ঞা তম্বগা লৌইরে, অসিদি স্বর্গ মরোম তরেৎ য়েংদুনা চহি মঙা লৈরে মর্ত্তলোক য়োবা মাঙাংনি হায়রকই। অদুগুম মাতুলি রথ সাজন লৌইদুনা খুদরে. ইন্দ্রনা মাতুলিদা অসিনি ইচাবু মর্ত্তলোক পুম্নমক য়েংহল্ল। মাতুলিনা খ... মাংদনি, রথ সাজন লৌইরে থোক্লসি। অর্জ্জুন ইন্দ্রবু খুরুমজদুনা বিদায় পিরে. দেৱ রাজনা অর্জ্জুনবু মাঙ্গলগী ইচাদি মঙ্গল ওইরসু হায়গা লৌইনগা বিদায় তৌই। মাতুলিগা থোরক্লুনা অর্জ্জুন কৃষ্ণ স্মরণ তৌরগা রথ তোংলে মাতুলিনা ... থৌরক্লগা নক্ষত্রগী কক্ষ য়েংলগা কিন্নর গন্ধর্ব যক্ষলোক য়োবে। অদুদগী ঐশানলোক, আগ্নেয়লোক খুদক্তা য়োই, অদুদগী যমলোক য়োরকই, যমলোক লোংপোক অপাগী, নোংচুপকী ফরবা পুথ থাক লেংবগা, বায়ুগী ফরকী থাক্তু বরুণ য়োরকই। জীব মরাগী পাপ ভুগ ফংজিনবহ উবদা অর্জ্জুন লেংহৌ দুজুম লেংলকই. শ্রীকৃষ্ণবু থম্মোইদা স্মরণ তৌরগা মতুংদা ঐ ফংবদা ফরে অমরোমদা থোরো হায়রকই। মাতুলিনা অদুগী বসুরাগীলোক হসাতা লোমদা থোরকই। হিরণ্যপুর কৌবা ইন্দ্রপুরবু ফমজ। যক্ষরিবহ উবা অর্জ্জুন সারথীদা হংলকই, ইন্দ্রপুরবু ফমজনা কচরিব কৌজং অসি কনানা পালবনো? মাতুলিনা হেঃ পার্থ ঐ থানিদি মহাত্মা স্বর্গদা লাকপদা হাংখিবা দিগ তকপচনা লৈবগা হিরণ্যপুর কৌই। কিন্নরলোক থংবগী স্বর্গগী চপ মান্নবনি। মসিদা মাদ স্বর্গ পাতাল অসি মনিং তৌনা পালশগী মকাম্ব লাই চংবা ফমদে. ইন্দ্রগী য়েক্লবা হিংচাবগী লৈকাম্বিকাল-

* ব্যাসগী মূল কথাগী মতম্ভ অর্জ্জুননা নিপাত কবচ হাংপা, উর্ব্বশীগী শাপ ফংবগী অর্জ্জুনবু মপু স্বর্গ য়েংহনব মতাং অসিদা লোক মনিং হেন্দনবা লেংডমী। কাশীরামন্দু মগগী মত অমদ ইরমী। জৈমিনিগী মতনা স্বর্গদগী ইন্দ্রনা মাতুলি থাবক্লুনা অর্জ্জুন লৌথংনবা মসিদা লেংডী, নিপাতাদ স্বর্গ পাতাল অনিমক হিরণ্যপুর কোনুং থমদুনা মনিং ফঙা পাজি। কাল কৌবা লাইগী মচাবী মাবু কিদুনা বিশ্বকর্ম্মানা শাবদা ইন্দ্রপুরগী চাওখদি লেমগা; ফওবদি নিপাতগী কৌজুংনা হেনহনি মাগী মরিঙ্গা ক্নচ তাবক নিপাতগী মনাইসিং পুম্নমক অমুক হন্না হাইদিংবা লৈবিনিদিগী লানবনি অমসিদা। তৌমদি মঙা ইথদে ই.ত।

কের কালগী থরা ডাক্কি হায়রকই। অর্জ্জুননা সারথী রথ অমুত্তা থাখো ইপা ইন্দ্রগী য়েক্লবদি থরম্বরোই মুংথংলম্বগে। মাতুলিন অসিদগী হায়থরকপা রথ থারে। অর্জ্জুন গাণ্ডিব লিকং লিরী চল্লগা সি হমাদা তেঁরকপদা পাতালপুর নিকই কালকেয়গী কাংবু রাক্ষস মরাম খুংলাই পারহুনা অর্জ্জুনগা লান্না পারহুনা, প্রলয়গী মতৌগুম তেন মাইটৈগে খুদি দগী কাপশিনলকই, অর্জ্জুননা শিববু স্মরণ তৌরগা পশুপতি অস্ত্র তেনজিন্না মন্ত্র শোল্লগা কাপ্লদা প্রলয়গী মৈ তাঙ্গিদগী হৌরকপনা হিংচাবা মরাম কোন্নুংগা লোইননা চাওথেকনা উংওইনা তারে। তেন্না খেক্লকপা ধ্বনিনা স্বর্গ মর্ত্ত পাতাল মথোল অহুমক নিক্লে। মতৌহ উবদা ব্রহ্মানা আকাশবাণী তৌরকই, হে কৃষ্ণ সখা অর্জ্জুন! তেন হজিনমু তেন অমুদি প্রলয়গী খুংলাইনি; সংহারগী মপু শিবনা মংবু নুংশিবদগী পিবনি মতুংদা মীওইবদা কাপকনু হায়রকই। অর্জ্জুনা মন্ত্রগী শক্তিনা তেন হন্জিল্লুনা তেন্দোংদা হাপথি স্বর্গগী লাইরাম ইন্দুভী বাজন তৌহুনা অর্জ্জুনবু ধন্যবাদ তৌনরকই; মাতুলিনা অর্জ্জুনবু অমুক রথনা মৈথঙকী গঙ্গাবতীপুর য়েঁরকই। অহুদগী বংশিমুচনপুর বরুনগী লৈবাক য়েঁই অমুক কৃষ্ণাংগমাপুর বায়ুলোক য়েঁরকই। অলকাপুর শিব ধাম দণ্ড অবদ য়েঁরকপনা দণ্ড কুন্তগী মনুংদা লাইগী লৈবাক অসুরগী লৈবাক গুনা অর্জ্জুনবু য়েংহনবা লাইগী য়েক্লবা অসুরশিংবুন্ন লোইশিল্লগা ইন্দ্রলোকতা থুংরে অর্জ্জুনগী য়েংজং মাতুলিনা খৌরকইবা রথকী খুংথো পাইরকইবসি অতকপগী মতোম। মাতুলি রথ থারে পার্থ ইন্দ্রগী সভা চংলকপা দেবরাজাবু খুরুমজে, সচী মাতাবুন্ন খুরুমজরে। ইন্দ্র মচানা য়েক্লবা হিংচাবা লোইশিলহনদা পেল্লহুনা, বৈদূর্য্যরাগমনিগী কিরীটি লোথোক্লগা অর্জ্জুনদা পিরে ইপাগী কিরীটি অসি ইচাগী ওইজরো হায়দগী, কিরীটি হায়বা মিংথোল্লগে। মহাক্কী অনিং থংস অসিদ তরা থুরে, মক্কি দশনাম অসিবু মীওইবনা ঐনা থোল্লিনা সন্ধ্যাগী মতমসিদ ততনা শোল্লবদি য়েংবা মীহুপীন্ন মাংবা ওইরসনু। বর পিরগা কৃষ্ণ সখাবু নেংবা কোল্লগা মুংচুনোম তৌরে. সচীনা হায় রাণী মচাসি হায়রিদি মহাক্লা পিজলিংবা পীজরুরো হ মংদি মর্ত্তলোক য়েংথনী হায়হুনা শিন্নরে। ইন্দ্রাণীনা হে: কিরীটি! ঙসিদি ইপা ইচা চক অমুত্তা চানিংহৌজরসি হায়রগা অর্জ্জুনবু ভুজন অন্দরদা সচীনা পুন্নলগা পাকাম বেঙন সজোম চামা পিপাল স্বর্ণ পাত্রদ হাপ্লগা। অর্জ্জুনা হায়রকই, ইবু ঙসে ঙসিদ ইমানা ইচা কাজবগী চউবা সক্লবা চাক চাখোম মঙাদং ইমা ইমনে, হায়রগা সচী তম্পাক্তা পম্মাগা বাংসে। প্রেম হাপ্পা প্রানায়াম যজ্ঞ পরমাত্মাগী হোম মঙাগী বিধী কাম্বদনা ইল্লি, অর্জ্জুন ইমাগী কৃপানি হায়হুনা কজরে। সচীনা অর্জ্জুনবু তম্পাক্তগী থাংথরগা আসন্না কবহল্লী, ইন্দ্রাণিন খুং শেংদোক্লগা বর পিরকই ইচাদি চাদ থক্লবগী অরাধ্বা খৌরাংবগী অবাবন্ন লৈতবা ওইয়ু, মক্লববু জয় তৌরগা কুন্তী নমা য়েক্লবাগী সেবা কজবা ওইরে হায়হুনা মাল্লগা হৌজিক ইম মরাং অপা হাপ্লগে চারো হায়রকই। সচীনা পরিবেষণ ওইহুনা অর্জ্জুন চাংজরে। পূরণ ওইহুনা আচমন মুখশুধন শেংদোক্লগা আসন্না মপ্লে সচীনা

হৈ অমৃত কল কর্পূর তাম্বুল পি, অর্জ্জুন কংজবগা ইন্দ্রানী খুরুমজরে অহুগা মাগী লৈকম জাগাদা লাক্কুনা শয্যাদা কৃষ্ণগী নাম শোন্দুনা পোথারে, অহিং লেপ্লে নোংঙাম্লগা প্রাতক্রিয়া স্নান ভজন লোইহনা বের অলঙ্কার লৈতেংই. ধনু অস্ত্র লোইনরে। দেব সভা য়ৌরক্কুনা ইন্দ্র খুরুমজরে দেব সভা ভক্তি তৌজে আসনদগী কুপথনা ইন্দ্রনা মচাবু আশীষ বিদার্য পিরে হৌজিক ধর্ম্ম-রাজ ককম্বা মনাও পঞ্চালিনীগা ধংলগী হদা। অরি মাতুলিগা য়ৌরো ইচাদি মঙ্গল এইয় 'বদায় পৈ

দেব সভা ইন্দ্র সচি খুরুমজরে। মাতুলিগা থোরক্কুনা রথ তোংলে, ইন্দ্র রথনা অর্জ্জুনবু সারথীনা পোরকপসি নম্ভু মথাইদা ধবল পর্ব্বত। থুংলে বথথারে রথদগী চোংথনা ধর্ম্মরাজ খুরুমজে অর্জ্জুনবু ধর্ম্মনা পোল্লে, অর্জ্জুন ভীমবু খুরুমী চেক্তেৎ কোম্নরগা ভীম অর্জ্জুন প্রেম তৌনরে। নকুল সহদেবনা পার্থবু খুরুম্মী মনাও অনিবু পোনবিরে দ্রৌপদী মিংতগী প্রেম সিম্ফনা অর্জ্জুন খুরুম্মী নিংথিবা চোনখন পঞ্চালিনীবু পাথনা পেনখি. মাতুলি পাণ্ডবপু প্রেম বিদায় তৌরগা লেপ্লেংঙ নিংথম অমদা চৌমিনা যুধিষ্ঠিরনা অর্জ্জুনদ চপি মঙদ এইরকপগী পাণ্ড চথদনা তম্মু করবই অর্জ্জুনা লাবপ খেংফং তৌরদ মুনি অনি চংশিনক্কুনা অর্জ্জুনবু প্রশংসা তেংলই মুনি অনিবু পাংনা খুরুমজরে থোনা লোননা ধনঞ্জয় পাও তম্মো তারগে হায়রকই অর্জ্জুনা শিবন পশুপাত পিব মাইগে নিপ লগী লাই নিপালনা থুংলাই ৮ পিবা। ইন্দনা মাতুলি থরক্ক। স্বর্গদ কিন্নর লোক্কুগী অহোথবা হিরণ্যপুর নিপত কপচ কাল্কেয় ইন্দ্রগী য়েক্কুবা ভয় তৌবা উকযাগী শাপ যংনা চাংনবি দেব বিদ্যা-গন্ধর্ব্ব কিন্নর যক্ষ গুহ্যক দানব বিদ্যা শুনা তম্ব চিত্রসেনদা সংগীত যন্ত্র বিদ্যা শুনা তম্বা। সপ্ত স্বর্গ য়েংবা, ইন্দগী য়েক্কুবা অসুর লোক ভয় তৌংগা হল্লকপদ ; ইন্দ্রনা কিরিটি কবা লোইনন কিরিটি মিংথোল্লগা ইন্দ্র সচীগী কর কলকপা পাও লোইনা তমলে। ইন্দ্র লোকতনা মাতুলিনা ধর্ম্মরাজনা ইন্দ্রবু খুরুমজহনা প্রেম বিদায় তৌরকপগী রাকনা তম্মী। ধর্ম্মরাজগী ভক্তি তৌরকপা প্রেমগী পাও তাবদা দেব রাজা দেব সভা কৌরে লাইয়াম থুংহনা ইন্দ্রবু খুরুম্মে ঐখোই কৌবিবা বরি তাকপীগদরা লবগে হল্লংলি। ইন্দ্রনা লাইয়াম তরো যুধিষ্ঠির ঊনবা চংলুসি হৌজিক ধবল পর্ব্বততা লৈরিঙেদ ধর্ম্মরাজদি লাইগী অগোইব মকুপনি, ঐখোই পুম্মনক্কী য়েক্কুবা মনাও অর্জ্জুননা মক্ক কংনা মুংথ লম্বা পাণ্ডবক্কী লননদ ঐগোইনা। কি বল্লদম্ভ শিংবা উম্মরোই মাতুলি রথ সাজন তৌক্ক। ইন্দ্রগী খোংদ যংবদ মাতুলি রথ সাজন তৌরে, ইন্দ্ররথ তোংলে লাইয়াম মাগী মাগী বাহন তোংলগা লাকপদু মুহুর্ত্ত মথদ ধবল পর্ব্বততা থুংলে বহন্দগী কুমথনা পাণ্ডবকি মক্কদা চংলবই। ধর্ম্মরাজ ইন্দ্রগী পাদদা দণ্ডবত ভক্তি তৌংগা খুং পোম্নহনা হায়রে পিতৃলোক কয়ানা যজ্ঞ যাগদান করা তেরগা উদ্ধব কংঙবনি। ঐদি দান যজ্ঞসু তৌদনা দরশন কজবসি ঐগী বিধ তানা বসি কংলে লাহনা লাই পুম্মক খুরুমজরে. পঞ্চ পাণ্ডব দ্রৌপদী

লোইন খুরুমজরদুনা আসন থারগা পাদ্য অর্ঘ্য পুজা কৌলে, ইন্দ্রনা হায়রকই। ধর্ম্মরাজনা চায়-বিরিবদু অরেপ্পনি অদুবু নহাক্কি অরেপ্পা ধর্ম্মনি। নহাক্কু অযবা কর্ম্ম তৌবদগী পৃথীগী অকনবা ওইরি নহাক্কা পৃথীবিগী মপু ওইরগা ননাওশিংনা নঙ্গি নতু ইল্লি নখোইগী নগুণ শক লোয়নবদা পৃথীবিগী মীওইবা কয়া পাপ তৌকুরি নহাক্কি স্বয়ং ধর্ম্ম অবতারনী অদুনা ধর্ম্মবু লেপ্না তৌগনু। ননাও ভীম অর্জ্জুননা দুর্য্যোধন, কর্ণ কাংলগা পৃথীগী অকুপ্পা শোইদনা তৌরগনি। ঐনা চিংবা লাইনা নখোইগী মরুপ ওইনা লৈগনি, ধর্ম্ম নহাক্কী অপম্বা বর পীয়ু পীরগে? যুধিষ্ঠিরনা হায়রে ঐগী থম্মোইসি ধর্ম্ম লেংদবা ওইজগে দেবরাজনা ঐবু মুংশিবীয়ু। ইন্দ্রনা মখোয়ল তৌরগা নখোইগী পক্কদা লেপকনি হায়রমু ননাও অর্জ্জুননা লৌরুবা লোইশিল্লনি হায়রমু, শান্তি লৈয়ু, লেপ্পা মঙ্গল ওইয়ু বর পীরম্মগা (ইন্দ্র দেবগণ) হল্লখি। পাণ্ডব মুংচাইনরে যুধিষ্ঠিরনা লোমশ ধৌম্যাদা হায়জে, গুরু অনিগী য়াথংবুনি ঐখোয়না ইকোক্ত কাপচরবসি। চহি শুদ্দি ফাংবসি কদাইদা লৈবনা ফংদগে ঐগী পূক্কি দা কাম্যবন্দা লৈবনা ফগদ্রনিংই অমুক্তা কাকপীয়ু? ধৌম্যানা ধর্ম্মরাজগী অপাম্বদু ঐখোইস্তু মারে হায়রকই। ধর্ম্মরাজ মুংচাইরদুনা ঘটোৎকচবু কৌরে। মাবু কৌরবপদা ঘটোৎকচ খুদক্ত থুংলে। ধর্ম্মবু ভীমবু নকুল অর্জুন, দ্রৌপদী, মুনি অনিবু খুরমজে, বরি তৌজোগে হন্নংলি। ধর্ম্মনা ঐখোইবু কাম্যবন্দা চৎনা অমুক্তা থিলম্মু হায়রকই; ধর্ম্মগী য়াথং ফংবদ ঘটোৎকচ মহাক্ত যুথক অমা চাওথোক্লগা মরাপ্প মঙ্গলদা হাপ্লে। ঘটোৎকচ অতিয়াদা পাইরকতুনা নিমিষ অমদা কাম্যবন্দা থুংলদুনা থরগা ভক্তি বিদায় তৌগরগা মরৈবাক য়োৎলে। কাম্যবনগী আশ্রমদা মুংচাইনা পোথানরে, প্রভাস পুণ্য তীর্থদা স্নানক্রিয়া, তিলক, ভজন, ক্রিয়া লোইনরে নকুল, সহদেবনা হৈ-লৈ থিরুরগা দ্রৌপদীনা থোংলনি। দুর্গাগী কৃপানা পাকাম বেঞ্জন পুথোকতুনা লুকংলগা পরিবেষণ সেবা ওইদুনা লোমশ, ধৌম্য, পাণ্ডব চাবা থকপা লোইরদুনা, সভা চৌরাসি খম্বাদা ফমনরে ধর্ম্মরাজ মোরবপগী পাণ্ড ফংবদা সিক্কিনা উবা ব্রাহ্মণ মুনি, ঋষি কয়া থুংলে পাণ্ডবনা ভক্তি সেবা তৌই ব্রহ্মসভ কৃষ্ণ ভক্তি তত্ত্ব বারী শাম্নরদুনা মুংচাইনা লৈরে।

কাম্যবন্দা সাধু বৈষ্ণব মরুপ কয়া লাক্লদুনা হস্তিনাগী সভাগুম ওইরে। দ্বারকানাথ রাম, কৃষ্ণ পরিবারগা রথ তেংদুনা পাণ্ডব মুংশিবদগী কাম্যবন্দা থুংলরে। রাম, কৃষ্ণনা কোবা শঙ্খধ্বনি তাবদা ধর্ম্মরাজ মপান্দা চেংথাকতুনা মনাওশিংগা চৎইদুনা লৈরি। দারুক সারথী রথ থারে, শ্রীকৃষ্ণ রথতগী চোংথরগা দাদা মহারাজ ননাও খুরুমজরি, ধর্ম্মনস্তু শ্রীচরন্দা খুরুমজরি, মপু মনাই দণ্ডবৎ চপ মান্নবা খুরুমলে। হাংগংনরগা চেজেৎ কোনলে। পঞ্চ পাণ্ডব রাম, কৃষ্ণবু সভাদা লেংশিংলক্লগা আসন থারে রাম কৃষ্ণ আসনদা বিরাজ ওইরে। ব্রহ্মসভানা রাম কৃষ্ণবু খুরুমজরে। রাম কৃষ্ণনা মঙ্গল বাতা হংলকই? ধর্ম্ম কুইনা দরশন কাপ্পবু ফংজবদু অমৃত

থিকপগা মাম্না মুংঙাইজহুনা পাও লোইনা তখী। রাসমহুপতি অর্জ্জুনবু থাগংলি, দ্রৌপদী রাম কৃষ্ণ খুরুমজরগা লুক হৌজখরে। ময়াম পুম্নমক প্রভাসদা স্নান জলক্রিয়া ওহাক শাম্নরগা। রাম হরিনচিংবা ব্রাহ্মণ ময়ামগা সভদা হল্লকুনা লক্ষ্মীগী স্বরূপ ওইবা কৃষ্ণানা সেবা ওইহনা রস স্বাদ অমৃতগা মান্নরবা পাকান্ন বেঞ্জন পুবর ওইনা কংবরগা সভা অমুক কখী। কৃষ্ণনা হায়দা মহারাজা কাম্যবন্দ বাস ওইবসি হস্তিনাগী সভাগা মান্নরে, ধর্ম্মনা লেংবরবনা মীওইবগী নমি ধর্ম্মনা লেপ্পা জয় ওইগনি। দুর্যোধন হিংসাদা মুংঙাইরিবসি মতম খরতনি মংদা মুংঙাইরম্ব-গুম্বনি, মতুংদদি মরু কংবা মুংলগরনি, সত্যবু পুক্লিংনা লেংদনা থম্বগা অকবা কর্ম্ম তৌবীয়ু লেপ্পা জয় ওইগনি। শ্রীকৃষ্ণগী মধুরবানি তাবদা ব্রহ্ম সভানা সত্য সত্য শোইক্রবা হাথংনি হায়রকেই। রাম কৃষ্ণনা বিদায় নিরে ধর্ম্মনা প্রেম বিদায় তৌরে পঞ্চালিনী রাম কৃষ্ণ খুরুমই ব্রহ্ম সভা পাণ্ডব বিদায় লেইরগা রাম কৃষ্ণ মচা মনাইগা রথ তোংহনা দ্বারীকা চৌখরে। কাম্যবন্দা তপ জপ দান ধর্ম্ম, কর্ম্ম ব্রহ্মণগী সেবা তৌহনা পাণ্ডব মুংঙাইনা মতম লেন্দুনা লেগরে। অসিগুম্ব বনপর্ব্বগী বারী অসিবু শ্রীবা সদেবনা লেংঙম্নবনি। মীওইবনা অসিবু লেক তাক্রবদা কৃষ্ণ ভক্ত লেপ্পা কয়নি হায়বসি বেদনা লেপথরবনি। মীওইবশিংগীদমক মুক্ত পদবী ফংবা লোংথবা মহৎভাতরনি। হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায় ৪—

দুর্যোধন্না পাণ্ডব খোক্লগে হায়রগা
প্রভাসদা নুপা ময়ামগা ঘোষ যাত্রা লাকপদা
দোষা ওইবা বারী মতাং।

বারী তাবিবা জমেজয়না হংজরকই মুনি, ইবুধৌশিংনা কাম্যবন্দা লৈবা মতুংদা কমদৌরকইখগে মখাগী বারী সিবিরো মনাই তাজরগে। মুনিনা হায়রকই মহারাজা উন্নরগা রাম কৃষ্ণ, ব্রাহ্মণ মুনি ঋসি ময়াম বিদায় তৌনহনা হন্নখরে। লোমশনা মুচিটনা হায়রকই হৌজিক্তি ঐন্দু হল্লগে হায়রকপদা পঞ্চ পাণ্ডব মুনিগী পাদদা কপ্পুনা খুরুমজরে মুনিনা পেন্নহনা বর পিরম্বগা লোমশ স্বর্গ চৌখরে। পাণ্ডব হল্লকুনা কাম্যবন্দা লৈরে হায়বা পাওসি হস্তিনাদা দুর্যোধন তারে।

শোকনি কর্ণ, দুঃশাসন, জয়দ্রথ, সুশর্ম্মা মখুক কন্তবা কাংবুশিং মরুবারদা থম্নরকই। শোকুনিনা হায়রকই, ইমাক্কীদমক মায়না পাশখেলাদা পাণ্ডবপু মন্দা তান্নগা হৌজিক সর্ব্বভুমাপতি ওইহুন। পৃথীবীগী নিংথৌ ময়াম্না কান্নকপা কোরনা কুবেরগা মান্নরে, নিংথৌ ময়াম্না ইমাকপু খুরুম্নী ইন্দ্রগা মান্নরে কৌরব শাগৈগী ভাগ্য ওইরে ইমাক্কী য়েক্লবনা উটহে চারগা উকুশেং জটা পুহুন। মন্দ মাবা লেল্লি মাহ্ য়েংনিংঙ্গা, অমুক্কা থন্নৌ। কর্ণনা হায়, মামগী মাকমসিদা ঐনা পান্ডদি হস্তিনাগী রাণীনচিংবা ময়াম পুরগা, প্রভাস তীর্থ স্নান ঘোষ যাত্রা ওইনা তেঙ্গোল পুরগা গুরুজন মাঙহন্দনা চংলগা বৈভব লেন্নহুনা নোক্লক্লবা পাম্মী হায়রকই। নিংথৌ ধর্ম্ম খল্লবশিংনা ভাল ভাল হায়নরকই দুর্য্যোধনা দুঃশাসন হৌজিকমক তেঙ্গোল সাজন তৌকরো হসিমক যাত্রা তৌরসি। কর্ণনা দুঃশাসন ভীষ্ম দ্রোন, কৃপ, অশ্বথামা গুরু মরিদি থংহল্লদু থবক অম চংশদা মরম অনি পাংথোকসি থহল্লদু চংনবা থৌরাং ইবেন্দশিংদু থুনা লোইহল্লু।

কর্ণগী পাওতাক মতুং ইন্না দুঃশাসনা শিন্দুনা পুম্নমক থৌরাং লোইহুনা যাত্রা তৌনদবগী শগোল, শামু রথ তোংনরে। ধ্বনিহ্ তাবদা বিদুর থোরক্লুনা য়েংবদা থংবা ওম্মী, বিদুর বৈষ্ণবনা ইচ নিংথৌ তীর্থ স্নান অকবা থবক ওইবনা খাম্নরোই ইচা ইমৌ ময়াবাস থম্মেরু নৈচাক লাংহমগনু। প্রভাস তীর্থগী খোংবান কাম্যবন্দু পুন্য থানবি, পুক্লিংহুনা কনবা লৈকোল, লৈকোল লৈবানি গন্ধর্ব্ব লাইনা খোংদারিবা য়েকহৈদবা মকম্নি কথাবুস্থ রুকুরুগনু দুর্য্যোধন হেঃ গুণাভোল ! নুংশা থিবীক্লম্ন কনাবুম্ন য়েক্লরোই মিংচং থনমগে হায়বগী ঘোষ যাত্রা চংশানি, চংবিথরো চচ্চরুখিগে। দুর্য্যোধনগী বা তাবদা বিদুরনা পাণ্ডব য়েক্লবা চংলিবনি অরাবা তারক্কনি থন্দুনা চংখি। পুন্য ক্ষেত্রদা অধর্ম্মনা চত্নরবদি মাইথীবা কঙ্গনি হায়বসি বৈষ্ণবতি থংই, অদুবু খাম্না মাররোই থংহুনা বিদুর হায়দোক্লুনা চংখিবনি। কর্ণনা পল্লনুসি ইবুথৌ ভীষ্মনা থংখবদি সোইদনা খাম্মরগনি হায়হুনা যাত্রা তৌরকই। শগোল, শামু রথ পদাতি, অক্ষৌহিনি তারামথোই নুপী ময়ামগা লাকইবহ্ সমুদ্রনা ইথক হৌরকশগী মতোগুমে। তেঙ্গোল ময়াম লাকপগী ধ্বনিনা প্রলয়গী মতৌ ওইরে, উফুলনা অতিয়া লৈচিম্বাবগুম মমমে, বন উপবন কয়া লাম্মোক্লুনা লাকপনা কাম্যবন প্রভাসগী খোংবাল মৌরক্লে। সোম্বদনা নোংভাল্লকপদা স্নান ক্রিয়া লোইনরগা ব্রাহ্মণশিংনা হৈ-লৈ থিবা চংনখি। ভীম অর্জ্জুননা অরাপ্পদা মৃগয়া চংখি, নকুল সহদেবনা ধর্ম্মরাজগা লৈ। তেঙ্গোলগী ধ্বনিহ্ অরাপ্পদা ভীম অর্জ্জুনা তারগা য়েংঙকপদদি মায়কৈদু উফুলনা মশ্মে, ভীমনা অর্জ্জুন মৃগয়া কন্নাদে দাদা মহারাজবু য়েক্লবা লাকপা ওইরম্মবদি নকুল সহদেব অশাংনি মৌরসি হায়হুনা অনিমক চেল্লকই। কাম্যবন্দনা ধর্ম্ম কৃষ্ণা লৈরিবহ্ তেঙ্গোলগী শব্দ তাবদা সহদেবদা হায়রকই, তেঙ্গোলগী অকনবা ধ্বনিসি অমুক্তা য়েংঙু নয়াম্না অনিম্ন হলক্লে বন অসিদি গন্ধর্ব্ব কিন্নর লৈবনি, ভীমগা লাবা ওইনবরা নত্রগা য়েক্লবা কর্ণ দুর্য্যোধনা ঐথোইনা

তপস্বী ওইদুনা বানা লৈবসিদা য়েক্লপে লাকপরা। ইয়াম্বা চিংনরে নঙদি কলম পায়দুনা পণ তৌবদা সর্ব্বজ্ঞ উবা ঙম্বা ইনাওনি হায়রিঙৈদা, ভীম অর্জ্জুন থুংঙরে। মনাও অনি য়োরকপদা ধর্ম্ম সু'ঙাইদুনা মনাও অনিবু কোল্লি হংঙকই।

অর্জ্জুননা দাদা মহারাজা অরেপ্পদি খংজক্রি। ধর্ম্মনা ধনঞ্জয় তেঙ্গোলসি য়েক্লবনি, নত্তে জবস্থ যত্ন তৌরদি চুম্বী হায়রকই। অর্জ্জুন মনসিদ্ধি রথ কৌরকই, অগ্নি লোক্তা লৈবা কপীধ্বজ রথ থুদক্তা থুংঙরে। পার্থনা ধর্ম্মবু খুরুম্বগা রথ কারগা নোংচুপ-পাংনা অভিয়াদা পায়রক্লুনা য়ংবদা। কর্ণ দুর্য্যোধন্না দুচিংদুনা মুপী ময়ামগা একাদশ অক্ষৌহিনি লাকইবদু উরে, অর্জ্জুন কণ তাংদা রথ পাইরক্লুনা ধর্ম্মরাজগী মফমদা থুংঙরে। ধর্ম্মনা হংবদা অর্জ্জুন্না দাদা মহারাজা পাগেগী মৈতান অসিবা দুর্য্যোধন কর্ণগা তেঙ্গোল সাজন তৌদুনা লাক্লে, মুপীস্থ য়াওরকই ভুরু মরিদ য়াওরক্লে হায়রকই। ভীম কৌরব তেঙ্গোল লাকই তাবদা মৈহৌবগুম শাওনা কাগৎলর্জ্জুনা খুংলোন্নরগা দাদা মহারাজ, কৎত্রবা দুর্য্যোধন শোলনা চৌবরদা লৈপাক লন লৌহৌরগা; ঐখোইবু বন্দা তাল্লকপানি ধর্ম্ম ঙাকপদগী অরাবা তাদুনা বন্দা লৈরি অমুকস্থ য়েক্লপে লাকইবনি য়াথং শিবিয়ু মচিন মনাও চানা ঙসি লোইনা হাংকে। ধনঞ্জয় হৌগংস্থ নকুল সহদেব থল্লে খুংলাই পায়রে ঙসি য়েক্লব লোইরসি। ভীমগী বা তারগা অর্জ্জুনস্থ অচাকপা মৈদা য়ী হৈজিল্লুবগুম শাওবনা খাচিক্লুনা। গাণ্ডিবা লিক্লং মনসিদ্ধি তেঙ্গোং শিব ধর্গ দেবদত্ত শঙ্খগা রথদা তোংলগা লিক্লং লিরি চল্লগা ভঙ্কার তৌরকই, নকুল সহদেব ঙংদুনা হৌগংলক্লগা অক্ষয় ধনু অস্ত্র পায়রক্লে ভীম গদাবাথ হৌরকই সিংহনাদ তৌরকপদা কাম্যবন থুক থুক নিক্লে। মতৌদু উবদ ধর্ম্মরজনা হায়রকই হে: ভীম অর্জ্জুন নকুল সহদেব অমুক্ত হুদি শান্ত ওইখো ইয়াম্ব বা হায়গে, নখোইনা তৌগে নিংবদা ঙম্মোইদবা লৈতে লাইনা ঙমকয়বা ইনাও ঙাক্লি, অদুবু অশাঙবনা ধর্ম্ম মাংহনবনি। দুর্য্যোধন্না লাকইবগী মরমদু মুস্না থংখিসি মুপীস্থ য়াওরক্লবদি বন বিহার ল্লাকপরা তীর্থ যাত্রা লাকপরা নত্রগা ঐখোইবু য়েক্লপে লাকপনি হায়বা মরমদু মুস্না থংঙগা; কেক্লি ধর্ম্মদা লান তৌগদরনি মপাঙ্গল শোলবঙীদি অস্ত্রবা সমুদ্রগী লামবা হিং লৈবনি, কৎতবা লমচংক্লি লামবা হিদি লৈতবনি ধর্ম্মতবা জীবগী লায়বনি। ধর্ম্মরাজগী য়াথং ঙাক্লুনা মরিমক মরু লুক্লুনা কম্নথরে ঈশিংগী ইথকপু লৈরাইনা ঙাকপগুম সাজন লোইকখবদু কমদুনা লৈনরে, ধর্ম্মরাজনা তপস্বী বেশ ওইদুনা কুশাসন কম্বী মাংদনা ব্রহ্ম সভা কপ্পী নাকয়েৎ ওই তুংদনা মনাও মরিনে কৃষ্ণানে মঙানা থোগপগ ওইরি। ধর্ম্মগী ফজবা বাহায়না ব্রহ্ম সভাবু পেলহল্লি, ধর্ম্মরাজগী গুণ দেব সভাগী ময়াইদা ইন্দ্রনা ঙানবগুম্বী সভা কমদুনা লৈরি। মতমদুদা কৌরবকি তেঙ্গোল কাম্যবন্দা থুংঙরে; দুর্য্যোধন্না লাকইবগি বৈভব উংনবগী চানবা শেংনবা লৈতেঙ্গী পোং উম্ভোকনি, পোলারি, মনি রত্ন কয়া শগোল শামু রথ সনাগী মী মরিনা পুবা দোলাই কোটি

কোটি অর্ব্বুদ অনিনি। দুর্য্যোধন্না শামু টাই মথক্তা সনাগী যুথল হাইদোক্লগা ভানুমতি রাণীদা খুদোম্না মপা তাক্তুনা হায়রকই. আদগী উনাগী খাংপোকসি দ্রৌপদীনা লৈরিবনি নখোই ময়াম য়েংঙু; ময়াম্না ঐখোইগী লাইবক ফবনা উজবা কংঙু হায়নরকই। প্রশংগী মতমদা নিয়ক্তপগা মাঙনা লাকইবা দুর্য্যোধনবু নিংথৌ কয়ানা থৌগললি প্রভাস খোংবান্দা থুগুরে. সজয়গী মচা প্রতিকামি পাণ্ডবপু খুরুমজগদবগী ধর্ম্মরাজগী সভদা থুগঙহুনা ধর্ম্মবু খুরুমজরে ভীম অর্জ্জুন নকুল সহদেব দ্রৌপদী ব্রহ্ম সভা খুরুমজৈ। যুধিষ্ঠিরনা প্রতিকামি কুরু রাজনা লাকপসি করম করিগী লাকপনো কদায় য়ৌগদবনো অমুক্ত হায়যু? মহারাজ কুরুরাজদি ইংবন্দশিংগী তীর্থ স্নান ঘোষ যাত্রা ওইনা লাকপনি প্রভাস স্নান তৌরগা হস্তিনাপুরদা হায়না প্রতিক মিনা হংগৎচ।

ধর্ম্মনা অমুক হায়রকই, প্রতিকামি ইনাওদি কুরু শাগগী অথোইবা ভূপতিনি মকম অসি মুনিগী লাই নিংফম দেব, গন্ধর্ব্ব যক্ষ রক্ষগী লৈফমনি। কমারুস্তু মিন্দা তৌরুসু হায়যুকা ফনি হায়রজগে খুরুমজরগা প্রতিকামি চত্থি। অর্জ্জুন স্নান লাকপা নত্তে হায়লবদা রথ বিদায় তৌরে, কর্ণরাখা অগ্নিলোক য়ৌথরে। প্রতিকামিনা কুরুরাজদা ধর্ম্মনা হায়রকপাড় লেপ্‌কইনা তম্মী। রাজু ভাবদা কর্ণ, শকুনি, নোক্লগা হায়রকই মখেইদ লাই মিবা ওইরবনি। বিজয়হুনা হায়জরিবনি। ফেকি সর্ব্ব ভূপতিবু লাই, গন্ধর্ব্ব কিন্নর য়েক্লরবা মতিক লৈতে নাপন তৌরকই। কর্ণ দুর্য্যোধন মুংঙাইরে. নিংথৌশিং মীয়াম ভুমিন মকুলুক লৈনখি। পুণ্যতীর্থ প্রভাস বন হৈ-লৈ. কোকিল, রাহোং বসন্তগী মলয়া সমিরন বায়ুনা ভক্তনা থৌগল্লি. মুনিমকপু ভ্রম ওইরিবা বনগী ফজবহু শিংথাবা উম্মরোইদবা ফজবা বননি। মাহু নবদা দুর্য্যোধন্না বস্ত্র যোর পরেং পরেং সভা ফমনবা সেন শাবা লোইহনখরে, স্নান ক্রিয়া লোইরগা ফজবা বস্ত্র অলঙ্কার লৈতেংলগা পুরি পুরা সন্দেস চারি, পুজারি কয়ানা পাকান বেঞ্জন থোংতি কয়ামুক ফজরবা শয্যা শেমহুনা হিপ্নরি সুশর্ম্ম. কর্ণ, শকুনিনা লুনিংবা কংতবা দুর্য্যোধনগী চান্নবা নিংথৌ কয়ানা চৌবর শান্নরি তীর্থগী মনাক খোংবান বন্দু ফিগী য়ুমহবু য়েংবদা অঙকপগা মতৌ ওইরে। শগোল শামু রথ মীয়াম্না হংগৎ হন্দা চৎপদা হৈপাল লৈপাল উপাম্না ফজরবাহু উফুল হৌরে। অসিগুম্না মহাভারতসিনা থম্বালগী মশক্কি, থম্বাল শকাইহল্লিবা নুমিৎকী মশক্কা শ্রীব্যাসদেবনা ওইরি কবি কয়ানসু লেংনরি ইতি হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায় :—

দুর্য্যোধনগী তেঙ্গোলগা চিত্রসেন গন্ধর্ব্বগা লান তৌনবা দুর্য্যোধন ফবা ফংবা বারী মতাং।

বৈশম্পায়ননা হায় — রাজা জন্মেজয়! অহিংছু মুংঙাইনা লৈরে নোংঙাল্লগা দুর্য্যোধন, কর্ণ, দুপী ময়ামগা বনগী ফজবা কোইনা য়েংছকপদা চিত্রসেন গন্ধর্ব্বগী মন মনাই অনিনা শংদুনা লৈবদু য়ৌরক্লে. বনদুদ রথ থৌজিল্লক্লগা হৈ-লৈল হেক্কে তৌরকই। গন্ধর্ব্ব দূত অনিদুনা দুর্য্যোধনদা চ... তৌনা হায়জরক, সর্ব্বভুমাপতি মন অসি চিত্রসেন গন্ধর্ব্বরাজগী বননি; ঐখোইনা সংজরি ল হৈ হকপিগে হায়রবদু রথ থৌজিনবিদনা হৈপাল লৈপাল শোকহনবিয়ু, লৈ অশাংপা হৈ অমুনম থন্দুনা হকপিয়ু নত্রবদি গন্ধর্ব্বর জগী মথুঙা অৱাবা ফঙনি হায়রকই। বাদু তাবদা কর্ণনা শাওনা হায়রকই, গন্ধর্ব্বগী মীনায়! পৃথীবী মপুদি কুরুরাজনি স্বর্গগী গন্ধর্ব্বনা মন শেমদুনা থম্লদি, কনাগী রাথ দগীনো চংলু কর্ণনা য়াক্লা হায়রকই। হায়জক গন্ধর্ব্ব চানা লাক্লবস্তু লাক্লবস্তু মথ্রাই লোগে ইবেঙশিং নরিংতৌনা খুললু ঐ ককুথগে হায়রগা হেম কাপ্পদুনা: লৈ চরোং চরোং ককৈথ। দুপা ময়ায়ু মনিং তৌনা শগোল, শামু রথ থৌজিল্লকতুনা মনদু হৈপাল লৈপাল মন তেক্লে। মতৌং উবদা গন্ধর্ব্বগী মনাই অনিদু স্বর্গ য়ৌখিদুনা চিত্রসেন্দা পাও তমজরে। পাওদু তাবনা চিত্রসেন হৈ হৌংগুম শাওদুনা রথ তোংলগা খুংস্নু খুংলাইগা খুনজা থুংজরে। সিংহনাদ তৌদুনা হায় মানব বেট মথ্রাই লোগে লৈরম্মু মাপন তৌজবা শাৱিবা নথবাই লোগে হায়রগা. তেঙ্গোলগী থক ... কাপশিল্লকতুনা তেঙ্গোল পুম্নমক মম্‌শিলক্লে। মতৌদু উবদ কর্ণ শাওদুনা স্বর্যাবান কাপতনা জালহল্লগা জালদু মেদিবান্না ককথলদুনা থাদৈ। দুর্যোধন্না দুপী ময়াদু ... নৈংকোন্দা লৈরে. তেঙ্গোল ময়ামগা কর্ণগনা চিত্রসেনগা লান্না পানরী। মাইপৈ খুদিং কোইদুনা তেঙ্গোল ময়ান্না কাপশিল্লকপদু, গন্ধর্ব্বনা ককুনা থাদরগা অমুক কাপ-থোক্লকপা গন্ধর্ব্বমান্না থাবদা য়াম্বদুনা তানরে, কর্ণ চিত্রসেনগা প্রলয়গী মতৌগুম কাপ্পে, ককুথংবৈ।

বৈশম্পায়ননা হায় রাজ জন্মেজয়। তেঙ্গোল ময়ামদি জান তারকপদা গন্ধর্ব্ব কিময়দগী কায়দুনা চৎরে। কর্ণ. চিত্রসেন দণ্ড অমা পানবদ্য ওমনদে। কর্ণগী বিদ্যা শক্তি উবদা ধন্য ধন্য কর্ণ হৌজিক্তি ঐগী ইঙিক থঙদুকো হায়রম্নগা মায়াযুদ্ধদা লোইরগে থন্দুনা অতিয়াদা মশক উহন্দনা পায়থংলগা কাপথরকপদু নোং চুথরকপগা মান্নরে। কর্ণ ঙাকপা ওমদদুনা তেঙ্গোল ময়ামদু তেন্না থাবদা ঊহং মাইহং শাদুনা তানরে রথ, অশ্ব, গজ কয়া ককথদুনা থাদরে, কর্ণদু অক্ষয় কপচ কিরিটি কুণ্ডল শাগোৎন্নে খুংলাই, চংদে থংদুনা মুর্গর অস্ত্র কাপ্পুনা থম্মোয়দা থাবদা কর্ণ শোয়-

থিংহনা মূর্খ ওইরে জ্ঞান তাকপদা হোৎনবি হন্না হন্না থাজিল্লকপদা থাংবা ঙমদ্রহনা কর্ণ চেন্নে। দুর্য্যোধনগী মাংদা গন্ধর্ব্ব রথ হায়থরক্লুনা হায় মহাপাপী নথবাই লৌগে থক্লনি হায়দুনা লাগুরকপদা কুরু রাজা মুপী মযাম লৈকোন্দা থমম্মগা; গন্ধর্ব্বগা লান্না পান্নরকপদা দুর্য্যোধনগী খুৎকাপ নমদুনা ককথৎলগা মাগপাগ কাপশিল্লক্লুনা নমদুনা ক'রগা পুল্লে। চিত্রসেন্না রথদা পুথৎলক্লগা শউন থোরম্না কিরান চৈথোক্না পুল্লে। ফংতবা মদি স্বর্গয়োকগী মযান কুইম্ম য়েংহল্লগা হাংকে হায়দুনা রথ তোংথৎলগা অরং পাংনা দোলাই থোথরে * কুরু রাজাগী প্রাণ কনবা থল্লুরগা ইনাওনা কুরুবংশ মুৎপা তারে প্রাণ কনবীবা ঙমগদবদি পাণ্ডবতনা ঙমগনি। ইকাই, ইকি, থাদোক্লে ইতৈ ইবুংঙো ধর্ম্মরাজগী পাদদ হায়জক্লসি হাইরগা মনাও-শিংগা ভানুমতি রাণীনা কপ্পুনা চেল্লকই। মনাও মরিফুতারামাপল মনাই মুপীশিংগী তুংইন্দুনা পাণ্ডবকি লৈকম য়ৌরক্লগা ধর্ম্মগী মাংদা কপ্পুনা খুরুমজরগা, পাণ্ড পুম্নমক তমজরগা কুরুরাজগী প্রাণ অমুক্ত কনবীয়ু নমাওগী থবাই কনবীড়বদি নমাই ঐথোইস্তু থবাই থাজরগে হায়রগা পৃথ্বীদা ওমথে ইনা কপ্পী। ধর্ম্মরাজ মনাও মুপীশিংগী মতৌ য়েংবা ঙমদ্রে, দুর্য্যোধনগী প্রাণ কল্লগে থন্দুনা হাঃ ভীম অর্জ্জুন নয়াম্না কুরুরাজাবু চিত্রসেন গন্ধর্ব্ব। পুল্লগ রথদা হাপ্পুনা পুথে, থিল্লে নয়ামগী প্রাণ কল্লু হায়রকই। নকুল সহদেব দ্রৌপদীনা ধর্ম্মগী থোংগা লিবাজ ভাম অর্জ্জুন্না লাপতক লানগী ইরাং য়েংদুনা লৈবনি, দুর্য্যোধন পুথে, থাজনা ধর্ম লৈতবা ঐথোইবু নোক্লগে লাকপনি মরাম্না কংডিবানি স্বর্গয়োথসনু। দাদা মহারজগী য়াথং ভাংদোক্লে লায়ব য়ামবা য়াবি কন্না শাসি থম্নরগা; ভীমনা খোজাও থাদুনা হোঃ অর্জ্জুন ঙসিগী হৈং লৈং কদায়দা থিক'স গ হায়রগা মনাও য়োমদা ঙশিন্নি। ধর্ম্মনা হোঃ ভীম অর্জ্জুন নয়াম্না কুরুরাজগী প্রাণ কল্লু হায়রকই। পার্থনা অমুক হোঃ দাদা য়াইমা অনকপদস্তু লৈত্রে থর লাপ্পা লিক্লসি হায় ধর্ম্মরাজানা অনিগী য়াবিনা কন্দুনা তাক্ল মাল্লে, গন্ধর্ব্ব লাপথিদুনা কনবা মংদৌরয়োই থন্দুনা। লিক্লং তেন্দোং পায়রগা ভীম অর্জ্জুনগীমাক্তা চেনশিল্লগা কুরুরাজাবু গন্ধর্ব্বনা কাপ্পনা পুথে, প্রাণ কল্লু হায়বদু তাত্রবরা? ভীম অর্জ্জুন ধর্ম্মবু থরুমজরগা নমাই ঐথোই হৈ-লৈ থিকম থম্নজবদা

---

* অনুবাদ—চিত্রসেননা দুর্য্যোধনবু কাদুনা রথদা পুন্দুনা পুবসি, দুপী মযামগা পুগপ কাদুনা চাল্লনি। ভানুমতিনা দুত অমদা ঐথোইবু কনবীয়ু হায়রু হায়দুনা। দুতনা চেল্লক্লুনা হায়জরবগী মত ওইনা, (ব্যাসগী কাব্যগীদু লৈতভো) মদুগা গন্ধর্ব্বগা দুপীশিংগা; অর্জ্জুন্না থাদুনা ধর্ম্মগী নাক্তা পোয়রক্লগ, ধর্ম্মনা গন্ধর্ব্ব থাদোক থিবগী মতনি। অমদুং জৈমিনি অশ্বম ভারতকি মতনা দুর্য্যোধনবু পুল্লগা পুথিবদ। ভানুমতিনা মনাওশিংগা চেলক্লুনা ধর্ম্মদা হায়জদুনা ভীম অর্জ্জুন থারগা গন্ধর্ব্বগী রথদু অর্জ্জুনা, ইন্দ্রজাল কাপ্পগা অতিয়াদা পাইথদুবু কাবদা। গন্ধর্ব্বনা পিরম দুর্য্যোধন কনবগী মতনি। বারীগী শৈয়েং ইজরকপদা (জৈমিনি, অমদুং অশ্বম, ভারতকী মত মসিদা ইজয়ে। ইতি।

ভাকহৌত্রে, কনহুম করে, ঐখোইবু নোকনে লাকপদি মরাম্না কংজখিবনি সিজন্নরু কল্লুবনি হায়রকই।

ভীম অর্জুনগী বাহৈ তাবদা যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই, ইনাও কুরুরাজাবু ইমাংদা হেক্লবদা কংখনা পুথিবনু কল্লবদি, চন্দ্রবংশগী কুমশ কুখিং থাদা লৈরিবথৈ ইহাকবক্তা লৈহৌগদবগী শক্তকপুদি ওগো কল্লুগে চহদবা থোক্লে গন্ধর্বগী মখুত্তা প্রাণ থাথবগে। ধর্ম লিকং তেংদোংগী যাত্রা তোপদোরে। মতৌহু উবদা ভীম অর্জুননা ধর্মরাজাবু খুরুমজরগা দাদা মহারাজা ঐখোইবু হেক্লবগী হায়জবদি, কনবিগে লেপ্তীরবদি নমাও ঐখোই গন্ধর্বগী মখুত্তগী লোইদবা কজক্লগে হায়রগ', ভীম অর্জুন অরাং পাংনা গন্ধর্বরু তাম্নরকই। ভীমনা হোঃ গন্ধর্বরাজা! ভাইখো কুরুরাজা পিরগু ঐখোই লৈরিঙৈদা ইয়াম্বনু পুন্দুনা পুরিবা করিগীনো হায়রকই। ভীম অর্জুন তাম্নরকইবা ভীমগী খোঞ্জাও তাবদা চিত্রসেন রথহু অতিয়াদা বাংনা পাইথংলগা হায়রকই। পাণ্ডব নখোইবু শলনা চৌবরদা লৈপাক লন মুক্লগা বন চংহল্লিবা ধর্ম লৈত্রবা দুর্যোধন হাবলগা নখোইগী উপায় তৌরগে। অর্জুনা হায়রকই গন্ধর্বরাজা, হায়রিবহু য়ারোই শাসৈগী পীবামি ইংাম্বনু কনক্রবদি চন্দ্রবংশগী মিংচং থীবনি পিরগু।

চিত্রসেননা হ: ভীম অর্জুন ঐগী বন মাংহনুবা গন্ধর্বরু উশিঙবা যাধু হাংলগা ঐ লোল্লগে পিরগুরোই হায়রগা অতিয়াদা পাইথংখে। ভীমনা অর্জুন গন্ধর্বসি মী উশিঙে জালশরনা কারগা লেখরো ঐ গদানা মকোক য়েথাইগে। অর্জুন ইন্দ্রজাল শর লৌহুনা তেজিন্দা মন্ত্র লোল্লহনা বধূ গুণদা জুরিবগা লিরিনাকোং কংনাচিংলগা কাম্নদা জালনা উপ্তুনা কারগা জালগী খুজি পাটরগা অর্জুনা চিখরকই। জাল অহুদি ককপা য়ামবা জালনিনা চিত্রসেন পৃথীদ, হায়থবা তারে, ভীমনা কৌমুদিগদা পায়হনা ভাইরিকহু উবদ ভীমবু কিহুমা চিত্রসেন অতিয়াদগী তাম্বরকই। হে: ভীম অর্জুন পাণ্ডব নখোইবু দুংশিবদগী নখোইগী য়েক্লবসি থনম্বরোই তৌবনি। পাণ্ডব নখোইগী পুকচেলগুবসিদি কগণা লৈবরোই, নয়াম্বাদি পিরগে জাল লৌথোক্লো হায়রক্লে। পার্থ মুক্ত মন্ত্রগী শক্তিনা জাল লৌথোক্লে, চিত্রসেনা দুর্যোধনবু মথোং মখুত্তি পুল্লগা পাস ভত্রী লৌথোক্লগা। কুরু দাস ভীম অর্জুন ঐ মথাদদি কুপত্রুরোই অম্বন পিরক্লগে নখোই নফাম্বগী থোগল ওইহনা ওকটকো হায়রগা; দুর্যোধনবু লংথরম্বগা চিত্রসেন গন্ধর্ব লোক য়োথি। দুর্যোধন অতিয়াদগী হাংথরকপহু ভীমনা পার্থ ইনাওদি ওকপা কয়া হৈনরোই। ঐ ওকে হায়রগা দদাগী পুংমাইনা দুর্যোধনগী মময়াংদা দিক লাওনা ওক্লগা পৃথীদা দংখাদরগা ইহেঃ মাহুথরে হায়রগা ভীমনা মরাংদা নজন্দা খুতুমা তম তম থারে। দুর্যোধন থবাইবু হিংহবদি দুগেমথৈ জেরনহু থম্বুনা মিং অমি উইশিন্নগা খাটিজুনা থাংথি। ভীমনা খুতুমা থাবহু মথোন্দি হৌরে অমি লোতে, অর্জুন চেনশিন্নতুনা দাদা য়াইনা তোকপীরো দাদা মহারাজা লোইবগী হায়রগা

কিম্না তিংসোক্লবা থক থক থিনবদা দুর্য্যোধন তিংদনা বাঁহথরে। অর্জ্জুননা দাদা য় ইমা তোক্লসি সিদগী হেক্কিল্লবদি সোইরণী হায়নহুনা থাদোক্লরে। অর্জ্জুনবা কমদৌনিংগে হায়, ভীমনা দাদা মহারাজগী মকমদা পুন্নসি ঐ সেমগে থৌগলগী মওংদা পুনি হায়রগা সম্বক মপুন অমা উরি অকনবা অহুম লৌকয়গা উরি অহুমহু থরে সক্লোইহিদাক মনা মাংবা সম্বক্তু শন্দোক্লে দুর্য্যোধনগী দোংহ হাপ্লগা সম্বক্তা যোমশিল্লগা গদাহু উরিহুদা লোননিল্লগ, উনা পুংবা উশা অনি থেক্লগা অর্জ্জুনবু অমা শাইহল্লে. ভী না অমা পায়রে গদা লেংবান্দা দুর্যোধনবু লেংথোংপুহনা উশাহুনা কাংহায়. চামরগী থৌগল শাহুনা হায়হমহুনা ধর্ম্মরাজগী মকমদা পুরক্কুনা থাবরে। ধর্ম্মনা ভীম অর্জ্জুন কহিনে পুরকইবনো? অনিনা খুরুমজরগা হায়জে দাদা মহারাজা গন্ধর্ব্বগী কুরুরাজাগী প্রাণসি কণ্ডরক্ল, গন্ধর্ব্বগী মখুত্তা দাদা মহারাজগী দেহেসি শোংবা কমহুনা তিন কাংবা শোক্লনবা উনান থৌগল ওইহুনা পুজরক্লবনি হায়না ভীমনা হাজরকই। যুধিষ্ঠির উনাহু কায়দে কলুবদদি শম্বক ওইরম্মে দেহেহু পুমতাংতাংনা থাগৎভুনা জ্ঞান লৈতনা মুর্ষা ওইরবহু উবদা য়েংবা ভনত্রহুনা, কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোল্লগা সিং সিং নাল্লি। ধর্ম্মরাজগী পুন্থ চেনবা খুংনা শ্রীকৃষ্ণগী নাম শোল্লগা নানবদা দুর্য্যোধন জ্ঞান লাক্কুনা হরি হরি শোন্দুনা হৌগংলকই। ধর্ম্মরাজগী পদদা খুরুমজে যুধিষ্ঠিরনা কুরুরাজবু চেজেং কোল্লগা ইনাওদি বাক্লমাল্লে আসন হায়রবপদা, সহদেবনা আসন পরে দুর্য্যোধন মন্ত্র শোল্লগা দেহেহু নালবদা চৈনা কোক্কুনা আসন্দা মরু লুক্কুনা ফম্মে ভীম অর্জ্জুন, নকুল, সহদেব কুরুরাজবু খুরুম্মী। ভানুমতি রাণী লোল্লকনা ইতৈ ইবুংঙোগী থৌজাল ইনাও ইবুংঙো অনিগী মপান্দগী মহারাজগী প্রাণ হিংলিবনি হায়রগা; ধর্ম্মবু কুরুরাজবু খুরুমজে দ্রৌপদীগা কৌরবকী নুপী ময়ামগা কমমিন্নহুনা বারী শান্নরে। ধর্ম্মনা নকুল, সহদেব থারগা কৌরবকি তেজোল ময়াম কৌহল্লুরে। দ্রৌপদীদা ইবেম্মা সত্তা নংগী নপালনা ওসিদি ময়ামসি কৃষ্ণগী প্রসাদি ফংমিন্নসি লুক হৌক্লরো বাথং পিরে। পঞ্চালিনী লুক হৌখরে, ধর্ম্মরাজনা প্রাণভাই কুরুরাজা উনদবম্তু কুইরে ময়ামসি ইরাম্বনা অন্নদান সেবা ফংলগে। তেজোল ময়ামতু ধর্ম্মবু খুরুমজরগা সত্তা ফম্মে ধর্ম্মরাজানা অক্ষৌহিনি ভারামথোইবু অন্নদান তৌনি হায়রবহুদা মীয়াম ওক্লহুনা বা ভাংনদনা য়েংহুনা লৈনৈ। ধর্ম্মগী বাথং মতুং ইন্না ভীম অর্জ্জুন, নকুল সহদেবনা সেবা লাথারে, দ্রৌপদীনা সূর্য্যগী কৃপানা পাকাম্ন বেল্লম পুথোক্কুনা শ্রীকৃষ্ণদা লুক কৎলগা, ময়ামগী (পরিবেসন) চাক য়েনছাং হাপ্পা লোইহুনা ধর্ম্মরাজানা ফংবা য়ারণী বাথং পিহুনা ব্রহ্ম সভ, কৌরবকি মীয়াম ফংনরে দ্রৌপদীনা কঙাং অপা হাপ্তুনা অমৃতগা মাম্না হাওখৎবা রসহু পুরণ ওইনা ফংনবা লোইরহুনা সত্তা ফম্নরে নকুল সহদেবনা পানা হৈ লৈ য়েন্দুনা ময়ামগী সেবা লোইরে। যুধিষ্ঠিরনা দুর্য্যোধন্দা ইনাওনা মতুংদদি পুন্থ ক্ষেত্র তীর্থ যাত্রাদা আস্থর্য্যগী থোংচংসি তৌরুহু হৌজিক হল্লো, পাবুংহন ইবুধৌ, গুরু, আচার্য্য ইমাবোকতম্ব খুরুমজরকই হজংল্লুক্লো

বিদায় পিরে কুরুরাজ ভক্তি বিদায় লোইমহনা মীয়ামশা চংলমকাইদা অর্জ্জুনদা হায়রকই। ধনঞ্জয় মহুন ইয়াম্নগী থয়াই কনবসি ইয়ম্বদা অপাম্বা অন হায়য় লমম শিবা ওইনা ঐ পিরগে, মহাকনবু হায়রবদি চন্দ্র সূর্য্য, পৃথী আকাশনা শাখি সত্য হৌজিক বন চংলিবসি তোক্লগা কাংজুম ইন্দ্রপ্রভৃতিনা পাল্লগে হায়রবস্থু পিরগে। হেক সোংবদা মুমিং থামা লৈরিমথৈ ইয়াম্বা নবক ঙথগে, মহক্লা অপাম্বা চিরো। দুর্য্যোধনকা পেল্লিবসি ভীমনা কুবদা সিয়গদবনি, অর্জ্জুনা কন্দুনা সিংথোকনা অসিদা পেংখিরনা অকমবা বাণজুনা হনরবনু মিং উইশন্দুনা থাংবনিনা পাংথম সিংবদগী দুর্য্যোধনা অর্জ্জুনা কনবনি খন্দুনা পেল্লিবনি। পার্থনা দদ, মহারাজন্বী উপায় তে ঐ ইয়াম্বদগী মমল লৌবজুথ লোকই ঐ নিজয়োই লাংরকই। দুর্য্যোধনা ইয়াম্বা রাশকথে, লমহ তেল্লবনি নরক তরগনি নিদৰ থাদে নিয়ু। অর্জ্জুনা দাদা মহারাজ লৌজিক নিরবদি মিচং খরানি মমাঙ্গ বর বাকি অমা তেলি হায়বস কাওবীরগু। মমাক কাম্নদবা মতমদা নিজগে অদুগা পিবিয়ু হায়র, দুর্য্যোধন হয়ে ইমাওমা নিরকপা মকমদা সত্যনা শাক্তি সোইদনা পিগনি, কৈংনা কুরুরাজনা ধ বু খুকম্বী। দুগী মমায়া কৃষ্ণাবু খুকম্বা। হনকপহু মমামগা প্রভাস লেখনদ কর্ণনা উংবে; কর্ণ উবদ দুর্য্যোধনা শোকনি সৌবল, দুঃশাসন্দ, হায়রকই। ঐ লৈকোরগে কল্লোকনা হস্তিনাদা পলুরো ঐ চিংহুনা লৈবগী কাম্নজো। কর্ণ ইত্তাওবজি মরাদগী ধর্ম্ম কাইদবা পাঙ্গা লাক্লকসি লাক্লগ; গন্ধর্ব্বনা ঐবু শা খণগুম পুন্দুন পুবনু নখোইনা উপায় ওমদবা, পাণ্ডব লৈবজবদ শিগদোবনি অর্জ্জুন গন্ধর্ব্বদগী থয়াই কনগা। দাদা মহারাজনা ঐখোইবু পাকাম লেক্সম পিজবগ থাংককবজি কর্ণগী গুণ থংলে ঐ চিংগী কাংজে শিংবদগী হেম্না তে ল্লবনি, ঐশিংনা লোংথমনা থরাই থারগে দুর্য্যোধনগী মতৌ ইবা হায়হ তাবদ কর্ণনা হায়রকই মহারাজা ইন্দ্রবু দানব কয়ামা মাইথিবা পীহুনা অরাবা কয়া নংখি। অদুবু উপায় থিরগা অমুক দানবপু জয় তৌবগা অমুক হস্তিনগা পাল্লি বজিমা ইন্দ্রবু তাংঙ্গা পাজথবনি; অদুবু দেবরাজনা লৈকোবং কনবদগী ওমকরবা বজিবু পাতালদা থম্নগা ইন্দ্রনা পাল্লিবনি। লানগী জয় পরাজয় হায়বস বিধাতাগী লোংদমনি ভীম অর্জ্জুনগী চিংনরিবহু নাঙ্গু ঐনা রাশকথুবনি, অর্জ্জুনদি ঐগী দাবনি ভীমনা মহারাজগী রাশক্তি লেপ্পা য়েক্লবা জয় তৌবনা ক্ষেত্রগী ধর্ম্মনি কবিগী থরাই থাগদগে রাবীক্লম্নু। কর্ণগী হায়ায় তাবদ দুর্য্যোধন পাণ্ডব জয় তৌনবা লাই নিংঙগে খন্দুনা ভানুমতি রাণীদা ঐ য়েক্লবা জয় তৌমব, চহি অমাতং লাই নিংঙথিগে, প্রিয়ে নঙনা পিতা মাতাগী সেবা লুমা তৌরম্মু রাক্লনু মরাম পুহনা হস্তিনা লৌথো। চিংনক্লনু ঐ চহি অমাস্থবদা সোইদনা হনক্লনি হনদক ঐগী থবাই প্রিয়ে নঙগী উপায়দগী হিংঙকপনি। সতী ধর্ম্মনা মুপীপাদি অরেপ্প, মনমি কাওপন্থ বিদায় পিরে, কর্ণ, শোকনি, সৌবল, দুশাসনদস্থ হস্তিনা পালন তৌনরগু, ঐ মতম থরদং লাই নিংঙক্কে বিদায় তৌরে। বনপর্ব্বগী রাগী অসি পুক্লিং চংনা তাজবদা মীওইবন

অরোইবা মতমদা জীবাত্মা অদু হরি ধাম কংগনি হায়বসি সোইকদবা শ্রীব্যাসনা জীবগী উপ র ওইনবা লেংওখৎবনি ইতি। হরিবোল হরিবোল ॥

অধ্যায় ঃ—

দুর্যোধন কাল মঙাগী মরূপ ওইবা— মমনা পদ্মরাগ মনি কিরিটি পীবা মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় ! রাজা জন্মেজয় ! শ্রদ্ধা শ্রবণ ওইয়ু। কুরুরাজা অরেম্ব পুক্নিং থংলহনা কর্ণ, সোবল, শোকনি, শাল্ব, সুশর্ম দুঃশাসনচিংবা অক্ষৌহিনি অমারাম্বাখোই, ভানুমতি রাণীনা মুচিংবা মুগীশিং ময়ামগা হস্তিনাদ হল্লকই। দুর্যোধনগী পাও তম্বদা অঙ্কর জ অদুবা ওইদুনা দরবার থোরক্লে, ভীষ্মনা পাওদু কংব্রমা। কোন্নুং চ ঙক্লগ ধৃতরাষ্ট্রন ইচা নিংথৌ রাকদু দুর্যোধন সোইদনা হল্লকনি ঐখোই থংহন্দনা ঘোষ যাত্রানি চংলগ ধর্ম কহদবা পাণ্ডব য়েক্লবা চংবুবগী ফগনি, চহি তারামরি স্থরকপদনি ধর্মবু য়েক্লবগী ধরা লোইনা তুম্মগা থম্ম লৈবা নচাশিংবা ইচা নিংথৌগী সেবা তৌরনি রাকহুম কাম্ররবোই ঐনা হায়রিবা রাকমাস কাওগদু হায়রম্মগা ভীষ্ম ময়ুমদা হনখরে। রারি তারিবা জন্মেজয়না হংজরকই, মহামুনি কুরুরাজবু কমদৌরিবগে লিবিরো নমাই তাকরগে। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় মহারাজা দুর্যোধনদু বরানসিদা পাণ্ডব জয় তৌনবা লাই নিংঙ্গে হায়বগী চিন্ত ওইদুনা লাকপদু কলিগী মনাই কাল মঙানা উরদুনা দুর্যোধনসি কালগী শক্তিনা পোকপনি মনাই য়াওদনা ময়া রানা মু চাইতনা লাক্লে অমুক্তা উপায় তৌরুসি, থমহনা কল মঙা দুর্যোধনগী মাথা থুডরগা সর্বভুমাপতি কুরুরাজা নচা নমাই থোগনু অমকাও য়াওদনা চিন্তা তৌদুনা চংলবদু উবদা ঐখোইগী কলি যুগকি মরূপনি। কাল কোবা লাইগী মগানি ইমিংমা (ওকাল, বিকাল, সোকাল, মহাকাল, রক্তবিজকাল) কৌই। মহারাজবু মুংশহুম লাকপনি কারি উপায় তৌগে অপাম্বদু হায়রি ? দুর্যোধনা মহাশয় কাল মঙামক ঐগী মরূপ ওইনরসি হৌজিক্তি হায়জররোই মতম চাবদা হায়জগে কদাইদা লৈবিবনো ? কাল মঙানা মহারাজা ঐখোই পাতাল হিরণ্য পুরণ ঐখোইগী মকমনি হায়বিনিংবা মতমদা ইমিংসি শায়দুনা কৌবিরকউ থুদক্তা থুংওগে, শায়রম্মগা কাল মঙা থুদক্তা পতাল য়৷থি। বরানসি য়োরকনা কুরুরাজদু চাদ থকতনা মমবু নিংদুনা লৈরকপসি

থা তাক্লানিখোই গুরে মৃত্যুপতি যমনা দুর্য্যোধনগী ভক্তিদ পেল্লহনা থু গুরে, দুর্য্যোধন নহাক্না পাম্বহ্ বর নিরো ঐ নঙগী ভক্তিদা পেল্লে পিরগে। যমগী মাথং তাবদা মিং পাংথোক্লকপদদি যমবু উজবদা স্তুতি তৌজরগা দণ্ডবত ভক্তি তৌজরগা হায়রৈ। প্রভু ঐগী য়েক্লবা পাণ্ডব মঙাবু বধ তৌনজগে বর পিবীয়ু। যমনা হায় কুরুরাজা পাণ্ডব মঙাদি দেব শক্তিনা পোকপনি অদুগীমু মথক্ত শ্রীকৃষ্ণনা রক্ষা তৌরি মীগী মথুংতা শিরোই। অদুবু নহাক্না পাণ্ডবপু কিরিবা ভীমগী মথুংতা মৃত্যু শুষ্টগত্রো নিংভিবহ্নগীদি, ঐগী পদ্মরাগ মণিগী কিরিটিশি পিরগে মাসি লৈতেংবদা য়েক্লবগী আকিবসু কোবনি। কিরিটিশি শাগেম্ববি মথৈদি য়েক্লবগী মথুংতসু শিরোই হায়রগা * কিরিটি লোথোক্লগা দুর্য্যোধন্দা পিরে, কুরুরাজা ভক্তি তৌরগা লোতরে যমনা মঙ্গল শ্রইজরো বর পিরম্মগা অন্তরধ্যান ওইখি যমলোক য়৷খে। দুর্য্যোধনসু ত্রিকালমুখি গদা পায়রে কিরিটি লৈতেংবদি গুণনা চাদ থদুবগী তরাবা কোরখিদুনা নুংঙাইনা চেনকপনা নুংখিল য়ুথক তমদা হস্তিনাদ থুংলৈ, পিত মাতা থুকস্নগ কোম্নুদ পোখারে। রাণী ভানুমতিনা সেবা তৌদুনা নুংঙাইনা পোথাবদা যাগী থেক্রোল ফংবগী পাও হল্লা সতী পাণ্ডব য়েক্লবগী রাকম তারগা মরু দুরখি। জ্ঞানভয়না হংজরকই মুনি জগন্নাথ কর্ণদি পাণ্ডবকি অন্নদানসু য়াওদে, রাবা ইকাইবগী থাখল লৈংবরা ননাই তাজনিংই অমুক্তা কর্ণগী রাকম লিবিয়ু।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়—হারাজা! রারীসি দুর্য্যোধনগী হায়া লিবনি থৌজিজ কর্ণগী অমুক পিরগে কর্ণনা কাম্যবন্দা ধর্ম্মরাজগী য়াথংদগী নকুল সহদেবনা কৌরবকী তেঙ্গোল কৌরগা অন্নদান সেবা ওইদুনা। সূর্য্যগী রূপা সতীগী গুণা পাকায় বেজন পিজখিবসিদা। কর্ণ য়াওরদবহ্ ভীম অর্জুনগী মাংদা চারুগদবহ্, মতুংদা পাণ্ডবনা উশিংলরোই থস্নুবদা ইকাইদুনা য়াওরদবনি। দুর্য্যোধনবু রাহায় কয়ানা থাম্বদা য়াদহনা লাই নিংবা চংখিবহ্নদা, কর্ণ হল্লক্লগা পদ্মাবতীদা বেলায় তৌরম্নগা যমুনাগী খোংবান্দা লাক্লুনা, অচিকপা মকমদা লিক্লা কাও লয়েদা তংদনা সূর্য্যবু নিংদুনা লৈবসিংদা অদুম গুরক্লে। কর্ণ মচাগী মতৌদু উবদা সূর্য্যদেব অক্ষয় রথ ধনু তুন তৌংদুনা চিংথৈ হল্লক্লগা মতমদা কর্ণগী মকমদা থুংগরে। কর্ণ ঐ লাক্লে নঙনা ব্রত তৌদুনা পূজা ধ্যান তৌরিবহ্ করি পাম্বগীনো হায়য়ু হায়রকপদা। কর্ণ মিং পাংঙকপদদি সূর্য্যবু দরশন ফংজরে দ্বাদশ অদিতিগী নাম মন্ত্রনা স্তুতি তৌজরগ, দণ্ডবত ভক্তি কচ্চরদুনা হায়রৈ, প্রভু ননাইবু য়েক্লবা জয় তৌবা ঙমজগে বরসি পিবিয়ু। হে: বৎস! বৈকর্ত্তন ঐগী রথ, ধনু, তুন অসি

---

* ব্যাখ্যা—দুর্য্যোধনা কাল মঙাগা মরুপ ওইবা, অমসুং যমরাজাবু আরাধনা তৌদুনা যমগী পদ্মরাগ কিরিটি ফংবা। যমগী বরদগী য়েক্লবা কিয়ম্বা কোকখিদুনা, নুংঙাইনা হলক্লুনা কিরিটিগী গুণদুনা ভাজিবহ্ অদিগুবা ইন্দ্রগী মতৌঙম ওইথরে। হস্তিনাগী ফতবা দুর্য্যোধনগী সভাদা য়াওবা নিংথৌশিং নুংঙাইনরি। মসিদি ব্যাসগী মূল, কাশিদসু য়াওদে। জৈমিনি, অমসুং শঞ্জয় ভারতকি মতনি। ইতি।

নত্তু কঙরো, অমাংবা লৈত্রবা রথ লিকুং তেঙ্গোং ককপা য়াত্রবা মনলিক্তিনি, বিজয় রথ বিজয় ধনু অস্ত্রনি। মতুগী অরোইবা মতমদা ঐগী দেবলোক য়ৌরকনবু অসিগী মপাম্বা পৃথীবীগী রাজ্য খানি জয় তৌজৌ। অদুগা অমসু তাক্লুমগে নতুগী পোকপদগী লোইনবক্লবা অক্ষয় কবচ কিরিটি কুণ্ডলদু, ইন্দ্রনা মচা অর্জুনগী উপায়গীদমক ব্রাহ্মণ শাদুনা লৌথোক্লনি. মাসি মপানা চেকশিনৌ হায়দুনা রথ লিকুং তেঙ্গোং পিরম্বগ সূর্য্যলোক য়ৌথি। কর্ণ কুম্মিংকি কুপা অংবদা রথ তোংদুগা লিকুং তেঙ্গোংগা হস্তিনা লৌরক্লুনা নুংঙাইনা লৈরে। দুর্য্যোধন কল্লক্লবদা দরবার সভা কমদুনা খম্নরকপদা দুর্য্যোধননা পাণ্ডব জয় তৌগনি হায়বা কর্ণগী বাকয় থাজবা অদুদা। কর্ণনা চক্রবর্ত্তীদা য়াইথিবিবা কুষোপ কেক্লবা দিগবিজয় চৎলগে খন্নুনা কুরুরাজা বিদায় তৌরম্বগা কর্ণ উত্তম বিজয় চৎতুনা, ভারতকী লৈবাক লৈথো লোইনা জয় তৌরগা কোর পোগংলক্লুনা লন ময়াম পুরক্লে। কর্ণগী বিজয় রথদা অগ্নিপত্র বাবা নিল চক্রদা থেতুনা হল্লকই। কর্ণগী মিচং পৃথিবী শিন থুনা লৈখরে। জন্মেজয়না অমুক হংজরকই মুনি! ইবুধো মহাক্ক ইবে মঙ্গা কমদৌ ইবগে নিংবিবু মকন কদাইদা থাস তেরিবনো ননাই তাজগে।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়ই—মহারাজা! পঞ্চ পাণ্ডব কাম্যবন্দ বাস তৌরিব্রা অপম ময়াম্বু ব্রহ্ম ভুঞ্জন দান, ধর্ম্ম করা তৌদুনা নুংঙাইনা লৈরি। হস্তিনাদনা লোংমদি দুর্ব্বাসা মুনি শিষ্য লিশিংতারা পুরগা কুরুরাজগী বৈভব সর্ব্বভূমিপতি ধর্ম্মরাজা পাণ্ডবপু বনদা থৎখিবগা দুর্য্যোধনগী ধর্ম্মগী মহুৎ হস্তিনাদা পাক্লিবা অহু য়েংগে খনবদগী থুংঙ'র। মুনিবু উবদা দ্বারী মুনিগী চরন্দা খুরুমজে। মুনিনা দ্বারী কুরুরাজাদা ঐ লাকই চংজকপা যাগপা পাও লৌক হায়রকই! দ্বারী আসন থারগগা দরবারদা চেনশিনক্লগা দুর্ব্বাসাগী য়াথং পাও পুম্ননক তমজদুনা খুরুমজে। দুর্য্যোধন পাক্ল মাক্লগা লোইনবা থুনা য়াংনা দ্বার য়ৌরক্লুনা কুরুরাজা মুনিগী চরন্দা অষ্টাঙ্গ ভক্তিনা খুরুমজে, মুনিনা আশীষ তৌই. মীয়াম পুম্মকপু মুনিবু খুরুমজে, শিষ্য ব্রাহ্মণ মরাপবু পুম্বা খুরুমগা দুর্য্যোধননা মুনিবু থোগলগা সভাদা শিষ্যাশিংগা লেংশিন্নরকই। মুনিগী রত্নাসন মথুংমক্লা থারগা মুনি পাদবু মখুৎনা শেংজরগা পাদদোক লৌজে, মকোকতসু হাপচরে মথুৎ লোমরগা করি সেবা কচৌগে হঙংলি। দুর্য্যোধনগী ভক্তি সেবা ফজবদুদা মুনি পরিক্তা য়েংঙগে খন্নুনা মহারাজা মতম কুইনা ব্রতাচার ওইদুনা ধ্যান জপ তৌরবগী দেহেদি মরম ওইরে পাক্লশি হংগংনবা মন্ত্রানি তারাশিদং পারনা লৌগে ব্রহ্ম ভোজন সেবা ভমণরবদি মহারাজতমি খন্নুনা লকপনি অমগমরা মপোইবা অমুক্তা হায়রু, অমবদি নহাক্কা পাম্বা বর নিবদা ঐ লেপ্পা শিগনি, তংগাই হায়দুনপু এ চংখিগে হায়রকই। মুনিগী বাহায় তাবদা দুর্য্যোধন পাণ্ডবপু দুঃখনবগী খল্লিবা য়ানবা মগা তৌরগে খন্নুনা গুরুদেব ননাইগী লাইরক করম্নি লেবা তোজগে হায়জে। দুর্ব্বাসানা অহৃদি মথৌই পোথাকরগে লৈফম শিরো হায়রকই। দুর্য্যোধনা

মুনিদেব লেংশিল্লসি ব্রহ্ম ঘরদা পোথাবিরো হায়দুনা শিষ্যশিংগা লোইননা মুনি লেংশিল্লকই। দুঃশাসন যুবরাজ মনাও মরুমগা তুংইন্দুনা থোগল ওইরকই। ব্রহ্মঘর অতিথী সেবা হান্দা শিষ্য শিংতারাগী মনাওশিংদা য়াথংশিন্নুনা, শিষ্য আসন সেবারিগা লেপ্পা লোইথি। মুনিনা ব্রহ্ম ঘরদা দুর্য্যোধনা সেম্মগ গুরুনা সোমদা পোথাবিরো হায়জে, দুর্ব্বাস পোথারে। গুরু পুজারিদি শিষ্য অজ্ঞাশিংনা য়াগদরা কোনুংগী পুজারিশিংবু লুক হৌবমসিরা তাকাপয়ু দুর্ব্বাসানা দুর্য্যোধনগী কজরিবা মতৌচ উবদা পেন্দুনা কুরুপতি পুজার ব্রাহ্মণশিং তৌরুরবন্নু য়াদি। শিষ্যশিংসু অদুম থোংহনগে মনাওশিং থরদা সিংহ ও সিংহগী শিল্লরম্মগা মহাক্তি সর্ব্বভুমাপতিনি রাজাসন ফম্মুরো য়ারনী হায়রকই, ফদি গুরুদেব মনাইস্মু তাঞ্জ য়াবদা মুনিগী সেবাস্মু য়াওজরসে হায়রগা পোর নুনা দুঃশাসনদা চিকা হায় মহাক্তি লেপদনা সেবা তৌয়ুকো। মুনিবু পেন্নবা সেবা তৌরগা পাণ্ডবপু তুংহাবা বর নিংগে থদ্রে ইয়াম্নু মরক্তা মুনিগী থোগল য়াংরগে, মহাক্তি মথংদণ্ড ভাঅগা পোইন্নদুনা সেব য়াওথবনি মুনি সেবা হৈরম্মনি শিল্লরম্মগা দরবার তৌথিদুনা রাজাসন্দা ফমনি। দুর্ব্বাসা ! নৈবসি দুর্য্যোধনা গুতিগী মতম চানা চংগা মুনিগী পাদ সেবা তৌই। মুনিনা পেন্দুনা প্রশংসা তৌই, দুর্য্যোধনা ৫গী ইয়াইবক পুর্ব্বপুণ্যগী ফলনা মুনি সেবা ফংজরি হায়দুনা থুরুমজরগা লল্লকই, মোংমদি দুর্য্যোধনা পোকনি কর্ণদা হায়রকই।

ওসিংদ সভস্থ ও রসনু পাণ্ডবনা ঐমক্তা ওম্মরোইদবা ব্রাহ্মণ লক্ষ অনি ব্রহ্ম ভুজন তৌদুনা যমগুবা মনাও মরিনা থোংলগা ইন্দ্রগুম্না পুংডাইনা লৈরিবসি। ঐ হন্দক মুন্না থংলে অকোংথিনা তারামথোইবু পাকায় বেজন পেয়া পিজরগা উপায় তৌরকইরসি দ্রৌপদীগী মপাংমনি মহাক চান্দ্রিমথৈদি সুর্য্যগী কৃপানা থোকহনবা ওস্থলি। মানা চায়বদি থোকহনবা য়াজ্রে অদুনা মুনিশগী বর নিরগা আহং পুং তারাগী মচুংদা দ্রৌপদীনা চারবা তুংদা, অতিথি ভুজন সেবা তৌ, অন্নদান নিজুনা কংবিয়ু হায়দুনা বর নিরগা পাণ্ডবপু উং ওইহন্নবদি দুর্ব্বাসা সেবা তৌরিবসি হায়রকপদা। করবা পাত্র মঙ্গি নিংথো মরাম: সাধু সাধু সর্ব্বভুমাপতি পোকদনা য়েরুবা মাংডনি হায়রকপদা পুম্নিন নিন্দুনা নুংঙাইবে। নুমিৎ অহুগী মোংডালকপদা দুর্ব্বাসা চংলগে নিংদুনা দুর্য্যোধন্দা হায়রক্লে, কুরুপতি মহাক্কী সেবা ভক্তিদা ঐ পেল্লে বর নিরো পীরগে ওসি ঐ চংলগদবনি হায়রকই। কুরুরাজনা মুনিদেব কাম্যবন্দা সভাপেনদুনা বাস ওইরিবা পাণ্ডব ধর্ম্মরাজা ইয়াম্নবু তন্ত্র উত্তমনি হায়রৈ। পঞ্চ নিনীনা হোরগা ব্রাহ্মণ লক্ষ লক্ষ ব্রহ্ম ভুজন কংলিবনি, দ্রৌপদীনা চারবা তুমমদাই পুং তারাগী মচুংদা শিষ্যশিংগা লেংশিল্লগা অতিথী ভুজন মধ্যরাত্রিদা অমুক্ত কংবিদুনা তন্ত্র উত্তমগী পরিক্ষা য়েংবিউ। তন্তদি কাল অকাল নাইদনা সেবা তৌই হায়বসি মনাই অমুক্তা থংলগে মুনি মতমদি অতৈ ব্রাহ্মণম ওমরোই. ঐনা নিজাদিবা অসি বর ওইনা পাংথোক পিরম্মু হায়দুনা স্বপরিবারগা থুরুমজারগা বিদায় তৌজরে। দুর্ব্বাসানা ঐথোইদি স্নান তর্পন

কংলপা প্রসাদ কংডি। অযুক্তা স্নান অমুক সন্ধ্যাস্নানপা, মোংম্নাইগী অমুকশু অছুমলক স্নান তর্পণ তেংবা ভারি, ওহোকপা বর নিরকইদা করে কৈচনা পিনি হায়বা বনিমা সোইদনা ঐ পাংথোক্লুপে বিদায় তৌরম্নপা মুনি শিষ্যশিংগা চংথরে। মহাভারত বন পর্ব্বগী বারী অসি ধর্ম্ম অপন্মগী পাচং খংনবা অরায়বা অচুম্বা অনিংসনা তুংনা কবা কপ অহু মীওইবনা ভাব ভাবনগীদমক শ্রীব্যাসনা লেংম্নবা বেদনা লেপীবহু লাইনা থংনবা লেখাবনি ইতি ডায়রোল হরিবোল।

অধ্যায় :—

কাম্যবন্দা দুর্ব্বাসা শিষ্যশিংগা লাকপগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ননা হায় — মহারাজা জন্মেজয়! হস্তিনাদগী বিদায় তৌরগা লাকপদ শিষ্যশিংদা হায়রকই, লপ্পী অসোয়বদা চংসি প্রবাস তীর্থগী থোংবাম কাম্যবন ভাবনি ধর্ম্মাত্মা যুধিষ্ঠির উমবগু কুইরে, উমনিংঙি ধর্ম্মাত্মা ওইবা পৃথিবীগী ভাগ্য ওইকনবা পোকনবনি, নখোংস্নু খংঙু মহাকপু উজবদা মীওইবগী ভাগ্যনি। নিয়াংগৈপগী চতুর্দ্দশী নুমিত্ত লাকপনি, লপ্পী লাকপা বারী শাহ্নবা য়ৌনবা লাকনবদা, অরাবগা লোইননা ওভাসগী থোংবাম ধর্ম্মরাজনা লৈরিবা কাম্যবন্দা য়ৌরকপহু অহিংগী পুং ভারাগী মতমদা চপ চানা থুকই। বনগী কজবা হে লেংহুনা মায় পোল্লকপগী খবরিমা করিনো ওকুমনা ধর্ম্মনা ধৌম্যদা গুরুদেব লাকইবসি কনিল কল্লি, মায় পোল্লকপগী খবনিস্নু ভাই কমানো অমুক্তা য়েংবীয়ু। ধৌম্যনা ধ্যাম্ন য়েংবদা দুর্ব্বাসা ধর্ম্ম উমবা লাকই খংঙনা, ধর্ম্মদা দুর্ব্বাসা শিষ্য লিশিংভারাগা ধর্ম্মরাজবু উননে লাকপনি হায়রকই। ধৌম্যাগী বা তাবদা পাণ্ডব দুর্ব্বাসা ওকদবগী চংলে, ব্রাহ্মণ মরামস্নু পাণ্ডবকী তুংইন্দুনা লাকই। ধৌম্যাগা অহল থরগা কৃষ্ণাগা নিংকৌই, পঞ্চ পাণ্ডব দ্রৌপদী পাংদা দণ্ডবতনা থুক্রমখৈ; ব্রাহ্মণ মরামস্নু দুর্ব্বাসাবু খুকপা, পাণ্ডব শিষ্য মরাস্নু পুমা ভাক্ত তৌই। ব্রাহ্মণ মরামহু লেংমাম্নবনা কৌম্নে মহাবা অহনবু খুক্কই। ধর্ম্মনা মুনি করম্বা দেশদগী লেংহুকপনো তীর্থ লেংবীবরা নমাইগীদা লেংবীরকপরা? দুর্ব্বাসানা ধর্ম্মরাজদা ঐখোই হস্তিনাপুরগী লাকপনি মচিন মরাক ভামনা সেবা লুনা তৌরকই। কৌরব পাণ্ডবতি ঐনা চপমান্না মুংশি কাম্যবন্দা

বাস ওইরি তাবদা উননিংঙুনা লাকপনি, লম্বী লাকপগী রাধগা য়াম্না লাম্মে, দ্রোপদীবু চাক থোংহল্লুরো তীর্থদা মধ্যাহ্নগী সন্ধ্যা স্নান তর্পণ তৌরুখিগে ধর্ম্মনা পুক্নিংদদি রাধগা ঐগী লাইবক কংনি হায়জরে। মুনি শিষ্যশিংগা প্রভাস তীর্থদা চংখরে পাণ্ডব ব্রাহ্মণ মখামগা হজিল্লকপদা ব্রাহ্মণশিংনা করম্নো মূর্তি শিদি খক্লিক্কুং সোইবদা অকনবা শাপ তৌগল্লি করমনো দধা ওইরগল্লা হায়দুনা পাণ্ডবকীদমক থানরে। ধর্ম্মনা কৃষ্ণ দা মুনিগী পাও তম্মে, দ্রোপদীনা মহারাজা নোংঙাল্লবদি লঙ্ক তর ওইরম্ম সেবা তৌবগনি হৌজিক্তি মতম চাদবসিনা ননাই উপায় লৈজে।

প্রাণগী ওইব তাবরদ ৪ কৃষ্ণ থেল্লগা সতী মক লুকখরে, ধর্ম্মরাজা দ্বারীকাবোমদা ওল্লগা কৃষ্ণ কৃষ্ণ ননাই থৈখোইবু অবাবা সমুদ্রদগী অমুক্তা কনবীয় হায়না খোজেল বাংনা কৌরকই। পাণ্ডব মঙ্গা কৃষ্ণ কৃষ্ণবু কৌদুনা কপ্পরে, মঙদুদি শ্রীকৃষ্ণ রুক্মিণীগী গৃহদা শয্যাদা চেপ্পগা ইবেল্লম। পাদসম্বাহন তৌর ধর্ম্মনা কৌরকপদ অন্তর্যামি কৃষ্ণ যুকলেংখংলগা চিন্তা তৌরে। রুক্মিণীনা প্রশ্ন থম চক্র হাদ ওইবীবিবদু ঐ হাঙুবে সখি দ্রৌপদীনা বন্দা লৈবনিনা কৌরক্কুনা লেংবীগে হায়বীরম্লে হৌজিক হৌ বদি মতম চাদে থোংঙাল্লগা লেংবীয়ু। কৃষ্ণনা প্রিয়ে নঙ রায়ৌগন্থু যুধিষ্ঠির হয়াম্না কায়ক্লু দুর্ব্বাসানা শিষ্যশিংগা অতিথী ভুজন সেবা তৌ হায়ররে অহিংনিনা দ্রৌপদীগী উপায় লৈদুনা ঐবু কৌরকপনি মসিদা উপায় তৌকপ্রবদি, ঐগী ভক্তবৎসল হায়বা মিং অদি থাখিবা তারে হায়রগা মপান্দা লংথোক্লুগা মনাই গরুর কৌরকই। গরুর থুনতা থুংলরগা প্রভু অহিংদা ননাইবু থুনা কৌবিবদু কয়ি লাকপীগদৌরিবনো থুরুমজে। শ্রীকৃষ্ণনা কাম্যবন্দা হৌজিকমক তৌদবা য়াম্লে হায়দুনা গরুরগী স্কন্দ লেংখংলে। নিমিষ অমদা গরুরনা থোগদুনা কৃষ্ণ কাম্যবনদা য়ৌরক্লে গরুরগী মন্দ তাবদ কৃষ্ণ লেংঙক্লে খংদুনা, পঞ্চ পাণ্ডব মুংঙাইবগী ইপাক্তা তাওদুনা থুংগদবা কয় মুক থাংলিদেন, মাইগৈ অদোমদা চেক্লকই। ধর্ম্মরাজা উবদা গরুর কৃষ্ণবু থারে ধর্ম্মগা কৃষ্ণগা চেংজং কোম্নরে মথং মথং প্রেমালিঙ্গন তৌনরে। দাদা মহারাজনা ঐবু কৌবিবা করি তৌজো হায়বনো তাকপিয়ু। যুধিষ্ঠিরনা হৌজিক দুর্ব্বাসা মুনি শিষ্য লিশিং তারাগা লাকই। অতিথী ভুজন তৌ হায়রম্মগা প্রভাস তীর্থদা সন্ধ্যাগী স্নান চংখি উপায় লৈজরবনা অমি মুনিগী শাপ্না ভুস্মা তাবদুনা ইবুংঙোনা পাণ্ডবপু কনবীয় কৌজবনি। কৃষ্ণনা লেংশঙ্লসি দুর্ব্বাসা অসি অহিংগীদি ননাওগী চায় ওইজরগে রাবিরম্মু হায়রগা কৃষ্ণনা মাংথাদুনা লেশিন্দুনা থুনা শ্রীকৃষ্ণনা যজ্ঞসেনীগী মানাক্তা য়ৌরকই। কৃষ্ণবু উজবদা কৃষ্ণাগী নিংবা থুংজরদুনা থুরুনজরগা ইবুংঙোগী দিনবন্ধু হায়বা অসি অচুম্বনি হায়বা থংজরে ঐগি জ্ঞান লংবীনি অবাবদগী অমুক্তা লানবিয়ু প্রভু। কৃষ্ণনা হায়রকই হে সখি! অহুগী রাফম কোম্না খরসি। অরাম্বনা ঐগী থম্মোইসি চাক্লে চানবা পোং লৈরবদি থিল্লে চাক থরদা ওইরবস্থু পিয়ু। কৃষ্ণনা হাম্না চাখিগে, লঙনা হায়নিংবদু কোম্না হায়য়ু। যজ্ঞসেনী অরৈবা হৌজিক ওইরবস্থু পিয়ু। কৃষ্ণানা ইবুংঙো অম্বা অহিংসিদা উপায় লৈজরদুনা কৌজরে লেংবিরক্লগা

শস্ত-। দ্রৌপদীনা তাকপীরিব অসিবু ঐগী ইরাম করিনো থবৎলে প্রভু নমাই লাইরকথিবী ওইবে হায়রক্কই। কৃষ্ণনা হে সখি! হৌজিক পরিহাসনী মতম নত্তে শাক পাত্রদ অমুত্তা য়েংলু খজিক্তা ভইরবসু চাত্রকসি ঝ’ থাংনবা ভমলোইদোরে। কৃষ্ণগী বাক্য তাবদ কৃষ্ণা চংশিনা পাকপা পাত্রদ পায়রগা কৃষ্ণদো দা ওনশিনগা য়েংবীবু হায়রে। শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীহস্ত-দু অরবেক্তন। খরা পাযন্না পুখোৎলক্লে শরা লৈরম্রে মাসি চারগে জল শিন্বা হায়রকই। দ্রৌপদী কৃষ্ণগী মত্তো উরদা জল লানশিন্নী, কৃষ্ণনা গ্রাসহু শ্রীমুখদা চারগা জলদু লোরগা পান তৌই, লেংখৎলগা হাওখৎলা গর্ভ পূরণ ওইরে হায়হনা উংগার তৌরকই।

শ্রীকৃষ্ণনা গর্ভদ নাল্লগা সংখ পঞ্চ জিনী হাওখৎলা ঐগী অরাম্ব ফরে গর্ভ পূরণ ওইরে হায়রগা হম হয়া উংগার তৌই, শ্রীজগন্নাথনা জীব পুম্নমকী অন্তর্যামী মশক ও বনিনা জগৎ জীবা পুম্নমক লোইনা পেনখ্রে হায়সনা সন্ধ্যা স্নান তর্পণ লোইরকপদ পুক বিক বিক থননংলক্লনা থগেনবরুই। দুর্ব্বাসানা শিষ্যশিংদা হায়রকই নখোই কমদোরি ঐদি ওনাই লাম্বৎত তেংকথিহনা পুকসি থননংলক্লনা থগেরে, হকচাংসু লুন লুন লাংওরে হৌশংনিংরে কাইনো খ বস্তু ভরত্রে নখোই দ কমদোরি। শিষ্যশিংনা গুরুদেব মনাই ঐখোইসু থননংলক্লনা থগেনরি হৌশংনিংরে তুমনিংবনা ইরকৎলনা পুনরে পুনরে তুমরে হৌজিক চৎলগসি ওনাই লাম্বী কায়রবহুগা ইকাইনিংডাইনি। ঐখোইগী ইচিন্দসী খোংতাবগী হয়েং চজিক ওইনা কংমুরসি। গুরুনা কায় ইকাইবা নাংগদরবস্তু শরুক হুপসি হায়হনা তুমখরে। অন্তর্যামি শ্রীনারায়ণনা ধর্ম্মরাজগী মফমদা কৃপ করবাগী চংডুরগা কৃষ্ণনা হায়রকই দাদা মহারাজা ঐনা চাজহু। মখোই লোইনা পেহনুনা হিপ্পখরে। হৌজিক লাক্লবোই লোংতাবগা লাক্লনি হায়রকপণু নুংডাইনা পোকাহিরে মনাও চৎচরগে। ধর্ম্মনা হায়রকই মনাকবু কৃষ্ণা হে দিনবন্ধু, যুধিষ্ঠির ঐনা কর্ম্ম কংলত্তবনা ইপা খোনা কায়নহনা ইরুথেইনা যোকইরক্লে। অদুগা বতুগৃহ মে থাহনা থুরাতোনা কনবীহনা হিংডকই অমুক প্রাজক্লে শত্রুনা চোবর পাবুংহনবী খুজিদগী লৈপাক অন মুনহোৱগা বন্দা অমুক চংলে ঐখোই পাণ্ডবসু, দুর্ব্বা তৌবিরীবসি পিতৃলোকনা তৌরকপা পুন্যনা ওইরমাক্লে, পুর্নি ী অঙ্গম রাজ্যা হায়রবসি বিরাটনা ভমদুমাক্লে কৃষ্ণনা দাদা মহারাজা স) ধর্ম্মবু কইনু মনাও ঐবুসু কাওবিগনু মতম কুইররোই ধর্ম্মরগী জয় ওইগনি, ধর্ম্ম কইবনা পুডাইবাস মতম থরতনি থমুনাদা তংবা ইশিংগুমনি মায়রগা বিদায় লৌরগা শরুক তেংহনা দ্বারকা চৌনরে। পাণ্ডবকা কৃষ্ণগা বিদায় তৌনখরবা মীয়াম খুডাইনা তুমরে। মোংতৎরবদা ধর্ম্মরাজনা মাগী মাগী সথো শিক্ষোকনা স্নানক্রিয়া লোইরগা হংলৈং লাহেকপা ভীম অর্জ্জুন নকুল সহদেব চংনখরে দ্রৌপদীসু স্নান লোইদনা ইশিং পত্র কম্ব থম্বা থম্বা ঘোজুরনা থম্রে। ধর্ম্মনা কৃষ্ণা গুণবতী থুম্বা খোংথৎরো মসিদি ঐখোইগী শত্রুনা পুক্লিকা পাওগনি পান্দোই হায়বাসু ধর্ম্মরাজগী

তপ কনবা মরিংজেলন্সু কনবা মানা শাওবগী মৈথা জগত চাকথেক হনপে তমবা দুর্বাসানি স্নান লোইহন্না লাক্লগনি। শিষ্য ময়ামগা মনিংতম্না চারগদৌরিবনি পুম্নমক্সি মচৌন্দা লৈরে, ঐখোই পুম্নমকসি অবাবা সমুদ্রদগী মহাক্লা লান্থোকদৌরিবনি। দ্রোপদীনা মহারাজা থবক মচাগী-নথক কবিগী অহুক লুনা থম্লীরিবনো ঐনা সতী ধর্ম্ম কাইদ্রবদি মহারাজগী খোজান মুমিংকি ক্লপানে ঐনা সিশিংত্তারাদা মতুংদা লক্তারা ওইরবস্নু পেন্না পিজবা তমজগনি। দুর্বাসা শিষ্যশিংগা কৌশিক্লুয়ো ঐখোব লোইজরম্মগে হায়জয়রকই। ধর্ম্মরাজা নুংঙাইরদুনা থোরগা। ইমাওসো লুক থাব. শেন্থা লোইরো মুশিংস্নু লেংতক্লনি থোংথন্সু লোইদৌরে হায়রকই। ভীম অর্জ্জুনা ঐখোইদুস্নু লোইজরনি। অনোমদনা মুনি স্নান তর্পণ লোইবগা মৈ পূজা হোম লোইরগা শিষ্যশিংদা হায়রকই থোংতান্নবন্সু লাকত্রে হায়দুনা ধর্ম্মনা কৌবা লাক্লনি, তরাং চত্তবগী ধর্ম্মরাজাবু শাস্তি ওইনবা ঐ তাঁমগে; চৎসি হায়দুনা শিষ্য ময়ামগা মুনি লেংতকই। পাণ্ডব মতানা মুনি লেংতকপচ উবদা মথা থেংনা শিল্লক্তুনা মুমবু থুরুমজে। দুর্বাসানা ধর্ম্মরাজা অহিং চানি থোংতু হায়রম্মগা সন্ধ্যা স্নান তৌবদগী লম্বী লাকপগী মাবনয়া লেংবা তম্মুন তাদুনা তুম্নরে অদুনা লাকত্রবনি মারোগম্নু, দস্নু ইকাইরে হায়রকই.—

ভীমনা মুনিদেব মাবগী লেংব তমদবা ওইরিরোই পুক থমগৎলক্তুনা লেংবা তমদবা ওইরিনী শিষ্য ময়াংদা চুম্মী হায়রকই। দুর্বাসানা বৃকোদর মহাক কমদোনা থংতি? ভীমনা মুনিদি ঐনা সেবা পুদুনা লৈদিম্নথুবনি নুমিদাং পুং তারা তাবদা অমুক্তা লুক লৌদে, অদুগা লোয়রাইগী সন্ধ্যা স্নানন্সু তৌদে, হন্দক অহিং পুং তারাদা লোংশিল্লক্লগা মায় লাম্মে চাক থোংতম্মো চানি হায়রবহুদা মীগী থোইদদগী ওইরমগনি মতুবা মীগী থোইজিনা চুথবদি মুনিগী গুণ মাংগনি, গুণ মাংহনিংদবনা চাদনবা ঐনা ময়াগী পুক্তু অদু কাহনবনি। শিষ্য ময়াম্না অন্তর্য্যামি তম্মীবরা হংতি, ভীমনা ঐদ অন্তর্য্যামিগী ময়াম্নি, মীনা তংাকলৈত্তনা হংতক্লনি হায়দুনা ঐনা ইমাও কৃষ্ণদা পিথোক্তুনা লৌজিক্তি ইমাওনা শিজিন্নরি। দুর্বাসানা ভীম নুমদাং চাক্তি থোংত্রা? থোংতি মুনি। চাকমামদু লৈরিবরা ইচিমা থোংতু হায়রম্মে চজিক্তু ওইনা কংতুরসি হায়বগী তমা লাক্লবনি। ভীমনা ব্রাহ্মণবু মীনাই শিলক্লংস্নু ঐদি মুংশি কমদোনা অতিথীনি চজিকপু থম্বদি ইকাইদুনা চারবা তরে থন্দুনা ঐনা লোইনা চাথোক্লে, হৌজিক লৈজে। শিষ্য ময়াম্না গুরুদেব ভীম অসিবু করম্না শক্তি লৈবনো? দুর্বাসানা ভীমদি কৃষ্ণ কৃপা লৈবনি; মানা তৌবা থবক মানা হায়বস্নু শ্রীকৃষ্ণনা মাবীবনি মথোইস্নু থংতু হায়থি। বারি শানদুনা লাকপনা পাণ্ডবকি আশ্রম য়োরে আসন্দা ফম্মে, ধর্ম্মনা লুক কংলো অতিথী সেবা ওইরসি. দ্রোপদী কৃষ্ণদা লুক কংলে। ভীম, অর্জ্জুন, নকুল, সহদেবনা লাথাদুনা পরিবেশন তৌরি কৃষ্ণানা অন্ন ব্যঞ্জন অবাংপা লৈতনা পুথোকই ধর্ম্মরাজা ব্রহ্ম সভা ভক্ত তৌরগা মাথনি হংগচ্চরে, দুর্বাসানা মকোক কপী ব্রহ্ম সভ. শিষ্য ময়াম মথং মথং ফম্মে প্রাসাদ লাওই্নি কংনরো গুরুগী কৃপানা থোকহনবিংবা

মখেল কয় পুখোকই মরিনা অরাংপা বাগ্নী শমুচগী রসগা মামনা হাওই, পুরম ওইরে আচমন চিন খুং শেংদোকুহনা আসন্দা কমকরে। ধর্ম্মা হৈ লৈ পানা সেবা দক্ষিণা তৌরে অচুকপনি পাণ্ডবনা লৈরিবা কৃপা। মচিন মনাওনা সেংদোকপা লোইহনা ব্রাহ্মণ মরাখবু ভক্তি তৌদৈ দুর্ব্বাসানা পেল্লহনা মচিম মনাও কণ্ডুরো ঐ রাবী শারম্মগা চংখ্রুগে হায়রকই। পাণ্ডব মচা প্রসাদ ফংজরে মুনিদা করি ভাকপীগদগে হায়কৈ? দুর্ব্বাসানা হায়রকই বৃকোদর নংনা ওমাই হায়বহ চুম্মি। দুর্য্যোধননা হৈবু মনাওশিংগা লোইনম সেবা মুনা তৌই। অহুনা ঐন্দ্র পেন্দুনা বর নিয়ু হায়কুরে। অহুপা মাম বর ওইনা নিরস্তুমা ইন্দ্রিয় হায়খরবা রামিনা মাগী বর ওইনা মুমিদাং পুং ভরা ভারগা যৌরকপনি। অহুপীমি মাম অহুবু নিরকইবা কম্ব্রিগীনো? ভীমনা মুনি ঐখোইম ব্রহ্মা ভজন তৌজরিবস সূর্য্যগী কৃপানা দ্রৌপদীনা চাত্রি মথৈদি খোকহনবা ওম্মী। মাংনা চাখরবদি ওম্ম রাই অমনা মুনিদি শাওগল্লি। শাপ তৌরগনি ঐখোইবু ভুমহন্নব বর নিরগা থারকইবনি। অহুটৈ দম্ব ঐবু মুনিগী সেবাদা থাজিল্লকইবহ মুনিগী শাপনা ভুমহল্লগে থাজিল্লকপহুনি হায়রকই। মুনি ভীমগী বা তাবদা দুর্য্যোনবু শাওহনা হায়রকই পাপী ধর্ম্ম লৈভবা মচিম মনাও চাম্মাহ্‌ ভীম নংগী নখুত্তা শিরসম্ম, ধর্ম্মরাজা পাণ্ডব লামব্রবা নখোইবু লৈপাক লন মুল্লগা মনদা ভাল্লকইবা ষেকুবশিংবু ভয় তৌরগা মাতুসেবা ওমহনা পুন্সিনা পাজরো, বর পিরে অহুদগী বিদায় তৌরগা মুনি স্বর্গলোমদা চংখরে। পাণ্ডব মুনি খুরুমজরগা লৈরৌই। মহাভারতনা থবানগী মওংদি, থবানবু শাংকাইনবা মুমিংকী মশক্লা শ্রীব্যাসনা ওইরি ইতি॥

অধ্যায়

দুর্য্যোধন্ম মন্ত্রনা কৌরগা জয়দ্রথবু—
দ্রৌপদী চুক্ক থারকপা বারী মতাং॥

বৈশম্পায়ন্না হায়রাজা জন্মেজয়:—দুর্য্যোধন্না দুর্ব্বাসা চংখরবা তুংদা প্রতিকামি থাহনা কাম্যবন্দা রথ তোংলগা প্রতিকামি যৌরকহনা পাণ্ডব মভাবু উনহনা খুরুমজৈ। ধর্ম্মরাজনা প্রতি কমি নহাক লাকপদি পাবুংহন্না করি ভাকপীরকহনা লাকপনো? প্রতিকামিনা ননাইনা লাকচবদি কুরুরাজনা দুর্ব্বাসাবু কাম্যবন যৌথিবরা যেংভু থাবীরকপগী যৌজ্জরকপনি। ধর্ম্ম। ইনাওনা

হাঙ্গমকপদা কাইদনা মুনিয়াংগী পুং তারা তাবদা থুইহ্, ঐখোইনা সেবা ইনাওনা থাবিরক্‌উনা কাংজরে তম্বুরো। ওসিদি মুনি স্বর্গরোমদা লেংখরে। ভীমনা প্রতিকারি মবুক মকুহনা ঐবু বধ ওইনা মিরপা থাদক্‌উনা মুনিনাং অখেংবদা চাক চাহনবা দুর্য্যোধন মবুক কত্তবহ, ভীম নগী মথুত্তা চাবহ তুমা মিরসু বধ শিরগা চংখি তম্বুরো হায়রকই। প্রতিকারি পাণ্ডবপু থুক্রমজরগা হস্তিনা য়োথিংনা কুরুরাজদা পাওজকে, পাওহ্ কংবদা দুর্য্যোধন অৱাবগী চিন্তাদা লৈকখ থংহনা কর্ণ; শকুনি সোবল. পাত্র, মন্ত্রি নিংথৌ কথা কৌরগা গুপ্ত দরবার কম্বগা অৱাবা তেংখাৱে; মহা ওইরিবগী শাসনদা ইন ওশিংবু থিনা তৌবী অহুদী হ পিজরগা ঈচেন্দা থামখ্যা রাজদা পাত্ত মদগী ভীম সমুত থক্ক্‌উনা শামু অমুত অমগী পাংগন্দুৱ কলখি। চাগী মুম শারগা লৈহন্দুনা লোইনা চংলগে মৈ মাকুরগা ফিংচাবা কয়া হাংলবগা দ্রৌপদী কংখিহনা পঞ্চনমা মখোইগা মিচং ওইখি। চৌখর্দ লৈপাক মন লৌরগা বন্দা লৈহরে. ইন্দ্রগুম্না মুংভাইনা লৈ র ঐখোইনা জমকব ব্রাহ্মণ লিংশং খনি ব্রহ্ম ভূজন দান মুতিগী ধর্ম্ম মা কংলি। মনাও মমবু জমজনা কল্পব মন্ত্রি খেংগল্লি অর্জ্জুনা লৈরিবা বিদ্যা ইন্দ্রনা করকারিবা; নিপাত্তা কপচবু হাংলগা কালকেয়গগবু জয় তৌবা জগত অসিদা ভীম অর্জ্জুনবু ওয়ীনবনি লৈরবোই। গন্ধর্ব্বগী মথুত্তা সিৱ দবদগী থরাইস্নু কদবিরগা নোকুনি চংখুবা ঐবু পিজরগা থারকপা, কোইর মচানা হেকুংবু পুরুষ চনব জমদনা হিংবগী কারমে, পুরুষ চনবা মানবা উপায় থমসি হায়রকই। কর্ণনা হায়রকই মহারাজ. পাণ্ডুকিদমক চিংনরুগমু চহি তারানিখোই, শুরগা চহি অমা লোংকদোরি দৌ কয় থারগ খিংলবদা অমুক কালগ বন অমুক চংবমগনি, বন্দা মথুন্সি গেজর দবনি থবদ খংহনা হল্লংবসু নিংথৌ পুরুষক মহারাজগী মিচংদা লোইনা লৈরি. ভীষ্ম দ্রোন, গৌমিগু মহারাজগী মচংদা লেপ্পী পাণ্ডবকি মীচংদি লৈরবোই কর্ণ ঐগী শকিনু খংশিবনি পাণ্ডবপু ঐনা ওক্সা হংকে বাখিক্রপ্। কর্ণগী বাকয় অসিদা নিংথৌ পুরুষকসু মহারাজ রাবকুপু অঙ্গনাথদা হায়রিবসি সোইদনা জয় ওইগনি, পাণ্ডবকিদমক চিংনবিক্রগমু হায়রকই। দুর্য্যোধনা ওহ.ক য়াথন ত্তোরগা হায়রকই, পাণ্ডবাত্ত মবুখি লৈবনা অজ্ঞাত বৎসর থিনা খংহন্দনা থোক্রকগা সোইদনা মখোইগী মথুকা তক্না তুম্মরগনি। পাজন্দা ইন্দ্রগা মানরবা পাণ্ডবনি, ইন্দ্র মথন্তনা দানব দৈত্যবু জয় তৌরগা দেবরাজা ওইরি, ইন্দ্র মচাবু কান্না জয় তৌকগনি ওবলোই। মন্ত্রগী শক্তিনা মক্কাই নিংহমবা হোৎনরগা ঐখোইগী মঙ্গল ওইগদবনি অহুগীদি লজ্জাগী মগাক ওইবা দ্রৌপদীবু মক্কাইবক কহনা মখোইনা কংজবদগী অৱাবা তারকপা খুদিং কৃষ্ণানা কল্লিবনি। পাণ্ডবকি থরাইনিংগানা ওইদি মমখদি মীওইবনা শিৱসি থরাই লৈরগা শিংখনি, থরাই ওইরিবা দ্রৌপদীবু হন্দ্রগা লোর্জশিন্দুনা পাণ্ডবপু থংহনদ্রা থমবাদ থরাই ওইরিবা, পঞ্চালিনিবু কংজখদি পুরুষাত্তম লেমা মরনাই শিজবিবনি। মরম অসিনা

দ্রৌপদী হরকরগা লোৎশিন্দুনা থবথহ ঐনা পাখী। দুর্যোধনগী রাককহ তাথনা পান্ত্র অমি মিংথৌ মবুক যজ্ঞবলিং থঙ্গ থঙ্গ কুরুপতি! যাহনা যাম্না করে হায়রকই। বর্না লৌকপ্নি, সোবলনা হৌকো মহৈনাসি যাম্না করে মসেম, জয়দ্রথবু থমুগা খেন্তম তৌনা লোম্না থুত্তনা সেনহনা লৈরগা যাম্না চংথাক্লিবা মতমদা লোম্নী পুবরদথনি অহন পাণ্ডবনা থিবা থংলম্বা লোত্নমা থমপথনি, দ্রৌপদীবু লৈত্রবদি পঞ্চপাণ্ডবতি লাইবা ভয় তৌবা যারগনি হায়রবগা রাকহহু তবদা মহাম্না তাঁলো তলো লাওনরকই। দুর্যোধনগা মসে। সিন্ধুরাজনা হায়রকই প্রাণপাতি হন্দক ইসোম্না হৈবাইগী থর্নাথ্রাস থুংলবা তমপদথসি ইলেন্দবি; দ্রোপদীবু হক্কনগা ঐগী মিংবসি অমুক্তা থুংহলু। জয়দ্রথনা মকলুক্তুনা থল্লুনপ হায়রকই। মহারাজা দ্রৌপদীবু হক হায়বিবিবাসি, পাণ্ডবতি থমথমথু তমনা শক্ত লৈরবা মচাশি, পাণ্ডবশু শত্রুক তরাগী শত্রুক অমা কাণ্ড কংবনা ঐনা দ্রৌপদীবু তত্নবদা ঐদি ভীমগী খুত্না লেপ্পা প্রাণ থবদি। পাণ্ডবতি প্রতাপশক্তি মহাম্না থংবীরবনি কৌরবকি তেকোনবু জয় তৌপা মহারাজবু কাচনা পুরবা গন্ধর্ববু অর্জুন মতৌমদগা, গন্ধর্ব জয় তৌরগা হৈবাই মহারাজগী প্রাণবু কনকইবগি অংগুষ্ঠ মচাবা রাকা তৌরিবা লক্ষ্মী অবতার ওইবা কৃষ্ণাবু কনানা হকবা তাংপদগে।

জয়দ্রথগী বা তাবদা দুর্যোধনা প্রেমগী রাইহনা হায়রকই — চুপ্পী ইসেম্না হায়বহ কৌরব তেংগোম্না অমম্বুং কর্ণনা পাণ্ডবতবু করি তৌবক্লদগে থাইবা থংনরবনি, অহনা হৈবাইবু নতান্না পুংশিবিরনা অমুক্তা চংলগা লোত্নবা হিজ্রয়েংলগা মতানা সুন ক্রিয় চংথোকখিবা অহাংবা তাঁজানা তবগা পোরকউ হৈসেম নত্তনা হৈবাইগী উপায় লৈত্রে যজ্ঞশ্রেণীবু হুহৌরবা ঐ হিংলে জয়দ্রথবদি পাণ্ডবকি মথুত্তা ঐ লেপ্পা শিবদি, অহনা লৈপাক পদগী বারোমদা তৌবিমম হায়রকোই হৈবাইগী ইশানি নতোন্দা যেংবনি। মহাজী মরলনি থনবীহন অমুক্ত পা থোশিরকে, মহাক মত্তনা ঐগী উপায় লৈজত্রহনা হায়জরবনি। জয়দ্রথনা মহারাজা করিগী থহু যৌনা তাকপিরিবদো। করে, মনাই চক্তরলে হায়রগা রথ সাজখ তৌরে। স্বর্ণ সথহু মনসিজ্জিংতুন চুংজৈহি থাং ছোরী পী.পামগা জয়দ্রথ যাত্রা তৌরকই। লম্বৌ নংগদা ঐ থাদি ভীমগী মথুত্তা শিংবু হায়না খিথাঙ্গানা তথরিজ্রা: থরা থনা লাকপনা জয়দ্রথ কাম্যবনগী সিদাম্না থৌরকই থর অর্জুনগী মহাইদা রথ থৌরকপহ হৈপাগ লৈপাক কম্বা কাম্না যেংবা লাকপহ পাণ্ডবনা লৌরিবা কাম্যবনগী সিথাম্না মুনি থাথি কম্বা লাইশিংবদা থাশ্রম কম্না লৈ। কোকিলনা কুহু কানবা থোবলি থোইমুনা গুণ গুণ শকপা পুম্বিন শিজি, পুম্বিং হনা কজবা হয় মহুনা তত্তনা থোগল্লি মদরা সথিমক শিনি শিনি শিংদি। জয়দ্রথ হৈবাথবা লাকপনিনা মথংথক, ছত্র, পাতকা নিশচক্র বাতবেগ লাকনা উত্তরদা পাণ্ডবনা থংতোইলবা থকমদা লৌত্নবা থম্নী। শপোন থরিহু থাইক হনথীরগা পুম্বিহনা থম্নী। অহনা চংলক্নবা লোত্নবা শিজলোংহনা থহিং চাংবে থংবু

ভুমহুনা অহিং অহ লেপ্পুনা লৈরে। মোংঙাল্লগা প্রাতক্রিয়া স্নান তৌরগা মামা পোরকপা তল চারে ঈশিং থম থক্লগা অমুক চংখিহুনা লোংলগা ছিম য়েংহনা জয়দ্রথ লে। ভীম অর্জুননা হৈ লৈপ্পু থিবা ওইনা, ইস্নাং থিবস্তু চংখি। নকুল সহদেবনা শিং থিবা চংখি। ব্রাহ্মণ মরামগা ধর্মরাজস্তু প্রকাসদা স্নান তৌব চংখি, দ্রৌপদীনা চাক থোংঙি। তঙ্গা অহাংবা অহু কংবদা জয়দ্রথ রথ জুরিরগা তৌহনা থুদক্কা থুংঙরে। জয়দ্রথ লাকপহ দ্রৌপদীনা উরে। সিন্ধুরাজ তোজংদা রথ থারগা চংঙকই, দ্রৌপদী সম্বন্ধি ওইবনিনা থোরকপা আসন থরে। সিন্ধুরাজ কদাইদা চংলুবদনী য়োরকপনো হংঙকই? জয়দ্রথনা ধর্মরাজ থুকমজগে লাকপনি। ইবাই ইবুংঙোংনং কদাইদা লেংখিবগে? কৃষ্ণান হৈ লে খিবা, স্নান চংখিবনি, ঙহাঙং পোপ্পাখো হল্লকলগনি চয়রকই। জয়দ্রথ সভাগী পান্থোন ফারগা লাব চংস, কৌ জক কত্তিনা য়োরসি। মমহুনা চিংঙক্লগা রথদা হাপকৎতুনা দোলাই থোরে কৃষ্ণানা হায় পাপী! অচৌবা শাগৈদা পোক্লগা অতোনবনী লিচং লাঙিবা শাগৈগী মৈতাল অশিবা। নোংশাগী মপোংনু পমহুইনা ছুয়বদি লমচুইহু খোইদনা মথরাই মাংবা তাবনি। পুরুষ সিংহ ভীম লাকত্রিডৈদা ঐবু থাদোক্লমগা মথরাই হিংনবা চেঙ্গহোবো। জুবাংবনা ধর্মমী বা বাইবদা নাকোংদা চংদে। দোলাইহু বা তাংদনা হস্তি গী মাইকৈদা কমা থোরে।

মতৌ অহু উবদা কৃষ্ণানা দুর্যোধনগী থোইনশিন্নি থংশহুনা হ কৃষ্ণ! মনাইবু অরাবা ঈপাকতগী অমুক্ত কনবিয়ু হায়না কৌকরকই। হ যুধিষ্ঠির, নকুল, সহদেববু কৌরকই। হো ভীমার্জ্জুন! কদায়দা লৈখ্রবগে, মনাইবু অমুক্তা কনবিরো হায়ম কৌরগা কপলকই। ধর্মরাজা নকুল সহদেব হজিল্লকপদা দ্রৌপদী লৈরমজে। রথগী মরম তারিবা অহুগী মতুংইন্না চেংকপদা কৃষ্ণাগী কপ্পগী খোঙেল তারে অহুগী মতুংইন্না তাম্নরকপহুদা রথ কমা থোরিবহু লাপনা উরে। কনাবো লৈরথখো লাওরকই। লাওরকপা খোনকম তাবদা, জয়দ্রথ রথ অহ জুংশিংকী মাংথানা থোরে। জয়দ্রথনা লাকইবা মাইকৈ অদোমদা ভীম অর্জুনবু দ্রৌপদীনা কৌরহুনা কনবিয়ু হায়বা লাওরকপা খোনকম তাবদা, অর্জুননা দাদয়াইমা, দ্রৌপদীনি কনবিয়ু লাওরকইবনি। দাদা মহারাজবুরা, মহাকপুর অংশাংবা বন অসিদদি মহাকল ককম খোক্তে করিনবো হায়রকই। ভীমনা হায়রকই, পার্থ! মাহু থমবা মতম নংত্রে হিংসা তৌবা অমা য়াওরমলগনি; মথরাই লৌকসি হায়হুনা মুংশিংকী মমাংথানা চেল্লকপদা রথ অমা মাংনা থোরিবহু দ্রৌপদী হাপ্লগা পুরে হায়বাহু থংঙহুনা, অর্জুননা মনসিদ্ধি রথ কৌরে, থুদক্কা কর্ণরাথা রথ থুংঙৈ। ভীম অর্জুন রথ তোংলগা পায়হুনা তাম্নরকপদা জয়দ্রথবু কংঙে। ভীমনা রথদগী চোংথখিহুনা চেনশিনথগা চোংশিন্নুনা জয়দ্রথগী মশম পায়রগা পৃথীদা হাইহংশদা মূর্চ্ছা ওইহুনা তিংদম তারে লিকং তেঙ্গাং থাং চুজোই ছোরি পোথোক্লগা ভীমনা দ্রৌপদীদা জয়দ্রথ অসি মপাপ

কোক্রুখা মরাইবকা মচিনদা নখোনা ওহুমলক বাওবিবু হায়বকই। সভীনা অহুমলক কাওখনা জয়দ্রথ জয় লাঙই। ভীমনা পাপ নং থাংছবা; মপাপ কোক্রুখা দ্রৌপদীবু মচিনা ওনক খোংপাক্রু কাওহুলিবনি। কনাগী খৌইনসিন্দগীনো হায়রগা, খুবাক্রু মচুবা য়েংলোম ওইযোম ওয়া ওয়া থাবদা থয়ে থয়ো ওন্দুন তপই। মনম পায়রগা কয়ামুক লাগ্না পৃথিবা সিঙ্গমা পুবদা উনছ থবং থবং তংতুব ঐ তারে। ভীমনা মপাগী আভরণ নৈলেঞে মপাম পারগা নৈপাক্রু মচন্দু হমা হনা তকই অমুং খুপাঙা কিন্না খুতুমা মথরাইমং থাক্লপ কুমদ বাঙ্কুমা তিংনম তারে, মতম অদ্দা ধর্ম্মরাজা যৌরক্রু মথরাই কম্নগে খন্দূমা কে ভীম অমু-1 ছাইখো মথরাইমনি কনগ মানা লিংবদি ইচন্দু মৌনা নুথ্‌ ওইয়া। ইচ পা ইমাক্রা সোম তাংহাইগী পাবু হন ইমবোক গন্ধর্বীমসু কপ্পগনি থাদো লিখো ইক ইবা থাদবন্ধু মথব ই পুংমা চংথসম, হায়রকগা ধর্ম্মরাজগী য়াথং হিকতোকগা ওমদচগী জয়দ্রথবু থাদোক্রুখগা লাপুক হন্দে ক্রুগা ভীম নৈরে যুধিষ্ঠির, অর্জ্জুন, নকুল সহদেব, দ্রৌপদী পুম্লপ পুন্নে। জয়রথ চতম লাক্রুমা কৌশঙ্কুমা থরাইদি হিংছেদনা খন্দুবা ব ছাংদম মরুগুরুমা কম্মগা সোর মপী হেন্দুনা হল।

ধর্ম্মরাজানা হায়রকই হায়-ইওাই থাদবা কাগী খৌইলিম মর দগী লাকপদো, ঐ লাক্রুমত্রবনি মথরাই থারাংদবনি চংলপ, মহবু থারকাব দা কম্ম। ঐখোইবু অবব কয়া লিরিবা কাংবুছ কুইরয়োই মকু কমা মাংহুগীবি থাংকৌ কায়রকই। তম্মুরো ধর্ম্মরাজানা বিদয় লিরে, অর্জ্জুনা দাদা মহারাজ ইসেল ওইবগী মথর ই কন্নংসু মট ওতটায় মপুথি থাম জংবিবসি মকুকোল। দণ্ড অহুনা লিরগা থাবিথিবনা ক্ষত্রিগী ধর্ম্মনি। ধর্ম্মরাজানা হায় মাছ ইঙ্গুসদি য়েংলিয়ে মচিন মনাও থনরগা চংহনথরে ভীমনা ইমাওলিংদি হৈমরোই, ঐ তৌরগে হায়রগা জয়দ্রথগী পাখোম পায়রগা লাও ঐ থিন্দাকলিংগে বায়রগা রথগী মদাক্রা পুদুমা চংথন্নে। ভীমনা মচুবা অনিছ খুউমা চপ্পগা ছেবাহুমা হহং চর্জন উপাকও বওমা ঈমা পুবজাং ওাংকথে কেওপিরে, ভীমনা মুর্খ মহ ইংমগী য়েংহুমা নবাইদি কমবিরবনি মহুদি ক্ষত্রিগী গুণ নৈলে্নে স্বরূপা মামরবনি খু লাই পায়বা মস্তক চাংগে। নদি থুংলাই হেমা মুল্লবনি চংথয়ো হনয়থা জুলাসিধনু-তুন লিবথর্গ চম্ম ছেরি কাও সোইমা পুরগা ভীম হন্নকই। জয়দ্রথ থাগী পগোল রবি অর্জ্জুনা কজিন্দুমা থম্বীরদহু জুরিরগ রথ তাছুনা লাকপদা থাখন তৌই। মবুক অজবাদগী পাণ্ডবপু ওমনবা শিব নিংওগে খন্দুমা হিমালয় রোমদা চংথি, পঞ্চপাণ্ডব কৃষ্ণা ব্রহ্ম মভা আশ্রমদা হপ্পুমথি। স্নান ক্রিয়া তৌরগা কৃষ্ণানা লুক হোরগা কৃষ্ণদা লুক কংনদা পরিবেশন তৌছনা ব্রহ্ম ভুজন সেবা লোইন প্রসাদ কনরে। বন পর্ব্বগী চারীসি তাওবদা মইওইনা পুন্য কংই হায়বসি শ্রীব্যাসনা লেংথবা সোইদ্রবা বেদ বাক্যনি। ইত॥

অধ্যায়

জয়দ্রথনা শিব সিংবগী ৱারী মতাং।

বৈশম্পায়ন্না হায়—মহারাজা জন্মেজয়! জয়দ্রথগী ৱারী হান্না লোইশিন্নখ্রে। জয়দ্রথ হিমালয়গী সিমানা য়োরক্লুনা রথ থাদে, শগোল মরি থদা থাদোক্লে রথ থম্বগা গঙ্গাগী থোংবান্দা চাদা থক্লুনা নিংহুন্না লৈবক্ হুংশা পাবা মতমদনা শিংগং হোল্লরে, মায়কৈ খুদিং দৈ থারগা ময়াইদা ঋেশ থাংহুনা লিংলি। মোংজু থাদনা উথোংদা কম্বগা ইংবা থাংহুনা লিংই. ইমথম থাদনা গঙ্গাদা কুশথরগা ভকশম কাংবা ঈশিংগী অইংবা থাংঙগা শিবগী নাম মন্ত্র থান্দুনা লৈ ইমথম থা লাইরগা যোগাসন্দা কম্বগা প্রেমগী ধারানা ঈচেলগুম শিন্দুনা শিববু ধ্যান তৌরকপসি থা তারাবিথোক্ শুরে। মথাং থনা মনাইগী ভক্তিদা থাংবা ভমজ্রহুনা ব্রাহ্মণগী মশক এইরগা মনাইগা মাংদা লেপ্লোরগা জয়দ্রথ নঙনা পাম্বত্ত নিরো ঐ শিবগে হায়রকই। সিন্ধুরাজ মিং পাংথোক্লকপনা ব্রাহ্মণগী মশক্লু উবদনি জয়দ্রথনা ঐতোন্দা হায়বিরিবা ব্রাহ্মণবু কাংবে। শৈ নিজবদি মহাদেব প্রভুবুনি অশেংবা তাকপিয়ু। শিবনা ঐ মহাদেবনি নিরো প্রভুগী মূর্তি অমুক্তা লেপ্লেংথে কম্না শিজগে হায়রৈ। শিবগী শ্রীমূর্তি য়েংনা শিঙ্গা পায়বা ওইনা তাংপুরা পায়বা বাঘম্বর থোনবা শিব থাওন্নবা তিনবুনাপুং খুজি ওইবা হায়মাল্য লৈতেংবা ভস্মমাখি জটাধরি মূর্তি লেপ্লে। জয়দ্রথ শিব মূর্তি দরশন কংজবদ স্তুতিপাঠ তৌজরগা দণ্ডবত কচ্ছবগা পাণ্ডবপু জয় তৌজগে বর অসি পীবিয়ু হায়না নিজরকই। শিবনা হায়—পাণ্ডবতি ঐনা ভমজ্রৌ হায়ব বর পিবা য়াদে. অতৈদি নঙনা নিবহ লেপ্পা পিগে। জয়দ্রথনা প্রভু অতোপ্পদি নিজরোই পাণ্ডবপু ভমবসি পিবিত্রবদি মনাই ঈশিংদা শিজখিবনা করে হায়রৈ। শিবনা হায় নচাক নরমলা লৈপাকলা বিস্তারা নহাক্লা নিবদা পিগে, পাণ্ডবপু ভমগে হায়বসিদি পিবা ভম্মোই। ক্ষত্রিয় বংশদা পোকপা ভুমাপতিশু ওইরিবা নহাক্লা ৱাথন্দি মিং তাংবগা মামরে, পাণ্ডবকি অর্জ্জুন হায়বসি ঐগী অয়েপ্পা ভক্তনি। ঐগা মাগসি ইশা অমত্তনি; অর্জ্জুনবদি লাই, গন্ধর্ব্ব, কিন্নর, নর, নাগ, দানব, দৈত্যাদা ভম্বীনবা লৈতে প্রেমকম্মু ভমদে, পৃথিবীগী ভার কোকপীগে হায়বগী নর নারায়ণনা নরকপনা কুন্তিগী গর্ভদা ইন্দ্রগী মচা ওইনা পোকই। দেবকীগী গর্ভদা বসুদেবগী মচা ওইনা নারায়ণনা কৃষ্ণ ওইনা পোকই। অর্জ্জুনগা ঐগদি ইশা অমত্তনি শ্রীকৃষ্ণগীসু থাবনা য়াত্রবা সথানি. মবোন অক্তমদা ভম্বীনবা লৈত্রবা অর্জ্জুননি। অহবু মঙগীদমক ঐনা উপায় অমা তৌরগে মোইদনা ভারত লাক্লাও থোক্লবগী, অহুদা নঙনা নোংমা অর্জ্জুনদি য়াওদনা দ্রোনগী চক্রবেহুগী মতমদা পাণ্ডব মরিবু ভমজহুনা নঙনা থিংঙগা বেহুগী পন্থুংদা অর্জ্জুনগী প্রাণ ওইবা সুভদ্রাগী গর্ভদা পোকপা কৃষ্ণগী মমাক বীর অভিমন্যু, বেহুগী পন্থুংদা উপায় লৈতহুনা

শিরসমু পাণ্ডবতি থুংলাইদা শিরোই. মচাগী প্রেমনা মতমকুইনা বারসমু। শিবগী মাথং তাবদা জয়দ্রথ মাজরে. প্রভু শিববু থুরুমজরে। মহাদেব কৈলাসতা লেংখরে। জয়দ্রথনা শগোল মরি কাক্করগা জুরিহুনা লোলাই তোলগা হস্তিনাদা হনখরে।

দুর্য্যোধননা মতমকুইনা জয়দ্রথ হল্লকতবগী বাহুনা মন্ত্রি ময়ামদা হায়রকই,— জয়দ্রথ হল্লক্তবসি করিমখো, ঐবু লৈকম থংল্লে। মন্ত্রিশিংনা মহারাজা মতমকুইনা লংজবসি পাণ্ডবকী মথুংতা দোষা তারবনরা হায়। মন্ত্রি অমনা থবক ওমদহুনা ইকাইরহুনা মরেপাক্তা হল্লখনি হায়। মতৌ অম্নুম্না থম্রহুনা কুরুরাজনা বাহুনা থর্মরিতৈ মতহুন্না জয়দ্রথ থুংজরে। জয়দ্রথনা দুর্যোধনবু থুরুম্মী, মতমকুইনা বাম্রমবা মশেলবু উবদা কুরুরাজা মুংতাইহুনা চেংনা কোল্লগা সিংহ.সনদা কশিমরগা হংতকপদা, জয়দ্রথনা মানা ভীমগী মথুংতা ওইরকপা বারম পুম্নমক লোইখ তখি। ধর্ম্মরাজনা কল্লকপা, হায়রকপা রাক্কম অহুদগী মহাদেব নিংজরকপা, শিবনা তাকশিরকপা মরম পাণ্ড লোইমা ওমই। পাণ্ড কংবদ দ্রোন গুরুনা দরবরদ, কমহুনা জয়দ্রথগী পাদম লোইমা তারে।

বৈশম্পায়ননা হায়,—মহারাজ জন্মেজয়! জয়দ্রথগী পাণ্ডতবা লোইরবদা দ্রোণ গুরুনা দুর্য্যোধনদা হায়রকই। কুরুরাজা, মহাত্মা পাণ্ডবপু মেক্লুবসি তোক্লে, পাণ্ডবতি দেবশক্তিনি। পৃথিবীদা পাণ্ডবপু জয় তৌবিনবা লৈরোই। বিদ্যাদা প্রতাপকম্সু অর্জ্জুনবু জয় তৌগদবা লাইস্নু মীস্নু কনা অমত্তনা ওমলোই। রাবণ ওরাগী শক্তি লৈরবা ইন্দ্রনা চংহ থুদিংগী লোইপোং কারম্নিবা কালকেয় নিপাটকবচমু বধ তৌরগা ইন্দ্রগী মেক্লুববু কোকহন্নখবা দেব বিদ্যা, গন্ধর্ব বিদ্যা, কিন্নর বিদ্যা, যক্ষ রক্ষ গুহ্যক পুম্নমকী বিদ্যা গুনা তমখনি। অহুম, ভীম হায়বা মনাকসিস্নু লাইনা মীনা ওমদবা হিরম্ব, বক, জত্তাসুর, জটাসুর, কির্ম্মির জয় তৌরবা অসিবু মেক্লুরবদি কুরুবংশ মরুকংনা মাংগনি, অমস্নুং লাল হৈত্রবা ধর্ম্মরাজনি, মানা হায়ব বাদি লাইনা হায়বাগুম্বনি, সত্যবাদীনি জিতেন্দ্রিয় লাল্লবা ধর্ম্মরাজা ময়ুম্বা লাইগুম্বনি। ক্ষেত্রিমচাং বাশবী মতুংইন্না, বম চংহল্লবমু চহি গুরগা প্রেম লৈমহুনা কৌশিল্লগা হাম্নগী মতৌগুম্ব পালশিখো, মল্লবদি সর্ব্বনাস ওই-রগনি; ধর্ম্ম তাকপগী বন্দা লৈরিবনি। মতম গুরকপদা সোইদনা অবাবা তারনি, জগংতি কালনা বলবান ওইবনি। অহুগী থুদমু ভুমিচম্প কোবা লৈনা মাগী মতম ওইরকপদা মপাম্বীমক হৌগংক্রাইদনা কংলনা লৈপাক্তগী মৌরবা লৈহুনা হাম্না কাওগংলগা শাংকাইরিবনি। মহাকমদি পাণ্ডবকি মিচং লৈক্লে পৃথিবীগী মিংখৌ পুম্নমক ঐগী মিংনি মেকুব লোইংগ খরিবা অহু য রোই। শ্রীকৃষ্ণনা মমাই তক্কগী মথা লোনবিবদা মক্বাগী পক্ষদা লেপকনি লাইগা মীগা লাম্বা মাবা হৌনদে; পাণ্ডবতি দেব শক্তিনি হায়রকই। দ্রোনগী পাওতাক তাবদা দুর্যোধন মাগী কমবনি খন্দনা মেকুবগী মীচাংগুম থম্নুনা ইস্নিহু মৈচাবপগুমনা থোকলে। মশেলবু লাকুবিরকপগী মুংতাইতবগা লোইনহুনা হায়রকই,

শুক্রলেখদি ঐনা সেবা তৌদুনা থমজরি পুকচেল্লা হেক্কুবগী মীচংদা লৈবীবা পাণ্ডবপু লাইগুম ভাকপিরে, পাণ্ডব লাই ওইবনু ঐনা শুক্রগী চাবিনবা সেবা ওইরিবা হৈনৌ অমুবগী মরক্তু থাজ সেক তৌরগা পাণ্ডবতা পুরগা মরোম চোংজনবিয়ু মাচুবু খাংদা হৌদুনা হৈ পালহনবা ভূমবদি ঐ শুক্রগী বা লৌজগে, মাচ ভগত্রবদি শুক্রগী র লৌথরোই থাদরগা দুঃশাসন চংলো শুক্রগী হৈনৌদু মতোং লৌখোক্লগা থাংদ, কাবরা সোক তৌক্ল হাযরকই। দুঃশাসন হৈনৌদু পুরগা পুঙ্গরি লোইশনদা চংভূগা হনৌ মরক্তু থাংলা হন্না হন্না সোক তৌহন্দুনা কাহল্লুবগা পোরক্তুনা পাক্ক অমদ হাল্লগা কুরুরাজদ পিল্লরে। দুর্যোধননা দ্রোণদা পিরগা শুক্র পুবিরো পাণ্ডব লাইশিংবু হৈনৌ মক্ষসি মরোম চোংহনশিক্রুরো। দ্রোণগী মাংদা থম্মে। অদুকপগী মতৌদু উবদা শ্রী পুম্নমক ঃক্রমুদুনা বা ঙাংদনা হৈ মরে. দ্রোণ নুংঙাইতবগা লৌইননা মরে, কুরুরাজা ঐনা ফহন্নিংবদুনা হাযরুক্লবগী পরিক্ষা লৌইবদি ভগভূনা থংলমনু. পাণ্ডবনা মরোম চোংহনবা ভমত্রগা মখোই মাংখ্রমনু, ভমলগ পৃথীগী মপু ওইদুনা পাল্লমনু। ঐ চংলে হাযরগা হৈনৌ মক্ল অকাবনু পাযরদুনা হে: চন্দ্র যা মখোইনা শাক্ষ ওইবীযু ব্রাহ্মণগী বাক্যসি, লৌগনি লৌরোই হাযর্বসু ভগভু লৈরেরমনু হযদুন পাক্ষি থমম্নগা দ্রোণ চংথরে।

দুর্যোধনদি ব্রাহ্মণন হায়রগা কচিগুম্বদা অকাবা মকসিবু মরোম চোংবা হৌনদে, পাণ্ডব মংজনবদি ঐনা পৃথ্বীগী মপু ওইদুনা পাকহৌনি অসুম্ন বাগা ভূংঙাইনা লৈহৌরি। অদুকপা ভূপদ্রোণকি বাক্যসু, চন্দ্রগী থেকুবিবস মীরায়া কমদৌরগবা বা থম্মহোই। দ্রোণাচার্য্যনা কাম্যবন য়োরকপসি, মার্কণ্ডনা পাণ্ডবশ বারী লিবথগা চংখিবা সুমিতভুদা দ্রোণাচার্য্য শুক্র লেংডকপমি উবদা পাণ্ডব মচা চেল্লক্তুনা শুক্রগী মাংদা মীরক্লগা, নগুবত মভারক চরণ শোক্লা খুরুমজরগা মনাই ঐখোইগী লাইবক ফবা নুমিৎ থোক্লে লেংশিনবিরসি হজচে। দ্রোণনা মচাবু আসিব তৌরে, পাণ্ডব মচান শুক্রবু খোংলগা আশ্রমদা লেংশিল্লকই। দ্রৌপদীনা কুশগী আসন থারগা পক্ষালন কোকথুংজদুনা খুরুমজে শুদ্ধজল খোকচরকই। সহদেবনা শুক্রগী পাদ শেংভি দ্রোণগী পাদোদক পাণ্ডব মচা কৃষ্ণাগ লৌজরে। দ্রোণ লাকপদু উবদা ব্রহ্ম সভা দ্রোণবু খুরুম্মী দ্রোণা খুরুমা মাংদা খুরুম্মী। ব্রহ্ম সভ মরাম ফম্মে থম্ম রাজানা খুং লোমরগা হজচরকই, শুরুদেব মমাইদা করি ভাকপিগদবা লৈবগে তাকপিয়ু? দ্রোণা হৈনৌ মক্ল থাওদা সোক তৌরবা অকাবা পাত্র অমদা হাল্লগা পোরাইবদু পুথোরক্লগা, যুধিষ্ঠির ঐনা লাকপদি ঐ সভাদা কম্মা মতমদা জয়দ্রথ লাক্লে চহি কায়রক্লে, কংদৌখ্রবনো থম্মে। খুদক্তুদা জয়দ্রথ থুংলে ঐখোইদি মাবু কাম্যবনদা থাখি হাযরবসু থংহৌদে, পাণ্ডবনা ইরু কোকথোক পিরক্লে মল্লকপা ইকাইদুনা হিমালয়দা শিবু নিংজক্লবদি থা ভারানিথোইসি হায়দুনা পাও তম্মী, অদুভদা থংবদি। ঐনা দুর্যোধনদা পাণ্ডব হেক্লগনু হেক্ত্রি মচাগী বাশক ভাকপগী বন চংহনবসু চহি ওরগা কৌশিন্দুনা পাণ্ডবকা

চাম্লনা পায়রম্লিয়ৌ. পাণ্ডবতি লাইমকুম্না অয় তৌবা ভনকক্রবা শ্রীকৃষ্ণগী কৃপা লৈবনা মখোইবু ছায়না পায়রম্লিয়ৌ. পাণ্ডবতি লাইমকুম্না অয় তৌবা ভনকক্রবা শ্রীকৃষ্ণগী কৃপা লৈবনা মখোইবু মেককরবদি কুরুবংশ মাঙনি হায়বদা। দুর্য্যোধনা হৈনৌ মরুসি থাওদা সেং তৌরগা পাণ্ডবপু যেককরবদি কুরুবংশ মাঙনি হায়বদা। হৈনৌ মরুসি পাণ্ডবপু মখোম চোংহল্লু, মাদু মখোইমা লাইগুম থাগংলগা ঐবু যেক্লবগুম থক্লে। হৈনৌ মরুসি পাণ্ডবপু মখোম চোংহল্লু, মাদু মখোইনা লাইগুম থাগংলগা ঐবু যেক্লবগুম থক্লে। ঐনা থাক্লিবনি চাবীচকাংবা পাত ভরবদি ঐগী বা লৌগনি ভনক্লবদি ইবা লৌরয়োই ঐনা থাক্লিবনি চাবীচকাংবা পাত খংহনগা ঐবু থারক্লইবনি। ইচা মতাগী ধর্মনা উপায় ওইদুনা হৈনৌ মরুসি মখোম অফুকা থংহলগা ঐবু থারক্লইবনি। ইচা মতাগী ধর্মনা উপায় ওইদুনা হৈনৌ মরুসি মখোম অফুকা চোংহল্লু, চোংলবদি ইপাদি হস্তিনা লৈবা যারোইদেরে হায়রগা ধর্মরাজগী মখুত হৈনৌ চোংহল্লু, চোংলবদি ইপাদি হস্তিনা লৈবা যারোইদেরে হায়রগা ধর্মরাজগী মখুত হৈনৌ চোংহল্লু, চোংলবদি ইপাদি হস্তিনা লৈবা যারোইদেরে হায়রগা ধর্মরাজগী মখুত হৈনৌ চোংহল্লু, চোংলবদি ইপাদি হস্তিনা লৈবা যারোইদেরে হায়রগা ধর্মরাজনা দ্রোন অয় শিন্নরে। পাণ্ডব মতাম্দু ব্রহ্ম সভা যয়ামদু অতকপগা লোইমদ যাংরে ধর্মরাজনা দ্রোন অয় শিন্নরে। পাণ্ডব মতাম্দু ব্রহ্ম সভা যয়ামদু অতকপগা লোইমদ যাংরে ধর্মরাজনা দ্রোন অয় শিন্নরে। পাণ্ডব মতাম্দু ব্রহ্ম সভা যয়ামদু অতকপগা লোইমদ যাংরে ধর্মরাজনা দ্রোন অয় শিন্নরে। পাণ্ডব মতাম্দু ব্রহ্ম সভা যয়ামদু অতকপগা লোইমদ যাংরে ধর্মরাজনা দ্রোন অয় শিন্নরে। পাণ্ডব মতাম্দু ব্রহ্ম সভা যয়ামদু অতকপগা লোইমদ যাংরে ধর্মরাজনা দ্রোন অয় শিন্নরে। পাণ্ডব মতাম্দু ব্রহ্ম সভা যয়ামদু অতকপগা লোইমদ যাংরে ধর্মরাজনা দ্রোন

পাণ্ডবশিংনা বাহির উত্তান মন্দির মনাম অমা শারক, অমসি মমাক থাখি হৈদেৌর হৌখি। দুর্য্যোধননা পাণ্ডবপু কিন্না দ্রোণা মনাইবু থাদোকপীগনু ঐগী ইরাম চাকপীয়ু হায়দুনা শরণাগত তৌখি। অসিগুম্বা মহাভারতসি থবাসিংগী মওংদি, থবাসিংবু শাকাইনবা ব্যাসনা মুনিশিংগি মপাক্তা ময়ুংগী ইংলে। শ্রীহরিবা মহাভারত পুরাণগী ইতি। হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

মার্কণ্ড মুনিনা কাম্য বন্দা লাকতুনা ধর্ম্মরাজদা বরা লিরবগী বারী মতাং।

জন্মেজয়না হংজরকই। মুনি! জয়দ্রথনা চংখ্রবা তংদা কৈদৌ মহাপা কাম্য বন্দা মার্কণ্ড মুনিনা বারী লিরিবদু মনাই অমুক্তা তাকখিবে নিকিবো হায়জে। মুনিনা হায়—জয়দ্রথনা শিবা নিংবা চহিহুনদি তৌখিদ মাদু লিরক্লগে। জয়দ্রথগী থোকখোক্লগা নোংমাংখৈ পদা মার্কণ্ড মুনি থুগরে মুনিগী পাদদ পাণ্ডব থুক্রবজরে কুশাসন থারে মুনি ফমে। ধর্ম্মরাজা মার্কণ্ড মুনিগী পাদদোক লৌজরে দ্রৌপদীনা সেবা বস্ত্র পুংশিল্লক্তুনা মুনিগী সেবা তৌরম্লি, ব্রহ্ম সভগু চংলক্তুনা মুনিদু থুক্রমক্লে মুনিনা আশিষ তৌই। মার্কণ্ড মুনিসি ব্রহ্ম কল্প [illegible] পুনিরবা [illegible] সূর্য্যাগী তেজগুম্বনি। ধর্ম্মরাজবু হেংলগা মহারাজ করিগীনো মাংথোং মকশিন্দুনা চিন্তা তৌরিবা করি নিংবা থুংনবগীনো হায়রকই। ধর্ম্মনা মহামুনি ঐগী লাইবক ফবদগা মুনিবু দরশন ফংরে নমাইদি ঐগা মাগনা রাবসি নিংথৌ মচাদদি লৈরম্মরোই। মেক্লবনা বন্দা চংলক্তুনা ঐ থাইনা বন চংপদা রাজাংশীনি দ্রৌপদীনা তুংইন্দুনা অবাবা থাংহিবসি মনাই ঐদি নুংঙাইতবা লৈরে হায়রে। মুনিনা মহারাজা ইন্দ্রগুম্বা মনাও মরিদা থোগল ওইরি, কৃষ্ণা মতীনা সূর্য্যাগী থাজান্না ব্রাহ্মণ লিংশিং অদি মিতিংগী সেবা তৌরি। ইন্দ্রগুম্বা মুংচাইনা লৈরি পৃথ্বীগী মিংথৌশিংনা উমত্রবরু নায়বা ওম্বী বন্দা শ্রীরামনা পিতৃ সত্য পালনগী চহি তারা মরি চংপদ; লক্ষ্মী সীতানা রামবিযোগ ওইরগা চাদথক্তনা লংকাদা অবাবা থাংখি, মথোইদি অবাবা করিস্থু লৈতে হায়রকই। ধর্ম্মরাজনা মুনিদা হংজে, শ্রীরাম সীতানা বন চংপগী বারী অমুক্তা লিখীয়ু। মুনিনা ঐদি থম্মবু কজনা চাকপা মহাক উবগে লাকপনে অমবু দ্রৌপদীদি করিস্থু বাদে সীতানা রাবণগী শরুক চানা থোকপগী শরুক অমা-গুবদি অদুবু ধর্ম্মনা তানিংঙি হায়রবদি ঐ লিরগে। সত্য যুগতা সন মরিনা বৈকুণ্ঠদা শ্রীহরি

নরগনা তৌগে লাকপদা বৈকুণ্ঠগী থোংঙাকপা জয়না মরাগা বিজয়না মনাওন্নি, সনক মহিষি চহি কুন্দাগী মমদা লেপ্পা মফিম্ভু য়াওদা, মখোয় ইকায়খুম্নবা মপাদি শক্তি উৎ তৈদনা থোংদা চংজকপদা জয় বিজয়না তৈবা লেং লেং থাবগ হায় ফিজমহনা সিদা চংবা য়াদে। হন্দোকউ হায়দুনা মগুহুনা তৈবা সনক মহিষিবু ইস্বোকুরে। সনক মহিষি মিংলুগী তৈবা কিরি কিরি কাম্বগা হায়রকই। নরায়ণগী থোং পুম মখোইনা ভাব ভাবনা ঐখোইবু তৈ থাবদি হিংচাবগী মমচৎকী মচন মনাও যুক মতমদা হিংচাবগী মপোক ওইরগা ধর্ম নাই, বেকুব ওইরে হায়না সনক মহিষিনা শাপ তৌরে। জয় বিজয়না শ্রীহরিগী মখাইদা সনক মহিষিবু থাজকনা বারেবীগন্দু থাজকখ্রে ঐখোই থোংজাংগে হায়জরগা ভক্তি তৌদুনা সনক মহিষিবু পুন্সিল্লকই। সনক মহিষিনা হরিবু নরগনা কংজবদা স্তুতি প্রণাম কৎলি শ্রীহরি সনক মহিষিবু প্রেম থাদিনোন তৌই, লক্ষ্মী সরস্বতীনা অসন ছন্দেহ সাম তৌই। সনক মহিষিনা প্রভু মনাই জয় বিজয় অনিসি অভিমানা লৈরমগুনা মনাই ঐনাইবা পৃথিবীদা ধর্ম বেকুবা মীগী মপোক্তা যুগ মরিদা পোক্নু শাপ তৌখ্রে। বারেবীগ ঐখোই চহিরগে হায়রগা ভক্তি বিদায় তৌরগা সনক মহিষি ব্রহ্মলোক চৎখি। জয় বিজয়না প্রভু ব্রাহ্মণগী শাপ স বোকানীয় হায়রে। শ্রীহরিনা ঐখোয়ন্দগী ব্রাহ্মণগী শুদ্ধ নকুক চায়া লেল্লি।

ব্রাহ্মণগী শাপতি ঐনা কোকপিবা য়ায়রোই যুগা যুগতা তৌবা জয় বিজয়গী মপোক কাওই, ঐনা অবতার তৌরগা বাব লৌ বরগে, যুগ অমমা ক্ষেত্রি শিংখো ওইয়ু ঐনু রাবণগী ঐনা লানবীগনি। যুগ অমমা ব্রহ্ম কুলদা পোকপা মলেমচাবা ওইয়ু ঐনা কংসগী শুংনা বৈষ্ণবাচার ওইহনুনা লানবা ওইহনবনু খনবা থুদম ওইরগা মতমদুগী শিবগী পংবা ভূপবাশিংবু মাংগী শুংনা লানবীরগে হায়না মনাই অমদা তাকপীরে। অহনবা সত্যগী যুগতা অদিতীগী গর্ভদ হিরণ্যাক্ষ হিরণ্যকশিপু পোকই হিরণ্যাক্ষবু বরাহ নরায়ণনা পাতালদা হাংদোকনা লানখি। হিরণ্যকশিপুন মচা প্রহ্লাদগী থাক্তা নরসিংহ অবতার ওইনা শুদ্ধরগী চোংথে রূপা লানবীখি, প্রহ্লাদন বিরোচন পোকই, বিরোচননা বলি পোকই। বলিগী থাক্তা ভক্তগী থাক্তা বামন অবতার তৌরগা ইন্দ্রাকী মনাইদা অহনগুর পাতালদা থমখি। ত্রেতাদা নিকষা বিসশ্রবাগী বর নিরগা জয় বিজয়না রাবন কুম্ভকর্ণ ওইনা পোকই, অমসুং অযোধ্যাদা সূর্যবংশগী রাজা দশরথনা মচা পোক্নবা যজ্ঞ তৌবদা চরু অমা ওইনা ভগবাননা কাওই। চরুদু শৃঙ্গ মুনিনা মহারানীদা পিজো মচা কংওবি চরুদু কৌশল্যা কৈকয় অনিবু কাংখল্লিংদুনা ভংথাই ত থাই পী; সুমিত্রানা মচা কংশিংদুনা নিবদা মতেম অনিমা মতেক অমমম থাইদুনা পী। মচু চাগথিবনা ভগবানগী অংশনা খ ইদোক্লখিদনা মচা ওইনা কৌশল্যা, কৈকয়ী, সুমিত্রারাণী অহুমগী গর্ভদ ঙরিগী খ শনগী কপ মরি মরি থাইদোকখি। কৌশল্যাগী গর্ভদা রাম, কৈকয়ীগী গর্ভদা

ভরত, সুমিত্রানি গর্ভদগী মমঙ ওইনা লক্ষ্মণ শত্রুঘ্নবু পোকই, অহুমনী চহি ১২হুবা মতমদা বিশ্বামিত্র মুনিনা যজ্ঞ ঙাকুবা থিখিদা লৈপাক্তা রাম লক্ষ্মণ পুখিহুনা যজ্ঞ ঙাকহল্লি। লঙ্কাদা কুবের ভাদোক্লগা পাম্বা রাবন কুম্ভকর্ণনি। যজ্ঞ থুগায়নবা মারিচনা সুচিংবা হিংচাবা খুংপু ময়াম যজ্ঞ হৌরকপদা থুগায়নবা লাকপা হিংচাবা ময়াম রামনা হাংখি, সুচিংবা মারিচবু চেনখি, মুনি ময়ামবু যজ্ঞ তৌরকপা চহি ১ কা ৪ রামনা ঙাকই। রাম কিহুনা হিংচবা যজ্ঞ থুগাম্বা তোকখি। বিশ্বামিত্রনা রামগা লক্ষ্মণবু পুখৎবিরগা ধনুদা জনককী স্বয়ম্বরদা পোরকই। জনক নিংথৌনা যজ্ঞস্থান লেপখী শংবোং থোইবদা লক্ষ্মীনা অবতারগী মতম চানা লৈমুংগানী কাওনবলগা লাংকোল থোংচিনা বাঁলবা ওইনা থোরক্লবা জনককন্যা মমিং সীতা থোন্নুনা যোকখীবদগী কনা ১ দা রাণীগী গর্ভদা মচাগুণী ১ পোকই অহুবা উর্মিলা কৌই। প্রশুরামনা শিব ধনু পুরক্লবা নিংথৌনী নিংথি চনুনা লিরি চিংবদা নিংথৌবু থুদোকপা ওইদা সীতা দান তৌ তাক্লম্মী। অহুগী মরমদগী জনক নিংথৌনা রাক্লবা ধনুগ্ন শাগগা লেপ খুদিং পত্র থাই। পৃথীগী নিংথৌশিং লিরিচবা হায়দে, রাকলবু ওমদহুনা ইকাইহুনা চেনখি। বিশ্বামিত্রনা থম্বদগী রাম লক্ষ্মণ পুরগা স্বয়ম্বরদা থুংলে। জনকনা থাবু মুনিবু খুরুম্মী, রাম লক্ষ্মণনা নিংথৌবু খুরম্মী আসন সেবা তৌই। রাম, লক্ষ্মণবু ভগবান অবতারনি খাই মুনিনা নিংকাগী মরম হায়বদা জনকনা পাত্র মন্ত্রিগা শিন্নহুনা ধনুগৃহদা রাম লক্ষ্মণ মুনি পাত্র মন্ত্রিনা লোইনবা থোরক্লুনা রামনা নিংকুংথ লিরি চপ্লগা মাংকোং রাম সান্না চিপ্পহুনা ময়াইদা নিংকুংথ থেগাক থুরকই। অহুগী মথোন্না তৌবসি মিথীগা লৈবাক নিকথী, রাম, লক্ষ্মণ মুনিগী নিত্রানমশিন্নদা পোথাখি জনকনা রামক থুংডে সীতাবু লোংডগে হায়বদা রামনা মুনিদা গুরু ঐদি ইমাও অহানবা কেন্থ নদি পুগপ দান তৌবিবগ দ হোংগান। অহুগা ইশা নিংথৌগী খাখং লৈত্রবদু থোংবা ওবকরে ই হায়রখি। বিশ্বামিত্রনা রামগী ইশা থুংনবগী মরমদা জনকপা মুনি ইমাওগী মচা কন্যা পুণ্ডরীকানা ভরতা শুভখিলানা শত্রুঘ্নদা, উর্মিলানা লক্ষ্মণদা দান তৌবগে। মুনিনা লেংবিরগা দশরথ রাজগা মচ ইবুংঙোগা লৌথিক হায়রহুনা; বিশ্বামিত্র অযোধ্যাদা লাক্লগা রামগী রাজমন্ত্র তম্বগা থোরাং লোইরে। ওসিমক যাত্রা তৌসি হায়রকই।

দশরথ সুংঙাইহুনা মুনিগী ব্রহ্ম ভুজন সেবা শিন্নরম্মী কোন্নংদা রাণীশিং পাত্র মিত্রদা পাও তাকপিহুনা চাবা থকপা বিবাহগী উজ্জোম তেজোল শাজন লোইহুনা মুনিগা যাত্রা তৌরক্লুনা মিথীলা যৌরকই। জনকনা এক্লগা দশরথ প্রেম তৌরগা লৈকব মণ্ডক চানা সেবায় ভাণ্ডারী পুজারী শিন্নহুনা ময়াম সুংঙাইনা লৈংরে। দশরথগা রাজ: ঋষিগা মুনিগা কুলাচার্য্যগা সুমিং লেপ্পহুনা রামদা সীতা, লক্ষ্মণদা উর্মিলা, কুশধ্বজগী মচা পুণ্ডরীকনা ভরতা, শুভখিলানা শত্রুঘ্নদা বিবাহ দান তৌরে। জনকনা কন্যা মরিগী যৌতুক লোইনমা থিন্দোরকই। দশরথ মচা মমো রাণীশিং তেজোল মমামগা লাকপদা লমথাংদা প্রশুরাম উরহুনা, রাম মহাক্না থেকপা নিংকাহু

ঐবা থবক্তা কুইরে লৈবাং চাহুনা ভবনি লিক্ঃ অস লিরা চল্লু মহু মন্ত্রবদি চৎপা মারোই হায়হ্নবা লিক্ঃ পীরে। রাবনা লিরী চল্লপা তেল অমা পিয়ু জুবিরগা চিংহ্নবা য়েংগে হায়রকই, প্রভুরাবনা তেল অবা রাবনা পিবনা থুংক থুংকা শোক্রুবিবনা ঈশ্বরগী শক্তিহ রাবনা তিনথরে। শ্রীরাবনা তেল্লু লিরীদা তেঙ্গা থোংলগা হায়রকই। হে মহাঋষি। ঐনা লিরীদা জুরথনা তেলি লেয়া মাংঙরোই ঋষিদি অবধ্য ব্রাহ্মণনি অরাবা তাহনিংদে কদাইদা থম্মুগে হায়রকই। রামনু ভগবান অবতারনি এক্তোন্দা লৈরবা শক্তি চি থে শংঙহনা ভক্ত তৌরগা প্রণবাবনা হে রাঘব! অমাইগা মীপা উবদনবা স্বর্গগী লন্মীদা থমখে। এক্তোন্দা লৈরবা শক্তি লৌশিনবিহ্নবা রাবন, কুম্ভকর্ণনচিংবা কঙ্কবাশিংবু মমন ভগীযু ঐদি ভবনাম শেন্দুনা ধ্যান তপ তৌহ্নবা পুঙ্জগী যদবিকাঙ্গবদা লৈজরগে হায়হ্নবা প্রভুরাব রাম থুরুমগা চৎখে। অহানগী লংকপদা অযোধ্যা য়োবকলে ভরত শত্রুঘ্ন ২না কেকয় দেশদা লৈথী রাম লক্ষ্মনা অযোধ্যাদ প্রজাবু পালন তৌহ্নবা লেবদা, পিতা দশরথনা এদি অহন ওইরে থন্দুনা রামদা রাজ অভিষেক তৌগদৌগী অধিবাস তোবে মন্থরাগী কুমন্ত্রনাদগী কেকেয়ী অধিবাস থোরকত্রে, দশরথনা কৈকেয়ীগী মকমদা চংঙকই। কৈদৌরে মহাক অধিবাস যাওরম্ববদী হায়বদা কৈকেয়ীনা মহারাজনা সত্য তৌহ্নবা বর ২ পিগনী হায়বহু ডদি নিজগে থজবি হায়রকই। দশরথনা মরো পিরগে হায়বদা, কৈকেয়ীনা বর ১না ভরতদা রাজ অভিষেক পিরো, বর ২না রাম সীতা তাস অহিংনগী চহি ১৪ বন চৎহল্লে। মিরক্লে। দশরথনা হে হিংচাবীগী পুকচেল, মহাকথক্তা ঐনী মাংহ্নেদনা হায়রমগা ব থথরে। রামনা পাউহ তাবদা চেল্লকুনা পিতাগী পাদদা ভক্তি তৌরগা ইপাগী রাশক তাক্কবগী ১চা বন চৎরগে। বিদায় তৌবরগী। রাম সীতাগা কৌশল্যাদা লাক্কুনা খুরুমজহ্নবা বিদায় লৌরগা রাজবেস হোংদোকহুনা উকুশেং জটা শেম্বগা, সীতা রাম লক্ষ্মণা থোগল তুংইন্দুনা মোংঙাল্লমদাইদা বন যাত্রা তৌথরে। মহাভারত বনপর্বগী বারী অমি তাভবদা পুণ্য কংই শ্রীব্যাস বাক্যনি ইতি। হরি হরি হরি॥

অধ্যায়

দশরথ রামগী রাবণা শিবা, রাবননা সীতা চুবা রামনা রাবন বধ সীতা উদ্ধার তৌবাগী বারী মতাং।

শ্রীবৈশম্পায়ননা হায়—রামনা বন মথং ২ চংখিবনা ত্রিকুত গিরিদা বাস তৌরে, দশরথনা রাম বিযেদ ওইবগা অন্ধমুনিগী শাপ লৈবনা শিরে কৈকেয় দেশতগী ভরত শত্রুঘ্ন কৌরক্লুনা পিতাসেবা শ্রাদ্ধ-নচিংবা লোইরগা রাম উমবা লাকপনা ত্রিকুতচিং য়ৌরক্লগা প্রভুনা অযোধ্যাদা হল্লিগা নিংথৌ ওইবিরগা প্রজানা পালতৌবীয়ু, মনাওনা ইয়াম্বগী মতুং শিন্দুনা ইপাগী বাশক ঙাক্লবগী চহি ১৪ বন চংচগে কপ্তুনা হায়জরকই, ইপা লৈত্রবম্মু প্রভুনা মনাও ঐখোইগীদি ইপাগী মশকনি। শ্রীরামনা ভরততা হায়, রাম নয়াম্বদি ইপাগী সত্য ওকপা ইমাগী য়াথং ইনবনা ঐগী ধর্ম ওইহুনা চহি তারা-মরিদি বন চংলগে লেংখে, নাওনা নিংথৌ ওইরগা রাজ্য পালন তৌরুরো। ভরতনা রাম ইয়াম্বগী খুরুমতু পীবীরো আসন্দা থম্মগা মনাওনা ছত্র খোগলজরগা চহি তারামরি লৈবাক ঙাক-চরম্মগে নিজরে। রাম মনাওবু কোল্লগা খুরুম পিরে, প্রাণভাই সূর্য্যবংশগী রাজা আসন্দা ইয়াম্বাগী খুরুম থম্বদি কৌনদে, নন্দিগ্রামদা কোমুং শেম্মগা ইনাওনা অযোধ্যা পালন তৌরম্মু, ইয়াম্বা হল্লকুগা ইনাওনা শিংবতু থুংনবা রাজাসন লৌরগে। রামনা পিতা স্বর্গতি ওইবগী ব্রত ছমনি তৌরগা পিতাগী শ্রাদ্ধ পিণ্ড তর্পণ তৌখি। ভরত রামবু ভক্তি বিদায় লৌজরগা মরামদা প্রেম বিদায় তৌহুনা ভরত হল্লকুনা; নন্দিগ্রামদা কোমুং রাজা সভা সেম্মগা রামগী খুরুম আসন্দা থম্মগা অভিষেক তৌই। ভরতনা ছত্র খোগললি, শত্রুঘ্ননা কাংহাই চামর খোগল ওইহুনা অযোধ্যা পালন তৌই।

রাম সীতা লক্ষ্মণ বন মথং মথং লাকপনা চহি তারামাখোইদা দণ্ডকারণ্যদা বাস তৌই। রাবনগী মচম স্পূর্পণখানা রাম সীতাদা বেব্যহার কায়রুবদগী, রামনা মনা মনাতোন কক্লগা থাখি থরহুসন ছিংচাবা লিশিংতারা রামনা হংলে। স্পূর্পণখানা রাবনদা হায়হুনা, রাবণনা মারিচ পুরগা দণ্ডকারণ্যদা লাকই. মারিচবু সনাগী শজি ওনহল্লগা রাম লক্ষ্মণবু পুখোকহল্লগা রাবননা সীতা ছুরগা রথনা হাপ্লগা পাইহুনা লাকই। কুশবন লৌরকপদা সীতানা রাম কৌহুনা কপতুনা লাকইবতু জটায়ুপক্ষিনা উপায় তৌগে হ ইহুনা রাবনগী মাংদা থংলি সীতাবু লৈবাক্তা থম্মগা জটায়ুগা লন্ন তৌহুনা মশা ককথহুনা থাদরকপদা. সীতানা মনিমুদ্রিকা শিন্নরগা রাম রৈগক্রিক ও প্রাণ থাজু বান্দা খুদোপ শিন্নগ্না রামগী রূপ ফংজু হায়রম্মী। রাবণনা বধ হায়থারক্লগা সীতা হাপ্লগা পাইহুনা

লাকপনা সমুদ্র লানসিন্নবনা লঙ্কাগী অশোক বন্দা শিংগ্রপ ভীনী মখোংদা থম্মগা হিংচাবী লক মীনাইমুবীবু শংহনশি। রামনা মারিচ হাংলগ রাম লক্ষ্মণ হল্লকপদা সীতা লৈরমজে, রাম-লক্ষ্মণ কপ্পুনা থিরকপদা কুশবন্দা জটায়ু উমরে, রামদা খুদোপ শিন্নরগা হায়রকই. সীতা ইবেম্মসি লঙ্কা রাবণনা রথতা হাপ্লগা লাকপতদা যাম কৌহুনা কপ্পকপহ্ন ভাবদা ইমোগী উপায় তৌগে হায়বগী মাংদা থংপদ সীতাবু লৈপাক্কা থম্মগা মাগা ঐগা লাম্বা তৌমবদা, রাবণনা ইশা-ককথহনা পৃথীদা ভারকপদা খুদোপসী শিন্নরগা রামদা খুদোপ সিন্নরগা ঐবু রাবণনা হুহনা পুরকপনী পাওসি জটায়ু। কপশিনৈদা, রাবণনা রথ হাইথরক্লগা সীতাবু পুথিহনা লঙ্কা মৌখে, হায়রম্মী। জটায়ু হায় রাম শোম্নগা প্রাণ থারগা দেব দেহ ওইহনা বৈকুণ্ঠ কংখি, রাম লক্ষ্মণ জটায়ুগী প্রেম্না কপখি। জটায়ুগী দেহে যজ্ঞ তৌরগা পাম্পনদীদা পিণ্ড পীরগা লাকপনা সবরী লানবিথখী। অমুক লাকপনা কবন্ধ লানথীবদা, কবন্ধগী জীব আত্মানা মুক্ত ওইহনা দেব দেহ ফংগা, রামদা হায়জরম্মী, ঋষমুখগীরিদা লেংবিরগা সুগ্রীবগা উমবিরু. মাবা উপায় তৌরবদি সীতা উদ্ধার ওহগনি হায়রম্মগা স্বর্গ মৌখি।

শ্রীরাম লক্ষ্মণ অমমুখ মৌরক্কুনা সুগ্রীব, নল, নিল, সুষেণ, হনুমান উনরে, রামনা করিনী অমমুখনা লৈরিবরো হংই। সুগ্রীবনা রামগী গুণ খংহনা খুরুমজরগ দাদা বালিনা ঐবু হং-করি পাম্র যম্ম মরি অসিগা ভাম্নকপদা, মকম অসি মুণিগী শাপ্তগী বালি চংবা য়াদে অমনা লৈপাক মন ইচা-ক্ষার্য্যা ইয়ুম থাদোক্কুনা অসিদা লৈরিবনি। রামনা ঐবা বালি হাংলগা মহাকপু নিংথৌ ওইহল্লগে। ঐগী সীতা রাবণনা হুখে, সীতা উদ্ধারদা মতেং পাংজু! রাম সুগ্রীব মরুপ শামরে. বালি বধ তৌরগা সুগ্রীব নিংথৌ হাপ্লগা মোংজু থা মরি ঋষমুখদা হুন্নাম্না থোগন তৌহনা লৈরে অমুগা সীতা থিবা থারে। হনুমান্না লঙ্কা মৌহনা সীতা উমরগ লঙ্কা মৈ থারম্নগা হল্লকই। সুগ্রীব অত্তখামাচিংবা শওম, মোংগা সমুদ্র মলনা লৈশেম্মী, মরাম্ম চিল্লু উ মুং হোম্নি ঈশিং মথক্তা পন লগী শেমখি। রাবণগী মনাও বিভিষন্না রামদা চংজি হায়রুবদগী রাবণনা ভাম্নক্কুনা বিভিষন্না রামদা চংজরে। রামনা অপার ভাল্লুক, বানরগা সমুদ্র লানসিন্নগা শ্রীরামনা রাবণ, লক্ষ্মণনা ইন্দ্রজিত, অতিকায় বিভিষন্না সিন্ন তাক্কুনা বধ তৌই বিভিষণবু লঙ্কাগী নিংথৌ হাপ্নে, অশোক বন্দা থম্মিবা সীতাবু বিভিষন্না পোরক্লগা রামদা কংলী সীতা বৈদা পরিক্ষা তৌই ব্রহ্মা, ইন্দ্র, লাইরাবগা দশরথ লাক্কুনা সীতা দোষ লৈতে মৈরুদা লৌথংবু হায়রবদা, রাম্না ইপাগী য়াথং লৈরবনি সীতা মমুংদগী লৌথংবু রামগী য়াথং ফংবদ মৈ কুণ্ডদগী অগ্নিদেবনা সীতাবু পম্মগা পুখোরক্কুনা রামদা কংলগা হায়রকই, হে রঘুপতি সীতাদি মরং লক্ষ্মীনি, ইবুংঙোনা নরায়ণনি শিলাপীদমক অবতার তৌবনি, ব্রাহ্মণগী শাপন ভ্রম ওইবিব্রা? লৌশিনবিরো পাপ লৈতে হায়বা শিন্নরে। রাম সীতা দশরথবু থুমখে জিলা:

তোনরগা ব্রহ্মা ইন্দ্র লাইরাম দশরথগা লাই লৈপাক থোরে, বিভিষণনা পুষ্পরথ কৎলে। সীতারাম রথ তোংলে, লক্ষ্মণনা রথ থোরে ভল্লুক-বানরদগা রাম অযোধ্যা থোরকতুনা লিংথো ওইরে। ভল্লুক-বানরদুসু মখোয় মখোয়গী লৈপাক্তা হল্লবা থিদারনি। মার্কণ্ড হায় ধর্মরাজা শ্রীরামনা ভাল্লুক-বানরদুসু বিদায় পীদুনা চল্লখি, রামচন্দ্রনা যাখিবা খনক্কু মহাক্কি করিদ্দু বাদে, অদুগা সীতানা বাখিবাগী শক্তক চায়গী শক্তক অমা কাও দ্রৌপদীদি বাদে হায়রবা যাই, অমধুং কৃষ্ণা সতীগী মপাঙ্গগী ব্রহ্মতুল্লম তৌরি মথক্কি মুক্তা হোৎখিবা সাবিত্রীগা মাদৈ। মার্কণ্ডগী বারি তাবদা যুধিষ্ঠিরনা হায়কৈ মুনি সাবিত্রীগী বারিদু অমুক্ত লিবীয়ু ননাই তাজসিংই। অসিগুম্বা মহাভারতসি ব্যাসগী মূলদগী চন্দোক্তুনা কলিদগী কাশি রামদাসনা পয়ার ভাষাদসু লেংখ্রী, মাসিবু পৌরাণিক পণ্ডিতদনা অফাবা ভারত করাগী মতমা ঈমালোন্দা বারিগী শৈরেংদা সমাজ সেবা পামজবদগী চৎকনি ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

সাবিত্রী সত্যবানগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ন কয়! রাজা-জন্মেজয় ধর্মরাজগী মকমদা মার্কণ্ড মুনিনা হায়রকই, ধর্মরাজা সাবিত্রীগী বারী লিগে পুক্নি চংনা তারে, মধ্যদেশদা অশ্বপতি কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লি। মচা পোক্তদুনা শিববু পূজা ধ্যান তৌজৈ। শিবনা চানবিদুনা মচা থারাজি বিধাতানা জমরদুনা মচা কন্যা অমা পোকহল্লি। মগক কজরবী মচা কন্যাদু ফংজবদা নিংথৌ নুংঙাইজরে, মমিংনা সাবিত্রী থোল্লি ধর্ম লৈ। মবুক তপ্পী লাইরিক লৈ, মুপীগী শিল্পদসু যাম্না লৈ, গুণ চেল্লি, ভক্তি লৈ থোঙ্গাল্লে। তাংথোক্রকপা বাহৈ থোম্লোকপ্পু অমৃত চেল্লি লক্ষ্মীগী করুপ কুম্বী যৌবন বয়স ওইরকপদা সখিশিংগা লোইননা রথ তোংলগা হৈকোল-লৈকোল, লাই নিংকম আশ্রম খুদিং মপা নিংথৌগী গুণন চিংনবা লৈতনা মনিংতম্না লৈপাক্তু কোইনা থেংনৌ। নোংমদি ব্রাহ্মণগী লাই নিংকম আশ্রমদা দ্যুমসেন অবস্তি লৈপাকী নিংথৌ থেকুননা লৈপাক মুনখিদুনা সমসিনী রাণীগা সত্যবান মচাগা চেলত্তুনা মুনি অয়ামগী আশ্রমদা লৈ। মুনিগী মচাশিংগা লোইননা পারদুনা সত্যবানসু লৈ, সাবিত্রীনা উই, অমঙ্কি কামবু ওননা মতৈ, অদু উবদা রাজ কন্যানা মুনিদা হংই পক কজবদিবু কনাগী মচানো? কেত্রি মচা মাল্লি হায়না হংই। মুনিনা রাজকন্যা দ্যুমসেন নিংথৌগী মচানি মমিংনা সত্যবান কৌই। অরক্তি লৈপাকী মপুনি

মচাসি ফাত্তব তুংদা প্রালব্ধগী কলনা মখিং তাংলেবদা, য়েক্লবনা রাজ সন মুনখিদুনা রাণীগা মচাগনা য়েক্লবা কিদুনা নিংথৌ পুরগা চে কতনা এথোইগী আশ্রমদা লৈবনি হায়রকই। সাবিত্রীনা ঐগী পতি ওইবগে খন্দুনা পুক্নিং লেপ্তুনা বাখলনা প্রাণ কংলগা বোরিকরে, কোন্নুংদা হলজিলক্লগা স্নুমেধা রাণী নমাদা হায়খে, ঐমা মচাদি মুনি মমামগী আশ্রম য়েংচৎবদা সত্যবান কৌবা নিংথৌ মচা অমা লৈরম্মী। অদদা পুক্নিংনা বোরিজরম্মে, মাদুংদা থরা হংগৎপিয়ু মচাবু অহুদা মাঈ পীনবিয়ু হায়খে হায়রবসি মচাগী বাফমসি রাণীনা নিংথৌদা হংগংখি।

অশ্বপতিনা মচা কন্যা তাংনা ফাংলবী থরাইগা মায়মা নিংলিবী জ্ঞানস্তু লৈবীনি, ইচানা নায়জবস্তু পাংথোক্লিংজি অদুবু আশ্রমদা লৈবা জাতিগী পরিচয়স্তু কংজি। লাইনিংঙম আশ্রমদা লৈবদুদা কমদৌনা ইচাবু অরেম্বা নংদা দান পীসিগে, খন্নবদা পাত্র মন্ত্রিস্তু থংবা রাওত্রদুনা রাদুনা লৈবদা, মোংমদি সভাদা নারদ থুংজরে, নারদগী আসন থাবে বেদগী বিধ মতুং ইন্না সেবা ভক্তি তৌজবগা, আসন্দা ফমহনরে। নারদ লাকই তাবদা সাবিত্রী লৈরে পাম্না ছন্দেছ সনাগী পাত্রদা থেংনংতুনা পোরক্লগা নারদদা হায়না খুরুমজদুনা কংলি। পিতাদস্তু কংলগা খুরুমখে। নারদনা কন্যাগী মগক মতৌ উবদা নিংথৌদা কন্যাগী পরিচয় হংজি? অশ্বপতিনা ঐগী শুভদিন ওইরে ঙসি ঋষি লেংবিরকপা, ঐগী ইচানি মাগীদমক চিন্তা ওইদুনা লৈজরম্মবনি। মহারাজ নচাসি বিবাহ লাংনবগী চিন্তা তৌরিবরা? মুনি, ইচানা সখিশিংগা মুনিশিংগী আশ্রম য়েংবা চৎলুবদা নিংথৌ মচা অমা লৈহৌই, অদুদা দান তৌবিয়ু হায়রি। এনা পাত্র-মন্ত্রিদা হংবদা থংবা অমত্তা রাওত্রে, অদুগী চিন্তা ওইনা লৈরিবনি: ঋষিদি সকজ্ঞানি অনুজ্ঞা তাকপীয়ু হায়খে। মুনিনা কন্যা নহাক্না নিংজরিবদু কনানো, অমুক্তা হায়রো ঐ তাগে সাবিত্রীনা খুং-লৌরগা দ্যুমসেনগী মচা সত্যবান কৌই মুনিদা হায়খে, মুনিনা হায়রি য়েংবদ থংলে, সাবিত্রী অদুদা নংনা নিংজুবদু থাদোক্লগা অতোপ্পা বোর অমা য়েংহন বোরিয়ু হায়রকই। সাবিত্রীনা মুনিদেব নমাইদি পুক্নিং অনি লোনবা ধর্ম কায়বাদ ছমজরোই। নারদনা হায়রকই, কন্যা ওইবীনা উরুবদা পুক্নিংদা নিংথিবা বাখল অচাদি মফবা য়েংদগা হেংবগী দোষ লৈতে অতোপ্পা নবুতো অমদা থল্লগা লেপপু। সাবিত্রীন মুনি নমাইদি পুক্নিগী পুক্নিং অনি লোংজরোই সতী ধর্ম্মবু পাজজদুনা লেপচথরবী নমাইনি। কন্যা মুনি অনিনা হন্না হন্না হায়নবদু তাবদ অশ্বপতিনা মুনিদা হায়জরকই, নমাইনা পুক্নিংনা লেপচখরে হায়জরদু, অতোপ্পা অমদা হোংদোকত্ত তাক-পিরিবগী নরমদু অমুক্তা তাকপীয়ু নমাই থজগে হায়খে মদু তাকপীয়ু ঐগী চিংনবসি কোকচগে নিংথৌগী মাহায় তাবদা চানবীদুনা মুনিনা হায়রকই সূর্য্যবংশগী স্নুরসেন নিংথৌগী মচা দ্যুমসেন অবস্থি লৈপাকী নিংথৌনি, মতিক মগুণ লৈবদস্তু থদোইদগী অথোইবনি। মচা সত্যবানসিন চহি ১৪ শুবদা প্রালব্ধগী কলনা মখিং অবিমক তাংলে। শত্রুদু কংবদগী য়েক্লবনা রাজ্য মুনথদুনা বন্দা ভার্য্যাপুত্রগা লৈস্নিবা চহি অমা মপুং কারে। মচা সত্যবানসি চহি ১৫গী বয়:

মপুং ফারবনী মশকপু ফজৈ পুকচেলপু কজৈ। অশ্বপতিন মুনি অহনী ওইরবদী ইচাবপু যোরিজখে, ইচাগী নিংজবচু কায়দনবা দানশিরগে অর'বা যুংঙাইবদী মতম ২গী কংনবা ঙাঙনী, বিধাতাগী নোংমখনী অহগীদী ঐ চিংনদে মরাইবক লৈরগা যুংঙাইরকপা যাই যাথং পিবীরো ইচাগী বিবাহ পাংথোকচরগে জাতিপু মশকপু অথোইবনি হায়জরকই। মায়দনা হায়রকই মহারাজ অতিথিপু মশক মঙ্গলদপু যেন্নি অহুমদী ওইরগা ঐনা কনা ২ থাজবীবসী বাগংবা অমা লৈ অহুবু কনা ২ কংডবমীমা, মথোইবু যুংশিবনা ভারুগে ঙমিদগীনা মুনিং ৬০ না থা সাবহুনা থা ১২ সুবা সুমিত্তা সত্যবান লেপ্পা শিরমী অচনা ঐনা খাৎনি। মতিক চাবা যেংলগা মচাসি থাজো সাবিত্রী অসি অতাংবী কন্যামী লুখ। এইহন্নিংবে অচগী খাৎনি, ঋষিগী বাক্য তাবদা অশ্বপতিন হায়জে মুনিদেব অচাং ওইবগী শাস্ত্রদা পংথব থমথিবদী পাপ পুণ্যগী দোষ লৈতে হায়নপু নিত্তি শাস্ত্রনপু লেপ্পী কন্যাদানগী মপাগী দাইনী। মুনিগী যাথং মতুংইন্না ইশাবরি স্বয়ম্বর তৌরগে নিংথৌ ময় মদগী মানা পাপ্পদা যোবিরসপ্প শিরমী থঙ্গবনিন: ইচাবু কম দোনা বিধবা ওইহনগদগে পাংজদে মুনি হায়নরিব মুনি শিজ্জা ২গী বাসি তাজরিবা সাবিত্রী পিতাগী মকথদা থৎলোমরগা হ মক্করকই পাবুং সত্যান তৌবীহৈনু মচাগী অরেপ্পা রাকম হংশংচথিগে কনা ১ দা ইমিংসিনা যেংজররোই পুক্রিংনা যোখিখে হিংবে শিরে সত্যবান মচাগী স্বামীনী, বিধবা ওইরবপু ঐগী লাইরক্তা তরথ্যবনী লাইগী নোংমদী কনাপু ককপা ঙমলোই অনিত্য সংসারনী মায়া সংসারদা পোক্রবদী লেপ্পা শিগনী। অরেপ্পদী সত্য ধর্ম্মনী ধর্ম্মবু থাদোক্লগা ধর্ম্ম মঙ্গবদা ঐগী যুংঙাইরগা লোইরে থজুরিবহ কয়া কুইনা লৈগনী লেপ্প শিগদবনী, দেবে পাল্লিহৈদা তৌখিবা কর্ম্মগী ফলদু শিরগা মরক্তা ক'গুগদোরিবনী। নচাদী সত্য ধর্ম্মবু ঙাকচগে বারোবিগনু। সাবিত্রীগী পুকচেল হায়রকপচু তাবদা। ধন্য ২ সাবিত্রী মহাকি লেপ্পা মঙ্গোল ওইজো বোর শিরম্বগা ঋষিচু ব্রহ্ম-লক যৌখি, নিংথোনা ব রক্তন: কয় মুক হায়রদ! ঐগীদী সত্যবানা পতিনী মচাগী ধর্ম্ম শিনদী ঙাকপীয়ু হায়জখী। অশ্বপতি মচাগী পুক্রিং লেপ্পীবা ধর্ম্মবু ঙাক্লগে থন্দুনা জকবা তিথী যেংঙগা পাত্র মন্ত্রি থ হুনা আশ্রমদগী সত্যবানবু লৌহল্লুরগা বেদ-বিধি কাইদনা লুহোংলে, অঙনপোংকা লোইরনা সাবিত্রী সত্যবানবু রথদা তোংবল্লগা আশ্রমদা মীয়াম্বু মন্ত্রবাজন তৌহনা থিলহান্ন যাংদা হুতনা হায়া যৌখিহনা রজা রাণীদা পাঙ পিথী। পাঙ কংবদ রাজা রাণী অবাবা যুংঙাইবা য়ান্নহুনা তেংথাবরে হে বিধি প্রাণক্ষ্না ক'রি তৌরকপগী ফলনবো ইশ্বগী রৈভা কুম্বা লৈপাকলন থাদোক্লগা, তপসি বেস ওইহুনা আশ্রমদা লৈরবা মতমসিদা অশ্বপতি মিংথোগী কন্যাবু ইমো কংহনবিবা ঙমাগী থাংলোক অসিনা কনদোনা লৈহজগবি রাজা রাণী তেংথাহুনা কপ্পিহৈদা মীয়ামগী মচা-মথো যৌরক্লে। আশ্রমগী ব্রাহ্মণী ব্রাহ্মণ মরাম লাক্লবে সাবিত্রী রথদগী কুমথরহনা চংলক্লগা মমেম মকুবু থুক্লক্লগা হায়জৈ, মথোগীদমক চিন্তা তৌবিগনু মথোনা ইকুগী সেবা তৌজগী ঙমাগী থাংলোক ওইরমহু নমোদ চিংনজদে হায়হুনা রাজ রাণীবু থজবা বংহায়না পেলহন্নদা

ব্রাহ্মণী ব্রাহ্মণ মরাং ভক্তি তৌইঞ, ব্রাহ্মণ-মরাংরেয়া সতীগী বক্কন্দু উদ্দা পেহড়ুদ অসিম্য তৌরকী, ব্রাহ্মণী মরাংয়া থাসংকৃদ্দুলা রাণীদা উবেন্দুন মাইবক কবা মিথোন সাধু ওইলা সাবিত্রীবু তৌরকী, ব্রাহ্মণী বক্কা ওইলা কংক্রিমবি হায়নসুকই। শিক্কণ লাকইবা সেবারশীমে ছক্কেছ সেবা পৌইমঃ ব্রাহ্মণী মকৌ ওইলা কংক্রিমবি হায়নসুকই। ব্রাহ্মণ-মরাং দক্ষিণাগ পেলাহন্নবলা ওনাথ ব্রাহ্মণী-ব্রাহ্মণনু হয়থরে মথোই মরি মুংচাইলা লাইরারে সত্যবানা কুড়িকী বক্কা চংলগা কক্কুন কৈ-কৈ, অং থীকুরসা সাবিত্রীদ পী। সতীগী মক্কেন মকু, মপুয়োইবনু লাইগুয়া সেবা তৌই লক্ষ্মীগা মায়কী সতী পতি ব্রতানী; ব্রাহ্মণী সেবা শ্রীহরিগি পূজা ধ্যান জপ মিতিনী তৌইঞ, কমা-দয়া নৈ কজব বাহারনা বনবাসী খুদিংকক পেলহন্না শিল্পকর্মগী চিত্র বিচিত্রনা রাজা রাণী সম্ভবানমু মুংথাইহন্না ধবক খুদং রায়া চেকিংঙ্ক তোই। রাণী গুণগা মায়বা মুগীদী পৃথিবী লৈজে। চ ৪ ১ কৈবকপাম মারকন হায়বিরু নিত্তিনা মিংশিংহুগ মুমিং পাহুনা নৈবসী, অরাবসু মীনা চিংনখিনী হায়বগা উদন্দে পৃক্কিং লাকশিন্দুনা নৈ রাজারাণী, সত্যবানদ হায়কনা কংনগু তিথী পাহুনা লৈরকপনা চক্ক পুংনবা মুমিং হনা চাইয়ে। মার্কণ্ডেয়না হায়রকই যুধিষ্ঠির পৃক্কিং চংনা তারো কালেনগী একাদশীগী মুমিদাংনগী মক্কেন মকু অপুয়োইবনী সেবা লোইরগা, সাবিত্রীনী শুক্ল মন তৌরে নৈ নৈ শক্র চনম পানা সেথাগী পোহনক লাংথো ব্রত তৌহনা লক্ষ্মী মরাংঙগী আসন থারগা পূজা ধুক বক্তি কংলগা যোগাসন্দা কথ্থনা মোংথাঙ্কাওবা ধ্যান তৌহনা নৈ। পোথাঙলগা প্রাতঃক্রিয়াস্নান তৌরগা মক্কেন মকু, খ্বামি সেবা লোইরবগা ব্রত তৌহনা পূজা অমুক কংলগা যোগাসন্দা ধ্যান মাংঙপ তৌরনা দ্বাদশীন্দু নৈরে, ত্রয়োদশীন্দু ব্রত তৌই চতুর্দশীগী নোংথাঙ্কবপনা ব্রাহ্মণ-মরাং ব্রত শাক্তগী পুং তাথাদা ব্রহ্ম ভুজন কংলগা দক্ষিণা কংলে। ব্রাহ্মণশিংনা সতী মংনা নিংবক্‌ ঈশ্বরনা কৃপা পিবীনা ওইরসন্দু থোর পেকনগা হয়থরে রাজা রাণী, সত্যবানসু শ্রীহরিদা কংশিনা কুক্ক সতীনা পুথোরকুনা, সেবা প্রসাদীহু কংহকে নৈঃ নৈঃ পানা সেবাহু লৌরহনা সাক্ষা মক্কুরে সতীদী পুজা হান্দা হরিবু ধ্যান তৌনা চাদম নৈ নুমিং মুংবা মতুং দণ্ড ১গী মতম ওইরক্লে। সত্যবান মবাবু থুরুগ্নগা শিংজং পাইহুনা বন্দা শিং লোক্করুগ হায় মরাংনা চনিদী মতম থেংজে চন্দুরহু লায়বদা ইনা গুরাক্কন কুলকনী হায়রগা সত্যবান চংখী, হায় শিবা রাহু থাক্কা অরাবা ওইহুনা বনবদা বারদনা তাকপীরন্না লোইরোই কর্ম স্বয়ম জিবাত্মাগী ওক্কা হুকক্কগা কাল কৌবা লাইনা শিকন তায়া চিংগবনী পতি সেবা তুং ইন্নগে বন্নুনা থোরকনা মকু মিংথৌ পুরুষগা নকাইন্দু বন্দা চক্করুগে বিরাং তৌরক্কগা মায়া তৌথরে, মিংথৌনা রাণী মথৌকু বন্দা চংখে, মহাদেশী ব্রত তৌরিবনী চনিন্দু চায়ী বারনী থাক্কু মিংথৌগী মাথং কংবদা রাণী চেহোরক্কুনা সবিত্রী ইকৌনী মহাদশী ব্রত তৌরিবনী চনিন্দু বারনা লৌরী বন্দা চংপা রাওক্কসু রাক্কী হায়রকপাম সাবিত্রীনা বক্কা মথৌগী ব্রত শাক্ত মুমিংতী পতি থৌমবরক্কগা লোকলঃ এই হায়কপি শাস্ত্রগী বিধিনী। ওসিনী শরাগী মুংইজরগা বনগী নৈকোন নৈকোন মমুক্কা থেংজক্কগে

হায়রকপদা, সুমেধা রাণী বা ভাংদনা হক্তিনহৌরে, সাবিত্রী সত্যবান বনদা চংখে, সতী থমোইদা শ্রীহরিবু স্মরণ তৌরি। অয়াবদী উইন্দনা সত্যবানবু চেংনা শেন্নহুনা ভুং ইল্লি, হৈ নৈ হেকপা লোইরগা য়োকশিন্দুনা সতীদা শিন্নরে। উপাগী অমগী অকংবা উশাহু কক্লগা মপোং কারমী থন্দুনা শিংবে অসিদা কম্মু ঐ উশা অকংবসী শিজী অমুক্তা ককথরুগে হায়রগা শিংজংগা উথক্তা কাথরে, উশাহু ককল্লুবদগী কুমথরকপদা সত্যবানগী মৃত্যুগী পুংকম ওইরকুনা কোক ভাওরকই, নিম শিশিং ১না চিক্লগা চু কামশিল্লকপগুম দেব মায়া কনানা থংগনি। মাইপৈ ১০ মমশিল্লকই সত্যবাননা হায়রকই শিংবে ঐ থাংবা ভমক্রে, করম্বা দেব মায়ানো মিং উরকত্রে। থম্মোইদা টাসোন্না লেংবগুম থরাইসি মপান থোক্তদোরে ঐ হিংবিনী নিংক্রে কমদৌনী, হেঃ রাজা নন্দিনী, কোকতাওবনম্মু মিং উরকত্রে করি উপায় নৈবগে প্রিয়ে, সাবিত্রীনা ঐনা হান্না থংজবা নৈ মুংশা থিবিমু, পুক্লীং তপথবিয়ু শিদা ভাকতং হিপ্লীয়ু ঐ থোপজগে হায়দুনা ইন্নকি থারগা, কৈবোমদা কোক্তু থম্মগা হিকল্লী। সতী মবুংগোগী দেহেহ থোপল্লগা হরিবু ধ্যান তৌদুনা লৈরে। বন পর্ব্বগী কথাসি মীওইবগী কান্নংবা শ্রীব্যাস দেবনা লেখখা মহাভারতনি ইতি। হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

সত্যবান সিবা সাবিত্রীনা বর ফংবা

সতীগী গুণনা যমনা পেন্দুনা সত্যবান হিংবগী য়ারী মতাং।

মার্কণ্ডনা হায়রকই – যুধিষ্ঠির! সত্যবান জ্ঞান নৈতনা তিংদম তারে শোর হৌদবিদে, সাবিত্রীনা ঈশ্বরদা জীবা আত্মাবু যম চুতনা পুবহু উইনবিয়ু নিংজরী। সত্যবান আয়ু লোইরে হায়বসি সাবিত্রী থংলে ঐগী ইবুংগোসি মৃত্যু পতিগী চুতনা কমদৌনা পুবগে য়েংওগে থন্দুনা মুমিং তাহুনা মমব বন্দুদা অকিবা নৈতনা পতিগী দেহেহু থাদোক্তনা নৈরে। মতমহুদা যমনা চুত ময়ামদা সত্যবান পৌক্লমবা থারকই। যদপি য়াথংদগী সতীগী গুণ থংদবনিনা চুত ময়ামহু সত্যবান লৌপে লাকই, অদুবু ময়ামহু সতীগী তেজনা নৈগুম্না শাবনা শোকউবা ভম্বা য়াওজহুনা হল্লকলগা ঐখোই সাবিত্রীগী তেজনা শোকউবা ভমক্রে হায়রগা যমদা খুরুমজরে। সতীগী গুণ তাবদা যমরাজা মশারক লাক্তুনা থুংজরে, সতীমাংদা কোংনা মূর্ত্তি উৎপদা অহিং অমম্বা ওইবগা যমনি থংদবনা নিপা নহাক কনানো হংলী? ধর্ম্মরাজনা ঐ যমনি, সত্যবান মপুরোইগী মতম লোইরে ঐ পুরগে

সাবিত্রীনা হায়রম্ভে ধর্ম্মনা ভাকপিরিবহ বিধাতাগি যোংদম্বু কনানা লাক্তোকপা ঙমগনদে, মায়না সংসারগী সম্বন্ধী শিঁ জীবনিদা ধর্মতন অরেপ্পনী, লেংত্রবা মপূর্ণি ঈশ্বরনদি হায়রবা অচৌবার থাহোক্লগা থবগী মাংদা ভক্তি তৌরগা পুংলোয়হনা লেপ্পী। মখ চংহনা সত্যবানগী লেংবদগী জীবাত্মা লোথো-ক্লকই। অতত্তগনী থুবীমক্লমদং চাওই, উবদনী বায়ম্না কচ্ছ মথোং মথুং পুনশিনপ পুহনা ধর্মরাজ-থা পাংলা চংলি। সতী মপুম্নোইববু পুন্দুনা পূরিবা দশাহ উবদা বাদি ভাংদনা থবগি তুংইনুবা চৎলে। মখনা সাবিত্রী ঐগী ভুং ইল্লকইবা কদাইদা চৎকদৌরিবনো মাদী মতম লোইরহনা শিরবনী। চিন্তা তৌরুম্ম মতম লোইরহনা অশিবদী লম্বীদা চৎলীবনী জগত জীবগী হৌমবদী শিজ্রিবনা মৃত্যু পাঙ্গাদা চৎলোইদবনী, ঐনা হায়বা তৌহনা হন্নগা পুক্লিবসি গুণ চেন্নবী নঙনা শ্রীহরি প্রিতি ওইনবা কর্ম্ম তৌক। লাঙ্গবা ধর্ম্মগী মাথং ভারগা সতীনা হায়জরকই প্রভুনা ভাকপিরিবহ অমাইম্মু থঙজে। কনানা কনাগী পরিবারনো, কনানা ভাই বন্ধুনো, স্বামী ভার্য্যা পুত্র মাগী ২ মতম ওইহনা শিন্নবদি কনানক্তা মরি লৈমদে হায়বসি মুনিশিংম্মু হ য়রি। পোক্লরবদি অমুক শিবা হায়বসি শোইদ্রবনি। জীবদী অবংবা কুংঙাইবা কাবরা অসিদি মানা ১ তৌরকপা পাপ কর্ম্ম পুন্য কর্ম্মহুগী মহৈহ চাক্তবনি মানা ২ পান্নবম্ম ওইবা য়রোই বিধাতাগী মোংকম্নী। ঐগী ইপুরোইবনা তৌরকপা কর্ম্মগী ফলন নোনা শিহনা কর্ম্মগী মহৈ চারুগদৌরিবনি ঐগী করি ইভিক্লা মহাকপ স্বর্গাত ওইফনবা মারেই। মনাক্লা তৌরকপা ধর্ম্মহুনা মাগী ১ মরুপ ওইগদ-বনি। মানা ২ তৌরকপা ফত্তবা কর্ম্মনা মাগী য়েক্লবা ওইবনি। ধর্ম্ম অধর্ম্মগী মতুংইনবা জী-বনি হায়বসি শাস্ত্রদা লেপ্তুনা লৈখরবনি মরম অসিনা মীওইবগী মপোক্লা ফংঙরবদি হিংঙি-লৈবদা ঙস্নামথৈ ধর্ম্মবু ভাল্লমগদবনি। সৎসঙ্গনা মীওইবগী মচিনী হায়বম্ম মুনিশংনা হায়রি। ফত্তবগা ভিন্নরবদি অফবা মাংহনা ফুরানবা নত্তবা লমচৎ চৎলকই। লমচৎ চুম্নমদরবা মীম্ম সাধুগা ভিন্নরবদি অফবা লমচৎ ওইরকই হায়বাস মোইদরবনি। সাবিত্রীগী বাকমসি তাবদা যম অপেনবা ওইহনা হায়রকই, মিংথৌগী মচা ইবেম্মা নঙসি পৃথিবী য়াইফনবা মশকনী। নঙবু পোক্তবা মাতা পিতাম্মু থজ্জনি, নঙনা হায়রকপাস তাবদা অমৃতগা মান্নৈ। ঐ বর পিগে সত্যবান নত্তবা অমা নিয়ু। মহাক্লা অপাম্বা অত ঐ লেপনা পিরগে। সাবিত্রীনা হায়ম্ভে, ইপা মিংথৌ থাম্না কংদহনা লৈরে, মচা থারা হংহনবিয়ু। যমনা গুণ লৈবা মচানিপা পোক্ল-লম্ম। সাবিত্রী থুনা চৎলো। নম্মুমদা থুনা য়োরগা নমেম নকুদা পাও শিক্ল। সাবিত্রীনা হায়ম্ভে প্রভুবু মিকুপ অমফাও সৎসঙ্গ হায়বসি বরানসিদা লৈবগা মান্নৈ অম্ভবু ঐবু চৎলো ভাকপিহনা থাহনবিয়ে। পূর্ব্ব জম্মদা ইপানা ভানবিরকপা পুন্য ফলনা গুণ পুয়মক্লা চেন্নবা প্রভুবু উজবা ফংজরগা কর্ম্মগী থৌরিনা পুল্লমবহ কোকচয়ে নিংজথবু, অমুক চৎলো মায়াগী য়োংহ্লিং থাংঙুরো হাম্নবিবদি যোংদম্বনা ওইওইমনা তম্বীরম্মাল্লে হায়রগা মিংলু অমিদা পি শিক্তরকই। সতিগী মতৌ উবদা থাহায়হ তাবদা পেলহনা মৃত্যুপতি অমুক হায়রকই, হেঃ সতী নঙনা হায়বা বাস

অমৃতমগী হেক্লি হমা ২ ঐগী পুক্নিংসি সুংঙাইব পোকহল্লি: সত্যবানগী জীবন্নু হল্লকা বর সাবিত্রীনা হায়খি, ইকু মহারাজগি মিং থাংজিবসি উত্তমনবিয়ু নিজরে যমনা ইবেম্মা নকুছ মনিং উচ্ছসন্নু, অহিংসি থেংজক্লে নয়ুমনা হল্লো সাবিত্রীনা হায়খি ইচাসু পাম্বদরে পতি বন্ধু বান্ধোব শাগে তাই মায়াগী লম্বী থাদোকচনগে, ধর্মদা পুক্নিং লেপচবা অসিতনী থৌজান পিনবিয়ু তমদবা থংদবা লৈত্রবা ধর্মরাজনি প্রভুদি। কন্নবা রাজকন্যাগী বাহায় তাবদা পেন্নহনা যমনা হায়রকই, থোইদোক্না পুক্নিং শেংনা তপস্বী হে রাজ নন্দিনী: মহাক্তি বাহায় তাবগা ঐগী থম্মোয়সি সুংঙাইবা পোকই। সত্যবানগী থবাই নত্তবা বর অমগা নিয় ঐ পিরগে। সাবিত্রীনা হায়খি, প্রভু মনাইদি লোভী থাদোকচরগে, লোভ, মোহ, কাম, ক্রোধ ক্ষুত, পিপাসা হায়বসি। লোভীদা পুক্নি চংজরবদি মীওইবগী শয় রিপুনী হায়না শাস্ত্রদসু লেমী। অপাস্থগী পাপতি পিরগা পাপকি ভোগতু ঐনা চাকুপদবনি, মরম অসিনা অপাস্থদা পুক্নিং চংহনা বর নিজদবা কিজরে। সতীগী বাহায় থজবন্থ তাবগা ধর্মরাজ হন্নাও সুংঙাই লোইমকহনা সত্যবানগী জীবন নত্তবা পুম্না নিংবহু ঐত্তোন্দা পিয়ু। সাবিত্রীনা অহুগুইরবদি ইকুগী লৈপাক লন য়েক্লবনা পৌখিবহু অমুক ফংহনবিয়ু। যমনা সতী মকুগী লৈপাক লন অহু ফংঙসন্নু বর পিরে, অহুগা থুনা মথুমদা হংথরো, ঐবু পলহল্লগন্নু হায়রকই। সাবিত্রীনা হায়রকই প্রভু মনাইনা হজংচবাস অমুকতা তাবিরগা অচুম অরাম থনবিরগা মনাইবু অমুক থৌজালবিয়ু। ভগবানগী লিলাদা বিধাতাগী সৃষ্টি অসি লাইমা মীনা ককপা য়াদরবনি অসিবু মায়া সংসারনি। অসিগুম্বা মায়াদা সুমহত্তনা সত্যগী লম্বী থাদোকপদগী মীওইবনা অরাবা সমুদ্রদা লেপনা লুপলে। ঐগী ২ হায়বা মুখ মুখী, মিপা, ইচা, ইশু, ইমা, ইপা, মরুপ, শাগৈ, তাই হায়রিবসি য়োকপা সুংঙাইনবনি হায়বগী বাথনদা লুপতুনা মীওইবগী মপোক্তা তাংগদবা ধর্ম থাদোক্তুনা কত্তবা থবক তৌবদগী মতুংদদি মীওইবঃ প প্রা লুপনিহনা দেহ পাল্লিহৈদা তানখিবগী মহৈহু পিরগা জীবনা চাকুগদবনি হায়বসি বিধিগী পোইবা য়াদরবা মোংদমনি। মান তৌবা কর্ম্মগী ফলদি মশানা কত্তগদবনি। কল্পং-তিনা মানা চারিযুগী মপিং লংহনা মশাবু কোনশিন্দুনা পুনশিল্লগা শিজবগুম্বা পৃথিবীগী মী-ওইবলিংসি মায়াগী অচকপহনা পুনশিন্দুনা তুংদা অরানা ফল পায়বসি থনবা তমদে। হো-জিক ঐ সুংঙাইবগা লোয়রে মৈরানবীগী ৺জিগুম্বাস অমরগুপ থকিবনি। সংসারস অরেম্বনি মীওইবগী অরেপ্পা মাংবা লৈরবা লন্দি ধর্ম্মগী লম্বী শেমতবা চংচবা অহুতনি। অমগী মায়ানা পুনবা লম্বীদদি নমাংচ চনিংদরে। মনাইদি সংসারদা পোক্তরবনিনা ঐগী জীবাত্মাগী থম্মুবা য় থরা অচাকপা মৈগুম্বা শারে। থৌজানবিয়ু ঐগী মৈশাসি মুংখিনবা সংসমগুইবা ধর্ম্মরাজগী লাংগী মুহুর্ত্ত অমত্তদি লৈরখিগে হায়রকপা সাবিত্রীগী বাহায়হ তাবদা, যম্না পেন্নহনা হায়রকই, হে সতী: ধন্যনি নঙগী লমচং, হায়দোরকপা বাহায়না ঐনা থজবা ঙমত্তা লৈত্রবনি, অত্তবু ঐ কাওবা অতকপা কংহল্লে। নহা ওইরিবা মচা ধর্মদা ফজনা লেপ্পা থংবসিদি পৃথিবীদা

লৈত্রে। মহাগী মিংচৎনা পৃথিবীদা শিংনা লৈরম্মু। মহাগী কক্সবা বাহাইনা ঐবু খুদুম চরখরে। সত্যবানগী থবাইসি মত্তবা বর অমা পিয়ু। মহানা নিবহু লেপনা পিরগে। ধর্ম-রাজগী বাহারহ্ ভাবদা সাবিত্রীনা হায়জরকই, প্রভুগী মাথং লৈপ'ক ভাদনবা মিজরগে। সত্যবানগী ওইরসনা চাহি ৫ নং মাওরোম খমরগা ঐগী গর্ভদা ইচানিপা ১০০ সিদং পোকচরগা মাগী লৈ-পাক্ক ভাকু্না পালহন্জরগে, বরসি পিবিরো। কৃতান্ত লেপমা পোকচরো বর পিরে। অহুগা শমমা থুনা চৎলে। সাবিত্রীস্মু ভুংলা ইল্লে। যমনা হায় করিগী ঐগী ভুং ইল্লিবনো? কদাই চৎকগে? বর ৪ পিরে, করিগী ঐবু চিংনহল্লিবনে? সাবিত্রীনা হায়রকই, ধর্মরাজগী হায়থরবা মাথংদি লেমনা মাংবা মাদরবনি। ধর্মগী বাক্যবু ঐনা মিক্তোকপা ভগী ইভিকম্মু লৈজদে। ঐনা ইজরবসি অঙকপা অমা লৈরে, অহুগী নহুজনিংদুনা ইজবমি। সত্যবানগী ওইরস থো-জানদগী ইচা ১০০ পোকচৌ বরদি পিবিরে অদুগা সত্যবানদি পুবিরি। আমগী মরমসিদং ভাকপিরবদি ঐনা ধর্মগী ভুংইজবগী ইভিকম্মু ওইজদে। সাবিত্রীগী ব'হারহ্ ভাবদা মৃত্যুপতি ইকাইবগা লোইমহুনা হায়রকই, হে সতী: পতিব্রতা মরোম ৩ দা মহাক্ হা লৈতে। সতী মহাগী গুণনা যম ঐবু জয় তমবা তসি চতুর্দশী অসি ব্রত তৌরগা মহাগী মগুণসি তাজবদ মীওইবমা অক্ষানবা পদবী কংবা ওইরসমু। মহক্না বর ৪ কংবগুম ভক্তদা সাবিত্রী চতুর্দশীবু মিংজবা তাজবহ্ অভগী মহমদা হরিধাম কংবদা মভুনা পুকিবা মুংচইনা পাবৰা ওইরসমু। মহুনা এবু তমগুম মীওইবশিং যম ঐগী দায়কোক্না অবামৃত্যুদ শিদবম্মু ওইসনু। শিরবগী থবাইবু কংবা হায়বসিদি অনিরক শুনদি থোরবোই চন্দ্রমুক্তি মহুমা ঐবু খুমুম চরবমিনা সত্যবানগী থবাইস লৌজরো দায়হুনা সতীগী মথুক্তা হাপলে। পুজিমা নখোই ২দি রাজ্যভে গতা লৈরগা অন্তকান্দা মবানি বিষ্ণুলোগতা লৈজবা ওইয়ু। বর শিরম্মগা যম মুংচাইনা হনখি

সতী মপুরোইবগী থব'ইহ্ মুচাইনা পুরক্পা সত্যবানগী অশিবা দেহেহুদা হ প্লদ; জীবাত্মা থম্মোইনা চঙখিহুনা সত্যবান তুম্মুবদগী মিকপ থোক্লকপগুম বিষ্ণু ২ শোল্লগা হোগংলকই। সত্যবান অহিং অমম্বা ওইরম্মহ্ উবদা বারতনা হায়রকই, প্রিয়ে ঐবু হোদোরক্তবা করিগীনো? শোংলবা বমসিদা কমদৌনা অহিং লেমগনি? চৎকম লম্বম্ম থংডরোই, ইমা ইপানম্মু ঐখোর হন্নক্তবগী কপতুনা লৈররিমি। হে বিধিঃ কাল নিম্নাবু ঐক্তে ন্দ পিনবিবা করিগীনো? শা, কৈ, মোংসা, শামু, এক মরকসিদা কমদৌনা লৈগনি তেংথারকই। সাবিত্রীনা প্রাণনাথ মপুরোইবনা ভুশিনৈনা হোদোকপা মোষ ওইনি থমবদগী হোদোকচনরবনি। নোংনা চুমিং থজিহুনা চুমিং-ভাবা মভবম্মু থভহোদয়ে বারোবিগনু। হৌজিক চৎপম্মু যাররোই। উপাম্মীসিদা কাখংলগা লৈরমি, মোংজাল্লগ চৎলমি। সত্যবান্না প্রিয়ে চুম্মি নাকু হায়বহ্। উথক্তা কারগা লৈরসি হায়হুনা অনিমক উথক্তা কারগা অহিং মোংশোইবা চিন্তা ভৌহনা লৈরে। আসোমদমা মিংথো রাগী অনিমক মচা মমো হন্নক্তবগী বাহনা কপতুনা মিত্তা পি তারকপা তৈথোকপদা হ্যবসেম

মখিং ২ তাংবদু যদপি মহাক্না মিং ২দু উরে। মখিং তাংজমদু উরকপদা ঈশ্বরগী কৃপানা রাণী ঐগী মিংলি উরে ইচা-ইমো অনিবু অমমা অহিংসিদা খন্দা কমদোরতনা হল্লকত্রবনো, ইমোনি মমিং হম্রি স্নরে ব্রত তৌদুনা চাবা থকপা তৌদনা খন্দা চংখিবনি অদুবা তাতুনা লৈরবমদা তেংথাহনা রাজ রাণী ঐখোইগী লাইবক খিবদগী ইচা-ইমোবু লগী লমথাংদা থুদোংখিবা থোক্লবরা, হো: সাবিত্রী-সত্যবান মখিং কৌহুন খোঞ্জেল রাংনা তেংথাহনা কপ্লকই। আশ্রমগী মুনি ময়াম্না কপ্পু তাবদ: লোইনা লাংনরে কঁরগী কপ্পিবনো হংজকই? দ্যুমৎসেননা ব্রহ্ম সভাবু ইচাগা ইমোগা খন্দা চংখিবদু হল্লকজরে। অদুগী মুখাংথিনা কপ্পগী পি তৈথোকপদা মখিং মকম্ভু উজরে হায়রকই। মুনি ময়াম্না মখোয় মহাক্কি লাইরক ফবা মতম থুংজরবনি কম্বরমু নচা মখোম্ভু মাম্না নুংঙাইনা হল্লকপগী বাকুরমু মমুমদা নুংঙাইনা পেংথাহনা লৈকরে। পেম্নজিল্লগা মুনিশিংস্তু হন্থে, মখোয় রাণী অহিংন্থ ভুমনদনা মিস্রা তৌদুনা লৈরে। সাবিত্রী-সত্যবান লোংজাল্লবদা উথকুগী কুমথরগা; প্রাত: ক্রিয়া স্নান লোইরগা হৈংজল ইনশাংগী পোৎলম্ন য়োমশিন্নগা সাবিত্রীনা পুরে, শিং কোকথোং সত্যবাননা পুরগা নুংঙাইনা লাকই। মখোয় রাণী মস্ত মচা মমোবু য়েংদুনা লৈরিবা লগীহদা থুংজরে নুংঙাইরহনা আনন্দ যুমদা চংজকরে। সাবিত্রী-সত্যবান পোৎ থম্নগা রাজ রাণীবু থুরুম্বী, অমসুং ব্রাহ্মণ ময়ামস্তু চংজকনা ময়াম পুল্লে। অহিং হল্লকবগী হংজকপদা সাবিত্রীনা বারম পুম্নমক লোইনা তম্বী হারমদু তাবদা ময়াম রাজ বৈশ্য অসিদা মচম নত্তে, সৃষ্টিকর্ত্তা ব্রহ্মাগী সাবিত্রীগী শাপ থনদুনা থংংজরগা ব্রাহ্মণ ময়াম আসিষ্য তৌরগা হন্নথী।

রাজ রাণী ঐখোয়না নহামনক্কী মপোক্কা তাজরকপানা ফংজরবা ইমোমী। ব্রহ্ম ভূজন দানা কয়া তৌরে অমস্নম লৈরকপা চহি ফারকপদা অশ্বপতিস্তু মচা ধরা ফংখরে, দ্যুমৎসেন য়েক্লবা জয় তৌদুনা মরৈপাক হন্জিহনা পাল্লগা মচ সত্যবান্দা রাজা অভিষেক তৌরম্লগা রাজরাণী স্বর্গতি ওইখী। সত্যবান সাবিত্রী মচা ১০০ পোক্নুনা রাজভোগতা পুক্নিনা পাল্লি মচাশিং পেম্বা লোইরগা মচা অহন্দা রাজপদবী শিন্নরম্লগা সাবিত্রী সত্যবান বৈকুণ্ঠ ফংখী। সাবিত্রীনা শাপে ২মক উদ্ধার তৌই। মচা পোক্লবা মপাবুস্তু মচা ফংহনখী, মখিং তাংলবা মকুবুস্তু মখিং সিরবা জীববু অমুক হিংহন্দুনা মরৈপাকপু রক্ষা তৌখিবা ওমবতা ওইবনা মুনি ঋষিশিংনা ব্রহ্মাগী সাবিত্রীগা মাইনে হায়না আশিষ তৌনরিবনী।

মার্কণ্ডনা হায় হে ধর্ম্মরাজ! মমাংদগী বারী লিরবসিনী, দ্রৌপদীস্তু ঐনা য়েংবদা সাবিত্রী গুণচুগা মান্নবা বাকচহনা লেপ্না য়েক্লবা জয় তৌরগা পাল্লখিনী হোৎজিক ঐ হল্লগে হায়রকই।

ব্যাখ্যা মার্কণ্ডনা বারি নিবা পাণ্ডবনা তাজবসি, জয়দ্রথনা শিব নিংবা চহিহুগী মথুংদনি। অহুবু সত্য যুগকি বারি হিরনক্ষ, হিরণ্যকশিপুগী বারি. প্রহ্লাদ চরিত্রগী বারিশিংদু সুত্র ওইনা পদ্মপুরাণদা শন্দোক্লা ইদুরে। রামায়ণগী বারিদু সুত্র ওইনা লোইশিন্নরে।

পাণ্ডব ব্রাহ্মণ কয়াবা মার্কণ্ডেয়বু খুরুমজরগা লৈকৌই। মার্কণ্ড মিতাশ্রমদা লেংখি। শ্রীব্যাসনা লেখের্ম্ম বা মহাভারতকি পৌরাণিক পরিবদনা মাতৃভাষাদা ইজরি ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

ব্যাস লাক্‌নুনা বারী লিরবা শ্রীকৃষ্ণ লেংখৎকপা
পাণ্ডবনা ব্রাহ্মণ ময়াম বিদায় তৌবা কাম্যবন থাদোক্‌নুনা
য়েক্লবনা খংদনবা চৎপা বারী মতাং

শ্রীবৈশম্পায়ননা হায়! রাজা জন্মেজয় – পুক্নিং চংনা তারো মথা লিরগে। কর্ণ না চিত্রসেনগী মখুত্তা মায়থিখিবগী ইকাইচনা, উত্তম বিজয় চৎলগা মিংথৌ পুম্নমক জয় তৌখিবা কর্ণগী গুণ তাবদা যুধিষ্ঠীরনা পুক্নিংদা কিহুনা য়েক্লবগী মমক চিন্তা তৌরিবসি বদরিকাশ্রমদা শ্রীব্যাসনা উরগনা যোগ শক্তিনা খংনখ্রা থুংলরে। ব্যাসবু পাণ্ডব সুম্ খুরুমজে আসন থাদে সেবা তৌই, বা মন আশিষ তৌই। ব্রহ্মসভাসু ভক্তি প্রেম তৌবৈ, ব্যাসনা ধর্ম্মরাজ করিগীনো চিন্তা তৌরিবা? যুধিষ্ঠিরনা হায়বৈ, গুরুদেবা দুর্য্যোধননা ঐখোয়বু য়েক্লরিবসি শোকনি কর্ণগী মতেংদগিনী, অতুগা কর্ণনা উত্তম বিজয় তৌহনা মিংথৌ পুম্নমকপু জয় তৌখিরে হায়বা তরে অতুগী বলুবদা রাদবা তুমদ্রে। ব্যাসনা যুধিষ্ঠির রাজদু নমাও ভীম অর্জ্জুন লৈরি, য়েক্লবা লেপ্পা জয় তৌগনি। কর্ণনী চিংনরিবহ ঐ বারী অমা লিগে মসিবু পুক্নিং চংনা তারবদি য়েক্লবা লেপ্পা জয় তৌগনি। লক্ষ্মণ দিগ্বিজয় ত্রেতা যুগগী লিলাগী গ্রন্থনি হায়রকপদা, পঞ্চপাণ্ডবনা গুরুদেব মাহ অমুক্তা লিখিয়ু মনাই ঐখোয় তাজরগে হায়দুনা ভক্তি তৌজরকই।

মতাং অসিদা শ্রীব্যাসনা লক্ষ্মণ দিগ্বিজয়গী বারী লিখহ পাণ্ডবনা তায়। বারী লোইরগা ব্যাস বিদায় তৌরগা চৎখি। পাণ্ডবনা চহি ১২ বন চংপগী নিয়ম ওসদবা থা ১তা ও ইরক্লে।

ব্যাখ্যা ব্যাস মুনিনা কর্ণগী শক্তি লৈবাল থজবগা যুধিষ্ঠীরনা বাহুনা চিন্তা তৌবসি উরহনা, কাম্যবন্দা লাক্লগা পাণ্ডবকি মরমদা কর্ণবু জয় তৌনবা লক্ষ্মণ দিগ্বিজয় লিরমহনা পাণ্ডবনা তাখিব। অসন্থ মার্কণ্ডেয় লিবা মতুংদনি, চহিতুগী মতুংদনি। লক্ষ্মণ দিগবিজয়গী বারিহ সূত্র ওইনা পরগা লোইশিল্লরে। মসি হমাভারতকি লৈরেং ইজবনি। মমাজনা দোষ পাকশিগনি। ইতি

চহি অমা লোৎকদবগী রাথবমা অমুক রাজরকপসি দ্বারিকানাথনা উরগদুনা রুক্মিনীদা বিদায় তৌরমগা আবির্ভূত লেংলক্লে। শ্রীকৃষ্ণবু দরশন কংবদা শুংঙাইজরদুনা ভক্তি প্রেম তৌরে, শ্রীকৃষ্ণন্ম বাস ওইদুনা লৈরে। যুধিষ্ঠিরনা কৃষ্ণ লেংদ্রকপা মুমিং ছুমলি শুবদা ধর্মনা সভা মুনা কথলবদা কৃষ্ণদা হায়জরকই কাম্য বনসিদা লৈবসি কুইরক্লে কত্তবা কাংবুমন্ম লাক্লগা যেক্লরে। চহি ১ লোৎকদবন্ম অকশিংক্লে। যেক্লুবনা থংদনবা অরাপ্পা মকমদা কৌরবনা থিবদা থংদনবগী উপায় ওইবন্ম শিনবিয়ু। কৃষ্ণনা হায়রকই, দাদা মহারাজ কৃষ্ণ নমাওনা হায়গা খক্লদুনা অহপাদমক নবাও লাকচবনি চৎসি চণ্ডাল ওইবা কৌরবনা চংঙোইদবা দেশতা চৎলগা (অজ্ঞাত বাস) শুং-ঙাইনা লৈগদবনি। শ্রীকৃষ্ণগী রাথং তাবদা পঞ্চপাণ্ডব নুংঙাইজরে। ধৌম্যাগা তান্নরগা ব্রহ্ম সভাগী মফমদা ধর্মরাজ চংলক্লে। ভক্তিদ খুৎ লোয়নরগা হায়জরে। ব্রহ্মসভা লেংবিরো, ননাই ওখোইগী চহি ১ গী অদুমক্তা লোন্নুনা লৈগদবগী মতম ওইরক্লে। রারমসি হায়বা কিদ্রনা লৈ-জরগদবনি হায়দনা যাদ্রদুবা কায়জরবনী। ঙসিমক থোকানবিদুনা হস্তিনাদা লেংঙগা পাবুংকন্দা শপথ তুরবতি চহি ১ কোৎপগী চৎখরে হায়বিয়ু ঐখোয় হল্লকি কাওবদ পাবুংহনা ব্রাহ্মণবু পালন তৌবিসন্নু। অদুবু হস্তুবাদা লৈনিংদবনা পঞ্চালদা লেংবিয়ু। ইকু মহারাজনা সেবা ওইবিসন্নু, ব্রহ্মসভানা আশীর্বাদ তৌবিয়ু। ননাই ঐখোয় অজ্ঞাতবাসগী লৈরুবদা বিঘ্নি লৈ-তনবা ধর্মগী রাক্ষম তংবদা ব্রাহ্মণ মরায়া ধর্মরাজা অজ্ঞাতবাসগী লৈবদু লেপনা মঙল ওই-রক্তু আশীর্বাদ তৌরগা কয়মুক্লা হস্তিনাদা কয়মুক্লা পঞ্চালদা চৎনখরে। ব্রাহ্মণগী বিদায় লোইরগা যুধিষ্ঠির কাম্যবন থাদোক্লুনা যাত্রা তৌরকই। ধর্মনা ধৌম্যাগা মাং থারে। ভীম অর্জুন, নকুল, সহদেব দ্রৌপদীনা পাক পাত্র পাইরগা তুং ইল্লি। বন্দা নদানদী, গীরি, জঙ্গল কয়াগী কত্তবা যেংদুনা পক্কনা লাকপনা মুমিং ৩নি শুবদা কাম্যসরোবর য়োরকপদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই দাদা মহারাজ কাম্য কৌবা পুখ্রি অসি অথোইবা পুন্যতীর্থনি লাইমক্লা কংডমদরবা, মসিদা স্নান তৌবদা যংগী অধিকার কোকই। তর্পন তৌরপনা পিতৃলোক অরানবা পদবী যংই, মসিদ স্নান তর্পন তৌথসি, পোথাবিরে। লম্দা থাকপগী রবগা হৈকোল লৈকোয়া ফজরি, পুখ্রিদুনা থম্বাল শাংলি, খোইমুনা শঙ্খ ২ গুণ ২ শব্দনা নিল্লি। ফজবা বন সরোবরগী মনাক্তা বোকুল পাম্বীগী মখাদা মরাম পোথাদুনা কয়রে বংগী ফজবদু য়েংলগা মরাম থাগৎলৈ। সরাবরদা স্নান তর্পন তৌরে। দ্রৌপদীনা জুক হৌদুনা কৃষ্ণগী জুক কৎলে। ধৌম্যা ব্রাহ্মণ শিষ্যশিঙ, পঞ্চপাণ্ডবন্ম দ্রৌপদীন, পরিবেসন লেবা ওইদুনা প্রসাদ ফংনরে। মকম অদুদা মুমিং ৩নি লৈরে। অদুদগী স্নানক্রিয়া লোইনরগা অমুক যাত্রা তৌরক্লে। মতাং অসিদা দ্রৌপদী পুক্রিদা রাথল অমা তৌরকই, মরোম ৩গী মনুংদা ঐ অসি সতী পতিব্রতা হায়বসি অমা ওইরে। ইপুরোইবগী তুং ইন্দুনা বন থুদিং অরাবা কয়া থাংদুনা ঐনা ইপুরোইবা ব্রহ্মসভাগী সেবাপুরি জগৎকি মহুত্তো শ্রীকৃষ্ণদুন্ম ঐগী ভক্তি প্রেমা খুদম চল্লি। মুনিশিংবন্ম হন্না ২ থাগৎপিরি।

অসিদগী হেনবা মিংচৎপু সুপীগী মপোক্তদি লৈরম্মরোই। ঐ অসি মপোক্কি অহৈ রাজসে। অসিদগী হেনবা মিংচৎপু সুপীগী মপোকতদি লৈরম্মরোই। ঐ অসি মপোক্কি অহৈ রাজসে। মাগী নাপলদি মতৌ অম্মুম্না দ্রৌপদীনা নাপল তৌরকইংদি শ্রীনারায়ণ খারীকনাখনা উৎখ। পঞ্চপাণ্ডবতা ঐশা খানবা মাদম্মা ইনাই ভক্তসি লৌথোকতরবদি ঐংগমু মরুখা য়ারৌই। পঞ্চপাণ্ডবতা ঐশা খানবা মাদম্মা ইনাই ভক্তসি লৌথোকতরবদি ঐগম্মু মরুখা য়াররোই। মকম্থু স্বর্গগী অলকানন্দগা চপ থম্নুনা লেংডকপসিদা স সিপ নীদ লাইনিংকম বন যেরকলে। মকমতু স্বর্গগী অলকানন্দগা চপ মাম্না ফজে। হৈপাল-লৈপাল, উপাল পরেং ২ লৌরি। পুম্বিং ভন কজরবা মকমতু উবদা মামনা ফজে। হৈপাল-লৈপাল, উপাল পরেং ২ লৌরি। পুম্নিং ভন কজরবা মকমতু উবদা ধর্ম্মরাজনা মরামথু লমী লাইবক্কী রাখনা মকমসিদা পোথারসি হায়রকই। মরাম পোথজনা মান তৌনরে। বনমা লৈ হেকলগা ইষ্ট পুজা তৌই। কানা লাম্নদমী লৈ হেকতুনা চাখৈ। মতৌ অম্মুম্না মুংজাইনা লৈনরে। বনপর্ব্বগী বারি অসি অমুতাগী ইচনমুম্বজি। শ্রীখাসন লেংবসি মমুংগী বসবু অমৃতগী মশক্কি হায়বনি ইতি। হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

শ্রীকৃষ্ণনা মতম নত্তনা পানবা হৈনৌদগী
দ্রৌপদীগী নাপল লৌথোকপগা ওারী মতাং

বৈশম্পায়ননা হায় — রাজ জন্মেজয়! ওক্লিং চংমা তরো। মখা লিবগে, কৃষ্ণগী ইশানা মতম নত্তনা হৈনৌ পাম্বী যত্তবা অমদা রাংকা হৈনৌ। জয়ব অমুমব অমা পানকুিল। ঈশ্বরগী ইশা মতম নত্তনা হৈনৌ পাম্বী যত্তবা অমদা রাংকা হৈনৌ। জয়ব অমুমব অমা পানকুিল। ঈশ্বরগী ইশা অংকপনি হৈনৌহ দ্রৌপদীনা উকরে মতম নত্তনা পাম্বিব হৈনৌর উবদ দ্রৌপদীনা অর্জুনদা হৈনৌসি হেকপিয়ু ঐ য়াম্না পামজে হায়রকই। অর্জুনা লিক্ল লিত্নী চম্লগা তেম অমা কাম্নগা হৈনৌর হেক্কে। অর্জুনা কেম্লগা লৈপাক তমিংডদা গুরুগা দ্রৌপদীনা পিরে; কৃষ্ণানা হৈনৌর মখুংনা হেক পায়বদা হৈনৌ পাম্বীর থাহৌদনা নেংথম্ব মখোংদা পিশক পিকচিন্দুনা লৈরে। ওই-থোক্তবা মতৌহ উবদা পঞ্চপাণ্ডব চক্রবক্তনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোম্নরকই। কৈদৌনবগে হায়হুনা চক্রপাণি লেংশিল্লকই। অর্জুনা ওভু হৈনৌসি ঐনা অমা পাম্লম্বা কেক্লবদগী পাম্বীসি পিকথক্তনা লৈরে দ্রৌপদীগী নাপন্দু মাংহনগে হায়নগী শ্রীকৃষ্ণ বিষ্ণু বিম্নু করিগীনে। অমুক্তা তাকপায়ু হায়জে। দ্রৌপদীগী নাপন্দু মাংহনগে হায়নগী শ্রীকৃষ্ণ বিষ্ণু বিম্নু শোম্নগা হায়রকই। ইতাও মংনা তৌক্নরিবসিদী মাংবা তারে নংদি জ্ঞান লৈবনি অদু মতম নত্তনা পাম্লিবসি করিগীনো হায়বা বাখল তৌহৌদনা হেকতরিবসি, হে পার্থ মহাক দোষ তৌবদি মাঙ্গে, বিধিগী লোংদম্না কর্ম্ম কলগী কাংলনা থুহম চম্লবদি পণ্ডিত : ওইবনা

বুদ্ধি মাংলকই হায়রবদু ঙসি লেপ্লা অদোম্বা তারপত্র নিলে। জ্ঞান লৈবা মহাক্না করিমি ৱাখল তৌহৌরিবনো। কৃষ্ণনা হায়দোকরকপা মাথংদু তাবদা যুধিষ্ঠিরনা হায়রম্মী, হে যদুনাথ! অৱাইবা ৱাকয় মংল্রে, ঙাকপিরকইবা অদুনা বন অসি কনাগীনো, পাল্লিবা হৈ অসিগা করিগীনো মতম মত্তুনা পাল্লিবা? হে দেব দামোদর! মাসিদা লৈরিবসিমা কয়ামুক কবা মিংথোগী শাসন মকমনো? করি তৌরগদগে, করম তৌরগা অৱাবা অসি কোরদগে, মহাক্না মাথংদি শোইদরবা থজ্রগা মান্নবনি। ঐখোয়বু অমুক্তা অৱারদা তাগদবু কোকহনবিয়ু। শ্রীকৃষ্ণনা দাদ মহারাজ, মাস সান্দীপন মুনিগী লাইনিংফম ববনি। লোংজানবদগী মুনিং তাবা কাওবা কুক্না চপ্লুনা ভূপ তৌই। মাগী যোগ শক্তিনা লোংমগী লৈনৌ অমা পাল্লি। সন্ধ্যা মতমদা লৈনৌ অসি মুনি, মুমিং তারগা আশ্রম অসিদা হাজ্জক্লগা লৈমো অসি চারগা কেল্লি। মাগী মমিংসি তাবদ লাই কিংচাবমক্লা কিনৈ, মরোম অদুমদা লৈরবা সিদ্ধ ঋষি পুম্নমকসি সান্দীপনগা মান্নবা লাইনিংবনবা তপস্বী অমত্তা লৈতে হায়দোরকপা মাথং শোইদ্রবা থজ্রগা মাহৈ, মত্তুক্নইবা আশ্রম অসিদা লেপ্‌লবা লৈরবা করিগুম্বা মফম অমদা চংল্লবা মুমিনি। অসিগুম্বা লৈনৌ অসি ইতাওবা লেক্লগ, দ্রৌপদীদা পিকবসি মুনিমা হল্লিক্লকপদা লৈমো অসি কংম্রাদি ঙসি উং ওইবা তারে, ঐনা থংবদা উপায় লৈত্রে। হে পার্থ! মংনা তৌক্লরিবা থবকনি, করি উপায় লৈগদগে অমুক হায়য়ু।

শ্রীকৃষ্ণগী মাথং তাবদ ধর্মরাজনা হায়রকই প্রাণকৃষ্ণ ইমাওনা থংদবদগী তৌক্লবনি। মীওইবন উপায় থম্মরোই। পাণ্ডব ঐখোইগী অংব-ফত্তবগী দায়দি ইবুঙো মহাক্না ওইবিয়ু। পাণ্ডবপু উপায় তৌবিওবা কনা লৈজগে, করবিগা কনবিরোই তব ইচ্ছানি। ইবুঙো নঙোন্দা আশ্রয় তৌজদুনা মনাই পাণ্ডব ইচিম ইনাও এদি প্রাণ আত্মা পুমকং কচ্চরিবনী। জগতকী মপুনি, জমদং লেত্রবনি, লৈদোরগা উপায় ওইগদগে তাকপিয়ু, ভক্তিনা হায়জরকই। যুধিষ্ঠিরগী ভক্তি প্রেমগী ৱাহান্নাস তাবদা দাদা মহারাজ লৈনৌ পাণ্ডৌসি হান্নগী কিভমদু ওইহন্দুনা হান্নগুম লৈনৌ পালহল্লবদি উপায় ওইগনি। ধর্মনা হায়জরকই সৃষ্টি স্থিতি-প্রলয়গী মপুদি ইনাওনি। লৈমৌ অসি হান্নগুম পালহনবনি করিব্দু লৈতে। লৈমৌ পালহল্লগা ঐখোয়বু অৱাবদগী লাংথোকহনবিয়ু শ্রীগোবিন্দনা হায়রকই, দাদা মহারাজ লৈনৌসি হান্নগুম্না পালহনবা মানবা প্রক্রিয়া অৱাইবনি. মহুদি ইমাম্বা ইনাও মজাগা যজ্ঞসেনীগা অচুম্বা করিগুম্বা পুক্লিংদা লিংবা লৈবদু থাক্তুনা শেংনা হায়মরবাদ ঐমা পালহনবা যাগনি। ঐগী ইমাদা লোনম তৌদুনা হায়রবদি ঙসি অৱাবা কঙনি অমুক্তা হায়নবিয়ু হায়রকই। যুধিষ্ঠিরনা ইনাওসা কৃষ্ণগী মাথং কায়দনা হায়নরাস। ঐগী হায়রগে, ধর্মরাজনা দেবকী নন্দন ঐমা লিংজরিবদি হন্নগী পদবী হজিল্লগা ব্রহ্ম ভোজন তৌবা, আহং মুংথিন্দা তত্তুনা যজ্ঞ তৌরগা লাইরবদা দান তৌবা অসিবু মত্তুবা অমা ঐমা পাঙ্গবা লৈতে। হে মাধব অসিবু অহিং মুংথিন্দা কাওদনা লিংই। ধর্মগী

বাহাদুরহু ভাবদা হৈনৌ পাম্বীহু কয়ামুক বাংখংলকই। অদু উবদা হক্লে। ভীমনা প্রাণকৃষ্ণ ঐগী বা হায়জরগে, গদানা হৈথাইদুনা কৌরব মাচল-মনাও ১০০ হাংগা, দুঃশাসনগী মকোক শেগাইদুনা ঐ থক্লগা দ্রৌপদীগী কটা থোকহনবা, সভা ময়াইদ নকি ত খংলগা কৃষ্ণাদ মাগী হৈক্লল উংখিবা মহাপাপী দুর্য্যোধনগী খুকউ লানকয়দ হৈংথকগা, অসিভবু দিবানিশীদা থক্লি। ভীমগী বাহাদুরগী হৈক্লোহু থাক ১ অমুক রাংখংত্রুনা মগা লোবা হোৎলে। অর্জ্জুনা হায়রকই ঐখোয় বন লাকপদা খুৎ ২ না উকুল পায়রগা মাইগৈ ৪ দা চাইদুনা অদুগুম্না তেন্না মরাম কাপ্লগা কত্রবা শেত্রিমচা ককথরগা দিবাবানদা কর্ণগী মখয়াই লোবা, দনায়াকংনা মচিল-মনাও ১০০ হাংগা, ঐনা ভক্তনা হাংগা আনিনি হে নরাহল। অর্জ্জুনগী বাহুবলগী হৈক্লোহু লেমা রাংচাওরে। নকুলনা কৃষ্ণগী মাংদা হায়কে, তাঁবিয়ু প্রভু, হায়গী সম্পত্তি হওজগা ঐনা যুবরাজ পদবীদা লৈরগা পৃথিবী নিংথেবু ধর্ম্মরাজগী খোগনবল্গা ঐনা দেশগী কংব শেমংগা আসিনি নিংলিবা হায়রকপদা হৈনৌ পাম্বীহু থর অমুক রা খংলিদুনা মগা মপুংফানা লোংঙক্লে। সহদেবনা দাদা মহারাজনা হৈপাক্লা হজিন্দুনা সি হাসন কম্বগা ঐনা চমর থংগল তৌরগা মীয়ামগী অফবা তত্ত্ব হায়বগা, ব্রাহ্মণগী সেবা শিজরগা অদাবা হৈ বক কাওথোক্লবা ইমাবু সেবা পালন তৌজবা আসিবুনী কৃষ্ণ ঐনা নিংজদি হায়রকপদা, হৈনৌ পাম্বী কয়ামুক রাংচাউবা মগা মঙ্ড শরেপ কাথরে। অদুগী তুংদা যজ্ঞসে হৌবা হায়রকই, ঐনা অহিংসুংখিবা ভক্তনা নিংফিবদা ঐবু অরাবা পিবা কত্তবা কাংবুহু ভীম অর্জ্জুনগী মথুহু তুম্না শিথরগা মথোংগী নুপীশিংনা বাহুনা কল্লহু য়েংভগা ঐনা পেল্লহুনা কপ্পা যজ্ঞ তৌরগা বন্ধু বান্ধব পুম্নমকপু পালন তৌরগা নিত্তিগী মহোৎসব তৌবা আসিনি হায়রকপদা হৈনৌ পাম্বীহু থংনেম লেমথদুনা লংরে। অদু উবদা ধর্ম্মরাজ কিরদুনা করিগানো হন্থিবসে হে যদুপতি। শ্রীগোবিন্দনা দাদা মহারাজ করিবু হায়রসিগে, পঞ্চালিনীগী হাকক্তা লোইনা মাংবা ভারে। পুক্লিংদা লৈবহু থুপচিন্দুনা থমবা লোইনা হায়দোক্তবা লৌনগা থমা য়াওরে, অদুনমি হন্থিবানি। পাণ্ডব ও মক্লা খুৎ লেপ্লরে, কমদৌরগা রাংখংলকদগে হা কৃষ্ণ হায়রকই। শ্রীকৃষ্ণনা হায় কৃষ্ণানা নিংবহু চুম্না লোইনা হায়রবদি, চাউবা লোইরম্ববনিদ্রা পাংগদবদা তাইরম্ববনি। সোইদম রাংখংলগা হৈনৌ পাম্লনি। ধর্ম্মনা কৃষ্ণাদা হায়রকই, গোবিন্দগী মাংদা মিনম্বাদ সর্ব্বনাস ওইরনি। নিংবত্ত চুম্না হায়রগা হৈনৌ পান্দুনা ঐখোয় হিংগদোরিবনি হে গুণবতী! ধর্ম্মগী বাহায় তাবগা বা তাংদনা মরু লুক্কুনা লৈ। মতৌহু উবদা অর্জ্জুন শাওরকুনা নিকং পায়রগা ছেল ২ জুরিরগা সত্য কথা হৌজিকমক থুনা লাইয়ু, হায়নরবদি তেম্না নভক্ত, ককনি হায়দুনা ছেম চিংদুনা লৈরে। কিরদগী ইকাইবা থাদোক্লুনা কৃষ্ণদা খুৎ লেম্নরগা হজরকই। ইবুঙো মহাক্তি লোইনা উরিরিবনি ঐনা পুক্লিংদা নিংথিবা অমা হায়দোকখিদবদি রাজসূয় যজ্ঞগী মতমদা কর্ণবির উবা অদুমদি ঐনা থন্নথ, লমিনগা কুন্তী ইমাগী মচা ওইরমদুন ৬ অমি পুম্না সেবা কাওম্ববদি কর্ণনিদা

হায়বসিদি হায়রকই। অদু হায়রকপদা হৈনৌদু খুদক্তা শরেপ ফারগা হৈনৌ পান্দুনা হাননুর লৈরে। পুম্নমক নিংবা থুংহনা মরাম সুংখাইনরে। ধর্মরাজদি বা ঙংদনা লুমুক্তুনা লৈ। ভীমনা ছংহনা গদা পায়হনা হৌগংলক্লগা পুকচেল কত্তবী মহু করিগী ৱাখলদো। কুলবধুশিংনা মথুংগী অমতমী সেবা তৌই মংদি মঙ্গাগী সেবা তৌরি, অদুংঙ্গদা শুম্নমচাহনু মংবা নিংউরিবা সভা মমাংদা হায়রকইবা ৱাফমদু খঙ্গোইশংবা শারহনা মতম কুইনা নিংলম্মীবা ঐখোয়গী ৱেক্লবনু থাজকম লৈরবী মদুক ফংত্রবা মংবু কনানা থাজকম লৈংদৌরিবনো? অসি হায়রগা হৈগদবক্কী ভীমনা গদা লায়গংতুনা শাওনা চংখক্লে। মতম অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা মোমোন তৌরগা চেনশিল্লকতুনা ভীমগী মথং অদিক্ত কারগা হায়রকই। দ্রৌপদীনা ভীম কিহনা মিক্লিবা অদু রেংশগা হায়রকই দাদ মমম! দ্রৌপদীবু কিন্দ তৌবিগনু, পুক্লং শেংদোকপসি সতীগী চেংশগা হায়রকই দাদ মমম! সতীনা নিংউরিবসি মরম অমা লৈবনি নিয়মনি ফারগুপদা সতীগী পুকচল হোংব হৌনদে. সতীনা নিংউরিবসি মরম অমা লৈবনি মসি অগুণপ ৱাদি! হৌজিক্ত হাংদোকপা য়াদ্রে। দাদা মহারাজনা দেশদা হনজিল্লগা রাজাসন ফমবা মতমদা কোকতোক্তা মরামদা হায়গে। পৃথিদা পতিব্রতা ওইবা মুগীদি দ্রোপদীগী মাংবা লৈরোই। শ্রীকৃষ্ণগী ৱাখং তাবদা বুকচোর অশাওবা লেমহনা কল্লিমখরে। কত্তাক্তুনা মাইথোং অশিনদুনা লেরে। ৱাণী যজ্ঞসেনী শ্রীকৃষ্ণনা কৃষ্ণাগী নাপলবু শোলনা গাহুনা মংহৎলা মরাম শংদাম তৌনরগা চাবক্কগা লৈইনরে; ধর্ম্মরাজনা ইনাওশা! রক্ষা অসমদগী অদুক হংদি

হায়দুনা কৃষ্ণ! হায়রকই, দাদা মহারাজ! মুনিগী আশ্রমনা চৌরক্লগা মুনিবু উনরমদনা চংজবাদ দাদা ধর্ম্মরাজবু মুনিনা শুংঙাইরোই। অদুন ঙসিদি লরসি, মুনিনা শেল্লগা ঐখোয়গী মঙ্গলদি, মরাম কারি খনবগে? ধর্ম্মরাজনা হায়, কনাগুম্বা কৃষ্ণগী য়াংবু জগংডা কনানা হিকতোকপা ঙমগদগে। ফরে ঙসিদি লৈরসি হায়হুনা মরাম শুংঙাইনা লৈনরে। কৃষ্ণদা ঙা তৌরবা মুনিনা খাংদা শ্রীকৃষ্ণ লেংঙকতুনা মনাইবু দরশন পিগবগী ভাইবিরিবাহু উবদা, মীনি লাইরক লৈদা তপ তৌজগা কনদা ঙাম দরশন ফংজগদরে শন্দুনা থর ওননশ হৈংলৈ লেক্লগা মুনি আশ্রমদা লাক্লকই, মরাম শ্রীকৃষ্ণগ লোইনমা ভাইরিবা মফম অদু য়োরক্লে। মুনিনা লাকপদা পর্ণশালা য়োরকত্রিঙৈদা মনাইবু চানবিহনা শ্রীকৃষ্ণ মুনিগী মাংদা লোশিনবিহনা মুকিংকী তেঙ্গুম তনুনা মুনিদা দরশন পিবিরে সান্দপানিনা কৃষ্ণবু দরশন ফংজবহুদা খুক্লমজরগা হায়জরকই: প্রভু! মহক্তি ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বরসু, শ্রীনারায়ণসু ইবুংঙো মহাক্তা অইবনি, অজ মরণ স্বয়ং ভগবানসু মহাকনি; শ্রীকৃষ্ণ মহাক্কি মপাল নাইত্রবা মাযা লীলানি। ঐনবু কল্লি খংজহুনা স্তুতি তৌজপদগে হায়জৈ। কৃষ্ণগী তুং ইংজরকতুনা মরামসু হৈনিবু খুক্লমজরে। মরাম মুনিনা কৃষ্ণবু মীয়ামগা লোইননা পুশিল্লকতুনা কৃষ্ণগী আসন মরামগীসু আসন থারে। মরাম মুনিনা অভিথগী মতিকচাবা সেবা পূজা মাম তৌহনা অহিংদু যুধিষ্ঠির মুংঙাইনা কমরে। মুনিনা অভিথগী মতিকচাবা সেবা পূজা মাম তৌহনা অহিংদু যুধিষ্ঠির

সুংঙাইনা বারী শামহুনা লেরে। নোংঙাল্লবদা প্রাতঃ ক্রিয়া স্নান তৌরগা পঞ্চ পাণ্ডবনা মুনিবু খুরুমজরগা বিদায় নিজরে। মুনিনা আশীর্ব্বাদ তৌরগা বিদায় তৌরে, কৃষ্ণবু খুরুমজরগা সাক্ষিপনী লৈহৌরে। অহুমগী নোংপেক পানা লাক্লগা, মাক য়েংবী ফজবা বনহু য়েংহুনা লাকই।

অসিগুম্বা মহাভারতনা থম্বালগী মঙ্গনি। থম্বালগী লৈরিকতা চেল্লিবা অমৃতনা কৃষ্ণগী নামনি। থম্বাল শাকাইনবা মুনিংবী মশক ব্যাসনা ওইরি। অসিগুম্বা মহাভারত অসিবু পৌরাণিক পরিষদকী য়াথং মতুংইন পাণ্ডব হরিদাস উপনাম য়াইনা সিংহ ঐনা সমাজ পাম্বদগী ইমালোন্দা ব্রীগী শাংবা লেমহন ইঙরি। ইতি হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

পঞ্চ পাণ্ডবনা শূরসেন বনদা লৈবগী

[illegible]

ভারত ভারিবা জন্মেজয়না হংখোনা হংলকই। মুনিদেব! ইদোথো পাণ্ডবপু কথা করা-দৌরকই লিবিরো নমাই তাজরগে। মুনিনা হায়-মহারাজ! পাণ্ডবাক বারীস য়াম্মংবে, ঐ লিংক্লগে তারো। শ্রীকৃষ্ণনা লাইমজ্জনা পাণ্ডব ধৌম্য ব্রাহ্মণ কয়াগুম্বা লাকইবাদু শূরসেন বন য়ৌরক্লে। শূরসেন কৌবা বন অসি যমুনাগী খোংবার্নি! ফজরবা বন অদু য়ৌরকতনা ময়ুগ্না বনগী ফজবাদু উংদা ময়ামম্ম বন অদমা লেপলে। শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, দাদা মহারাজ বন অসি শাং, কংকাল, মরোবর তুম্বা ইচৈগে থম্বাল লৈ। বনচিংগী ফজবম্ম নাসনা হেক্লি। মফম অসিদা লৈবিরেদি মাফম ইংথোনী মরাংতু লাক্লবোই। মাসিদা অজ্ঞাত বাস ওইহুনা লৈবিরো। মসিদা অক ইবক অঙ্গ, বঙ্গ, কলিঙ্গ, তেলঙ্গ, গুজরাট, কাম্বোজ, কর্ণাট, মরুদেশ, বিদর্ভ বিরাট, অযোধ্যা, পঞ্চাল, কাশী, কর্ণাটক, সিন্ধু সহ, কাশীভোজ অমসুং কাশ্মীর দেশ পুম্নমক্না মাইকৈ পুনিদে কোইনা লৈথরবনি। কবিগুম্বদা কৌরবনা হেক্লিনবা ওমরোই; মাসগী মসুং থেঙ লমদ চহি অমতু পুগাথুবা লৈবিয়ু। ঐবু বিদায় পিরো দ্বারীকাদা চত্তরগে। চহি অমা অজ্ঞাত বাস কইরগা দেশদা কক্লিমগা নিংথো ওইবিয়ু, অদুগী মতুংদদি য়েক্লবা লৈরোই। ধর্ম্মনা হায়রকই, ঐখোয় ইচেম ইনাও ময়াগীদি উপায় সম্পত্তি সখা বন্ধু মিত অতি সম্বন্ধি ইনাও কৃষ্ণ দদাকনি, ইবুংঙো নহাক নতনা পাণ্ডব

ঐখোইগী কনা লৈজকে, হয়না হয়না চিংনবা খুদিং উপায় তৌবিরকুবনী অজ্ঞাত বাসসি য়েক্কুবনা খংদনবা ঙাকপিয়ু। গোবিন্দনা হায়রকই মাহুগী চিংনবিরুহ, নাদা মহারাজ লৈবা মকমদা ঐ লৈবগী হায়বসি অয়েন্নমি কাওবিগনু। চহিহ শুবদা মনাও য়োজরবে হায়দুনা প্রেম বিদায় লোইনরগা শ্রীহরি দ্বারীকাদা লেংখরে অমেজরনা মুনি। কৃষ্ণনা লেংখ্রবদা ইবুধৌশিংবু কমদোরিবগে হংবৈ? মুনিনা হায় তারো নিংখৌ, ঈশিং খৌরাংবনা খাংবা য়ারদুনা মত্তামক লৈরে। ধর্মনা হায় ভীম ঈশিং খরদং পিয়ু ইয়াম্বা খৌরাংবনা খাংবা য়রে খয়া থকত্রবদি চংগা ঙমলরোই হায়রগা উখোংদা কয়ে ভীম ঈশিং খিবা চংখরে। বনকুগী মনুংদা ঈশিং ফংরে, ভীম ঈশিং খিবা শুংশিংকি মাং খামা চেল্লকই কজরবা লৈগী জাং সুবা শাংলি খোইমুনা ডংলি মরু ংচাক্লা শঙ্কু শঙ্কু চোংবগা শাইবগা শামরি। য়াহোং লাবা অমোম্না কেনা কেনা জগোই শায়ুনা শামরি। লৈগী বন লাদ্দোক্লগা কদাইদা পুখি শুনা লৈব.গ য়েংদুনা চেল্লকপদা অহকপা য়েব * মায়া সরোবরহু থেংনরে। পুত্রীহু যমরাজনা কজহল্লগা পাণ্ডবকি মহৌশাগী পুকচেল হোংহনরা হোংদনা ধর্ম্মবু লেংদনা ঙাক্লিমরা মচা যুধিষ্ঠিরগী পরিক্ষা য়েংনিংদুনা মায়া তৌরিবহু উয়োক ওইদুনা মায়াগী উচেক্লু পুত্রীদা শামদুনা লেরে। ভীম ঈশিং উবদা খৌরাঙদুনা থক্কদবগী পুত্রীদা কুমথরকপদা উংরাক্লা হায়রকই, মহাশয় ঈশিং থকে হায়রবদি ঐগী নিংজবা অমা লৈ মাসি হায়জগে মাহুগী পাওখুম পিরমখো ঈশিং হায়া থকলুরবদি লেপ্পা শিগনি, ঈশিংহু মৃত্যু লৈবনি হায়রকই। ভীমনা উয়োক হগুবা মংঙা চানিংঙগা কাজবদি ঙমদনা চবা কংরমাল্লে ঐ ঈশিং থকখিগে চানিংবহু ঐ কোয়া কাবিগে হায়রগা ভীম ঈশিং থক্লে হায়বগী ঈশিংহু খুজোক্লা লৌগে ভোবদা ঈশিংগা খুংকা শম্নকুবদা মৃতুনা ভীমগী থবায় লৌখোকথীদুনা ভীমগী হেকেহু হায়থদুনা ঈশিংদা ভাওদুনা লৈরে।

অসোমদনা ভীম লাক্লুবদা ধর্ম্মনা অর্জ্জুনদা ময়াম্বা হল্লকত্রে করি তৌরবনো ধনঞ্জয় ময়াম্বা খোংগুল লিক হায়রকই। অর্জ্জুন গাণ্ডিবধনু শুনা ঙাল্লগা ধর্ম্মবু খুরুমজগা ভীমগী খোংগুল

---

* ব্যাখ্যা –পাণ্ডবনা ঈশিং খৌরাংঙিবসি যমগী মায়ানা খৌরাংহনবনী। শূরসেন বগী পুত্রী পাং শুহা পুত্রমকপু ঈশিং কংহল্লগা মুনিবু খংদনবা লাপ্পা পুখোকপনী। যমবু মৃতুপতি হায়বসি মৃতুহায়বা লাইবে হুত্ত ময়ামনে মখোইসি যমগী মনাইনি যমদি পাপ পুন্যগী বিচার তৌবনি। পুত্রীহু মায়া পুত্রী হায়বদি নৌনা মায়ানা সেম্বা নত্তে হায়া লৈবনি। মহুদা মৃতু কৌবা লাইদা য়াথং পিদুনা ঈশিংহু লোকপগা থবাই মৃতুনা চিংখোক্লগা তাওহন্দুনা থবনি। যমনা একপাখি ওইরগা লৈবনা মায়া সরোবর হায়বনি। যুধিষ্ঠির মচাগী পরিক্ষা য়েংনবা তৌরিবহুবু খোম্মাবা ধ্যান্দা উহুনা ধর্ম্মদা মনাও খিবা চংনু ভাকপনি যমনা পরিক্ষা য়েংবনি হায়দোকপা মাদমনা হায়জোকপনি। ইতি।

লিহনা ভীমনা চংখিবা শোংলবা বন্দুনা লম্বী চাওনা তারি অহুগী লম্বীদা লাকপহু মায়াগী পুখরিদা থুংরে। খোরাংবদগী মরাম্না তাওহনা লৈরিবহু বেংহোদনা ঈশিং থক্লদবগী কুমথক্লে মতম অহুনা উরোক ওইরিবা যখবা হায়রকই, মহাশয় ঐ বাহং অমা হক্লে বাহংসিগী পাওখুম পিরক্লু অহু নংত্রবদি ঈশিংহু শোকউবদা সিগনি হায়রকপদা পার্থ উরোক্লী বাহু থওইদনা ঈশিং থক্লে কুমথরকপদা ভীম তাউহনা লৈরম্বহু উরে। ভীমগী দেহেহু লোথংকে পরিক্রমা ঈশিং শক্লকবদা মৃতুনা থরাই লোথোকখিহনা অর্জ্জুনগী দেহেহু ঈশিংদা হাংথহনা তাউহনা লৈরে। যুধিষ্ঠির, অর্জ্জুনসু হল্লকত্রবদা নকুলদা নয়সু হল্লকত্র ঈশিং খোরাংবনসু খাংবা ওমকক্লে জজল ওইবনা ঈশিং থেংনক্লহনা চংনখিনবা মরাম ২বুসু খিরু। ঈশিং থেংনরবদি হায়া পোরকউ, ঈশিং থর থকত্রবদি থরাই থাবা তারে। রাজাজ্ঞা কংবদা, নকুল থুন য়াংনা লাকপদা তারম্মীবা লম্বী মতুংইন্না লাকপহু লৈগীবন লাখোক্লগা অমুক থর চংলগা মায়াগী পুখরিহু য়োরক্লে। মায়াগী উরোক্লা হায়রকই মহাশয় পুখিরোমদা চংঙকইবহু ঈশিং থক্লে হায়রবদি ঐ বাহং অমা হক্লে অহুগী পাওখুম পিরগা ঈশিং থকপা য়াগনি, অহু নত্রবা ঈশিং থকলুহু শিজনি হায়রকই। নকুল উরোক্লা মীরোন খোকলিবহু তাবদা ওক্লুনা কুমথরকপদদি ময়াম্বা ২হু তাওহনা লৈরম্বা অহু উবদা কপতুনা চোংথক্লবদগী নকুলসু অহুম শিহনা ঈশিংদা তাওরে। নকুলসু হল্লকত্রবদা ধর্ম্মনা সহদেব ঈশিং খিরু থাখিবা মরাম্বা ৩সু হল্লকত্রে মনাগুম্বগা লাখোংনহনা লৈরমাল্লে, নং থুনা চত্তুনা থংঙরগা নংদি লান তোমরম্মবসু য়াওরুসু থুনা ঈশিং পুরকউ হায়রকই। ধর্ম্মগী য়াথং ফংবদা সহদেবনা চেল্লকপদা ভীমনা চংখিবদা লৈবুং কাওখাইরম্বা উ থুদেক্লম্বা থুদম ফংঙে, অহুগী মতুংইন্না হৈকোল লৈকোল বন কয়া লাখোক্লনা লাকপদা মায়াগী পুখরি য়োরক্লে। পুখরি উবদা চেল্লকপগী ঈশিং খোরাংহনা থর থক্লগা অমুক খিরুগে থল্লুনা চংঙকপদা বকপথীমা হায়রকই মায়ামা তাওরিবহু উহন্দনা। মহাশয় ঈশিং থক্লে হায়রবদি ঐনা বাকম অমতং হঙ্গে বাহংহু পাওখুম পীরগা ঈশিং থকউ হায়া থকলুহু শিগনি। উরোক্লা হায়রকপহু তারমদনা খোরাংবদগী ঈশিংহু হায় শোকউহনা সহদেবসু শিহনা তাওরে।

থাখিবা মথৈ হল্লক্তবা অহুদা যুধিষ্ঠির যমগী মায়ামা বাবগা খোরাংবগা লোইমহনা দ্রৌপদীনা সতী শ্রীহরি স্মরণ তৌরগা ঈশিং থরদং লোক্ল হায়রকপকা, ধর্ম্মরাজবু থুক্লমজরগা জলপাত্র পায়রগা মুক্লমা বন্দা কিয়হনা কৃষ্ণবু খোজেল বাংবা শোল্লগা লাকপহু মায়াগী পুখরি য়োরক্লে। যমনা কক্সাদা তাওহনা লৈবহু উহল্লে। পাত্র পায়হনা ঈশিং শোকজুবদা মৃতুনা থরাই লোথোকহনা তাওমনা লৈরে। ধর্ম্মরাজা মনাওশিং দ্রৌপদীসু হল্লকত্রবদা মনাও ৪বু কোহনা তেংথারে, দ্রৌপদীবু অমুক তেংথারকই হে: পঞ্চালিনী লক্ষ্মীগুম্বী নংগী মপান্দগী ব্রাহ্মণ সেবা তৌরিবনী। ঐগী তুং ইনবদা বায়হনা ঐবু থাদোক্লম্বগা হস্তিনাদা মত্রগা পঞ্চালদা চংথরবরা অদুগা তেংথারগা

কল্লকই ধৌম্য! কর্ম্মগী কপ্পা তাবদা চংঙক্নুনা, ধর্ম্মরাজ কপলিববু কৈদোরবগে হংই ? যুধিষ্ঠিরনা মুনি ঐবা ঈশিং থিক থাবিবদগী ইমাও মরিগা দ্রৌপদীগা কল্লকত্রে। ধৌম্যানা থ্যান্না য়েংবদা উরহনা হায়রকই, মহারাজ কয়ুনু মনাওশিংনা চংথিবা লম্বীদা চৎলগা থিক সোইদনা কল্লমি। ধৌম্যাগী বাথং মতুংইন্না ধর্ম্মা থিরকপদা লম্বী থেংনরে, লম্বীছুগী মতুংইন্না চেল্লকপদা মায়াগী পুথ্রী ফৌরক্লে। যুধিষ্ঠির রাজগা খোয়াংবগা ঈশিং থর থকে চংঙকপদদি মনাও মরিগা দ্রৌপদীগা ওহ মথং মমাও কাইদনা ঈশিংদা তাওহনা লৈরবহ উবদা ধর্ম্মরাজ' সিদী ছগী পুথ্রী ওইরমা রাজ ঐখা ঈশিং লোক্ত থাক্নবগী লোইনঃ শিন্থনা লৈরম্মে মাংলেদনা হাঃ বিধাতা! হায়রগা রাহহনা তারে। শিকুপ কয়মুক মুর্থা ওইক্নবগী জ্ঞান লাক্নুনা হোগংলগা তেংথহন। কপলে মনাওশিংগী মায়থোং উরগা অমুক রাক্নে, চেতন লাক্লগা হা কৃষ্ণ হা কৃষ্ণ হায়রহনা কপ্পি। মকম কদাইদা লৈক্লবগে হা কৃষ্ণ হে লক্ষ্মীকান্ত অসিগুম্বা অবাবদা ঐবু লংশিনবিরীবা করিগীনো, হা কৃষ্ণ ঐদি ইবুঙো নংগন্দ অবাববা অমত্ত তৌজখগী পিতৃলোক্তা ঐবু শাপ্তৌরকপরা, পুর্ব্বজন্মগী দোষনরা।, হন্দক্কী মপোকসিদা ইশান্থ্ নোনা কাইনরে খুংলাই তম্মকপদগু দুর্য্যোধনা ভীমবু হু শিন্দহনা যমুনাদা থাদক্নরে, অহদা সিরকত্রে বারনাবর্ত্তদা অমুক মৈ থাহনা হাংনবা তৌরকপগু থুরাতোম্না প্রাণ কনবিহনা চহি ১২ বন অমুক চংলে, স্বয়ম্বরদা অর্জ্জুননা লক্ষ কক্লগা দ্রৌপদী লুহোংলগা, ইন্দ্রপ্রস্থদা পাণ্ডবহ কৃষ্ণ ইনাওনা চংখৎবা তুংদা শলনা চৌবরদা বন চহি ১২ চংলগা চহি অমদা লেংপা হায়রহনা বন তাক্লকুনা, কৃষ্ণ ইনাওনা বন্দা লাক্লগা উননিরশিবনী বনদগু কৃমির জটাসুর হিংচাববু ভীমনা হাংলগা অবাবদগী অমুক লাপ্তোক্লকুবনি। হেঃ অর্জ্জুন! য়েক্লবা হয়বা মংলা লাই অমুক নিংহনা পশুপাত ফংলে লাইগী য়েক্লবা হিংচাবা হাত্নুনা লাইনা খুংলাই মযাম পিরে, ইন্দ্রনস্থ খুংলাই কয়াগা কিরিটি পিহনা ইনাওনা লৈতেং ওইরি। কংজেবা দুর্য্যোধনা য়েক্লরহনা লৈরী, সুতগী মচা কর্ণনস্থ সহায় ওইহনা লৈরী। অসি হায়হনা তেংথারগা ঠাশিংদা অমুক য়েংঙকপদা তাওহনা লৈবহ উবদা যুধিষ্ঠির মুর্খা অমুক ওইরে, অমুক হোগংলক্লগা থিক থিক দুর্য্যোধন নঙ্গী লোনম তৌহনা বন তাক্লকপনগী লোইনা মাংলেদকো। মসি ঐগী কর্ম্ম ফলগী বিধিনা লাইবক্তা পোকপদা য়েকশ মাঙ্লে দুর্য্যোধন মতোম্পা দোষ তৌরবোই হায়রগা উপায় লৈত্রবহদা ঐগু ইনাওশিঙ্গী মতুং ইন্নগে থল্লহনা চংঙক্লে।

থক ওইহনা লৈরিবা মংমা কায়রকই হে রাজা! মহাক্তি জ্ঞান লৈবদা পৃথীবীদা মহাক্না মায়বদী লৈত্রবনি করিগী বুদ্ধি মাংহল্লিবনো। মহাকী গুণদি মুনি ঋষিশিংনা মরোল ওন্না চাংদমনিংঙাই লৈতে হায়নবা তায়, অহগুম্বা নিংথোনা আত্মঘাত ওইবদী করিগুম্বদা অজ্ঞানবা কংঙরোই, স্বর্গদা থাগী লৈকম থমদে হায়বহ কাওরবরা। উবোকী রাহায় তাবদা ধর্ম্মনা হায়রকই, মহাশয় ঐগী ইনাও মরিসি থবাই অমতমি থবাই মমি রাজরূপা থবাই অমম্মনা দেহে পুহনা হিংবদী রাক্তরোই, মহাক্তা কহিনী থাম্মীবা হিংমা যাবোই ঐগী থবাইদি কৃষ্ণনা লোথয়ে থবাই

অমা অসিবু শ্রীহরিনা ছুম্বোকপিরম্মে হিংছুনা লৈবগী কণ্নরবোই। ঐগী থবাই সিমন্থু কৃষ্ণনা কংশিনথুগে তৌবনি বাসি হায়রগা শ্রীকৃষ্ণবু কৌরগা ঐগী থবাইন্থু লোমিরবো হায়রগা শিরগে থন্দুনা কুমথরকই। মমনা মহারাজ অমুক্তা তপথখো সংসারদি অরেপ্পা নত্তে অরেপ্পদি ধর্ম্মতনি থন্দুনা কুমথরকই। যমনা মহারাজ অমুক্তা তপথখো সংসারদি অরেপ্পা নত্তে অরেপ্পদি ধর্ম্মতনি লেংদবা মরুপতি। শিখিব্বা পিতা মাতা ভাই বন্ধু জ্ঞাতি শিরগ কনান্থু মরি লৈনদে ধর্ম্মদনি লেংদবা মরুপতি। শিখিব্বা পিতা মাতা ভাই বন্ধু জ্ঞাতি শিরগ কনান্থু মরি লৈনদে ধর্ম্মদনি হংবা বাহ মনাও মরিগী কালনা মরম ওইমনা পুত্রী অসিদা লাক্রগ থবাই থাখিব্বা অসি ঐনা হংবা বাহ মনাও মরিগী কালনা মরম ওইমনা পুত্রী অসিদা লাক্রগ থবাই থাখিব্বা অসি ঐনা হংবা বাহ উংেক্লি হায়দুনা নাপন তৌদুনা খুম্মঅদনা ঈশিং সোকলুগদা শিবনি খুম্মবদি শিরোইদবনি। উরোক্লী বাক মহ তাবদা যুধিষ্ঠিরনা দেব মায়া ওইরমাল্লে থন্দুনা করি প্রশ্ননো হায়য়ু মহাশয় হায়রকই। বন পর্বগী বারা অসিগী রমসি অহৎগী মশরি, জগৎকিদমক ব্যাসনা লেংঙ্খনি হায়রকই। বন পর্বগী বারা অসিগী রমসি অহৎগী মশরি, জগৎকিদমক ব্যাসনা লেংঙ্খনি ইতি। হরিবোল হরিবোল।

---

৬ ধ্যায়

যমগী চারি প্রশ্নবু যুধিষ্ঠিরনা উত্তর পিবদগী

শিরম্নদু লোইনা হিংবগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ননা হায়রকই :— রাজা শ্রদ্ধা শ্রবণ ওয়্য। যুধিষ্ঠিরগী হায়রকপচ তাবদা বক রূপ ওইরিবা ধর্ম্মরাজ যমনা হায়রকই।

(১) পাওতাক। (২) ওইথোক্তবা। (৩) লম্বীনা কদাইনো। (৪) নুংঙাইবনা কদাইনো। চারি প্রশ্ন ইতি।

মূল— কাচবার্ত্তা কিমাশ্চার্য্যং কঃ পন্থাঃ কশ্চমোদতে।

মমৈতাংশ্চতুরঃ প্রশ্নম্ কথয়িত্ব জলং পিবঃ॥ ১॥

হেঃ পাণ্ডু পুত্র! বাহং অসিগী পাওখুম পিরগা ঈশিং থকপা যাগনি, পীদনদি ঈশিং থক্লুহু ঈশিংনা মহু লৈবনি হায়বদা ননাওশিংনা থওইদহনা ঈশিং থক্লুবদগী শিবনি। অদুনা ঐগী প্রশ্নশিংবু মহাক্লা উত্তর পিরবদি, মঙল সোইদনা ওইগনি হায়না উরোক্লা পাওতাক পিরকই। যুধিষ্ঠিরনা প্রশ্নদুগী উত্তর পিরকই।

মূল—মাসর্ত্তু দর্ব্বী পরিবর্ত্তনেন সুর্য্যাগ্নিন রাত্রিদিবেন্ধনে। মহামহোময়ে

অস্মিন্ কটাহে ভুতানি কালঃ পচন্তীতি বার্ত্তা। বার্ত্তা ১গী। উত্তর ইতি।

ঈশ্বরগী পাওতাক্না। থাদে-ঋতুদে ২মা থাবৈ ওইরি, অহিংনে, সুংথিলদে ২মা শিং ওইরি, ভুমিলকি তেজনা মৈ ওইরি, অন্তকপগী মশক ওইবা সংসারগী মায়ানা পাড়াই থোংনবা থাংগী অতৌ ওইরগা কাল কৌবা লাইনা জগৎকি যেহে পাল্লিবা জীব পুম্নমকপু চগেম উটি থোংবগুম্না মতম্না মাওম ওইদুনা লৈহৌ লৈরিবা অসিবু জীবনা থংনবা ঈশ্বরগী পাওতাক্তি হায়বসি জ্ঞান লৈবদা থংলনি। প্রথম্ প্রশ্ন বার্ত্তাগী উত্তরনি ইতি

মূল— অহন্যহনি ভূতানি গচ্ছন্তি যম মন্দরং। শেষাঃ স্থিরত্বমিচ্ছন্তি কিমাশ্চার্য্য-

মতঃ পরং॥ ২শুবা প্রশ্নগী আশ্চর্য্যগী উত্তর ইতি।

মুনিং থুদিংগী জীবদা শিদুনা যমগী লৈপাক্তা চংলি শিদনা লৈহৌরিবদুনা ঐন্দু শিগদৌরিবানি থন্দনা অমরগুম থন্দুনা মুংঙাইরগা লৌইরে থমবনা মদুবা নমচৎ কয়া চৎলিবা অসিবু আশ্চর্য্যগী নমচৎ ওইথোকপা মশাবু যাংজনবা আশ্চর্য্যগী নমচৎ কৌই।

৩শুবা কোপল্লা হায়বা প্রশ্ন অসিগী উত্তরনা

মূল বদবিভিন্না স্মৃতয়ো বিভিন্না নাসৌমুনির্যস্য মতং নভিন্নং।

ধর্ম্মস্য তত্ত্বং নিহিতং গুহায়াং মহাজনো যেনো গতঃ স পন্থাঃ॥

বেদম হায়রিবা মীওইবনা চংনবা লাইনিং লম্বীদে, স্মৃতি শাস্ত্রনা পিরিবা মতদে, মুনি কয়ানন্দু মানা মানা পাম্বগী মতনা অপাম্বা মত কয়া হায়দুনা চৎনরিবা লম্বী কয়া অসিবু কয়াদা অথুপ্পা ধর্ম্মগী তত্ত্বদু থগনি, সজ্জন ওইবা সাধু মহাপুরুষ ওইবনা অন্যবেতিরেক তৌরগা, লেপ্পুনা চৎলিবা অদুবু লৌদুনা চৎনরিবা অদুনা লম্বী কৌই হায়বসি শাস্ত্রনা লেপ্পী, অসিবু লম্বীনি।

৪ শুবা মুংঙাইবা কদায়নো হায়ব প্রশ্নগী পাওথুম ইতি।

মূল— দিবসস্যাষ্টমেভাগে শাকং পচতি যো নরঃ

অঋণী চাপ্রবাসি চ সবারি র মোদতে॥

লংকৈ চত্তুনা বানা তাদুহন মতম থাংহন্দবা মুংথিল মমিদাংগী মধ্যাহ্ন লাম্রিদৌরা মায় থোমবা ভোজন সেবা কায়দনা চাবা থকপা চমজরিবা, মীগী লমন জোন্দবা অতিথী সেবা ওমজনা পাজবা মাগা গুম-লোমজবনা পুন্সি লেজবা অদুবু মোদতে মুংঙাইবা কৌই হেঃ বারিচর। মহাক্কি প্রশ্নগী উত্তর ঐনা পিরিবা অসিনি। অম্মুম্না প্রশ্নগী উত্তরদু তাবদা পেল্লদুনা ঐ উত্তোক লদ্রে, যমনি হায়দুনা মূর্ত্তি লেপ্লগা নবাও মরিসিঙগী মহাক্না পাম্বা অমা নিযু ঐ বর পিরগা হিংহনগে হায়রকই। যুধিষ্ঠিরনা যমবু থুরুমজরগা মাদ্রী ঈদনা পোকপা সহদেববু হিংহনবিযু বর নিরুকই। ধর্ম্মনা হায়রকই যুধিষ্ঠির মহাকসি জ্ঞান তাম্রিবা অভাংবা হায়গুম্মী লোম্নবিনি মানা লায়রবনি। নবাও ভীমনা অর্জ্জুননা অমা নিযু অতোমবাগী চাবু নিরিবা করিপিনো?

অদুগা লক্ষ্মীগুম্বী গুণ চেনবী কৃষ্ণাবু নিয়ু মহাক্কি য়েক্লবা খুৎ কল্লবা দুর্য্যোধন লৈবী য়েক্লবদু অদু তৌগদবদি ভীম অর্জুননি করিগী অতোপ্পগী মচা নিরিবনো। যুধিষ্ঠিরনা হায়রে অদু অতোপ্পা নত্তে ঈমা তানগী মচানি হায়বদনি নকুল সহদেবদি ঐগী থবাইগী লমি. মরম অমত্তুং হায়জগে ঐখোয়গী চন্দ্রবংশগি পিণ্ড তর্পণ ফংগনি ঈমাতোনগী পিতৃলোক্তি পিণ্ড পিনবা সহদেবা নিবসি ধর্ম্মবু হাকচনিংবমনি। ধর্ম্মবু হেন্না তৌরবদি মায়া সংসারগী নদীবু লানথিনবা নোঙা কান্দারী লৈরক্তরোই অদুনা, ধর্ম্মবু হাকচবা পামজে। ধর্ম্মবু ঐগী কাম্বা য়েংদুনা লাম্হোকপদি ঙমজরোই মন্নাইনা হায়জবসি থোজানবিয়ু হায়জরকই। মচাগী ধর্ম্মবু লেংদবহ থংডবদা ধর্ম্মনা যুধিষ্ঠির মংসি ঐগী ইচানি নহাক্নমথৈ ইপাংসু হায়রি ঙসিদি ইচাবু অমুক্ত পমগে হায়রগা ধর্ম্মবু চেজেং কোন্নুনা পম্বগা লাইবক্তা হন্না হন্না চুপলগা ধন্য ধন্য কুন্তী আসবু মংগী গর্ভদগী পোকচবা নচাগী ধর্ম্মনা জাইবংপালগী মায়া অসি লেংদবগী মশক ওইরে ইচাগী মবুকচেল অসি ধর্ম্মবু হাক্না চংলিবরা বাবদগী পুকচেল হোংথিবরা পরিক্ষা য়েংগে তৌবনি. দয়া লৈবা ধর্ম্মবু হাক্না চংপা ধীরশান্ত ওইবা ঐ খংলে গুণ থৈবিক চেন্নে হৌজিক তুংদা ওইরক্নদবা হায়রগে। অমিং থরদা হায়রে কন্তবা কৌরব মাংজ্ঞনি ধর্ম্মবু থাগদু ধর্ম্মনা সারনি ধর্ম্মনা দুঃখ সমুদ্রবু লাইনা লানগনি, হৌজিক কৃষ্ণাগা মনাও মরিগা থিংডসনু। যুধিষ্ঠিরনা পিতা যমবু খুরুমজে, যমনা হায় মংবা বিদুর নতোনদু যম ঐগী শক্তিনা পোক্লগনি। ইপানি নিঙ্কো মঙ্গল ওইজরো হায়রম্বগা পুত্রীহুদা লৈরিবা মৃতুনা মতামক্তি থবাই দ পহল্লমহুনা পুত্রীদগী মায়া লৌখোক্লগা যম মৃত্যু যমলোক য়ৌখি।

মতা হিংগৎলক্লে ঙক্লহুনা করিনো ঐখোয় ৫ পুত্রীদা পুলপ লৈরম্বীবা ঙক্লরতনা পুত্রীদগী কাখৎলকপদদি ধর্ম্মরাজ লৈরমে। ধর্ম্মবু খুরুম্বগা দাদা মহারাজ! ঙসিগী মতৌসিবু করিনো, ঐখোয় ঙক্লে অমুক্তা তাকপিয়ু হায়জে। ধর্ম্মনা হায়রকই ইমাঙপা যমগী মায়ানা ঐখোয়বু ঈশিং খোয়াংথল্লগা নখোয়বু ঈশিং পোক্লু মথং মথং থাবদা মৃতু ওইদুনা নখোয় ৫ হলকত্রহুনা ঐনা থিরকপদা মখোয় ৫ ঈশিংদা তাওতুনা লৈরম্বদা ঐগ্ন শিরগে তৌবনি উরোক ওইদুনা লৈরম্বীবা মানা হায়, ঐগী প্রশ্নসি উত্তর তৌরগা ঈশিং থকউ অদুমত্রবদি শিনি হায়বদা থওইবহুনা মখোই শিবনি হায়রকপদা। ঐনা প্রশ্নহ উত্তর পিবদ। যম মুক্তি লেঙগা য়েক্লবা অয় ওইজৌ মর শিহুবা নখোইবু খুদকতা হিংগৎলম্বনি. পুত্রীসি ঈশিং থকপা মায়নি শাম্বরম্বগা অন্তর্ধ্যান ওইখি। ধর্ম্মগী বা তাবদা মতামক উরোকপু থিংশিংগুকই পরিক্ষা য়েংবনি থদুঙবদা বর পিরম্বী হায়বহুদা মুংঙাইনরে। পুত্রীহুদা পুক্লিং মুংঙাইনা স্নান তৌরগা হৈ লৈ হেক্লুনা কৃষ্ণগী লেবা তৌরগা অহিংহ থকদহুদা লৈরে মোংঙাম্নগা কৃষ্ণ কৃষ্ণ হায়দুনা খোজেল বাংনা শোম্নরকই। অতম অদুনা ব্যাস পাণ্ডবকি উপায় ওইনবা তাকপিগে থন্দুনা থুংঙরে। ব্যাসকী পাদদা খুরুমজরগা ধর্ম্মরাজনা অরাং থোকথিবা বাকমহ লোইনা তমই। অরাবা কয়া মংলবা

তুংদা যমনা চাবনিহুনা বর পিরম্মগা লোখি, অদুনা ঐখোই অহিংসিদা লেন্দুনা লৈরবনি, থোৱ্যানা মুচিংবা ব্রাহ্মণ কয়া ঐখোই হন্নকত্রে হায়রগী হুংশাখিরম্মনি। অজ্ঞাত বাসগী দমক ঐখোইগী অরাবা ওইরিয়ে গুরুদেব হায়জরকই। শ্রীব্যাসনা মখোইগী থন্দুনা ঐ লাকপনি চহি অমা শকথংদনা লোংশঙ্গু কেক্রুবনা থিগদোক্লিরম্মনী, অদুনা য়েক্রুবা চংবা ঙখোইদবা দেশদি মত্স্য দেশনি অদুগা বিরাট নিংথৌগুম কনা দয়া- শাস্ত ধর্ম লৈবনী অদুনা অজ্ঞাত বাস ওইবু লেপনস্থু মঙ্গল ওইগনী। যমনা মতগী পুকচেল ধর্মবু লেংদবরা অরাবা থাংবদগী পুকচেল হোংজা পরিক্ষা য়েংবনি। ধর্মনা সারনী লেপনা মখোইনা জয় ওইগনি বাক্রুম্ম। হৌজিক ঐ য়োথ্পে হায়রকই। পঞ্চ পাণ্ডব কৃষ্ণাগা মুনিবু খুরুমজে। ব্যাস আশিষ তৌরম্মগা লেংখরে। পাণ্ডবশু শুয়রেন বস্না লল্লক্রু। পাণ্ডব য়োরকপদা থোম্যা, ব্রহ্মসভা ভক্তি তৌরগা অহিং হন্নক্রুবনী পাণ্ড অহু ধর্মনা ভশি। পাণ্ড অহু তাবদা ধর্মবু থগতবাদ তৌই। লৈকনদি ব্রাহ্মণগা পাণ্ডবকা তোংঙান্না পংলাপ্তি লাপ্পদনা লৈনৈ, মরমদি ব্রাহ্মণশিংনা ব্রহ্মচারিনি পাণ্ডবনা গৃহিনী দ্রৌপদী য়াউরি অদুনা তোপ্পা তোপ্পা লৈনৱবনি। দ্রৌপদীনা খুক হোৱরগা কৃষ্ণগী খুক কৎলে, ব্রাহ্মণ ময়ামগী খুককম থাদুনা কৃষ্ণানা পরিবেসন ওইরগা ব্রহ্মভুজন সেবা ওইরগা পাণ্ডব চাব থকপা লোইরবদা, ব্রাহ্মণনা ব্রাহ্মণগী তাপাদা লৈথবদা যুধিষ্ঠিরনা সহদেবদা হায়রকই - ঙসিদগী চহি ১২ গুপদদা কুমিং কয়ানি য়াংলি হংবদা, সহদেবনা গণন তৌদুনা পাবদা চুখিং ওমিদা তাইবে হন্নংলি। অহু তাবদা ধর্মরাজনা ইনাওপ! ঐখোয়না লেংতুনা লৈগদবা অরাবা সমুদ্রদগী লাম্হোক্রুবা উপায়নি দেশময়াংসিদগী কয়বা দেশদা কীজেংনা করি শেংলগা মীওই কয়মতোনা লৈগদগে, য়ীনা উমনা থংদবগী মরমসি মখোয় লোৌশিংলৈবা তাক্তনি, অমুক নিংবা নিংবত্ত হায়মু থমসি। ধর্মগী য থ তাবদা মানা হানা নিংবদু হায়নরগা, য়াক্রুনা কান্নরোই বিথিগী লোংকবনি, অদুনদা লৈনরকপদা চুমিং মরিশি হোৌখ।

বৈশম্পায়ণনা হায়। হে পরিক্ষিতকী মচা ইবুংঙে! তংরো, চহি ১২ বন চৎলকপদা য়াবা দেশ কয় বন কয়াগী য়ায়ৌসি য়াবই, ঐনা শমলপনা লিরবনি। শ্রীগুরু ব্যাসনা হায়রগদা মহাভারতকি কথাসিদি তবজবা, পোজবা, ত জবা ওইরবসু পুণ্যফলদি অশ্বমেধ যজ্ঞগী ফল, ব্রাহ্মণদা থগবী মচি অনিদা সনা য়োম্রগা নিতৌগী দান তৌবা, মাদুগী পুণ্যফল অদুগা ভারতকী ৱারি পুক্কিংচেংনা তাজবগা মান্নে হায়বসি সাধু পণ্ডিতশিংনা হায়রি। অদুগী প্রমাণদি - লোংজু তুংশা চুম্না লোং চুরগা দেশখুদিং মতেং মরোং কবগুম্না পুণ্য চাওখংলি। শ্রীকৃষ্ণগী নাম পোজবা, তাজবা অসি মীওইবগী লমচৎ চুমজবদি ব্রহ্মকিট তিঅনা হক্ত মহৈমরোং চাথংলিবদুগা মান্নে, অদুবু শ্রীহরিগী মাযতনা লানবিগদবনি। শ্রীকৃষ্ণগী লীলা নামতা তাজদুনা শিরগা জীবনা হুদি কব ফংগদবনি অসিগুম্বা মহাভারতপু ইমালোম্দা ইজরিবনি, মতাং অসিদা ভারতকী পর্ব অহুমগুবা বনপর্ব লোইরে; অমুতগী ঈজরগা কাযবনি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

ওঁ গণেশায় নমঃ

মরিশুবা মহাভারত

বিরাট পর্ব্ব

অধ্যায়

পঞ্চ পাণ্ডব কৃষ্ণাগা অজ্ঞাত বাসগী থন্নবা
দেবীবু পূজা তৌবগী বারী মতাং।

মুনিনা হায় সিংখৌ শ্রীগুরু ব্যাসদি শক্ত্যা বেশনি সত্যবতীগী গর্ভদা পরাশর মচাগী মচা ওইনা পোক্লগা থুনক্তা যৌবন বয়সদা লেপ্লী বর্ণনা থরো অশংবগী কুচুনি আজানু লম্বী ভুজনি মাতা পিতা ভক্তি বিদায় তৌরম্মগা বদরিকাশ্রমদা তপ তৌরগা গণেশ ঠাকুরনা কোলম পায়রগা ইবা ব্যাসনা চিন্দা হায়রকপা গণেশনা ইবগা চপ নাইর। অহুম ঋকযজুসাম অথর্ব্ব বেদ ৪গী অর্থনা পুরান ১৮ শ্রীমদ্ভাগবত লেখিরবনি শ্রীহরিগী নামগুণ লিলা অসি অংংকি কায়বা লেংখ্রব কৃষ্ণগী নামগুণ লীলাবু, তাকবা শোক্লবনা জীবগী অয়ানবা খুভম কংগদবনি কলি যুগতি শ্রবণ কীর্ত্তনমা যজ্ঞগী ফল কংচি হায়বসি বেদনা লেপথ্রবনি অদুমা শোল্লিব ঐস্তু তাবিব মহারাজন্দু; হৌরমদাইদা শ্রীকৃষ্ণ শ্রীদাস সিদ্ধভক্তবু স্মরণ ভক্তি তৌগদবনি অদুগী নিয়মদি শাস্ত্রনা লেপ্পী। মূল ভারত শ্রবণে জৌনি রাধায়ন নহাবলি। ভাগবত শ্রবণে রাজা অত্রারম্ভে তদগ্রত ইতি।

সিদ্ধভক্তদি রামায়নগীদা হনুমাননি, মহাভারতকিনা অশ্বত্থামানি শ্রীমদ্ভাগবতকিনা পরিক্ষিতনা ওই; অসি থংবা শ্রবণ কীর্ত্তন ওইরবদি লেপ্প. পুন্য ফঙ্গনি মহারাজ জন্মেজয়না হংজরকই, মুনি ইবুংবো মতাংদা দুর্যোধন কিবদগী বিরাট লৈপাক্তা চহি অমা লোংপন্থ মতৌ কমদৌনা লৈবনো লিখিরো। বৈশম্পায়না হায় তাবো মহারাজ, নবুংবো মতা নবেনধৌগ ধৌম্য শিষ্যশিক্ষা পুন্নগা সভা কপী। ধর্ম্মরাজনা ব্রহ্মসভা তাবিয়ু ঐখোয়না চহি ১২ বন লাকইবাস চহি ১ অমুক লোংপা নখোয়না থিবা অহদা কংভবদি চহি ১২ অমুক বন, হমা চংপা নিয়ম অসিনি. হৌজিক চহি ১২ শুগদব থুরিং মিনিদা তায়বে লোংকদবা নয়ায়া থল্লগা অমুক্ত হায়বিয়ু করম্বা মকমদা লৈরগা কগদগে? ভীমনা হায়রকই, দাদা মহারাজনে অর্জ্জুন ইনাওনে, অনিবুদি ঐগী পুজিদা থাহোকপা জলপোই ২বু থাহোকপা মীনি ঐগী ইথিৎসিনা পুজিগী য়েংভরোইদবনি নখোইদা

লৈবা মকমদা ঐন্দ্র লৈগনি, বনদা শিবগা মায়না চহি ১২ লাকইবসি ধর্মগী য়াথং ঙাকচবগিনি। ঐখোয়গী পতিনি অমস্তুং পতিনি, ধর্মনা চংগা লম্বীদা ঐখোয়স্তু চচ্চগদবনি। ধর্মরাজনা হায়রকই ব্রাহ্মণ ময়াম লেংবিয়ো দুর্যোধননা থংদনবা ঐখোইদি লোৎচবা তারে, হায়রগা ধৌম্যগী পাদদা কপতুনা দণ্ডবৎ তারকই, ধৌম্যানচিংবা ব্রাহ্মণশিংনা মহারাজ অমাবগী মতমদা পুক্লিং ভগৎবিয়ু য়েক্লবু মথক্তা হোথিব নিংথো কয়া অমাবা তারুবশিংনা মন্ত্রীগুণনা মীরৈপাক হজিহনা পানবি। বলিগী হাতক্তা ইন্দ্রনা অসুর কিহনা লোক্তনা লৈরুবদগী বামন অবতার তৌহনা শল তৌরগা পাতালদা থমখি। ইন্দ্রনা অসুর কাংলগা পালখিবগুম্না কৃষ্ণগী কৃপানা য়েক্লবা জয় তৌরগা পৃথীগী মপু ওইহনা পাল্লখিনি, অসি হায়দুনা আশিষ্য তৌরম্মগা ব্রাহ্মণ ময়াম চৎখি। ধৌম্যনি লৈরোবি, বনহগী ক্রোশ অমা লাক্লা বিশ্রাম ওইহনা থন্নরকই, ধর্মনা মনাওশিংদা হংরকই। করম্বা দেশদা লৈসিগে, ঐদি ধর্মবু ফজনা ঙাকপা দেশদা লৈবিংই মকম অমদা ঐখোই ওযক পুন্না লৈবা পাম্না, নখোইনা পাম্বহস্তু হয়ু ঐ তাগে অহুগা লেপ্পসি হায়রকই।

অর্জুননা হায়জরকই যমরাজগী মরম্তু লৈরে করি অমুক কিক্লগদগে. লৈকম দেশদি ঐখোয়না লেপ্পদি হেমতরোই দাদা মহারাজনা লৈপ্পীয়ু। লেপ্পিবা দেশহুদা ঐখোইস্তু লৈজগে, যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই গুরুদেবা ব্যাসনা তাকপিরম্না মৎসদেশ বিরাট নিংথৌসি ধর্ম লৈবা শান্তহন্দি ওইবা সত্য-বাদিনি মাগীদা লেগে নিংঙে। ভীমনা হায়রে, করম বেশ সেংলগা মতৌ কমদৌনা লৈবিগনি মীনা লিন্দা তৌবা উৎসিংলোইদবা কিজম ওইরবদি অহুনি ঐখোইনা রাজগদৌরিবদি, নিংথৌনা রামা মীগী মথা পোম্না অমসুং সেবাদা লৈরুবদি পামজগে, চহি ১সি কমদৌনা লেনবিগনি অমুক্তা তাকপিয়ু। ধর্মনা হায়রকই ঐনা লৈগদবদি বিরাটকি সভাদা অচুম অরানগী ব্যবস্থা ওইরগা ইমিংনা কঙ্ক কৌগনি ব্রহ্মচার্য্য ধর্মশাস্ত্রগী নিজিদা লেপ্পা, মনিরত্নগী মমল মশক লেপ্পা পাশখেলানস্তু পণ্ডিতনি যুধিষ্ঠিরগী প্রাণগা মাম্না সখা ওইহুনা লৈরম্মী। শাস্ত্রধর্মগী কথাবু য়াম্না শারগা নিংথৌবু পেলহন্দুনা চহি ১সি লৈরগে হায়না থল্লি। ইনাওদি কমদৌনা লৈগনি থম্বানগী হাক্কওগী মনকাপুর অমসুং গন্ধর্বলোক কৈলাশ য়ৌরুবনি মহাকথক্তগী কমহেনবা, হিরম্ব বক-জটাসুর-কির্মির অমদি জরাসন্ধ হাংলগা পৃথীবীগী য়েক্লবা লৈহল্লক্রুবনি মহাক্লা কমদৌনা বিরাট লৈপাক্তা লৈগনি লায়য়ু। ভীমনা হায়রকই ইমিংনা ভল্লব কৌই পূজারি হগুবা ওইরকই ধর্মরাজগী পূজারি পুম্নমকতগী হৈবা ঐনা হেল্লি মল্লযুদ্ধদস্থ ঐগী লাম্বা য়াওদে. মল্লশিংনা ঐবু কিমহুনা পোরগব ঠাকুর হায়না খুরুমৈ ঐবু ধর্মরাজনা লুনা চান্না য়োকপিরম্মী অসি হায়না বিরাটপু পেলহল্লগা লৈজগে। ভীমগী বা তাবদা যুধিষ্ঠির নুংঙাইরে। অর্জুনবু য়েংগা হায়রকই হে পার্থ ইন্দ্রবু জয় তৌরগা খাণ্ডবদা দান তৌনহন বৈগী পেটরোগ কোকহনখ্রবা, কালকেয় নিপাতকপচ হাংলগা লাইগী য়েক্লবা কোকহলম্মবা পৃথীগী নিংথৌ জয় তৌরবা দেবগী ইন্দ্রগুম্নবা দানবগী বলিগুম্বা। গ্রহগী মহুৎপী চন্দ্রগুম্বা তেজদা বিষ্ণুগুম্বা পুংনাইদগীনা ব্রহ্মগুম্বা ইংবনা সুমেরুগুম্বা, শক্তিদা বাসুদেবগুম্বা

শামুগী মচুংদগীদা ঐরাবত কুম্বা, মুনিগী মচুংদগীদা শুকদেবগুম্বনি হায়রকপা খোঙ্গোক্তা কোকিলগী খুর মানবা। সব্যসচী ওইবগী ওই য়েং লিকুং-লিরিগী চিহ্ন লৈবা কমদোনা লৌং-কনি। অর্জ্জুননা হায়রি, উর্বশীগী বাক্যদগী উপায় অমা লৈজরে নপুংশক বেশনা ইশাসি বস্ত্রনা আবরন ওইগে, খুজেং ২মিস্থু মোইবুং খুজিনা খুমজিনগে কোক্তা বেণী মাকোংদা মাইন লৈতেংগী, ধর্ম্মরাজগী নৃত্যশালাদা দ্রৌপদী মচিংবী পুরনারিশিংগী জগোই ঈশৈ তম্বীহুনা লৈরম্মী। জাতিনা নপুংসকপী ইমিংনা বৃহন্নলা কৌই হায়হুনা লুপীমচা কন্যাশিং জগোই ঈশৈ তম্বীহুনা লৈজগে হায়রকই। মথু তাবদা রাজা নুংঙাইরে, ধর্ম্ম নকুলদা হায় যুব রজ ইনাওদি কমদোনা লোংকনি ঐদি বিরাটতা জাতিনা বৈশ্যনি অশ্ববিদ্যা শুনা হৈ ঐনা তম্বীবা শগোল লিচং চুম্বা, ঐনা য়েংশিনবা শগোলদি অনাবা লৈরোই। অসুম্না চাংশি অশ্ববিদ্যা ওইনা লৈরগে ইমিংনা গ্রন্থিক কৌজগে। ধর্ম্মরাজ নুংঙাইরে। সহদেবদা অমুক হংজকই ইনাওদি বিচার হেনবা, কমন-পাইহুনা গবেষ তৌরমম্থু সর্ব্বজ্ঞ ওইবা বৃহস্পতিগা মান্নরবনি নমাগী থুগী প্রেম পাত্রনি ইনাও চাইহান কমদোনা লেপগনি অমুক্তা হায়মু।

সহদেবনা দাদা মহারাজা বিরাটকি মণ মাঙ্গা লোইবা ইনাক খুনবা মিংথৌনি গোইবগু ওইহুনা জাতি গোপকুলনি ইমিংনা তন্ত্রিপাল কৌই। ঐনা হোংকরবদি মণবীনা শখোম থোকপা হেল্লি মণগী লাইনাস্থু লৈরোই হায়হুনা বিরাটপু পেলহনপা গোশালাদা লৈজরগে হায়রি, ধর্ম্ম হেল্লি নুংঙাইরে। দ্রৌপদীগী মাইথোং য়েংঙুনা হায়হুনা ধর্ম্মনা হেঃ কৃষ্ণা কমদোনা চহি স কদ ঐনা লৈপনি, রাজকন্যা রাজা রাণীস্থু ওইবী নহাক্না রাবদস্থু মপাম্নাইদনা রারে থুগী ওইবগী থেকি-দোক্লবী শুণমু লৈহন্দনা লৈগী পরেং রাণীগী আভরণ থাদোক্ন্না মীগী মথা পোম্না কমদোনা চহি অসি লেনগদগে হেঃ প্রিয়তম, কৃষ্ণাগা হায়রি। প্রাণপতি ঐগীদমক বাঁনিগনু পঞ্চপ্রাণ ওইজবা ইবুঙো মঙাগী মাইথোংবু উজবা যংনবা সুদেষ্ণা রাণীগীদা লৈজগে। সৈরিন্ধ্রীগী লুবা-হেনবা থবক খুদিং হৈ পাঞ্চালিনিগী সখী ওইহুনা লৈজরম্বনি, ইমিংস্থু সৈরন্ধ্রীনি কৌই। হায়জবদা ঐমু রাণীনা থম্বীগনি অসুম্না রাণীগীদা লৈজগে হায়রকই। মতাং অদুদা ধৌম্যনা হায়রকই, মতমগী মতুংইন্না লৈবদা নখোইসি ক্ষত্রিগী মচুংদগী য়েগী শক্তিগুম্বনি, মী পুম্নমক্না নখোইগী য়েক্নবা ওইরকনি রাজাং-মিয়েং শাজং-শাগল কোংদাজনা মাংলা থুগা অরাম্বা-থৌরাংবা থাংহনা লৈগদবনি। নিংথৌগী মাদ-তুংদা লৈরোইদনি নাক য়েংগা লৈগনি, কোম্নং মচুংগী মুপীগা রাজি শানরোইদবনি হয়াওবগী মমাই কারোইদবনি নিংথৌদা অথুম্না বা হায়রোইদবনি রাজনীতি কাইদবা নিংথৌদা মীনম্বা হায়দবা থইজ ওইংক্রি বা হায়দবা নিংথৌনা পাম্বা থবক অচুম্বা ধর্ম্মগা চানবা ওইনবা তোংনবা নিংথৌগা নকশিননা কমদবা হায়বসি নীতিশাস্ত্রগী বিধিনি। ঐনা করি অমুক হায়কনি নখোইদি পণ্ডিত জ্ঞানি মতমক লেহনগা মঙ্গল ওইরকউ। ধর্ম্মনা হায়রি আচার্য্যগুরু মীওইনে-কুহুনে খোঙ্গোকে অসিদি লোংশিনবা মারোই ; য়েরবনা থিরকপদা থংহনবা

থৌজাল পিনবিয়ু হায়জৈ। ধৌম্যানা ধর্ম্মরাজা অহূগীদি ভগবানগী লিলাদা জগতপু হুমহৎপা ওহদি মায়াগী মবেম্মা দেবীনি, ইবেম্মগী কৃপা লৈরবদী মীদি লাইরি লাই কাওবা থাংবা ওমলোই ঐ নত্তোব্দা পিরম্বগে হায়হূনা খুদক্তা দেবীবু অংনবা মন্ত্রবু যুধিষ্ঠিরদা তম্বীরে। হয়েন সন্ধ্যাগী মতমদা পূজা তৌরগা মন্ত্রসিনা আবাহন তৌজবদা ইবেম্মা সোইদনা লেংজনি, অদুদা বর নিজো কৃপা করনি ঐদি হল্লগে বিদায় তৌরে। কৃষ্ণ পাণ্ডব ধৌম্যাবু খুরুম্মগা লৈহৌরে ধৌম্যা যোগ শক্তিনা আশ্রম য়ৌখি। কৃষ্ণা পাণ্ডব বন কয়া লান্দুনা বিরাট য়ৌনবা লাকপদা দ্রৌপদীনা ধর্ম্মরাজদা হায়জৈ, বিরাট য়ৌগদবস্তু থরা রাংলিমাল্লে, মাসিদা পোৎথারগা হবেং য়ৌরসি ননাইবু রাবনা চংপা ওম্বক্লে। কৃষ্ণাগী মতৌ ঊবদা ধর্ম্মনা ধনঞ্জয় কৃষ্ণাবু স্কন্ধদা পুরো হুজিক য়ৌদবা য়াল্লে। ধম্মগী য়াথংদগী অর্জ্জুন পঞ্চালিনিবু স্কন্ধদা হাপ্লগা ইন্দ্রানিনা গজরাজ তোংবগুম কৃষ্ণা কজৈ অম্মুম পন্দনা লাকপহু হুমিং ভাবদা বিরাটকি সহরগা তাইনবা বন য়ৌরে, ধর্ম্ম অদুদা পোগারা নকুল-সহদেবদা হৈ: লৈ. বিল্ব জুবাকুশুম থিহল্লে, ভীমবু জল লৌহল্লরগা যুধিষ্ঠিরনা দুর্গা পূজা তৌরগা মিৎলুদা প্রেম সিন্দহুনা নাম মন্ত্রনা দেবীবু কৌজরকই। ভগবতী মনাইনী মংদা বিরাজ ওইহূনা কাওবিররে। দুর্গানা করি পাম্বগে নথোইনা পাম্বহু হায়যু ঐ পিরগে ভাকপিরে।

পঞ্চ পাণ্ডব কৃষ্ণাগা বৈষ্ণবীগী স্তুতিপাঠ তৌহূনা খুরুমজরগা হে জগৎ মাত.! ননাই ঐখোই বিরাট নিংথৌগীদ অজ্ঞাত বাস ওইজগে য়েরবনা ঐখোইবু শক খংদনবা কৃপা পিনবিয়ু নিজরে। দুর্গানা কৃষ্ণা পাণ্ডবনা ওইপদৌরিবা অম্বগী বেশ পুখোক্লুনা পিরগা অসিনা লৈত্তেং ওইহূনা লৈবদা মীগীদা নম্বনা লাইনম্বু নথোইবু খংদবা ওইরসনু পিরম্মগা অন্তর্ধ্যান ওইখরে। দেবীগী কৃপা ফংওবদা নুংঙাইরহূনা অহিংহু লৈরকপদা নোংয়াই মতুং ওইরজে, ধর্ম্মরাজনা ইনাওশা ঐখোইগী রাজবেশ অমম্বুং খুৎলাইশিং অসি কদাইদা থম্মগনি। অর্জ্জুন দাদা মহারাজ অহূগীদি, চিংনবিন্থু ননাওনা থৌরাং হায়া শেমসাহূনা লৈঙরে আভরণ হোংদোক্লবিরো, বিরাটকি নোংপোক চিংথৈদা লৈরিবা বনগী ময়াইদা শমীবৃক্ষ অমা রাংনা হেনগৎলকইবসী রাংঙে, বন মৈ চারবম্মু মৈরিনা য়ৌররোই মীনম্মু কাবা ওম্নরোই অসিগী শাজাও অমদা পুন্দুনা থমজগে হায়জরকই। অর্জুনগী রাজাবদা ধর্ম্মনা য়ারহূনা আভরণ হোংদোক্লহূনা শেম শানরে। অসিং চংজোইদবা থোইরুফিগী থাউজাও অমগী মমুংদা বেশগী ময়োম তরুক্ত, মথং মথং মথক-মথা কায়দনা মমুংদা হাপখরে। অদুদগী লিকং ৫, তেন্দোং ৫, থাং ৫, চুজোই ৫, সোরী ৫, থোইবুং ৫, মথং মথং হাপ্লগা মচিন চিংশিন্দুনা থুপকিদা পুনশিল্লে। অর্জ্জুননা পুথিবনা ধৌম্যাগী যোগাসন ওইবা সবেংগী মউন শবু অমা মঙ্গলগী নিহৌহূনা, অহূগা শমীবৃক্ষগী মথোং য়ৌরক-হুনা পুখৎলগা কাহূনা কৈনা লৈবা উশা অচৌবা অমদা পুল্লগা সবেংগী মউনা কুপশিন্নগা

পুনশিনলে। অহুমদী অর্জ্জুন কুমথরগা ভুত-প্রেত মন্ত্রনা কৌরগা অসি শংউ হায়রুনা শিররক্লগা থোরকপদা বন অহুগী উথোং অমদা যগবী অমা কুন্দুনা লৈরম্মই।

নোংচাকবগী চিথৈ হুন্নকপা মতম ওইরে, বলগী পম্বাক্দা লেপ্লুনা লৈরিবা পোপ মচা অমা অর্জ্জুন থোরকপা উবদা কিহুনা চেনবদা অর্জ্জুননা নিপ মচা চেনগনু ঐ লিংচাবা ভুত প্রেতশিং নত্তে লাইগন্ধর্ব্ববনি ঐ বা অমা তংকপিগে লাও করিগী ওন্তা লৈরম্মীবনো? যণশেমহাত্ হজিল্লরুনা খুরুম্মগা ওরাং যণ শেনবদা নক্লোম স্রুমগদবা যগবী অমা বন্দা চংখিহুনা লৈহৌরে অহুগী ওন্না লাকপগি কাম্নৈ। অর্জ্জুন এক ক্লি যগবীহ্ অসিদ লৈকৌ র, ওয়োন্দা রা অমা তাক্লমগে ক্যানৈগে মশাদা পুম্লিবা অসি শিবা দেহেনি। ঐখোয়গী চনবীদি শিবা মকমদা থম্মগা চহি ওম্লকপগী শিবা মুনিত্তুদা লৌথরুগা যজ্ঞ তৌগদবনি লবদেহে থম্বা মকমসি মী চংঙনু ভুত প্রেত লৈরবি অসি অমা নাম্নি মযামদা নংবা কায়দোকউ। মসিদা অহল অমা তীর্থ স্নান চংপদা কৃষ্ণানদী স্নান তৌবগী শিরে অহুগীনি হায়রম্মগা লাক্লে নপা চাহুক্তু যগবীহ্ হোইরগা চংখিহুনা পাওহ্ ওন্দগী মগ তানহুনা কিবনা মকহ্ মী কংনিদে। অর্জ্জুন যৌরকই, ধর্ম্মরাজনা কৃষ্ণা নংগী ঐ অরোনবা মিং ৫সি থৌনগে। জয়, বিজয় জয়ন্ত জয়সেন, জয়দ্বল গন্ধর্ব্ব ৫গী সেবা তৌরি সতী ধর্ম্ম ওকই হায়গদবনি অসুম লেপ্লর। অসগুম মহ ও বক ক নম্বুজি বস অসি মীওইবনা পাজবা তাঙবদ পুম্ব কংই ইং। * ব্রেবা এরি এল হায়রেল।

অধ্যায়

পাণ্ডবনা বিরাটকি সভাদা চংবগী

ৱারী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়:—বিরাট লৈপ কসি দশার্ণ দেশকী মখাদা, অরাংলোমদা পঞ্চাল নোংচুপলোমদা অবন্তি দেশনি, শূরসেনা নোংপোক যোইরাংলাইজিরোমদা মগধদেশনি, মৈরমদা ত্রিগর্তনি, চিংথৈরোমদা কাঞ্চন কাশিরাজ্যনি। পঞ্চপাণ্ডব ওন্তানা দ্রৌপদীনা থোং-থাকপা লোইরগা শ্রীকৃষ্ণদা কংলগা চাবা থকপা লোইরগা ধর্ম্মরাজা * ব্রহ্মচার্য্যগী বেশ শেংহুনা নাকন্দা মনিংনা হংহুনা লৈহেংবা চৌবর লাইমুম শরু পো নাকন্দা যেপলগা মাম মালা লোইনরগা, ঐ নোংপোক

---

৪১ * ধর্ম্মরাজনা ৫গী মিং অরোনবা জয়-বিজয়-জয়ন্ত-জয়সেন-জয়দ্বল হায়না সেম্মগা দ্রৌপদীদা হায়রকই, হে কৃষ্ণা নংনা অরাবা মতমদা মিং অসিনা কৌ ঐখোয়না থংগনি।

থোংদা চংগে হায়রম্বগ ধর্ম্ম চংশিন্নুনা বিরাটকি পূর্ব্বদ্বারদা থুংখি। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব থোংদা বন্দ তৌদে থাজিল্লি। ধর্ম্ম চংজকতুনা দরবার সভাদা থুংজরে। সভা বন্দনা তৌরগা বিরাট নিংথৌবু পান্থাম থাংতুনা আশিষ তৌরকই। ধর্ম্মগী রূপগুণ উবদা রাজসভাগী মীয়াম জক্রূনা কনানা কামদেবরা হ খৈ, কনানা চন্দ্রর, সূর্য্যর পোকপদগী অসিগুম্বা রূপসি উত্রি, শাজজম্‌ ঐরাবত গজরাজগুম্বী। সমাগী চাংনা পৃথীদা ভালবগুণ মাওইসি সংক্ষেত্রি সর্ব্বভূম্যাপতিগী গুণ চেল্লি। মীয়াম ভক্তি তৌই, বিরাট নিংথৌ আসনদগী কুমথরগা ধর্ম্মগী মাংদা দণ্ডবত কংলি। যুধিষ্ঠিরনা আশিষ হায়খা তৌরকই :—

মূল ব্যাখ্যা— নিবসতু তব গেহে নিশ্চলা সিন্ধুপুত্রী,
প্রবিশতু ভুজদণ্ডে বৈরিকা চণ্ডীহন্তি।
মুখ শশাঙ্কমধ্যে ভারতী ভাসনিত্যং,
ন চলতু তব চিত্তং পাদপদ্ম মুরারি॥

বিরাটনা মনোহর বাহায়না হাংজরকই, কদাইদগী লাকাপরো কবি গোত্র বংশনা করম্বদা পোকাপবনো, গুণহু উবদা পৃথীগী মপু ওইহুনা মবছত্র থোগাল তৌগদবা ফিজম ওইনা উই, নিবিগে কায়বহু ঐনা দান তৌজগে পরিজর হায়বিয়ু। ধর্ম্মনা মহারাজা! ঐসি বৈরাগ্য গোত্রসি ব্রহ্ম বংশনি ইমিংনা কঙ্ক কৌই যুধিষ্ঠিরগী সভাদা ধর্ম্মগী ব্যবস্থা ওইহুনা থবাইগুম সথা ওইহুনা লৈরম্বী। পাশখেলাদসু চংখোম্না হৈ, য়েক্কবনা লৈপাক দন লৌখিহুনা পঞ্চপাণ্ডব বন চংখরে, ধর্ম্মগা মায়বা নিংথৌ থবকপদা মহারাজগীগুণ তাহনা সিদা লৈরগে লাকপনি হায়রকই। ধর্ম্মগী বা তাবনা বিরাট সংস্কারনম্বা ঐনা নিংজবা কুইরবনি লাইগী থোংদনা ভাগ্যদিন ওইরম্বা হংজরকনী। ব্রহ্মসভাগী ব্যবস্থকারী ওইবরো, ব্রাহ্মণশিংবু পাণ্ডিতসীগী সেবা তৌহজগে। ধর্ম্মনা মহারাজ ঐদি ব্রহ্মচারিনী চাবসু এক সন্ধ্যা নি হবিষ্যনী, হিপ্লসু ভূমিশয্যানী, কদাবুসু সেবা তৌহনবিংসু। মতৌ অসুম্না ধর্ম্মরাজ ব্যবস্থা ওইহুনা লৈখরে। ধর্ম্মনা সভা য়ৌরিনী হায়বা মতমদা ভীম লাংহং ফেজোম ফংথি লৈতে ডি থাবে চেগপ ফমক অনন। য়েংশিল্লগা নাকনদা খেপ্প, গুম্বা তুংদা য়েলগা পুহুম তাবকেন্না লাকই। অরাংথংবা থোংদা থুংজরে। ভীমনা দ্বারী ঐ বিরাট উনগে লাকপনি চংজকপা হাগল্রা রাজজা লৌক খিল্লে হায়রকই। ভীমগী থোনফম মাওইহু উবদা কিংজম পাখংতুনা থোং পুরদা দ্বারীগি ফানি অজ্ঞা হায়রম্বগা পুল্লপ চেনসিলখিহুনা বিরাটতা হঙংলে। ভীমসু চংশদনা লৈজে পন্দুনা কাম্রদে থন্দুনা দ্বারীগী তুংদা অহুম চংজকপা থোংবাদা তাহনা দ্বারী পোরকপা তাইহুনা অহুম লৈবে। বিরাটনা থাজিল্লকউ হায়হুনা দ্বারী থোরকপদা ভীমগা থোংলম্বদা মায়োক্লবে। দ্বারীনা অজ্ঞাদি রাজাজা মাওঙনা চংবিরকইবসি রাজনিতি ফাকশিল্লেন? ভীমনা নিংথৌনা চংজকউ হায়রকনি থাহুনা চংজকইবনি। দ্বারীনা

অজ্ঞাবু অন্তর্যামী ওয়ীত্রা? ভীমনা ঐদি অন্তর্যামী পাদ্রীদি অতৈনা মশাদি মখোই খংজো। অজ্ঞা পাদ্রী মতাদা হৌবিরুরো হায়রম্বগা দ্বারী থোকখি। ভীম চংডকতুনা সভা ভক্তি তৌরগা পাম্বোম থাজংলগা মহারাজা স্বস্তি হায়রকই। ভীমগী রূপগুণ উবদা মীয়াম মিং কুপতনা য়েংলৈ। বিরাট মিংথো ভীমবু উবদা ব্রাহ্মণগী বেশদা দাক্লিবনি ব্রাহ্মণ ওইরবগনি মিংদহুনা পরিক্ষা য়েংগে খনবদগী ওক্তা কি য়েংলগা দণ্ডবত ভক্তিনা থুরুগী, থুংনা ভীম মঙ্গল হৌও২ হায়হুনা দাল্লি। বিরাট হৌগক্তে। আসিষ ব্যাখা তৌবফ তারগা উস্কারন্দা ব্রাহ্মণমি ব্রাহ্মণ মক্তে পরিক্ষা য়েংমিংহুনা হৌগংতনা লৈরে। ভীম নিংথৌনা হৌগংত্রবনিশা করিনবো ব থলগা লোয়মনা মঙ্গল হৌও অশুম নামবদা খুং নুমজক নাল্লহুনা বিরাটকি নময়াংহ উঙ্গা হুদোকদোয়ে। যুধিষ্ঠিরনা বিরাটসি আসিষ ওাইহুনা লৈরে। মাদি আসিষ শ্লোক অমত্তা কাস্ত্রমল্লে। মানা পুজারি শাহুনা লাকইবসি বিরাটনা য়াদহুনা দযা ওইরদব। খনবদা রারহুনা কৃষ্ণ স্মরণ তৌরগা নুকথহুনা লৈখরে। ভীমসু ওরহুনা মহারাজ হৌগংত্রবদ কৈদৌরবগে হায়রকই। বিরাটনা ব্রাহ্মণগী আসিষ ব্যাখ্যাহ্নমতং কংজমিংহুনা ওাইজবনি। ভীম বিরাটক রাহু তাবদা শ্রীকৃষ্ণবু খশ্নোইদা কপতুনা ঐ শ্লোকস্থ কাজদে দবা ওইবা তারে, নমাইদা রূপা পিবিয়ু দায়হুনা স্মরণ তৌজরকই। শ্রীহরি মনাইগীদমক বেদ মাতাদা য়াথং পিথরে। সরস্বতীনা ভীমগী লৈয়েংদা কাওবিরগা খশ্নোইদা ওালহনখি। ভীম কৃপানি খংওহুনী, মহারাজা শ্লোক ব্যাখাদি মতৌ মাল্লবনি ঐনা থুবাক্লা মাল্লিবসি মঙ্গল পিরিবনি। সিদগী হেঞ্জিল্লবদি পাপ পকইবা মপালগী উঙ্গাহু লোইনা হুদোকপা তারে। ব্রাহ্মণগী থুবাক্লা মাল্লবদি তীর্থ পুন্নমক লন তিংনা য়ানা স্নান তৌবগী পুণ্য কংওবনি। মদিগীদি পদ্মপুরাণদা হায়রি :—

মূল তথাহি :— অঙ্গুষ্ঠে বসতি গঙ্গা তর্জ্জনে যমুনা নদী, মধ্যে গোদাবরীচৈব
অনামিকাভ্যাঞ্চ রেবতী॥ কনিষ্ঠে গোমতী তার্থেনে হস্ত মধ্যেতু
সাগর সঙ্গম ইতি স্মৃত॥ অসি লৈবনা ঐনা মহারাজবু মঙ্গল ওই-
হন্নিংহুনা নাবনি। হৌজিক আসিষ পামলবসু ঐ ব্যাখা তৌগে তারো মহারাজা।

মূল :— বিহঙ্গ বাহন যেসাং ত্রিকচ্চ ধারাং॥
বামাঙ্গে পালসা কান্তং ত্রৈদেব পাণ্ডব সদা॥

ভীমনা ব্যাখা তৌরকপদা ধর্ম্মরাজা রারম্বদগী ইনাও কৃপা লৈরেমনা খন্দুনা মুংওাইরে। রারি তাবিবা জনমেজয়না মুনি বিহঙ্গ তোংবা ত্রিকচ্চ পায়বা পাঙ্গলগী মনুষ্যো ওইবা অহুগুম্বা লাইনা মতম পুন্নমক্তা ওাকপিরনস্থ হায়না আসিষ ব্যাখা তৌরকইবা অহুবু করম্বা লাইনো অমুক্তা তাকপিয়ু। বৈশম্পায়ননা হায়রকই, মহারাজ ভীমগী আসিষ শ্লোকসি অর্থ অনি চংলি।

বি: হায়বনা বৃষভ তোংবা শিববুনি। হ: হংস কাও তোংবা ব্রহ্মাবু হায়বনি। গ: হায়বদা গরুরতোংবা নরায়ণবু হায়বনি। ত্রি: ত্রিস্থল, ক: কমণ্ডলু, চ: চক্রবুনি। পা: পার্ব্বতীবুনি। ল: লক্ষ্মীবুনি। স: সাবিত্রিবুনি। বিরাটনা অজ্ঞাদি পৃথিবী পুম্নমক্কী সাসন তৌবদা মতিকচাবা গুণনা তিল্লি, পূজারি ওইবা মতিক চাদে। তেজনা মুমিংকুম্মী, গুণনা শিবগুম্মী করি অপাম্বা লৈবদগী ব্রাহ্মণ শাহুনা লাকপনো হায়রিয়ু, ঐ দান কচ্চগে। ভীমনা মহারাজা ঐসি যুধিষ্ঠিরনা পুজারি হজবা কাপতুনা লুনা য়োকপিরম্মী। ইমিংনা বল্লভ কৌই। মল্লযুদ্ধম্ব ইপা লৈতনা লৈ, মল্ল পুম্নমক্না ঐবু পৌরণব ঠাকুর হায়হুনা ব্যবহার তৌট। ধর্ম্মবু য়েক্কবনা পাশখেলাদা লৈপাক লম লৌখিহুনা পঞ্চপাণ্ডব বম চংখরে। ঐবু মহারাজদা য়োকপিয়ু হায়জগে লাকপনি। ঐদি কৈ, নোংশা, শামুম্ম কাবা ঙম্মী। বিরাটনা ফরে অজ্ঞা, পুজারি হণ্ডবা ওইহনা ব্রহ্মঘরদা লৈবিরো হায়হুনা থমখরে।

বৈশম্পায়না হায়: রাজা ভাইনাক লৈরগা অর্জ্জুন নপুংসক বেশ লৈতেংহুনা খুজি নাইম বেনীনা লৈতেং ওইহুনা নোংচুপথো দা থুংঙরে। দ্বারী চেনশিল্লকতুনা নিংথৌ খুরুম্মগা হন্নংলি। মহারাজা ঐখোইনা পুরিবা নোংচুপথোংদা উপক্রোপ ওইরবা মীওই অমা থুংঙরে, থাজিল্লকপা য়ারগনা হায়জে। বিরাটনা থাজল্লকউ য়ানি হায়রক্লে। দ্বারী চেল্লকতুনা মহাশয় চংবিরো মারমি হায়রকই অর্জ্জুন রাজসভা য়োরক্লগা সন্ত থুবম্মী। খুং লোমহুনা বদন লুক্তক তৌরগা লেপতুনা লৈবদা বিরাট নিংথৌনা সভাদা হায়রকই। এগী সভাদা লাকইবা যুবা বয়স ওইবা ছদ্ম বেশ ওইহুনা দরবারদা থুংঙরিবসি মমাংঙৈদা মীওই অসিগুম্বসি কনা২ উবা য়াওখিবগে? থাংগকপা খোংথাংনা মম্মাইকবা শামুয়াইসনা থাংগুকপদা পৃথ্বী নিকপগুম্বা, কজরবা তেজবির্য্য অসি থুমিংপু লৈচিম্না খজিনবা মৈতাল অরাংবু উংনা খুর্নাজনবগুম কুণ্ডল নাইম্না লৈতেংলি। খুদাংদা মোইবুং খুজি, ঙক্লা সনাগী ক্যাংলিকাং শিম্রি। চামার শেংলা রেংবা কুরিং লিংলি। খুদংদম্ম স্বুবর্ণ মেখলানা লৈতেংলি, নমথাং ইম্নফিনা বেনীবু হায়কেং কুপ্রগা রুপি শাহুনা লাকইবসি মী ওইরমগনি নিংদে, শোইদনা লাই মচা ওইরদগনি নিংই। ওইথোক্নবা মহাশয়, নহাক্না এগী সভাদা লাকলিবসি করি পাম্বা লৈবগে, অশেংবা পরিচয় হায়যু ঐ লেপনা দান পিগে। অর্জ্জুনা হায়রকই, মহারাজা ঐগী ইথোদি ঈশৈ জগোই, পু দা ঐগা মামবদি লৈতে হায়বা য়াই। দেব কন্যাশিংম্ব ওঝা ওইহুনা তম্মীরকই। মরম অদুদগী ঐ মতম কুইরবা নপুংসকনি। বিরাটনা হায়, মহাশয় হায়রিবা রাহ ঐ থাজদে, মী ওইহুবা পুং ঈশৈ জগোই চানদে। মু গী ফিজেৎনা নহাক্কী পকচদে মুমিংকি তেজবু নোংনা খুমজিনবা, মহাদেবগী দেহেদ্র উংপু তৈশিন্দুনা; খুমজিনবগী মতৌ মাল্লি। নহাক্কী পাম্বোমহুনা অরিংবা লিকংদা শিরি চল্লগা চিংহনা থাদোরকপদা পৃথি নিকদবা মাল্লি। পার্থনা হায় মহারাজা ঐসি ইন্দ্রপ্রস্থদা পানবা সর্ব্বভুমাপতি ধর্ম্মরাজগী রাণীনচিংবা পুরনারীশিংবু ঈশৈ, জগোই তম্বিহনা লৈরম্মা। পাশখেলাদা য়েক্কবনা লৈপাক লম

লৌখিদুনা বন্দা পাণ্ডব মাগীগী লোইনা চংখরে। অদুনা ধর্ম্মগুপ্তগী পুকচেল ওইবা মহারাজগীদা ঐ লাকচবনি। ঐবু চানবীয়ু, মপুংসন্নি। মহারাজগী পুরনারীবু অগোই, ঈশৈ তম্বীজগে। বিরাটনা ফরে অঙগইরবদি ঐগী পুরনারী লন-থুম পুম্নমক নংবোম্দা শিন্নরবনি। নহাক্না ঙাক-শেন্দুনা লৈয়ো। ঈচানুপী উত্তরাগী কন্যাশিংবু অগোই, ঈশৈ তম্বীদুনা য়াম্না নৈহল্লু হায়দুনা পাত্রশিংদা শিন্নদুনা অর্জ্জুনবু কোমুং মপুংদা থম্খরে।

মথাগী খোংলোমদা নকুল শগোল শাকৈ লগায় য়াচন পায়দুনা অশ্ববৈদ্য শীরগা থুংলরে। দ্বারীদা ঐ অমুক্না নিংলৌ থুকনরগে য়ানম্না হায়রকই নকুলগী কজরবা অশ্ববৈদ্যগী মতৌ উবদা দ্বারীনা য়ানি চংবিয়ু থাজনখি। অতুগী বশ শেংদুনা, শগোল শাকৈ চুপ্প পাইনা চংলকইবদু নোংনা থাজেল্লবদগী হায়দোকখিদুনা পুর্ণিমাগী থাবলগুম, ফজরবা নকুলবু নিংথৌনা চিংনা য়েংদুনা ময়াইকাবরবা শামুক্ত খাংখাংলুম সভাদা চংলগা দণ্ডবতনা খুরুম্নগা থংলোনগা লেপ্পী। বিরাটনা হায়রকই, মহাশয় করি দেশতগী লাকপনো? নহাকসি ঐনা অকাই শচাগুম নিংই, পরিচয় হায়য়ু। করি পাম্নগী লাকপনো? অপাম্বা অদু ঐ দান পীগে। নকুলনা হায়রকই, মহারাজা ঐসি চন্দ্রবংশগী ধর্ম্মরাজগী শগোল ময়ামদু ঐ ঙাক্না শিন্নদুনা ঐনা পালন তৌরম্মী। ঐনা পালন তৌবদ শগোলগী লাইনা লেতে অমত্তুং লৈচং চুম্মী। পাণ্ডব অম চংখরে, য়েক্কবলা লৈপাক লন থুম্নম চংখরে। অদুনা ঐ মহারাজগীদা লৈগংগে লাকচরবনি। বিরাটনা ঐগী শগোল ময়ামসি নহাক্না পালন তৌরো হায়দুনা পাম্না শিন্নদুনা নকুলবু অশ্বগৃহদা লৈহনখরে। অদুগা লৈরগা সহদেব গোপগী বেশ শেংদুনা শিঙাবেনু কয়াংগী থৌরি লোইনদুনা নোংঙাম্নকপগী মুমিং পোক্তকপদা কংনা থাক্তকপগুম রাজ সভাদা চংলকতুনা ভক্তি তৌরগা থং লোম্নগা লেপ্পী। রাজসভা নিংথৌ অঙকপা ওইদুনা য়া ঙাংলমদনা য়েংদুনা লৈনরে। সহদেব নিংথৌবু খুরুম্নগা হায়রকই ঐবু য়োকাপনবা মহারাজবু ধম্ম লৈ থংজদুনা লাকচবনি। মহারাজগী যণবী ময়ামসি ঙাক-শেন্নবা ঐবু পম্বীয়ু। ঐনা ঙাক-শেন্নবদি শজোম থোকপা হেনগনি, লাইনাম্ন লৈরোই, কৈ মু পোংলোই, শরানবম্নু উমংরোই মহারাজ। বাহারদু তাবদা বিরাটনা হায়রকই, ইয়ো নহাকনি মতিক মগুণদি ইন্দ্র, চন্দ্র, কামদেববু উমজনা কয়ে। হায়দোরকপা নিতি বাহায়না শুক্র, বৃহস্পতিগুম্মী। নহাক্ক মবুদ্ধি নপাঙম্না রাজচক্রবর্ত্তি ওইবদা মতিকচাবা শুণ চেন্নি। সংক্ষেপগী থাংশাং পীরবদা মতিকচাবা থুংতুনা থৌরি, শিঙা, বেনু পাকবিবদু গোপা শাশিনবা মাল্ল। মিং করি কৌই, কদাইদগী লাকপনো, সত্য য়েংদুনা হায়য়ু, মিনদগন্নু, অশেংবা থত্তনিংই। সহাদেবনা হায়রকই পাণ্ডুনন্দন ধর্ম্মরাজগী মশিং লাকচনম্নবা যণবী ময়ামদু ঐনা পালন তৌরম্মী। ঐগী গুণনা পাণ্ডবনা পেনবীদুনা মতমকুইনা পাণ্ডবকি সভাদা লৈরকই অমত্তুং ঐসি জ্যোতিষ শাস্ত্রমু হৈজে। কলম পায়দুনা গণন তৌবদা মুমদা লৈনা পৃথিবা থোকদবা থবক উবা ঙম্মী। অকগী ফলনা ভুত ভবিষ্যত ঙম্মী হায়দুনা

যুধিষ্ঠিরনা ঐগী ইমিং তন্ত্রিপাল থোনবি। বিরাটনা হায় ঐগী কোন্নুংগী থবক্তা অপাম্বা লৈবা খুদিং মহাক্না লৌজরো। ঐগী গোশালাদা নহাক্না হজবা ওইহনা পালনগী শিনবা ওইরো লোইনা শিন্নরবনি সহদেবসু লৈখরে। পঞ্চপাণ্ডবনা পাম্বগী মতুংইন্না বিরাট নিংথৌনা শিহনা মৎস্যদেশতা পঞ্চপাণ্ডব থুপনা লৈখরে। অনিংগী অস্তাচল গীরিনা থমখিবা, মৈতাম অরাবনু উংনা থুম্মগা উদয়গুম পাণ্ডবপু কনানা মশক থ খিদরে। অসিগুম্না মহাভারতকি বারি অসি অমৃতগী ঈচেলগুমনি। মসিবু পুক্নিংচংনা রস লৌহনা তাজবা, পাজবদা মীওইবগী বিষয়াদগী পাপ কোকতুনা অরোইবা-মতমদা যমগী যাতনা লাম্বোকতুনা হরিধাম কংই হায়বসি বেদবাক্যনি ইতি। হরি হরি

বিরাটক কোন্নুংদ দ্রৌপদীনা চংলকপা
সুদেষ্ণা রাণীগা বারি শান্নতুনা লৈখিবগী বারি মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়:- মহারাজা! অংথিলগী যুথক মতমদা কৃষ্ণা সৈরিন্দ্রীগী বেষ লৌংলগা কোন্নুং য়ৌনবা রাজপন্থদা লাকই। নুপী, নিপা পুম্নমক চেংথ্লকতুনা য়েংনৈ। লম্বীচংপা, বাল, বৃদ্ধ, যুবা, নারী, সমক নাক-য়েং ফুম্না কৃষ্ণাবু য়েংহনা তুং ইন্দুনা লম্বীদু ফুম্না লাক্লে। নুপী জ্ঞান লৈবিশিংনা হঙ্ককই-হো: ইবেম্মা নঙাকপু কজরবা শম্না মথক্না লৈথং-তুনা চটা লেম্বগুম্না পুল্লি, মঙ্গলবা সারীনা সৈরিন্দ্রীগী ফিজেৎনা লৈতেং ওইরি, মাইথোং মক-সিন্না য়াম্না রাবগী মত ওইনা চংলি। নহাকি নশক্না ফজরিবা অসিসু অঙকপা প্রমাণ লৈতনা ফজবী। দেবকন্যারা, কিন্নরীরা, গন্ধর্বিনী অপসরীরা, হংঙকই? মীয়াম্মু থেমজিনবা রাহায়না কৃষ্ণানা হংমরকই, ঐ লাই নিঙোন মঙে। মী নিঙোন্নি, সৈরিন্দ্রীগী থবক তৌগে হায়রুনা লাকপনি, রাজবাজার য়ৌরকপদা মীয়াম চেনশিন্নরকতুনা মরোম ২ কোইশিনখিবনা চংপা য়াত্রহনা কৃষ্ণা কনহনা মীয়ামগী মমাইদা মরু শুকতুনা কৃষ্ণ শোন্দুনা লৈরে। মীয়াম্না ঐ অমুক্তা য়েংগে হাইগৈ খুদিং কোয়শিল্লক্লিবহনা লাওনরকপগী ধ্বনিদু তাবদা কৈকেয় রাজগী মচা সুদেষ্ণা রাণীনা দলামগী মথু চোংতাবল মথক কাথংলগা থোং হাংদোকতুনা য়েংবদা কৃষ্ণানা মীয়ামগী মমাইদা চংপা য়াত্রহনা কম্মীবা শংকমক্ত উবদ রাণী কুমথরকপা মনাই সখী অনিদা মীয়ামনা কোইশিন্নুম্না চংপা য়াত্রহনা লৈরিব ইবেম্মা অসি সিদা পুশিল্লকউ থাখরে। সখী অনিনা মীয়াম হনদোকউ, রাণীগী য়াথংনি হায়রকপদা ময়াম হনদোকখি। সখী অনিনা বাবহার তৌহনা কৃষ্ণাবু রাণীগী কোন্নুংদা পুশিনখরে। কোন্নুংগী নুপী ময়ামনা দ্রৌপদীবু উবদা

ঙক্লহুনা য়েংনৈ। ঙাহাক নৈরগা সুদেষ্ণা রাণীনা হংঙকই; দেবকন্যা নহাক্না পৃথিবীদা কোইরকইবা করিগীনো? ইবেম্মা নহাকসিবু লক্ষ্মীরা, সরস্বতীরা, দুর্গারা, সচীরা, রতীরা, তিলোত্তমারা নহাক্কি হকচাংগী ফজরিবা নঙাদসি থবানমিচাক মরক্তা পুথিধানা ঙানবগুম্মী। নহাক্কি হকচাংগী ফজবসি উবদা মিং কুপ্পনদরে। নহাক্কি হকচাংগী মনমনা থম্বানগী মনম্মা শিকথুংনা নম্বদগী নৈহি পান্না খোইমুনা ঙংহুনা ইরক্লে। শক্তি মিত্তা ঙমজবিহুনা য়েংথোরকপহৃদা কাম-শরদগী হেন্না থোই। মহুনা পাল্লরবদি কাম কোবা লাইফাও বাম্বনি নহাকসি কামদেবগীদি য়েকনরবনি। কান্নগী নৈপী তেম ৫ মি। ঙোন্দদি তেন্দু মশিং মাইদবা নৈরে। কণ্ঠকম্বুনা জলশঙ্খবু ঙমজৈ, চিন্নালনা তরান অমুনবু ঙমজৈ, খুনাক্কে পাদনে অহুনা থরো অঙাংববু ঙমজনা ফজৈ, নাতোন নাকচিনা শুকচঞ্চুবু ঙমজৈ, পাম্বোমা গর্ভাবতী সর্পবু ঙমজৈ নহাক্কি নিতম্বনা করপনা ফজৈ, নৈপন ত'রকপনা লক্ষ্মু নেমত্রাবু ঙমজৈ, পয়োধর ২ না হৈথাগোক অমুনবা মহৈ ওইরমাম্লে হাবহুনা অতিয়াদা পাইবা উক্তো য়েংনরম্মনি। খ্বাং তারকপমা নেংসামকনা উবদা ইকাইরম্মনি, কুচুনা কুইনা হোরকপা নেংবু ঙমজবী নোঙ্গোবীনা মখোরাংনা ঙাইজবগুম নুপী ওইবী ঐখোইনা ঙক্লবী নহাকসিবু মিপাশিংদা নশাক্কি দিংয়েংনা কাংকেং য়েংবিরুবা নিপাক্তদি লেপনা বাম্বহুনা মথরাই থাবা য়াওনরনি। ফজরবী শময় জট গুম নৈখৎতুনা পুম্নগা শমজোইনা চাইনা তাহল্লিবা অহুগা বেষনা সৈরিন্ধ্রীগী মতো নৈতেং ওইরিবহ মতিক চাদে। করম্বা লাই-রেম্বীনো, করিপী মীরৈপাক্তা কোইরকইবনো? হে: ফজরবী! নহাকপু উবদা উশাদশিংকাও মতোন মশা লুকথহুনা য়েংনরকই। রাণীগী মফমদদি নিরমহৈদবীনি, সত্যবু ঙাকনা অশেংবা পরিচয় হায়য়ু।

সুদেষ্ণাগী বাহায়হ তারগা কৃষ্ণানা ফজবা মেংলবা বাহায়না হাবরকই, নপাই ঐসি দেবী, গন্ধর্বী, কিন্নরি নত্তদে পৃথিবীদা পোকপা মীনি, সৈরিন্ধ্রীগী জাতিনি। ইমা মহারাণীনা ঐবু চানবীহুনা থম্বিয়ু, ঐ রাণীগী সেবা তৌজহুনা নৈজগে। ঐগী নিয়ম ঙাকচবা অমনা লুথাকপু খোংবু ঐগী খুংপু শোকহনবিদবা অসিমদি ঙাকপিয়ু। মপী রক্ত, সমা, পুহানগী সিক, নাইম, নাসিকা নৈতেং, নৈগী পরেং লেংবা, সিন্দুর, কাজ্জল, রত্ন, আভরণ কেশ, বেষ নৈতেং শেমশাবা ঈশ্বরগী সেবা বস্ত শেমশাবহুম্ম য়াম্না মুনা হৈজে। কৃষ্ণ প্রিয়া সত্যভামাগী মতম কুইনা সেবা তৌজরম্মী। ঐগী হৈ-শিংবহৃদা পাণ্ডবকি প্রিয়সখী কৃষ্ণানা সত্যভামাদগী মিহুনা ইন্দ্রপ্রস্থদা পুরক্লগা কৃষ্ণাগা ঐহাকসি একদেহ এক প্রাণ ওইহুনা মতম কুইনা নৈরক্লে। ঐগা কৃষ্ণাগসি শক, চু, পুকচেল মাগবদগী অতোপ্পদি অমত্তা ওইরবোই নিংই। পাণ্ডব মঙানি য়েরবনা নৈপাক, লম লৌখিহুনা বন্দা পঞ্চালিনিগা চৎখরে। মরম অহুদগী মীয়োক মীচাম ফবা, ধর্ম্ম নৈবা মহারাণীগী মফমদা নৈজরগে লাকচবনি। রাণীনা হায়, ইবেম্মা নুপীওইবিফাও নশক ফজমনবদা মিং কুপ্পদনা য়েংনৈ। নিংথৌনা উবদা নহাকপু রাণী হাপকে হায়রকনি ঐনা খিংবা ঙমলোই। ঐবু নঙগী

দাসিনী ওইহল্লগা মহাকপু রাণী হাপখিনি। মহাকপু খম্নুবদি রাইথুনা শিন্নমনাইদা গর্ত পুবগুম্ থোক্লনি ঐনা মহাকপু থমগদবা চিংনৈ। রাণীগী ৱাহৈ তাবদা কৃষ্ণানা হায়রকই ঐসি মনিংতম্বী থিচং ওইরমগল্লা মিংবিরুহু। লিংথৌ ওইরো, অতোপ্পা থমা ওইরো ঐহোক্না মীৎয়েং চুমক্তবা নিপাহু লেপনা লিনি। ঐসি গন্ধর্ব মঙাগী সেবা পুহনা সতি ধর্ম ঙাক্লা লৈরিবিনি। গন্ধর্বনা তঙনা ঙাক-সেন্নুনা লৈ। ঐনা গন্ধর্বলোক চংগোই শাবিগী মরক্তা লৈবিংদহুনা সতিগী মকমদা লৈনিংহুনা পৃথিদা লৈতহরিবনি। মরমহুনা রাণীগী মকমদা লাকচবনি। চানবিহুনা ঐবু থম্মিয়ু হে সতি রাণী, লৈমিন্নরগা তুংদা থংঙক্নি। মীগী ৱাদি থম্মসি লাই ফাওনা পাপকি মিৎয়েং কিহুনা ঐবু য়েংলদে। অহংগীনি লুথাক থোংবু শোকহনবিগদু হায়জরিবহু অমসুং নিপাগী মকমদদি ঐবু পাখোল সিবিগনু. ঐগী সতী ধর্ম অসিবুসু রাণীনা ঙাকপিয়ু।

কৃষ্ণাগী ৱাহায় নিয়মহু তাবদা গুণ লৈবি সতী সাধ্বীনি খংলহনা মুদেষ্ণানা হে গুণবতী ঐগী ইমাক্তা মুংঙাইনা লৈরো, সতী নগী নিয়মহু ঐনা ঙাকনি। ঐগী সৈরিন্ধ্রী দাসিনীশিংবু তাকপি তম্বিবা ওঝা ওইহুনা লৈয়ু। রাণীগী ৱাহায়হু তাবদা কৃষ্ণা মুংঙাইনা লৈখরে। কৃষ্ণাগী সেবাদা রাণীবু খুদুমচল্লি। কেন্নুংদা লৈরিবি মুগী মরাম্বুসু ফজব লমচৎ সেবা পুজাগী শেমশাব ভক্তিগী মতম্ভু ভাম্ব তকপিহুনা পুন্নমকপু সতীগী গুণা খুদুমচল্লি। ধর্মরাজনা ব্যবস্থা ওই। বেদ-শাস্ত্রগী অচুম্বা অর্থ ফোংদোকপা মশি, রত্নগী মগুণ, মশক, মমল, ফেপ্পা অচুম্বা মিতৌনা নিংথৌ, পাত্রমন্ত্রি ব্রহ্মসভাবু পেলহন্দুনা খুদুমচল্লি। পাশখেলাদসু নিংথৌবু তঙনা মুংঙাইহল্লি অমসুং নৃত্যশালাদসু বিরাটনা য়েংবদা উত্তরা কন্যাগা পুরনারী পুম্নমক জগোই, ঈশৈ, পুং, যন্ত্র মুবা তম্বিহুনা লৈহল্লি। অর্জ্জুনগী গুণা বিরাটপু পেলহল্লি। অশ্বশালাদসু নকুলগী গুণা শগোলগী লিচং চুমহল্লকপা অনা-অয়েক লৈহন্দনা অশ্ব চাওখৎহল্লি। গোশালাদসু সহদেবনা যগবী মখোম থোকপা হেনহল্লি. মশা কহল্লি অনা-অয়েক লৈহন্দ, গোশালা চাওখৎলকই। বিরাটনা য়েংবদা বৈষ্ণব সতীগী গুণা মিপা মুগী পুম্নমক কৃষ্ণ ভক্তিদসু হেনগৎলি। লৈপাক্কি মহৈ মরোংদসু হেনগৎলি, অনা অয়েক লৈতে। বৈষ্ণব সতী লবা মকমদি লক্ষ্মীনা লেংদনা লৈ। অহুনা মৎসদেশ নোংমা নোংমগী চাওখৎপা হেনগৎলি। বিরাট নিংথৌ মুংঙাইরে পঞ্চ-পাণ্ডবপু অপোকপা মচাগা চপ মান্ননা মুংশিজখি বিরাট লৈপাক হুরানবা অমগা অমগা য়েক্নবা লৈরে। লাইনী লৈপাক্তা মান্নরে। নিংথৌনা অসুমনা লৈরকপসি থা অহুম শুরক্লে। অতেগী বিস্তাদি লোইনা খঙলে ভীমগী বিস্তাদি খঙক্রি। মতাং অসিদা ৱারি তারিবা জন্মেজয়না হংজে মুনিদেহনা থা অহুম গুরবকাও পুজারি লোইশংদা কঙবা ওইহুনা লৈরিবা ইবুধৌ ভীমগী বিস্তা খঙক্রি হায়রবসি করিনো? বৈশম্পায়ননা হায় রাজা জন্মেজয় জুতিগী দরবার ফমসু যুধিষ্ঠির, ভীম, নকুল, সহদেবা মাওই অর্জ্জুনতনি মাওদবা। ভীমগী মীওই মীতৌ মঙুন্দুনা বিরাটনা চাক থোংজু হায়বা ওমদহনা লৈরকপনা থা অহুম শুরকে। ভীমসু নিংথৌনা থোংজু কায়দবহুদা

থোংগে হায়বা ওয়াথকনা লৈরক্কপনি। ভীমনসু ঐবু পুজারি হওবা হাপতুনা খঙদনা চাক থোংও, হায়দবসিবু করম্না বিরাটনা চিংনবা লৈরবনো খন্দুনা; মরে অম্মা অহম ওস্তক্ষমদা কোংএদি দরবারসভাদা অমুক্তদি কম্ত পুজারিগী গুণসি য়েংলগে খন্দুনা হায়রকই, অঙ্গা হয়েংসি হুক অমুক্তা হৌরিয়ু। অঙ্গানা হোবা লুক প্রসাদত্তু ফংজবগা অঙ্গা পুজারিনী বিদ্যা শক্তিবু ঐ অমুক্তদি খঙজগে। মহাননথৈ হায়বা ওয়াথকনা লৈজরবনি। অঙ্গাগী গুণ লাকলবসু ঐগী পুজারিসু রাংথকনিবা রাগৌবিগনু অঙ্গা হৌগী গুণ থঙকনিংবগী হাক্জরবনি। ভীমনা মহারাজা ঐগী ইথৌদি পুজারিগী থবক্তি। রজাও সংদহুনা লৈবনি। ঐনা ইথৌদি ভীমনা লেমনা থাক্কুনা খত্রিবদি ইকাইবগা ইবুকনুংশিবক লোয়নবা নিংথৌনা চিংনবা করি লৈবনো খন্দুনা হায়দোকপা য়াদবগী লৈজরমনি। ঐদি পুত্তিগী থোংজরগা থুংজাইরিবনি মরে মহানন্দথৈ ভাব অমমম চংনরম্মে, হৌজিক তু খঙজরবনি। ঐ মুত্তিগী লুক হোরগে, ক্রিয়া তামদনা দরবার হময়ে। মহাভারতকি ৱারিসি মীওংবনা পুক্নিংচংনা ভক্তিদা তাজরবদি অত্তগী মতমদা জীবনা যমগী যাতনা লাম্নেজনা হরিধাম কংতি হাংবসি বেদনা লোপ্নি ইতি। হরিবোল হরিবোল, হরিবোল॥

অধ্যায়

ভীমনা লুক হোবা কৃষ্ণ কৃপাদগী
লামনা বিরাটতা লৈথিবগী ৱারি মতাং।

বৈশম্পায়ননা হায়রকই :— মহারাজা! নবুথো ভীমনা লুক হৌবগী ৱারি লিরগে। ভীমনা হক্রুগা ব্রাহ্মণ পুজারিশিংদা হ য়রকই. হয়েংদি নাইগী লুক্তি ঐ হৌরগে। ৱাণীগী; নিংথৌগী কোম্মুংলোনগী শরুক্তা ঐগী দারি ওইরগে কোইশং অগৌতনা অঙ্গা পুজারিশিংগী শরুক ওইয়ু। অহুগা রাফম অমগা লৈংদোককৌগ, ঐনা থোংবসিদি ব্রাহ্মণদ চহি অমা শিজররোই হায়বা রাশক অমা লৈরি, অহুনা ব্রাহ্মণদা চাবা য়ারি। হয়েং চিংনরনি হায়দুনা হৌজিক হায়রৌরিবনি। ৱারি শায়রগা সন্ধ্যাগী মাতি. ভুজন মাতি, শয়ন মাতি সেবা লোইরগা, মঙ্গাম চাবা থক্পা লোইদুনা মাগী মাগী শয্যাদা হিপনখরে। মোংঙাল্লবদা হৌগংনহুনা প্রাতক্রিয়া লোইরগা স্নান তিলক ধারন ভোজন লোইদুনা রন্ধন শালাদা চংমরক্লে ভীমনা সেবা ভণ্ডারিদা ওমিদি মথেল ১০০ গুনবা থোঙগদবনি মুদাশেপ্পু হীয়রকই। ভণ্ডারিনা কমি অঙ্গা

হায়রুনা ১০৮ শুমা সেমহনা লাক্লিলী, মহোন্না চেংচাম্বা লোইহনা নৈবং অহুম পালথংনবা মৈথাপংলে ভীম চংলক্লে। পুজারী মমাযহ অজ্ঞাহঞ্জবনা থোংবসি য়েংহনা হৈকৌরসি থরহনা লোইনা খাসন্দা কয়হনা য়েংহনা লৈনরে। পুজারীশিংগী মতৌহ উবদা, ব্রাহ্মণশিং ভকল্লগে থন্দুনা থমোইদা শ্রীকৃষ্ণ স্মরন তৌরকই। প্রভু কৈতিয়া লোংপা মা-বা হায়মখিবনি, মখোইনা ব্রাহ্মণ পুজারীনি। এঙোন্দগী হেল্লবা ডাকি, মখোই য়েংহনা লৈরে ননাইবু নোকনবাতারে উসিংল্লরোই মখোইসি ভক্লবা মঙদা বিশেস পাত্র ওসি মহিহাম্না চেংম্নবদা হেন্দোক হেজিন্না ঐ কাপচরগে, প্রভুগী কৃপানা মহুংদা চপচামা অমুক্তা ওইহনবিয়ু। অদু ওতরবদি ননাই এখোইনা লোংলিবসি হেক্রবনা থিবদা খাদহনা নংইগী রাশক থুংলনি নাক্তরগে, থমোইদা শ্রীকৃষ্ণবু গুরুমজরে। ভীম কোরকু অদু মাহনা ১শা নওকহৌনংঙৈ লাক্লকায়, ১শা চপচানা কায়ি ১শা খাজিক্তং হাপই অদুগা পাত্র ওহ লৈরদা থাঙ্গলি, ভকাক মঙিশাহনবগী লাংগা ভকাক লৈ মাহ মাহনা শাদি চপচাবহনা শাৎ থাজক্ল হাপহনা ক্রা ক্রা চেৎ ৱ ভীম চেংচুরে ১শা চপচানচুরে মাকমাংহনা চেং খাজিক চুক মঙিখজিক কাপ্লহনা চেৎচুপ চুকিল্লী। মথুম খুজিল্লগা মৈদি কনা লেকল্লগা কাংফেং ওঙ্গোল্লনা য়েংদনা নক্ষত্র কৈতুনা কৃষ্ণবু স্মরণ তৌহনা লৈ। দ্বারিকা নাথনা মতম অদুগ্দা চেংচুগী উবদ বিরাট সহর মীয়াম ভকল্লগে খন্দুনা মহি মাম্না অহনা শোগংহনা পাংলে. মতিংকনা হাপহনা চেংচু কাপেকহনা য়েখুনা ক্রি ক্রি কামথংলক্লপদা মৈথুনা পুমম মঙম চেং কাবগী মনমহনা য়েংলম্বা মীশামহু লৈকম খাদহনা চেঙ্গোকমখে। বিরাটকি সহর শিনথুনা শুকপা কবিলে কবিলে কায় ৷ শিগরক্লে। মতৌ অদু উবদা ভীমহু মিংতা পা শিনথহনা হা কৃষ্ণ! নমাইদি খাবা তারে। এদা নঙনা ঈশাকপক্লগী ঈয়াম্বা ইনাও লোইনা মাংবা তীরে, কৃপা অমুকতা পিনবিয়ু হায়দুনা খম্মোইদা কপহনা কোজে।

শ্রীকৃষ্ণনা মনাইবু খোজাম'বরগে খল্লহনা, লক্ষ্মীদা ঈকেশ্বা নং চৎলো দাদায়াইমনা তৌরিবসি নং অমুক্তা পাকাম বাক্তন ওইকনদুনা শেংখিক ঙর থুনা য়োরো হায়রকই। লক্ষ্মীনা লোকনাথ, ভীমগা মতৌগা ভাওবগা পুজারী ওইহনা লেরবনিনা মনাইবু নিতৌগী হকংহন্দা চংহনা রাহন- গদৌবি হায়জরকই। কৃষ্ণনা প্রিয়ে, নংগী শক্তিনা হেন্দনা বিরাটকি লৈপাক্তা লৈহনা ইনাইগী উপায় তৌরুরো। শ্রীকৃষ্ণগী মাথং কংলকপদা ভক্তি তৌরম্বগী বিরাটকি রন্ধনশালাদা থুংলরে। ভীমনা তৌরমলিবা অদু য়েংলগা, হে ভীম! লাইমা ভাওইদা, লক্ষ্মীনা শ্রীকৃষ্ণগী অঙ্গগন্ধ হায়কেং কংহনলগা কোরকু অহুমহ চপমামনা শেংগীহনা শোবা লোইবগী মহি চুপশিন্দুনা মনিল কুং কুং কাহল্লগা মনম নুংশিরবহনা চেং কাবগী মনম কে কহনখিহনা, অমুক নুংশিরবা মনম অহনা বিরাটকী সহর শিনথুংবা নমহল্লকই। ভীমনা শ্রীকৃষ্ণগী অঙ্গগন্ধ হায়কেং ফংখিবদা কৃপা থুংলরে খংলহনা মিংকী সী তৈথোক্লগা ভীদনা য়েংলকপদা লক্ষ্মীনা শেংগীহনা খম্বিবাহ উবদা ভীমনা নুংঙাইজরহনা

থাংথরগা য়াইশিল্লে, মসম নুংশিরকপা অতুদা ময়াম চেমশিল্লকত্তুনা য়েংবদদি মসম নুংশিরবা পকান্ন ওইরমগে। ভীমনা থাংথরগা য়াইশিন্নখিবত্তু উবদা মীয়াম্না ঙকত্তুনা য়েংনৈ। ভীমনা খনখবদা লক্ষ্মী লৈরে খন্দুনা থুনা লোইশিল্লগে শেম্বীনবা লৈরে খংলত্তুনা; ভাণ্ডারীশা। ইত্থাং মথেল ময়ামসি তোপ্পা তোপ্পা থোংঙ্কবদি কুইনা চংলগনি থুনা লোইনবা অমুক্তদা থোংবা চঙবা ঙচোবা গাচ়াই অমা পুরকত্তি হায়রকই। ভাণ্ডারীশিংনা গাচ়াই অচৌবা ১ লানশিল্লে। ভীমনা লৈরং অত্তুম অত্তু পুশিল্লগা গাচ়াই অত্তু থাঙ্গংত্তুনা লাক [illegible]। মতীমু ইত্থাং মথেল ১০৮কী তোপ্পা শেমত্তুনা থম্বিবত্তু পুল্ল [illegible] গচ়াইদা হাপচিল্ল, মুসকাম্মু থুংবু [illegible]; [illegible] মুল্লত্তুনা থাংথনরে। মত্তো অত্তু উবদা [illegible] গাচ়াই [illegible] থাশিন্দুনা মথেল ১০৮ত্তু শুনবা [illegible] থগ্গে। মচুদি চপমান্না বিরাট [illegible] থন্দুনা [illegible] মাঙবা থগ্গে। [illegible] মত্তো ওইরক্কে, হিদোক্কে লুক [illegible] মন্দিরদা [illegible] বত্তি চনখংত্তুনা রাধাগোবিন্দগী লুক [illegible]। [illegible] পুজারীশিংদা [illegible] ঠাকুরগী, মহারাণীগী লুক খিনহল্লখি, [illegible] ভীমনা [illegible]

বিরাট [illegible] অয়ুক্কী দরবার [illegible]। ভীমনা মপাল থৌগলগী [illegible] [illegible] লোঙ্ককবা থারকই। [illegible] লুক [illegible] হাম্বনা [illegible] হায়ঙরে। বিরাটনা অত্তু [illegible] অত্তা বল্লভনা লুক [illegible] লোইত্তুনা [illegible] লুক য়ৌরকত্তুনা [illegible] প্রসাদ ফংগে। বিরাটস্থু রাজদেব [illegible] চংক্কে, ভীমনা [illegible] কংবিরে। ঐ সেব [illegible]। বিরাট আনন্দ [illegible] তৌরগা [illegible] তৌত্তুনা কংঙ্কপদা ইত্থাং [illegible] ১০৮ [illegible] লোবে, [illegible] মিত্তাগী পি [illegible] অমুক্তা [illegible]। [illegible] হান্না লৌরুবত্তুদা [illegible] অত্তা ঐদ [illegible] লৌরুরে। ইকাইখরে। অত্তানা [illegible]। ভীমনা [illegible] লৈতে গর্ভদা লোইবা [illegible] [illegible], রস [illegible] অপাম্বা অমা [illegible]। [illegible] অমুক [illegible] অমুক লৌরুরে; [illegible] অমুক লৌরুরে। অমামুক [illegible] ক্ষীর ওইরগে, [illegible] ক্ষীর [illegible]। ভীমনা মহারাজ গর্ভদা [illegible] অত্তুম লৌবিয়ু। [illegible] অমৃতগী রসগা মান্নে। মথেল ১০৮ অত্তু শুনা চাবদা অমৃতগা মান্নবা হাংই, ভীমনা [illegible] হাপত্তুনা সেবা তৌরগা পেলহল্লি। বিরাটনা অত্তা [illegible]? ভীমনা মাহত্তু থাবৈনা কল্লগা হাপ্পী। মহিংদি মথেল ১০০গী পুল্লবনিনা [illegible] চারুবদা [illegible] মিত্তগী পি শিদৈ, হকচাং শিনথুনা

ভচুংই বিরাট মহাওহূদা তুজুংবা পি তাবহূদা ঙক্রহৃনা অজ্ঞা ঙসিগী মহি অংস করিদগী কমদোনা লোব ওইরবনো মসি থংজনিংই অমুক্তং তাকপিয়ু। ভীমনা মহারাজা, ঙসিগী মহি অংস শিং-জুদগী লৌবা শিংজু মহিনি। বিরাটনা অজ্ঞা শিংজুদগী মহিবু কমদোনা লৌবিবনো লেংনা তাকপিয়ু। ভীমনা হায় মথেল ১০৮ শিংগী রস সূনা লৌবা মহিনি অদুনা শিংজু মহিনি হায়রদবি শিংজু মক্তগী লৌবা মক্তে, মিংথোমা অজ্ঞা মসি মতুংদস্থু লৌবিয়ু। ঐ মহাওসি কাওবা ঙম্মোইদোরে, মহারাজ ঙসিগী মখোংসদি থুতিগী অসুম থোংবাসিদি য়ারোই, মহারাজবু প্যাজগী কাওদম।। রোগস্থু লৈতনবা তৌবনি। থোংবনা ঐনি হৌবনা লক্ষ্মীনি ঙসিগী অহানবদা চেং অকাবা মনন নমহৈনাখবহ লেপাকসদা লেব তিনমু লাইমু তানবনি মতুংদা অনা অয়েক তৌররোই।

মিংথোৌবা চাবা লোইরগ সমা মনি হত্ত ভমদ কংলি। ভীমনা মহারাজনা ঐবু য়োকথাক-পিয়ুনা ইবিং তম্মা চাথক্লনা লৈার করিগী দাক্ষণা তৌরিবনো ঐ লোরোই। ভম লোদে বিরাটনা অক্ত ন্নামদগী লুকসিগা অজ্ঞানা হৌবিয়ু করে ঐ রোথংগে হায়দুনা ভীম চংখে। পুজারী ময়ামস্থু থেংবা লোইদুনা লেইশংগী মীরমস্থু ভীমবু তাইদুনা লৈনরম্মী। ভীমনা ময়ামগীস্থু লোইরো চেপাংনা ফংথিংসি, ময়ামগীস্থু চাকম্লুক থাদুনা পুজারীশংনা চাক ইস্কুং কাপ্পা লোইরে, ভীমগীদি চাকয়ামদু পুল্লপ লেপ্পা চাকাক মহোন্দা কোংকুং অমা লেম্নগা মথেল ১০৮দু পুল্লপ হাপচিল্লি। চিক চিক থং থঙ্গা অ সন থা র জল য়েংলেমদা মনাবুন থম্মা থম্মী। মীয়ামদু ভামগী মতৌদু য়েংখ্রে। ভীমগী অম বাঞ্জনগী মনম তাবদা পুজারী সেবারী ময়ামা অম্রবাঞ্জনসি মনম তাবদা লৌরাংবা লোকই, মহাও য়েংজাংদুরই থর থরদং হাপ্পীয়ু নমাই ঐখোই কজগে হায়কে। ভীমা ঠাকুরশিংদা হন্না হায়খ্রবহুনি চাবা য়াররোই ব্রাহ্মণগীদি হাপত্রগা সেবারী ময়ামদু পিজখদি ব্যবহার খোজ্ঞে, অদুনা হায়রবকমু ঐ পুলপ ফংলগে হায়দুনা প্রসাদি লাংরগা কংনরে। ভীমনা চংখোম চাওনা ২ চুক্লগা শুং শুং য়েংংলিবদু উবদা ময়াম চাবা লেপ্তুনা য়েংদুনা লেংরে। ভীম চাবা লোইদুনা অচমন তৌরে ময়াম লোইনরবরা হায়রকই, ময়ামনা অজ্ঞাগী চখোম য়েংচিক্লেদা ঐখোয়াদ চাবা থকপ কাওনরে। লোয়মিজ্ঞরগে হয়নদুনা এপ ২ চানদুনা লোইশিনদুনা প্রসাদ সমাপ্তং লাওদুনা আচমন তৌরগা হৌগংনদুনা চিন-খুং-খোং লেংদোক্লগা অসন্দা কয়রে, ভণ্ডারিশিংনা লৈ-চন্দন হে পান য়েন্দুনা কংনরে সেবারিশংনা ময়ামগী চাকম লেংদোক্তুনা বাইতেথোক্লে অদুগা মাগী ২ জাগাদা লোংখানরে। ময়াম হৌগংনদুনা রারী শানে কনানা শায়ৈ পুং য়োরক্তুনা থালঅ ক্তি কংলে অদুগা * ভীম লুক হোরে চাকয়াম মথেল য়াংথৈগা

* ভীমনা চাক থোংবগী লক্ষ্মীনা শ্রীকৃষ্ণগী বাক্যদগী পাকাম বাজন ওইহনদুনা সেম্বিরগা, ভীমগী গুণবু মীয়াম ব্রাহ্মণ মিংথোবু কিহনখি। লক্ষ্মীগী শক্তি অমমশু লে দনা মনাইগীদমক বিরাটকি লৈপাক্তা লৈখি। অসিগুম্বা রারী অসিনা ব্যাসনা মূল ভারতস্থু কাশীরাম ভারতস্থু

থেংনবা লোইরবা মুহিং তারে সন্ধ্যা ক্রিয়া কংলে, ভুবন লুক কংলগা ভুবন আড়িত কংলি লোইবগা শয়ন অদি তৌরে লাই চেপশিন্দুনা লুক ওহ পুথোক্লগা মন্দির থোংথি ক্লিন্না। ভীমগী ভুন্না লোইশিন্নিবা মতৌক্ত ময়াম ভক্তে হায়বন্দু কিয়না ভুমদরে। ভীমনা পুজারীশিংনা অন্ন ব্যঞ্জন কয়া পাত্রদা থেংনগংলগা রানীদা থিন্ন, শিন্নরে লুক অমসু যুবরাজদা পিরু শিন্নরে লুক অমনা অন্যবাক্ক কয়াক পাত্রদা থেংনদুনা পুজারীশিংবু ছুনশে থাদহল্লি থাওমৈবা মংদো কাংলায় পায়বা অনিমা লাক থেমা চংলগা ভীমনা ময়াই অন্ন-ব্যঞ্জন পুরণ নিংথোশীদ লাকই। নিংথোগী ভুবন স্থম্ভা এম্বগ ভীমনা মহারাজ সন্ধ্যা ভোজন লোইবদি প্রসাদি কংবিরো লুক পুজরক্তে হায়রকই। ভীমগী থোল তাবনা বিরাট নিংথো লোকই। ভীমবু থুম্বগা অজ্ঞা ভুন্না লেংহক্লেদ, মহারাজ ঐ ভুন্না কৌহনা লুক কংলগা শয়ন মাংথি কংশবনি পুজরক্তিবস মহারাজগী ভুন্না কংবিরগা লোংথাবিরো। ভীমগী মতৌ শুনগ্ন উবনা কিলেং লৈতে হনা আসম্বা শাম্বগা আমাম যজ্ঞ আত্মানী হোম তৌহুনা প্রসাদ [illegible] ল, ভীমনা মরাংদা মেগগা অন্ন ব্যঞ্জন [illegible] কইর, লক্ষ্মীগী কৃপানা পাকাম্ন বাঙ্গনবু অমুংগী স্বাদহুঙী [illegible] আসবন তৌরগা থুংগা মুখস্থ্যধন তৌরগা বিরাট ভীমগী মাং চংহুই। ভক্তি তৌরগা [illegible] অজ্ঞাদি ভক্তিগী হোৌবিকপু পুজারী অতৈবু হৌবল্লু, ঐনা হায়ররকপা মুনিং অংহুনা [illegible] অজ্ঞাগী শুনসিন্না খ্রাওগী এসেবা ভইবিবাস ঐ কিজে।

ভীমনা মহারাজা পুজারী ঐগী শিনকম্নি চিংনবিন্নু পুজারি অতৈবু থোহল্লবন্দু মরকম্বু ঐ অহম হৌরক্তে হায়রম্বগা ভীম কল্লকই। পুজারী লোইশঙ হৌরকপা [illegible] ফংনহন [illegible] ভীমগী [illegible] লক্ষ্মীগী কৃপানা বিরাট নিংথোবু থুহম চন্দুনা লৈথি। মৈতাপ শর বন্দু উংনা [illegible] অস্তাচল নিংবিদা মুনিংপু খাংজল্লগা উনবগুম পঞ্চপাণ্ডব পঞ্চালিনীবু দেবীগী কৃপানা মীনা খংবা ভমদনা মৎসদেশদা লোংহুনা পুংঙাইনা লৈথরে। অসিগুম্বা মহাভারতকি বারী অসিবু মীওইবনা পুক্লিং চংনা শ্রবণ ভক্তিদা তাঙ্গবদা অদুগী মতমদা জীবাত্মানা দেব দেহে ওইহনা হরিধাম কাংলি হায়বসি বেদনা লেপঞ্জবা শ্রীব্যাসগী বাক্যনী ইতি। হরিবোল হরিবোল ॥

হায়মমদ্রে। বারী অসিনা শঙ্কর ভারত অমন্তুং জৈমিনি ভারতনম্বু মপুং ফানা লেংহম্বা অহুনা মণিপুরদা বারী পুরাণ তাবসি শ্রবণ ভক্তিনা মীওইবগী পাপ কোক্লবগী থাবীরমীবনি। তেথাও বামন বাবী লৈবা হায়না ফাওরগসি তেথাওদগী লাকপনি হায়বনি। যুবাকতি লাইময়ুমনি বিংবা জিউরাম শর্ম্মা কৌই, লাইরিক যাম্না হেবা পণ্ডিতনি উপাধনা কথাবাচন বাচস্পতিনি ইতি।

অধ্যায়

শঙ্কর যাত্রা, ভীম মল্লযুদ্ধগী মতাং

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় -। মহারাজা জন্মেজয়! পাণ্ডবনা মৎস্যদেশদা লৈবসি থা তরুক শুরকপা মতমদা মৎস্যদেশদা শঙ্কর কৌবা মহাদেব অমা প্রসিদ্ধ ওইরবা কৌলিক ধর্ম ওইনা চংশিল্লকলবা, শিবরাত্রি মমিং অসিদা শঙ্কর যাত্রা হায়না কুম্মৈ য়াম্না চাওনা তৌই। অয়ুক্তা নিংথৌ পাল্লমল্লি ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুম্নগা শিব পূজা কৎলগা থুরুম্মৈ অহুপা বেদজ্ঞ ব্রাহ্মণ ময়াম বেদ পাঠ তৌনৈ। পূজারিশিংনা লুক হোংহুনা শ্রীকৃষ্ণদা পাকান্ন ব্যঞ্জন পুম্নমক কৎলগা কৃষ্ণগী প্রসাদিনা শিবগী লুক কৎলগা, ময়ামগী চাক লুক থাহনা পরিবেসন তৌরগা নিংথৌ-ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব মীয়াম চাব থকপা লোইনহুনা, শিব মন্দিরগী নোংপোক থংবা রঙ্গভূমিগী জাগাদা আসন থারগা ময়াই চাওনা খাক্লগা মীয়াম কোইনা মকম চানাফম্নরে, অয়ুক মুথক পুংচগী মতমদা কুম্মৈ অমুক হৌরে। অহানবদা লাইরিকহৈবা কাংবু পাং তৌনহল্লী, বিরাটনা মনা জয়পত্র পীরি, পুংসিং কন্দ কক্লা তৌই। লাইরিক লোইরগা ঈশৈ লাম্বা তৌহল্লি ঈশৈ লোইবগা পুং ঢৈব-মল্ল থোংবা-জগোই শাবা পুম্নমক নিংথৌনা মনা পী, থাইদগী অহেন অকেনবনা জয়-পত্রগা মনাগা কোল্লনা পী। অহুপী মথংদা থাংগী-টাগী তৌহল্লি মথংদা লিরুং তেনগী তৌই। মথং অকোনবা ওইনা মল্লযুদ্ধ তৌহল্লি। বিরাট নিংথৌগী শঙ্কর যাত্রাগী কুম্মৈসি ভারত কাওই, বিরাট নিংথৌনা দেশ খুদিং পত্র থারিবনী কুম্মৈ য়েংবিনিংবা রাজসভা বিদ্যা লৈবস্পু য়াওবিরো ঐনা সেবা তৌনি। বিদ্যা লৈবা য়াওবিরিবহু ঐনা মনা জয় পত্র মতিক চানস্পু পীগনি। অদুনা য়েংনিংবা নিংথৌশিং লাকই, বিদ্যা হৈবশিংস্পু লাক্লুনা য়াওরে। অয়ুকী শিব পূজা চাবা থকপা বেদশাস্ত্র তারম্নদগী কুম্মৈ হৌরকপদগী, কীচক সেনপতি ভীমস্পু মাগী মাগী রঙ্গাদা চংশিহনা পোথাহুনা য়েংনিংববদগী লৈনখি। মমিং যুবামতুং য়ুথকী মতমদা দক্ষিণ ভারত দ্রাবির দেশদগী মল্লরাজ অমা থুংলারে। মল্লরাজসি জিমুতবাহন কৌই। মল্লযুদ্ধপগী দিগবিজয় চৎপদা ভারতকী মল্ল হৈবাসিংবু জয় তৌই হায়বগী মল্লরাজা কৌবনি। মানা শঙ্কর যাত্রাগী কুম্মৈ তৌরিবা সভাদা চংগুরুগা সভা থুরুম্মী অহুগা পাম্বোম থাংগৎহুনা মহারাজা ঐগী লাম্বা পীবিয়ু। মল্লযুদ্ধ তৌজগে কুম্মৈ য়েংবিয়ু হায়না হন্না হন্না লাওরকই। বিরাটনা মল্ল কয়ামদা নথোই দাম্বা জমগদবা মল্লথেংনৌ ঐনা মাবু জয় তৌরবদি জয় পত্রগা লোইননা মনা চাওনা পীগে হায়রকই।

মল্ল ময়ামহু মল্লরাজবু উবদা কিরহুনা লোইনা চেল্লখরে, লাম্বা পীনিঙাই মল্ল অমত্তা লৈখ্রে। মল্লরাজনা হায়রকই লাম্বা পীনিংঙাই মল্ল লৈত্রে ঐ জয়পত্র পীরগে মহাশয়, হায়রকই। মল্ল রাজনা মহারাজ অম্বুক চাওবা কুমৈ রাজসভা তিন্দুনা তৌরগা ঐগী লাম্বা পীবা ঙম-দবসিদি করিস্নু লৈত্তবা তারে, লাম্বা পীয়ু হন্না হন্না লাওহুনা লৈরে। বিরাট নিংথৌ লাম্বা পীনিংঙাই লৈত্রে হায়রবদা উসিত্তুনা লাওরিবহুদা ইকাইবদগী মাইথোং লাংজন্দুনা লুকথহুনা লৈরে। বিরাটকী অরাবহু উবদা ধর্ম্মরাজনা উপায় তৌরগে খন্দুনা মহারাজ লাম্বা পীনিংঙাই লৈত্তবগী নুংঙাইত্রিবহু বল্লভ পুজারি কৌথোক্লগা পাহল্লু. সোইদনা জয় তৌগনি ঐ মুন্না থুংই মল্ল যুদ্ধ হৈবনি হায়রকই। কঙ্ক ঠাকুরগী বাহ্ন তাবদা বিরাটনা পাত্রদা থুনা অমুক্তা লাকপীয়ু কৌরু থাখরে। পাত্রনা পুজারি লোইশংদা চেংকতুনা ভীমবু থুরুম্মগা অজ্ঞাবু বিরাট নিংথৌনা রঙ্গভুমিদা অমুক্তা থুনা লেংথোকপীরকউ, হায়রকই, ভীমনা মরম করিগীনো? পাত্রনা মরমদি হায়রক্কে অতুগা মল্লরাজ অমা লাকতুনা ঐগী লাম্বা পীয়ু লাওতুনা লৈহোই মরঃসিদি থংই মরোম্দি তাকপিরক্কে। ভীম পাত্রগা খুদঙ্গা লাক্কুনা রঙ্গভুমি য়োরক্লগা বিরাটতা মহারাজ কন্নি হায়বিগদবা লৈবগে পাত্র থারকতুনা থুনা কৌবিবনু। নিংথৌনা ভক্তিগা লোইনবা অজ্ঞা জিমুটবাহন কৌবা মল্ল অসিনা ঐগী লাম্বাপিয়ু হায়বদা লৈরম্বা মল্ল পুন্নমক মাবু কিহুনা লোইনা চেনখ্রে। অজ্ঞাদি ঐ মল্ল যুদ্ধ হৈ হায়বীথি লাম্বা অমুক্তা পাখিনবা কৌজবনি অজ্ঞাদি মীওইমু কৈ লাম্বা রাগনি পাখিয়ু হায়রকই, ভীমনা মহারাজ ঐদি ব্রাহ্মণনি মীওই মতাসিদা মল্লখর খর শাস্ত্রজে হায়না হায়জবদনি লাম্বা লৈত্রবা মল্লরাজ পাবদা ঐনা লোইরবদা নিংথৌবু ব্রহ্মবোধ পাপ কঙনি। ভীমগী বাহার তাবদা বিরাট মকল্লুক্তনা লৈখরে ধর্ম্মরাজনা হায়রকই অজ্ঞা বল্লভ পুজারি নিংথৌ উপায় অমুক্তং তৌ ঐনা লাম্বা য়ানি খংহুনা হায়খিবনি ধর্ম্মগী য়াথং কংঙবদা ভীমনা হায়রকই মহারাজ কঙ্ক ঠাকুরনা হায়বদি লাইনা হাংবগা চপম্মরবনী য়ারনি পাজরগে মল্লবেষ পিরো হায়না হায়রক্কে। বিরাট নুংঙাইরহুনা মন্ত্রি অজ্ঞাগী মল্লবেষ লানসিল্লু, মন্ত্রিনা খুদক্তা বেষ লানসিন্দুনা ভীম মল্লবেষ শেংলগা হায়রকই, মহারাজ ঐগা লাম্বা তৌরবদি মল্ল অসি সোইদনা মথাক মাংলান বিরাটনা অজ্ঞানা নিংবদা তৌবিয়ু হায়রকই। রাকমহু তাবদা যুধিষ্ঠির ভীমনা মল্লসি হাংপা ত'রে ঐ'দ মী হাংনবা শিল্লুবদা তারেদনা য়ারহুনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ লোললগা মক লুকুনা লৈখরে। ভীমনা হায় মল্ল নং নিংথৌবু থাওইদবগী ঐগা পাল্লি লাও নং মথাই লোগে খজনি লাওরকই। মল্লরাজহু ভীমনি খংদবনিনা উসিত্তুনা চঙ্কুনা অনিহু সংত্রিক য়েংনহুনা খুকম্মরগা দেহেহু উফুল তৈসিন্নরগা কুজিম্মখিহুনা লাম্ব থেংনখি। থোংগা থোংগা, খুংকা খুংকা, পাম্বোমগা পাম্বোমগা, দেহেগা দেহেগা, থবাকা থবাকা, কোকা কোকা,

দং দ', থেংজিনরবদা মৈ হৌবগী মতৌগুমে, ভীমনা পৃথীদা হায়হৎপদা মহারাজ শুর থিংহুনা লোংনা তারে, ভীমনা মখোং অনি পাইরগা, কুম্ভকার চক্রগুম লৈরগা পৃথীদা হায়হৎপদা থোং মপাল ঈ কায়্হুনা সিথহুনা লৈরে।

ভীমনা মখোং ২গা মগুক্কা পায়রগা কল্হোক্না মরাংলেম্দা থুকউনা নম্নগা লোংনা থেকপদা রাংলেনগী শরু মুজাও পোক তেকপগী মখোয়া মীয়াম নাকোং য়েংশিন্নে। ভীমনা লাক্নুনা হনখিবদা রঙ্গভূমীগী রাংমদা তাখি। জিমুতবাহন মল্ল রাজগী হাংলা ভীমনা মহারাজ ঐ থুং পেন্নি, শামু-কৈ-মোংসা অয়োকপা লৈরবদি পুংখোকচুরকউ ঐ লাকুগে কুম্থি য়েংবিয়ু বিরাট পেল্লহুনা কৈ মোংসা-শামু পুংখোকচুরকউ হায়হুনা মনাইশিংদ য়াথং পিরে। মনাইশিংনা কৈজাও মোংসা য়োংকি সারং চিংথোরক্লে, কৈবু-মোংসাবু লাক্লবা ভীমদা সে পিরে। ভীমনা সো হংদোকপদা কৈ-মোংসা ভংহুনা চোংশিল্লবদা ভীমন থুতুম্না অমুক ২ থাবদা কৈ-মোংসা শিহুনা ২ তাই। শামু অচাওবা য়াপনবা মউংশিংনা ভীমগী মাংদা থাজিন্নু ভীমগা শামুগা লাক্রবদা ভীমনা ময়া সংলগা মকোক্তা য়েবদা শামু মকোক ভাওহুনা লৈরকপদা, ময়ামা শিন্নুনা ঊনবদা শামু শিহুনা তারে। ভীমনা শামু পায়রগা লংখিবদা অরাপ্পদা তাখি মীয়াম্না ভীমবু কিম্নখি। বিরাটনা সানা লুপা কয়া জয় পত্রগা কোয়না থুকমহুনা কংলি, ভীমনা মহারাজগী পেন্নবা ব্যবস্থাকারি পণ্ডিতকি য়াথং ভাকচবদগী উপায় তৌজবনি। ঐবু থাকপিরি ঐদি লৌজরোই হায়হুনা লৌদে। রাজসভা মীয়াম্না অজ্ঞা হজ্ঞবু থুরুমজরি ব্যবহার তৌরগা কুম্থি লোইরমলা মীয়াম হনখরে, বিরাটপু পাত্র মন্ত্রি মীয়াম মাগী মাগী ময়ুমদা হজিনরে। বিরাট পর্ব্ব শঙ্কর যাত্রাগী কুম্থি কৌলিক ধর্ম্ম ওটনা চৎনরক্লিবসি মীওইবনা পুক্লিং চাবা তাজবদা অন্তগী য়ুমনা হরি থাম কংজি হায়বসি শ্রীব্যাস বাক্যনি ইতি। হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

কিচক সেনাপতিনা দ্রৌপদীবু রাজসভাদা পদাঘাট তৌবগী বারী মতাং।

ভারত তাবিবা জন্মেজয় নিংথৌনা হংজরকই? মুনি শঙ্কর যাত্রাগী মতুংদা মথাগী বারী ইথুথৌশিং ইবেম্মোগা কমদৌরিবগে লীবিরো তাজরগে হায়রকই। শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়! মহারাজা সর্বভূমাপতি পাণ্ডবকি গুপ্ত বিরাটপু পেলহন্দুনা অমসুং দ্রৌপদীনা রাণীবু পেলহন্দুনা থুহম

চন্দ্রনা লৈরকপসি থা ১১ শুরে। বৈষ্ণব-সতী লৈবম্বনা লক্ষ্মীনা লৈবদগী মৎসদেশ কায়দগী চাওখৎপা মরম খুদিং হেনগৎলে. কিচক সেনাপতি মৎসদেশকী হায়দগী তেনগৎলকপম্বদা শুংঙাইহনা বিরাট মহাই খুরুমজনা বারী শাম্নিংঙনা দরবার সভ কারকই। সভা ব্যবহার তেরপা নিংথৌগী মাংদা চংঙক্লগা খুরুম্মী বিরাট আসনদগী কুমথরক্লনা প্রেম আলিঙ্গন তৌনৈ। অদুদগী ব্রহ্ম সভা খুরুম্মগা সেনাপতি আসন্দা ফমে, মৎসগী চাপথৎলকপগী বারী শাম্নরগা চাঁচেম উম্নদবস্তু কুইরে অমুক্তা উম্নক্লগে হায়না বিরাটপু খুরুমজনা বিদায় পোয়রগা কিচক রাণীগী কোম্মুংলোমদা লাকই।

সুদেষ্ণারাণী মৌপ্না উবদা মগুণ লৈব বরসেনাপতিনিনা কমযদগী হৌগৎলগা অরম্না ইপ্নাদি লেংঙক্লবা কুইরে, লেংশিল্লকউ। রাণীনা মনাইশিদা আসন হায়রকপদা মনাই নিপা অমনা রত্ন আসন থারগা কিচকপু খুরুম্মজনা আসন্দা লেংশিনবিন্ন হনগচ্চে। কিচক মচেৎবু খুরুম্মগা আসন্দা ফমে সুদেষ্ণানা মৌপ্নাগী পানা কৈ-লৈ সন্দেস সেবা ফজনা লাংহন্নিংহনা, চংঙক্লগা দ্রৌপদীদা হায়রম্মগা থোরক্লনা আজন্দা ফম্মুগা বিরাটু নিংথৌগী চওখৎপা মুংঙাইবগী বারী শাম্নহনা লৈ। দ্রৌপদীনা কৈ-লৈ-পানা সন্দেস স্বুবর্ণ পাত্রদা থেনগৎলগা পুথোক্লকপদা কিচক সেনাপতিগী মিৎয়েং উবদা মাংদা লাংশিল্লগা মাইথোং লুক্কতোরগা ইমুদা চঙখী। কিচক দ্রৌপদীগী ফজবা শককম মাইথোং উবদা কামগী পঞ্চশরগা মশক্তি উদবা লৈগী তেন ৫ (রুপ-রস গন্ধ-স্পর্শ শব্দ) তেম্না থম্মোই যুথিহনা চাবা থকপা কাঙহনা থক থক নিকলুরগা মচেমদা হংঙকই? ঙাঁচে ইবেম্মা সৈরন্ধ্রিগী কিজেং শেংপা হৌজিক ইমুংদা সন্দেস লামশিল্লম্মগা পল্লক্লনা চংখিবী নুপী বঁদাইদগী কংতি, মহোশাদি উদে থা কয়া শুরে ফংবসি? সুদেষ্ণানা হায়রকই, ইবেম্মসি থা ১১ শুরে ইচেম্না ফংজবা জাতিন্দু সৈরিন্ধ্রী মমিংন্দু সৈরিন্ধ্রী কৌই, থবকন্দু সৈরিন্ধ্রীগী থবক য়াম্না লুনা হৈ। কিচকনা ইচে নুপী অসি সৈরিন্ধ্রীগী থবক্তা মতিক চাদে মহ রাণী ওইগদবনি। সৈরিন্ধ্রী বাংলগা ইচেমদা দাসীনি ১০০ পিগে সৈরিন্ধ্রী অসি ঐঙোন্দা পিরো, মহারাণীগুম থম্মগা ঐগী নুপীশিংবু মাগী সেবা তৌহল্লগে ঐগী সম্পতি পুম্নক মঙোন্দা শিন্নরগা মাগী য়াথং মতুং ইন্না শাসন্দা ঐ পাল্লরগে হায়রকই। সুদেষ্ণানা ইথুংঙো সৈরিন্ধ্রী অসি গন্ধর্ব্ব মচিন মনাও ৫গী সেবা তৌরি সতী ধর্ম্ম ঙাক্লিবিনি। দেশ কোইরকপদা ঐগী সৈরিন্ধ্রীশিংগী ওজা ওইবিনবা, ঐনা হায়জহনা রাশক্লরগা থম্মি সতীনি। মঙোন্দা পিবা য়াদে, নিপাগী মকমদন্দু থাবা য়াদে কনাগী উচিষ্ঠ পাদন্দু শোকপা য়াদে। সতী ধর্ম্ম ঙাক্লিবিনি গন্ধর্ব্ব হায়বন্দু লাইনি পরদারদা নত্তবা বাথন অমত্তুং দোষ লংঙরবদি ইপ্নাগী থরাই মাকনি থজুন্দু হায়রকই। কিচক্না ইচে ঐঙোন্দা পিরো সৈরন্ধ্রীনিনা হায়বা বাদি থাজবিক্লন্দু মখোইগা হৌনশানি। গন্ধর্ব্ব লক ১না ঐঙোন্দা কৈদৌনি রাণীনা ইচেম পিবা ঙম্মোই ঐদি রাশকল্লে রাণীগী

রাজার ভাবদা কিচক পাওদুনা ইচে হয়েঙী হুমিত্তা সৈরিন্ধ্রী ঐগী য়ুমদা থারকল্লবদি, ঐগী ইত্তিক থওু। বিরাটকি লৈপাকসি মথক মথা ওনগে য়েঙু হায়রম্বগা সন্দেস লৌদনা হৌগত্তুনা মকি কলম্বগা চৎখরে। দ্রৌপদীগী মতৌহুনা সুদেষ্ণা রাণী অরাবা ওইখয়ে, বাদি তাংখোক্তনা রাখল তৌহুনা লৈখরে। মুখিং তাখিহুনা সন্ধ্যা ভোজন লোইরগা চাবা থকপা লোইনহুনা হিপ্পখরে, নোংভাল্লকপদা প্রাতঃ পক্রিয় স্নান লোইরে। সুদেষ্ণনা খল্লি কিচকসি তৌবা ঙম্বা নিংথৌগী মথা ওইগদবগী শক্তকপুদি ঐদা রাশক কাইবগী নরক তাবদা ফ দবা মাল্লে। সৈরিন্ধ্রী থারগে লেপ্তুনা, সনাগী পাত্র ১ পায়রগা সৈরিন্ধ্রী কৌথোক্লে। ইবেম্মা হৌজিক ময়াগী খুজাই পাইরগা কিচক সেনাপতিগীদা চৎলগা ঐনা থকুবা খোইহি থবা লৌরু। দ্রৌপদীনা হায়রি * সূতনন্দন কিচকতু নিংথৌ চুমদে মবুক কানশাই ঐ চৎপা ঙম্লোই হায়নখিবদা মীতৌপগী মকমদদি ঐবু থারোই রাশকখ্রবমী, সুদেষ্ণানা দ্রৌপদীগী খুংতা খুজাই শিন্নরগা হায়রকই মংবু ঐনা য়োকতুনা থম্বগী

* ব্যাখ্যা — কিচকপু সূতমচা হায়বসি সূতজাতি নত্তে, কেকয় লৈপাক্কী সুধর্ম নিংথৌগী মচা ২৮ লৈ। অতোপ্পবনা সুতমাং কৌই অহন্না ভক্তা কৌই। ভক্তানা মচানিপা অহুম পোকই, সুতসানা সুপা মথা পোকপা মথা পোকতে। মচেমগী মচা মিহৌহুনা চহি অমা শিবা পূজা কাতুনা শিববু নিংই, শিব লেংদিরক্তুনা বর নিজৌ তাকপি। সূততানা মপাঙ্গল কনবা ইচা ১০০ পোকচগে নি। শিবনা পোকচৌ অহন্না পাঙ্গল্দা কাওসমু অরোইবা মতমদা মথোই লোইসমু শিবত্থবা লেংখি। গর্ভ ওইহুনা থা ১০ সুবদা কিচক পোকই ১না থোংক্রম ওইনা পোকই। থোংক্রম মঙুদা অহাং ৯৯ য়াওরমই, দলীনিশিংনা য়োকই। বিরাটনা সুদেষ্ণাবু লুহোংবা মতমদা, কিচক্কা মচেমবু মনাগুম্মা থংবগী মথক্তা ময়াম্বা ৩ লৈবগা নিংথৌ য়ুবরাজ ওইবমু য়ায়রোই থন্দুনা, ঐদা ইচেমগী তুইনপনি থাদোক্রবা ঙম্লোই। হাইবদা কেকয় রাজনা বিরাটতা মচিন মনাও ১০০ শিন্নরকপনি অহনা কিচকপু বিরাটনা বর সেনাপতি হাপ্পনি। কিচককি পাঙ্গল চদানা মল্লদা থাংতা ধনুবিদ্যাসু মতিক চানা হৈ মপাঙ্গলদসু মাগুম্বা লৈতে অদুমা সেনাপতি লক ১গী মথক্তা আসন ফমিমবনি, কিচককি মগুণদি ভারত ভূমিদা কাওই। অদুমা মৎসদেশদা য়েংবা চংদে অদুনা দ্রৌপদীনা থংহুনা অতোপ্পবীগী মচানি হায়হুনা সূতপগী মচানি মবুক কংলমরোই হায়বনি। শঙ্কর যাত্রাগীদমু জিমূটবাহনং মল্লমু কিচক লৈতবা মতম ওইহুনা পাখিনবা লৈতবনি হায়হুনা শেমশিল্লগা লীবসু য়াওরকই। মহু লাইরিক কংগ্রবসু পৃথীবীগী লাম্বা লৈত্রবা বরসেনাপতিদা লাম্বা পাবনি হায়রকসু। শিব পূজা লোইরগা রঙ্গভূমিদা কুম্নৈ হৌরমলাইদা কিচক ভীম২হু য়েংনিংদহুনা ময়ুমদা হক্তিমখিবনি। মল্লরাজহনসু ভীমনি থংলবদি খুরুমজগদবনি, থংদবনী পাক্কসুনা শিল্লিবনি। মসি মুল ভারত অমসুং জৈমিনি ভারতনসু হায়রি। শ্রীব্যাসদেবনা বাক্যদ্ধ শ্রুতি হেলবা সাদবদা রস থুপচিন্দুনা লেংতু। ব্যাসকী থৌজাল্লা থম্মোইদা তামখিবা শিষ্যশিংনা শম্মোক্লা লোংতি শঙ্কর ভারতসু হায়রি। ইতি ॥

অতোপ্পসু মতম ইশ্বানি ঐনা হায়বসি য়াম্বদি কায়দ্রে চৎপিখরো। দ্রৌপদীনা খল্লি ঐন চৎজবদি লৈবসু য়াররোই থা ১৩সু ওইরে য়েক্নবা থিরিবা মতম্মি ইহাক খঙগী য়েক্নবা খংখ্রবদি ইবুংঙো ৫ অমুক অরাবা তারনি খন্দু। থোরকই। হোজং লম্মোক্লগা মখিংতা ফি শিল্লরগা সূর্য্যদেববু স্তুতি ভক্তি কৎলগা মনাইবু ঙসিসি সতী ধর্ম্ম ঙাকপিয়ু খুরুমজরগা কিচক্কি যুম য়ৌবা লাকই। সূর্য্যনা মনাই ২ দ্রৌপদীবু ঙাকপিক হায়না থারক্লুনা সূর্য্যগী ক্ষত্র ২ লাক্লুনা মপাক্কি উহন্দনা দ্রৌপদীগী নাক-য়েংনা লেমহুনা চংলি। কিচকতি স্নান লোইরগা মাঙোন আভরণ লৈতেংঙগা শকয়েং মিংশেল কাংহায় সা খুজি লৈতেংলহনা মাঙোগী অসান্দা খুম্মী মাগী মীশিংবু মখোই ইমুংদা লৈয়ু নবেম্বা অমা লাক্কদোরি হায়দুনা ইমুংদা চংহন্থি।

পঞ্চালিনা য়োরশতুনা হোজংদা কানশিল্লকতুনা শ্রীকৃষ্ণবু স্মরণ তৌরগা সুনাং য়োনব চংঙকই। কিচকনা ইবেম্মা চংঙকউ কোইগনু, মংনা ঐগী গৃহিনী ওইরগা সম্পত্তি পুম্নমক মগী মখল শিন্নরগা সৈরিন্ধ্রী ওইগদবগী শরুকপুদি রাজ রাণীনা মান্না লৈগনি। ঐগী মুপীশিংবু সেব তৌহনগে। ঐনা নঙগী য়াথং মতুংইন্না সাসন্দা লৈগে চিনপমু হেন্নবদনা হায়রকই। কৃষ্ণান ঐদি রাণীনা থোইহি লৌক হায়বগী লাকপনি। কিচকনা খোইহিবুদি কনাই অমত্তু থিলহনগে রাণী আসন্দা কমলো, ঐগী সম্পতি পুম্নমক নঙোন্দা শিন্নগে, রাণীগী আজ্ঞাগদি হোংদোকউ দাসীগী মখাম্বু সেবা তৌহনগে নহাক্কা ঐহাক্কি সহধর্ম্মিনি ওইদুনা রাণীগুম্না লৈফিয়ু হায়রকই। কৃষ্ণাণ ঐদি অহুগুম্বা বাহু তাবা য়াদে সতী ধর্ম্ম ঙাক্লিবীনি, ঐদি চংলগে হায়রগা খুজাইগী দাবি মখক থনম্নগা হোজংলোমদা চংখরে। কিচকনা মুপ্পী ওইবীগী কেজরিমাংদ্রে খন্দু। মেহুনা লৈ হোজং লাম্মোক্লগা কৃষ্ণা কমা চেল্লে। অদু উবদা কারগে খন্দুনা তাগরকই। কিংক্রা নোংস কৃষ্ণানা সজি অমোক্মি। লমখাংদা কংদুনা কাগে হায়দুনা মখুংদা লাম্মকপদ মুম্নিংকি মনাই ২না কিচকপু পাখোম কারগা হায়হংপদা খরো থরো ওন্দুনা তারে। দ্রৌপদীনা রাণীগী তাপাদগীদি ঐবু থানা চিংখিবা তারে। দরবার সভাদা চেকিল্লবদি নাগী মরালশু খঙহনগে খন্দুনা কৃষ্ণ দরবাররোমদা চেল্লে। কিচক হোগংলগা সৈরিন্ধ্রিনা ঐবু হাইহংপা ঙম্বাসিদি কলিদা লমহেন্ন য়াঙঙিবা মাসি বিধিমা ঐগীদমক তম্নরবনি। কাদুনা পুরগে খন্দুনা হেংঙকপদা দরবাররোমদ চেল্লিবদু উবদা কিচক শাওদুনা ঐগী ইতিক থঙহল্লগে তাগ্নরকই। দ্রৌপদীনা দরবার থোংজিন কানশিনখিবা অসিদদি কিচক্না ফাবা য়াররোই হন্দুনা থোংজিন মপান্দা লেপতুনা লৈরে। কিচক্না দ্রৌপদীবু তুং ইম্নরকইবদু শাওদুনা কৃষ্ণাগী মশাম পায়রগা নমরাংদা পদাঘাটগী য়েংদুন লৈরিবা সূর্য্যগী মনাই অনিদু কিচকনা ব্যবহার লৈতবদু উবদা চোংশিল্লকতুনা পাখোম অনিম পায়রগা হায়হংপদা উপালবু মখোং য়াম্বংলগা চাইথরকপগুম কিচক মূর্ছা ওইদুনা তারে। দেবদূত অনি সূর্য্য লোক্তা চনখি। সিংথোগা পাত্র-মন্ত্রি লোইমদুনা ফম্মিবা সভাদা দ্রৌপদীবু পদাঘাট লাং-ঙরিবদু উবদা, ভীম সিং অরিদু ঈশুম ঙাংলগা খা চিকতুনা অচাকপা মৈদা খি হৈজিনবগুম ঙংদুনা

হৌগৎলকই। কিচকপু মৈরগে নিংবত্ত ধর্মরাজগী মাথং মৈতনদি মাদবমিনা যুধিষ্ঠিরগী ইঙ্গিং য়েংঙকই। ধর্মনা কিচক থেংনখরবদি মীয়াম্না থদখরনি খল্লুবদগী মরু লুক্তক তোনা খোংবী পৃথিদা য়েশিন্দুনা ভীমবু য়েংঙগা লৈ। ধর্মগী ইঙ্গিংতু উবদা ভসিগী অসি খুংঙাইখিদ্রেদা হায়রগা অশাওবত্থ মবুক গ্রোং গ্রোং খোংহুনা হন্নরগা মরু লুকথহনা আসন্দা চঙহনা ফমখরে। সভা শুমমক অঞ্জা পুজারি হঞবা শান্থই, ভসিগী মতৌসি হায়হনা লোইনা সভা মীয়াম মরু লুকনখি। কিচকপু জ্ঞান লাকনা হৌগৎলকপদদি রাজসভা ওইবগা ভীমগী মতৌ উবগা লৈবা ভমন্দ্রহনা সভাদগী মরু লুকতুনা থোকখরে। নিংথৌপু বা ডংদনা লৈরে। কিচকি মগুণনা সভা বা ডা দনা তুমিন্না লৈরে। উত্তর খুংঙাইত্রহনা হৌগৎলক্লগা মামা ঙাইখো, ভসিগীসি অচুম-অন্নান বিচার পংখিসি হায়রকই। মীয়াম্না ধন্য ধন্য যুবরাজ হায়না লাওরকই। কিচক্না উত্তর অংঙাং মতনা ইথঙ্গা বিচার খিবা মাবরা হায়রগা পন্দনা চংখরে। উত্তরনা মামনা ঐবু ভঙ্গী চংপাদ চংখ্রা রাজসভ মক্কা হৌনদবনি হরি মরাম্নো থিখিসি হায়বগী রাকমনি হায়রগা উত্তর খংঙাইতনা ফমখরে। দ্রৌপদী মবুংঙো মখি সভাগী মাইকৈদা ফম্নিবা মবুংঙোশিংগী মাংদা খোঙ্গেল রানা কর্পুরগী বিরাটলোনদা ওনশিন্নগা, মহারাজা নিংথৌগী মাংদদি মপুনা মনাইফাওবা কুপা য়াদে। ঐবু অনাথিনি খন্দুনা কাপদবগী অপংবা কিচক্না রাণী থৌদা চংপবু তান্নরকপসি কনবিনবা শিল্লকপবু নিংথৌগী মাংদা ইশাম পারহনা ঐ তাবমথৈ চিংঙগা পদাঘাট তৌহৈদবা নাংনগী দেশনা সভা থেংঙিন রাংনদ রাক্সহনা তারিবনি। সেনাপতি জ্ঞান তাহল্ল, মন্ত্রিমম্পু হায়দে, জ্ঞান তারক্লগা সভাদা চেনশিল্লক্লগা কবিগী ফুররিম্পু হায়দে, উত্তর যুবরাজদা হায় চংখিবসি অচুম্দা শক্কা পানন তৌরবদি হরিশ্চন্দ্রগুপ্ত ইক্লগী সভাদা লৈপনি, চুমদনা তৌরবদি দান শঙ্ক ফন তৌব রংম্পু যনগী নক্কা কুই। সৈ ফায়বসি নিতি শাস্ত্রদা লেপখরবনি। দোষ লৈতবা ঐবু সভা মরদা য়েরিবসিবু রাজদণ্ড চমদবসিদি ধর্ম লৈত্রবা চোর ডাক্কা কম্মে, কম্মীবা পুরমক ধর্মবু কিক্রনাক্লে হায়রকপদা বিরাটনা খুম্মকই। নবানি থংনবগী রাম্পু তাদে অচুম অরানম্পু থংদনা থংদা উদবত্থ ঐনা কমদোন হায়গনি। বিরাটকি বাহু তাবদ কৃষ্ণা কোক্কা খুং হাপ্লগা কপতুনা হায়রকই। ঐগী প্রাণনাথদি ধর্ম লৈতববু পদাঘাট পিবদা হাৎপা ভঙনি অমম্পুং লিরুং লিরি ল্পাপলগা টঙ্কার তৌরকপদা পৃথি নিক্রিবন। রথ অমা তোংলগা স্বর্গ মর্ত্ত পাতাল জয় তৌবা ভঙবি অমম্পুং লাইনম্পু মীনম্পু খুংশিনবিরিবা লৌশিং লৈব, ধর্ম খওলবা অঙ্গুষ্ঠবু সেবা তৌরিবা ঐবু মবুংঙো লৈতবগুম স্থুত মচানা সভা মরাদা পদাঘাট অপমান পিররিবসি হা প্রাণনাথ কদাইদা লৈবিবনো য়েংবিয়ু হায়না তেংথারকই। মতৌহ উবদা সভা মীয়াম্না সৈরিক্সি দেবকন্যাগুম্না কক্তরবি অসিবু পদাঘাট লাংঙরিবা কিচক ধর্ম লৈমদ্দে হায়রৈ। মতাং অহুদা কঙ্ক ব্যবস্থানা হায়রকই হে সৈরিন্ধ্রি! রাক্সপু চংলো রাণীগী কোল্লুংদা। ধর্ম লৈবা নিংথৌমিনা তুংদা সভা মীয়াম বানরগদরা খল্লুনা কিচকি মরাল ঙাকপিথিবান। মহাকি নবুংঙো গন্ধর্ববশিংদি উরদ্দা য়াই,

মতম চাঙা মভিক চাবা দন্তি শিরবা য়াই কিচককিদমক কিক্রবগী রাকপু মানা তৌজবা ফলদি মানা ফংগদবনি। ধর্ম্মগী মা তাবদা কৃষ্ণা কিজিনা পি তৈথোক্লগা চুপ্পী অঙ্গানা তাকপিবা থারিবা পোৎতুগী মহৈদি মংমা চাবনি চুপ্পী ননাই চচ্চরগে, খুরুম্মগা শম শায়হুনা চিংবগী শমখোংদগী ঈনা পুমঙাং ভাংলহুনা লাকপনা রাণীগী মাং য়ৌরক্লগা কপলকই। কৈকয় নিংথৌগী মচানুপী সুদেষ্ণানা হংই? ইবেম্মা নহাকপু অসুক থিনা তৌরকইবসি কনাননো মবুক কন্তবদগী মীহু মরুফংনা মাংজবনি। কৃষ্ণানা হায়রকই রাণী খঙনা ২ মৌপাগীদা ঐবু খোইহি লৌক্ত লৌমহুনা থাবদগী রাজসভাগী মাংদা শম পায়হুনা চিংঙগা মখোংনা রাওবা কিচক কত্তবহু অহুগী দোষনা ভসি-হয়েংগী মনুংদা শোইদনা শিরনি শোরাংকি পোং লাংবা য়ায়নি থংঙ হায়রম্মগা পঞ্চালিনী মাগী ইমুংদা চঙখরে। সুদেষ্ণাসু সতীবু কিহনা কৃ া ী নাক্তা চংবা ভমদহনা রাণী শজাই মনুংদা চংঙগা চিন্তা তৌখি। পুজারিনা লুক য়ৌরকতুনা ফংঙগা শয্যাদা হিপখি। কৃষ্ণা হকচাংগী ঈ উকুম তৈবহু শেংনা চামখোক্লগা কোক তুমহুনা লুখোক্লগা অতোপ্পা নিপানা শোকখি-বগী সতী দোষ কোক্লবা তুলশী পত্র জলনা শান্তি তৌরগা কোক্তা মুখদ খুচুম হাপখি। চান্দ্রে থকক্রে মিঙা পি শিনথরগা ঐবু য়েক্লহিবা কিচক হাংলগা ঐগী অরাবা কোকপিবা ভয়-গদবদি ভীমনি। অসি খন্দুমা থরাইনা তুম্নথরবা থেংলবা মতমদা ভীমগী য়ুদ্দা লাকই। অসিগুম্বা মহাভারতকি বারিসি মীওইবনা তাজবদা পাপ কোক্লগা জিবগী অন্তকাদ্দা হরিধাম ফংই ভায়বাস শ্রীব্যাস দেবনা লেংঙমবা সোইত্রবা বেদনা লেপখ্রবনি ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

দ্রৌপদীগা তানদুনা ভীমনা কিচক হাৎপগী বারী মতাং

বৈশম্পায়ন্না হাই। মহারাজা জন্মেজয়, দ্রৌপদী ভীমগী য়ুম য়ৌরকলে। ভীমদি তুফদা মশাদা কিপম্মরনা মীনা কিহুনা থোং লোনবনি. ঐস্থু কিহুনা লোল্লি থমথিনি হায়বগী থোং হাংথোক্লগা তুপ্পী। অহনা দ্রৌপদীনা ইমুং চংঙকপদা ভীম তুমথরম্মে দ্রৌপদী ভীমগী থোং শায়রগা হিকনা ২ কপগা ননাইদি হুংহাইতবনা চাবা থকপা তুবা য়াত্রহুনা লাকচরবনি। প্রাণনাথদি ননাইগী থনবীরহুনা সুংঙ্গাইনা তুম্বিরি হায়রগা কপ্প। কৃষ্ণ ২ শোক্লগা ভীমসেন হৌগৎলকহুনা

পঞ্চালিনী অহিং অথেংবদা লাকইবদি করি হায়রিংই? মীগা তার থংখরবদি চিংনথিনি মগুনা হায়রিংবর হায়য়ু কপকপ্ন শায়রকপদা কৃষ্ণানা পি তৈথোক্লগা হায়জরকই. নমাইগী অরাংবু উবিরিবনি। ফংজ্রবা কিচকনা সভা মাংদা ঈশ্বর পাইহুনা চিংগুপা পদ ঘাট শিহুনা ঐবু মাইথিবা পিংবু য়েংগুপা ধর্মরাজনা ঐবু য়ুমদা চংলো য়াথং পিরে। নোংজ্লেবদি কৈকাংনদবা কিচক অমুক লাক্লগা ঐগী ভর্য্যা ওইরো হায়রনি। গন্ধর্ব্ব নগা পন্নুবা গন্ধর্ব্ব লক্ষ, অমনা ঐত্তোন্দা কন্নিস্নু তেংবা ওয়োই হায়হুনা ঐবু নোক্লরনি। মরম অসিনা কিচকপু হাংপিন্ন হাংপিত্রবদি ঐ হাংপগী পাপ পুবিয়ু। নোং ভাল্লবদি মৈদরা চীশিংদরা নত্মগা হু চানদা লপনা পিরগে। হে কৃষ্ণ নতমহুন নগুনা ঐবু উবিরিমনা ঐ কিচক হাংকে হে শংলকপানি। ধর্ম্মনা থামজুন কিচক হাংপা য়াদবনি। পৃথ্বিগী দাদা মহারাজগী য়াথং উম্মবনা ঐথোক্তৌ ধর্ম্ম ওইহুনা ইল্লিবসিনি। কদ্ভ ইতিক চংলো ধর্ম্মদা কংক দাদা মহারাজগী য়াথং কাংগুবদি নগুগী নিংবহ্ন ঐ লেপ্পনা য়ুহনগে হায়রকই। দ্রৌপদী ভীমগী য়াথংদগী ধর্ম্মগী য়ুমদা লাকলে। য়ুম য়োরকহুনা দাত্রী লাইথক কাংলগা চাগুকহুনা থোং পাইবদ জোল্লমদে হায়হু। ঈমুং চগুক্লগা ধর্ম্মগী পাক কোল্লগা পুক্লটে। ধর্ম্মসি একসন্ধা ভূমিশাংগা ব্রহ্মচারি ওইহুনা চটিসি লৈরিবনি। ধর্ম্মনা কৃষ্ণা অহিং অথেংবদা লাকইবা করগেনো? দ্রৌপদীনা মনাংবু সভা মাংদা কংজ্রবা কিচকনা অপমান পিবগী লৈনা অনদে চাদরে তুমম্নু ত গ্রহনা কিচক হংপন্নু হায়জগে লাকচরিবনি। মাবু হাংপরবদি মনাই থবাই থাজবগে হায়রগা কৃষ্ণা কপ্পকই। ধর্ম্মনা সতী নগুনা ঐত্তোন্দা হায়রিবা রাজসভাদা ভাদা কায়দবনি। অত্তোন্দা হায়কম থোক্কে নগুনা হেন্না থংজিবনি মথোই তানক্ক। কৃষ্ণা ধর্ম্মরাজগী য়াথং লৈতবদি নাইশিংদি থবক পাংথোকপা ঙমদে, অহুনা মনাইনা ধর্ম্মগী মতম্দা হঙংলিবনি। ঐবু মনাইনি হায়বা শনবিদরবরা হায়হুনা কপ্পকই। ধর্ম্মনা হায়রকই প্রিয়ে কৌতিক মতমসে থেম্না ভাংবু মাকোনা তাপন্ন খোংনা থাংবু নিংনা উরুপহু অসি থগুনা ভীমগা তাম্নজক্লরো মীনা থগুথি উগিবা য়াংজরবদি চিংথিনি চংলো য়াথং পিরে। ধর্ম্মগী য়াথং ক্রেয়া তাথংবদ অমুক হঙংপা য়াদরবনিবা ধর্ম্মবু খুরুমজরগা ভীমগী মফমদা লাকচরে। ভীমনা কৃষ্ণা দাদা মহারাজনা য়াথং করি তাকপিরক্লে? দ্রৌপদীনা হায়রৈ, ধর্ম্মগী য়াথংসি কিচক হাংজু হায়লন্নু তাকপিরক্লে। চিম ভাংবু মাকোনা তাপন্নু খোংনা থাংবু উপন্নু মিংনা হায়বা মতমদি চংলো ভীমগা তানক্ক হায়বিরকই। ঐদি ভাব তাপনা লাকচরবনি তনই। ভীমনা কৃষ্ণা মরুদি শিংনরা হায়ববু য়াম্না পংজিনা। ধর্ম্মনা তাকপিরকইবদু মীবু উহন্দ তাহন্দনা কিচক হাংজু তাকপিরক্লবনি। অদুবু প্রিয়ে কিচকসি নগুগী নপাম্না হাংকদবনি ঐনা ভাক্তি হাংপা শুমলখোই হায়রকই। কৃষ্ণানা করি বানো ইবুংগা ননাই থুপানবু করি শুমগদগে। ভীমনা প্রিয়ে অভুলী মরমদি (মাকর সারবগত্তে) মীরাংনা শাম্নু ফায় হায়বা প্রমাণ লৈবনি। হয়েংসি কিচক উনরগা মুপীগী মিংয়েং নগুনা বাহায়গী লাংনা শুক্লংতুনা গন্ধর্ব্ব বনা ঐবু হন্না য়েংবিদরে মহাক্লা

হায়বা য়াক্তরগে। অদুবু ভয়াংনা য়াক্তরগ্নবদি লেপ্পগদবনি। হৌজিকমক য়োবদি মীনম্ম হুপীনা ভঙ্খী হ য়মরনি। হোয়েন সন্ধ্যাগী মতমদা নৃত্যশালা অগোইশং মাগুবতা লৈজবম্মগে। অদুদা শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা লৈ পরে, অমতা চুক্লগা গন্ধর্ব বিবাহ তৌরদুনা অহিংতদা য়ুথ য়োক্তগে। অদু এইরবদি অহিংদা কিচক্কু গন্ধর্ব মঙবু উমদুন অঁহ দা নিরিক্রিবু মুন্দুনা পুথরে হায়দুনা হান্নদগী মিংবং গুণ কঞ্জরম্মু কেক্তংকনি হায়দুনা লেপ্প রকই থদুগ। ঐখোন্দা কৈম্রিং অমা থঙহল্লমগুই। অহিংদা মী থঙহন্দনা অমদি তাহন উহনদং; ঐনা বিচক হাংলগে হায়রকই। দ্রৌপদীনা পর-পরুষকা মায়োক্লদুনা বাবি শানবদি সতী ধর্মদা অকায়বনি হায়রে। ভীমনা মমোন্দা শোক, মপুরোইবগী য়াথং ভাকপদি দোষ লৈতে হায়না মুনি ঋষিশিংনা শাস্ত্রদা লেপতনা হংখরবনি। লেপথরিবা অদুগী মদুংদ মতুবু হ পথরবনি। অদু ঐ হ য়গে (অহিল্যা, দ্রৌপদী, কুন্তী, তারা, মন্দদরী) নঙুম্মু হাপথিংনা সতী অথোইবি মাগসি লেপতনা থংখরবনি। মপুরোইবগী য়াথং ভাকপনা হুপীগী ধর্মনি। নঙগী নপানলা ঐনা কিচক হাংকেদবনি হায়রকই। ভীমগী য়াথংু পঞ্চালিনীনা য়াক্তরে।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়। রাজা জন্মেজয়, কৃষ্ণ সতী ভীমবু খুৎমকুমগা ঐ খোইদনা শিঙ্গত্রুগে হায়রম্মগা বল্লরুদুনা চাবা থকপা লোইদুনা শয়্যাদা থোইম্মরে। তোপ্তনা প্রাতঃ ক্রিয়া স্নান লোইরগা কম্বা সারি শেমগৎলুরং তিক খুঁদি নাইন চিরিক সেতংলগা মতাংদা কৃষ্ণা পাইরদুনা মুখিং থোক্লকপদা অথাবু খুৎমকুরগা লৈ কেক্তদবগী মতংদা মপালগী লৈকে দা থোংরকদুনা বলগী পম্বান্দা হিংথো মন্দুনা কিচকনা উইদুনা লেরি। কিচকম্মু কৃষ্ণাগী পোকলিবা খোংথোকতু হেনমনখিবত্ থল্লুবদা মুংঙ ইত্রদুনা সৈরিন্ধ্রী হায়রুগে হায়কই। কিচক কৃষ্ণানা লৈরবু উবদা তাঙ্গাঃ চারে য়ানবা কায়বরুগে হন্দুনা দ্রৌপদীগী লাক্না চংলে। মবেম্মা উস ঐ ইবেম্মাবু উরগে লাকপনি। তঙ্গানা কম লৈকবা লেকোম উনজবনি ঐগীদি মঙল ঙইরে। ঙরাংগী রাকাদু ঐ অমুক্ত শেংদোকচগে নহাক ঐবু রাবোইশংনঙোন্দা হায়জবগী য়াবিদনা ঐদি গন্ধর্বগী সেবা তৌদুনা সতী ধর্ম ভাক্লিবিনি, রাজা অদু তাবা য়াদে হায়রম্মগা চেনবদুনা ঐনা তাম্নরকপদু পাম্মোম পায়দুন হায়কলহুগা রাজসভাগোদা চেনশিনরদুনা ইকাইবা শাংবগা তৌদুনা শম পায়দুনা পদাঘাট তৌখিবগী মৌনহ ভাক্নুনা ঐনা হায়জবা অাস য়াখিবু। অদু য়াবিরবদি রাণীগা মায়না সেবা তৌহল্লদুনা থমগে, কিচককি বা তারগা দ্রৌপদীনা মীগী পুক্কিং হুবা মিংথেং য়েংঙগা কোকিলগী পঞ্চম স্বরবু হমজবা খোলখোক্লা কৃষ্ণানা খুম্মকই। বরসেনাপতিবু কিরমাল্লে, গন্ধর্ব মঙানা ঐবু হম্মা থেংনিংবস্ত্রে মথোইগী ধর্ম ভাকচবদগী ঙরাং থোকখিবনি। হৌজিক্তি গুণ থংজরে কৃষ্ণাগী মিথেং পাওথুম বাহায়দুনা কিচককি থম্মোই শুমহৎতুনা হে স্ববদনি! হৌজিক ঐগী য়ুম য়োরসি হায়রকই। কৃষ্ণানা খুম্মকই, ইবুংঙো ঙরাংদা রাথোক ঙইথগা হৌজিক য়োবা তারবদি ঐবু তৌবা ওমমলি শোকথরনি। হোয়েন সন্ধ্যাগী মতমদা নৃত্যশালাদা

লৈজরমগে। মৈ পরেং অমতং তৌরগা গন্ধর্ব বিবাহ লাংঙগা য়ুম য়োক্লগে। ধর্মস্তু তাকপা অদু ওইরবদি সেনাপতিনা গন্ধর্বশু জয় তৌরগা পুখরে হায়রবদি ঐবুস্তু নোক্সুর রাই সেনাপতিগী মিংচৎস্তু হায়দগী দ্বিগুণ হেল্লগনি। ঐদি মোইদনা লৈজরমগে ইবুংঙো সে ইদমা লাকনি হায়বা সত্য তৌবিরম্মু হায়রক্কই। কিচক কালনাগ্রাস তৌহনা কৃষ্ণাগী মায়া লাংনা ফজিনখিবনা স্বর্গ ফংবগুম নুংঙাইহনবা সত্য রবি চন্দ্রনা শাক্ষি, মোইদনা লাকে, মোইরবদি ঙমিং থানা লৈরিমথৈ মরক ভূগ কংগে রাশক্রমলগা ময়ুমদা চৎখি। দ্রৌপদীস্তু মৈ হেক্রগা পুজারি লোইশংলোমদা লাক্লগা ভীনবু খুরুমজনা অজ্ঞা ঙাস রাণীগীরোমদা মীশিং খরা হেল্লি লুক খরা হেন্না চৌবিয়ু হায়জনা ইঙ্গিৎ তৌরম্লগা ময়ুমদা চৎখি। ভীমনা পুজারি মমামদা ঙসিদি শরা য়াম্না থোংউ হায়রকই। ভীমনা নিংথৌগী বঙ্ক ব্যবস্থাগী হৌরগা পঞ্চাশ ব্যঞ্জনগা লাইগী লুক কংলগা পুজারিশিংবু সিন্দোকতুনা খরবু লেপকনা থোংহল্লি। কঙ্কগী থিলহল্লে, রাণীগীরোমদা খরা হেন্না থিলহল্লে। থোংজিবা পুজারিশিংদা ঐ কোন্নুংলোমগী থিনুথিবগে ঐ কয়ার্থিক্কা থোংজ নিল্লগ ভীম নিংথৌগী-রোমদা খরগা থিল্লকই। পুজারি শরনা রাণীগী কোন্নুং শঙ্খইরোমদা থিল্লে। মিংথৌ লুকতু চাদে ভীমনা অরাংবা শাংদুনা বিরাট পুরখ ওইরে। পুজারি অনিমা কঙ্কগী থিল্লে। বিরাট অচৌবা তৌরগা মুংশুঙ্গোন লোইরগা অজ্ঞানা তোংজকতুনা এগী লুক য়োঁবরকপসি কিজে পুজারি হাউই হে কবিরুবি কারম শুরুমই। ভীমনা মহারাজগী ওইনগনবা রাকম অমা মৈ অদু হায়জগে লোইশংদা ... ওইবনা তুপা পেনদুরে। ঙসিসি থা অমগী শরুক ওইনা তুম্বগে। ঙমিং তাবগী মী ... শরুক লৈরুক ... চৎথোক চৎশিন কৌহনগদু। মীনিল তাবদি ... তুপা থাদে। ... পাঙ্গল ... কৌরম্বগু। ঙসিদি সভা ফজন্নু ...। ঙমিদংগী নুংবদু ... হৌরগা কংরে। মহারাজগীস্ত ঐনা নিজামনি রাজসভা তমথা কুম্বিরকউ চাংরম্বগা ...। রাণীগী থিজবশিংনা মীশিং কয়া লেনবগে পুজরংখোরা হায়জবদা রাণীনা মী থোইনা লেন্দ হায়রকতুনা হল্লকলে। পুজারিনা চাক থিবদা রাণীহৌশং কা অমা খল্লে পুজারিশংনা কজ্ঞাহজবগী য়াথংগী থোংজুরিবা চাকয়ামসি কমদৌনি? চাকয়ামবু মাংহল্লবদি ভাণ্ডারিংদা নিংথৌদা হজংলুরবদি পুজারি দোষ তানিনো হায়রকই। ভীমনা হায়রক ঐনা থোংহৌ হায়হনা থোংজুবাংনা মরাম মিরা তাদবা ঐনা লোইশরবা ময়ামগী চাক্লুক থারগা ওকনবা হাপনো লৈহৌরমথৈ ঐগী পুল্লগা সেংঙো! ঐথোই পুংফাবিনরসি। ভীমগী য়াথংদগী চাকলুক থারগা লোইনা হেল্লে। চাকয়াম্না পুল্লপ সেংগ্রা। ময়াম ফজরগা মহাপ্রসাদ লাওহুনা কংলে। ভীমনা চাকলুক্কি মতোংদা কোংকুং অমা শেম্লগা ইস্তুং মথেল নয়ান পুল্লপ হৈজিল্লগা থুংবনা চাকনা চথোম সেম্লগা ইস্তুংহুদ নুপ্পী। মুখদা ভক চল্লগা শাইদনা জুৎ২ যোংলি। লোইশংগী মীয়াম চাবা লেপনহনা য়েংলে। ভীমগী মতৌ য়েংবনা ছুথাং কাংল্লে। ভীমদি চাবা লোই-শিন্নুবা অচৌবা তৌরে। ময়াম লোইরবদা হৌগংনবসি হায়রকই। ময়াম্না অজ্ঞাগী প্রসাদ

মকাংদু উবদা ননাই ঐখোইদি চাবা লেপ্তুনা হুমাং কাংদুনা লৈনরে। অজ্ঞানা মখেল মরাম পুন্সিল্লগা হাবিরিবদু রস কমদোবিগনো? ভীমনা গর্জনা পুল্লুগদবনি কায়বগী পুল্লপ তিনশিল্লগা থাজিনখিবনি মহাওধি অন্নবা খংই হায়রকই। ময়াম্না শক্তোদি লাইগুম্মনি লেংখংপিরম্মো ননাই ঐখোই ফাজরকনিংগে হায়রক্তে। ভীমনা খোইস্থ থুনা লেইশিল্লকই, ভীম হৌগংখিদুনা মুখ শঙ্কোন হৌরগা আসন্দা ফমে। ময়ামস্থ থুনা লেইশিল্লদুনা আসন্দা ফমরে সবারীনা মাঙুব লেংখরে, ভণ্ডারীশিংনা চন্দন লৈ, হৈ পানা সেবা তৌরে যংরে। ভীমনা কক পোশাকরুয়ো ভসিদি নুংখিল তংখাইদগী শুক হৌরগা থালম তিদা লোইশিনগনি কয় রম্মগা শয্যাদা চংদুনা পোশাখরে ময়ামস্থ পোশারে। ভমগী হায়রম্ব রাজমহ বিরাটনা য়াখং পিদুনা মনাইশিংনা পাওজেল তৌদুনা প্রজা মীয়ামদা খংহনখি। কিচকস্থ ভস্তানা চাবা ওকপা লোইরগা মাঙ্গোল্দা আসন্দা ফমে। প্রিয়াশিংনা মানদা অমনা শকচেং মিশেল থোগল্লি, অনিবা কাংহায় চামর থোগল্লি, মরিনা চন্দন, হৈ, লৈ, পানা থোগল্লি।

কিচককি মুপী ১১ নি ইখেম্মা নখোই ওমা ফৈজো। লাঙবা চাংগতোবা ফুরিং পুংয়াং মঙা ভরু ২ পুখোরকউ লিক থুজি ভাল নোপুব নাইন মেখলা পুখোরকউ। ঐ নখোইদা বা অমস্থ হায়গে মুপী ১১দু কায়রিবমখে লোইবা পুখোরক্লা কবিনো ভাওশিংমো হায়জরকই কিচকনা ভসিদি মুপী অমা লুহোংগলা ভস অহিং পুরক্লগনি। নখোয়না মাগী মখোং হায়দুনা সেবা তৌগদবনি। মুপীদু মহারাণীগা মাননা নখোয়স্থ ঐস্থ মাক্ষী মখা পোয়া লৈগদবনি। যানিখেনা লৈয়ু, যানিংদবনা নপাহদা চংগো হায়রকই। মুপীশিংনা পুক্কিগী মপুংয়োইবগী য়াংং ভাকচবনা ঐখোইগী ধর্ম্মনি ভাকপিবদু ইজপন হায়জরকই। কিচক কোয়েং মঙা ভরুকচু লোইনা য়েংলগা থমই। আভরণ লৈতেংব লোইরগা নখোই কয়ুপনা ফজবগে য়েংঙু, ফজবদু হাপকে হায়দুনা মথং মথা হাপতুনা য়েংহল্লি। মুপীশিংনা মঙোইদুনা ইঙ্গিং লৌনম্নুনা শলাই পৈবা মওং খিবা অমদা মাহুনা পকচরে হায়জিল্দুবা কিচক কোইয়েংতু হাপজগা নখোই লোইনা ইমুং চংলো ঐ যাত্রাগী পুংকম য়েংগে। নখোই লৈরবদি মঙল শুকরোই হায়রকই। মুপীশিং ইমুংদা চংলগা থোংগী ছিত্রহ কাংভক থমগা য়েংভি। কিচক আভরণ লৈতেংবা লোইরগা মাঙ্গোলদগী থোক্লগা মুনিং য়েংখি। মুংখিলগী ভখাই মুমিং ভাগদবা মুথক অমগী মতম রাংলি কিচক হজিন্দুনা অমুক ফম্মী। পূজারী লোইশঙলোমদবা ভীমনা পূজারী ভাণ্ডারী মহোম লেখারী হৌজিক মিংথোগী য়াখং পাওজেল লাওখোকখিবা মতুং ইমা, মঙৌ ২ নখো থুনা তৌমো মিংথোগী রাণীগী কক্ষ ঠাকুরগী খিমবা লুক কংনবস্থ ঐ খোংগে। লোইশঙনীদা মঙনা ঐগী শরুক য়াওবা য়ামা খোংঙু, হায়দুনা পূজারী ব্রাহ্মণশিং ভীমস্থ থোংদুনা লোইরগা থালআতি সন্ধ্যাতি ভুজন আতি শয়ন আতি বংলগা লাই চেপশিনবা সেবা লোইশিন্দুগা লুক্ত রাণীগী কক্ষ ব্যবস্থাকারিগী থিলহনখরে। মিংথোগীনা ভীমনা অবাং অপা হাপ্নবা থেনগংলগা

লেপ্পহল্লি, মুমিদাংগীনি খঙবা থাওমৈগা লোইননা। ঐ হন্নক্রিকাও খোংচমখো থাম্বনগা পুজারি থরুগা লিংখোগীদা য়োমকই। বিরাট দরবার সভাদগী কুপ্পকন্নি, ভুজন স্থান্দা খঙ্গগা ভীমমা মনাই অমদা ঐ ভাইহৌরি থুনা য়োয়ক্লে কৌরু থাখি। দরবার য়োরকপ্না নিংথৌ থুকপনা মহারাজা অজ্ঞা পুজারি হঙগা মুমিদাংগী লুকংপা লোইহনা লুক য়োরকহৌরে। কৌরু থাবহনা ঐবু থাবিরক্লে হঙংলি, ব্যবস্থা পণ্ডিতশীদি মুমিৎতাবরদি লুক ফংদে অহনা ঙসিদি ফংবিবা য়ামবা লুক য়োম্‌বনি ফংবিয়ু হায়রকই। কঙ্কনা মহারাজা য়েংঙো বল্লভ পুজারিসি গুণ অমা লৈকল্লি মানা নায়বদ হাহৌরবনি লৈপ কি লোবা ওইরক্তনি হায়হনা নিংথৌ কঙ্ক সভা লোইনা হনরক্লে। বিরাট রাজবেষ হোংবে ভুজন স্থান্দা চংগা ভীম থুরুম্বগা অ.সন্দা ফম্লে। আচমন তৌহনা ফংবে ভীমনা অরাংপা সেবা পুরণ ওইহনা, আচমন মুখশুদ্ধোন তৌরগা প্রেম বিদায় তৌনরগা ভীম লেপ্পহনা পুজারিশিংবু সেনহেংগা মমম চাবা লেইবহনা মাগী ২ কমুংদা পোথাকথকে। ভীম খম্মোইদা শ্রীকৃষ্ণবু স্মরণ তৌই. ঙসি অহিংসি বিরাট লৈপাক্কি মীয়ামবু তুমহনবিয়ু মনাই কিচকপু ফাংচগে. কপ্প্রুনা হায়জরকই। অন্তর্য্যামি দাবীকা নাম্বা মনাই নিত্রা দেবীবু কৌই। নিত্রান কৃষ্ণবু খুরুমজগা, থরিবো ভাকপিরো হঙংচে। কৃষ্ণনা নিত্রা বিরাট দেশগী মীয়াম শুমহনবিরো। নিত্রানা কৃষ্ণগী য়াথংদগী বিরাটকি মীয়াম শুমখরে। কৃষ্ণনা মনাই ভীমদা অগ্রগন্ধ কুপা পিখি। ভীম শ্রীকৃষ্ণগী কুপা লৈরে থংহনা হৌগংলগা লোইশনদা হিপশ্রীবা পুজারি ভণ্ডারি সেবারি মুহোন লোইনা তুমগী খর ফংহনম ভীম মমুংদা মল্লবেষ লেপ্লে। মপান্দা সৈরিন্ধ্রীগী ইনফি ইন্নগা নৃত্যশালা ভগোইশঙ মাগুবতা চংগা খোং পৌরোম থাজিল্লগা মাগুবকি চিঙ্গে পাংবা চিথেক্তা অর্জ্জুনগী পোপাকম লৈয্যাহনা হিপ্নগা ইনফিনা শুপ্পুনা কিক্কক খুম্বগা লোংনা হিপ্পুনা লৈখি।

মুমিনা হায় মহরাজ কিচকি রাকম অমুক হায়রক্রগে মাঙোন্দা কমহনা মুমিং ভাকা ভাইহনা লৈবহ অমুক হোৎংনি শুম; অমুক কুমথৈ. মুমিংপু য়েংই ভাগমথা রাংলি হন্তিল্লি কমইগা চংলিংবগী য়াথমা কুইরখাল্লে নিংহনা থোক্কুনা য়েংবদা লেংদনা লৈবগুম উথে। কিচকনা হে মুমিং ঙরাংদি মুংঙৈদা ভারে ঙসিদি লেংদনা লৈহনা ভাত্রিবা করিগীনো হরহনা, মুমিংপু মল্লিং থানা য়েংই। নরায়ণগী শক্তি ওইবা সূর্য্যনা মহাপাপ্পি নংনা সতীদা দোষ লংক্কবনা পন অমকাও লেপ্পুনা। জ্যোতিষ চক্রনা লৈহনা লাইরৈপাক মীরৈপাক ইন্ডান ভ হল্লিবা ঐবু পাপকি রাথম্বা ভাওহনা লেংদনা লৈরে নাযনা নিন্দা তৌবদি নত্তী অমোইবা ওইহন্নগে খন্দুনা কিচকি পুক্তি লোইনা চিংথোকখরে কিচক মুমিং ভারবদা হৌগংতুনা থে কুলদা কুঞ্জ য়েপখংহৌদবনা খোংফিনা লৌহনা অারি মচিন্দা খুরু খুদক কুপ্লি কোয়েং ভাই, খুন্দুনা হাপ্পগা কুঞ্জা য়েপখংতুনা চংখি। নৃত্যশালা য়োথি। কিচকচি মুপীশিংহু খোংগী ছিত্রদা য়েবেনি। যাত্রাগী অভয়দ কুঞ্জা মভোঙবা খোংথীবা লৌহনা তুবা কোয়েং ভাবহ অমুক হায়গা রাথম্বা ভাওহনা চংখিবহনা মপুরোইবশী

অমতম ওইবগুদা বানদুনা লৈরোই। কিচকতু থোং পায়বদা পৌরোম থাবিবগুদা সৈরিন্ধ্রী লৈরে থদুনা ইবেম্মা থোং হাংতো হায়রকই। ভীমনা কৃষ্ণবু স্মরণ তৌই। কৃষ্ণাগী স্বর মাল্ল-হনবিয়ু হায়জরগ, ঐদি শুরাংগী চৈনাহুনা ইশুম থিংতুনা চৌগংগা ওগদে থোং কাংথেক্লগা চঙবিরক্লে হায়রকই। কিচক মেংকি পাদনা থেংপোক্তা কাওবদা থেংথোংবু কুক্লগা পাইশিন-থিহুনা মোংচুপকি কক্লাংদা দড় লৈশিন্দুনা তাই। ভীমনা কিচকসি মপাঙ্গল লৈ থঙবি। কিচক চংঙকতুনা ভীমগী মেহেদা নাল্লি। খুংগুম কল্লবা মেহেদু ভাবনা শাংগরবমিনা থোং-লৌনা থঙ-থিহুনা কিচকনা ইবেম্মা নঙগী লৈঙুম লৌরবা মেকে অসিদা ঐনা কাওবগুদি নঙনা সঙ্গাদা চেনশিনবগুদা ইকাই খুংগি লোয়নবা ঐগী ইত্তিক ইগুণ থঙহনগে তৌবনি। বিরাট নিংথৌদি ঐগী পাঙ্গলদগী রাজ্যভোগ চংবি অদুন বিচার তৌদ্রিবনি। গন্ধর্ব্ব কয়ামত্তু ঐঙোন্দা করিস্থ তৌজবা ঙম্মোই। লৈপাকপ্লিগী স্থগী নিপা পুম্মক ঐনা থুঙ চংল্লি। নঙগী ঐগী সথমিনি ওইবদি বিধাতানা মহাকপু তৌরকপা মপোক্তি মহৈনা কাংহনবনি। লাইবক লৈ থল। অদুগা ঐনা পদাঘাট তৌখিবগী ইরানগীদি ইয়াদা নাপী চিকতুনা কাংজবি মহাক্কবু চানবিরবনি নঙগী য়াথং মতুংইমা সামম থুদিং দায় লোজগে। ভীমনা হায়রকই চুক্তা ঐগী লাইবক মথম্না মহাকপু কংজরে। হায়দি নহাকি গুণ থঙজদবনা গন্ধর্ব্বগী গুণদা য়াজকদবনি। গন্ধর্ব্বনস্থু মহাকপু কিহুনা লাকপিদরে অদুনা য়াজরবনি। অদুবু ত্রক্লগা মামবা নহাক্কি থোক্লাওদুনা রাজ সভা মমাংদা মেংলবা হকচাংসিদা কাওখিবগী কৌজিক ইশুম থিংলে। হেনমল্লি হাংবগী কোং-গংতুনা মেবা ওঙ্মোইদোরে কমদৌনি। কিচক কম্বা রাথমা ঙাওদুনা ইবেম্মা ঐনা কাওখিবগা পুক্লিং মুংঙাইতবগু কোক্লবা মথোই হাপ্লগা ঐগী লাইবক্তা অঙ্গমক কাওরো থংগা থম্মোই পেম্মা ঐঙোন্দা বোরিয়ু হায়রগা ফমাংদা থুকউ থুদক কুপ্লগা লাইবক ওনশিন্দুনা লৈরে। ভীম সঙ্গীগী লমগ শিংবিগে থন্দুনা থম্মোইদা লোক্লগা ইমকিদি হাইদোক্তনা থবাক্তা অঙ্গমদক কাওই। ভীমগী থোক্লাওদি চিংদোম নিংথাইরিবনি। বক চিরম্বা কির্শ্মির জটাস্থর হাংলিবনি। কিচকনা কনবমি লেংদনা থাংথি। ভীম ইনকি লৌথেক্লগা চোংথোকতুনা পৃথিদ চপ লেপ্প। হায় মূর্খ সৈরিন্ধ্রিবু প মক্ষবদগী গন্ধর্ব্ববু উশিংত্রবদি মথৈরাই লোগে হোগংলু কায়রকই। কিচক অদুদত্তা ভাব তাবকই। হায় গন্ধর্ব্ব ঐদি সৈরিন্ধ্রি ওইরবোই নিংঙুই। লথোই মঙানি হায়। ৪ছুম্ন কো, ওমক পুলপ হাংলগা সৈরিন্ধ্রী ঐগী ওইবগে হায়রকই। ভীমনা হায় মীওইবা মংকস্থ মাপন-তৌজবা শারি অদু ওইরবদি নংনা অপাম্বা থঙ্গো লাক্লোং হায়য়ু অহদা পারগা মথরাই লৌবিগে। কিচক্লা হায়, হে গন্ধর্ব্ব নংনা অপাম্বা থঙ্গো ঐ পাবিগে!

নাগী মাপন্দু উরদা ভীমনা হায়, ঐনা ফম্বা নংনা কাওবা নংনা অমুক কনা ঐনা অমুক কাওবা অমুক ২ কুনবা লাক্লোং কৌই। অসিদা লোইশিঙ্গসি, অদুদি নং হায়। কাওজো য়াম্না কয়ে ছুমিন ২ লোইশিন্নবসি হায়রকই। ভীমনা মোংচুপকি ফকলাং মমাদা কম্মুয়ো ঐ লিমগী

চেমসিল্লগা কাওগে। কিচক ফক্লাং ময়াদা খুকউ খুদক কুম্নুনা লৈরে। ভীমনা চেনশিন্নুনা থবাক্তা কাওবদা কিচক লেংদনা খাংখি। ভীমদি নিংথেংনদনা তায়। ফুক হৌপংলি। কিচকনা মঙ্ কপ্পো ঐ অমুক কাওরগে হায়রদা ভীমনা মরবেটা হায়রবদি মথৱায় লৌগে হৌবমি মী মঙ্গবু ঐঙোন্দা কাওহনবা হৌনবরা হংকে খংজো হায়রগা মাগুবকি যুস্থিরেন ফুক্রে। কিচকনা সত্য লৈতবা সৈরিন্ধ্রি অমবু নখোই মঙাগী সেবা পুম্ন পুহনবদি ইকাংখংদবা গন্ধর্ব্ব খঙগনি মঙ্ কায়রদা যুস্থি অমদা কুক্লগা ভীম কিচক গদাবাক্তা ফুনৈ। ভেকতুনা অমুক ফুকই। মথং ২ ঐরেংবদা মাগুবকি মরোম বুস্থি ১২ লৈত্রে মাগুব পায়থরকই। ভীম কিচকনা নাকপাক ২ মকতুনা থাদরগা থাঙেন স্থকতু যুস্থি ফুনবদা লোইরুনা চোংসিন্নরগা খোংপাক খুতুম কিন খুপাক্তা কাওন-খিন্ন থামরম্মদগী পাংখোম ফংনবুনা ইরে। হংসদেশ নিকই। ফি তাপ ২ পায়-হুনা চেংশিন্নহুনা কোক্তা ২ থবাক্তা ২ খুকউগা ২ দং দং থেংডিন্নবদা প্রলয়গী মৈ হৌবগুমই। খু দাংনা চিংথেটৈন উরু ২ লৈনৈ। দং দং থাদনৈ, কিং ২ নমনৈ থরো ২ ওনৈ। ভীমনা মথক অমুক কিচকনা অমুক থরো ২ ওন্নবদা মাগুবকি মচাক লোয়না তুমহনা উকুল ক্রং ক্রং হৌই অংগী ককচাংনা ঈ ক্রি ২ কানরে প্রলয়গী মশো ওইরে। * ভীমনা খুতুপ ২৪ যাংই। শামু তরাগী পাঙ্গল কল্লি। * কিচকনা শামু কুনগী পাঙ্গাল্লি খুতুপ ২৬ যাংই। অদুবু সভীদা কাওরুবগী দেংযকা ভীমনা মরিরক কাওখিবদুদা পাঙ্গল তেঙ্গাই হৎখিবনা ভীমগা লান্থা মাররনি অমসুং মুমিংনা কিচাক্ত পুকি লৌখোকখিবকাও যুক ত পাংবদা লাকচবা ভমনবদা কৃষ্ণাগী খরুবদা পিক্তা যুংশিংদু স্মরণ ভৌই। বাউদেবনা উনপঞ্চাসকি শক্তি হাপখি।

ভীমনা কাওবদা কিচক লোংনা তাই। মবুঙ্তা ফম্বগা কৃষ্ণাবু সেবা তৌ হায়রবা নচিন শিন্নি হায়রনা ভ্রজগা মামরা সাক্ খুংতুহনা থাবদা ময়া ৩০ তেকলে। নমিংসিনা সৈরিন্ধ্রিবু য়েংবনি কায়রুনা কিন্না থক ২ থিনবদা মিং অঁন কাইরে। পাস্থি নঙ যমনা হংবদা গন্ধর্ব্বগী মখুক্তা সিরকপনি খুমউরংদি ওইদবা হায়বগী নরক ত রনি। নঙনা সৈরিন্ধ্রিনি নিংইবহ দ্রৌপদীনি ঐসি গন্ধর্ব নত্তে ভীমনি। ঐনা থংজদহুনা সভীদা লংজক্কতুনা ভীমগী মখুক্তা শিরকপনি খুমউ। অত্তু লৈইরবদি স্বর্গ কংগনি ভাক্লগা অগুকোষদা কাওবদা কিচক শিরে। মকোকতু কাওসিনবদা মবুক্তা চংথরে। পাংখোম ২ লৈথংলগা সদোন ২দা য়ৈশিল্লগা খুবাক অনি অহ হেন্দোকহল্লি। মখোং অনি কৈগন মকদা লৈথংলগা মবুকি চমিংলোমদগী য়ৈশিল্লগা খোং অনি হেন্দোকতুনা

মূল। রৌপ্যবর্ণ নিনিতদেহ হিমাকজ শিতলসমম্ চতুর্বিংস হস্তপরিমিতা। দশকরিনাবলম্ মরমর শালব্য বুদ্ধি ভবেৎ বৃকোদর ইতি স্মৃতিঃ।

মূল। — শুক্লবর্ণ পরিপূর্ণ দেহং সমস্ত উন্মত্ত গজেন্দ্রলিলং সবিস্ত হস্তপরিমিতঃ গদাগ্রহস্থং কিচক তদা বিমুখহস্থ সর্ব্বোদিণী ইতি স্মৃতস্তব্যাস বাকাম্।

থমই। কুষ্মাণ্ড তোরবোং মাল্লি। খোংপোক ২ খুবাক ২ থক থা কেন্দোকতুনা কচ্ছপ খেঙ্গুম্ব শালি। উকুল ময়ামকনা লৈবুংশামা পৈরগা থাঙ্গতুনা গন্ধর্ব্বগী মীহাংবনি খণ্ডনবা থনম্বগা কুশা কৌবা স্নান তৌরগা ভীম শয্যাদা তুমহুনা লৈখি। মহাভারতকি বারিসি তাকবদা শ্রীগুইবনা পাপ কোক্লগা হরিধাম কংই হায়রসি শ্রীব্যাস বাকানি। মতাংসিদা কিচকবধ লোইরে॥ হরি হরি॥

অধ্যায়

কিচক হকচাং যজ্ঞ গৌবদা সত্রাগী দোমনা
মনাও ৯৯ শিবা ভীমনা মৈদ দান তৌগা বারি মতাং।

বৈশম্পায়ননা হায়রকই রাজা জন্মেজয়! নৃত্যশালা মাগুব রাই শংগ লাকপা নিপা অচু ওই-রম্মিবা মওংহ উবদা পাখংতুনা খুদঙ্কা কোম্লুংলোযদা চেঙ্কই। বিরাট নিংথৌ খুরুম্বগা হঙ্গংলি মহারাজা অগোই মাগুব অন্তর্ধ্যান ওইরে। নিংথৌবা কদাইদা কদি তৌরম্মগে চুমা হায়ম্ব? সেবাদাসনা হায়রি উফুল ময়াম পৈরগা মথক্তা তুমহনা তোরবোং মাংবা অচৌবা ঈগা উকুংবা লৈতেংবা ভুং প্রাণ অমদি উকুল লৈনুং মতোন্দা লৈহোই উবদা কিংনা চেঙ্গরকপনি ননাই ভাব তানদ থংজদরে হঙ্গংলি। বিরাটনা মনাইশিংদা য়েংচু থাখরে। নিংথৌ রু জবেম শংলগা দরবার সভাদা থোকতুনা রাজাসন্দা ফমে। মনাইশিংগা পাকজেল পুং হুমহুনা মীয়াম সভা তিল্লে থাখিবা মনাইশিংনা মহারাজা লাম্বা কয়া পানবগী থবথ লেরে। অশিব দেহে মকোক মথোং মথুং উদ্রহুনা মশক্তি থণ্ডবা ওমদরে হঙ্গংলি। মাগুবম্ব উফুল তাহুনা লৈরে। কঙ্কনা রাহু তাবদা মহারাজা বাকমহ গন্ধর্ব্বগী মীহাংবনি হায়রকই। কঙ্কগী রাহু তাবদা নিংথৌ কিচক্কিদা মনাই থারে। সেনাপতি লৈরমত্রবদি ইচনশিং ইসেনশিং লোইনা লাও হায়মু। মনাইশিংনা কিচককি য়ুম য়োমা চেনখি। সেনাপতি হংবদা ওরা সৈরিন্ধ্রী মুহেংচুনি চংখিবগী ওসি অহিং হন্নকতরে। অহদু নখোই লোইনা সভা য়োরসি নিংথৌগী য়াথংনি হায়বদা মুশো থিদমুনা মনাও ৯৯ কিচক্কিগুপী ১১ রাজসভা তায়া চেন্নরকই। রাজসভা য়োরক্লগা কিচকি রাকম নিংথৌদা তম্মী। বিরাটনা নখোই চংলো সবদেহম্ব ইসেনগী খুদম থংনবা মুমা য়েংচু থাখরে। মমারা য়েংবা কিচককি লৈতেংখিবা খুজি তাল-নাইন মেথলা উকুল মরক্তা তন্তুনা তেকলগা তারম্বা কংবদা ইবেম্বশিং মথুংতোলি থংগহনা তেংথানৈ। কপনরে মূর্ছা ওইদরে চেন্নরকই, সেনাপতি লোইরে লৈতেংখিবা খুজি নাইম তংতুনা তারমহ উংলে। বিরাট লোইত্রে থংগবদা হে কিচক

মহাক মৈত্রবদি ঐ কদি ওইরসিগে তেংবাদুনা কপলে। ব্যবস্থাকারি কন্না মহারাজা লিংথোকপা তেংবাদুনা কপ্রবদি মৈপাকসি অরাবা তারবনি থৌনদে, থাবদুনা সংস্কার তৌহল্লরো। কঙ্কগী মাথং তাবনা বিরাটনা কিচকি দেহে যজ্ঞ তৌকরো মাথং শিরে। কিচকি মনাওশিংনা পুং ঊশে যজ্ঞ সেনাপতিগী সম্পত্তিগা লোইননা কিচকি দেহেদু চক্ষুরজনলদা চাপ্লগা কৃষ্ণানদীদা পুরকই। স্নান তৌবগা আভরন্দু লৌজেই। আগরগী মচিতনা চিতাগী শিং লেনই। কিচকি হকচাং চিতা মথক্তা থাক্লকপগা শিঙ শিবদুনা মৈ থোকই। কুলাচায্যনা মন্তমদু মৈ পূজা তৌরিবৈদা পঞ্চাসনিদি কল্লক পেরি বদগী কপনরিবদু চেকপল মথক্তা বেংদনা মৈবদু কিচাক মনাও থমনা উবদগা মৈরিক্ত শি যেংদুনা লৈরে মনিগী হাকচাংগী ঈয়াংগা সিবনি। পন্নোক্তা ইয়ানা পেনাথিনবা কৃষ্ণাং চন্দ্রগা মৈদা থারসিনা হায়রকই। মহা থরনা হায়রকপদু শিদু মৈবনা মনাওশিংদু যামা মরে কাকুরো হায়রকই। মথোই ৫ চেনখিদুনা দ্রৌপদীবু কাবগা মখোং মখুৎ পুল্লপ পুরে। দ্রৌপদীনা কাবগীবো থাদোকউ হায়দুনা অং ২ চোংবদা পুন্নিবশিংদুনা ইয়ানা শিবা মকাকথক্তগী শিবনি। মতুদি মবকেগা কৃষ্ণাং চন্দ্রগা মৈ থারনি হায়দুনা সংস্কার তৌকনদা পুশিল্লে। দ্রৌপদী উপায় মৈরদুনা জয় বিজয় জয়ন্ত জয়সেন জয়দ্বল অরোনবা মীং মথাকু থৌরকই। কচাক তাইশিংনা কৃষ্ণাং চন্দ্রনা হাপলে অদুগা উপাক্তা কুপশিল্লগা যোংপি থাজিল্লে। দ্রৌপদীনা থৌবদু শুংশিংনা পুরকতনা ভীমগী নাকোংদা তাহল্লি।

ভী। দ্রৌপদীগী থোজেল কাংদা হিপলদুদগী চৌগংখিদুনা থুজাই পাইরগা মপাল্লোমদা থুনা থোকখ। মন দুবা উকুলনা মাই-মীং লোইনা মৈরগা উমাও অমা কুকই। থুজাইদু কিচক মচাদুনা মত্তক্তা পুরগা উদ্ধাওদদা থানশিল্লি। গন্ধর্ব শাহনা বহো বহো মৈরিক্তগী গন্ধর্ব লাকএ। কিরগ্ন ধর্ম মৈতবা সুত মচাশিং হাংকে কাবনা লাওদুনা চেপ্লকপগা যৌরকপগা মায়ে। মৈশে পুং যজ্ঞ গন্ধর্ব লাকএ স্ব ই লাওবগা ত জাপ্ত মাররে। কিচকি মনাওশিংদু শুরুং কাইদুনা চেনবদা ভীমনা আঠালি পাঠালি চোংবদু থুমনবগা মরামদুনা পাথংপগা গন্ধর্ব মরাম ওইনা উরে। ভীম মীয়াম থাদোকখরগা চেনশিনখিদুনা কৃষ্ণাং চন্দ্রনা শিং মথক্তা থাজৎ-লম্লিবা দ্রৌপদীবু উপাক ফকাইগা লৌথোক্লে। পুল্লচিবদু থাদোক্লে। পঞ্চালিমি মহ কল্লক পেম্লিংদুনা থেংলুবিনি। মহুমি থাথোকচাওবী ওইবে চংলে হায়রম্লগা কৃষ্ণ নদীদা স্নান তৌরগা ভীম পুজাবি লোইনদা চঙবি। দ্রৌপদীবু থাঙ্গপাবা ঊকপাবগা রাণীগী অপারোমদা চঙখ্রে। মীয়ামা কাবনো ২ গন্ধর্ব কিদুনা চেনখিরিবা মীয়ামদু রাক্ষসদুনা চেনশিল্লকদুনা পুইল্ল তারবে। মীয়ামা কাবনো ২ হায়মৈ। বিরাট ১ নং মৈথোইর কবন মহারাজগা লাংলেংইগে তৌরিবৈদা গন্ধর্ব মদু অমা লাকদুনা তান্নরকপনি। ঐখোয় কম্না পেল্লকপনা হিংবৌবনি হায়রকই। মরামগী মতোই উবনা বিরাটনা গন্ধর্ব কবাবো কবদা মীয়ামা গন্ধর্বন থা মাইটৈ থলহৌরে। বিরাট তমি হমি লোকুদা মক লুকই। কঙ্কনা মহুয়াম্বা রাকদু ঐ অমুক্তা রাকমদু হংখিগে। গন্ধর্বশিংদু কমি

খুংলাই পাইরকই ? অজ্ঞ উঙাও তাক্না পাইরকই। মমিংসু ইরং লংই, কম ফনসু কোংজি হাযরকই। হায়ু তাবদা ধর্ম্মনা জীবনি খঙলে। স্বর্গগী গন্ধর্ব্বনি লাইনি। মরাগ নৈতত্তনি য়েকয়োক। নখোয় অরানবা করি লংঙ্গুরে লেংনা হায়রু হাইরকই। ঐ থায় ইরংশা শিরিবসি মহংকথক্ললীমি। কুকাং চল্লগা মৈ থারনি থম্মহুনা সৈরিন্ধ্রী কারগা কুকাং চল্লুরে। কক্তনা অহুমগী শিং মরকই। কক্তনা মহারাজা পৃথীদা লাম্বা নৈত্রেবা বরসেনাপতিনা সতী ধর্ম্ম তাক্লুবী সৈরিন্ধ্রীগীবু নাথ শংকক্লবগী লিবনি। গন্ধর্ব্বদি মরাল নৈতবা মী য়েক্লুবা হোনদে চিংক্লুগনু। সৈরিন্ধ্রী কম্মগা গন্ধর্ব্ব হন্দক্ল বনি। চিংথদনা থবক লোইশিন্নবা লিনবনা ফগনি হায়রকই। বিরাট শিং থীনা ইসেংশিং কক্ক ঠাকুরনা হায়বা য়াদি লাইনা হায়বগা মান্নবনি নখোইমা সেরন্ধ্রীদা হো দবা লমচং লাংউবনি। লিহোৎপা নরাইবকতুম কৈ হৌজিক্কি গন্ধর্ব্ব কৈরম্নয়োক নরাম্নগী সংস্কার তেকুরা তাযরদা মসেনশিং কিবদগী নমাই ঐখোয় তম্মরোই হায়দুনা য়াদরে। বিরাটনা অকল অখো তেঞ্জল য়াওনা চংলো হায়রদা কিবদগী নমাই ঐখোয়সু গন্ধর্ব্ব থেংনজবা তমজরে মখোইগী মরাম্নি। মখোইবু অহুম লোইহনবিয়ু হায়দুনা ওনাম্নু য়াদরে। শিংখোনা কাবিথ লাকয় ইনা তম্বিরকইদা। বরসেনাপতিবু সংস্কার তৌদদুনা লাংজা লমহুইনা লেংতুনা চাংলি হায়বা ঐগ মিংচংখিবসি তুমিং থাম্না লৈরিমথৈ লৈহৌরগান হায়রগা মিংথৌ নীংমুদা লাপশিরকই।

নিংথৌগী মতৌঙ্গু উবদা কক্তনা হায়রকই। মহারাজ, পোংলোইবিনরা লেত্রবদি বতু পুজারিদা হাইবিয়ু। অজ্ঞাস গন্ধর্ব্বনা হাংপা মী অম, মরাম্না পোংলোইবা হম্মরদা অজ্ঞাসিনা লোইখ। অহুগী বিত্তা হেবনি অমুক্তা হায়নৌ হায়রকই। কক্কগী বাহায় তাবদা নিংথৌ মন্ত্রিদা অক্তো পুজারি হজবা কৌক্লুরো য়াথং পিরে। মন্ত্রিনা পুজারি লোইশং য়োরহুনা ভীমবু থুক্লকই। অক্তো নিংথৌনা অজ্ঞাবু রাজসভাদা লুরবা থম্মগদবা বাকম অমা লৈরে, অমুক্তা থুনা লেতখোকপিরকত হজংলু লাকচবনি হায়রকই। ভীমনা মাম্ম য়োরাস বাযহুনা রাজসভা য়োরক্লগা সভা ভাক্ত তৌরগা কক্কবু থুক্লমই। ভীমনা মহারাজ কবি তাকাপ্পদবা লৈবগে হায়রকই। ভীমবু থুক্লম্মগা অজ্ঞা আসম্মা ফম্বিরো, শইরিবা দোষাগী খিতত্তনসি হায়জগে। জ্ঞান লেতবা ইসেম্বালংনা সৈরিন্ধ্রীবু কুকাং চল্লগা মৈ থানি তৌকহুনা, গন্ধর্ব্ব মরাম্না তাম্ররকতুনা সিদা মরাম লৈরিবা মীসে কনবা য়াদনা কুন্দুনা লৌরবসনি। পণ্ডিতাজনা নখোই সভাদা লাম্রবনা কনবা লাকপনি হৌজিক নৈরখোই লোইরয়ো হায়বদা কিবনা য়ানদরে। গন্ধর্ব্বনা হাংপা মী পোংলোইবা তমম্ববু অজ্ঞানা লোইবা তমী। অহুগী বিত্তা হৈবনি পাণ্ডবজীনা তাকপরে, অজ্ঞানা এগী উপায় অমুক্ত তৌবিয়ু হায়রৈ। ভীমনা হায়, উপায়দি তৌজগে, কিচকাক নাওদি কয়া লে। বিরাটনা মখোই ৯৯ লে. ভীমনা ঐ হায়া চংলমগে। মখোইহু মকোক মথং কাইহনা য়োবারান হায়রদা শিং কোকখোংগা খী চক্ ১গা থাবরকত। অহুনা লাকএবহুদি অহিংদা গন্ধর্ব্বনা লাকনা হাংলনি গন্ধর্ব্বনা ঐনা হায়জবিগনি। মরাম পুরপ চংপনি য়াদে ঐগী শিং পোক্লগা লাকত য়োবারান

মকমদা মথং মথং থারকই হায়দুনা ভীম চংখি। ধর্মরাজ কুন্তী কৃষ্ণ সিংহ লোইনা হাংকে ত্তোকেনা থরুপদা যাবদুনা মক লুক্তনা লৈখি। ভীমনা কুণ্ড ১ তৌরে কুণ্ডদা শিং হাপচিল্লে মী থাও লৈহিজিল্লি। কিচকখি হকচাংদু কুণ্ডদা হাপচিল্লবা ওতোক্লুনা শাং মাইবগী মওংদা ভাইদুনা লৈ। কিচকখি মথংদা শিংগা যাগা পুরগা মরম্ভ শোল্লগা লাকপদু মৌরক। ভীমনা মবাক কিচকক মথংদা যাদি অমা শিংদু হুজিন্নদু যাইদু হাপচিন্দুনা থুকখ্রে হায়। শিং হাপ-চিল্লে যীশু লৈহিজিল্লগা থুকখী। ভীমনা থুকাপ্পৈদা মথোঙ পাম্বগা মেপুংদা থাজিন্দুনা লৈদা থাকিল্লে। মথং মথং লাকপা থুদিং ভীমনা লৈদা হাজিন্দুনা থাজিল্লি, ভীমনা মশিংদু থারি।

১০০মুবা কিচক ক মনাও অতোনবদু রাইঘম কোই। অচৌনবদু শিং মপুমদু মকোক্তা পুমে থী চক্সুদুনা মথুম থুম্মী মনা পাল্লি। মনাও মথুং য়েংনা পাম্বগা পঞ্চমী কিবনা বঙ্গভ কায়বদু মাদি কাহেন্না পংশোন শোন্দুনা লাকই। থুদি যাইদা থুকউ কুন্দুনা লৈ মপুন্দুনা তকপমদা লৈনা এল্লে। গন্ধর্বনা মুখম পাইদুনা এমশিল্লে থম্মুনা মামং ভত্তান্নগা বক্তব্য এ শোন্দুনা ভরাক লৈবদা কারমতা তোরকত্রে। মথিং পাংলগা য়েংবদ ম শিংনবা ওইরম্লে, রাইঘম পাও-নিংদুনা নংনা এবু তম্বীরবা কারগানো? লংথাইবদা শিংঙ চাইথারমে। রাইঘম অমুক থোমজিল্লগা পুরশিল্লি। থোংগন্দুনা অমুক লাকপনা ভীমগা মনাক য়োরকপদা ম ৩৯ থাবগী এপা কুণ্ডদুদা চাক্লবদু ভবদা আকবগী মতৌ ওইরে। শিং থী থম্মগা ভীমবু থুকখ্য অমা মেংস্ম প্রলয়গী মতৌ ওহারবাস কারনবো? ভীমনা নংবু ১০০গী অতোনবরা মান অমা থুমকৈ থামংদা কারি কোক, রাইঘম কোক ভীমনা হায়মকই এয়াম্বশিংদা করাম্বগী তুংইনকলি হায়দুনা লৈদা কব ২ চোংশিনাখ। অঙনাম মে কাল্লবাস, এনা থাম্বমু যাদে নংমু অহন চোগথুবকা হায়রকই রাইঘমনা অমা এন শিজনিংদে তোক্করোই হায়রকই। ভীমনা ক্রমে অগাদ শিং যাইদু হাজিল্লগা থুকখ্যু হায়রে। রাইঘম শিং যাইদু ওজিনবদা মরাম এরোম ২ চাক্লুনা লৈববা লৈগী কুণ্ডদু ভবদা হায় কুণ্ড সেম্বশ্বাসনাদ অজ্ঞানিদা অরমেধ যজ্ঞ ওইনা তৌবগা অজ্ঞানা পুষ্প তাল্লমায়ে থম্মুনা কিবগী ভীমবু য়েংডগা থুকখী। ভীম চেনশিন্দুনা রাইঘমবু ভাগ কদে যন্না অমা মনাইগী থরাইনাদ কনাবিয়, কপুনা হায়রে। ভীমনা ম.থ.ভ পাম্বগা মনায়দু মে থদ হায়দুনা কক্রুম ২ তোহাল্ল। লৈহুব ১ শোরগী মথম্রাং চপলগা মরৈদা নমদুনা মরোন শোবা যাদবা কাথোকহল্লগা লেংখান্দা হায়গংলগা রাজসভা তাম্না পুরকই। রাজাবু শোল্লগা রাইঘ হু মাংদা থম্মদুনা ভীমনা হায়রকই মহারাজা কিচকাক, মনাও এয়াথাদ ইয়াম্বগী তুং ইল্লান হায়দুনা মেপুংদা কব ২ চোংশিল্লি। এনা থাম্না হোংলৈ। যাদদুনা লৈনা চাকতুনা শিহোরে। আমধদি মেপুংদা চিংখোকচুনা কদহোরগা পুজরকইবাম হায়রকপদা রাইঘমনা সিংথোরোথদা মানা লৈনা থাজমবাব। এবুশু থানা থাদুনা লৈদা চুশিল্লগা ওইদবা বায়দুনা থংহনবা নমইন। পুরকপান। কংগ্রেবা যীবদা ব্রাহ্মণনি। তম্বগা থা চিকতুনা ভীমগী থবাকতু থুকুম্বা থায়। মরোশি জোং ২ লাওদুনা লোকম থঙল্লে।

মহৈ কাখেকপগদুনা। বিরাটনা অঞ্জা করি হায়রিবনো মহোৎসবগী লৌকম থংবা অঞ্জাবুদু থানা পাওথোকপী মতৌদু খাঙ্গি কম্‌দৌরিবনো? ভীমনা মহারাজা হৈনা মাগী মখাই লৈবে কাখদিনা মহোৎসব লৌকম থংবগি মাপা ঐদু পাংথোকলিবা ভগাইনা পিথরগনবদু খাংনা ঐদু কনবিরকপনি হায়রগী পাংলম্বিননি। বিরাটনা অঞ্জা মাঙ লানাংবদগী মহোৎসবদি লেংনা থোক্লকই খাংনা পিখিরবদু মখিং থু হনখিরকো হায়রকই। ভীমনা মহারাজা অঞ্জাদি অমকাও কনখিরক্তে হায়দুনা মাথৌ থখনি হায়রগীদমক ঐদু হানা হৈরকী কয়বা হোংখিরিবদা মতৌ দি হৈরা। চোংশিনখিদুনা হৈদা লাইনা শিহৌরে। লোকইবাসি নিংথৌনা চিংনরগনি বাকয় অদু লেংদোকচগে। কিচকসি হকচাংনদি চাওইদো ইতোমমদশিনা থুদোং চায়রোই হাংবগ, কুণ্ড অমা লেপ্পা অহৈনা যজ্ঞ তৌবনি। গন্ধর্বশিংদু ঐনা হায়নবদা য়ানদুনা হৈগী কুণ্ডগী ব্রহ্মণদি নতোমাংলিনা থাংদোক অদু খিন লেমখিনবা বাংনবা কুণ্ডদা লিং থা ইজিলগা পুজা। অদুবিয়ু হায়রগা কুণ্ডদু গন্ধর্ব মথানা লেখিরবনি, অদুনা চোংশিনখরগা চাকথেকপগা থাদৌ। অদুনা মথামদি কয়বা কোলেনবদা অমখুদনা অশিমতং মনগী চিংথোকাইরক্কনি। বিরাটনা অঞ্জানা থাখিবদি ভারে, মথামক্তদু লোইশিনখিরবো অদুমদু পুখিবো হায়রকই। ভীমনা হবে মহারাজ, ঐ লোইশিন্নবগে হায়দুনা ভীম মাইথং পুরগা লাকনা থমদু হৈদুংদা অগ্নিগা হৈদু স্তুত তৌরে থুক্মজগা হায়জরে। পরংব্রহ্ম হে অগ্নিদেব থাদনা কোনুং হৈ চাকপদ লদা কাওরদুনা অমুক লাকচবদা হৈনা চাকলদু ঐনা মতম অমদা ঐগী মাঙনা মিপা ১০০ দাম তোগে ৭দাসে পিনবিয়ু নিজবদা ঐভুনা চানখিবিনা, মথাই ঐগী থাশক্তা মিপা চাখা দান কৎচগে হায়বাদু ভাজ কৎচরিবসিদা পেনবিয়ু হায়জদুনা থুক্মজরে। হৈনা মুর্তি চোংথোকরকদুনা ভীমসেন! ঐ পেল্লে, হন্দকী চকি ভুবদা ভারত খাল থোক্লগনি অদুনা য়েক্কবা অয় তৌরগা ইখাঙ্গি সেবা তৌরগা পৃথিবী শাসন পাখদুনা পাক্তো বর পিরগা মুর্তি হদ্দিলখি। ভীম যজ্ঞ লোইরগা অগ্নিকুণ্ড তেমশিল্লে। হৈকমদু হৈরগা মক্কমরাং কৃত্তিলে হৈকক শনা থারমই। কৃষ্ণানদীদা স্নান তৌরগা পুজাবি লোইশিনদা হজিলখি। মাদশী শ্রীমদভাগবত শ্রবণ ত্রয়োদশীদা কিচক মচিম মনাও ১০০গী শ্রাদ্ধ লোল্লে। চতুর্দশীদা অবভৃথযজ্ঞ কৎতুনা দান তৌই।

বিরাট নগরদা কাবা কিনরে। সৈরিন্ধ্রী উকবগা গন্ধর্বনা হাংলগনদা থমথদগী মরিশিংনা নিংথৌনা হজংতল। মহারাজ সৈরিন্ধ্রীদি থমোইদু মিপা পুম্নক কোনুং কাবা কিনরে। বিরাটনা সুদেষ্ণা মাগীদা হায়রে মাগীদা ইবেম্মা সৈরিন্ধ্রীদি চৎহনখরো হৈদাক অশান্তি থইরে। কিনখনা নগরদা আনককতরে লেম্মা হায়রদুনা চৎহনখরো. হায়রগা মিরট কোনুংদা চংখি। সুদেষ্ণা হৈ সৈরিন্ধ্রীদি অকপকা চৎরগা কায়বৈ ইবেম্মা মতৌ উপপ্লাশিংনা শিংখদি মাগী ২ থবাদা লিংখনি। অদুমু ঐহাক্কা কিনরে। হৈপাক অসি অশান্তি থংবে চলিমক লেংখীরো হায়রকই। কৃষ্ণানা মাখল তৌই। থা অনগদু ভাইরে ঐহাক্থক্পগী ইথুংতে নতাদু থবাবা ভাখনা থাদুনা হৈরগে

থরূপা হায়রকই"। বাণী ঐগী লৈকম অমা লেপ্পরগা চৎচঙীগে মীয়াম কিন্নরিবা অমুদি নিপাকি মাংমা চৎথোক চৎলিন তৌবা কোন্নু কাবনমু সৈরিন্ধ্রী হায়বা নিং অমি পোক্লগা চৎপামা গন্ধর্ব্বমা মাথা চৎ' থুনা তৌবিগনি। প্রজা মীয়াম্না রাজা রাণীনা থংহনবিদু অদু ওইরবদি বিরাট মিংথৌ রাণীবুস্ত গন্ধর্ব্বনা তাকপি লেনখিদুনা লৈগনি রাখিরুগদ্দ। সৈরিন্ধ্রীগী রাকমসি রাণীনা নিংথৌবা চনংথী। বিরাটনা লৈংতাগ্রণ রাজসভাদা পাঙ্গ মরিদা হায়দুনা প্রজাদা থংলি। মাংপগা নিপাশিংনা সৈরিন্ধ্রীগী নাম লৌমরে কিচকশমু কপরে, বিরাট পর্ব্ব কুপা যেক্কবগী ১কচাক মনাও ৯৯ ভীমনা মৈদা থাদোকপা', যদুর্ব্ব কিচকশমু সৈরিন্ধ্রীগী মথিং পোয়বা অধ্যায়শিংগী মথং পুক্তি চংবা তাঙ্কবদা মীওইবনা পদেইবা মতমদা হরিনাম কংই হায়বগি বাস কাক্যলি ইতি। হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

তুর্য্যোধনমা পাণ্ডব থিবা থাবগী বারী মতাং।

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায় মহারাজা, সর্ব্বভূমাপতি ভক্তিদা শ্রবণ ওইনু। * ভক্তি মাওদমা (জড় ইন্দ্রিয়দা 'কর্ণ--শ্রবণ) ওইরবদি, লিয়ীবা তাবিবা ২মক নমক তাগনি। মাংড্ রাজা জন্মেজয় অম্সুমা মঙ্গলাচরণ তাৱকপদা ব্যাখ্যা তৌরকই। বারী তায়ীবা জন্মেজয়না হায়জরকই, মুনি ঐ অদি (ঐশ্বর্য্য অভিমান') ঐ মতাইরে লাই-মী-যক্ষ-গন্ধর্ব্ব-কিন্নর-দানব-হিংচাবা-শিংনশু য়েক্কবিনবা লৈপ্রে হায়বা নাপন্নগী, অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌগে থৌয়াং তৌরবদা শ্রীশুকদেবা ব্যাসনা লেংবিরক্লনা জন্মেজয় মংসি বৈকবকি মচাখি, মুংশিদুনা তাকপিগে লাকপনি। মহি পিতা পরিক্ষিতনা সর্প্পবু করনা তাক্লবনা কলি যুগনা থুহম্ন চনবা ওন্নমলবনি। পরিক্ষিত শিথিবদগী মংনা রাজাসন কল্পগী কলি যুগমা চহি ৪০০ মক্তি লোইদুনা, কলি যুগ ওইখরে। কলিদদি যজ্ঞনা পুণ্য তানবগী মহক্তা শ্রবণ ভক্তিনা তানগনি হায়না বেদনা লেপপ্রে। যজ্ঞ তৌগন্নু নং দোষা তারগনি অদুগী তাকপিগে লাকপনি হায়রম্মগা চংথি। অদুবু ব্রাহ্মণনা বেদ-শাস্ত্র করবদি পংইক ইশিনবনি থম্মুনা যজ্ঞ তৌবদগী ঐখা দোষা তাখিবনি। মুনিনা বারী লৌখিবদা

* মূল তথাহি। জীবনং কৃষ্ণভক্তস্য বরং পঞ্চদিনানিচ। নতু কল্প সহস্রানি ভক্তি হিনস্ক কেশবঃ॥ ইতি পদ্ম উত্তরখণ্ড বাক্যম্॥

ককচিনুরবা থম্বোইদি লৌশিংলী খাওবে ওইবা অদুম্না তাগৎপনিংবা লৌমিরকপদা মথাই লুংতায়জরে। পঞ্চ পাণ্ডব ইবেন্তো কৃষ্ণাগা কুরু মপানা থিবগী বারী নীথিরো মথাই তাক্তরগে হায়রকই। মুনিনা হায়রকই মহারাজ মিথিবসি ঐনা ভক্তিনা শ্রবণ ওইয়ু হায়রা ব্যাখ্যা তৌথিরক নিংথৌগী কাম্নবনি, মহাতি ব্রহ্ম বধগী পাপ শুদ্ধ মুনিনা অপরাধ ৎংশিন্নবগী দোষনা থেক্ত থোংনা লম্না পুম্নীবহুন্দি, ভারত অবদা কোকুনি ভক্তি য়াওনা তারবদি অশুগী মতমদা চীনা আঙ্গানা দেকচেহে ওইদুনা হরিধাম কাদনবনি মহাকি কানবা ঐনা ব্যাখ্যা তৌবনি। জন্মেজয়না মহামুনি লুংজাইজরে শ্রীকৃষ্ণকী ভক্তিনা শ্রবণ ওইজরগে মধাগী রাষ্ট্র মিথিবিরো হায়না ভক্তিনা হায়জারকই। নিংথৌগী ভক্তি লৈজকরগা অদু উথদা মুনিনা হায় জন্মেজয় পাণ্ডবনা চহি ১২ শুবদগী দুর্যোধননা দূত থারগা ভারতবর্ষগী দেশ খুদিং সহর গ্রাম বস্তি শাও বন উপবন পীরিগুনা লোক লৌনবদী কাওবা থিবদা পাণ্ডব মংজুনা থা ১১ দা দূত মরানা হস্তুনাপ খুমদুনা পাণ্ডবী থিবা থদুনরে লৈতরে হায়না কুরুরাজগী সভাদা পাও তমলরে। সভাদা বরমন্ত্রী শকুনিনা প্রধান পণ্ডিত কর্ণনা বরসেনাপতি কৃপনা ব্রহ্ম সভাদা ব্যবস্থাকারি বিকর্ণনা ভগুরি ওজা দুঃশাসন যুবরাজগা কমনাইবগী লুচিংবশিংনা দুর্যোধন নিংথৌগা থদু লৈনরকপা পাণ্ডবতি লৈংখ্ররোই। ভীমনি হিংচাবগা রেকুপকবনিনা হিংচাবগী মপুন্না শিরবিনি। ভীমগী বাবদগী মথোই মতৌঙ্গ শিথবনি অদুনা থিবদা থংদবসি হায়নদুনা থরবিব কমনাইবশিংনা শিলনা লেংরে। কর্ণ দু মহারাজ কুরুপতি পাণ্ডবকি সভায় উপায় অমত্তা লৈজে। কুরুরাজগী মীচাং ক ওইবগা কর্ণ ঐগী প্রজাপকা থংবদগী মরমাক গঙ্গাদা থরাই কপেক্রুমদু মাই চিংবিকরদু কাহরে।

পাণ্ডব শিরমুনি হায়নরকপদা দ্রোণনা হায়রকই, কুরুরাজ পাণ্ডবতি শিরোই অর্জুনবু জয় দবা লাইম্নু মীম্নু লৈরোই। ইন্দ্রবু জয় তৌহনা মৈনা খাণ্ডবন দান তৌখিবনি। অ সুং ভীমবু ভ জনবা শিংংাবা লৈরোই। বক হিরম্ব কিমির জটাসুর জয় তৌখিবিরিনি পাণ্ডবতি লৈরমগনি। কৃপাচার্যনা অমুক হায়রকই কুরুপতি য়েকুবা লৈরমনা কুইরা পাবগে হায়রবদি মনা লুপা পাণ্ডদনা য়ামা য়েকেঙ্কুনা দূত অমুক থারগা থংবা শিরু। কৃপাগী বা তাবদা দুর্যোধন বিকর্ণদা কনগে লেং হাকচগা মনা লুপা কোক্কোকপন্দু। দূত নথোই হয়েংদগী অমুক চৎলগা পাণ্ডব থংনবা শিরু। ওসিমক মনা লুপা য়ামা শিরগে হায়রকই। দুর্যোধনগী বাবাব তাবদা ভীষ্মনা হায়রকই ইন্দু মিংথৌ পাণ্ডবদু থংনবা শিংগে চায়রবদি দূত থাকুবদু শাস্ত্রজ্ঞ ওইবা ব্রাহ্মণ থারো পাণ্ডবতি শংম্বক লৈগনি। চিং বন বস্তি-গ্রামদা থিবনা কামরোই শহরদা থিংদবনি। সত্তী বৈষ্ণব লৈবা খুনদা অদনবদি ক্ষেমা দয়া-শান্ত ওইবা অকগা অমগা য়েংথিজদবা ব্রহ্মচারি লৈজ, যজ্ঞ দান ব্রতদা পুক্নিংংবা রোগ শোক শিত্রা লৈতবা মুংশিং অকমবা শিংতবা মলয়া সদ্বিরণ শিংপা খুদমাইংঙ্গু ওইরবদি পাণ্ডব লৈরে থংগদবনি। পাণ্ডবতি কিতেং শককম এক্কোকতুনা লৈরমগনি। খুমম থ বা ডুক্ পণ্ডিতনা থংগনি। ভীষ্মগী পাওতাক তাবদা শোধাংস হায়রকই মহারাজ কুরুপতি

মথুখোগী পাণ্ডবাকসি, লোইরমোই লাইরিক হৈবা বেদা থংবা ব্রাহ্মণ থাবনা কপনি। দুর্য্যোধননা লৌকদিদা মাঙা ইমুখোগা ইপুতোনগী মাথংসিনা ঐস্থ পাঙ্গে। হৌজিকমক পাত্রসিংদা ব্রাহ্মণ পণ্ডিত খোমগংবন্ধু, পাণ্ডবাক পিথরো থাজজা পিরে। লৌকনি থুংবক্তা নিংথৌগী মাথংসি ইরগা জিরমহুনা পাত্রসিংদা পিরে। কত্তিনা প্রায় ১৫ ব্রহ্মপুরগীদু মী থারগা থুংথিলগী সভা ফম্না নংকবা ব্রাহ্মণ লাইরিক হৈবা লোইনা খোমগংলে। ব্রাহ্মণ উপাধি পাত্রজা লোইনা সভাদা থুংলরে, মশা ভক্তি তৌরগা আসন্দা ফম্মরে। ব্রাহ্মণ মমাম্না মহারাজা ঐথোইবু কৌথিবসি করি হোজো হায়বগে তাকপিরো হায়রকই। কুরুরাজনা পণ্ডিতশিং! পাণ্ডব থিনবা চোরহুক মমাম থাহনা মাইথৈ নিপাল থীজনবদা ফংজে। অহনা ব্রাহ্মণ প গুণ্ডশিংনা সহর খুদিংদা অমুকং থা অমসি লোংজিবা পাণ্ডবপু চেকশিন থংনবা থিজিনবা কৌবনি। সনা লুপা থরচন্থু মাঙা পিগনি ব্রাহ্মণ ৯না কেশ ১দা চংপিগদবনি পাণ্ডবনি থংদনবা ফিজেং মশক হোংদোক্নমা লোংলমগনি। অহুমা থদম চাংমম মশং মজৌ ফিভম খোলখোক লক্ষণ কুপ্পা য়েংবিগদবনি। পাণ্ডবপু থংঙকপা নিপা অতুদি পঞ্চপ্রাণগী মপু ওইরমগনি, কঁয়োদগীনা থা ১ কাণ্ডবসিনি থংগগদবমি। বর মাঙা দেশ ব্রাহ্মণ মখিংগা চানবা পিরগা সনা লুপা য়েন্নো হায়রকই। লৌকনিনা দেশ মশিংগা ব্রাহ্মণগা কোঙ্কবা লিমহুনা সনা লুপা মতিক চানা পিরগা ব্রাহ্মণ বিদায় লোইহনা মযুমদা হন্নখী।

নোংগুপ্পগা মাগী ১ তাবা দেশ খুদিং চংনবগা পাণ্ডব থিনখি। বিরাটকি লৈপাক্তা তাবা ব্রাহ্মণনা স্থদেব কৌই, স্থদেবনা রাণীগী কোমুংদা সৈরিন্ধ্রীগী মগুণ তাকদা চংঙকই। রাণীনা ব্রাহ্মণগী আসন থবুনা অদুগা আসনদা লৈগিনবিয়ু, স্থদেব আসন্দা ফম্মে। রাণীনা কদাইগী লোংজিনকপগো করি চান কংগে হায়বগে হায়জরকই? স্থদেবনা পাটেশ্বরী ঐদি তীর্থ কোইবনি ভুগি নিংমি ছুমনি স্থরে চাদ থক্কবা বারহনা রাণীগী কোমুংদা চংঙকপনি। হান্দি লিজরোই অতিথি ভুজন। পংসিয়ু। ঐসি য়াযুন্থু বারে, মরিনি মচাদিদং বাস ওইজগে। অহম ওইবনিদা দেশ কোইথসিন্থু য়াম্না বাই। রাণীনা অজ্ঞা লৌবিয়ু সেবা ওইজগে। রাণীনা দ্রৌপদীদা ইবেম্মা সভী ব্রাহ্মণগী সেবাদি সৈরিন্ধ্রী অতৈনা গুণাবুদি সতীনা পুথিরো পণ্ডিতজীদু ব্রহ্মঘরনা পোথাবিকুবো। কৃষ্ণানা স্থদেব দেব গী মুমদা পোথ হনখি। পুজারীদা পাও থাথিহনা স্থদেবগী লুক মাঙনা থিন্নকই। ব্রাহ্মণনা প্রসাদ কংবা মতমহু দ্রৌপদীনা সেবা পুরি স্থদেব চাবা লোইহনা আচমন মুখশুধন লোইরগা আসন্দা ফম্মে। দ্রৌপদীনা চন্দন-লৈ-পানা-সেবা লোইরগা মনাই প্রসাদি কংজরুথিগে থুরুমগা প্রসাদি কংখি। সৈরিন্ধ্রীগী ব্যবহার সেবা শরুম য়েংবদা পঞ্চালীনিকী শকফম সেবা খোংথাং মাঙাং লোইনা মান্নি। স্থদেবনা রাণীগীদা ৫নি বাস ওইহনা লৈবসি সহর লৈকাই খুদিং চক্রুনা মুন্না য়েংজি! নৃত্যশালা গোশালা অশ্বশালা চৎলগা লোইনা য়েংজি। মেরীগী রূপানা পাণ্ডব ৫ কৃষ্ণাবুন্থ মাইথোং উবদা থংহনদে। স্থদেব ৫নি ভুবদা রাণীগা সৈরিন্ধ্রীগা বিদায় তৌরগা বিরাট নিংথৌগী সভাদা চংঙকই। সভা থুরুমগা পামবোম থাংগংহুনা

আশীর্বাদ তৌরকই। বিরাট রাজাগী গুণ উবদা আনন্দগী কুপ্সিন্না ব্রাহ্মণবু থুরম্মী। কঙ্ক ময়াক ব্রাহ্মণ সভানচিংবা মীয়াম পুম্নমক সুদেব ব্রাহ্মণ পণ্ডিতপু থুরম্মী। বিরাট নিংথৌনা অজ্ঞা করি দান কচৌগে হায়রকই। সুদেবনা হায়রকই, মহারাজা ঐহাক হায়। হিজরোই তীর্থ ভ্রমণ স্নান তৌনরকপনি মহারাজগী লৈপাক্কী ধর্মদা চাওখৎলিবনি দেশ খুদিংমগী হেক্লি। অহুনা ৫নি ১০ নিদং খাস তৌরগা হেক্তেনিংহুনা মহারাজগী সভাদা লাকচবনি, ঐবু অহম ওইবগা দেশ কোইরকপদা খরম্ম থংরে। মহারাজগী ভাগ্যদা মতম খরমদং পোক্লাহনবিয়ু হায়জগে লাকচহনি। নিংথৌনা হাত্রৈ, অত্তানি ব্রাহ্মণনা পোত্লাখিরো মহাইশিংদা শিন্নখরে। সুদেববু নিংথৌ লেখাবিনা ব্রাহ্মণবু অক্ষয়দা পুশিন্দুনা পোত্লাকনখরে। অমিৎ ১০নি নিংথৌগী কোম্নুংদা লৈ দরবার ক্ষমখলু খাওই-কহু থাবগা ওইরিবা পুক্তানি মজুক অধিবেশ পোবেজ মনিগী মওংনি হেংহদা যুধিষ্ঠির ভীম নকুল সহ মথংগী লক্ষণদি মাল্লি। অহুবু দেবীগী কৃপানা মাইথোং উবদা মাংদ, মীওইবগী মাথংনি রাজা জন্মেজয় ইন্দ্রপ্রস্থা লেংবদা ভীম অর্জুন নকুল সহদেব দ্রৌপদী ৫ মা লক্ষ্মা থিদাদা থংলি। ধর্মরাজাবুদি থংবা তমত্রহুনা থংনিংবদগী মীগী মওং ওইরগা শিং যোৎবা শাম্মগা অাগোরমচ কোকথোং পুহনা ঐগী অাগমসি য়েংজরি তৌবিনংবগ তৌবিয়ু। হায়দা সহর খুদিং লাকপদা তৌগে মঙ্গল কয়াবো কবদা. ইন্দ্রনা মমশি সনা লুপা ওইমদি তৌজরোই ব্রাহ্মণশিংগী অর্থ খোংবিবা তমজবদি অহুনা মঙ্গল শইহুনা তৌবিয়ু হায়বদা কোংবা তমরে। মথং ২ লাকপদা বিরাটকি হোজংদা থুংহুনা হারাদ হায়বদা হরীনা নিংথৌদা হজংলি নিংথৌনা চংহল্লকউ হায়রকই।

হারাদা ইন্দ্রবু থাজিনখি। ইন্দ্রনা সভাগী খোংজিন্দা লেপ্লগা মহারাজা ময়েক ১১ কি অর্থসি খোংবিয়ু। তমবদি ঐগী ইপোংসি অহুনা মঙ্গল ওইহুনা তৌবিনা যাগনি। সনা লুপানদি য়োক্তরোই হায়বদা অজ্ঞা পণ্ডিতশিংনি হায়রকপদা ধর্মরাজনা অর্থতু খোংলি। ইন্দ্রনা যুধিষ্ঠিরনি থংহুনা অাগর মপোংতু থারগা, থুংজাইজরো মহারাজগী মপান্দগী ঐনা থংনবা অর্থ মসগা লোইননা থংলে চন্দনসি কংবিরো। কোকথোংদ থারগা দেবরাজ অন্তর্ধান ওইনা য়েখি। মীয়াম পুম্নমক্তু লাইনি থংলে। লাইমক্তা থংজবা অর্থবু খোংখিবা ব্যবস্থারকাবিয়ু কংজরবনি নিংথৌগী লৈপাক্কিন্তু লাইখক কৈ হাযখি। অমসুং দেশ খুদিং থাখিবা ব্রাহ্মণশিংনা পাণ্ডব কংজ্রহুনা লোইনা হলক্তুনা দুর্য্যোধনদা পাণ্ডব লৈরে হায়না পাও তমখি। মংস দেশদা তাবা সুদেবা ব্রাহ্মণ থা কাবা থুনিবা কুরুরাজগী সভদা থুংলে। সভাতকি তৌরগা ব্রহ্মসভাগী কম ২ অাজাদা কনখরে। সুদেবদা কুরুরাজনা ওত্তাদি দেশতু নকপা বিরাটকি লৈপাক্তা থাবনি। মরাম হস্তিনপুরগী অজ্ঞানা কোমা থুংলে, অত্তাগী পাও তংবিরো তাজনিংলে হায়রকই। সুদেবনা হায়রকই, মহারাজা ঐনা বিরাট লৈপাকি গ্রাম খুদিং কুপ্না য়েংবদা মথ-মপোল অনাখক লৈলে। মনবীশিংনা শক্তোম থোকই, মী খুদিং ধর্মদা পুক্লিং চংই অমগা ২ য়েংখিজবে মহে

মযোং কৈ মঙ্ক যাগদা পুকনিং চংদি মথং মথং য়েংঙকপনা মহৱ য়োরকপদা কোত্থং কাবা রাজ আকার রাজপথ চৎপদা বিপাশিংনা সৈরিন্ধ্রী গোম্মুনা চৎনৈ ঐরা হংবদা সৈরিন্ধ্রীহু রাণীঙীদা লৈ, গন্ধর্ব্বশী লেবা ওই, সতীগী মকমদা থওইক্লদবদগী কিচক বরসেন্নাপতি গন্ধর্ব্ববা চাৎলে। অদুগী কিময়বদা সতীনা ঐগী মিং শোম্মু। গন্ধর্ব্ববা চানবীগনি, সতীবা ভাকপীহুনা মাগী মথিং শোঙবনি হায়বদগী ঐ রাণীগী কোম্ভুংদা চংঙগা অতিথি যরদা লৈ সুদেষ্ণা রাণীনা সৈরিন্ধ্রীদা লিয়হুনা মানা ঐগী লেবা পুই। সেরিন্ধ্রীনিগী মথক মতৌ লেবাগী লেম-শাংবা মতৌঙ্খম। দ্রৌপদী ওইনবা থল্লুনা চহিং ৫ নী লৈহুনা কুপ্পা য়েংবদা বাশি মাইথোংবদা দ্রৌপদী মংঙহুনা, ঐগি লিংথো নৈদা অমুক চহিং ১০ বি লৈ। ময়বার কমণ্ডলু ছত্রিগী মাওই পুক্কাম্ভী হল্লবহু মীওইকে, কুচু কাচ মাতিক মগুণ লৈ, ব্যবস্থাকারি পণ্ডিতভু মগুণ লৈ, শাস্ত্র, বেদ ধর্ম্ম ম্মা থংকৈ, ঐবা য়েংবদা সত কচ্ছদস্ত রাকরবা অশ্ববৈদ্য গোবৈদ্য অহংদু মগুণ লৈ। পাণ্ডব ওইগল্লা লিংহুনা মান্না মুম। কুপ্পা ১৩শ চহী য়েংবদা পাণ্ডবতি নক্কে অহুনা ঐনা কোন্না থুং-ঙরিবসিনি কায়রকই। সুদেবগী পাণ্ডদগী ভাবদ। ভীষ্ম, দ্রোণ, অশ্বত্থামা কৃপাচার্য্য মসিদি পঞ্চ পাণ্ডব শঙ্কাশিংনিগী বিরাট লিংতৌগী লৈপাক্তা লোইদবা লৈরে খংথি, বাদি ভাংবিদে।

দুর্য্যোধনা কর্ণ, শকুনি, সৌবল, দুঃশাসন পাণ্ডব সিখিবদা লেপনরে। ত্রিগর্ত্ত দেশগী সুশর্ম্মানা কায়রকই, সর্ব্বভূমাপতি কিচক শিরে হায়রবসিদা ঐ রা অমা কায়জগে, বিরাটকি দেশগা ঐগী দেশগা সিংনবা লোয়রদবা কিচকনা য়েঙলগা লমহেৎজিন্না নংনা শাসন তৌরম্বে হায়হুনা লমন্থু মুম্মুনা লোথি অহুভা নঙনা ঐন। হেঙ্গনা কোর লোক্রবগীনি, হায়জিন্দুনা লনগৈগী লো ককাইহুনা মনা লপা নমত্থনা লোথি। অদুবু বিরাটনা থাবখিদনা লমহু মাগী ওইথরে, অহুদগী কিচক লৈবদগী ঐ মহারাজদু থগ্গিবসিনি, মহারাজগী চান্নপরবগী কিচকনা কুমাজগী ভুণনা অমুক হেন জিল্লকনবা থগুবনি। বিরাটসি ঐগী য়েঙ্কবনি, কিচক লৈত্রবদি ঐ লমম শিংলগে। অদুগা বিরাটসি মরনংলৈ যণ ম্যায় লোইবদা ভারতকী মদুংদদি মানা হেল্লি অরাংগী গোপালাদা যণবী শাংথ ৬ লৌজিক শজোম পুম্মী। অদু হোৎনববা গোপ খুমগং ৬ লৈ, শজোমদগী কারকপা লনগৈ ৬ থঙ্গী, থাগী গোপালদবা যণবী লক ৬ নি। গোপ খুনগং ৩ নি শগোবদগী কারকপা লনবা লনগৈ ৩ থম্মী ঐগী য়েঙ্কবা লমনশিংবা ওইনা ভসি চৎলগে হয়েংনাই মহা-রাজনা ভেন্দোল সাজধ তৌরগা যাত্রা তৌবিরকই, ঐনা মথাগী যণবী লক ৩ গা মুম্মগা বিরাট-কারগে কুরুরাজনা অরাংগী যণবী লক ৬ কা লক্কৈ ৬ কী লনগা খোমহনা পুরক্কপা। হস্তিনা প্রাক ১৫ গী চুমথোং খুদিং য়েনবীহুনা শজোম চাহনবীমু হায়রকই। বিরাট পর্ব্বগী বারী অসি মীওইবনা পুক্কিং চংনা ভান্নবদা বিষয়াগী পাপ কোক্লপা অন্তগী মতমদা জীবনা দেহ-দেহে ওইরগা শ্রীহরিগী ধাম কংই হায়বসি ব্যাসবাক্যনি ইতি। হরি হরি হরি।

অধ্যায়

সুশর্ম্মানা বিরাটকি লৈপাকতা যাত্রা চৌরক্লগা
মণবী মণাও লন মুনচুনা বিরাটপু কাচনা পুনবা,
ভীমনা বিরাট কনবগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় রাজা জন্মেজয়! সুশর্ম্মাগী বাকমহ তাবদা দুর্য্যোধনা বিজ ত্রিগর্ত্তরাজা করে কুনি যাত্রা ওইরো, হয়েংনা ঐগী তেঙ্গোল যাত্রা চৌরকে হায়না বিদায় তৌনরে। সুশর্ম্মানা কুরুরাজ বিরাটতি হয়েংসি ঐনা কারণা পুন্দুনা পুরগনি। কিচক লৈমনগী চংবা ওমনবনি। হয়েং যাত্রা তৌরক্লগা লোইনা থোমহুনা অজাদা য়েক্কোকতুনা য় ভাইংনবীয়। ঐনা বিরাট পুন্দুনা পুরগনবনিনা লাকও চৌরবোই। ঐ ভসিংক য়েংবগে হায়রম্বগা মাগী তেঙ্গোল চতুরঙ্গ দল সাজন তৌহনা যন্ত্রবাজন তৌহনা যাত্রা তৌথরে। কুরুগী সম্ভাদা কর্ণং। প্রাণ বিজ সর্ব্ব ভূমাপতি, হস্তিনা গ্রাম :৫ য়ুমথোং খুদিং পাওজেন তৌবগা থৌরি থোরাং তৌহল্লনি। মানা ৭ পামজবহু মঙ্গা থৌরি হুকহল্লনি। থৌদিনা মশক থংজনবা তেঙ্গোয়া থোমহুনা পুরিরক্লগা য়ুমথোং খুদিংদা সুংওাইহনসি। মানা ২ কয়েবা সনা রূপাসু অহুম কংজ- হনবিয়ু হায়রকই। কুরুরাজনা য়াথং পিহুনা হস্তিনা য়ুমথোং খুদিং শগোল পাও চেনহংখি। দুর্য্যোধনা ভীষ্ম দ্রোন কৃপা অশ্বথামা গুরু মরিস্তু হয়েংগী মৎস দেশদা যাত্রা তৌবসি লেংবা য়াওবিয়ু হায়রকই। কুরুজন মরিনি বিরাটকি লৈপাক্তা লৈরে থংহনা মৎস দেশদা চংনবদি পাণ্ডব উমরগনি থঙবগী য়াওবগে য়াখি। দুর্য্যোধনগা কর্ণগা থরচনা বিরাটকি মশয়াম মরল মুসুবগা প্রজা সুংওাইহনগনি থমরিবহ বিহর বৈকবতি জায়া থঙবা ওবনিনা মচা চেগা পঙ্কালিনিগা লৈরে থংতি। থর্ম্ম থমবা কাংবুনা মীগী মরল মুসুনি হয়াওরিবহ অবাবা ভারনি থন্দুনা হায়রকই। কুরুপতি ইচা নিংথৌ! কিচক হাংগা গন্ধর্ব্বনা বিরাটপু রক্ষা তৌরমগনি। মরল মুসুনি চংঙ্গুবা লোমা ওইগনি, য়েক্কুমবনা কৈ। বিদুরগী য়াহায় তাবদা দুর্য্যোধনা খুড়াতোন জগত্তা ঐবু য়েক্কুগনবা লাইথু গন্ধর্ব্ব বিদুর মীদসু মতিক লৈতে, কিগনবা খুড়াতোন্দি য়াওগদু লৈতৌ। কুরুরাজগী য়াহায় তাবদা বিদুর বা ভাংদনা মক লুক্লগা লৈখি। দুর্য্যোধনা শোকনি দুঃশাসনা হয়েংনি চাবা থঙ্গা লোইরগা, একাদশ অক্ষৌহিনি পুং ৮ দা যাত্রা তৌগদবনি থৌরাং তৌ হায়না রাজাজ্ঞা পিহুনা মরবজি য়ুমরাজ অমিনা শিন্দুনা থোরাং তৌরখি।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় রাজা সর্ব্বভূমাপতি ইচাগী মতানি পামবা থমিংকি সুংথিনগী য়ুমক মঙ্গমদা সুশর্ম্মা চতুরঙ্গ তেঙ্গোলগা যাত্রা তৌহনা লাকপহ, অহিংগী নোংয়াইদা মৎসদেশকি

খাগা মতোনবুংদা থুংাব লুমিদাং পোথারে। নোংঙাল্লগা প্রাতঃ ক্রিয়া স্নান তৌরগ, থোংখাক্তুনা চাবা থকপা লোইরগা রনবেশ লৈতেংগা শগোল শামু রথ তোংবে। কিরুংতেম থাং টা লদা মুষল মুদগর সেনাপতি রথী পদাতী যাৎকুনবুং লমজাওদা ডাইদুনা লৈবদু, পুং লিপানগী মতমদা গোপ রাখালশিংনা যণবী লক ও মমাও হাতম লামচা মণজাও লাবা পুম্নমক হোই-দোকুনা মণশেনগদবগী মণশেনবুং তৌরকই। সুশর্মানা রাখং শিন্দুনা মণদু রাখালশু লাম্মীনা কোইশিন্দুনা কারগা মীয়ামদা লৈঙ খুগাইদুনা নংনা ২ মংবদু লৌজরো। গোপ খুদং ওসি চাইথাইদুনা অপাঙ্গা লৌক চানিংবা চারু হায়দুনা ত্রিগর্ত রাজনা থাজিল্লি। অদুগা গোপ নিপা ১০ কারদুনা চিঠি ইরগ। চংলা বিরাটত পিক্ত ঐন লোইনা মুন্দুনা লৌরনি মজিক লৈরগা লাও মুজরো ঐ লান ডাইহোরি হায়রু হায়দুনা নিপা তরাহ থাখি। গোপ খুদং অদুমক্ত খুংলাই পাইবা লাম্নশিংনা তানখাইদুনা মন লুপা মুন্দুনা লোরে। গোপ মাক বৃদ্ধ যুবা কিদুনা চেমদে।

চংখিবা নিপা ১০ অদু কোনুং যৌরকুনা বিরাটপু খুরুম্মগা চিঠি কংলি। কপতুনা তৌ-হৌরিবা থবক্কি পাও পুম্নমক তম্বা, এংমরাঙ্গ চিঠিগী মরোল ছুতকি পাওদগী তাবদা বিরাট নিংথৌ লৈবা জমদুদুনা শতানিক মুদীরাক্ষ মনাও ২ নি শ্বেত শঙ্খ উত্তর কৌরে। উত্তর যুবরাজ মনা কোনুং ডানকৌরো, শতানিক নংমা তেঙ্গোল সাজমতে বা রথ মরি সারথিদা সেমজদু। কঙ্ক ঠাকুরনে অদুক্তা বল্লভনে গ্রথিক তন্ত্রিপালদু লাবগী কুংথ য়েংহনসি। মংসদেশগী লাম্নি লোইনা পুগদবনি থুনা সাজন তৌরো হৌজিকনক চংলগদবনি হায়থরে। শতানিক সেনাপতিনা লানবুং হৈহন্দুনা মংসদেশকি নিপাগী জাং লানগী থেংরাং লোইনা শগোল শামু রথ তোংবা পদাতি চেমখং-লবক্লা রণ ভুমিদা সাত অক্ষাহিনি সেরে বিরাট শতানিক মুদীরাক্ষ সেনাপতি শ্বেত শঙ্খ মচিন মনাও ২, অক্ষৌহিনি ৭ কঙ্ক বল্লভ গ্রথিক তন্ত্রিপাল লোইনদুনা, যম্ম পুংসেল য়েংদুনা সিং-হনাদ দুর্গামায় লাওদুনা উত্তর যুবরাজবু কোনুং ডাক্রবা থমম্মগা যানা তৌরকপনা লজেনবুং য়েংরক্লে। ত্রিগর্ত রাজগী তেঙ্গোলগা বিরাটকী তেঙ্গোলগা লানথেংনরকপদু থাং পায়বগা থাংগা পাই, টা পায়বগা টাগা পানে, পদাগা পাদা পায়বগা শগোল তোংবগা শগোল তোংবগা পানৈ। শামুগা শামুগা পামরে রথ তোংবগা রথ তোংবা রথীগা কাপ্নরকপনা প্রলয়গী মতৌ ওইরে। মুষল মুর্গর শক্তিশেল জাঠা জাটি ভিন্দীপাল কাপনরকপদা তেম্মা মরোগ মরোল কুংনবনা অমম্বগী মতৌ ওইরে। শগোল শামু রথ পদাতি ককথনরকপনা ঈনা ঈশিংগুম চেন্থরক্লে। শঙ্খধ্বনি সিংহনাদ কাটৌ ম..রা লাওনরকপনা পুনিল নিললে। শতানিক মুদীরাক্ষ ২না রথ থৌজিক্লকুনা কাপনরকপা তেম্মা সুশর্মাগী রথী ২০০ ককথখরে। তেঙ্গোল হা হা কার লাওনরক্লে। বিরাটনা দোলাই খৌজিক্লকুনা কাপশীল্লকপা তেম্মা পদাতি শগোল শামু ককতুনা থাদৈ। মতৌদু উবদা সুশর্মনা রথ থৌজিক্লকুনা কাপনরকই। তেন ১০২না সেনাপতি ২গী হৃদিদা থাবদা শতানিক মুদিরাক্ষ লাম্বদুনা রথকি মথক্তা তুখরে, সারথীনা রথ মদাই ওন্দুনা চেনখরে। বিরাটকা সুশর্মগা পান্নরকপা

তেজোল অনিনা প্রপ্রগী মজেগুহ পানবকপবি বুধক ২ যাঁরকই। অতিয়া অদি উজুনগা অমুগনা মমথরে জয় পয়াকয় লাইরকে হুমিং তারবলাইদা বিয়াটনা সুশর্মাগী লিকাং কজনা খাদে। সুশর্মা লাওখিবনা থককানগী মতোওয়া গদা পাইরগা চেনশিন্নজনা লগোল লাবখী থব নৈখাইরবা বিয়াট লৈপাক্তা তাই, সুশর্মানা মযফুনা কাখরে। মাগী লোনাইদা পোরকনা লিবান ঙৈখোক্তা লউন থোরবা কথা খেংলনুনা পুরে। লিক্তঃ পাঁরকা তেম্না খোং চুংঙ্গথ কাজ্জদ, জেজোন মথয়াই শিনিংদবনা বিয়াকি মচা থনাও কৈজাল গোইনা কাইহুনা চেনখরে। সুশর্মা জয়ধ্বনি লাওরকই, কেজোলদা বিরাট আবগী পুংজাইহনা মঙ বাঙল তৌরগা চংখরে। কুরুক্ষেত্রগী মনাক্তা হুনীদি মুখিংগু লাবে, ওসদি ইকম অনিদ' পাংলি যামগু থ'মরে পুজাখিনিং চাক খোংমবা কোংলরো থায়রগা মমাম পোংথরে। লান লৈ কুরুক্ষেত্রদা কুংজ থেংনা ওইনা নৌবিবা যুধিষ্ঠির ভীম-নকুল সহদেব মখিদি চেক্সনা লৈ। যুধিষ্ঠিরনা বিরাটপু শুনুবা পুখিবকুমা খজোংই বাক্তুনা বিরাটপু কবনিংবমগী কনা লৈবগে খেংলকই। ভীম নকুল সহদেবপু বিরাটপু কনিংবা, ধর্মগী যাথং য়াকন্দি য়াদববগী থা চিংতুনা পুংজাইতবা মক লুক্তুনা লৈবিবা মন ও অঙ্গম উবদা ধর্মনা ভীম থেরকপা হায়রকই। বৃকোদর ঐখোইপু খেকাঁয়ল উপায় চৌবাংবা ইপায় মযলন্নি খেক্তলা কাপ্তনা পুখিব্রিবনিবু ঔমিংনা উরগা কপ্পরদি মপোক খুলিং কপা ফংরগোই। অমুক্তা কল্লু হায়রকই। ভীমনা মামা মহারাজগী মথং জাইহুনা লৈকরকথনি কাররগা অরাং লোমদা লিঙ্গগু পরেং কৌরবকুগী অচৌবা ১ চেনফুক কুরুগা খেরব থম্ম খাজ্রবা কাংদু লোক-শিন্নখেগে হায়রকই। ধর্মরাজনা ভীমসেন সুশর্মাহ খেকুবগী পকনী ও লিক মত দা উজ্জাও ফুকপা' ভুদি ইনাওদলি লোংলিবা মতমলি। খংবিব তাঁরবদি ঐংখং পেথ ওইনি, মীসু হাংকুম সুশর্মাগী বিরাটকা অমুক্তা লোক হায়রকই।

ধর্মরাজগী যাথং তাবদা উক্ত থাদরগা মখক কাংরক্লে উজ্জল পুংচৈ ভৈশিংগা চেনখরে (কহারবে সুশর্মা মহ মহ) কায়রকপদা খোমফমক তাবদা, গন্ধর্ব লাকলবনি খন্নুবা কিবদগী চেকশিন্নরকই। মহারাজা গন্ধর্ব ওইরমাক্লে লৈকনা লিংথা হায়হুনা লাক্লে চেকলদি হারখিজৈবা ভীম খোরক্লে। ভীমগী মীওই মখোই উবদা মীয়ানহ পাখংতুনা চেংদি। সুশর্মা পাক্ল মঙ্গ অকন অখো বিরাট হাংলসিরা থররঙ্গ কাংবুহাদি চেনবা নংহোৎলহুনা থকলেম্পগী কুক কক হৌগংদরকপগী ভীমনা চোংশিন্নুনা সুশর্মাগী মশান ওইগী খুদা পায়রগা মথদা চোংথকুগা পুক্কিবা বিরাটকি মখম খেংকি খুংনা পায়রগা খোক স পদা খৌরি থবং ১ তংনা উমসাকাও ভংবগা উ লিঙ্গুরে অমিনক পাইরগা চেকল্দা সুশর্মাহুদি মুংলিদবগী মচুখাহ খুকউমা মক ২ মৈশিন্নুনা চৈনাহুনা জান থাওনিমজে। বিরাটপু পাখংপদগী বাম্বরে ভীম ধর্মরাজগী মাংবা থবরগা পুজমক্লে হায়হুনা ধর্মরাজপু থুকাপগা হারগী কিয়োল কোংবং লৈক্লেংলম্ম মথদা কমহুনা লৈখি। অনিদি ভিংদম শিখহুনা লৈরে ধর্মরাজা মখোই উবদা ইনাওগী মীকন্নদিবু

কিংখিগনা হায়রগা কৃষ্ণ শোল্লগা সিং ২ মানবদা ধর্ম্মগী গুণনা অনিমক থুম হোল্লকই। বিরাটনা হায়া জ্ঞান লাকতুনা তৌগংলকপদা, সুশর্ম্মানা তৌখিবহ থল্লুবদা মুংঙাইখিদবদগী হাংলগে থল্লুমা থুংলগী সোরী থুদক্তা সংলপা চয়মদা থিল্লগে তৌরকপহ ধর্ম্মরাজনা, থুনাং পায়হনা মহারাজ সুশর্ম্মাগী থবায়সি কল্লসি। মান্নু শিবগা মাময়ে অমিদা থুংলাই থারুবদা কেজ্রি ধর্ম্ম থোকত্রে। পাপ কংডনি মহারাজধুদি লাই গন্ধর্ব্বনা মাপা চাল্লি। সুশর্ম্মাগী ধর্ম্ম মাইথগী গন্ধর্ব্বনা মহারাজদগী মা কাহনা পুরক্লগা মাসি মথরাইদি কনবিরগা থরা মারকপিরগা থংহোকপিথো হায়হনা ঐহোক্না শিরকথুগা গন্ধর্ব্ব চংল্লে। মাবু থর থিনা তৌবিরম্মাল্লে অহনদি থৌজিক্কাও জ্ঞান তাল্লিবনি। কঙ্কগী বাধায় তাবদা বিরাট পণ্ডিতজিগী য়াথংদি ননাই হিক্তোকপা তৌরজে কনবিরো হায়রগা ধর্ম্মরাজবু থুকমজে। সুশর্ম্মানা জ্ঞান লাকপদা তৌরম্মীবহ থংলহনা অজ্ঞা অসিনা ঐবু কনবিবনি থংলহনা, ধর্ম্মদা মনবত কংলগা অজ্ঞা ঐগী ইরালবু তাকপিয়ু হায়জরে। বিরাটস্থ হন্দোকতুনা কয়ই। যুধিষ্ঠিরনা সুশর্ম্মা নঙদি কনাগী থৌইমশিংগীবো কিচক লৈত্রে ঐ মরন য়ুনবা মায়নি হায়বনীরা? বিরাটতি গন্ধর্ব্বনা তাকই। কিচকতি গন্ধর্ব্বগী মরমদা উসিংমদবদগী শিখিবনি। ঙসি নংস্থ গন্ধর্ব্বগী থুজা শিরমগনি ঐনা নথরাই কনবিতৌরবনি। মতুংদা ধর্ম্ম কায়বা থবক তৌগনু, বিরাটকি মরন লোইনা হল্লুমই, অহুগা নথানি মলোম লৈনরমু কোমরো হায়রকই। কঙ্কগী বাধায় তাবদা বিরাট হোগংলকই। সুশর্ম্মানা ঙশ ই মানা বিরাটপু শাখিনা তৌখিবহুদা কোল্লবদা সোরীনা থিল্লকদবা চিংনহুবা লকক তৌহনা লৈ। ভাঁথনা অজ্ঞানা কোয়ৌ হায়রবদি কোমৌদনা হায়না লাওরুকপদা সুশর্ম্মা থংল্লেক থংহুনা কন চোংথংলি হনাই গন্ধর্ব্ব শাহুনা লাকপক লাওরুকপহুগা। থোনকম মামবহুদা কিরহনা অজ্ঞা নবাই কোমরুগে হায়বগা ভীমবু থুরুম্মগা চিংনা য়েংই। ভীমনা সুশর্ম্মা ঐবু চিংনা য়েংবদি গন্ধর্ব্ব মামবরা? ঐসি গন্ধর্ব্বগা কায়কেং মাম্নবনি। গন্ধর্ব্বনা থোনকম শকক্ম মাঙ্গৈ হায়বদগী ঐবু মাপা মুনা হৌই। অহুনা গন্ধর্ব্বনা মাসি হাংলগে হায়হুনা চরম মেংথাইরগে তৌরম্মবনি। ঐনা মথরাইদি কল্লসি হায়বদগীং গন্ধর্ব্বনা নঙবু থনম্মগা চংশিবনি। ঐনা কনবিহুনা নঙ মথরায় হিংরবি কোয়ৌ, অজ্ঞা পণ্ডিতজিগী মাথং হিকতোকনু। সুশর্ম্মানা মুংঙাইজরে হায়রগা বিরাটকা কোল্লগা, মহারাজ ঙসিদি মুথিংস্থ থেথরে। তীর্থগী মনাক্তাদা চাথিরহনা লৈরসি। হয়েং কোংহোল্লগা হিলাব তৌনরসি। সনা চংনিং অমাফাও মাংডনা ঐ হঙ্গে হায়হুনা যানরে।

বিরাটনা তেঙ্গোল মমাম কোবদা নিংথৌ মঙল ওইরে থংডহনা কিহুনা চেমখিবা মীয়াম কোইনা হক্তিমরক্লগা তেঙ্গোল অনিমক পুমা তুরেল মনাক থোংবাল লমজাওহুদা চাক থোংনকোইনা হক্তিমরক্লগা তেঙ্গোল অনিমক পুমা তুরেল মনাক থোংবাল লমজাওহুদা চাক থোংনরগা চাহুনা অহিংহু পোথ্লানহনা লৈখিরথরে। অসিগুম্বা মহাভারতকি বারি অসি মীওইবনা তক্লিকা তাল্লবদি অহুগী নতমদা জীবাত্মানা দেব দেহে ওইরগা হরিধাম কংই হায়রসি ব্যাস দেবগী মাকানি ইতি। হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

বিরাটকি অবাং মণ মণবা মণয়াম লনস্থু কুরুগী তেজোলনা খোম্বগী অধ্যায়।

মহাভারত লিখিবা মুনিনা হায়—জন্মেজয় ঐঙাগী ওনি পানবদা ভীষ্ম দ্রোণ, কর্ণ, কৃপা, অশ্বথামা রাওনা দুর্যোধনগী তেজোল অক্ষৌহিনী ১১ যাত্রা তৌরকপনঃ অহিংদা বিরাটকি লৈপাক্তা থুংখি। অহিংড় পোথানরে। ওনিগী নোংঙাল্লবদা প্রাতঃক্রিয়া-স্নান তৌইরগা পুজারিশিংনা চাক খোংহুনা চাবা লোইনরে।

বিরবেস লৈতেংনরগা শগোল, শামু শম্ব ক্ষেতেংমরে। খোংনী লান্মী থাং টা শদা মুষল মুদগর টাবাম টাবাক লম্বু টায়াই য়োংস্নুক ভূংথং পদাতি মহারথি অতিরথি একরথি সহরথি মতুউনা লোলাই শামু থৌজিগ্নরকহুনা বিরাটকি উত্তর পোশালা য়োরক্লে গোপশিংস্থু শক্তোম শুনা লোইহুনা রাখবাল মরামস্থু চাবা থকপা লেইনহুনা মণবা মণনাও মণয়ান লৈপাকবগী হোইদোক্লকপা মতমদা দুর্যোধননা রাথং পিহুনা লাম্মীশিংনা মণয়াগবে রাখবাল মহমগা কোক্ত-শিন্দুনা কারে। কুরুরাজনা তেজোলদা নংমা ২ পাম্বৈ মণী মঙক্তা থৌরী ছকুগা য়েংশিন্দুনা পুনশিল্লো হায়রকই। থৌরী ছকুগা য়েংশিন্দুনা পুনশিনবা লোইরে। অমুকস্থু দুর্যোধনন লনগৈ ওনি লো কতাহল্ল, গোপা থুজং মস্থু শনিং তেনা য়েংক্ত সম লুপা অফং অকাবহ নংমা ২ লৌজগনবনি। রাজাজ্ঞা কবদা লাস্মি মরাম থুংলাইগা চংশরকতুনা পুগৈ ৬ ভু শংজিবা মীশিংহু তমথাইহুনা থোং কক্তায়রগা চঙহুনা এহে ২ লৌনরে। অহুদগী গোপা থুজ দম্ব চাই থাইনহুনা সনা লুপা মুন্থুগা লোরে। দধি দুগ্ধ ঘী মাখন অমং ২ চাদৈ থকদৈ। গোপা গোপী বাল বৃদ্ধ যুবা মথরাই শিনিংনবদগী কপতুনা মাহুগৈ [illegible]রে লুপী অতাংনা সিজ-ভিজবাকাও থংহুনা লোরে। দুর্যোধনগা গোপ মঙা ফাবলগা চিঠি ইরগা চিঠিহু পিরগা গোপা ২ হু মখোই থুনা কোম্মুংদা য়োরে পত্রাসি পিরু। একাদশ অক্ষৌহিনীগা, কুরুরাজ লান তাই-হৌখি হায়ক থাখরে। গোপহুত ২ শগোল তোংঙগা চংখিহুনা দরবার হোজং য়োখি। শগোল বাম্বিদা পিররগা রাজসভাদা চংতকই। উত্তর যুবরাজবু থুকঙগা হায়রকই যুবরাজ! হস্তিনাগী দুর্যোধনা অক্ষৌহিনী ১১ গা লাকতুনা মণয়ামগা রাখবালগা কোমন কাথরে। পুগৈ থুগাইরে, গোপ থুঙংগী সনা লুপা লোইনা মুন্দুনা লৌরগা এখোইবু কারগা চিঠিসি পিরু থায়কপানি হায়রগা চিঠিহু উত্তরদা পিরে। যুবরাজ চিঠিহুগী মরোল্দা, বিরাট এখোই তাইরি অঙিক লৈরগা লানথোক্লকউ। ঐখোই লমহুনা মুনগে লাকপনি হায়রকপা। চিঠি মরোম্বু তারগা গোপহুতশিংনা

হায়রকই যুবরাজদি ধনুর্বিদ্যাদসু মতিকচানা হৈরবনি, হৌজিক লানথোক্লগা য়েকবদু জয় তৌ-রগা মণবা মণনাও লন মুনবিহৌ অদু নত্রবদি লৈপাকসি রাবা তারে হায়রে। অমাংলোমগী পাণ্ডব তাবদা সুদেষ্ণা রাণী পুরনারী ময়াম সভাদা পৈররে। রাণীসু পুরনারী পুমমকসু রাবরে। উত্তরনা পামোম তিংলগা থা চিকতুনা খোং থিল্লগা হায়রকই, থামোমগী লাম্দা পাবুনা নিপা লোইবা পুথি। হৌজিক সারথি ওইবিনবা অমফাও লৈত্রে। সারথি অমতং লৈরবদি য়েকবা জয় তৌগনবনি। অদুবু সারথি অমতং লৈরবদি ঐগী ইতিক থত্তহনগে হায়ববু উপায় লৈরেকমদোনি হায়রংপদা, দূপী মখামসু গোপচুতসু রানরহনা কপ্পরক্লে। দ্রৌপদীনা বিরাটকি লৈপাক্তা য়েক্রবদা থেংশিল্লকইবনি. কিচক লৈখিদ্রবদগীনি চহিসু শুরে, উপায় তৌহনগে থন্দুনা উত্তরা কৌসিল্লগা হায়রকই। ইবেম্মা নবুংগী সারথি লৈতবগী রাথরিবসি মহাক্তা ওজা কৈদাহ সারথি হৈবনি। রানবা তাংনরগা ওইকল্লবদি লেপ্পসু মঙল ওইগনি অমুক্তা হায়রু হায়রকই। উত্তরা কন্যা চংখিহনা মহুং যুবরাজদা তঙ্গরে। মতনগী পাণ্ডবম তাবদা যুবরাজনা ইবেম সৈরিন্ধ্রী মোমদা অমুক্তং চংবিরকউ। রাকত অমত্তা থরসি হায়রকপদ, কুমানা যুবরাজ অদুম হায়রকপদা থমবা য়াগনি ঐ সত্তা ময়াইনদি চংনিংবে হায়রকই। উত্তরনা বৃহন্নলা ওস্তাবু সারথি হৈ হায়বসি ইবেনবু মূল্লা থংবিবর। অমুক্তা কাংবিয়ু ঐদি হৈরমগনি কয়া থাজদে। কুমানা যুবরাজ ঐ য়ায়া মুনা থংই অদুদৈ পাণ্ডবকি অর্জুনদা ইশ্রগী থাগুবনবু মৈদা দাম তৌখিবদু ওস্তাজী অসিনা সারথি ওইবনি, রানবা হায়নৌ। ওস্তাজী অসিনা সারথিবু ওইরবদি জয় ওইদলিংঙাই লৈতে, অদুগী বিদ্যাগুণ অমা লৈবনি ঐনা হায়বনি হায়না তাকথোকউসু ওজাদা বাথৌখিনি হায়রকই।

উত্তর সত্তানা হায়বদি সোইকরোই থন্দুনা মচন্দা কন্যা নং চংলো ঐনা হায়জরকই সভাদা অমুক্তা থুনা হৌবিরকউ কেরু হায়রকই। উত্তরা কন্য অর্জুনগী লৈকমদা চেম্বকুনা খুরুমজে। অর্জুনা রাজকন্যা নহাক থুনা লাকপদি করি হায়নিংবা লৈবগে ? কন্যানা ওজাবু ইবুং যুবরাজনা অমুক্তা সভাদা হৌখিরকউ হায়রু হায়জরকই। অদুগী লাকচবনি অমুক্তা লেংবিয়ু। পার্থনা কন্যা ময়ম করিগীনো ? মরমদি হায়রক্লে থমগদবা অমা লৈরগাল্লে। অর্জুননা অদুদি য়োরনি হায়দুনা অর্জুন উত্তরা ২মক সভা য়োরক্লে। অর্জুননা যুবরাজদা ঐবু কৌবিবদু করি মরম থগ্নগদবা লৈবগে হায়রকই। উত্তরনা ওস্তাজী অসিদা চংবিরকউ। পার্থনা ঐনা সভা ময়াইদা চংনিংদহনা তৌবনি। উত্তরনা ইপু ঐমা য়ারবদি থেরা লৈতে চংবিরকউ হায়রকপদা, পার্থ সভা ময়াইদা চংত্রক্লে। উত্তরনা মচন্দ ইবেম্মা ওজাগী আসন পুরকউ। উত্তরানা আসন পুশিল্লহুনা থাজরে। অর্জুন আসন্দা ফমে, উত্তরনা ওস্তাজীবু সারথিগী থবক হৈবিত্রা হংগই। অর্জুনা যুবরাজ ঐদি পুং ঈশৈ জগোয় হৈ, সারথিগী থবক্তি অকন অথোগীনি ঐদি মহ হৈতে হায়রকই। উত্তরনা ইপুগী শিনকমহুনা হৈরমগদবা মাঙ্গে অহবু ইপুদি সারথিগী থবক য়াম্বা হৈ। মমাংঙোদা

কুরুলগী ওখা অর্জুননা ইন্দ্রনচিংবা লাইহাবু জয় তৌরগা লৈমা থাজনবু থান তৌখিবহ্ ওষ্টাকীনা সারথি ওইথনি হায়, অদুনা ওখাবু কৌবনি। হৈরবদি সারথী ওইনিবু রেকুপা জয় তৌগে ঐগী ইভিক ইঙ্গুণ,থংহনগে হায়রকপা বাহু তাবদা ভূমিঞ্জয় ঐবু সারথী ঐহ হায়রগনি কনানা হায়রগে হংজকপদা উত্তরনা বাকনহু তাকথোকউহুদি হায় অদুবু হায়যোক্লগে, ইবেন সৈরিন্ধ্রীনা হায়রমি। বাহু তাবদা অর্জুননা হায়রকই। ইবেমা ঐবু নহাক্কা সারথি ওইবা যাদি হায়রসি মুমা থংনা হায়বা অপেংবমক্কা অমুক্কা হায়রকউ হে সৈরিন্ধ্রী! দ্রৌপদীনা ওখা ঐনা ইন্দ্রপ্রস্থদা পঞ্চালীগীগী সৈরিন্ধ্রী ওইনা লৈজরগদা মুমা থংকৈ। ওখানা সারথি ওইখিহনা অমুক্কা উপায় তৌখিবু ঐখা মুমা যাদি থম্মূখা হায়জবদি হায়রকই। হংওকইব' বাকয় পাংদি মুনিং পাক্ক-লনবা থংদহনা কৌরবনা থংনবা লোৎজিবদি চহি মুবরা রেকুবা উনবা যাগজা কংবনি। কুকাদি মুনিং পাবদা চহি ১দগী মুনিং গনি লেক্লে থওতনা উপায় লৌহখিহনা ওখানা সারথি ওইবিরবদি লেপ্পা জয় ওইনি থংজহনা হায়জবনি। পার্থ মতৌনা খুম্মূকইব' সাকপদ্ধদ মুনিং মুবহনা মতৌনা লৈপাকি অহ্রাবদি উপায় লৌহমিংহনা হায়রবনি হায়বা কলুংগী বলহ থংলে। উত্তরনা ইপু ইবেনদু সৈরিন্ধ্রীনা হায়বা যাদি সোইরয়োই থংজহনা হায়জবন, ইপুনা সারথী অমুক্কা ওইবিয়ু। ইবেমা তাকপিবদা ইপুদি সারথিগী বিত্তদা ইন্দ্রগী মাতুলি, কৃষ্ণকি অরুন দশরথগী সুমন্ত্র, কৃষ্ণগী দারুক, সারথিশিংগা মান্নবনি হায়না তাকপি, অদুনা ঐনা হায়জবনি। ইপুনবু যাথিরবদি কুরুরাজ জয় তৌরগা থগলন লোইনা মুমগে ঐগী ইত্তিক থংবিয়ু। ইপুসু হায়রগা উত্তর গ্রীসম্ভা মরাইদা পাম্বোম তিংহনা মামব তৌহনা হায়রকই। উত্তরগী মতৌ উমদ মতৌগী লিংবসু থুংহনগে বিরাটকি উপারম্ব তৌরগে থমহনা উত্তরদা হায়রকই। যুবরাজ .ক কম্ লৌমঃ উবহুদা ঐনা রেকুবগী মাংদ মাই ওৎরকচ্র, থম্মূনা লৈতে পায়বনি। ঐদি রেকুবগী মাংদা মাং ওম্মূমা হল্লযোই পায়বা যাক্ক ১ লৈ।

মহাক্কা রেকুবা জয় তৌভ্রিকাওদি ঐদি মাই ওক্লয়োইদবনি মরম অ'মনা যুবরাজনা রেকুব কিহুনা চেকপদবা ওইরবদি, ঐবু সারথী ওইয়ু হায়গমু। বৃহন্নলাগী য়াহায় তাবদ উত্তরা তাংদ ওষ্টা ঐম্ব রেকুবা কিহুনা চেপ্লোই হায়বা যাগক অমা লৈ। মায় ওনগদবা ইপুগা চেমব হৌমজবা ঐগা থম্মোক্কা জুং চানরে সারথি ওইবিরো ঐ ইপুগী মমা পিরগে হায়রগা থওক্ক থলিগী লিক পাংবং লৌথোক্লগদ ইপু' অদি কংবিরো পিরে। পার্থনা যুবরাজগী মায় তাকুন লৌরগা কাহুনিনা উত্তরাদা ইবেমা ঐদি থেকানি অহমম্ব ওইরে ইগামা পিজরো হায়হুনা পিরে অর্জুননা যুবরাজ থোক্লমি। উত্তর অর্জুন এমক রথগ লাংলোএদ লাকই অর্জুননা যুবরাজ রথ. ১ ইথোকউরো লেম্বদি ঐ লেবগে, উত্তর চংগগা সনাদমা লৈতেংবা থৌনা কজরবা কোল্লা ১ ইক্লোক্লকই। পার্থনা যুবরাজ লোলাইহুদি লৈবেংগী রথনি অম্মা লিজিনবা যায়োই থোবন কিতম ওইব অবিবো রথ ইথোক্লকউ। উত্তরনা ইপু কুরুরাজদি ইনাক থুংনবা লিংথৌদি

কম্বা কয়েরবা তোংঙ্‌ৱবদি নোক্নরমগমি ফজবসি তোংসি।' পার্থনা উত্তর অহুনি লুহোংবা লাই খুরুম্বা কুম্মৈদা তোংগদবনি লানকমদা মাংরোই অরি বা ইঙ্গোক্লকই ঐ শেমগা ফজহনগে হায়রকই। উত্তর রথঙ্‌ ইনসিন্নবগা য়োংবা কিডম্ এইবা লিঙঙ্গবা রথ ১ ইঙ্গোক্লকই। অর্জুননা উত্তর বাগমার্কা থাল ২ অহুমগা কাটি পাইজ থেক্নুগা পিয়ু হায়বদা, উত্তরনা পুগৈদগী লোথোকউরগা পিরে। ধনঞ্জয়না রথঙ্‌ বাগমাকাঙ্ লমনি থগাইরোম কৈরক্ত হাংলগা কিরাল লৈনা হাপ্লগা মাইকৈ ৪ ছত্র ৪ পানখংলে অম্বারীম্‌ শ্বেত, পিত, রক্ত, নিম মচু কয়াগী নিরান লৈনা হাপ্লা লোইরগা রথিগী গুণ হাপকদবনি। কিরান ১চা ৮ শেম্মগা অয়ুপত্র মরেক পৌতক ইরগা কৈরাক থাঙনা কাবংলগা নিলচক্রদা জয়পত্র থামা হাপ্লগা কুনথরকই। অর্জুননা শেম্মবা রথঙ্‌ য়েংবদা উত্তর পুক্নিং অনা ফজরে। পার্থনা রথতি মবা শগোল মরি লোথোকউ কায়রকপদা উত্তর শগোল নোইরবা বোজাই শগোল ৪চি থোক্লকই। ইপু য়েংবিয়ু, অর্জুননা উত্তর, শগোল অহুদি থচরথোঙা মাল পুনবান রথ চিংবা ঙম্লোই। অশ্ব অশেংবা লানগা পুথোক্লকউ। ইপু মসি চৈ থাংলবা মপাঙল লেবা শগোলনি। অর্জুননা চৈ থাবদি লিম্না কোক্লবনি, চৈ উবদা পায়-গদগুম হে মবু লিম্না ফরবনি খুংলাই মরক থাম্না চংগদবনি। শগোলসিদি রথচিংবদি লায়রক্প ঐগী খুংকাম্লীফাও থাবা ঙম্লোই। উত্তরনা ইপুগী খুংকাম্লীঙ্ অমুক্তা কাপ্লীয়ু য়েংজগে। পার্থ মন্ত্র শোম্লগা শগোলগী মরাইবক্তা খুংকাম্লী কাপ্লদা শগোল ৪মু পুমা খুকউ কুপ্লি। অমু উবদা উত্তরনা শগোল কুপিন্নবগা ইপু য়াওবিরো ঐ চিংথোকচগে শগোল মপক ভাকপিয়ু হায়রবদা, পার্থ উত্তরগা শগোলশং খুদং মথং২ য়েংলকই খারোমদা লোইনা পুথিবমা রথ চিংবদা মতিক চাবা অশ্ব লৈরে।

নোংচুপালামগী শঙ্কু য়েংলকপদা ইপুনা মচাগ দমক থারকপা উচেকশ্বর্বাগী থারা ৪থক য়াওর সৈন্যশিংনা শক্তিক থুনবদা অভদা ভুম্লগ মথোইদা কোম্না ছন্নুরবদি জাতিগী মগুণ ভাকপদগী চাঙ্গে মথেংদা হানা ভুনবা হুনিঙু চায়। সৈন্যশিংনা থংদবদগী চাদবনা মশিং হেন্দুনা মরাং কাঙ্কিবদুদা শিরগদবা ওইববোক নিংতুনা মনিংগী কাদা পুরে। মশালোম্লদা কোম'তোইনা থম্মে শগোল ৪ত্ শবমদা কুন্দ্রম লৈ অর্জুনদি লাইশা ৪হু উদবনা শংলাংহু য়েংভকপদা য়াওজ্রে থম্মুনা থোক্লগে মাই ওনথিবদুদা লাইশাসিংবা উরহুনা যুক ২ হোগংলগা থেজ্জুনা মমিত্তা মশি ত্তারগা অর্জুনবু কৌরকই। হে পার্থ ঐথোইবু অমুক্তং মহাক্না রথদা তুরিরগা লানফমদা অমুক্তা পুথোকপিয়ু ক্ষতিগী ধর্ম ভাক্লগা শিরবম্ সনাভম্দা শিক্লথগে। ঐথোইবু মথোইনা থংক্রমাম্লে য়াম্না রানা পিজ্ শিথজুনা থম্বিরে। ঐথোই নকাজবু ভাইহুনা লৈজরিবনি কৌরকই। অর্জুনদি শগোলগী মরোন থংবনিনা উত্তরদা শগোল লৈরে চিংথোক্লরনি চংভজুনা শগোল ৪হু চিংথোক্লকই। উত্তরনা ইপু মথোইসি নারহনা শক্তিক চাত্রবনা মরাং কাংলবনি লিমবু রথচিংবা ঙম্মোই হায়রকই। পার্থনা যুবরাজ শক্তিক পোলাং ৪মং পুথোক্লকউ

শিকনি চাগনি। উত্তর পোল্লাং ৪ লোথোকখ্রে। অর্জুনবু পোল্লাং ৫ মু হেনোকলগা পিজনবা শগোলশিংদু খুরা ভাগ-ভাগ লোয়না শাইরগা অং ২ রোংতুবা পোল্লাং অমমম খুনা ভাবা লোইশিল্লি। উত্তরনা ইপু শগোল ৪ সি চিঙা থোকদাগী মথান্দি খুরা শিরনি, রথ তিংবা মাররোই হায়রকই। পার্থনা উত্তর শক্তি লৈবা শগোলশিং, খুনা লানথোকপা মবেনা ভাবনি। উত্তরনা ইপু ফলাইগী খুংকাপ্পীত অমুক্তা কাপ্পীয়ু যেংজগে হায়রকই অর্জুননা মম পোল্লগা মরাইবক্তা খুংকাপ্পী কাপ্পদা মরিদু থেকতুনা পাইশনবত্তম মথোং ক্র: ২ থিল্লি। উত্তরনা ইপুগী খুংকাপ্পীসি শগোল অমোংবদনা পুক্কে তুনবা অশোনবদনা অং হৌনবা মকোন শাইনা হৈবা ইপু। অর্জুননা উত্তর শগোল ৪ সি উচেকখুর্দবাগী থারানি, লাইকা শাবনি। লৈমাশিংকোগী অঙ্গবদগী অইক্লেনা শক্তিক ভাবা ভক্তরগা, মথোইদা কোয়া ভক্তরবদি অঙ্গুপ তাকপদগী চারম্বরোই। অদুনা ময়াম কংবদি। ভূপ মতেং খুদাপ মরিদং থংলকউ ঐ লোইকনগে হায়রকই। উত্তরনা ভূপ খুদাপ মরি থংল্লি। পার্থনা মথোং মরিমক খুজিল ককপিরগা ঈকভাইরে। শেংবা হৈথোক্লগা সথেংলাকজনা থেকভুনা শেম্মে। উত্তরনা ভূপ খুদাপ মরি পার্থদা পিরে। ভূপশু নম পোল্লগা শগোল অরিদা খুদাপ অমমম পিজবদা মরিদু যোক্তুকমুক লৌরে। মতোংদু উবদা উত্তরনা ইপু কৌরবশিংগী ওবা কোরে

অর্জুন শগোল মরি রথদা ভুরিরগা যুবরাজ রনবেষ খুংশু খুংলাই সাজন তৌরগা যাত্রা অতমদা ঈমা খুরুম্নগা বর নিক হায়রকই। উত্তর সাজন লোইকরগা মমা খুরুম্নগা বর নিজৈ। লুহেঙ্গলাগী মচাবু লেপ্পা মঙ্গল ওইরু বর পিরে। উত্তরনা মমাগী শান লাইবক কংজগা নিংতি হাপ্পে। রাণীনা সোথবা সত্তীশিংদা অবংগী হোজংকাও যাত্রা মঙ্গল লাংদু হায়রি ভুপীশিংনা লকু চু মুংজে সন্তাপুন ঈশিং থম্না লম্মী। ঘট চেং থোইদিং লৈ-শত্র, তিংথৌ, ধুপ, শাংবৈ, লৈ পরেংগা কাঙুপ লৈনরি, দ্রৌপদীনা হোজং ব্যংমদা লৌখি। উপর কৃষ্ণ পোল্লগা রথ লাইবক কংলগা বরি কমক্কাদা কপে। পার্থনা সাবাপ ওইদুনা চুল্লী কোক্তে ফারগা শগোল মথাই থাংথেল্লগা, অগোই শাবগুমা শদংদন থোদেংবকপত প্রক্তিং ভুগা কজবল্লি, ভুপী মমাম্না মঙ্গল ওকই। উত্তরাগী কন্যা ময়ামশু ওম্বা মঙ্গল ওইবিরকউ খুরুমজৈ। পার্থদা কন্যাশিংনা লৈ পরো ভুকই। মঙ্গল মথং ২ ওক্লগা পুথোরকপনা সনথোং লাম্বোক্লকই। করি হায়মিংই, উত্তরানা অথোই পুতলী শেলাগী কজবা কি থর পুবিরকউ ওম্বা হংমজৈ লৈহোবে। কৃষ্ণা সত্তীনা মবুংতোগী মঙ্গল কংবলবগী তাম্বিরদু যুবরাজনা বংরোমদবা হায়রকই। যুবরাজশিংদি অমাম্না মঙ্গল ওক্লকই। বৃহন্নলা ভট্টাশিংদি সারথিনি হায়বগী মঙ্গল ১ম্বা কংঙ্গে, সারথিনা জয় লৈক্রবদি রথিগী খুদোংথিবনি অদুনা রথিগী খুদেংচাবা সারথিগী মঙ্গল কংকে-কো হায়রকপদা উত্তরনা মখোইকরে ঈবেল ওম্বা রথ থাবগা, অমুক্তা ঈবেলগী মতম লোবির। কাম্বনি রথ থংনগা কুমথুনা সত্তীগী মাংদা লেপ্পী। সত্তী খুরুম্নগা চেং, থোইদিং, তিংথৌ, লৈ, পত্র, জলগা

মবুংঙোগী অভিষেক তৌরগা বতি চখি। ধুপ চুথংলগা ঘট পুজাগা লোইনবা কৃষ্ণদা লৈ পরেংছ কংলগা নির্মাল্যচু, মবুঙোগী গুজ ছুরুগা মিত পি শিন্ধরগা ইমাগী পাও হংবিরকউ নলাইগী সভা পর্ব্বগী লমনশু শিংবিরকউ। অদুগা মতম কুইনা উত্তরবা ইচাঙুবা উত্তরগী বরাইনু কনবিরকউ হায়রৈ। সতীনা চহি ১৩ কাইনরবা ইমা পল্লকপদা হিক ২ কপ্পগা প্রেমশিঙ্ক মা- পার্থনা সত্য ক্রিয়ে নানা হায়রবা পুয়মক ঐ পাংথোক্রকে বাশকখি। কৃষ্ণ কৃষ্ণা ২না হায়নখিবা য়াফমদি উত্তরবু তাহন্দে ২না প্রেম শিঙ্গনবহুদি রথকি মথক্তা লৈবা ভুমিঙ্গমনা উপদ, হুদি থুক থুক লাওই সতী খুরুম্মগা লৈহৌই। অর্জ্জুন রথ কাখক্কে। উত্তরনা ঈবেনগী ঐনা সতীগী বাখল ছুমিদা অরেপ্পা থংজরে। এজাদা থঙ্গোয় কংখিবসি থংলবদনি, মাম ময়াম শিখুবসি কন্দক অহাংগী লান কক্তিন্ধকপদা ওবাগা ঈবেলগা ঐনা অউনপোং তম্মগা চাওবা কোংজরগে হায়রকই।

উত্তরগী বা তাবদা নোংকফেং ২ তৌই ২মক, কৃষ্ণা চংহৌরে। পার্থ রথ থৌরকই উত্তর খুথোঙ্ কক্সবহুদা রাগ লাক্কুমা, থৌ ২ হায়রকই। অর্জ্জুন চুপ্পি কোমলপ থারগা শাক্কে কাবন কায়রকপদা শগোল ৪মক মুংশিংকি মাং থানা চেল্লকই। উত্তরনা ওস্টা রথ থাম্মু প্রলয়গী মুংশিংনা শোরক্কি নাক য়েংকি উ কুরুগা পায়সিনখরে মুগী ময়াম উপানা নন্দুনা শিরম্মনি বাংবদা রথ শানক্রে, কৌরবকি তেঙ্গোল পমাং মৌনবা থৌরকইবনি। উত্তর কিহুনা কিরান চৈথোক কোনগা মিং উইশিন্দুনা ভুমিন লৈখরে। অর্জ্জুন ভুমিন লৈখরে, কৈদৌরবনো রথ থাম্মগা য়েঙকপদ, উত্তরনা মতৌদু উবদা, যুবরাজ কিরান চৈথোক কোন্দুনা লৈরিবদু করিনো? এঝা কৌক্তিকি মোংলৈ মুংশিংতুনা সডক নাক গেংকি উ পরেংছ ফুরুগা পায়সিনখিবমা মুগী মথামছু. নন্দুনা শিরম্মনি। ঐপু রথ থাম্মু য়াদবহুদা তাহুনা খুদোংথিবা তারে কিহুনা কিরান কোন্দুনা মিং উইশিল্লগা লৈরিবনি। পার্থনা মোংলৈ-মুংশিং নক্তে নকাক্কা থৌ ২ হায়বহুদা মুংশিংকি মাং থাবগুব উবনি। উত্তরনা য়েংবদা লোইনা লৈ, ওঝা অসিগুম্বা খুংথৌসি মতুংদা তৌবিগমু ঐ ত'হুনা শিরম'নি। অর্জ্জুনা যুবরাজবু লান অমুক্তা থেংনন্নিবরা? ওস্টা মাম কিচক লৈবদগী ঐথোয়গী লৈপাক্তা লান অমুক্তা থোকতরি। উত্তরগী রাহার তাবদা পার্থনা ঐনা কৌরব তেঙ্গোল উনবা থৌরকপদা শগোল নবিনা রথ ফুরুগা পায়রকপনি। য়েংউ উরগনি হোয়েন লানক্মদদি য়েক্রুবনা কোয়শিল্লগা কার্শিল্লকপ্তু মাইয়োক্কবা ওয়বা রথ ফুকংলগা সুন্দা চক্রগুম লৈগদৌরিবনি। অদুদি কমদোগনি হায়য়ু? উত্তরনা ওজা অদুদি ঐগী শোয়াত ১৩ শিদা জাইরে চায়রগা অরাং ওন্নগা য়েংঙকপদা কৌরবকি তেঙ্গোল সমুদ্রগুম্না উরে। উত্তরনা ঐনা কিহুনা মিং উইশিল্লিরৈদা ওঝাদি সমুদ্র তাম্না থৌরবাল্লে মাংদ, সমুদ্র লৈয়ে। অর্জ্জুনা উত্তর লমজ্রু নক্তে কৌরবকি তেঙ্গোলনি। কুরুরাজগী একাদশ অক্ষৌহিনিদি সমক্রগা প্রমাণ তৌনরি- বনি। সমক্রগী খোংবান্দা তা ময়াম শায়বগুম উরিবসিনা পদাতি মীয়ামনি। মহাজাল থাহুনা

শা কাবা চিঙ্গাওঙুম উরিবসিডা য়াংখৈ শায়ু তোংবা রথিশিংবি ঊশিং ইপাক্লুম উরিবা অসিনা মহাক্তি মপাকাঙবি নমুক্লগী ঊথকুম উরিবা অসিনা রথগী লিক্লাল ময়ামতুমা থুংশিনবা দ্রুষকপাবা মমুক্লগী ঊথকুম উবনি, ঈরাওখোলঙুম তারিবা অসিনা তেক্কোল ময়ামা শিলবগী খোঙ্কোকনি। অপক্তনা গুরুকক্রবা দ্রোনাচার্য্য, অশ্বথামা, ভীষ্ম, কৃপাচার্য্য, কর্ণ, রাওরিবনি। অনজাবা মোঙ্ক খনি হায়রকপদা, উত্তরনা মুমা মেখেবদি তেকোলসি থংলকই। তেক্কোলসি খংলংপদা কিমদগী হকচাংক্ষু পক ২ লিক্লকই। ঐদি বাখল কৈথোয়রবদগী এক দশ ১০দনি খন্দুনা লাকপনি অশৌকিলিগী অাবকি তোতোক্লে বৃহন্নলাগা ঐগা চংক্লরবদি লেপ্পা শিরগনি। চংক্লরোই খল্লগা, উত্তরনা ওজা দোলাই মরাক ওয়ো হল্লসি মমুদগী পান্দম ওইরবা কুরুরাজগী তেক্কোসনি। অহগা ইক্কনাচিংবা লাইরাখ্লগা গুরুকক্রবা ভীষ্ম, দ্রোন, অশ্বথামা, কর্ণ, কৃপ, রাওরবা অসিদা চংক্লরবদি লেপ্পা শিরনি চেংসি। অর্জুনা যুবরাজ ঙসাই কুপী মমাংদদি থোনা ফনা ঙাংলপা মেক্লবগী মাংদা ঈমায় ওন্নবাদ কেন্ত্র ধর্ম্ম নক্ত মীনশু নোক্লরনি মরল মগশু মাংলনি। উত্তরনা ইপুস্থ কৈদানি ঐঙ্গ শহানি অদিনয় মাঙ্কেক্লরবদি লেপ্পা শিরনি। ইপুদি নপুংলকশিনা শিকিংঙমগনি, ঐদি শিনিংঙ্গা। খরাকৈ শিক্লবদি লান্দ অাল্লবশু ফংগনি, খরাইদি কমশু লৈবা ফংলোই। ইপা নিংথৌশু খংরোমদা লান চৎখিবা কল্লকক্রি মোমদা লংকক্লদি ঐথোইনদমি দোলাই মরাক ওলো চেক্লসি। অর্জুননা উত্তর ঐদি লাঙ্গা চংক্লরবদি মরাক ওনবা কৌনদবা রাণক লৈ কারখিংক্লমি ক্লশগী মমাংদদি মাপন কৌহনা ঐঙ্গ মেক্লবগী মাংদা চেংোই হায়বা রাণক লৈ। ইপুগা য়াক্তা মায়বে অালো লাওহনা নাপল তোরগা চৌকিক চেনবা হোনদে, দান খেংনপদবনি। হায়রগা পার্থ রথ খোঁরে। উত্তরনা মতোহু উবদা য়ারোইদোরে মা চংখ্ নশু ঐ চেক্লগে খন্দুনা ওস্তাকোগী লিন্দা মেংগে ক্লায়জবনি খংজরে থোয়োা ২ হায়রকই। পার্থনা রথ থোরে, উত্তরদি খুংশু খুংখোই থঙ্গা কি তাথওনা রথগী ভুংলোমদা ভুমিত্রা চৎলগা চোংখহনা কোল্লুংলোমদা চেনখরে।

সারথিনা রথ থোরকই। রথিনা চেংখিবহু উবদা কৌরবকি তেক্কোলনা হোৎনা নোক্লরকই। মাহু তাংবদা অর্জুন উত্তরনা কৈদোরবগে মেংঙকপদা উত্তর দোলাইনা লৈয়মক্লে। পার্থ চেনখিবহু উরে রথ খাক্লে শপোল চুপ্তি কাঙ্গিল্লমগা উত্তরবু কায়গে চানার কৌতক তাথবলগা চোংথক্লনা তারবি। মহাভারতকি বারী অসি মীওইবনা পুক্লিং চংনা তনবা পাজবদা পুক্লি লোইবদা লেপ্লেহে ওইরগা শ্রীহরিধাম ফংভি ব্যাস বাক্যনি ইতি॥ হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

কৌরবকি তেঙ্গোলনা অর্জ্জুনদি থংনরকপগী বাল্লা মতাং।

বৈশম্পায়ননা হায়রকই মহারাজ ভূমাপতি! শ্রীকৃষ্ণগী ভুজার সোথোক্লবা বীর রসলীলা মহা-ভারতকি বারী অসি ভক্তিদা তাও অহ ওইরবদি অবে ভাইন্থু, ব্রাহ্মণ মক্তককন্থুবগী পাপন্থু কোক্লপা পুম্বি লোইবা মতমদা জীবাত্মান দেব ওহে ওইরগা হরিধাম ফংজনি। কৃষ্ণ ভক্তিবু লৈত্রবদি মীওইবগী অবেম্বা পুম্নিদি হায়না শাস্ত্রনা লেপ্পি। মহারাজা উত্তরবু কাগদবগী অর্জ্জুনা তাম্নরিবা অহ উবদা কৃপাচার্য্যনা দুর্য্যোধনদা হায়রকই মকার'দা মাংদা চেল্লিবসি কিন্না চেল-লবা বিরাটকি মচা উত্তরনি, তু'দা তাম্নরিবা সারথি নপুংসক্কি ফিজেৎ শেংলিবা অমিদি চেনবা মতও কাগদবগী তাম্নদি লোইদনা লান চক্কনি। মদুদা অসিনা লান চংলক্লবদি তোঙ্গেংল অরাবা তাওনি। দুর্য্যোধন আচার্য্যগুরু সারথি ওইরকইবা মৈদাসি মশক থংত্রা অমুক্তা হায়বিয়ু। কৃপানা ঐনা হায়বদা নখোয়না থাজরোই, আজানু লম্বীত ভুজনি শাবাম্না চরাম্নবা নোংলোগী মতৌ, কিচক বধ তৌথিবা লাইর গন্ধর্ব্বব ওইরমগনি নিংই। ফিজেৎ অসিম্না থংহনবনি হয়রকই অশেংবদি হায়দোক্তে। দুর্য্যোধনা গুরু লাই ওইরো গন্ধর্ব্ব ওইরে ঐবু মেরুগদবা মরোন ওদা লৈরোই। কৃপাচার্য্যনা কুরুরাজ তাংহাক লৈরগা অরেম্না শংক্রনি। হায়বগা কৃপা বা তাংদনা লৈদি। দোনাচার্য্যনা ভীষ্মদা হায়রকই রথিগা সারথিগা ২সি মশক থংবা হায়রকই।

ভীষ্ম কৈদাগী ফিজেৎ শেংলিবা সারথিত্থমন্থু অর্জ্জুননি থংলে। অহম্বু ঐকগী দযাদগী মন চং-লুরিবনী। মসিং পনবদা কো'ংবা শক্লনি। দ্রোন গুরুদি মখোইগী গুরু ওঝানি ব্রাহ্মণনি ঐনা থম্ভদে হায়বগা ঈস্তাশংগী চহি, মুমিংন্থু শুরে মসিং হায়দে'কহল্লগী কোংবা শক্লনি অহনা ঈওশিংগী মঙ্গল ওইগনি থম্ভদে হায়রগে থল্লগা গুরুগী মা'দা চেল্লিব'স বিরাটকী মচা উত্তরনি। দুংদা তাম্নরিবর্সি মেষ অসিনা কৈদাদি মন্দে। নপুংশকী ফিজেৎনা লৈতেংবনিম্না মশক্তি থম্ভত্রে। উত্তরবু কাম্নগা পুম্নিম্নকদবা মাপ্নি, গুরুনা থংলবদি অমুক্তা তাকপিয়ু। দ্রোনা ভীষ্ম মখোইগী শাগেদা লংকৈদা চংখিবমগী কুইনা উনখিত্রবা মাওবরা অমুক্তা নিংশিংত্তে। ভীষ্মনা গুরু মহুদি মাওখিদে, গুরুনা থংওবদি অমুক্তা তাকপিয়ু। দ্রোনা ঐদি থম্ভলে মানা মেষ ওম্মাকতুনা মীবু থওহম্নিংদনা লাকপম্নিনা হায়দোক্লিংদবনী প্রমাণনা থম্ভবা হায়রগে।

---

* মূল তথাহি। জীবনং কৃষ্ণভক্তস্য বরংপঞ্চ দিনানিশ্চ। নতুকল্প সহস্রানি ভক্তি হিনস্য কেশব:॥ পদ্মপুরাণ উত্তর খণ্ড ইতি স্মৃত।

ঙমৈনাহে মায়নায় নপাম্বি অজ্ঞ লক্তায় ঈশ্বর নপৱিপু মায়মক। পোখৎ লোহহে আখ কুরুসগু মারী। অজ্ঞনায় বেশ থাগী হুইনদ কাবি॥ গুরুগী মাহাক্ ঐ অম তাহে, মশক মখিং পম্মুনা হেক্কা হায়বিয়ু। ফৈদাসিমা ঐগী মরি লৈমরগ্রমৱি মাপীমকা ভীম ঐ লেপকবি চিংনবিগু পেংনা হায়মোকপিয়ু। ভীমগী মাহায় তাবদা দ্রোননা রথ নকশিল্লকপা ভীম কৈদাসি নপু অর্জ্জুন্সি সুমেৰগী পাণ্ড তাবনগী পাণ্ডৰ লৈরম্মায় থম্বুনা উঠুনিংবদগী দ্রোন ঐহাক্ মাঙন্ বকপনি। ভীমনা গুরু ঐমা পোক্নুনা পন্মপা চাক ৎমুনা য়োকচবা ইগুনি। ঐগু শাঙ্ই গ্রহগী মথাহগী চহি ১২ খন চৎলগা চহি অ.া লেংপনি, অহুনা গুরু ত্রাখায় মথিং পল্লকতুনা কোং-য়োকপগুনা ইঙগী অজ্ঞ ওইনবা ঐনা দত্তদে মশক মখিং হায়বীয়ু হায়জবনি। * চহি অমা লোংপগু গুনি ৭ নি কেল্লে। দ্রোন ভীম ২ না অর্জ্জুনবু হায়নরকপগু মথং ২ হায়নরকপনা দুর্যোধন তাহে। মথগী কুমথর্গ ভাগগী পাক হেরগ। ভক্তি তৌরগা হাংজরকই, কংখো গুরুপনা চেক্কিবা কৈদাসি অর্জ্জুনবু হান্নৈ হাংৰংগ পোক্তৰবা ঐন নিংবা থুলে, অমুক চহি ২ খন চৎহন্নগে হায়রকই। ভীমনা কুরুরাজা বরহ কবিদ ই সং চৎকগদোবিরমো কাংমু। ইখুধো (পাণ্ডৱ্ক অজ্ঞাতবাসগী) ত্রুহিং মুত্তি অহুগীনি হায়রকই। ত্রুহিং করানি বাংলিবনে হায়রু? চহি ১৩ শুপদবা ত্রুহিং ৫০নি রাংলি, দাদা মহায়ক্রগা বাশক্ষিব অহুনা অর্জ্জুনবু ওইরম্মবাদ খন চৎহনগে হায়বনি। ভম্বনা কংগু নিদৌ থাক্কং থাপাসি ৪ ত্রুই মুক্যমাস হাহবা ১ গৌনমাস হায়বা ১ সৌরমাস হায়বা ১ সাবনমাস হায়বা ০ মুক্যমাসনা, হিংডবা নীওহনগ অর্চ্চা-পুজা মথোদা চৎনগনি লোংমা পানবদগী .থাসিকাগ স.বান। গোনমাসনা পুনিমাদগী পুনিমা য়োবদা সাৱিনসীনি শিথ্রবা পিতৃলোকমথো পাংথোক্কনি। সৌরমাসনা সক্রান্তিদা সাংরবনিনি। যজ্ঞ যাগ পুজা দেব কর্ম্মদা চৎনগনি বেদ। শহিৎনি সাবনমাসনা লেগবু রাপক রমেপ ত্রুহিং কপিংদা কৌহনা চৎনগনি। সবনমাসনা লোংমা রাতনা সাবদা তুনিনি চহি ১৩ দগী ত্রুহিং ৭নি হেল্লে। করম্মা থাসাদনো ত্রুহিং ২৫ নি রাংলি হায়বহ করম্মা থাবনো হায়মু ইপু ভাগে হায়রকই।

পাণ্ডবনা খন চৎখিবসি কালেনগী ২৫ নি পানবদনি। থা ১২ না চহি শাবকপদা কালেনগী থাগী লোংবা পানবহ পৌথংলগা শাবদা ত্রুহিং ২৫ নিত্ত লৌথংকনি অত্ত রাংলি হায়বনি। ভীমনা অহু হায়রবদি ননাও সহদেবনি পণ্ডিতনি মাথা অব। পুথোরক্রবদি চহি ১৩ গী মঙ্গুংদগী থা ২গা ত্রুহিং ১৮নি হেল্লে হায়রকনি। চহি ১৩গী মঙ্গুংদা মলমাসকি থা ২গা ত্রুহিং ১৮নি লৈরে মরমশিনা মহু হায়রক্‌হু। * ভীষ্মগী পাণ্ডতাক তাবদা দুর্যোধন সারথিনা রথ পুশিল্লকতুনা রথ তোংখরে। তেজেৌলগী.মরামত্ম য়েংনদুগা কৈনাগী কিজেংনা কুপশিন্দুনা থত্তহনবনি। খীওই

* মূল তথাহি — পঞ্চমং বর্ষে মলমাস্তু বিংশতে চ দশবর্ষে দিশাবভূপজিয়তে। ত্রয়োদশ বর্ষ রাস্ত্রেষেসাং অষ্টাদশা দিন অধিকন্তু-কৈমিনি ভরত ইতি শ্রুত॥

মীতোম্বা চরায়বা লোংবাগী ককতাক্স য়াসি কেনবা নত্তে, উত্তরদি কিহুনা চেল্লবনি। লোইবদা উত্তরবু কাহুনা পুশিল্লকখিনি খন্নহনা য়েংই। কাহুনি উত্তরবু খোঙাপ ১০০ রা কহুনা কায়গা লোংবাদা হায়গৎহুনা পুসিল্লি। উত্তরনা থাদোকউ হায়রুনা অং ২ চোংবদা কাহুনিনা শাক্তল চেনবনিনা নমহনা পুশিল্লকই। উত্তর মমা কোয়গা তেংথাহনা কপ্লি। হে ইমা, নচাদি সজ নহুবা তিল্লক-বদগী হুদি ইমা উবা কংদনা শিবা তারে; কপ্পিবহু অদংমা কৌরবকি তেক্তোক হোহনা লোকই। অর্জুনা রথকি মনাক পুথিদা থাবদা শাখৎখিহনা উত্তর চাম্বরে। পার্থনা কোনখৎহুনা অদম তাহল্লগা উত্তর নত্ত কিরগা সারথি ওইয়ু! ঐনা লাল শারগা নরল নরল মুনবিগে। উত্তরনা পার্থবু মুত্থা য়েংহুম কৈনাসি লিন্দা য়েংওগে খন্দুনা সারথি ওইরে। পার্থনা রথী ওইরগা উত্তরগী লিকচহু লিরী চল্লগা চিংহনা য়েংবদদি ভলোম ২ খোংজি ২ শম্বুগদৌরে। উত্তরনা ইপু লিকং-হুনা পৃথি জয় তৌগে খম্বিবনি কেক্লমিনি। পার্থনা মুবরাজ লিকসিদি কোই অসিনা লাম্বেংবা য়ারবোই লোলাই মমাই ওল্লো হাযরকই। উত্তরনা ইপু কিরবনি, ঐনা কিরবহু ক-কখহনবি। কৌঙ্কিক্তি অসিদা কখনা ঐ কিজে, লাই লৈতে রথ মমাই ওল্লোই লাম্বেংবক্লখিসি। পার্থনা উত্তর লোলাই মমাই ওল্লো হায়বদা চেংশি হায়বা নত্তে, শমীবন্দগী লিকং, জেম্মাং লোক্সি শায়বর্নি। শমীবনলোমদ খোরো হায়রকই। উত্তরনা শিংজিদ কৈদ নৈ। ঐবু ভূত প্রেতদা লিক-খোক্লগা চেনখিগে তৌরিবনি খল্লগা হায়দোঙ্কুনা, উত্তরনা ইপুগী নত্তো য়েংগে তৌবনি, ঐদি সারথি ওইবহু ঙমোই। ইপু ইপু লান চংলুরবদি হাম কেপ্পা সিনি চেল্লসি। ইপুদি ক্রিবদিনা সিনিংহাম্বা য়াই, নত্তদি মতম থরা পুক্তিজখিগে হায়রগা খিত্তা পি সিগহুনা ফিক ২ কল্লকই। উত্তরগী মতোহু য়েংলগা নচাশুয়া পুংশিহুনা উত্তর মহুগী নখল নরল মমামসি মাংখিগদবা শাম্বুই ঐ উপায় তৌরগে। লাই, মী, যক্ষ, রক্ষ, কিন্নর ওইরবহু ঐনা হায়রবদি য়াবিরুকনি নকাক্লা থাজবা লৈরবদি হায়রে। ইপু অহুগীদি ইন্দ্র, যম, ব্রহ্মা, বিষ্ণু, শিব, বলদেব, কৃষ্ণ ওইরবহু ঐ কিবা কংলোই। পাণ্ডবকি অর্জুন ইবুংঙোহনা ঐ লৈ লোম্নরবদি কৌরবতি লাইহি জগত লোইনা লাক্লবহু কিরোই। অহুবু থিরুবদা খক্তলরোই, লোংখি হায়নৈ।

পার্থনা উত্তর অর্জুনদু মশক্তি খঙবরা? ওঝা খঙই, ঐহী প্রাণ কংহুনা খঙগে হাইজরিবনি। অদুদি ঐবু মুত্থা অমুক্তং য়েংউ হায়রকই। উত্তরনা ওঝাগীহুবু ঐ অর্জুননি হায়গদৌরিমালে। মহু ওইরবদি অহু ভীম ওইগদৌরিবনি, ওঝা য়াবিগদরা হায়রকই। পার্থনা পঞ্চ পাণ্ডবকি খুংলুন-খুংলোই থেমমই অহু লোকসি। শমীবনলোমদা রথ খো হায়রগা তেম্মাংলগী তেং অমা শংলোহা তেক্তিমা থবকল্ল শোল্লগা কাপ্পি। তেক্তোকলোমদা কিরাল মমায় ওনশিল্লগা য়ুংওমই। মহাভারতকি য়াবি শশি অমৃতগী ঈতেলগী মশক্তি। পুক্তিং চংনা তাজবদা বিষয়গী পাপ কোংই। হরি হরি হরি॥

অধ্যায়

অর্জুন উত্তর অমিনা শমীবন্দা লাকপগী মরী মতাং

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই। উত্তরন, বৃহন্নলাগী মতুংশিং থেংজগে হায়না উত্তর শমীবনদৌ থদা রথ থোরক্লে। মদু থোরক্লবদা পার্থনা রথ থাম্মো হায়রকই। উত্তর রথ থাম্মে শগোলশং লৌথোক্লগা পুক্তিন্নুনা পম্মে। পার্থনা মহাগী অক্কগুদি নহানা মাং থাগদবনি মাং থাবো শমীবৃক্ষ মথাক থোরবনি। উত্তরনা মাং থারগা চংলকই অর্জুননা নথোই ভাকশেল্লু শিনরগম উত্তরবু অকমিংহুনা ভুত প্রেত মন্নামহ অকিবগী শবক-হুনা থাংদা কন ২ চোংশিল্লকই। উত্তর অহু উবদা পাথংখিজুনা মথিং উইশিল্লগা চেঙ্গোরকপদা পার্থনা থরক্তা মমাই উপশিন্নুনা ভুরে। মতোম্‌ উবদা পার্থনা কুকিনো খিং-থাই শোক্লবদি চিংখংশিরে। উত্তরনা ওথা ঐ ভুং থংহগে মাং থাবা ঙম্মরোই ভুকনা ঐবু ক্যাংদোরে ভু দা চংলগে। অর্জুনগী মাংমদি চেকথোক লাওদে ভুংদা ভুত মন্নান্না অমুক লকুরকই, উত্তরনা ইপু ভুংদা লাক্লে হায়রগা অর্জুনগী খুমাং খুম মপী হোন্নুনা চেক্কেং কোল্লি। পার্থনা কৈদোরে, ওননিল্লকঁপদা অমথা লৈরে। উত্তমা ইপু ভুদা চংপন্ন কিরে ঐ মন্নাই থংজবগে কক্কুনিমা ঐখোই ২দা চংপদা কমদৌনা মন্নাই থংগনি। উত্তরনা ভুত মন্নামশিনা ঐ চংপা ভশ্নোইদৌরে ওথাম; হেক ওননিল্লকুগা থ ই মাংখি অহনমি ঐ মন্নাই থংগে হায়জরিবনি। তায়রো খুংলাই কিজেং শংনবা থংখনি ঐ তাম্মোকখিগে হায়রগা লৈচেং খুবাম ১ পায়গা শোক্লে। অহগা নখোই লাপ্পা কন্দোকখংবা অতংদা লংনখিহুনা মাদি য়াম্না কিরে হায়হুনা চায়রকপদা ভূত মমম লাপ্প হন্দোকখি। উত্তরদা ভুত প্রেতশিংহ লৈরিরা য়েংহু হায়রকপদা মাং ভুং নাক য়েং চত্তুনা য়েংবদা অমত্তা লৈরে চেকথোক লাওরে। উত্তরনা বৃহন্নলাদি মহৈদি হৈদা থঙ্গা, ওথা লৈরে হায়রকই। কাম্মনিনা য়াবদি চংলো ঐনা ভুম্না ভাদম্মুনি। উত্তরনা মাং থাহুনা লাকপদু শমীবৃক্ষগী মথোং থোরক্লে। অর্জুননা যুবরাজদা কাখংলো খুংলাই কিজেং থম্মীবনি। ঐ ভাক্লকে অমুক্তা লৌথক হায়রকপদা উত্তরনা ওথা অশিদ-(শবর্দেহে গরুড়গী মন্না অশিবা পুম্নিবনি। অহনশি অশিবা লৈবা মকমদি ভুত প্রেতাক-লৈবন্ন এইশিবনি।

মখোই মন্নাম লৈরম্মীবহ পার্থনা উত্তর অশিবা হকচাং নক্তে পঞ্চ পাণ্ডবকি খুংলাই কিজেং থনম্মদি মীনা চংকনবা, অশিবনি হায়রিজন্নুনা ভুত প্রেত মন্নাম্বু শংহনবনি। পিংক্লং ৫ ভৈজোং ৫ খা ১৫ চাংখোই ৫ লোরী ৫ থোইবুং ৫ কিজেং মখোম ৫ মথং ২ লৌমমনা থাম মম্মংদো

মুংশক্লিবনি। মহাক্তিংবা লিকুং তেক্লোং থাং মোইবুং কি মযোমশিনি লৌথরক্লবদা কাখৎলো ঐ ভাগদুম তুবা লৌথকলো; উত্তরনা ওখা ঐগী মিংদি অহনশিংনা উ অৱাংবা কাক্কু পক্তদে হাইরে মহুনা চিংবগী অমুক্তা কাজদে। পার্থনা অদুগী বাদি ঐ হাযগে ৫মি পানবা ১০ পানবা মক খা লাই লৈবগী উশিংনা অৱাংবদা লোইশনবনি মতু তৌনি। তদি গদি পানবনি উশান লৈথক্তদা লৈ। অলোংবদা লুখাই ওদুনা কাক্কু মাইটৈ অতৈ'দ য়াই লোইমোই কাখৎলো হায়রকই। উত্তর ওঝাদি বিত্তা লৈবদি য়েংতগে থদুনা লাইকক কৎলগা শমীবৃক্ষদা মাই নোংপোক ওল্লগা কাখরে। কাংদা কশগা খাওত কুপ্লিবা সবেং মউন শংখু মখারোকদা খুপকিহ লৌথোক্লগা উগী কাখোংবা থগে। খাওগী মংচন থুপকি লৌথোক্লগা খাও মচিন্দু থজিক্তং চিংথোকলুবদা তেক্লোংদগী তেন মহাবহ, মীনম ক বদা লেক ২ থেঙ্কুনা ইলং লংওকই। উত্তর পাখংতুনা লিমা ঐবু চিক্কদবগী মটৈ ৎশ্কু থদুনা খাও মচিন্দু মথুং ২না পাইশিন্দুনা ননহুনা লৈরে। উত্তরগী মতৌহ উবদা পার্থনা কবিনো তৌরিবদে। তাররনি। উত্তরনা খাও মদুংদি লিন চাক্তা লৈরে ঐবু চিক্কদবগী মটৈ তশ্ককলে। অদুগী মমহুনা থঙ্গীবনি অর্জ্জুনমা লিন নজ্ঞে। তেমি জ্ঞান তানা মুমা য়েংতু মীনম তাবদা মশুগ লৈবা তেমি থেক্লকপা ওইরমগদি হায়রকই। উত্তর ভাব তানা য়েংবদদি লিন ওইরবদি খাও মতু'তু লেংগদবদি লেংদে অমুক তপ্পা য়েংবদদি লিকুং তেক্লোং থুংলাইতীক ওইরগে। লিকু শিংতু উবদা উত্তর পুক্রিংদা অদিবা পোকই, অর্জ্জুনদা হংওকই? ওখা বৃহন্নালা মথক থংহিবা সনগী কাংত ৬ চিল্লোক্ত 1 মমযদা য়েক্লিবা অসিবা কনানা তুবা লিকুংনো। অদুগা লিকুংগী ২০ দা সনাগী গাথা বাম্বা য়েক্লিবা অসিবা কনাগী লিকুংনো। অদুগা মণিরত্নমা লৈহজেংবা সনাগী শংজনা চিল্লোক্লবা য়েকপা য়েক্লববু জয় তোপদবা ওইবা লিকুংসিনা কনাবা তুবা লিকুংনো। অদুগা ২ক ১ লিকুংগী মমবকা চিল্লোক্লনা য়েক্লিবা অসিন কনাগী লিকুংনো, অমসুং লিকুংগী মমদা মমাগী বাহোং মাৱবা লৈজেংলিবা লিকু অসিবা কনানা তুবা লিকুংনো হংওকই? অদুগা ৭দা অচৌবা ককচেং য়েকপা অসিনা কনানা তুবা গদানো? বাহোং মশা লাংজা মশা তেম্বাদা লৈজেং ওইরিবা তেক্লোং ৫, অদুগা তুমিংকি তেজগুথা লংহিবা মোইবুং ২, অসিগুম্বা থুংলু থুংলাই অসিদি পোকপদগীম্বু উক্তি তাম্বু তাক্তি অসিগুম্বা থুংলাই অসি কনানা থম্মীবনো?

অর্জ্জুননা হায়রকই, নোংথাংগুম লংহিবা সনাগী কাংতা ৬ য়েক্লিবা লিকুংহ কোনা পাম্বী লিশিং ৭০ লিংবনি মমা'তৈদা দ্রোন গুরু শুভাররনা পঙ্গা মন তৌরিতৈদা খোংদা উত্তরগী ঐনা কল্লি অদুদা গুরুনা ঐহোক্লা দন ওইনা পিবনি। ঐনা ধর্ম্মরাজদা বংতুনা ধর্ম্মগী থুংলু ওইরি। ১মুবা লিকুং মমমদা সনাগী গাথা ১০ য়েক্লিবহ গাথা লিশিং ২গী মশাজলগা থাজনা কল্লিবনি। কোনাদা হায়রবনা লিশিং ৭৫০০ লিংদি, সুপার্শ্ব'ক থনু শমজ্রথলগী মুদুনা লৌব' ক্ষ্যাগী লিকুংনি। অদুমমুবা লংবানবা চাল্লিবা মতাং ৩মুথা লিকুংতু পাশুব কোই। বংশদি ব্রহ্মাগী বংশগা ওইনিবনি। উত্তরনা ওখা ব্রহ্মাগী মচানা ওইথিবদি হায়বহ চিংটৈ চুম্বা

হায়বিদু।" পার্থনা মামবনা লাইবু মেক্লুবকপবগী মামবগু অহ তৌরবা লাইশা ব্রহ্মাগী পুষ্প মক্ক তৌই, চক ১ কাওই। চক্রহ্ অক্ষ মহ্মনা কওনা লৌরগা সাবিত্রীনা শিঙরে চহি লিশিং ১ পর্ত ওইরগা, পঞ্চ বংশপর্ব্ব এরগুরুক ১ পোকই। মহুগী মতাং অমা তংবাই চমা লিকং শাম। তংবাইহুনা মণ্ড ১ অমা শাম লিকংহু শারক কৌই। ব্রহ্মরাবণগী খুৎস্তু ওইখি। মণ্ডহুনা যমদা শী যমগী খুৎলাই ওইখি। মতাং অমা লিকং ১ শাম অবস্তিক কৌই। তংবাইনা পালপাই লিকংনা শিবগী খুৎস্তু ওইখি। মদানা কুবেরগী খুৎস্তু ওইখি, মতাং অমা লিকং শাম। পোম ও কৌই তংখাম চমা শিবগী ত্রিশুলগী চাংখোক ওইখি। লিকংনা দেবরাজগী ওইখি অহুনা হি চাবা অম তৌই বাবনস্থ হাংখি। মখি অনংবক্রম ভাঙ্গিবা মতাং অশুমা লিকংহুনা শাঙিব কৌই। অহুগী তংখাবহুনা দুর্গাগী চাংখোক ওইখি। ৎবুক কতুবা হিংচাবদু চাহুমা খঙোইদা। লোংহুনা হাংখি। লিকংহু কোনা পাখী মক্ক ১ লিংহি মতম ২গী কতুবদু চম্বম তৌরব লাইরাবগী ওইনা খঙী। মক্কহুনা কমণ্ডলু ওইনা বিশ্বকর্ম্মাদা লেপ্পী ব্রহ্মাগী ওইখি।

মতাং অমনা মুংল মুরলী শাখি। গোপালনাথ কৃষ্ণনা কংখ, মনিং ও লেম্বনা বকুলগী লৈপাক্ষা খাহনাখি অহুনা সেতুবন্ধগী খোংদৈ ওইহনাখ হাররকপাদ উদ্ধবনা এবা লাইগী ওইহনা খম্বা লিকংদু মীরৈপাক্ষা কমানা শুহুনা অলিদা কবদোনা থম্বিদিবনা হায়বিমু পাগনা লিকং লি লাইগী চহিনা চহি ৫০ উত্তরণিদা লৈরম্মী। চহি ১৫০০০ থাগীদা লৈরম্মী চহি ৬৪না প্রজাপতিগীদা লৈরম্মী। মীগী চহিনা ১০০০১ ত্রেতাদা লক্ষ্মনগীদা লৈরম্মী, বকুলগী চাং১০০ শাম লেববর্ষখি বকুলগী লিকহুনা খাণ্ডবন মৈদা দান তৌরবা ঐরোদ্দা ঐগা খুতা লেবাস চহি ৫০ শুরে। লিকংগী মনমদা কে ১৪ লেংহিবহুনা একুলগী লিকংদি কোন ৩০০, লিংহি লৈপরাকনা পিবদি। ৫মুবা লিকং মনাগী থাহোং, ১৮ চিল্লোক্ক, দেংক্রুব থাগুম ভাবিরহ সংদেবগী লিকংখি দ্বারকানাথনা পিবনি। মনাগী ককচেং ৩০০ লিশি ১ রত্নবা গ্যাইনা মৌমুদকী সম্ কৌই। দৈত্য দানব মংবা কিমরবা অমগী খুৎস্তু। খত্তুর পাংবনগী থংবা ও মহুনা ওরাণ খংলবগ্নি পাণ্ডব ৫ ম কৃষ্ণগী লোইনহুনা চৌবরদা লৈপাক মম মাংহুনা বন চংখরে তাই। মিদা খুৎস্তু খুৎলাই থওম্মগ হোৎত্রিক কদাইদা লৈখরে অমুক্ত হায়বিমু।

অর্জ্জুননা মোমোন পোক্কশা হায়রকই। চহি ১২ বন চংলগা চহি ১ অজ্ঞাত বাসকি নিয়ম লৈল অহুগী বন চংশা চাহি ১২ শুরহুনা চহি ১ নখোইগী লৈপাক্কা মেক্লুবনা খিবা থংদনবা লোৎতুনা পাণ্ডব ৫ কুণ্ডল অর্ঘ্য উত্তরনা মাহু অমুক্তা হায়বিমু, পার্থনা হায়, মক্ক কৌহুনা ব্যবস্থাকাবি পণ্ডিত ওইরিবহুনা ধর্ম্মরাজন, পুকাতী মগুবা ওইরিবা বল্লভ ঠাকুরহুনা দাদাবাইনা অমানি, গ্রন্থিক অশ্ববৈদ্য ওইরিবহুনা নকুলনি। তন্ত্রপাল কৌহুনা গোবৈদ্য ওইরিবহু সহদেবনি সৈরিন্ধ্রী ওইহুনা রমীগীদা। লৈরিবহু দ্রৌপদীনি। গন্ধর্ব্ব ৫গী লেবা ওইর হায়বহু পু ওব ৫মুখি। অহুবু অমা কীচকগী রাজ্যসভাদা সতীবু দোষ লংহনবহুনা কিক হাংখিবহু অমনি। মনাওণিংসু

সভাগী মোযমগী দাদাবাইমগী মথুক্তা লোইনা শিখ্রবনি। উত্তরনা থনবদা হায়রকইমহ্ লোইরে মিংলে। ঙবা জগত্ত জয় তৌবা ওবা কৃষ্ণ মথা অর্জুনদি কদাইদা লৈবগে? পার্থনা অর্জুনদি ঐনি হায়রকপর্দ, উত্তরনা ওঝানা হায়রকপদি অতৈদি লোইরে খংজরে, ওজাদি থাজুদে অর্জুনগী মপনাম অমুক্তা কায়রিমু। পার্থনা ঐগী মিংদি অর্জুন, ফাল্গুনি, সব্যসাচী, ধনঞ্জয়, কিরিটি, বিভৎসু, শ্বেতবাহন, বিজয়, কৃষ্ণ, জিষ্ণু অসিনি। উত্তরনা অহুদি ঐখোইস্থু চিনফা পুই, সম্ভ্যাদা লোল্লগা মেরুবা চংদে হায়বগী চিনদা পুবা ওইরমগনি। ঐনা চায়রদি মিংশিংমু খোনথিবগী মরমহুগা কোয়া কায়রিমু হায়যনি। অর্জুননা অহুগী টারীদি কুইরনি থুংলাই কিজেং হায়া পুথরক্লো ঐ কোর্য়া কিরগে হাংরকই। উত্তর মখাদ ফারগে থন্দুনা থুংলাই কিজেং লোইনা ইমকিহনা য়োমহুধা নখো পোল্লগ, থাওই কংগজুম শবো মউন্দুনা কুপ্তুনা পুল্লগা থনম্বে উথক্তগী কুমথরকই।

উত্তরনা ওঝা মং খোনবিবহু কনানা কমদোনা খোনথিবনো? পার্থনা ঐ লোকপদা ইপানা ইশক ইচৌ কৌজে হায়বগী অর্জুন খোল্লি। ফাল্গুনি নক্ষত্রদা পোকই হায়বগী মুশিংনা ফাল্গুনি খোল্লি। কংসনা ইমা কৃষ্ণগা সম বর্ণ মাংমু কায়হুনা কৃষ্ণ খোল্লি। শুকদেবনা খোং-খুং ওই-য়েং চপ মান্না শিংই হায়বগী সব্যসাচী খোল্লি। থনপাওমু তেনদনা জয় তৌহুনা সনাগী লৈহাও ১০০০ লশিং ১ কংলা হায়বগী শিবনা ধনঞ্জয় খোল্লি। অতৌবা শগোল মনচিংবা রথ তোংই হায়বগী দাই, মী, পঙ্কজ, যক্ষ কিনপুর দানব পুম্নমক্তা শ্বেতবাহন কৌনখি। বিজয় কৌরনা ঐনা উত্তরবিজয় চংপদা মী ওগাতপ্ন নঙনা লাইগী লৈপাকফাও জয় তৌরকই হায়বগী আচার্য্য শুক্রনা বিজয় খোনখি। জিষ্ণু খোনবদি মৈদা খাণ্ডব দাহ তৌবদা ইন্দ্রগী মিং বিষ্ণু কৌই, বিষ্ণুমু জিততগী হায়বগী লাইবু'মগা ইন্দ্রগনা খোনখি। কিরিটি খোনবনা ইন্দ্রগী য়েরুবা কালকেয় সন নিপাত কপচ হাংলগা দেবরাজগী য়েরুবা কোকহনবহুদা পেন্দুনা মণিগী কিরিটি পিরগা কিরিটি কৌয়া মিংসু খোননী। বিভৎসু কৌব মিংনা নৈমিষ বন্দা দ্বারীকানাথ কৃষ্ণনা ঐবু থাগৎলি। জগত্তা অর্জুন নঙগা মান্নবা নপক মতৌ বিত্তা শক্তিদা লাইদশু মীদশু লৈত্রে হায়বদা প্রভু ঐদি তোল্লবনি। ঐগা মান্নবদি মশিং লাইদনা লৈ হায়জবদা, কৃষ্ণনা ইতাও নঙগা মান্নবহু ঐদি থঙত্রে নঙনা অমুক্তা পুরক্লগা ঐবু উহন্নু হায়রকই। ঐনা চৎলগা থিবদা যন্ত্রী অকংবা অমা তারমই অহু কিপাওদা য়োম্বগা পুরক্লে।

মহ কৃষ্ণদা উংলগা ঐগা মান্নবদি অসিসি হায়বদা কৃষ্ণনা হুন্দোকথরো হায়বদা য়োল্লিবহু কনথোক্লে। ঐবু চৎনা শোনবিরগা হায় পোমরদি কহুগা বিভৎসু কৌবনি সিগা মাংমু থনবা ভুম্বা নঙগী পুকচেলওমনিদি ঐ পেল্লে। ওসিদগী নমিং বিভৎসু খোল্লগে হায়হুনা কৃষ্ণনা বিভৎসু খোল্লি। ইতাও মহদি কৃষ্ণ ঐহাকি অংশনি নঙগী পুক য়েংগে তৌবনি। নঙগা ঐহাকদি ইশা অমত্তনি যুগ অবতার খুদিং থাংবা য়াদে কৃপা বাক্য তাকপিখি। অসিগুম্বা মহাভারতকি বারি অসি জীবগী উপায় ওইনবা ব্যাসনা লেংখরবনি ইতি। হরি হরি॥

অধ্যায়

অর্জুননা মিং তরাগী মনুংদা শিবনা থোনবা
ধনঞ্জয় গন্ধারী কুন্তী শিব পূজাগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়—রাজা জন্মেজয়, উত্তরংগী অর্জুননা কিজেং মীওই মীতোংদুনা থাজনবনগী ওয়া কেল্লে কাপ্পা, কুবের ওমহুনা মনাগী লৈহাও কেক্লগা শিবনা কংলি হায়বা শিব পূজাগী বারীগা অমুক্তা লিখিবো হায়রকই। ইত্তর, বারি শিংথিরিংদা কিথনা হল্লক বনি থম্নুনা মথং কোইথং চৎখবনি কমদোঝা? উত্তরদা নবানা কৃষ্ণ সাগ, অর্জুন ওইরবদা এম্বা চিংদি অমা থাবদা কুরু রাজা শিমনা থংবী মংলাংও লেইরা হল্লক্লী।

উত্তরগী মতো রাজাংজু তাবদা পার্থনা মংশিহন হায়রকই যুবরাজ হস্তিনাপা শিব লিঙ্গ প্রসিদ্ধ ওইরবা অমা লৈ। মাবনা যোগেশ্বর কৌই, রাণীদনা থাকথোংমনা সেবা তৌই। শত শৃঙ্গদা বাস ওইবদগী মদুগা পিতাগ স্বর্গতি ওইরবদা মুনি মরাম্মা হস্তিদ নিংনকতুনা শিবা রাজাগী কর্ম লোইরবা তুংদা কুন্তীনা শিবগী পূজা তৌই। থোংমদি গন্ধারী শিবগী হোজংদা থেংনবে। গন্ধারীনা কুন্তী নত্তু শিব পূজা তৌকরবা? ইংথৌ ইংবেম্মা, এ শিব পূজা তৌরকই। গন্ধারীনা এ কুন্তী নত্তদি লুখা লাইবক ওইরবানি রাণীদনা সেবা তৌগদবা শিবনি। ঐদি মহানন্দথে থংজিং মুনিশিংনা তৌরম্বী ওইরবোং নিংই মতুংদদি নত্ত পূজা তৌরম্লু লৈপাক অদুবা নত্তগনি হায়রকই।

কুন্তীনা ইচেম্মুনী ঐনা রাণী ওইবা হানবনিনা শিবগী পূজাদি ঐনা হায়না তৌজরকই। মতম থরা থম্নি লৈরুবদগী হস্তিনাপা হল্লকপদগীদি তত্তনা শিব পূজা তৌজরী। শিব পূজাদি অক্তিনি ঐদি তৌকচরোই হায়বদা গন্ধারীনা হায় লুখাবী ঐনা হায়বদা লম কেল্লবদি নত্তু লৈবা ওবা রাণীনি থত্তরা হায়রকই। কুন্তনা ইচেম্মা ওমহনা যেবীরবস্তু ঐদি শিব পূজা তৌকচরোই গন্ধারী কুন্তী পানিগী বাকম থৌনবকপাদো শিলা শিব লিঙ্গহ ওনি পূজা তুমিংনিনা মগাইগী কেখা পূজা তৌগদবগী শক্তি লেংশিন্দুনা লৈরিবা শিবনা মুক্তি লেংথোকতুনা অনিগী মথাইদা লেপ্পনা নত্তা অনিম্রক থংনপন্থ। ঐদি জগত জীব পুম্নমক্তি মপুনি থংনপন্থ। পুকচেল কনবী কুলবধু রাজ রাণী অনিমক রাজমাতাসু ওইগদৌরিবনি নবানি পূজা তৌমিম্নো। ঐদি অর্জুননা দুর্গাগী শক্তি, অর্জুননা জগতকিনী অমত্তগী ওইবা য়াদে হায়রকই। অংনমক শিব থুক্রমজবে। গন্ধারীনা অপ্পু হায়দগী চৎনরকপস্থ কায়হঙিংদে। মাংনা তৌকম থোকই, ঐনা তৌকম থোকই হায়বা বিচার অমত্ত, কাবিগু হায়রকে। শিবনা অহ ওইরবদি হংথংনি মনাগী লৈহাও, মনিনা

লৈরিক ওইবা মনম হুংলিবা লৈহাও লিশিং অমা ঐতোম্বা পিবা তবা অহানবা অহুপী মপু ওইরগে। অহুমবা ঐগী লেবা তৌজরো হায়রবগা অন্তর্ধ্যান ওইখিহনা কৈলাশ চৎখরে। গান্ধারীনা কুন্তী নত্তদি রাজবনিনা নচাদগী সনাগী লৈহাও পুরকহুনা শিবদা কৎলগা মহেশ্বরদি নত্তদগী নবুদ্ধো ওইবা তারে হায়হনা নোক্লমগা কোম্বুংলোমদা চৎখি। কোম্বুং চৌরগা মচা চাবা কৌশিল্লমই। কুন্তীগী থবনবা শিবগী মাথং মথেং অযুক্তা সনাগী লৈহাও লিশিং অমা কৎলবা হানবগী মচানা নিংথৌরেম ওইসনু হায়না শিন্নখ্রে। হৌজিক সনাগী লৈহাও শাহল্লো, মশিনা লৈরিক ওইহল্লু অস্তুরি মলয়জন মনম ওইহল্লু হায়বদা দুর্যোধননা মনাঙশিংগা মনাশাবা লিশিং অমা থোমগৎহনা সনা পুসৈদগী মন কয়া লৌথোকহনা শাবা হৌরখি।

মণিরত্ন কয়াম্বু ভাণ্ডারদগী পুথোক্লগা লৈরিক চলহনখি। ইমানা লৈতবদগী থল্লুবদা থোং থাকাও তমহনা চপ চপ লেপ্লগা অপুম লাকপনা বানা যুম চৌরক্লগা চাক থোংদনা ইমুং লময়াইদা থম্বগা উপায় লেতবগী বাথন্দুনা কপতুনা লৈরে। ঐখোয় মচাম্বু খুংলাই তমম্বুবদগী ইমানা চাক লোইরম্বদি থন্দুনা গঙ্গাদা স্নান তৌরগা চৌরকপদদি ইমানা কম্মথক উবদা চংবা তমহনা ম'ঙ্গোন্দা পল্লে। দাদা মহারাজনা দাদায়াইমাদা ইমানা বাখিবসি করিনৈনো হঙ্গংল্লু হায়বদা, চংলগা খুক্লমহনা হঙ্গংল্লুবদা মানা উপায় তমোই থনবদগী খুম্মহনা হিক হিক লাওনা লৈথরে। দাদা ভীমদি চাকখুম্নোমদা য়েংবদা চাক্তি থোংখ্রি। চেংহু পুথোক্লগা ধর্ম্মদা হত্তবম্বু খুম্মিদরে। চাক থোংখ্রি, খুদিংম্বু য়ু গংদোরে, লাম্বনা থাংবা বীরে, চেংসি য়েংথোক্লমসি। ঐগী শকতি চেংসত্ত ওইনা চাবগে হায়রবদ দাদা ধর্ম্মনা তাইথো হায়রগা নকুল সহদেব থাজিন্দুনা হঙ্গংল্লুবমহু খুম্মকতরে। অর্জ্জুন নত্ত হত্তল্লু হায়রে। ঐনা ইমাগী থোং পায়রবগা ইমাদা খুক্লমহনা বাখিবা মরমসিদাদ তাকপিম্বু রাজদণ্ড লৈবগীদা নত্রগা হকচাং হুংতাইতবগীদা দাদায়াইমা নকুল সহদেবগী মতোম্বু য়েংবা তমল্লে। মরেন্দু তাকপিরবদি মচা উপায় তৌজগে হায়বদা কুন্তী শিব পুজাগী গন্ধ'র পদা শিবনা হায়রবা সনাগী লৈহাও লিশিংগী বাকমহু তমই। পার্থনা অহুপী ওইরবদি লৈহাও লিশিংহু ঐ পিংগে। খুংলেম নত্তবা ব্রহ্মানা শিব পুজাগীদমক থাখিবা সনাগী লৈহাও হৌকম থত্তই ঐ হেকচগে চাক থোংবিকরো হায়রকই। কুন্তীনা পার্থ লোইরবোইদরা? ইমা সত্যনা সাক্ষি লোইদনা পিজগে হায়বদা কুন্তী হুংতাইহনা চাক থোংলে। লোইহনা কৃষ্ণদা কৎলগা ঠামিয়রে। চাবা লোইরবদা ভীমনা হত্তই, অর্জ্জুন লৈহাওহু লোইয়রোইদরা? দাদা য়াইমা লোইরবোই। অহুদি মথোমরোমগী কমদৌরিবনো য়েংল্লুগে কায়রগা পদা পায়রগা চৎখি।

সনানা লৈহাও শাবগী হুংথং মথোন তারে। ভীম তুমিম্না চংলগা য়েংবদা, থোংদি থিং-জিন্নগা থোংনাও ময়াম হাংদোক্লগা শংসাং মহুৎদা দুর্যোধননা হুংথং পায়হনা সনা লৈবা বাঙদি-বহু উরে। ভীমনা লাক্লগে থন্দুনা দং দং দারি অকোইবহু চেল্লগা ইবুধৌগী মাথং লোইজ্রে কাবা তারে লাকরকই। ভীমগী থোঙাও তাবদা মুনারীশিংহু থবক লেপলে। দুর্যোধন থোং

হাংলগা থোরকপদা ভীমনা সরেংচ্ছেপ কারগা চৎলি। ইবুধৌগী মাথংমদা লাকাহু কাবা লাকপনি। দুর্য্যোধনা কবিগীনো বৃকোদর লাদাবু কনানা ভঙ্ বনো? চন্দ্রবংশ মচানা স্বধাখীগী থৱক তৌবা য়াদে। মানা স্বধাৰী মখো পাম্বদি পাগৈ ইহোক্কে অহুগী ক্য়বনি। দুর্য্যোধন য়াই লাওহুনা এবু নহাক্ক কনবিয়ু। ঐ খজেনবদগী লাইগী লেকানি য়াওক্লবনি। ভীমনা ঐনা তৌরমবে হায়না তাইন্নবাদি য়াদি, অদুবু ইবুধৌকিনা থম লুনা থোকইদা। দুর্য্যোধনা দুঃশাসন পুষ্পগী কোল থুন লংই। ইমাও চংবুথিদি পুশিন্নুনা ভাণ্ডারি লোইশংদা কোনা পুক্কাখিনা লাংছনা ভীমন্ধু পুরন ওইনা কংলে। পাব ঐহ লৌরে ঐবু কমবীয়ু। ইবুধোনা ইকথোক্লবাদি ঐ য়াংবা তাবনি।

ভীমনা কল্ ছায়রবদি থোলা খরনিনা লৌইন্নবদি থম হুইদা, ভীম সনা লুপা কয়া লৌরকলে দাদবু ইরাষ্দগী ঐ লেপ লৌক্করোই, ইমানা অতিথী দান তৌবদা বরানদি থবা নিংবা থুদে ইনাথশিংবু কেং হরাই থি থাও লেমহল্ল, ঐ য়ানবা ইবুধো তাইন্নে। দুর্য্যোধন দুঃশাসনগা নমাও ১০বু পুগৈদগী হোৎনোকল্লুনা ভীমগী মপোং লেমহল্লে। ভীম দুর্য্যোধন প্রেম লৌরগ ঐ কনবা হায়নরগে অহুম স্থবিরবর্জ্জ য়ারবি। দুঃশীলাব পোংনি থোঙংলে দুঃশাসনা থোল্লে ভীম য়ুম থৌরম্বুনা নকুল সহদেবনু থাকগা হোজিনহন্নি। যুধিষ্ঠিরনা কদাইদগীনো চংই, দুর্য্যোধন-পিরকপগী য়ারী তম্বী ধর্ম্মা ভীমসেন অহুগুম্বা থবক্ল মতুংদা তৌগদকো লাম্বথি। ভীমনা অর্জ্জুন লৈহাওম্বু লংপ্পগা ঐ কেকউগে মকম হায়খু। অর্জুননা দাদা য়াইমা নমাই লোইদনা হেকচরুগে হায়রকং। নুমিৎ তারুমা সন্ধ্যা তেজম লোইরগা কুন্তী নুমিদাংগী চাক থোংলগা লুকখম লেম্লগা কৃষ্ণগী নন্দা কৎলগা মমা মচা প্রসাদি কানবে।

কুন্তীনা পার্থ হৌজিককাও লৈ’াও হেক্লব্রবদি কৈলৌরে। ইমা লৈকাকদি যুগক দগী হৎস হেকখবদি লাইদা কৎপদা মহৈ লৈতে, অহুনা মহৈ লৈনবা যুথগী মহুংদা কৎপদা মহৈ চাওনবা যুথকী মতম লোথ্ গা হেক্ক পুজাগী পোংলম ইমানা লেপ্পীখো হায়রকক কুন্তী পুজাগী পোংলম লেপ্পা লোইদুনা থেলগদুনা থম্মে, অর্জ্জুননা ইমা দহাক পোক্কবিরো ঐ লৈ হেক্লব্রবা তৌজরগে, মহৈ মকৈ পয়াদা পোথ্রবে। ভীমদি তুমদরে, অর্জ্জুনা নকুল সহদেব হৌদোকলুনা অমম্বা তুমহল্লে। নো য়াই মতুং মগু ৫ তারক্লবা মতমদা। অর্জ্জুন লিকং তেংলোং লৌরগা য়পাল থোকলগা লৈরী চল্লই। মংসিক্ক বায়ু অস্ত্র তেন ২ তেংলোংদগী লৌরগা য়োল গুরুবু স্মরণ তৌরগা তেজিন্নী নিয়ম তৌরকই। অলকাপুরয়োমদ কাপথি। নিরিম ১দা য়োখরে, মীগী মপক ওইরগা কুবেরগী সভাদা কুবেরবু থুরম্মী। কুবেরনা নথোই ২বু কনানো কবি হায়জিংরগে? ২হুনা ঐখোইদু অনিদ মী মত্তে অর্জুনগী তেননি শিব পুজাগী মরাগী লৈহাও লিশিং থাবা হেক্লকউ, মপুদা হায়রগা লৈয়ামন্থু হেক্লকউ হায়রকই। কুবেরনা থ্যাদা য়েংবদা লোইনা উই। কুবেরনা লৈশাও লিশিংদু হেকমু অহুগা লৈকোলগী লৈরাক অনাংগা হেক্কউ। অপোম্বা হেক্লহু লৈশা ককথংবুহ। তেননা লৈশিং হাপ্পবা মনাগী য়েন্দাই অমতা লিথিয়, কুবেরনা

সনাগী মেন্দাই পিরে। মনক্তিদ্দিনা মেন্দাইদু তেন ওইরগা তেত্তিরা চপ্লি বাউঅস্ত্রগ। তেন অনিথক লৈকোন্দা পাইশিনখরে। মর্নিদ্দিনা লৈহাও লিশিং ১ হার্মা হেক্রগা সনাগী মেন্দাইদা হাপই বাউঅস্ত্র নং লৈ লৈপাক্তা তাহনগদু, ঐ কেকথরকে মনত্তেদিনা ক্রোস ১২না কোইবা লৈগী বন্দা শাংগা লৈদু লোইনা হেকথৈ। বায়ুঅস্ত্রনা লৈপাক তাহন্দনা লৈহনা পোরকই। মনসিদ্দিনা সনাগী লৈহাও পোনক্তবা কৈথুত্তা পিররে। বায়ুঅস্ত্রনা শিব শিক্তগী নিলচক্রক্তাও চেকপন মখোংদগী মাংগী খোং লংগী থাক্রগা হৈথহনা পৈরম্বগা তেন ২দু তেক্তোংদা চংথরে। সনাগী লৈহাও লিশিং হাপ্লিব, সনাগী পেন্দাইদু ইমুংদা পুশিল্লক্রগা অশেংবা জাগাদা থম্মে। ইমা লৈহাও হেকচক্রবে লোংওাম্লগা শিব পুজা তৌবিরবা মাঙি ইমবু থুক্রম্মে। ইমা চিংথৈ লাকপদা স্নান তিলক থারন লোইরগা পুজাবস্তুগা লৈহাওগা পুরগা চংশিনদা লৈয়াম্বদু উরে ওকই, ঈচেম্মা হান্না তৌরক্রা থম্মুনা লেপত্তুনা লৈষদু উবদা শিব লেংথোকলগা হোজংগী খোংবা পাম্মরগা কুন্তী কপিগী লেপ্তুনা লৈদিবনো? মচা পার্থনা পৈরম্বা লৈক্রাম্ব। ঐ পেল্লহনা তাইবিরমনি সনাগী লৈহাও পোরক্রো হায়রকই। কুন্তী খুংত্তইরহনা পরপ ২ চংত্রে, শিবনা শিলা লিঙ্গদা তিনশিনখি। কুন্তী শিবগী মন্দির লাইবক কংলগা কথক্তুনা শুদ্ধজলনা বাই তৈরগা থুং কাথদোক্রগা হৈরুক পানা লৈ পক্ত খাগ্র। বিল্বপত্র মাওরে, বলি চম্মে ধুপ থাংবলে সনাগী লৈহাও পুথোরক্রগা, শিবদা কংকে তাহদা শিব মুর্তি লেপ্লগা কুন্তী লৈহাওক্ত কৃষ্ণদা কংথিলে নির্মলত্তনা কোমা ঐগী পুজা তৌ, কথবগা লৈহাওক্ত পাইরগা শিবনা যাত্রীকারোমদা ওম্লগা শ্রীকৃষ্ণদা নমত্রহ্মণ্য দেবায় গোব্রাহ্মণ হিতায়চ জগদ্ধিতায় কৃষ্ণায় গোবিন্দায় নমো নমঃ, ইথুংত্তো নকাইনা কচ্চরিবা সনাগী লৈহাওসি মচাগী মপান্দগী নাওইবনা কংনত্রবা ব্রহ্মানা থাবা সনাগী লৈহাওনি, অনিগী মহৈদি কুন্তী অর্জুন মনা মচাদা পিনবিয়ু। নির্মাল্যনা নসাই কংজগে হায়রগা! শ্রীকৃষ্ণদা কংলগা শিব শিলা লিঙ্গদা মুর্ত্তিদু তিনশিনখি।

কুন্তীনা শিব পুজা তৌজরগা লৈহাওদু * নাম মন্ত্রগা কোমা শিবদা কংলে। শিব মুর্ত্তি লেংথোক্লগা নির্মলদু লাইবক কংলগা মনম লোইহনা জটাদা লৈতেংওগা শিবনা কুন্তী হে বৈষ্ণবী! নওগী থম্মোইদা কৃষ্ণ ভক্তিবু লেংদবা ওইজরো, মচা অর্জ্জুনা তেন ২ কাপ্লগা কুবেরবু জয় তৌহনা লৈহাও হেক্রকই। ধনপতিবু জয় তৌই হায়বগী, মখিং ধনঞ্জয় থোক্লগে। মচাসি মরোন ও তুনা কৃষ্ণগী কৃপানা কাওরসত্রুকো, মর পিরম্বগা শিব কৈলাশ চৎথরে। কুন্তী শিবগী নির্ম্মল পুরগা মন্দির থোং থিংজিল্লম্বগা হুংওাইনা হল্লরক্রে। হোজংগী থোংজিন্দু লাথোক্রপদা, গন্ধারীগা থেংনবে

---

* মূল। নমস্তুভ্যং সদা শিব রক্ষ রক্ষ জগত গুরু। ত্বোদরে চরনাম্ভোজৌ ভক্তি মুক্তি প্রদা প্রভু প্রণতি পূর্ব্বক নৌমি দেহি ভক্তি মুক্তয়ে মে। জৈমিনি ভারত খাক্যম্ ইতি। শিব সংহিতা শাস্ত্রম্॥

কুন্তীনা গন্ধারী মচেৎনু খুরুম্বী। গন্ধারীনা কুন্তী শিব পুজাগী লৈহাওশিং কদাইদগী ফংবগে' ঐখোইদি লাইরজবনা শনাসা শাক্লিংতাই লৈরুদবনা ইচা .অর্জুননা অলকাপুরদগী হেকচক্কবশিং নির্মল্যসি থম্মা ঊচেৎনসু থক্কা ফংবিখো, হায়রগা থবা থাইদোক্লগা মচেৎনা পিরম্মগা কুন্তী মথুম থৌখি। কুন্তী অর্জুনবু য়েংলগা: ইচাসি শিবনা ধনপতিবু জয় তৌহনা সনাগী লৈহাও হেকখুবগী থনঞ্জয় থোনবিরম্মে। ইচাসি নঙ্গা মায়োক্লক্কবা খুদিং লাই ওইরো মী ওইরো ইমাগী থবদগী নমাই পাকচবা ওইজো থম পিরে। পার্থনা মমাবু ভক্তি তৌজরে. গন্ধারী শিব পুজা য়াম্নব সনাসা শাবা খুৎশেম লৈহাও নংসি শিব পুজাসু য়াম্নবসিনা কৈদৌরি। খোংথাম-লুকপাল ফুমব মোংলবা পোৎলক ওইখরো শাওনা রাহায়ক হায়রগা খোংথান্দা চাইশিল্লম্মগা হুনদোকখি।

সতীনা হায়খিবসি লেপ্পা মাংবা য়াদবনা কবোকং ওনখি। কোন্নু: মৌরকপদা মচা চাম্মন: ইমা ইদোম্সি শিব পুজা তম্বিরোইনেকো, ঊমাসি শিবনা কয়ি থম পিরকপগে? মচিন মনাও চামনা হায়কবদা গন্ধারী শাওহুনা নখোই চামমা পোকপসি করিসু কায়দে, মতাদা পোকপী কুন্তীনা অর্জুননা কুবেরগী লৈপাক্কগী লাইনা থাবা সনাগী লৈকাও হেকখুহুনা শিব পুজা তৌবম্মে। য়েংলুসে হায়হুনা শিবগী নির্মাল্য লৈকাওশু উহনখি। দুর্যোধন মচিন মনাও ১০০ মক লুকুখি গন্ধারী অন্ধরাজদা পাও তমখি। অন্ধরাজনা পার্থবু ধন্যবাদ তৌখি। পার্থনা হে উত্তর! থনঞ্জয় খোনখিবগী য়ারী লিরবসিনি। উত্তরনা ওথাবা নপুংসক বেশদা লৈরিবসি কপ্নগীনো মতুংগী য়ারীসু অমুক্তা লিখিখো।

অর্জুননা হায় উত্তর ঐনা হিমালয়দা শিববু নিংই। শিবনা চানবিহুনা পশুপাত অস্ত্র পিরে। মাইপৈ তাকপা লাংমসু পেন্দুনা খুংলাই পিরে। ইন্দ্র ইপানসু চানবিহুনা মাতুল থারক্লগা ঐবু ইন্দ্ররথদা ফাম্লগা ইন্দ্রলোক্তা পুথংলদ, গন্ধর্বগা কিনন্নরগা তাইনবদা কালকেয়গণ মিপাক্ত কপচ ইন্দ্রগী য়েক্কবরু হাংলি। অদুদা ইন্দ্রনা পেন্দুনা ইমাদা জগোইশাবী মমাম জগোই শাকল্লি। ঐসি বিদ্যা তামবগী ব্রহ্মচারি ব্রত ওইবনা জগোইশাবীবু য়েংদে। অকোনবদা উর্বশীনা শাবদা লাইয়াম্মা উর্বশীবু থাগৎনরকই। অদুদা ঐনা সত্যযুগকি ইবুধৌ নতথবু পোকপহুনা তৌজিকফাওবসি মীওই কনদোরিবনো থঙনিংবদগী অহুমক য়েংই। অসিমাং ঐনা লৈবা য়ুমদা উর্বশী থরকই। উর্বশীনা পার্থ খোং হাংলু। ইন্দ্রনা তসি অহিংসিমা মতুংগী খৌশল তৌক থারকপনি। ঐনা খোং হাংদোকপা তম্মোই ইমাদগী হেনবা ইবুধৌ নতথপু পোকপনি তৌজিকফাও মীওই কমদৌরিবনো থঙনিংহুনা য়েংবনি লেংবিরো হায়রকই। উর্বশীনা শাওহুনা স্বর্গগা মৌরকপা চন্দ্রবংশগী পুত্রবান কনামত্তা মরিমত্তা থিরদে ঐখোয়গী সেবা তৌই। ঐবু নিংবা কাম্নহনবগী মতমদি নপুংশক ওইরো শাপ তৌরম্মগা চংখি। নোংতাক্লগা ইন্দ্রনা কপহুনা তপদা য়েবয়াজনা লাই মুমিকাও তুম্মাংপা তপা উবশীনি অহবু নতমা তগী শাপ কংবনি। নতুংদা ইদি লাকপিনবা তবসিদি লাইদসু মীদসু য়াংরম্মবোই ঐনা থম ওদোকপিরগে। অর্জুন

মতৌগী মশক নচু মীওই লোংপদা লুনা থোকই। মতম নংক খজদবস্থু ময়োল অহলকা লৈতে। অহুমা অজ্ঞাতগী তহিজমরি ক্লীবত্বু ওইনো। মশক নচু তেজ বীর্য্য শক্তি পুক্ষক মাংহনা মীনা থীদবা ওইরমদু। চহিছু ভূবদা মথংগী শক্তি লোইনা হক্তিনবা ওইলমু বর ওইবা লেপ্পীহনা যক্ষবতা ওইখনি। অহনা হৌজিক চহি অমহু সুরহনা ঐগী হায়মগী শক্তি হত্তিরে। মরম অহুমা মখোয়গী উপায় তৌরগে এ.রবনি চিংনক্নরস্থু হায়রকপদা লোইদয়ে খঙজহনা ঙক্তা কি য়েংলগা অৰ্জ্জুনগী খাং কোম্লগা নথাইনা, খঙজনবদগী অরাবা রা কয়া হায়খিবস্থু, অজ্ঞান কুতম্নি খনখিবগা নবাকগী দোষ পুম্নমক ঙাকপিয়ু। ঐগী লেহে শ.জ্ঞাসি মমল ঙাওদনা কচ্চরে। ইপা লিংখোনা পূর্ব্ব জন্মদা তৌরকপা পুণ্যনা শ্রীকৃষ্ণগী ভক্ত উত্তম পঞ্চ পাণ্ডবপু ফংজবনি।

পার্থনা উত্তরবু কোমবিরগা ঐ বাসৌদে খঙদবনি খত্তি, নত্তবু ইচাগুম সুগংশ। ঐ অমুক্তা স্নান তৌকখিগে. হায়রগ। চংখিদনা সরুবোরদা স্নান তেরে কি শুমদে.কতুনা তিলক তৌরগা লাকক। দেব খাতমন বীর বেশ লৈতেংলে। লিক্নং তোম্মাং খাং চুমোই ছুরি গাণ্ডিব ধনু মণিসান্নত্তুন কিরিট কুণ্ডল খুজ তাল খোংদোপ খুদেক মেখলা লৈতেংবা লোইরগা, দেবদত্ত শঙ্খ পাকার লাখিল্লোকলোমদা ওক্নগা মনাংম্নি রথ কোরকং। খুদক্তা মন্সিদ্ধি রথ পুংচরে। পাংগাল যাওবা মরিক্ত অর্জ্জুনবু উত্তরনা চেৎম শিঙ্করকই। পার্থনা মরিছু মতক্তা কোম্লগা লিং লিং লালিং কণ্ঠন লুম্বু খংমাংনা চেংনা লিংহনা কৌরকই। সর্ব্বজ্ঞ অন্তর্য্যামি কৃষ্ণনা ধর্মস্থু কৃষ্ণনা সারথী ওইবনি খল্লি অহংদি অর্জ্জুনগী বিত্তা শক্তিসি লাইস্থু মীম্বু খঙ্গলমস্থু শুপসিদ চৎলরুই। মনাইনা অক্ষস্কন্ধক রূপা পিরে হয় লেংঙকল্লে। অর্জ্জুনা লেংঙক্লরোই খঙ্গনা উত্তর মঙনা সারথী ওইরো কহুগা রত্ন.সন মনাগী খোজাংহু কৃষ্ণগী কর্ম্মা আসল্লি। চেংঙক্তনা ৰথ কৈরে দা খোগাল হন্দুনা কংথগা রথ থো অহনা মঙগীস্থু মরুপ ওইপনি ওক্রুগা সাংবক কংলগা কাহনা ধথাগী কংখদদা কমখরে।

উত্তর রথ লাইবক কংলে। সারথীগী কমকম কারণ। কৃষ্ণগী আসন খুরুম্মগা ওইদা কম্লে। সরুপা চুংগ্ন পাইরে পার্থ রামদাসপু স্মরণ তৌরকই। হনুমান সিদ্ধিনা যেংঙকপদা কৃষ্ণ লেংঙক্তবস্থু থক্তই। অর্জ্জুনগী উপায় তৌরুগে খন্দুনা মনজবা সিদ্ধিনা যৌরক্লগা ধ্বজদা রাম রাম শোম্লরুপা খোংখোকতুনা উত্তরগী লৱাইদা পানবদা. উত্তর রাম্বহনা তারে। সোর হন্দোকতুনা হন্সংনা য়েংবদা হনুমান উত্তরগী মতৌ য়েংঙগা নোকখেং তৌহনা লৈবস্থু উবদা। যৌং হংবা মীগী লৱাইদমু অহক কয়া লাউব হৌংদরা?

অর্জ্জুনা উত্তর রামদাসনি থুইরমত্ত অহুম হায়কেদে।. উত্তরনা থুইরমজরে। রামদাসপু মনাই থুইরমজবরি, নহা যাওরি হায়দসি ভাব তাখিবু'কা। অর্জ্জুন রামদাস থুইরমজবে অহুগা লমাইদি মান' লিংবস্থু হায়গনবনি 'বারৌবিগস্থু, মগী হৈনখিনি। অর্জ্জুন' কৃষ্ণগী নামগা .লায়মনা কৌরবকী তেংলোলমদা ওনলিক্লগা যোইবুং থোংঙকই। পংগোল মরিস্থু মথোংহু.বৈতাল অপ্পাবদা

মেৎপগুম ক্রং ক্রং থিরগা থেরকই। কপিধ্বজদা রামগী মায়ম্না সিংহনাদা তৌরকই। অতুগী ধ্বনিনা সোয়দনা উত্তর অশিবগুম তাখরে। কৌরবকী তেঞ্জোলনা শঙ্খ্ তাবদা কিরিজো নাম্বনা অকিবা পোকখৈ। শঙ্গোল শামুনা স্নাই লাওথীবদা মন্না মূত্র ত্যাগ তৌখৈ। অর্জুননা উত্তরবু কোনথংলগা কুক কুক পোন্দুনা সিং সিং নানবদা চেক্তোন লাকহুনা কুক পোল্লকই। পার্থনা উত্তর থেজি নিংথৌবচানা অতুক শোল্লিবা শব্দ থরহুদা চাম্ব্রবদি থোয়েন লানকমগদি থিজিন হেন্না লাওরকনি। উত্তরনা ওহ থৌজিকী অতুক কনবদি পোকপদগী তামদি। ঐ ওইবগী মিদবনি অতৈদি মথরাই লানবা য়াই। শঙ্খ্ কপলম্নুনা নাকোংদা ঐ তাবিবানদি হায়রগা মথক-লোমদা য়েংজি।

মিক তকনা কুক মখা উত্তরহ ধনুংখিবদগী মিজন চেনথবরমাকে, অমুক্তা পোশ্ববিরগা শক্তি অমত্তা হায়িদু, অতু মত্রবাদ য়ারয়োই। অর্জুননা শক্তি মন্ন পোল্লগা লবাইনা কাপ্পগা সিং সিং নানবদা, উত্তর হারদগী পাজল শক্তি থেজংদি মশানগু থরলে। ওহ থৌজিকী মরহ অমুক অনিরক্তং পোন-বরবদি ওয়ানা কুম্মে য়েংঙগ লনাইমা কুরুগী মীয়মগী পাজবা ভম্বনি মিংজরে অকিবা থৈজদরে পাহলগু থেজংলে। ঙাইগী সিংহনাদহ অরোইবা থাহুনা অমুক্তা লাওথিদু হায়জরকই। অর্জুননা গাণ্ডিব লিনং লাম্ন চল্লগা লি রতক র তৌরগা সিংহনাদা জয়ধ্বনি লাওরকপদা শঙ্গোল মথিগু থেকে, ধ্বজদা রামদাসহ রাম রাম পোল্লগা সিংহনাদা লাওরকই। উত্তরদি হুংঙাইবা য়াগা পোকে। কোরবকী তেঞ্জোলদ শব্দহ তাবদা থক থক লিকথি।

কৃপাচায্যনা দুর্য্যোধনকা হায়রকই কুরুপতি থৌজিকাশব্দহদি অর্জুনগী গাণ্ডিব ধনু তঙ্কারনি। সিংহনাদগু পার্থগীনি, শঙ্গোলনা থেরকপা মনাসিজি রথ চিংবা শঙ্গোলনি। রাম নামগা লোইননা লাওরকপা শব্দহুনা কপিধ্বজদা হনুমানগী ললাওনি। তাস ললাওহ তাবদা তেঞ্জোল মরামাস কিদরে। শঙ্গোল শামু মল্লমূত্র ত্যাগ তৌহনা লিক্লরে। তাসদি তেঞ্জোল অরাবা তারনি চেক-শিল্লকো হায়রকই। কর্ণন কৃপগী বাকায় তাবদা মহারাজা দ্রোন গুরুগু, কৃপাচায্য গুরুগু, অর্জুনগী মতিক মগুণবু থাগৎহুনা মরাম্বু কিহলে, পাণ্ডবতবু থুংশিবা নাত্রি। কর্ণ ঐহাক তদি শঙ্গোল মখি কাপথবগু হানা ককথংলগা অর্জুনগী মকক কল্লগা কুরুরাজগী মাংদা থাদগে চিংন্দিনিজহু। কর্ণগী বাকায় তাবদা অশ্বত্থামানা কর্ণদা বৈকর্তন ইসাও অর্জুনগী মকক্তু দৈ মন্তে ঐগী মাংদা কল্লক পেম্না হায়থাদ ঐবু তাশিতবগী অমুক্তগা হায়খো। নখোই ঘুব থাক্কাদ চিত্রসেনগী মথুক্তা কাম থোকাখে? কুরুরাজগী থরাক ইহাও অর্জুন কনবহ কারেরবরা হায়রগ কর্ণনা থোক ওনশিল্লকই। কর্ণ অশ্বত্থামাগী লিন্দা থহবনিনা কুরুরাজা ঐখোয়রোমগী কাংথু ঐাদ হৈনদেন্দা হায়রগা মরু লুকথি। দুর্য্যোধন চাবনা ঐনা থাকুপা, রানা য়েক্কবগী মিচং ওইরগাংবদি থুংঙাইহে হায়রকই। অশ্বথামা কুরুরাজগী বাহায় তাবদা কুরুমিংথৌ ঐখোয়দি চাক্কংদ লৈবা মন্তে। নখোয়না লৈবহু হায়রবগী লৈবনি, চাবা থাকপনি হায়রবদি ঐ চৎলে। লাকি

ব্রাহ্মণ ঐখোইগী ইথৌশু নত্তে ঐ চংলে হায়রগা রথদগী কুমথরগা পিতা দ্রোণগী মাংদা চঙলকতুনা খুরুমজরগা হায়রকই পাবুং গুরুদেব নচাদি কর্ণ দুর্য্যোধন অনিগা অরোইবা রাক্ষম হায়রদুনা লাকচরবনি লেংঙসি হায়জরকই। দ্রোণনা করি হায়রররবগে হঙই। অশ্বথামানা রাক্ষম পুত্রক লোইনা ভম্মগা চাবা পাণ্ডবংনবা দুর্য্যোধন কর্ণগী রাকমহুদা দ্রোণশু পাণ্ডনা কুরুরাজ কর্ণ নখোইগী কনব' হায়রগা থঙইরবদি ঐ চংলে। পাবকশু মাগী রেরুবদি মনমদা খঙইবনি। নখোইদি পাদগী হেন্না ভোন্নবা, অভিমান্যগী মপাগী রেরবকাও অথন্নং মরাম মণক খঙরবা নখোইগা লৈমিনবা হোনদে, ঐশু চংলে হায়রগা দ্রোণ রথদগী কুমথরগা পিতা গুরু চংমিন্নখরে।

ভীষ্মনা কায় দুর্য্যোধন কর্ণ গুরুমচাদা করি হায়করে? মথিং উদবগী মচানিনা নঙশু মিং উত্রমাল্লে। গাণ্ডিবধনুটংকার ভারবা অনিবা উবগা মাঙরবা লানগী নমাংদা খঙদবা মতমশিদা করিগী ভাব ভাগ্রিবনো? নুমিং অমগী লেজনা প্রীষ্মগী মতমদদি থাংবা বারিখনি। হৌজিক নুমিং মঙালশুবা পাণ্ডব মঙানা নমাংদা লেপ্পরবদ', নঙ করমদোমা থাঙপদোরি? নুমিংশু মোংনা খজিনবশুম নঙবু কনবিবা ভম্বা গুরু লৈখরবদা কনাবা নঙবু কনবিগনি? গুরুগী খোং পায়দুনা থ'বকরু নত্রবদি অনাবগী ঔপাক্ত' নঙ লুপ্পগনি হায়রকপদা, দুর্য্যোধনা ইতাও কর্ণ লাও ঐখোয়না লাবথরে অযুক্তা হায়জকসি হায়দুনা রথদগা চোংথরগা দ্রোণগী মাংদা খুরুমজরগা গুরুদেবা ঐখোয়গী ইরান ভাকপিয়ু। গুরুনা খাদোকপিরবদি মনাইবু কনবিনবা লৈররোই, অমুক্তা ভাকপিদুনা লৌশিনবিয়ু। অদুগী পৎরিউদা ভীষ্ম চংঙকদুনা দ্রোণবু খুরুম্নগা গুরু অমুক্তা লৌশিনবিয়ু, ঐগী প্রেম যৌবিয়ু। দ্রোণনা দুর্য্যোধন ভীষ্মগী প্রেমনা ঐ শাওদরে হজিন্নসি হায়দুনা দ্রোণ ভীষ্ম কর্ণ দুর্য্যোধন হজিনখরে। অশ্বথামা লেপতুনা লৈহোরে, কর্ণমত্তনা হায়রমদনা চংলখিবদুদা গুরুশু হায়খম্নরে। করে গুরুশু সোকদা যাওসনু, ঐদি ইতাও পার্থগীদা য়াওগা ইথিক খঙহল্লগে অদুনা অর্জুনগী মাইপেরোমদা চল্লগা চংখরে।

ভীষ্মনা অদু উবদুনা কর্ণ দুর্য্যোধন গুরুমচাদা হায়জকে হরবা? চংখ্রিবা খোংথাংনি অর্জুনগী মাইকৈরোমদা চংখরে, চংকু মাবকহৌরু হায়রকই। দুর্য্যোধন কর্ণ চেল্লকতুনা খুরুম্নগা হায়জরকই ঐখোয়দি গুরুমচাশু যাম্নরবনি খঙহনা ভোপনা হায়জহৌদরে। গুরুমচানা লৌইবসি কনাইদা লৌবীরিবনো? অশ্বথামানা ঐচোক্ত রাইহে অমত্তা হায়রমদনদুনা ইতাওগীদা য়াওরগা ইথিক খঙহনগে ভোবানি। নখোয়না হায়রবনিমা গুরুশু লৌশিনখরে, করে চংঙগে মতুংদদি ভাব ভানলিকো হায়রগা অশ্বথামা হজিনখিদুনা মাগী রথদা চৌংখরে। অসিগুম্বা মহাভারতকি বারী অসি শ্রীব্যাসনা লেংরবা অসিবু মীওইবনা পুক্নিং চেনা পাকবা তাজবদা মীওইবনা মমহ খঙনা ভক্তিদ শ্রবণ তৌইজবা লোক্লবহ অন্তগী মতমদা লেপনা হরিধাম কঙই হায়বসি বেদনা লেপথরবা ব্যাস মাকানি ইতি॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

অর্জুন উত্তরনা সারথি ওইরগা লান চংওকপা, কৌরব তেন্থোক্লগী মণয়াম মুনবগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় রাজা সর্ব্বভূমাপতি! শমীথংগী মখুংদা অর্জুনা উত্তর অহাক্কি রথ থৌবদি মখিকগায়ম তম্লদ্রা? উত্তরনা কুক্কন'থা ওবা দোলাই থৌবগীদি কুক্কগী মাক্কক ইস্ত্রী মাতম্লীগ চম লায়না থৌজবা তমজনি। পার্থনা রথ থোদোক্লো হায়রকই। উত্তরনা সবরুপ চুপলী কোবলগ থারগা পাণ্ডু বিজয় শাক্লেনা কং কং থাক্লবদা, শাক্লে মখি উবা য়াক্লিবা শগোলহু শাক্লেনা থারকবা রথ কুক্রগা মুংশিংকী মাং মান' মোং থাকপগুম থেকছুনা লায়-থোক্লকই। অর্জুন রথ উত্তরনা চুপালি কাহনা শগোল শুন্দা লায়রকপগু ঙ রথহুনা লৈপাক্লা ভারগা তেকোলনা লৈরিবা উপলক্ষ্য লমক্লাওক্লু য়েনবা থৌরকপহু ভপতক্ল' থোরকই উত্তরনা রথী মুচিংবাশিংহু খত্তনিংবমী অর্জুনা শুচিংব, রথীশিং মপক তাকপিয়ু হায়জরকই।

পার্থনা হায় মবগদা লমাঙ্গী মচু মানবা দুর্গা য়েক্তিবা নিলচক্রদ ভৃগপত্র বানা থেংলবা মৈমি মচু মাংখা শগোল মক্লিদা রথ চিংলিবা অগিনা, পরশুরামনা বিষ্ণু স্বর্গা লিক' লেন্দোংগা লোইনবা য়াম ওইনা শিথা ভরদ্বাজনা ঘৃতাচী উবদা বির্যাপত্ত ওইবদা দ'নাদা হাম্লগা মরুর তোনা থরই। দ্রোনাদগী পোক্লকই হায়বগী দ্রোন কৈ। কৌরব পাণ্ডবকিদি শস্ত্র গুরুনি। গুরুনা খুংলায় শায়রিক্লেদা মবোল অহুমদা মায়থিবা শিবিনব' লৈতে। গুরুগী য়েংলোমহ লৈব্রিবা মবন্দ' নোংসা য়েকপা অয়ারিগী মণ্ডল ম্লক্তাবি থংনবা কমণ্ডলু য়েকপা মম কালমকনা মমাংদা লেক্লা ভংগ্রবা কৃপী শর্ভদা পোংকপা কৃপ চর্য্য গুরুগী মমাকনি, দ্রোনগী মচা অশ্বথামানি। অহুগা মবগ্রা মমাংগী দণ্ড লায়রবা লান মাংলা লায়হনা লেপ্ল'. মুক্তি য়েক্লিবগ' ইবুধো পুরেন লাক্লুহুনা য়োকপা শরদ্বান ঋষিনা কৃপী কৃপ হায়না মচা অগি শীমাংং থোক্লি। ঐখোয়গী শাদেগী আচার্য্য গুরুনি। মবনা বায়। মাংবা মনাপুল বত্তপক য়েকপা অগারিদা সূর্য্য য়েকপা দোলাই তোংলিবা অজিদ্রা বৈকর্ত্তন কর্ণনি। মপাঙ্গলদা সুবনুবনা কিনথবা শরগুরাংগী অথোইবা লিয়ামি। ঐগী অক্তাই বাশরুরিবা লায়রানি। অহুগা বৈদুর্য্য বাণমনি কিমিগিনা লৈতেংলিবা মবন্দা অচৌবা লায় য়েকপা, মবগী চৈথোকচা মনিনা থংমীব নিলচক্রনা সর্ব্বভূমাপতিগী জয়পত্র লেংলিদা অগিনা কুরুরাজ দুর্যোধমি। অহুগা মবন্দা মমাংগী কোংপাঙ্গী মচা য়েক্লিব দুর্যোধনবু মকবগী গ্রাইগী মাংবা লৈরিবা কংতনা পরাজয় শিবা ভয়ভখ, সত্যবতীবু শিত শান্তনুদা বিবাহ তৌগদগী শিক্তাগী মরুমা ইচ্ছামৃত্যু ওবা গঙ্গাগী শর্ভদা পোকপা কংলগক ভীষ

কৌবা ইবুধোউ অমিনি। অর্জুনা উত্তর তসিগী লাওংসিদা ইবুধোউ ঐবু থম্বা য়েংবিয়্রনি। গুরুশু গুরুমচাশু আচার্য্যশু ঐবু মুংশিবিবা ঙাকনি চিংঙরু। কর্ণগা ঐহাক্না পানরকপা মতমদদি অক্তাইনিদ্রা, থিংনা শিংনা থবা চেকশিন্না থোগদবনি কাররকই।

উত্তরনা কর্ণ অর্জুন অনিসি য়েংবদা অর্জুনা কনতনী অথোইবা রথীনি নিংঙরমহ্ * কর্ণগী তেজবর্ণ মীওই মীতৌ লাপনা য়েংঙকপদা, পার্থদগী কজনং হেল্লে হায়বা উত্তরনা মুম্না থল্লে। কর্ণবু উবদা পুক্নিংদা থুক লাওবা অকিবা পোকই, মথোইদি অক্তাইনিদ্রা। অনি অসিদা মায়োক্নরকপদা অথোইবা খুৎলাই থানদুনা পানরবদি সারথী ওইবা ঐনা হায়া শিগনি। অদুনদি ঐদদি কর্ণগী, মথুদগী হিংহৌবা মীনবা ধাকম অমত্তা হায়হৌরগে থনবদা, উত্তর কর্ণগী লাম্বা মতমদা লৈথোকপা য়ানরা রাইঁ অমা লায়হৌনবা পুক্নিংদা থনবদা ফংএ। উত্তরনা ওম্বা ঐগী ইশাদা ফংজবা মুংশিং অনা চেল্লি, মাইবা কবিরাজ কয়ানা য়েংএ, অদুবু কোকপদি ঙমজে। মাম্না কাংলক্লবদা ঙাইহাক্তং তুমকৌমবাদি থত্রাইসি থাগদোই। ওম্বা তমদে হেংবেন লান মরাইদা লাকক্লবদ নখানা চিংনরনি হায়বদগী কৌজিক হায়জহৌরিবনি। পার্থনা হোয়েন লান মরাইদা হৌরকনবা কৃষ্ণবু নিংউ। কনি ওম্বা নিংজগে। পার্থ উত্তর অনিনা দোলাই তপতক থৌরগা লাকইবত্ হৌবা থনা অর্জুন উবদা কিররদুনা য়োন্দা, ভীষ্মদা খুরুমজরগা কায়জরকই। গুরুনে ইবুধোনে খাঙনা মমাইবুশু কেল্লেংনবুশু কনবিয়ু। ভীষ্মনা ইনিংথৌ মথায়োমগী দুর্য্যোধনগী লাকক্মলোমদা কুম্পে য়েংনবা পুক্নদুনা ধর্ম্ম ভীম নকুল সহদেবগা তেজোল লোইনা পুখিদুনা মী অমমা লেংদুনা কেপা ওইদুনা লোৎপা, পার্থবু উত্তরনা সারথী ওইহন্দুনা পুরকপনি তেজোল ওবদা কিদুন চেরবদু কাক্ররগা শনীবন্দা পুশিনথরগা গাণ্ডিব পায়দুনা মনাকক্তি রথ তোংলগা লাকইবাসি মুমিং হেক্লে থওবদগী নহাক্শু উনরগে লাকইবনি। পাণ্ডবকা য়েক্নরবাদি কুরু শাগে ভুনথানি অদুনা সেম লৈবা হায়খিবগী কায়দনা ইন্দ্রপ্রস্থদা পালহন্নু অদুনা নকাক মঙ্গল ওগনি। অদু নক্লবদি ভাঁস নকাক থুদো থিগনি হায়রকই।

দুর্য্যোধনা কনু ঐ'দ পাণ্ডবতা লম পিররোই; রাজকদুনা ঐগী য়েরবা থমদনবা লান তৌরগে লেপচরে। ওম্বা তসিগীদি ঐনা দায় ওইরগে অদুগা থরাদ চেকশিন্নকো হায়রগা ভীষ্ম নিক্রু পায়রগা লিখি চন্নগা তেন্দোংনগী খেজবান সংলগা ভাঙ্গদ্বা মঙ্গ পোন্নগা ভেঙ্গা থোংলগা অভিরায়োমদা কাপ্লদা, তেন্দুনা হায়থরকপদা গর্জ্জদা খেজ শারে। খেজদুগী মসুংদা পন্নোন মঙাথোক্লা শারগা তেজোল শরুক মঙাথোক্লা থাইদোক্লগা পন্নোন মঙাথোক্লা থম্লগা মাংগী পন্নোন থোংদা ভীষ্মনা ঙাকই। অনিশুবা পন্নোনগী থোংদা দ্রোন গুরুবু ঙাকহল্লি। অশ্বত্থামা

* হিরৈন্ম বর্ণং পরিপূর্ণগাত্রম্ সমগ উন্নত পক্ষেন্দ্র লিলং। আদিত্য পুত্র বজ্রশক্ত সংশদম্ সাওয় কর্ণ রথ মহুং।

খোংদা কৃপাচার্য্যবু ঙাকহল্লি। বরিত্তবদা অশ্বত্থামাবু ঙাকহল্লি। মতুংদা খোংদা কর্ণবু ঙাকহল্লি। মনিংগী মতা পাল্লোমদা কুরুরাজবু রথী কয়াবু ঙাক পেন্দুনা লৈকল্লি। কৌরবশিং হেক্লোলনা চেক্লিনা লৈবহৌ উবদা উত্তরনা ওয়া বথলি কদোমদা খোঙ্গী হায়বগে কহৌ। অর্জুননা উত্তর বেকপী খোংদা রথ তোংখৎনা তেক্লোলবু ঙাকইবা ভীষ্ম ইপুখোংগী মাংদা রথ থৌজিল্লু হায়রকই। উত্তর ভীষ্মগী মাংদা রথ থোরকই। রথ থোরবকতুন উত্তর রথ থামঞ। অর্জুন কিরিটি লৌখোক-তুনা খল্লগা, কুরা কি মাল্লগা নোম্বনা চাক্লগা রথকী মাংদা অর্ধচন্দ্র ভাজনা পুক্লমখৈ। ভীষ্ম চহি ১৩ উনখিদ্রবা মুংশিনবরবা মতুংবু উবদা রথতগী চোংথরক্লগা অর্জুনগী শরে, পারিখুনা চিং-খংলগা হুদিনা চেংনা কোম্ল শাইবক্তা চুক্লোন তৌই। ভীষ্মনা অর্জুন মরাক্তা লানগী উক্লোই তৌরগা লাকপদি মহাক্তি শাপাখন ইপুখা চাংবু থমলি। অর্জুননা ইপুখো অহঙগী শাকতা কোমা পাল্লগে, মসাই বাকম অমত্তা হক্তগে নত্তুনা অমুক্তা তাকপিখো। ভীষ্মনা কয়িদো হায়রো। লাইবক থিরবী পাণ্ডব মচাগী অপোকপী * ইমাবু নিংথৌগীশু মচানি নিংথৌগী রণীশু ওকক-রকপী অহবু লৌনা লুখ্রা ওইবদগী ঐখোয় মচাবু য়োকশদা লাইরবগী ভরমথা হোংনরবপদা। পাক্লপশু পোক্লবী ইমানি। ঐখোয়মা হোংনক্তুনা রাজমাতা ওইদুনা থরা পোশাচকরা ইমাবু কনক হোংখিদুনা গুরুজনগী মাথং তাকপদগী ইমা অমুক কায়নহনুনা চহি ১৩ নি উঙবশু লেবাশু পাণ্ডশু কংলমরে। ইমাবু মচা মখো কায়নবগী অরাবশগী স্বর্গতি ওইখবরা কুন্তীগী কৃপানদগী হিংদুনা লৈরিবরা? কৈদৌনা ইমাগী পাণ্ড অমুক্তা নত্তুনা অনৌবত্তু তাকপিখো কাংনা মিওই শি শিন্দুরগা হিক হক কপদুনা হয়িজরকই।

ভীষ্ম অর্জুনগী মচাগী প্রেমনা বাহিরহৌ উবদা থিং অনিদ। পিরাং শিন্দুনা ফিজিনা তৈত্থোক্লগা হায়রকই, নঙা লৈকপী ইথৌদি, হৌজিক নত্তোন বিহুনগী অপদা নত্তোয়। লেবা ওইদুনা লুংচাইনা লৈরি। ঐদি হ'গ্রাদ থতনে, বিহুকগীদা লৈথিবহুদা থত্তবনি। অহানবদা বক্তান-সেবাহুনা কোঙ্গুয়লোয়মদা লৈরমহৌ মবুক কত্তবা কাংবুন বক্তান খিল্লিবা কাংবুগী খওরনা ময়াম তুং-শিল্লগা বন্দা খিনদমুনা পাণ্ডবশি হান্তমাগী চেংনা কিংখনা লেবে হাকজিন্দুনা দুর্যোধনা পুক্তে পাগ্রবা ভগ্রারিশিংদা ইশোনগী বক্তান হল্লমু, চেং হরাই মত্তা অমতং পিরম্লবদি মুথরায় কৌন হায়বদগী থক্তন লাকইদুনা চংদুনা হল্লুবদা ভগ্রারিশিংনা তত্তদগী নমানা ঐগী চিঙ্গগী বাখোক ওইরমরোই থন্দুনা কমাদশু হায়রোক্তনা বাজবাজার খোক্লগা নিক্রবদা মুংশিন্দুনা লুকমাই পোশাকি হুকান্দারশিংনা পিহমা লুংচাইনা লৈজরবহু কত্তবাশংনা পাণ্ডবপুনি মুংশিনবিনা, কুন্তীনা হুমিদা-বাইরম খোকখিবদা বাক্লাংগী কাংবুনা থাম্বনীনা পিবহুনা বন্দা খিন্দু। পাণ্ডবশি হান্তমাগী চো

* মূল— পঞ্চ পাণ্ডব অজ্ঞাত তোকস্তুতা দুর্বলিশীয়ে ত্রয়োদশ বৎসর তাংগী থেমে, থৈবে মরাশি, কিল্লাপর্ব পাদিনী কিথা পাখোনদ বন্দা পিতামহ। লৈমিনি ভাবত বাকায় ইজ।

চাইনা ফুংঙাইনা লৈরে হায়খিন্দুনা দুর্য্যোধননা বাজারদা থোক্লগা কুন্তী ইন্দোংদা চেং হবাই মরু অমতং পিবা অহুদি মুপী ওইরো-নিপা ওইরো, মথনাই লৌগনি লাওথোক্লম্বদনী কুন্তীনা থোকখিবদা বাজারগী মীয়াম্না বাঙর্থাজা থৈকবী ইমা বাজারদা লেংথোকপিরকুহ্। কপ্রিঙ্গবা বস্তু অমতং কুন্তীদা পিরম্বদি মুপী মুপা ওইরবত্ মথনাই লৌনি হায়হনা লাওথোক্লম্মে. হায়রগা বজারগী মুপী নিপা পোমনা পোং লোয়শিন্নরগা কৈথেল কুমথরবা সন্ধ্যাগী মতমদা মচা মখৌ কৌরবগা চেংখাহনা কল্পদা বিদুরদা চতনা তমলুবনদগী বিদুর লাকতুনা ভক্তি তৌরগা ঐপীদি ইমা শক্তবী ইতেম্বনি। ঐদি রজ বন্ধাম সেবানা কোম্বুংদা ফুংঙাইনা লৈরিবনি নিংথৌ। ঐদি খঙজদবনা হৌজিক্তি তম্বা মাঙনা হৌজিক খঙজতনা লাকচরিবনি। মবুক কত্তবগী করক পেল্লবা ওইরনি। ঐপীদা লেংঙদি। ঐনা ইতেমগী সেবা তৌরগে হায়হনা হৌজিক্তি বিদুরগীদা লৈখরে। অদুদগী কংঙকপদা কোম্বা খঙলকপনি।

ভীষ্মগী পা দম তাবদা অর্জ্জুন দুর্য্যোধনগী মবুক কত্তবা হেনম্নবদুদা ভীষ্মবু থুক্মজরগা কাম্বজরকই ইবুধৌ ননাইবু দাদা কুরুরাজবু অমুক্তা উনজগে। ইবুধৌ থোংদি অমুক্তা থাদোকপিয়ু। পার্থগী বাংহায় তাবদা ভীষ্মনা হায়রকই, অর্জ্জুন হন্দক্তা দুর্য্যোধননা বিরাটকী যণয়াম মুনগে ইবুধৌ গুরু গুরুমচা আচার্য্যকৃপস্ত য়াওবিয়ু হায়বদা ঐথোয়না যাওরকইবনি অদুদেবগী পাওদম তাবদা দ্রৌপদীগা পাণ্ডব নথোই অজ্ঞাত বাসগী সোইদনা লৈরে খঙহনা, নথোয়বু উনিংহনা ঐথোয় মরিসি য়াওরকপনি। অদুবু অর্জ্জুন নঙবু কিবদগী ঐগী তেঙ্গোলসি ইবুধৌনা থাকপিয়ু হায়রুহনা ঐনা থাক্লিবনি। নহাকস্তু বিরাটকি উপায় তৌগে লাকপনি, অতত্তাইমক নঙ্গে। কুরুরাজগা নঙগদি কেত্তি মচাগী খুংলাই পাম্বনরবনি, দুর্য্যোধন সোইবা থারবদি নপু ঐহাকি কুমশ জগৎতা লৈহৌরগনি অদুনা যণয়ামসি নপু ঐহাক্তা লোইনা হংগে, অসিদি মচিন ননাও উনরগদু।

পার্থনা ইবুধৌ চৌবরগী য়াশক্তা অজ্ঞাত বাসদা থিবা খঙলগা বম অমুক চংপা খঙ্গ্রগম্বা হায়জম ইন্দ্রপ্রস্থদা হস্তিন্দুনা পাম্বা হায়নথিবনি। মদুগী বাহ য়ানি য়ারোই হায়বা ১ত্তা খঙজখিগে। দাদা মহারাজগী পুকচেলসু খরা হেনমল্লি। ইমামক্তা অহুরৌনা ভয়বহনদি ইথুংচন্নবনি পিনি পিরয়োই হায়বা অসি খঙজখরগে। ভীষ্মনা অর্জ্জুন অসিদি ইপুনা থবস্তু লোইনা হল্লগনি বিরাটকি উপায় তৌরগা হল্লো। ইন্দ্রপ্রস্থদা হস্তিন্দুনা পাম্বা য়ীনি য়ারোই হায়বগীদি দুর্য্যোধননা কোম্বা উনরগা খঙরো। ভীষ্মনা অর্জ্জুনদা যণয়াম হনগে লাম তৌমুসি হায়নরিবা পাউহ্ তাবদা কর্ণনা বন্ধু কুরুরাজ নাক্তা ইক্তাওগী য়েংবা হাংকে থাইরিবনি, অদুবু যণয়াম-হনগে লাম তৌমুসি থেমই হায়। অমুনা মামা শকুনিদা শিন্নগা হস্তিনারোমদা হোইহনখরো অহ নত্রবদি অর্জ্জুননা হনখিবা তারে। বাহ্ তাবদা দুর্য্যোধন শকুনিদা মামা বেহগী পনখাম্না অক্ষৌহিনি অমবু যণয়াম থাকহুনা থাম্নবনি, তেঙ্গোলগা লোয়নদা হস্তিনারোমদা হোইহনখরো হায়রে। কুরুরাজগী পাউ তাক মহুংইনা

শকুনি খোকথরগা তেজোল অক্ষৌহিণিদুগা যগয়াঁদু হস্তিনাবোমদা হোইথরে। মহু রথকি মথক্তা উত্তরনা উরে। মতৌদু উবদা তাররকই, ওঝানা ঐখী উপায় তৌবিদি লাকপিরগা ইবুধৌনি হায়দুনা তাঙ্গিনা লৈরে। লোমদনা যগয়াম হংপনি হায়দুনা ওঝাধুঁ খাঙ্গিদি। খীগী মরম মুনপনি পাক্লগা ঐখী ইঝাংদনা ইকায়খাংদগী ইও "মত্তা লৈরমগদি খত্তলদুনা লাকপনি হায়জিল্লি। মঙ্গু রাবকপঙ্গু জনদবা ভীষ্মদু মরা লৌয়ী যাদে। মগয়ামদি হস্তিনাবোমদা পুহংথরে কমদৌদিবৌরি হায়রকই। উত্তরগী বাহায়চ্ত তাবদা ভীষ্মনা কার অন্তাং কপচেংগা ঐবু ভীষ্ম হায়খদি মত্ত লংকেরা? উত্তরনা কিরিতৈদ কক্লনি হৌজিক্কি ওঝা লৈরবনিনা কিদরে অমু হায়রকত্তু। ঐনা ভীষ্ম হায়বগী পাওকন্নু মীনা লাইরিক হৈত্তমাল্লে হায়খিদ্দি। ভীষ্মনা করি মচ লাইরিক কয়াম হৈরদুনা? উত্তরনা ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বরবু কনবা কনা লৈ? গুপীন্তু অত্তাঙ্গু পাংনম্নু ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বর হায়বনি। ইমিং পাল্লি হায়বগী পাওবরা? নীম পোনবগী মহৈ পিখিরিব.ন। অত্ত ... লাইগুন খত্তদুনা ভীষ্ম হায়বা মাময় পাপ কোকচপে পোজ্জবনি।

উত্তরগী বাহায় তাবদা পার্থ বখত্তা কারগা খুংবদা শকুনিনা হিংদুনা হস্তিনাবোমদা হোয়খদিবদু উবদা অর্জুনা ইবুধোনদ যগয়াম হক্লগে দদি তৌরগুম তাকপ ... যগ ... কয়ামুক্তা শকুনিগা হস্তিনাবোমদা হোইথরে কমদৌশো খোবকপে তাকপিদু ... খেংজকপদদি হোইখরিবদু উবদা ইকায়দুনা হায়রকই চুবো থম মহুক ফত্তবা, ... হায়নরিবনি। ঐগী মতাম করিনো খজনা ... ভুক ফত্তবা উৎপত্তবনিদা ... মখরাইমক্তি লৌকন্নু অহুগা .মতিকচাবা ফজাদ ফংকন্নুকো বিনায় পৌথরে।

মবুধোগী রাথং কংলবদা অর্জুনা উত্তর রথ থৌরো যথমাস হায়া মুন্নুখিদি। উত্তরনা লোলাই খোরকপদা তেজোলদা য়াংজিনা কোইন চৈথিতৈদা পম লাপখিদৌরে। পার্থনা ইন্দ্রজাল তেন সংলগা মন্ত্র পোল্লগা কাপ্লকপদা যগন্নু নীন্নু লোইনা উপলগা থংএ। অর্জুন তেন অমা পংলে তেজ্জিন্দা গন্ধর্ব মন্ত্র পোল্লগা নিয়রদি মত্তক্তি ককউল্লু থাদদা খারগা মুয়া পিমু হায়রগা ইন্দ্রজাল মন্ত্রদা কাপশিনখি। তেন্দুমা জাল মন্ত্রদা চত্তলগা ওডদুনা অক্ষৌহিনীদুগী মশিং শুনবা তেন পোকখোক্কই। জাল মন্ত্রচদি পুংখম মখগা চত্তলক্রিবা গদ্দহু তাদদা খগন্নু খীন্নু কিবনা থক থক নিক্রুরে। তেন পোকখোকপা মশিং শুরবদা তেন্নবীহনা হায় নখোই অমমথ থম্মোইদা খারগা রাজহন্নু, শকুনিদি ঐগী শরুক খাক্লমই। জেনয়ামদু হায়খরকত্তুনা অক্ষৌহিনিদুগী থম্মোইদা থক থক খাবদা মুর্ব, ওইদুনা তানরে। শকুনিদি সারথিকাও তাক্লমদনা খংতগী তপনা কুমথখরগা রথকি মখাদা লোংনা চত্তলগা লোংতুনা লৈরে। তেনদিদুনা হায়খরক্লগা মমক নমদুনা দিরকপদা লোলাইগী মখাদা শকুনিগী মনম কংলদুনা ওক্লগা লেংবদা .লোংনা হিল্লগা থম্মোইদা মখুং অনিদ্মা কোল্লগা শকুনি হিপতুনা লৈরমএ। "তেননা মাস মবুক শুরবনীদি, খোইদৌসিমক্তা লেংজগে খন্দুনা লোইমনবগী লোই তৌরগা নাক্লু কমা থায়গে হায়বগী কামুক পায়থংখরগা

হায়থরকতুনা থোইদোৌদা লেংহুনা থাবদা শকুনি রাম্বখরে। অর্জুন তেন্না থারে হায়বা মপুক্তা কাওই। বাইখন্ত্র কাপ্পগ' ইন্দ্রজাল লোথোকপদা যণ ময়ামচু ময়্রগা তেনগী শব্দনা ওংলম্বগী খংঙাল ওঙ্গকপহুদা কিহুনা মাইকৈ খুদিং চাইহনা চেন্নখ্রে। বন নদা নদী খুদিং চাইখরিবা অহ উবদা উত্তরনা ওঝা যণরামদি মাইকৈ খুদিং মফম খণ্ডদনা লোইনা চাইহনা চেনখরিবসিদি কনানা থিকনি লোইনা মাংবা তারে কমদৌনি? অর্জুন্না মক্তোহু উবদা কৃষ্ণগী কৃপা য়েংঙগে খন্দুনা কৃষ্ণনা বংশীগী মরোলসি যোইবুদা পান্দুনা যোংবা জমণ্ড মতম অমদা কাম্নগনি তাক-থিবদগী মোইবুংদা মরোন্দু শুনা থোংবা ওমই। পার্থ দেবদত্ত মোইবুং পাম্নগা (কালি করালী হিঙ্গুলি পিঙ্গুলী সুরভী বংশপাভী আয়রে আয়রে গোষ্ঠে যাইবার সময় হইল)। মরোন্দু পান্দুনা কেরকপদা কৃষ্ণগী কৃপান' অর্জুনগী মনাক্তা মায়ৈক খুদিং চাইখরবা যণবী যণনাও ময়ামচু চেনশিন্নরক্লে।

পার্থনা উত্তর গোস্তরামদা রথ থোরা হায়রকপদা উত্তর দোলাই থোরে। যণ য়ামনা গোষ্ঠয়োমদা কারকই। মেপ্না ভীষ্মদা কৃষ্ণন গোচারন লিলাদ, থাকগী মতমদা বাঁশি থোংলগা যণকারকপত মাংদরা পার্থনা তৌরিবসি। দ্রোন, ভীষ্ম, অনিনা ধন্য ধন্য পার্থবা থাগৎলৈ। গোপ পক্রেমকাশিসু যণরামগী তুং ইন্দুনা লোইনা লাক্লে। পার্থনা রাখাল মখোইনা যণ হোইরগা গোষ্ঠ য়োথগো শিন্নখরে। খুদক্তা রাখাল মচামচু যণগাংরে। অর্জুন্না উত্তরদা দোলাই কৌরবকি তঙ্গোল্লোমদা থোরো। উত্তরনা ওঝা যণরামচু মুনাংরে পান তৌরক্তুসি। ইরন খরা মাংবদি মংঙাংসচু ওঝা রারনি হন্নসি। পার্থনা উত্তর যাত্রাগী মতমদা দ্রোপদীনা মদিক্তা মণি তাহুনা পাশখেলাগী কাম্দা কৌরবনা কাহেন্না থোকখিবা থবকচুগী লমন শিংবিরকউ হায়জ-রকপা, রাশকচু লমন শিংশাদবা ঐগী থবক অমা বাংলি। রণ ইবুথোগী মাংদা থৌজিন্নু হায়রদ, উত্তর ভীষ্মগী মাং য়োনবা রথ পৌরকই। অর্জুন তেন অনি কাপ্পগা দ্রোন গুরু খুরুমজনা লাম চঙ্ক্ররক্কে হায়জখি। দ্রোন্না অমুক তেন অনি কাপ্পলক্লগা আশিষ তৌরহুনা মনিং খুংনবা তৌরমক্ত হায়খি। তেন অমনা আশিষ তৌরগা অমনা নাকোংদা পাউতাক শিন্নগা অনিমক লৈপাক্তা তাখি।

উত্তরনা ওঝা কাপ্পরিবা তেন্দু মপাক্তদ শোমবনা কাপ্পকপা ওইরমাে নাকোংদা অমা কোক্তা অমা শোক্লম্নগা লৈপাক্তা তাখরে। পার্থনা এনা তেন অনি কাপলগা দ্রোন গুরুদা খুরুমজহুনা লামগী মরম হায়জবনি। গুরুনা তেন অনিহু কাপ্পরুগা তেন অমনা কোক্তা আশিষ তৌবনি। তেন অমনা নাকোংদা পাওতাক কর্ণ দুর্য্যোধন অনিমক নক্তগী বিদ্যাহু মতিকচানা খঙহল্লমক্ত, ইপা ইচাবু মখোয়না য়েংথিবা ওইনা খল্লবনি হায়না তাকশিনরকপনি হায়খি। উত্তর রথ থোরক-পদা ভীষ্মগী মাংদা দোলাই থামএ। অর্জুন কিরিটি খঙ্গগা রথতগী চোংথখরগা ভীষ্মবু খুরুম-জরগা নম্মবু অমুক্তা চত্তজগে, চত্তবা য়াবনা থোং অমুক্তা থাদোকপিয়ু হায়রজে।

ভীষ্মনা পার্থ কুরুরাজনা ঐদু ভাকপিদু হায়জহৌনা ভাকখুরবনিনা ঐগী যেক থাজিনবদি ঙাররোই। মপুনি হায়বগীদি মঙ চিংনগদু। কেন্দ্রি যম্মনি নঙগী ঐখা ভাইহাকুং পাম্রাদি। নঙনা জয় তৌবগা চংজখো মপু ঐহাক্কি থিংচং থিননবা। ওহুগা তেঙ্গোলিদি অভ্ভাবদি নত্তে মখরাইদি হাংবুদু, নঙগী থিজ্রাদি মতিকচানা থঙহনমঙ। ঐদুদু ঙপিদি নঙনা জয় তৌজখরো বর ওইনা পিরে।

অর্জ্জুন মনুখোগী মাথং কংলবদা খুরুমগা রথ কাখরে। কিরিটি হাম্রগা দেবদত্ত মোইবুং খোংলে। ভীষ্মপু মোইবুং খোংলে। মতু মপু লিকুং পাড়বা লিরী চনবা টংকার সিংহনাদা মাথৈ। ভীষ্মনা তেন তরা কাপ্পি অর্জ্জুনা থবাক্তা ওক্লগা লৈথেকতুনা থাদখি। পার্থনা তেন তরা কাপ্পি ভীষ্মনা থাবাক্তা ওক্লগা লৈথেকতুনা থাদৈ। মুখিং মুদাম পাংথপিররে। অসিনা কচি খশ্মগী ব্যবহারবানি থিজ্রা লৈবনা ঙমবনি।

মথা তানরকপদা তেমা নোং চুবগুম কাপ্পরে। অর্জ্জুনা হেৎকিবান কাপতুন ভীষ্মগী তেন ককথরগা ভিদ্দীবায়া থাবদা ভীষ্ম মর থিংহনা রথকি মথক্তা খুংউ কুন্দুনা তুখি। পার্থনা ব-বাগী মেহগী খোংজিন গ্রানখংহনা লগী কাংলগা ভীষ্মগী ওইরোমদা উত্তরনা রথ মতু পমজ্জুনা থৌজিনখরে। অসিগুম্না মহাভারতকি বারী অসি অমৃতগী ঈচেলগুমনি। রাজনিতি ধর্ম্মনিতি অর্থনিতি ভক্তিনীতি পুনা শ্রীব্যাসনা লেংখরব। অসিবু মীওইবনা শ্রদ্ধা শ্রবণ ওইজরবদি কগুগী মতমদা মীওইবমনা দেব মেহে ওইরগা হরিধাম মরুদি হাববসি ব্যাস বাক্যনি ইতি। হরি বোল হরিবোল ॥

অধ্যায়

পার্থনা কৌরবকি তেঙ্গোলদা চগুহুনা কর্ণ-অর্জ্জুন লম্বাদা জয় তৌবগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়—হে রাজা জন্মেজয়!, অর্জ্জুনা যেক পন্দুনা চঙলকনা তেঙ্গোল থথা মরাক্তা পার্থগী থঙ্গা তেল কাপ্পিররকই। অর্জ্জুন মরাখগী তেন ককথরক্তগা অমুক কাপশিল্লক-পনা মীপুম খুদিং শিনথ খুংনা থাখদা মুর্খা ওইহনা তানরে। অর্জ্জুন পল্লোম্নু লানশিল্লকতুনা পলোন অনিদা তাক্লিথা দ্রোণ গুরুগী মাং মৌরক্তে। পার্থ কিরিটি থম্মনা গুরুদু নগুবং মত্তাবক খুরুম্নই।

দ্রোন রথতগী কুমথরকপা অর্জ্জুনবু প্রেম আলিঙ্গন তৌই। গুরুদেব মনাই কুরুরাজা অমুক্তা উএকপে খৌজাল পিনবিয়ু। দ্রোন, অর্জ্জুন নবুখৈনা থাজিল্লক্রবদি ঐন্দু চঙখরো থান-জিল্লগদবনি। ঐবু অজিগুবা পল্লোনসি ভাকউ লিয়বনা থাজিনবদি য়াবরোই। খুৎলাই পায়রো নঙগা ঐহাকা পায়পা মঙন ভুম তৌরগা চঙজখো হায়রে। পার্থনা গুরুগা ঐহাকদি কমদৌয়া লাম্বা তৌগদগে মহাক ভাকপিরবু হায়রে। দ্রোনা লান নঙনদি য়াবরোই। উত্তরনা ওঝা ব্রাহ্মণ লাই লাংবনি। কনা হায়জহুনবু য়াবরোই। মতু দা লুট-পাট য়াওদনবা লু কোকখোক্লমসি, মতুংদা লখোইবৌনবা। ব্রাহ্মণ অহম্না লন পাম্বদগী লুট-পাট যাংবসি কয়া লেমজেন্না। ওঝা রথ কাথংপিরক্লো খুরুম্না ব্রাহ্মণ অহলগী লু কোক্লমসি।

পার্থনা উত্তর গুরুদেবদা অহুম থারহেদে। উত্তরনা ওঝা ইরল শোক্লরবনিনা ইপাক্ললনা ভজরবস্থ ইচিন্দাদি পেয়া হায়জগে আসদদি থিংবিগদু হায়রে। দ্রোনা অঙাং কপচেংগা! উত্তরনা করনো দ্রোন হায়না খুমই। মেনশানপু নবুখোকাও হনবা ঐগী ইথিংদু কায়রি মঙক ভংকেরা? উত্তরনা খোগী মরল মুরবগী থল্লিদৌদা লাইবিক পাহোন্নবরা? ঐনা দ্রোন হায়বগী শাগুরিবদু ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বরবু হনবা কনা নৈ লোয়না মিং হায়নবা ভক্তি। লাইশিংহুনা ঐখোইগী নাম শোক্তরি পেনবিরিবনি। ঐনা লাইগুরনি থজহুনা দ্রোন হায়বা নামদু পাপ কোকচল্লবা শোক্তরিবনি হায়রকই। দ্রোন্না অর্জ্জুন রথ কায়রো নঙগা ঐহাকা লান পানরসি। অঙাং অনি তিনকেল কনলই তানিংদরে হায়রকই।

পার্থনা গুরুদেব উত্তরনা ভাংবসি রারৌবিরুদু, মগাগী হৈদবা ওইনা তৌরবসি হায়হুনা গুরু খুরুমজরগা য়াথং মতুংইন্না রথ কাবে। গুরু শিষ্য অনিমক লিরুং পাহুনরে, লিরি টঙ্কার তৌনরে। দ্রোন তেন তরা কাপ্লে। পার্থনা থবাক্লা গুরুগা লৈথেকহুনা থাদরে, অহুপা লিরুং পাহুনা তেন তরা কাপ্লে দ্রোনা লৈথেকহুনা থাদরে। অহানবগী শিরম ভাক্লরগা মথাদা পুলরগী মতৌগুম কাপনৈ ককথংনৈ। অর্জ্জুনগী তজুবান্না গুরুগী থম্মোইদা থারে, দ্রোন খর থিংহুনা জারে। অর্জ্জুনা কাপথোরকপা তেন্না মথং মথং থাবদা অনিগুবা পল্লোন কাইহুনা চেনরে। উত্তরনা রথ খোজিল্লকপনা অহুমগুবা পল্লোন ভাক্লিবা কৃপাচার্য্যগী মাং মৌবদা লোলাই থানখরে। পার্থ কুমথহুনা আচার্য্য গুরু খুরুমলে। কৃপগা অর্জ্জুনগা লাম্বা পাম্বদা কৃপগী থুংকাপ পুম্নমক করুগা তেন্দু অনি লোংশিল্লকহুনা লিরুং তন্দো থাবি করুপা থাদরে। অর্জ্জুন আদিগুরু কৃপদা তেন্না থানিংদহুনা কপচত্তদী তেন কাপশিল্লকহুনা কৃপগী কুরিং য়াথয়হুনা থাদখরে। কৃপ তেন খুবাম খুবাম কাপশিল্লকই। অর্জ্জুনা তেন্দু ককথংরগা তেন অনি লোংশিল্লকহুনা লিরুং কক্লে। কৃপ লিরুং অমুক লৌই লিরি চনগে তৌরিঙৈদা পার্থনা ককতুনা থাদরগা সারথী মঙক কক্লে শগোল মরি কক্লে। কৃপনা তা পায়হুনা ছজিল্লকই, পার্থনা টাদু করুগা লোলাই য়ানথাইরে। কৃপ গদা পায়রগা চেনশিল্লকই; অর্জ্জুনা গদাদু ব্রজবান্না ককহুনা থাদরে। অদুকাওবদা লাইরবুক্তগী

মরিম থাবনগী, লেংলিবা কৈজোমগা উত্তরিগা নোঙ্গণদা তাইরবহুনা খুতুম চিংহুনা লৈরম্বা খঙগনি হায়হুনা অর্জ্জুনগী মাংদা চেৎশিল্লকই। অর্জ্জুনা খুরুম্নগা গুরুগী কিক্তবগি থাউজুনাই অংগা ফিজোৎ অমগা লেংবান্দা যাংগা উৎসব লেংঙবনি হায়রবদি লেপ্পনিদা হায়রকপদা, কৃপ হন্হনা মেংবদা হকচাংহু আহ্নরক মাংরমদরে, কৈজোমগা উত্তরগদা তাইরগএ। কঙ্কিনা কিক্তহন্কাও থহ্নহৌদনা অর্জ্জুনগী মাংদা খুতুম চিংঙগা চঙবহুদা ইকায়হুনা ময়ূ লুরুগা হন্দোরকই। সরথি রথ পুরকত্ত লাউরকই। সারথিনা রথ পুরককুনা কৃপ লোলাই তোংলগা পনিংলোমদা হনবিংনা রনবেল লৈতেংলগা পোথাহুনা লৈখরে।

কৃপাচার্য্যনা কাথখরবদা সারথি রথ থৌজিল্লকতুনা পার্থনা কাপথোরকপা তেমা থাবদা তেজ্জোন কায়হুনা চেমখরে। অমুক থৌজিল্লকহুনা পন্নোন মরি ভাক্লিবা অশ্বত্থামাগী মাং মোরকতুনা উত্তর রথ থামএ। চহি ১৩ উনখিদরবা খুংশিনগা মরুপকি প্রেমনা অর্জ্জুন রথগী লোংখরে। অশ্বত্থামান্থু রথত্তগী চোংথরগা অর্জ্জুন তমনা চেংশিল্লকই। খুংশিনবা মরুপ অনিহু খুদং পান্নোম পায়হুনা চিংশিন্নরগা লেহেগা লেহেগা প্রাণমথা উমদবা কুইরে, অতৈদি মরুপ ওইরিবরা, এখোর হায়নরগা চেক্কেৎ কোয়রগা প্রেমনা অনিমক মুর্চ্ছা ওইহুনা পৃথিদা কোয়রগা হায়খহুনা তানখরে। অশ্বথমা অর্জ্জুন অনিনা ভান লাকপদা তেজোল মীয়াম্না শুরুমচাগা অর্জ্জুনগা মল্লযুদ্ধদা পৃথিদা ওল-থোইহুনা নম্নথরে হায়না নিংয়ম্নে। অশ্বত্থামানা ইক্তাও মরাম্না মল্লযুদ্ধ লাম্না পানখরে হায়নরিবসি তান চারে ইচাওবা থমহনা রাম্বহৌরমাক্নে হায়রমসু, ঐদি ওন থোইহুনা লহৌথিগে। কর্ণগা দুর্যোধনগা নহাক্তিদমক ঐগা না য়োনখরবনি। অনিহু নহাক্না মতিকচানা থংহলমউ কা রে। অর্জ্জুনা হৌগৎলগা রথ তে এ। রথ থৌজিল্ল হায়রগা জয়শঙ্খ থোঙএ।

মত্তাক্তুবা পন্নোন ভাক্লিবা কর্ণগী মাংদা মোরকতুনা উত্তর লোলাই থাংএ। কর্ণ অর্জ্জুন অনিহু উনখদা তাঙনবা য়েঙনবা থোক্নোক অহুগী প্রামান্দি হস্তিনীগী মরমদা মরাক কারবা শামু য়াগলবা অনিগুম, অমদি সিংহরাজ অনিনা মাময়োকরগা তানেঙগী মতৌগুম উসিংনমবগী, শক উনবদা ওসি ইতিক খঙহুনগে হায়রবগী খুংতাইক অনিমক পুক্নিংদ্থু লৈনরি। কর্ণনা হায়রকই হায় হায় অর্জ্জুন নঙ অসিদি তান চারে নথরায় লৌরগে। কর্ণগী উসিত্তবা বাহার তাবদা পার্থনা হায়রকই হে সূত মচা নঙগা ঐহাক্না বাশকুবিবা অহতাইনি। নঙনা ঐহাকপু য়াম্না উশিংজেনা নাপল্ কৌনা হায়বদি সনামা নাপল তৌবদগী চংনিং উ মহৈগা তুগনা ভয়ম্বিবনি। অংচম্বল আগরন মনম খুংশিবদা ঐথোয় মত্তাইরে হায়না নাপল তৌবদগী দুংদা তকহুনা তুম্বগুয়া, নঙ ঐগী মাংদা নমাই লৈগম্নু নঙ লোইশিনবিগে খঙগনি। কর্ণনা অর্জ্জুন লঙনা মরোল অহুম নমিং চংপদি কৃষ্ণগী কৃপাননি। হৌজিক পাণ্ডব মথোয়দি কৃষ্ণনা চানবনি কৃষ্ণ কোয়ো। কৃষ্ণনা সারথি ওইরগা লাবা তৌরদি। কৃষ্ণগী মাংদা নঙবু জয় তৌবনা কুরুরাজগী য়েকনবা কোক্নজ্জগে হায়রকই।

বৈশম্পায়ননা হায়—রাজা জন্মেজয়! কর্ণ অর্জুনগী লান্না য়েংশিনবগী শিব বৃষভ তোংদুনা দুর্গা মোংনা তোংদুনা লাকলে। ব্রহ্মা কাংজ তোংদুনা সাবিত্রিগা য়োরক্লে। স্বায়ম্ভুব মনুগা প্রজাপতিশিংফি মনুবংশ লোয়না লাক্লে। অগ্নিদেব হামেং তোংএ, যম ইরোই তোংই, সুর্দেব শক্তি তোংই, বরুণ ঙা শিরোম তোংই, নৈঋতি রথ তোংই, কার্ত্তিক মাঙোং, গণেশ উচেক ঈশানদেব কৈ তোংই কুবের রথ তোংই যক্ষ গন্ধর্ব কিন্নর অপ্সরাশিংনা বগুশিংগা য়োরকই। ইন্দ্র শাংগ্ তোংদুনা শচীগা লাইরামশা অপস্বরাশিং শিংনা কর্ণদা য়েংদুনা লৈনরি। সুর্যনা মচাগী [illegible] তেজ অশাবনা থগক্তা অর্জুনদা [illegible]। পার্থ সুর্যিংকি তেজ অশাবদুনা য়েংবদা অর্জুন [illegible] ইন্দ্রন ইচাসি কর্ণ [illegible] চেপ্তরিবাস মুন্না য়েংবদা সুর্যিং মাগী [illegible] অর্জুন [illegible] মেঘ পুরুষতা অর্জুনগী [illegible] সুর্যনা তেজ অশাবা ইচাগা নৈরম্মিবা মতাল অসি কর্ণগী মপারোমদা [illegible] মেঘ পুরুষদা [illegible] অর্জুনগী মপা [illegible] কর্ণগী মপারোমদা অশাবা তেজদু [illegible]। সুর্যিং [illegible] অসন মাররোই থগদুনা সুর্যিং শক্তি অমা [illegible] মচাগী [illegible] ফুরুপদা [illegible] অশাবদুনা নৈরম্মি, চলাইদগী [illegible] অর্জুনগী [illegible] কর্ণবু কিবগী [illegible] শৌরিবরা য়েংহকপাদদি [illegible] কর্ণগী [illegible] অশাব তেজনা অর্জুনগী [illegible] উবদা রাবদাসনা এঃ লাইন্দু মচাগী [illegible] হায়থরগা সুর্যিংকী [illegible] মতি হোৌরোকলবদি মীয়াংলোনা অচুম্বা লমরোই।

[illegible] কাংবরা [illegible] হনুমান [illegible] কাংজকপদা সুর্যিং থাই লাওদুনা ইতাও এক্রী ইবানসি [illegible]। [illegible] হায়বনী বাখলন্দু তোহোদে। রাবদাসনা ইতাও [illegible], মত দা লাইনা মীচং [illegible] থবক হোৌরোকলুরকো, মীনা খংখ্রগা লাইবু থৌওই রকলরোই হায়রগা হনুমান শিদ্ধিনা [illegible]। সুর্যিংকি শক্তি কনাদুন্দু হায়গংবিদুনা মশাদা তিনশিনখি। মপু ইন্দ্রনা উহোরদুনা সুযাবু লাও হায়দুনা কৌরক্লে। ইন্দ্রগী মাথং কংবদা * সুর্যিং লাক্লগা করি তাকপিগদগে হায়রজে। ইন্দ্রনা নংনা মচা কর্ণগীদমক অর্জুনবু নাংগী তেজনা অশাবা শিরে, এমা নোংবু খক্তিনহল্লগা নংনা মথাদা কুমখরগা অশাবা তাপ কংহল্লবদি অর্জুন্দু

* ব্যাখ্যা।—দ্বাদশ আদিত্য সুর্যিংসি কলা ১২নি, অদুনা সূর্য্যলোকতগী অমুক চান্দুনা জ্যোতিষ চক্রনা নৈদুনা চান্দুনা লৈবনি। অকা অকুম তৌরিবাদুনা কলাদুননি; কলা ১২গী জন্না পুলপ চাক্লকলবদি প্রলয়গী মতমদা ওইপদবনি। অদুনা সুর্যিংনা লাক্লগা কত্তৌদা বরু শিরবিবরু কলাননি।

ঐগী ইচানি। নংনা ঐবু উপিংজবনি নচুবাহ শীংবং অমিনা মালজুরা হাবদুনা বক্ত পাবখংলকই। সুবিংমা দেবরাজ! মখাদা কুবমুবমগী ছদুমামা ঐবু শাগাইরমগংদোরে মতুংদা ভৌমরোই ভাকপিয়ু। ইন্দ্রনা মতুংদা অরানবা থবকসি থৌগল্লুকো চংলো মারনি। সূর্য্যগী কলা হায়নং-খিহুনা মশাদা তিনশিনখি

উত্তরনা কর্ণগা অর্জ্জুনগা অনিমি যেংবগা অর্জ্জুনগী কর্ণনা হেনবা থৌওই মীতো কেজ্জ দিগা কর্ণনা কজনা রেরে অতভাই হাংথগে বাশকুখি। শিবা তাম্রবদি সারখিনা হাম্রা শিগনি। থবাংগীদি অতভাইদি ঐদি নৈথোকপা ঘ'নবশু ওংথাং ঘ'মহৌবনি। কর্ণগী মথুক্তা মিদনবা লেখোংকৌবগে থম্মুনা, লোলাই মথক্তা চুপ্পী শাইজ পাবরপ্পগী থ.মবগা দম লাংনা হাবথরুনা শরশর শাথেংগা ভিংদম ভারে। অর্জ্জুনা উত্তর কেংদোরে কোনথছুনা সিং ২ নামবদ মিংকা পাংদে। ওয়া 'না কাউংবা ভুংশিংহু কাংলে, মসিদা তুমহৌজবদি থবাবসি থাব ভারে অদুদি উত্তর রথকি ডু ফাওবদ চংলগা তুমমুখা ওয়বদি তুংলোমদা লৈরুবে, মাংদা লৈথদি লাম্মা মাররোই। উত্তর উংনা উইবা মথ শাবা শাবা তুংলোমদা হিপতুংগা লৈথরে। কর্ণনা অর্জ্জুন ওওবদু ঐবু কিবদগী হৌংরু দি, রুদো দ্বারীকানাথ কোরো হায়রকই। পার্থ শ্রীকৃষ্ণবু স্মরণ তৌরকই। কৃষ্ণন অঙ্গ ও রুপাদি শরণা শ্রীমুর্ত্তিদি লেংজকতরে। মরমদি কর্ণনা অর্জ্জুনবু উপিংহিবদু কর্ণদু লাইদু নাদু পাংগী বিদ্যা শক্তি থংজনহু হাদুবগী মুতি লেংজকবনি। অর্জ্জুনা কৃষ্ণ লেজজকতদ জম ঐবু কর্ণগী খুত্তা অঢাবা ভাগদোবা লৈবনা লেংজকখরা হ ম্‌ কং থম্রা। *কর্ণনা পার্থ জম নজ ঐগী খুদা শবেংবা ওইগদৌরিবনি অহনা কৃষ্ণ লে জকত্রবদি থজজংদো হায়ররই। পার্থ সং কে ত্রগী মখিংজেন্নুংগা কর্ণ সারথি মাওরনা পাবিগে নমংদ লৈগল্লুকো হায়রগা সারথি কজকদে কুখরগা ওইগী খোংনা চুম্নি, য়েংবি খোংনা খোংবী খোংলাংনা চপত্তুনা শাংনা রথি, মথোংনা সারথি সবাসাচি অজপথ খোংলে। গাণ্ডীব লিকং লিদি টঙ্কার কৌন ১ সিংহনাদ তৌরে। কর্ণদু কোইদুং খোংজগা বিজয় ধনু লিদি টঙ্কার তৌহুনা সিংহনাদ তৌবা অনিমক চপ মারে।

কর্ণনা থুংলাই নজ হাদু, পার্থবা বৈকর্ত্তন চহি নওনা হুম্নি নহাক হাদু। কর্ণ তেন ভরা কাপ্পি থবাক্কা ওক্রগা লৈথেজনা থাদখি। পার্থনা অমুক তেন ভরা কাপ্পি, কর্ণ থবাক্কা ওকই লৈথেরকই সারথি, সনাতন ধর্ম্মগী নিয়ম তাকুবগা মথাদা প্রণবশুম কাম্নবে। অর্জ্জুনা কাপ্প কর্ণনা ককই কর্ণনা কাপ্পনা পার্থনা ককই। জয় পরাজয় নাইংদনা মংগগা জেলো খোংবগা কাপ্পগা

* তোধা ২ বান বাসিয়াহ পুজ ২ অতিমানা বাশসিপ্পরকশহু শরবক ওইদুনা সুমিং মথান থজিনখিবনা

* হিরন্ত বর্ণ পরিপূর্ণ গাত্রম্ উত্তম্ভ গজেন্দ্র সিমং। সাএব কর্ণ স্বথ সাইজ অনিকা পুজরহ শক্র বাসনম্। উত্তরনা কিথসি কর্ণগী থজিক মওগশিংনা রেমবনবদুনা কিথনি (কর্ণ অর্জ্জুনা কাবরিবা থুকাপসি) একবা প্রহনে দৈবস জ্ঞানে নশধা শরা। প্রাখিজে শঙধা থাজ্ঞি লেমজক্তি সহজধা॥ ইতি স্মৃতঃ

নখাদা নয়ে' হেন্দক তেমা ককথনবনা তেংতেক্তনা লৈপাক কুপ্রে অতিয়াদা লাইয়াঙ্। অর্জুনবু থাগৎলি কৌরবকী হেংগৌমা কর্ণবু থাগৎলি। কর্ণ অর্জুন মিংচ লৈনদনা পান্নরিবা মতমদুদা যুদ্ধ কন্তনা দুর্যোধননা অর্জুনবু হাৎনবা থম্মুনা নাগ তেংবা লিশিং ১ মঙোৎ রথি কোয়না অর্জুননী রথগী তুংলোমদা লোয়না চংশনা, নাগবু চেংথাইহল্লু, নখোইনা অর্জুন হাৎলুরো হায়দুনা অন্যায় যুদ্ধদা থাজনকই। নাগ লিশিং রথি মঙোৎ কোয়না তুংলোমদা চংশকইবসি উত্তরনা উরে তুমিজরা য়াই লাওদুনা ওয়া লানসি মাঙ্গ লাইরি। তুংদা নাগ লিশিং ১ রথি মঙোৎ কোয়না চংশকলে হাইরকই কর্ণনা ভিরে দুর্যোধন সনাতন থম্বদা লাখা কৌরিরর্গী অন্যায় যুদ্ধদা, নাগ রথি কোয়না থাজিল্লকইবা থুরুক করেখা। লাইনা অতিয়াদা উরবিনি কমদৌনি ? লান লেপকনবা থবকবা ঠাককদুনা থোক আম্ব কংখৎবনা অর্জুন হৎনবা তুরাম লানা থাজিল্লকপনি। থসিদা লেমুরবনি রথক কইনবী মরুক কবা তাবে। করে মাঙ্গী নিংবা থুংলসঙ্ থম্মুনা থুকাপ তুংনা কাপই। পার্থনা, উত্তর কেভিক মিংচ লৈ বা মহে মংনা মুয়া হেংউ শান্নুনা মমতোয়া রথ কাপদবা লাংথোই থপাই দুঃশলিতেদা মতম ওইরে অমুক্তা লাংরকউ হায়রগা পালগী মংকোত্তম কাম্পথরে। উত্তর কিংথা লাইনবা হেংদুনা লৈবক মাং থারককইবা নাগ য়োরক্তুনা মউংনা মরোন পী। লোইরক্ত কাও থবক্তগী তোংলিবা হেৎবক মনারেতমা কায়গা শ্বানা লোতনা নখোংনা নেংথ ইতু কাংলু।

লাকোই কটি থাজন নরো পিথমা মাং থারককইবা নাগ মাপনবা তরানা মরানা রথ কাগ তৌবরকই। ৫ মথনা মথক্তগী য়েরবা থা দবগী মনাইতোন লাহখংলকই, উত্তরনা পাথজুনা ওয়া রথ কা লোর থাংলাও লাংরকই। অর্জুনা থুকাপ থুনা গন্ধর্ব বান শৎতুনা তুংলোমদা কাংখাগা এ গন্ধ। কাপনরিবত্ত কর্ণনা থুকাপ হেজিলকপা তমদনা, হায়গুম্বা পানথি। অহুক থুনা মাক থাকিন্দু। কাম্ব নতুনা পাংগোমকনা তুংলোমদা সৎতুনা কাম্বা গন্ধর্ববান্দুনা লিশিং ৩ পায়নথোকক্তুনা নাগ রথি মঙোৎ কক্তুনা পাদরপাগা গন্ধর্ব হেনু তেংগোংদা হত্তিথি। অর্জুননী থুংলাপক্তু উবদা উত্তরনা ঐনা কর্ণবু কিরবিক্নসি মীওই কজবা হেনমমবদুদা কিক্রবনি। থিত্তা থুংকাংশত্তি অর্জুনা হেল্লি। রথ থোকদা কিরয়োই, থম্মুনা চংশকগা ওয়া ঐ থৌজগে কর্ণ জয় তোবিরো। পার্থনা তুম্মিংবা করবনা ? ওয়া ঐ থুংশিং অতোবা লৈতরে। কর্ণ কিবদগী লৈথোকপা মাকবা হায়রবনি। ঐনা তুংলোমদা লৈরবসি ওখাদদি মাঙা কাররে। ফত্তবা কুরুরাজনা অন্যায়না নাগ রথী থাজিল্লকপছ থত্তদহনা কর্ণগী মাংদা থুদোংথিবা নংলমগনি। অর্জুনা করে থৌররো কর্ণ জয় তোরগে পার্থ রাথগী মকমদা লৈথরে। উত্তরনা চুম্মি শাঙ্গে পাংদুনা সারথি ওইরে, কর্ণ উত্তর অর্জুন উনথিবদগী থুকাপ লেপ্তুনা লৈবনি। উত্তরগী মতৌ বাঙাং তাবদা হায়রকই। অতাং কপচেপো। মত নথবাই লোগে থজনি। উত্তরনা কর্ণ নত্তিক লৈতে ওজা অর্জুন লৈবিবসি উজা তহাক্তা তারে মহাক অবাথা তাপদবা থংজো হায়রকই। কর্ণ অর্জুনা অহুক কাপ্পদুনা

পানবদা কর্ণনা খুকাপ পার্থগী চেম কংথরগা হুৎলীবা অমুবোমা থাবকা অর্জুন মুর্চা ওইরুবা লোনাই মথক্তা তাই। উত্তরনা এবা ২য়ক কৌথবা খর থিংহবা খুমখিদবে। উত্তর কিহুনা লোনাইকপী চেংথহুনা তুংলোবদা চেনখবে। পার্থ খর হপোযক্তুনা তেম লংহোমগা লৈথেংখুনা থাবদে। মত্র শোক্তুনা ন্নানবদা মথি কাওবা লৈতবে মারংথিদি লৈরমক্লে। অর্জুননা নৈকর্তন এনা মুরা ওইবিহৌবা মারথি ককক্রনা কর্ণনা পার্থ মংগী মারুখিদি তুংলোমদা চেনখবে কায়রকই। অর্জুন চোংথহুনা তুমিংবা অমরক্তুনা উংবদু নবহুনা কারে। কর্ণগী থন্তুনা মিং উইশিল্লগা অক্তরাথ ঐদি মহাকপু বেক্রুপে ময়েপ কনবিদু হায়রকই। অর্জুননা ঐনি মংনা চেঙ্গিবা কবিগীমো উত্তরনা ওবাদি ঐনা কৌক্তবদা খুমদে অহনা ঐ শিবা তাবে হায়রুনা কর্ণবু কিহুনা চেনখনি। না তাবেনা নবহুনা কাবহুদা কর্ণ ওইরবোই শিংহনা পাখত্তবে এবাদি ঐবু তম্বিবাবোইবে হায়রকই। পার্থনা কর্ণগা ঐগদি সনাতন ধর্ম্মনা পাবমি বথিনা বাক্তবিহৌন সারথিদা তন থাবা হৌবদে থংই মতুংদা চেনখবু। মংগি চেনখি হায়বগী ঐমা নবহুনা কাবনি নং মিংথৌ মচানি খিনা উশিংলোই কেহি ধর্ম্ম তাকই হায়রকই।

উত্তরনা এবা থংবে মতুংদা চেক্লরবোই হায়হনা পার্থনে উত্তরবে ২মক কর্ণক্তুনা রথ কাবগা কর্ণ অর্জুনর প্রবলগী মতৌক্তরা কংপ্পরকপদা, জয় পরাজয় মাইকদবে। পার্থ কর্ণগী *শক্তি থংতহুনা ব্রহ্মাস্ত্রদি সংহুনা মত্র শোক্লগা কাপতুনা কর্ণগী হুদিদা থাবদা মনাতোম্বা বঢিবা ঈ তাহনা কর্ণ লোনাইগী মথক্তা ব হুকনা তাথবে। সারথিনা রথ মমাই ওন্দুনা তক্লোকপী পনিংলোমদা কর্ণ পুখনা চেনখবে। অতিয়াদা কুঁৎম্ন বেংহিবা লাইয় য় অর্জুনগী থক্তা লৈ চাইথরকই। অমিত্রুম মহাভারতকি বারী অমি কাশীদাসনা অমুক্তগী ঈ.চন কংহনা মথায়গী তমনতাদা বন্দনা তৌজরিবনি। ইতি॥

---

* কর্ণদি মুখ বাক্রাদা চিত্রসেন গন্ধর্বগী মথক্তা পরাজয় তাহনা দুর্যোধন কাহুনা পুথা, ভীম অর্জুননা ধর্ম্মগী য়াথংদগী কনবা অহনগী ইকাইহনা পিক্তা সুর্য্য মিংহনা কুবিংবা বিজয় রথ-বিজয় ধনু মনসিদি তুন পিহনা চহি ১ উত্তম বিজয় চক্তুনা পৃথী জয় তৌখি। অহনা কর্ণবু পৃথীগী মিংথৌশিংনা কিবৈ অহনা মাপী রথ শিরুং তেম্বোংদি ককুপা মাদে মশাদগু অকয় কপচ লৈ। অহনা অর্জুননা থংহনা ব্রহ্ম তেদি কাপুনা মুর্চা পিখিবনি। মশিংদি ব্যাসগী মুল ভারততু কোংলোক্তে। কাশিদাস ভারততু মাওদে। কৈখিবি ভারতনা হায়রি, অহনা কুর্ণদি মশাদা খুংলোই চংবে অহনা ব্রহ্ম তেদিনা থম্মোইদা থাবদা মনাতোম্বা মরাদা ঈ ওহনা তুখনি ইতি।

অধ্যায়

অর্জুননা দুর্য্যোধন-শকুনি জয় তৌরগা পঞ্চালিনীগী লমন শিংজন্নগী বরী মতাং

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়— সর্বভূমাপতি অর্জুননা কপ্পকপা তেনা থাবদা কাইদুনা রথিশিং চেনরে। উত্তরনা রথ থৌজিল্লকতুনা কুরুরাজগী মাংদা রথ থুংজরে। পার্থনা হঙথকি মথক্তা দাদা মহারাজ নমাওনা খুরুমজরি হায়দুনা নোঙ্গগা হায়রকই, দাদা মহারাজ সভা কপ্পগা পাবুংহনগী য়াথংগী মখলনিবা চৌরবড় নিংবা কবা থুবিদে নমাওগা ওসি অমুক্তা হয়সি। দুর্য্যোধনা কৈ অহৌনি চৌরব শক নমুগ পো মামাদা মাওরমগনি মামা কৌখিগে। পার্থনা মামা কৌরকপু হাসনি। রনস্থানে অংসনা লায়ুম ওইরসি। পায়নরিবা থুংলাইনা চৌবর শক ওইরসি। পোনা দাদাগী কোক্তা ঐগী কোক্তা পো ওইবরগা দাদানা ঙংএ ঐগী ওক ককপা, ঐনা অমগা কুরুরাজগী ককপা অসি ওইনা হয়সি হায়রকপদা দুর্যোধনা হায় পার্থ ঐদি চৌবর ওইরবোই নিংই অহৌদি হাংনসি হায়বনি নত্তে ওসি লোইগে থত্তনি। মংরাই লৌগে হায়দুনা লিরুং পায়দুনা তেন কাপই। অর্জুননা দুর্য্যোধনগী খুংকাপ ককথংলগা খুংকাপ নোংশিল্লকতুনা লিরুং ককথংলি। অনা পায় লিদি চংগে কৌবদা পার্থনা ককথংলে। কুরুরাজ তা লৌরগা হুরকপদা অর্জুননা টাংগাইদা ককতুনা থাদ, দুর্য্যোধনা পদা লংজকই। বজ্রবানা ককতুনা থাদরগা খুংকাপ নোংশিল্লকতুনা সাংবী শপোল ককথংলগা লোলাই বজ্রবানা মানথাইদুনা থাদরে। দুর্য্যোধনা থাং চুক্তোই পায়রগা চেনশিল্লকতুনা অর্জুন নঙগা ঐঙাক্তা থাঙগী লাম্বাদা পানসি লাও হায়রকই। অর্জুন থাং চুক্তোই পাইদুনা দুর্য্যোধনগা থাংগী লাম্ব পানবদা পার্থনা থাংদোম লানশিল্লকতুনা চুক্তোই কুল মরি ককপা, কুরুরাজগী থাংহ থাংনমদা থক হৈথবদা মথুতগী লৈপাক্তা তাখি। অর্জুননা চোংশিন্দুনা কিরিটিগা হমমগা লোয়মনা পায়রগ মক ককগে থন্দুনা লৈপাক্তা হায়হংলগা থাং হায়গংলকপদা দুর্য্যোধন উপায় লৈত্রদুনা শিনিংলবগী পাইরক মিংশিংহনা হায়, অর্জুন নঙনা ঐহাকপু হাংপা নতিক লৈবরা? নহাখ ভীমনা ঐবু হাংকনি হায়কইবনি নরক তারোইরা হায়রকই।

পার্থ থওনিং মিংশিংদুনা হায়গংদুরিবা থাংহু মরা ওক্কোকতুনা থাংনরা তক্তা থক থাবদা দুর্য্যোধনা মরানা করে কক্কো, থাংনরা অহুক কমা থাবদি ওক তেক্কোইদরা অপঙবা? দুর্য্যোধনগী হাহারহ তাবদা পার্থনা লৈপাক্তা হায়হংগদা পুথিদা বাধহনা তাখরে। অর্জুন রথতা চৌংশংথিদুনা শান্তিব খমু পায়থরে। নিংথৌ শেনবা কাংদুনা রথ থৌজিনরকপদা শৌকনিগা অর্জুননা

হায়না মাংথোক্লবদা অর্জুননা মামা কপ্পইরমো হায়। শোকনিবা নত্ত পাখে লাকইবনি, হায়বদা পার্থ জয়থেবনা হাংলে হাপ্পকইবনি হাংলদি মাংয়ে থয়া লাক্লবগে খন্দুনা থেড়াপাক নংলগা মত্ত লোয়ে। মথং লামচা অত্তাওবা অমগী মরক্তদা পুল্লগা থবঙ নিংথম ভোইরবা, কাপ্লক্লে। অর্জুন নত্ত হাংলে হায়রুবা ফেন কাপ্পরবা শোকনিবু ভেম্দুনা থেংনিল্লগা অভিমান্য থা পাংবা পশ্‌থরে। শোকনিবু তেল্লা পুথরিবত্ব ভেক্কোল ময়াম্বা থত্ত পার্থনা, থাপংলথি। বিরাটকী অমাং খুম্বোম্বা থোমগী শক্লোম্বা লোলা লায়চা অত্তাওবা অদা শথমদা পুল্লগা শক্তিক, হুন্দুনা থমই, অমগী মরক্তদা শোকনিবু লোংবা থেংশিন্দুনা পুনশিনবিয়ে। লোলাত্ব শথমদা ক্লং ক্লং চোংজকপত্ব থোং অহন্দুনা ভারে থোং অহুমী মচানিপা ও লৈ, ইচাপা শথমদা শাংচংজক্লত্রা লোলাসি থম্মা চোংলে হায়রক-পদা কুল ১মম পায়রগা চেনশিনখিমদি শোকনি ওইরমগ। অহুমত্ব চপ লেপ্লগ মযাম্বমা ইনাওপা মসিদি শোকনিনি। মাগী শলনা চোথরদা পাণ্ডবশু থম্মা ভানখি হায়রক্লুনি। অমাংগী লাংকমদগী অর্জুননা খুংশিনহুনা মাগী তেল্লা পুয়ক্লগা লাক্লগে হায়রুনা লোলা অত্তাওবদিদা পুনাশিল্লখনি মকোক থৈবাইরুমা হাংলসি হায়রমহুদা, শোকনিবা হায় থোরগা শথমদা লৈরিবা লোল অসিদা অর্জুনগী তেল্ল-ঐবু পুনশিন্দুনা থমল্লে, ঐহাক লেংবা য়াল্লে। ঐ হাংলমদসি কুরুরাজনা ঐবু থিরকপদা নংগোইগী নপ নচা লোইনা হাংলরনি। শিনিংল্লমদি লাও ঐবু থাদোক্লো হায়রকই। মচিনশনা ও তহ চ শিনজ্জুনা মপাম্বা থাকম লোইনা তমই। মপানা ইচাপা মত্ত খুংশিলে, খুমিংশু থাদোরে ইমুং চত্তলগা থোং লোমশিল্লগা লৈরসি। হোরেন কংজরবত্ব ঐথোংদি থত্তংহোমে হংয়র্বাস। থবা চাংজরত্ব হায়হুনা থোং লোমশিল্লগা ইমুংদা লৈথরে।

লাপকমদনা দুর্য্যোধন অমা লাংকপদা ভীষ্ম, দ্রোনগী নাক্তা চেনশিজরক্লগা ইথুথোপা গুরুগনা ঐথোইবু কনবিয়ু হায়জরে। অমদগী ভীষ্ম, দ্রোন, কৃপ, অশ্বত্থমা, কর্ণনচিংবা অক্ষৌহীনী ১১না প্রলয়গী মহৌগুম কোয়শিল্লকতুনা লাল হৌরক্লে। অর্জুননা থনবদা কৌরবকি তেক্কোল্লি মায় ওক্লহোই। মীগীনমক শাংসু হাংনিংলে। লাল চেংশিল্লগে থন্দুনা ইল্লবা শিংই কাশিগী ম্যালগী মতুনা সমুদ্রনমত্ত্ব হায়, শত্রুগী মতুনা নিল্লাবান হায়, তেন্দু শংতুনা মত্ত শোংল্লগা কাল্লদা তেক্কোলগী থক্তা খুংশিং লৈহুনা শিংলি, লৈহাওগী মথম নমই। নমল্লা থরগা শত্রুদা তেক্কোলগী মী লোয়না গুমখি, অমা অমদনা ভুমখি। পার্থনা উত্তর নচলগী পুচুলা থেলাগী কথবা কোংখেং ইমকী ওইরমত্ত লৌনিংবা মীদগী লোক মথোম শথাং পুবিথিশি চিংনকত্ব, লোইনা ভুমবনি। উত্তর সল্ল্যাগী মতমত্ত্ব ওইরক্লে রথতগী চোংথহুনা চংখিবদা দুর্য্যোধনগী মকাওজোম্বা হুলত্ত্ব মযাম্বা কনগে চেনশিল্লকপনা থাং চুক্লোই পায়রগা অর্জুনা ওমনা হানখিহুনা থাং চিংগা মনিং শাকবা, পাংগা কিরেপ চুমদগী ভুরক্লদবি। থাং হায়গংলগা লেপহুনা লৈরিক্লগা থাং-থোকক্লহুনা হক্তংবা থেংনুবদদি থাত্ব মানগদবগী চিংহুনা লৈথোই নিংহুনা উত্তর চুংলোমদা হয়া তেল্লকই। অর্জুনা উত্তর কৈথোরে? শর্কনা লোইনা গুথল্ল হায়ক্লনা চত্তলুবদা নিপা অমনা থাং

হায়গংতুনা মখিৎ নাপ্পা উইশিল্লগা মাঙ্গনা লাওনা পাংলগা নিশান থাহনা লৈরমই। ঐ শোইরমলাম কয়া চেল্লকপদগী শোইহৌদবনি। পার্থনা মনিং পাংলিবহ ওইরে য়েংলা? ওয়া য়েংনি। উইরিবহুনা ওইনি অর্জ্জুনা উত্তর অহংদি হুমন কৌবা কুরু ১০০গী অতোনবনি, থাং হৈবনি সহদেবগা থাং ওরাইনবনা য়েংক পিশুমহু থাংদোয়া থংখিহুনা তারশিন্নবদা থিংলি চিংখংতুনা য়েংকি থিংতুদি তুম্বদা পাংকম তুম্ববনি। ফিরেপ চুম্বদগী তুরমদবা ওইরিনি য়েংউ হায়রুই। উত্তরনা অমুক চংওকপদা হুমন উপনা হায়থরকই। চুক্লোইনা মথবাক্তা নন্দুনা তাবহু উবদা উত্তরনা হুমন নঙনা ওসাই ঐবু তম্নবহংগী লমন শিংবিরমগে। নথবাকম্ভু মাদনবা খন্দুনা দোলাইদা কোন্দুনা থাজংলক্লগা মকোক্তা য়ুংনা দোলাই কাচিঙ্গা তাশিনবিরনই। মানা কি ফজবা খন্দুনা লৌরগা ময়োম অমা য়োমশিন্দুনা থমএ। তম্মবমিনা থুং থাক্রবদি য়াদরে। ঐগীদি য়েক্কে ইকাইনবা উৎ পাং থরা তোরম্বগে খন্দুনা শগোল তোংবনা শামুম্বা, রথীনা সারথিদা, সারথিনা রথীগী মকমদা মপুম থিংনা উৎ পাং লাংওমগা কি মখোমহুগা অর্জ্জুনগী দোলাই কাথরে। পার্থনা দোলাই থৌদোক-হল্লগা দোলাই থামহল্লে। পার্থ মনসিঙ্কি বায়ুব্য তেন অনিদা নিয়ম পিরে। ভীষ্ম, দ্রোন, কৃপ, অশ্বথামা গুরু মখিদি চৌক্লু। একাদশ অক্ষৌহিনীগী মশাদা লৈতেংলিবা কি পুরুষক লৌ-থোক্লগা শঙেমপুং কনজাওদা পেয়ু নিযম পিরগা কাপ্পি। তেন অনিহুনা গুরু মখি থাক্লমলগা তেঙেল পুমনাক্কি কি লোইনা লোথোক্লগা চিংগুন পৈরমই। তেন্দোংদা হজিনখরে। অর্জ্জুন অংগ্নবান সংলগ মপ্প শোল্লগা কাপতুনা কিযামহু মৈ থারে। উত্তর অহু উবদা ওয়া তৌরি-বাসদি হাংতোকপনবু কনা। মওইশিং অসিদি কমদোনা মরৈপাক য়োগনি হায়রকই।

অর্জ্জুনা সম্মুখ লৈতনা কাংবুসি সতীগী লমগ শিংবনি। সমীবনপোমদা রথ থৌরো হায়রগা, পার্থনা মুকু মপ্প শোয়্নগা জীগমন অস্ত্র কাপ্পদ তেঙোলদী থক্তা মুংশিংনা লৈহনা শিংলি। থম্বালগী নমননমক। মীয়ামগী ম্বগা শম্নদা জীন লাকতুনা কৌগংলকই। অর্জ্জুনা অর্দ্ধচন্দ্র তেনা দুর্য্যোধনগী কিরিটি কই। যমদণ্ড কিরিটিনিনা অমুক সৌজিনখি। পার্থ তেন অনি কাপ্লগা গুরু মখিবু থুরুমই। দ্রোনদা গুরুশিংগী রাথ কংদবনা শাগৈদি হাজে। সতীগী লমগ শিংবগী ইকাইখা পিরম্বনি হঙ্গংলমই। অর্দ্ধচন্দ্র কাপরন তেন অনিনা তেন্দোংদা চঙখি। উত্তরনা রথ থৌরক-তুনা সমীবন য়োরকতুনা আভরণ কোংদোক্লগা হায়গী বেশহু শেংলগা. লিকং তেন্দোং, থাং চুক্লোই থিরবেমহু হায়গী মতৌগুম্বা শমীবৃক্ষদা উত্তরনা কারগা থমহল্লুই। অর্জ্জুনা মনসিঙ্গী রথ থিদায় তৌহুনা শগোল মরিনা পাম্নথিহুনা অগ্নিলোক য়ৌখি। উত্তরনা হায়গী রথহু শগোল মখিহু জুম্বিরগা বিরাটকী সহররোমদা থৌজিনখ্রি। কৌরবকী তেন্দোংলদি জ্ঞান তামরকপদা ইকাইনহুনা মঙ্ক লুক্লহুনা কম্লথরে। দ্রোনদা অর্জ্জুনা থুরুমহুনা হায়জরম্বা তেনগী মরৌদু ভীষ্ম, কৃপদা তথখি। গুরু মখিনা ইনকি অমমম থাম্নহুনা দুর্য্যোধনগা মকোক ওইবা মরিদা শেংহনখি।

মতম অহুম্‌দা থাঙোম্‌বগী সুশর্মা তেজোলগা যুদ্ধরে। মতাং অদিদা ভারত তাবিবা জর্নেজয়দা বাবী লিরিবা বৈশম্পায়ন মুনিনা হঙজরকই। মুনি সুশর্মাদি তেজোল্লা মথং তাবা কান্না যুদ্ধরে হায়রি। বিরাটকী অরংগী লান্দা লাকত্রিবগী মরম লৌবুক্তা লিখিখো। মুনিনা হায় মহারাজা থাগী লান্দা বিরাটপু কারগা পুন্দুনা পুখিবা তেজোলনা কাবহনা চংলক্না, সুশর্মাগী তেজোলগা কুন্না নদীগী থোংবান্দা মপ্পহুনা পনবদা, ধর্মগী মাথংনা গন্ধর্ব শারগা বিরাট সুশর্মাগী মশাম পায়হনা চেন্নরগা ধর্মগী মাংদা থন্দ্রে। পুক্কাদি শাহনা লৈখিবহ খিংথৌ অপিবু ধর্মনা যুদ্ধ অহনা মথবাই কনবিহ। চান্নহল্লগা, অদিংহ পুনশিন্দুনা লোংতল্ল। বংশল থুব হল্লগা বিরাট হল্লকপদা পাও কংই। তেজোল মরাম্‌গা চংশি হায়বদা, ধর্মনা কুহ্যালানা সারথি ওইখরবদি লোয়মনা জয় ওইরক্লদি। ভবাসু বাহিরে পোশাকরে বাবদা কঙ্ক ঠাকুরগী মাখদি লাইনা হাইবগুম্বদি চংনমুনসি বাহনা পোথাখি অহুনা লাক্কবনি। সুশর্মানা মবুক কাংহনা অরাংদা কুরুরাজা লৈরম্মনি অমুগা পুনশ বিরাট মাঙহল্লগে থন্দুনা বিরাট থঙংনি কাহবগী কোইনা লাকপনা, কৌরবনা লোখা ওইবা মততদা যুদ্ধবনি। দুর্যোধনা হঙবদা অর্জুননা তোরবনি তম্মা সুশর্মা ঘাই লাওই। বিরাট কারগা পুন্দুনা পুখদা গন্ধর্ব অমা লাক্তুনা এদু চংশদু পারগা বিরাটতা লংশিল্লবই। ব্রাহ্মণ পণ্ডিত অমনা প্রাণ কনবিহনা বিরাটকা এমা চেংগা তোনহল্লগা থাগোকশিরকই। গন্ধর্বহনা খোন্দা মাঙবা ব্রাহ্মণ অচৌবা অমত্তু লৈখৌই। ব্রাহ্মণ পণ্ডিততু ধর্মরাজ মাখিহ। ব্রাহ্মণ অচৌবতু ভীম মখি রায়ক্কনদা ভীম, যোগা সে ইশ্বরনি বৌজিক পনবা বাবয়োই। অর্জুননিনা হাত্তনা সভা পর্বগী থোকখিবা সভাগী মদুশিংহুংদা চংখিবনি। ভীম লাক্কবাদি দুর্যোধন লোখা ওইবনি কাংরে।

সুশর্মাগী তেজোলগী কিখরা থরা থাইরম্মগা সুশর্মাপু থিরুন বিনায় তেঙম্মা চংলরে। তেজোলগা চংখিহনা মরৈপাক য়োংখি। লৌকলিগী সারখিনা লৌকলি লৈতে হ য়রকপদা উওৗখ-শিংনা অর্জুনগী চেনা পুল্লগা মথ রোমদা পারখি। দুর্যোধননা মান্না থিক্কনবা লিশা ৩০ থারক-হুনা থিরকপদা মোবগী শক্তোন্দা লোলা লামচা অতাওবহম মপুম থিংহুনা লৌকলিগা পনবদা পুনশিন্দুনা লৈরমএ। লৌকলিবু মনাইশিংহনা লৌথোকপা পোক্না থবকই। মাগী লোলাইনা হাপলে।

কৌরবকী তেজোলদু থিনহুনা অদিংহ পক্না অংস দেশ লাংহোকখিহুনা কাঞ্চনপুরগী বন্দা লোংতাল্লকপদা নাইথেহনা লেংহুনা অহুম লৈমখি। উত্তরনা মর থোরগা পার্থগা লাকপনা মরোই মোক্কপদা অর্জুননা যুবরাজ রথ অহু ঐ থোরগে। কৈমানা রথী ওইরগা যুবরাজনা সারথি ওইরে হায়হনা মহাকপু লোক্কনি। লোমদাদি ধর্মরাজগী য়াথং লৈত্রিবনা খঙহনবা য়াম্লি। উত্তরনা ওখা লোক্কদু থগদবা লৈরবনি ঐনা থোকপা হায়নগে ওবানা সারথি ওইরগা ঐনা রথী কমকদা কবদি ইতিক ওইগে। ঐ অহুম থোরগে, অর্জুন উত্তরদা যুবরাজ মতু ইনাঙ্ক হুংদি ঐ হাক্তন

অমা থ'হমগে দাদা 'মহারাজগী দেহেনগী 'পৃথীবী'দা থুংলাইবা থাহনা ঈ ভাংথিবা নিপাগু মস্তক কক্কুনা হাংকে হায়বা ঐগী রাশক অমা লৈ মাসি থংজিন্নকো হায়রকই। উত্তরনা ওয়া নমাই থংজবা হুংজাইরে, উত্তরনা দোলাই থাক্তনা শগোল লৈবা নিপা অনি কোট কুপা নখোই ঙমি শগোল চোংলগা দরবারদা পাদুং দু শা থিরম্মনি।" থুনা ধৌরগা কৌরবকী একাদশ অক্ষৌহিনী মচানা জয় তৌরগা হস্তকহোরে কদংলু। মিপা অমিহু শগোল তৌংলগা রাংনা থৌগংথিহনা খোংশংথিনিংদা শগোল লিঙ্গরনই। সভ যৌবরুপা দণ্ডবত কংলগা থুকউ তুংজুনা থুং লোমরগা নিংথৌদা পাও হন্দেপি। নচা যুবরাজনা পাবুং হুংশাথিরম্মনি থুনা চৌরগা নচানা দুর্যোধনগী একাদশ অক্ষৌহিনী জয় তৌবনা হস্তকহোরে কদংলু হায়হনা শগোল তাংলগা চেনথচেরকপনি। নাতাই ঔথোর অমুক হন্দরে। গুরুজনরে নিংথৌনা পাও কংবদা লেংথিহনা ভাইখে থ অমা ভঙ্গারদা মনা ফি তানিপা, মনা ভুলা কু পা পুথোরকউ হায়বদা ভাঙাথিনা পাজনা হাপলগা নিংথৌদা কংলে। বিরাটনা পাউ পুরকপা অনিরুদা ফি অমরমগা মনা ভুলা ঙরাপ মনা পিক্কে পাউ পুরকপা অদু নিংথৌ থরুমপা মন কংজহনা হুংজাইজহনা শগোল অমুক তোংলগা মমুমরা হংথি।

বিরাট দুংজাইবদগী মচা ভাইনা ওইনা পাশথেলা শান্নজিংহনা সতী চৌথর লাহুম পোপা পুথেনবউ শারগে কাঁদবদা চৌথর পো কায়ুম পুথোরকহনা নিংথৌদা লানশিল্লি। নিংথৌনা ক্রংগোংকুপা আসন অংলা কাপ্তপ থারগা অজ্ঞা পণ্ডিতজি লেংশিনবিরকউ চৌথর ভাইংাকতং শান্নসি। ধর্ম্মনা রাজ পাশথেলাগী হাক্তকতা নল রাজা বন চংলি, দমরন্তী কাইনকবনি। পাণ্ডবন ব চংথিবা চৌথরগী হাক্তকতনি, দুংজাইবিবৈচেদনু শান্নবা কয়া কচ্ছে হায়রকই। বিরাটনা প গুণজি লয়ানা'স হাংবা নত্তে। ইচা যৌরকত্রিয়াগবা পাঞ্জল অমতং হুংজাইনিরনি হায়বনি। ধর্ম্মনা নিংথৌগী মায় ভাকতুনা চৌথর শান্নরে। বিরাটনা উত্তর মচাবু শান্নবা থাগংলকই। ধর্ম্মনা মহারাজ বৃহন্নলাবু সারথি ওইরমদি লোইদনা জয় ওইবনি হায়রকই। বিরাটনা অমুক কিচক লৈথিত্রবদু উত্তর ইচানা দুর্যোধনগী একাদশ অক্ষৌহিনীবু জয় তৌরবা ইচাগী গুন্না পুথিদা ঐবু য়েক্কুথিনবা লৈরবোই মচাবু থাগংলকই। ধর্ম্মরাজদি অজ্ঞাত বাসগী চহি গুরবনা কোং-দাক্কা পাহনা জয় তৌরকপনি থত্তলবদু লোমদদি কোংদোকপা রাক্রিবনা মথিং পনবা রাদবনা বৃহন্নলাবু বিরাট নিংথৌ ভাব ভাসদু হায়বগী মৎসরাজা বৃহন্নলাসি লৈমিমরকতুনা ঐ মুন্না থত্তই। দাসা সারথি ওইহনা চংমিম্মথবহনা নচানা জয় ওইরকপনি। য়েক্কবু ভয়বা শক্তি বিদ্যা রাজা লৈমনি অহনা নচা ইবুংঙোগী উপায় তৌরকপনা জয় তৌরকপনি হায়রকই। বিরাট মচাবুদি দাগংজনা বৃহন্নলাদবু শাগংপহদা শাওনিংহনা কক্ষ ঠাকুরগী রাশি দুঙাইজেদা নপুংশকজবু হন্না য়ুন্না থাগংলিবা। ক্রিবনবু কবি লক্তি লৈগথগে হায়হনা শাযুমথাগী চৌথরগী মক্ক অহম অদু

কল্লগা লংথরকপদা মক্ল অমম্বা থক্কংলকতুনা ধর্ম্মগী লাইবক্তা * লক মচিন্না থক পানবকা উহ্না তংতুনা ঐ কং কং কাকনা ধর্ম্মরাজনা কৃক কৃক পোল্লগা মুকথদুনা খুজোকনা য়াইনা লৈ। (অযোধ-অজাতশত্রু) ধর্ম্মনা ঐগী ঈনা পৃথীদা মরিক অমা তাথরবদি বিরাট অরাবা তাবনি থন্দুনা খুজোক্লা য়াথিবহ উবদা, দ্রৌপদীনা মনাগী পুখম অমা থুনা পুশিল্লকতুনা খুউ খুদক তক্লিদা অক্তা ব্রাহ্মণগী ঐ মরিক অমা পৃথিদা তাথরবদি বিরাট লৈবাকসি বাবা তাবে, পুখম অমিদা তাহনবিযু থোপাক। ধর্ম্মনা পুংতগীম্ব পুখমদুদা তাহল্লে। লাইবকীম্ব ঐ থকক্লিকাও লুকথহনা তাহল্লি। ঐ থক্লকপদ মনাগী খুজাইদা অদ পুশিল্লকতুনা ধর্ম্মগী খুং পুখমগী চাম-থোকই। বিরাটকী ঃথংদগী মচানা জয় এইবগী মঙ্গল লাংদুনা মীরাম লৈংখি।

দরবারদা বিরাট ইকায়রকতুনা তা তা দনা ব্রহ্মসভাম্ব তুমিন্না লৈমৈ। মতমদুদা উত্তর বৃহন্নালা এইখিবা পার্বগা খুংতহনা হাবিহ পাবুংদা ত্রৈথোয় চত্তরকপা য়াগদবা য়াথং লোক থাজিল্লকপম্ব লৌরকতুনা খুক্লমগা হকংলি। বিরাটনা বৃহন্নালা উংরগা চত্তলকই য়াথং পিরে। হাখিবু ধর্ম্মনা কৌশিল্লগা বৃহন্নালাহ্ন কক্ষগা চত্তলকম্ব হংমু হায়খি হাবিনা নিংথোগী ঃথং, ককগী য়াথং অনিমক তবই। অর্জ্জুনা ধর্ম্মগী য়াথং য়াংদনা তৌকবনা কৈবু ইদ্বোকাপিরিবনি। উত্তর চংদো ঐদি য়ায়রোই হায়রগা নৃত্যশালারোমদা চত্তখরে। উত্তরনা দরবার সভা লৌরকপদা চিংনদুনা যেংলকপদা ধর্ম্মরাজগী লাইবক্তা ঐ তাবিবা চোথর শত্রু তাংবহ উবদা, উত্তর মুংশা-থিদুনা ধর্ম্মগী পাদদা দণ্ডবত্তনা খুক্লমগা ব্রাহ্মণগী ঈনা লৈবাক্তা তাবদি লৈবাকসি অরাবা তাবনি দে য তাকপিযু হায়দুনা মিত্তা পি শিন্দ্রগা হায়জরকই। ধর্ম্মনা ইনাওনা তাক্লবনি থত্তদুনা যুবরাজ বাম্বু ঐ মরিক অমত্তা লৈবাক্তা তাহংদে হায়রগা, সতী সৈরিন্ধ্রী তীর্থদা হৈদোংউরো য়াথং পিরে। কৃষ্ণানা কৃষ্ণা নদীদা চংতুনা হৈদোকচরগা স্বর্ণ থালি পেংদোকই, স্নান তৌরগা হজিনখি। সভাদনা ককদা হান্না খুক্লমজরগা নিংথৌদা খুক্লমজে। বিরাটতি ককদা হান্না খুক্লবই হায়বগী বারৌদুনা লৈরি। উত্তরদা লাম জয় তৌরকপহ পেংনা তবউ। বৃহন্নালানবা নত্তনা তথকপরা হায়রকই। উত্তরনা পাবুং মহারাজা মচাদি কৌরবকি তেজোম উবদা ইংদনা রথ মথাই তরো হন্নসি হায়বদা কেজি মচানবু মেকবা কিদুনা থায় অনবা হৌনদে হায়রগা রথ থোজিল্লি। থামউ য়ামবদা ঐদি কিদুনা রথতগী চোংথদুনা চেল্লে। ঐমা চেনবহ উবদা 'তেজোম! হৌদুনা

* মূল ককন্ত বচন শ্রুত্বা বিরাট ভূপতি তদা পাশংহৃত্বা অক্ষতং ললাটেকং রক্তপাত তদা দ্রুষ্টা ক্রপংমন্ত সূত্বাসূতীং স্বর্ণথালি তদাধৃত্বা আসয়ে সুন্দরী যথা ইতি।

ব্যাখ্যা :— রারীগী লৈংবেংসি ওবা গুরুশিংনা লেংখিরবদি ভারত কয়াগী মতদা পুনশিল্লগা লেংখিরবনি, অদুবা ব্যাসকী মূল, কাশীদাসকী জৈমিনি, তাবতকি শঙ্করগী মত পুনশিল্লগা বিরাট পর্ব্বগী বাখি অদি তোক্লবা দ্বাইনা ইনবে পণ্ডিতশিংনা লোয়র চাকপিহ ইতি।

নোকই। অদুদা ইপুনা ভাবরকতুনা ঐবু নমহনা কাম্বগা কোন্নুনা পুশিল্লগা ইপুগী লিন্দাদি কৈ। শক্তমা কিরগী সারথি ওইব ঐ লাখা তোগে হায়রে। ঐদি উম্বরোই যাত্রবদা লাইমচা অমা কোইরকতুনা মখোইনী উপায় তৌবিগে কায়দুনা ঐনা অমুক ইপুনা অমুক থোই সারথি ওইরগা লাইমচাদুনা যগয়াম মুনবিরগা তেঙ্গোল ময়াম অয় তৌবিরকপনি। বিরাটনা লাই মচাদু কদি লাইগী মচানো? ঐবুসু সুশর্মানা পুল্লকপদগী গন্ধর্ব অমনা সুশর্মাগা ঐগা কাম্বগা কমবিরম্বী ঐ রাম্বরিতৌদা মীশক থংহোত্রে। নত্তদি সারথি ওইরক্রবদি থাডরিনি অমুক্তা হায়য়ু লাইদু ইপাচা ঐখোই নিংঙ্গসি। উত্তরনা ঐখোই লৈপাকসি লাইগা গন্ধর্বগনা ভাকপি সেমবিরি। কৌজিক লাইগা- এীগা উনবা মাদথা মরম লৈনবনি। লাইদু মচিম্মনাও মত্তা শুই হায়রে, ঐখোইনা থংদবনি লাইগী অহল ময়াহশিংদি খেইদনদ্রুম যাওরমগনি। ধর্মনা মতোন্দা লোইনা তাক্ল-ক্লবোকরে বাম্বা নুংশা থিহনা চিংনা য়েত্তগা বদম লুকখি। পাবুং ব্রাহ্মণগী ঐ ভাম্বিবসি চোক্কর শক্লম্ভ তারী পাবুং অজ্ঞান ভক্তি তৌবিনবা লাইগী বাদি উবরনি. ভ্রসি হয়েং ঐখোইনা অম্বা ভ্রাদে কাম্বকক। বিরাটনা বর ঠাকুরগা ঐগা কম্বংবদা থোকখিবনি। নহাক যৌরক্লগা অচুম অংগাল্ম থাখিগে ভাইদহনি ঐংম্ব চুমত্রে অজ্ঞান্ত সোইরে ঐগী দোষ কোকপিয়ু হায়দুদা ধর্মদা বিরাট ভক্তি কংলে ধর্মনা অশিষ তৌরে। দরবার হনসি হায়নদুনা ধর্ম রাজনা ব্রহ্মচার্যা ধর্মদা লংবনি, ভুমীশয্যা এক সন্ধ্যা ভুজঙ্গী। মুমিদাং চাদে শয্যাদা হিপতে। পৃথিদা কিপেং অমা খাবনা সন্ধ্যা ভোজন লোইরতুনা হিপলে। দ্রৌপদী অর্জুনগী য়ুম য়োরকতুনা মবুংতো থুকনই। নকুল সহদেবম্ভ নানগী পাণ্ডচকি ১৩ কাইনরবা মমাগী পাও তানিংবদগী মুমিদাং য়োনরকই। মমাম্বা থুক্রম্বগা কৃষ্ণা নকুল সহদেব মিত্তা পি সিন্তরগা কুন্তীগী পাও হান্না হংতকই। অর্জুনা ইমাদি কুরুরাজ বক্ষ বকথিহনা খুমাতোমা সেবা ওইদুনা লৈরে হায়না কৈবুথোমা তাকপিরকই। ঐবু দাদা মহারাজনী য়াথং লৈতমা ফোংনা লাম্বা তৌং কবদগী ইথোকপিরক্তুনা কৌজিক চাদ থক্তনা বাহনা লৈরি হায়রকই অঙ্কি ইথোকপা নতে বিরাটকি কমবগী দ্বারীদা লৈদা চাংলুকনু হায়খিবনি। বাকমদু লাংদোকপা যাদবদগী তাকথাক্তে। ধর্মরাকবু ভাইংব ভ্রমগদবদি দাদা যাইমনি হৌজিকমক য়োওসি হায়দুনা, ভীমগী লৈকমদা ৪৫ক য়োরকই। ভীমগী দারি লাইবক কংলগা ইমুংদা চংতকই, ভীমদি মুমিদাং তুম্বদা থো, ল্লোপে। য়েকুবা কিহনা থোং লোল্লিবনি হায়খিনি হায়দুনা কাং-দোকম্বা থমই। অদুনা পার্থ নকুল, সহদেব, কৃষ্ণা চত্তলকতুনা ননাই ঐখোই থুক্রমজরি হায়দুনা থুক্রমই। ভীম বিস্তু সোন্দুনা লৌগংলগা মনাওশিং পঞ্চালিনি আশিং তৌরগা কবিগীমো মখোয় মরি অহিংদা হৌনদুনা লাকইবা মরম তাকউ কাম্বরকই। অর্জুনা দদারাইমা লান হক্তিয়রুগদা ধর্মরাজনা উত্তর চত্তলকউ বৃহন্নালা চত্তহল্লকনু হায়দুনা ঐবু ইথোকপিরকপহ, ননাওবু ধর্মরাজবু ভাইনবিহনা অমুক্তা লৌখংহনাবয়ু অহগীদমক দাদা যাইমদা হায়জগে লাকচবনি। দাদা মহারাজগী নিন্দা লৈরবদি নংগু মাংবা ভারে। ভীমনা অহগীদি বারুদু ঐ লৌখংহনগে কহাকপু কোংমা

পারকপ্রা কৈদা ওইনা থংহন্দবা পাঘরা? পার্থনা চহি স্পুরহনা হুমিং গনি হেন্নবহুদা কোংনা পাঞ্জীব পায়হুমং মনশিঙ্কী রথ তোংহনা পাজরকে। ভীমনা অহুমি ইবুংঙো গুরু থুরুমতক্রবনি ইমাগী পাঙ হংজকলবিনি, ইমাবু কমদোহি হায়বগে। পার্থনা ইবুংঙোদ হংজবদ মঙ্গল কাবীদা জিহনা চাদা বাজারমদগী জিবা অহুম্ন দুর্যোধনা লোইনা থিংথিহুনা, কথেন্দা মথ্রগী পাও তাহুনা থুড়াহোন বিহুর চেন্নকুগা থুনিন্নুনা লেবা ওইথিবা পাঙ লোইনা তম্মী। অহু হাবনা ভীমথা চিক্ক্ননা দুর্যোধন হাংলক্রব্রা? পার্থনা হাংলমক্রে হেক হায়রকুপদা থা চিক্কমদগী মিং হৌ কাহনা অর্জুন থোকপা তংহনা হৌগংলকই। ভীমগী মতৌ উবদা পার্থনা থুংলোমরগা ভক্তিদা দান, যাইমা হুম শান্তি ওইবীবো। হাংলমদবগী মতম হায়জবিগে ঐমা মশম পায়হনা থাংনা দকে তৌবদা দুর্যোধমা হায়। অর্জুন ইহক ককলবদি ভীমনা ঐবু হাংকনি পুরোম পেরোম ওপম্নগা বশকথবনি। নয়াপ্রচ রাপক কায়বগী নরক তারেইম্রা। শিনিংদবগী হায়রকপদনি ইম্রাংগী থঙবদা মঙ্গলা থাংনম্না কল্পগা পৃথীদা হায়হনগা থনম্নী। পুরণ পেলোম য়াম্না মরম ভারি হ্যুমগী হাং তমমথনী হায়রকপদা, ভীমনা ইমাবু যাহঞ্জি হায়বহনা হাংলমদে হায়বহুগী শাওকর। নডুনা ঐগী রাপক ছাক্রবা ধর্ম্মগী থেংহনা হাংলমদবনি। ইম্রাম্বা পেল্লে হায়ডুনা অর্জুন গোম্নুগা হৈলোস দাদা মহারাজবু ইম্রাম্বা হায়জহুনা হৌজিকমক লৌথহনগে কাহনা মনওমিং কুরুগী পুরগী ধর্ম্মরাজগী গুণ য়োনা লাক্লে।

ভীমনা নখোই মপান্দা কৈজেখো। হেরেল ঐমা স্মরনি হায়রকপদা পোই চঙ্কওই হায়রম্মগা ভীম দাবি লাইবক কঙ্গপা মাঙ্গোল কাবুকই। থেং মমচুনা গেবদি ধর্ম্মপু থক শক্রুনিনা নুমিদাং থোং লোম্নে হাংহুনা ইমুং চঙ্করকপদা ধর্ম্মরাজনা থেংহকপদা ভীমবু উবদ বৃকোদর থেংলবা অহিংদা লাকপদ করি থম্রপদবা লৈবগে হায়রকই। ভীমনা মঙ্গবত ভক্তিনা থুরুমজরগা অর্জুনবু কৌজিক ঐগী লাক্লা লাক্কুনা মম্না মহ রাজন ইহোংপিরে কাহনা চাদ থক্রা ঐগীদা লাক্কুনা কপ্পরে, অহুগী মঙ্গলচগে লাকচবনি হায়রকই। ধর্ম্মরাজনা ইমাবু ইম্মাকপা নত্তে চৌবর লাঙবদা বিরাটনা কনবদা থং থকংলক্কুনা লাইবক্রা পানবদগী উমচ্চ তম্নুনা হৌ তাবহু মনাওনা উথবুদি বিরাট শিবা তারে। নিংথৌগী থরাই কন্নে হায়বা দ্রৌপদী সারথি চাংহম্নকক উত্তর চংক্লকউ হায়থিবনি ইরাওদি ইংহোকক্তে কায়রকই। ভীমনা অহুদ ননাই থুরুমজবা যাইদবা ধর্ম্মনা যাহ্ন কায়রকপনা ভীমনা যারনি চেঙ্কে কায়রকপদা অর্জুনা মাং থাহুনা মরিমক থ্রপ ২ চকচকই। ধর্ম্মরাজনা অর্জুন যারওকপা উবদা ইমশিনা কিক্রুক থুম্মগা লোংনা হিপথরে। মরিমক থুরুমহৈ, ধর্ম্মনা যাথংনা আশিষ তৌরগা হায়রকই। নখোই লোইমা হৌনজুনা লাকইবদি করি থদনি হায়বগীনো? ভীমনা হায়রকই, দাদা মহারাজা অর্জুনন কোংনা বিরাটকি উপায়গীমমক লাম্বা পায়ক্রমাম্লে ইবুংঙোদা ইমাগী পাও হংজবদা কুরুর জনা মঙ্গল কক্নুবা বাজারদগী নিহুনা চারবদা অহুকাও থিংহুবা হেং মরু ১কাও কাংহন্নহুনা চায়-থক্কনা কারহনা বাজারদা থোক্রুপা

মচা মখোৌ কৌহুনা ভেংথাহনা নখোয় হল্লক্রিকাও ইমাদি করি চাহনা হিজদগে। কপ্লহ্ বাজার থাকইবশিংনা। ইমাগী অ.াবহ্ মেংবা ভমস্থহনা সন্ধ্যা মতুংদা খুরাত্তোন্দা পাও পুয়.ক তনহনা বিদুর বৈষ্ণবন, বাজারদা চেলক্রুগা খুরুম্মহনা এং ইকৈমা বৈষ্ণবীবু হয়োধিংা মচ্চান সেবা কাইথোক্লুনা কোংহংদা লৈরিবনি থন্দুনা হুয়োধম্না ঐবু হৈনদবনা ঐ চঙক্লুনা হংজরদবনি। হৌফিক্কি নমাওগী অাগাদা [illegible] ইচা ইথৌ হল্লকক্রিফাও ইমা শক্লুনা সেবা পুজগে চারগনা ইমাবু খুরাত্তোনগীদা লৈরে হায়এ। ইমাগী পাও মংবদা মথোই [illegible] জংরে। লোংতুনা লৈবসি কোংদোক্লগা ইমাগী [illegible] তুম্বা কোংনরাসি অঙ্গগী ঐথোয় লাকচবনি। ধর্ম্মা সহদেব চহি ১৩ শুররা? সহদেবনা [illegible] পাদা কৌরগা সুমিং ২০নি হেল্লে, স্তমিং মণিপুরদা শারগনা ৭নি হেল্লে। ভীমনা [illegible] মহারাজগী [illegible] থৌরবা অমত্তং হেংক্লু।

[illegible] পাজি মেংহুনা গনন ভৌবদা ইচাগী [illegible] সুমিং অনি য়েংবদা মুমিংদা শগোলশেন [illegible]। উ রাস [illegible] নক্ষত্রনা পুই, যুগনা ইন্দ্র যু [illegible] কোংবাইগী পুংদ মহেন্দ্র নগুম্না পুরি মীশিদা [illegible] জয় ভৌরপ, পৃথী [illegible] ওইহুনা কৃষ্ণগী সেনা গুরুজনগী পালন পুজিগী [illegible] থৈ [illegible] লায়রকই। ধর্ম্মনা [illegible] মহ্ নকমল্লি বিরাট লৈপাকনি কিচক লৈতবগা [illegible] লৈপাকনি [illegible] ওইরি। [illegible] অমত্তনি চোহ্না অমুক মেংক্ল, শান্তি [illegible] কারকপদা. ভীমনা কোংবা থা ১/২দানি অকবদি লৈরিরোইনকো. সহদেবমক্ষু [illegible] ১/৮ [illegible] অমবা [illegible] লৈরে হায়ই। ভীমনা দাদা মহারাজা লাম্রবক্ষু [illegible] বহেসবনি পুশিনা ৭নিকাও ভাইরসি দাদা মহারাজগী রাথংনি মরুকসি [illegible] ভীমনা ক্রিয় [illegible] যুধিষ্ঠির [illegible] জাংদনা কি খুমহুনা [illegible] অহুম [illegible] দাদা [illegible] লৈকম চাদবদা লৈবনা চহি অমা কারে থৌগলবা [illegible] হেংক্লা [illegible] ধর্ম্মনা [illegible] গুণ প্রেমহুনা কৈ হায়খে। অর্জ্জুন ধর্ম্মগী পাদ থোগল্লি। ভীমনা লাইবক্কী মাক উহন্দনবা কিরুক খুমীবহ দেহে থৌগদ ভৌরবদি উথিহ [illegible] তারে। [illegible] উহল্লরোই থন্দুনা, নমাউন্ড দাদা মহারাজাগী দেহে থৌগল [illegible] তৌজগে হায়ই। ধর্ম্মনা কৈ লায়রকই ভীমনা পার্থ নগুমা কৈগনফাও থৌগল্ল, ঐনা [illegible] কোকফাও ওইরগে। [illegible] হায়হুনা ধর্ম্মগী খাং মপান্দা ফমহুনা লৈখে।

অর্জ্জুনা ধর্ম্মগী পাদ থৌগল্লকপদা ধর্ম্মরাজ [illegible] তুমখরকই। ভীমহ্ ধর্ম্মগী খাং [illegible] খুচাপহুনা [illegible] পায়রকপদা খংগ্রেক খংহুনা তুমশিংজ্বহ তোক্লুনা খাংবা হৈদমরে। পায়রকপা খুদিং থেক ২ কেন্দুনা খাংই। হৈনরক্লহুনা ভীমসেন ইনাওদি মীনা নত্তোন্দা সেবা ভীমদা শকচবা নগুণ চৈ। নশাক্রা মীগী সেবা ভৌবদি কয়া হৈনরোই গোথারো হায়রকই। [illegible] কন্দুনা কংহনা লৈরে। অর্জ্জুনা পাদ সেবা কটিক্কাও লোইরবদা ভীমদা দাদা [illegible] অমদি মেয়খরে অহবু ইমাহনা ধর্ম্মগী সেবা ভৌবহ্ কয়া হৈনদমাল্লে, ননাক নিজরগে।

দাদা মহারাজগী হকচাংগী খোঙনদি ননাও অমুক্তা কংজপে হায়রকই। ভীম শম কল্লুনা কখহ হৈমক্কহনা কংজরো ধনঞ্জয় পিরম্মগা হপোক্তুনা কমখে। অর্জ্জুনা হকচাং খোঙজনা লোইরুহনা বরন খোঙনগে খল্লুনা কিরুক্কী খিহ হায়দোকউবনা লাইবক্কী দাকতু কোয়েংনা নমহনা য়েংখিবহ খুগী মরুম পাক্তা ঐ মচুম্মা খাওরগহ উবদা কোয়েংতু তকথংলগা য়েংবদা লাইবক্তা দাক লৈবা উরে; অর্জ্জুনা দাদা মহারাজগী লাইবক্কী ঐ তারিখ দাকাস করিনা শোকখিবগীনো হায়রকই? ধর্ম্ম স্বাই লাওহনা খুমকম খংরহনা তুমিন্না লৈরি। ভীমনা পার্থ দাদা মহারাজগী লাইবাক দাকতুদি বৈকন্ঠ মণ্ডবক্তা কৃষ্ণগী প্রেম্মা জ্ঞান খাংখিহনা খংহায় হায়থবদা চপুটরাদা বৃন্দা অকংবগী খাংগম্মা শোকখিবা দাক ওইদোরে ঐচোক্তা অহুম্মা তাকপিরে। পাম্মরদি পাণ্ডুপুত্র মপা চাবনা হায়জিনবা ভীমদি মায়া হৈ, অর্জ্জুনা দাকতু মুম্মা য়েংবদা বিস্তা লৈবনিনা চৌবরনা থাবগী দাজি খংলে, দাদা মহারাজগী দাকসিদি চৌবরনা থাবগী উনসা তংতুনা ঐ চাবনি। বিরাট নিংথৌগা শাম্নবদা থাবদি অহুনা সায়থী চংহল্লকত্তু হায়রকপনী। বিরাটকি মথরাই লোংগ তুদি কায়হনা পার্থ হোঙংখরে। ভীমনা অমুক্তা তাইখো হায়হনা অর্জ্জুনগী মখুৎ পায়, পার্থ শাওবদগী ফাগনা থাম্মী। খুংহোৎনা খুৎ হায়দোক্লম্মগা মমাই ওল্লুনা খোং থাংরে। ভীম শাওহনা মশা মকে খর হৈরগা ঐবু উমিজমাল্লে খুৎ কায়দোক্লগা চংদি ইথিক খংহল্লগে খল্লুনা মুক হোক লাং সং চঙক্তুনা অর্জ্জুনবু লোনা থক তারম্মগা, মাং থাখিহনা থেং কায়দোক্লগা খোংবা খাংঙ খুং নাম্মনা পায়রগা মাই ওনজিন্দুনা থিংহনা লৈরি।

অর্জ্জুনা চঙক্লগা খুৎ লোম্মহনা দাদা মাইমা ননাও চংচপে খোং অমুক্তা থাদোকপিয়ু। ভীম্মা ওয়গা নমথেক্তুনা চংখো ঐদি নঙবু চংহল্লরোই খিংলিবনি হায়রকই। অহুগী তাজাদা ধর্ম্মরাজানা কিগাও শায়গা পার্থগী মাংদা চংতক্তুনা অর্জ্জুন বিরাটকি প্রাণদি ইয়াম্মা ভিক্ষা ওইনা নিয়গে মাদা থাগে হায়না থাবম্ম নত্তে, মতনা যুবরাজনা কৌরব তেঙ্গোল জয় ওইরক্লে তম্মবদা হয়াংহনা উত্তরবু থাগংলি। ঐনা সারথীগী মপান্না জয় তৌরকপনি হায়বদা বিরাটনা চৌবর শাম্নবা মতংনিনা কঙ্কগী য়াকমদা থৈদাম। জয় ওইহল্লকপনি হায়বগি নাতে চাদে হায়হনা শামু মরাগী চৌবর শকহ কল্লপ, থাদরকপদা অমা থকতংলকতুনা থাবদা উম্পা তংতুনা ঐ ভারকপহ পুক্লোক্তা মাথিনৈনা, কৃষ্ণানা সনাগী পুখমগা ঈশিংগা পুশিল্লকতুনা পাক্রসিদা থাদবিরগা সনাগী ঝারীগী অলসিনা খুৎ অনিহ পুখমসিদা চায়খোকপিয়ু হায়হনা লৈরে। ঐনা ঈ থক্লকপদা পুখমদা হাপ্লগা খুৎ শেংনা চায়খোক্লগা লৈরিক্কী ব্রাহ্মণগী ঈ লৈপাক্তা তাহৈদে কৃষ্ণা নদীদা হৈথরু হায়হনা হৈথহনবি। ইপাংশকনা চহিসিমা খোক্লকখনি। বিরাটকি প্রাণদি ইয়াম্মগী ভীকা ঝুলিদা হাপপো ঐ কল্লগে। ইনাওগী রাণক কাইবগী দোষমু লৈরোই। ঈ লৈপাক্তা তাহনখিদে হায়রকপদা অর্জ্জুনা দাদা মহারাজ বিরাটকি প্রাণ ভিক্ষাদা হাপচরে কনবিরো ভক্তি কংচরে। ধর্ম্মরাজনা পেন্দুনা অর্জ্জুনবু আশীর্ব্বাদ তৌবগা হনজিন্সনা কংএ। পার্থশু ধর্ম্মগী নাক্তা খোঙল কখখরে। ভীমনা খলি অর্জ্জুনবি

বিষ্ণা খম্বা হৈরগা ঐবু উপিদমাগে। ঐনা থুং পায়রগা থাম্বদদি থুং হায়দোক্লগা চংখি। দাদা মহারাজনা ভিক্ষা নিরগদি হাপ্পগা কপ্পিনখি। ঐনম্ব ইনাওনিনা ঐনা হায়বা ইনগনি খরাই। মানম্ব ঐনা বিষ্ণা হেলই খম্বুন ঐগী ইতুং ইরিংলমত্রবদি মেকুবগা লান তৌবদা খুদোংখিবা থোকুবা তারে। অহনমি মাগা ঐহাক্তা হৌজিকমক মল্লযুদ্ধদা চাং য়েংনবগে। মানা হেল্লগনা ঐনা ম নী লং ইল্লগে। ঐনা হেক্লগনা ইনাশসি ঐগী তুং ইন্নল্লগে। অহুম্বা পুকচেল ভিম্নরগা রেকনবা মাংখোকবদা ঐখোয়না খুদোংচাবা কঙনি। অতবু হায়বনদি মায়খোই ভিক্ষাদদি হাপকল্লি। ভিক্ষা ওইনা তৌবগে খম্বুনা, ভীম কিগাও শারগা অর্জ্জুন মল্লযুদ্ধ ভিক্ষা নিরি। অমুক্তা ইবানি প্রেমযুদ্ধদা চাংয়েংনসি। ঐনা থুং পায়রগা থাম্বদদি হায়দোকতুনা চংলগা, দাদা মহারাজনা ভিক্ষা নিরগদ বিরাটকি প্রাণ কুপানা লাপখি। ঐবুদি নন্তন বিষ্ণা হেল্লি হায়দুনা থওইদমাগে, নঙগ ঐনাক্তা ওসি চাংয়েংনরসি।

দাদায়াইমা ননাওদি ঐবু খাল্লই খগুজহৌদরে ঐগী ইরাম ডাকপিয়ু হায়জরকই। ভীমনা চাংয়েংনর্বগা নগুনা হেল্লগনা ঐনা নগুগী তুং ইল্লগে, ঐনা হেনগা নগুনা ঐগী মাথং ইনবা লেপনরসি, প্রিয়যুদ্ধদা য়েংনসি কৌদংলো হায়রকই। পার্থনা ননাও ইতিক লৈজদে দোষ ডাকপিয়ু খুক্রমদৈ। ধর্ম্মনা ভীমসেন নহাক্তা থুং পায়দুনা খামই হায়বদু বাশক ডাকে খংখিবদগী খঙ্গৌদবনা ননাগবু মুংডাকতবা তৌগদ্রু হায়রকই।

ধর্ম্মগী মাথং ফবদ ভীমনা দাদা মহারাজ ইনাওবু মুংশিদুনা মতৌ থেঙগে তৌবনি হায়রগা হাপ্পিনখরে ধর্ম্মরাজনা ইনাওশা নথোয় কল্লো, কনাগুম্বনা খঙখরবদি চিংনখরনি হল্লো। ভীমনা দাদা মহারাজ ফোঙ্গদবা মুমিত্তা লাকচরগে, মরকসি লাকচরয়েই। ধর্ম্মনা হৌজিক লৈপাকসি খরম্ব লাই খরা তপথনা ফোংওসি। ভীমনা লাপ্লবম্ব পূর্ণিমা কাওবসিদি থাইরগা কোংলাস হাংদুনা খুরুম্বগা দ্রৌপদীগা মত্তামক হক্লকই। ভীমনা মরকসি উপক্রবম্ব ফোঙ্গদবা মুমিংসিদা ঐগীদা নথোয় মৌরক্তো হায়রগা মাগী মাগী যুমদা হপ্পিয়রে। অশিগুম্বা মহাভারত্ত বিরাট পর্ব্বগী বারি অসি পুক্লিং চংনা তাজবদা মীওইবনা অরা অনা কোকই। অত্তগী মতমদা হরিগী চরণ কংই হায়বসি ব্যাস বাক্যনি ইতি॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

পাণ্ডবনা অজ্ঞাতবাস চহি অমা লোৎপা মুরক্তনা কোংঘোকপগী বারো মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়— সর্ব্বভুমাপতি, নবুথৌশিং নবেক্লোগা পুখিমা শাইদুনা লৈরে। পুখিমা মুখিং অহ কৃষ্ণাতীর্থদা স্নান তর্পন তৌই। অবুক ব্রত তৌই। মুখিদাংগী লুক কুমদা কংলগা সন্ধ্যা ভোজন লোইরবদা কংনরে। পুং মাপল তাবদা ভীমগীদা পার্থ, নকুল সহদেব, কৃষ্ণা থু ঙরে অহুপা ভীমবু থুকরই। ভীমনা ঐ নখোইবু ভাইরিবনি। দাদা মহারাজগীদা যৌ-বশি হ রয়না ভীমনা মাং থাদুনা লাকপনা ধর্ম্মরাজগী মুম য়োরকই। দাদি লাইবক কং'ল। ইমুং চংঙক্লগা ধর্ম্মগী পাদদা ভক্তি কচ্চরে। ধর্ম্মনা আশিষ তৌ.র। ধর্ম্মরাজনা মনাওশিংগী মতৌ য়েংনিংঙনা ভুখিলম্যাদা ইরফিম্ফিরুক থম্মগা হিপলে। ভীমনা তোমচা নঙনা পাণ্ডবনি কোংবগী মতমসি করম করম তৌরগা মঙল ওইগনগে অমুক্কা হায়মু ভাগে। সহদেবনা দাদাবু প্রকগী দোযানা শক্তিগী দৃষ্টি চহি ২ বন চংপনি। য়েক্কপগী চক্রিনা চহি অমা লোৎপনি। প্রকগী দোযা কোকপগী য়েক্কবু জয় তৌনবা স্নান তৌরগা রাজবেষ শেৎলগা কিরিটি মৈল কুণ্ডো খুংঙ্গ খুৎলাইগা কোয়না কোঙপদবনি। ভীমনা পুং ভয় ভারে নখোই মখোইগী থৌরাং লাই-রপ্নো ঐ আভরণ খুৎলাই লৌরগে হায়রগা সমীদ্রবন তাকা চেল্লকই।

ভীম য়োরকপদা অর্জুনা খুৎলাই কিজেং শঙ্খ'শ্বরা ভুত-প্রেত নয়ামহ ভীমবু ঊবদা কিদুনা লোইমা চেনখি। ভীম ক্যানশৈ পাম্বী অচৌবহ কাথৎলগা পৎেং মইমা য়োমহুনা পুখিবহ লৌখোক্লগা খুৎলাই কিজেং হাম্বিবা খাঙজাউহ লৌখোক্লগা নাকদা কোক্লগা চোংথরকভুম চেল্লক-পহ থুকক্কা য়োরকই। খাঙজাউহ থম্মগা য়েংঙকপদা ধর্ম্মরাজদি হোৎপতরি। অতৈদি স্নান ক্রিয়া লোইরগা ধর্ম্ম লেঙথংতরিবহ ঊবদা ভীমনা ভাব তাবদুনা ইনাওগা নখোইদি ঐনা খোগলোন কনা ভাক্রবনি ভাব ভাদেদা। দাদা মহারাজনবু ঐখোইবু চাইথো হায়বা হৌরববা? নখোইনা লেঙথংলগা খোমজুনা চাইথপদবনি। মনাওশিংনা দাদা মহারাজনা লৈঙথংশিদনুনা স্নান খোগশ্রিবনি। ভীমনা অহবুসি নখোইবু ভাব ভাদে হায়রিবহ হায়রগা ভীম চংঙক্লগা পাখোম অমি লোনশিক্লগা দাদা মহারাজ মাবৌবিন্ড মনাও খোগশ্লগে হায়রগা কৈবমনা থপান্দা পুখোকরক্লগা চাইথখান্দা থারে। কৃষ্ণাঅল পুলোয়কউ হায়রকপদা য়োৎপদৌনা ঈশিং মুখিবহ শাই শাবে য়েংহৌরে। ভীমগী মতৌহদা থুনা খাংদোকভুনা থমমুরে। ভীমনা পাক্রহ পায়কগা ধর্ম্মরাজদা চাইথরে। ঈশিংহুদি শৌরবহনা ভীমনা চাইথবদা ধর্ম্ম শামখুনা কং ক্রুং চোংঙগা

বৃকোদর ইয়াম্বা ইতোমদা লুজরগে। ভীম ধর্ম্মগী নতোঙ্‌ উবদা ইমুংলোইবদা চঙখরগা খাওদগী আভরণ খুদলাং মরোমঙ্গ লৌখোক্লগা থমফম কাইদনা থমএ। ধর্ম্মরাজনা কৃষ্ণা ঙনিং অইংবা খরা পুরকউ। দ্রৌপদীনা পুখোরকতুনা অইংবঙ্গ স্নানসিন্দুনা থোগক্লগা ধর্ম্ম স্নান লোইহনা তিলক ধারন লোইরগা আসন্দা ফমএ। ভীমনা রাজবেষ লানসিন্দুনা যুধিষ্ঠির রাজবেষ থোকলে। কৃষ্ণাসু ধর্ম্মগী স্নানবস্ত্র সুমদোকতুনা মফমদা যানথোক্লস্মগা চঙকপদা, ভীমনা পঞ্চালিমী মতুগী আভরণ নরোমনি খাও মঙ্গদা স্নাওরমগনি লোইখোকচরো। ইনাও নখোইগীদি লৌখোকপিরবনি সেংনরো পরপ পরপ লোইশিল্লো। ভীং লাম্বুনা নৈ স্নানদি লৌর্বির। অতেনা হায়বাদ ভুডঙ্গহনা যৌনৈ। সহদেবনা দাদায়াইমা ঈকুজবিকুথো পুংমা হাল্লকনি ভীমনা এদি লুকদবস্থু য়ারে সন্ধ্যা অতিঙরা নান তৌখরে। মখোইদি নৈফম ফংতেবামনা ইকুজফদবনি। সহদেবনা দাদা মহারাজ স্নান তৌরিরে দাদায়াইনসু লুজবিয়ু। ধর্ম্মরাজনা বৃকোদর অসেংঙনংগী স্নান মডু গ্রহ স্নান্না লৌক্লরা ধর্ম্মনা হায়রক্লবদা, য়াম্রোই খঙলহনা দাদামহারাজ ইনাওবু মুংশিহনা ফাংগী তৌরিবনি এদি তীর্থদা লুপচকপলোবনি। সহদেব তিলক্তি থোরাং থুগা লাংলমডু হারগ্লগা কৃষ্ণা মদী তঙ্গা চেনখরে। মকি সেংলি-ইল্লিবহু চেংনা তালিলম্নগা তোংখহনা লুপ্লী। ফং চোংখংলগা চেল্লুকপঙ্‌ কি চাংপা নওহোদনা যুন য়োরক্লে। দ্রৌপদীনা ক্লিসং পুখোরকতুনা লেংলগা ইমু চঙলকপদা সহদেবনা দাদায়াইমসি মহৌশাদি তিলক ভঙন্দি পোইক তৌবান কন্দাক্লি পুজার বাক্সনশিংগা লেপিরবদগী ফজনা সেবা তৌরমল্লে খন্দুনা নৈরুক পানা নৈ পত্র ধুপ বত্তি চন্দন তকতুনা পাত্রদা তোপনা তোপমা কাপলগা নমই। গৌরিরাজ লেংখাক্লগা ময়েল পোগনু। থ এ। সহদেবনা লাংলমিবহু উবগা ধর্ম্মগী মাদা ভীম তৌপদা সেবাহু অঙঙ কুপনা খঙদবনিনা তিলক লোইরগা গৌরিরাজ চাইথনবা নম্নদি খঙদবনিনা কাখারি মুররি মঙলাও হায়দনা গৌরিরাজ চাইথরে।

সহদেবনা দাদায়াইমা গৌরিরাজবু মীওইবনা স্নানগী মতমবা সোন্নদবা অতুনা গৌরিরাজ চাইথরেনা হায়রকই। ভীমনা তোম্বা গৌরিরাজদি ঈচনা চাইথরোইদবনি মতং খঙউকো। গঙ্গাগী সুদ্ধকলনা চাইথগদবনি। ভীমগী রাহায় তাবদা সহদেবনাদ দাদায়াইমসি বাঙাং কৈনবী বালি, রসক্তি খিজিন্দবে ইরে খঙলহনা রা হায়দরে। ভীমসু ধর্ম্মরাজনা য়েংলজবা তাঙ্গাদা চন্দন নৈ পত্র চেরুক পানা নং সং কংপা লোইশিল্লগা মপান্দা বৃন্দাগী মখোঙদা থাদোকউরগা বেয় লেংথংবা লোইরহনা পাণ্ডব মচা পঞ্চালিমীগা দরবার সভা য়োরক্লে। ধর্ম্মরাজনা বিরাটমু নিংশিংলগা মহারাজ নংভূপতি চহি অমা মতা ওাকপগী লোংপসি চহি শুবগী কোদোকপদা রাজসিংহাসনসি কম্বগী দোষ তাকপিয়ুকো হায়হনা রাজাসন লাইবক কংলগা ফমএ।

রাজারাণী দ্রৌপদীনা ওইদা থোগাল ফমএ। ভীমনা রাজছত্র থোগল্লি। নকুল সহদেবনা নাক-য়েত্তা কাংহার চামর থোগল্লি। অর্জ্জুনা মমাংদা খুং লোম্নরগা লৈ। ভীমনা নকুল মঙ

ছত্রসি অমুক্তা থোগল্লে। ঐখোইনা কোংলিবসি তুমিন্না লৈবসি নুংঙাইতে ঐ মী কৌরগা খঙং-হনগে হায়দুনা ছত্র শিন্নরম্লগা পুংয়ৈশন্নদা চঙখরে। পাওজেল পুংজাওফু লৌথোক্লগা পুংফু ঙক্লা য়ানশিল্লে। পুংয়ৈ চৈফু পায়রগা দরবার ময়াইদা পুংমাই অপাকপাহুদা পুংয়ৈ চৈফুনা হৌহল্লগে খন্দুনা য়েবদা নমহুনা খুম্নদগী ফক ফক লাওরে ফং ফং হৌদরে। ভীমনা মখোইমা য়ৈবদি হৌই ঐমা য়ৈবদদি হাদে হৌহল্লগে খন্দুনা, চোং-ফন্দুনা পুংমাইদা য়েবদা নমহুনা কাবনা ফং ফং লাওরে।

পুংয়ৈফু উবদা অর্জুনা পুংমাই শেগাইবা তারে তাকউগে খন্দুনা ঙক্লা কি য়াম্নগা মায় লুক্কক হৌনা ব্যবহারদা চঙলকই। ভীমনা ইনাওসি পুং ঈশৈদা থবাই য়াওবনি। ঐনা পুং চোং-ফন্দুনা থবাই য়াওনা য়ৈবহুদা প্রেম হৌরকতুনা ভক্তি তৌগে চঙলক্লে। অদু ওইরবাদ ঐনা পুং য়ৈবদ ভক্তি তৌগে চঙলকপবু নহা অহল লৈতে, নাম শোনবনা হায়া দণ্ডবতনা ডাইনৈ। অদু তৌহোক্রবদি দাদা মহারাজনা ভক্তি লৈতে খনখরনি নিংহুনা দণ্ডবতনা চাইখরে। ভ মগী মতৌ উবদা পার্থ দণ্ডবত তারগা থিক থিক নোকই। ভীমনা ভাব কবদগী মনাও কপলগা ঐনা কপত্রবদি প্রেম লৈতে হায়খিনি খন্দুনা মিতগী পী শিন্দহুনা কপলে। মতৌফু উবদা সহদেবনা ঙসিগী মতৌসি নুঙ ইরেদা হায়খি। অদু তবদা ভীমনা কপ্পা তৌরগা চেপনা হায়হেং য়েংবদা য়গী তারমদে থিক থিক নোকপা ওইনমলে।

ভীমনা পার্থ ঐদি নঙনা প্রেম তৌরি খন্দুনা কপ্পুরি। নঙদি লোক্তাবাইরে। পী তারমদে করি হায়নিংবগে হায়রকপদা, অর্জুনা দাদায়াইনা থবাই য়াওনা য়ৈবহদা ননাও প্রেম তৌদবনি। য়ৈবিবদা পুং কাডিল্লিবহ থাদোক্লগা মাং অং লৌহল্লগা য়ৈবিরবাদি অমুকহেল্লা নুংঙাইজগনি। ঙসাই-মথৈ হৌরমদ্রিবহ ঐ খঙদরে তাকে চঙলকপোইরে খঙবদ, পাইরক্নি মী ওয়বা লৌশিং কুপা লৈবনিনা ভীম ভাব তারকতুনা পুং য়ৈরমদাইদা পুংয়ৈবশিনা তুকা য়েংবহ সি ওইরে খঙবদগী অর্জুনদা পুংমায় ওনশিল্লগা হায়রকই। পার্থ ইয়াঙনা হৌরিবসি নঙ ভাব তাক্লিনাল্লে ঐ তাকে নঙ ভাব কউকো। তুকা পুংমায় অনোপ অতিং য়েঙবনি। পুংজাওনিনা বিরাট লৈপাক লোইনা তানবা কন্না য়ৈগদৌরি। তুকা মুন্না থিহৌত্রবদি পুংমাই শেগাইপদরা য়েংবদা চোং ফন্দুনা কন্না য়েংবনি। তুকা অনোপ অতিং মীন্নরে য়েঙউ য়ৈগেকে, হায়রগা থাক্লবা পুংয়ৈ চৈফুনা পাবদ হৌরকপাহুগী মখোল তাবদদি পুংয়ৈশঙদা নিপা মঙা তুম্লিবহ মিকপ থোকতুনা লৌম্না য়েংবদ লোইনা উরে। মতৌফু উবদা কিরহুনা তুমিন্না থোকখরগা কোন্নুংলোমদা চেনখৎখরে অর্জুনসু খঙজরে হায়রগা ধর্মগী থোগন্দা লৈখরে। ভীমদি মশিং নাইদনা য়ৈরগা পুংফু য়ানশিনজুরে ধর্মগী ছত্র থোগল্লে। নকুলনা কাংলায় অমুক পাইরগা থোগল তৌরে। পুংথোন্দু তাবদা বিরা উত্তর শেত-শঙ্খ ঙক্লহুনা খুংলোয় পায়রগা পাত্তি ডাইহুনা লৈরিবদা পুংশঙবা নিপা মঙাহু থুংলহুনা থুক্কমগা তৌহৌরিবহ লোইনা তমএ। মৎস দেশকি মীয়ামসু খুংলায়গা চেনখৎনরকপ

কোম্বুংদা থুগলয়ে। নিংথৌ শেম্বনি থম্লহনা দরবার সভাদা নিংথৌনা মাং থাহনা লাকমরিবা মীয়াম থুগলয়ে। উমরদি শক উবদা খঙলহনা ধর্ম্মরাজগী পাদ য়েংহনা দণ্ডবত তাহনা লৈজরে। দরবারদা চঙলকইবা পাত্র মন্ত্রি পার্শ্বক মদিরাক্ষ নাও অমিগা মচা অহুমগা মীয়াম পুম্নমক পাণ্ডবকি মঙুনহু সূর্য্য নহাগা ইন্দ্রগা পুন্নগা ফজবগুম, ঈশিংদগী থোকপা মৈগী মঙালগুম ওজরিবনু উবদা মীয় মহু মুহুর্ত্ত অমা ঙনতুনা লৈরুরগা মীয়ামা হায়নরকই। মহারাজা মুমা রাখল তৌরগা য়েংখিবো নচা যুবরাজদ দণ্ডবৎ লৈরে। লাইগী মতোগুম উরি। সিংহাসন মুনগাদবদি মানদে হয়রকই। মহু হায়নরকপদা বিরাট নিংথৌনা য়েংলকপদা উত্তরনা দণ্ডবৎ লৈরিক উবদগী শাওবা শমুক ৱেল্লকতুনা কে কঙ্ক ধর্ম্ম থওবা ব্রহ্মচারি নঙনা ঐগী আসন ফিরকং করম। লংচংলো? তুমশয়া একসন্ধ্যা ভুজন চৎইনা যলমলনা চরা বান্ধা লেপ্পুনা লরমগা ঐগী রাজাসন ফম্নিবহু করি ব্যবহাররলো। কবিগুম্বা দান অমা লৌ হায়বফাও য়াদনা লৈনবা রাজাসন পান্থদগী লৈরমরা? ঐগী রাজাসন ফম্নিবহু ইমাংমক্তা মতিক করি লৈবগীনো, অনঙং হে সৈরিন্ধ্রী কেউক শঙ্কম মহাকগী সেবা তৌর হায়বা নঙনা কঙ্কগী মুগী ওইহনা ঐগী আসন ফম্নিনুসি ইকাইবা খঙদবী মুপীসি য়েংউ মীয়াম পুম্নমক ওইথোকত্রবনি। এঃ বৃহন্নলা লোক্লা কঙ্কগী মদা শং লোয়রগা লৈরিবহনা কনাগী য়াথংদগীনো? অশ্বপাল গোপালশু কাংবার চাদ থোকল্লিবহু ইকায়দ্রে? হে বল্লভ পুনারি হক্তবনা কঙ্কগী য়েত্তা লৈরগা ছত্র থোংগল্লিবহু করিগীক্লো হায়রকই।

বিরাটকি রাগাহুন তানবা ভীম শাগরবতুনা মিত্তা ঈ কাহনা ঙংলকপহু ধর্ম্মরাজনা মিংনা ইঙ্গিৎ তৌহনা খায়খি। উত্তরনা কিন্নমা মিংনা ইঙ্গিৎ তৌকৈ। বিরাট শাউবদগী উত্তরনা হায়রকই নঙদি ঐগী ইচানি। অহুনা কঙ্কগী মাংদা নখুং লোয়রহনা ভক্তিদা লৈবদি নঙবু ঐনা অরাগী যথায় থোক্কুবা কৌরবগু হয় তৌরকই হায়বগী খাংলুবদি নঙবু জ্ঞান মাঙলবরা? ইপাগী আসন্দা ফম্নিবাসদা ভক্তি তৌরিবকিদি। পিতানা হয়া হয়া অকমবা রা হায়বহুদা উত্তর ভীম কিবদগী প্রেম শিন্দহুনা ধর্ম্মরাজবু য়েংজরকই। উত্তরগী মতৌ উবদা যুধিষ্ঠিরনা অর্জ্জুননা পরিচয় তাক্লো হায়না য়াথং পিরে।

ধর্ম্মরাজগী য়াথং ফঙলবদা অর্জ্জুন মোমোন লোক্লহনা বিরাট য়েংলগা হায়রকই। মৎসরাজ ঙসিগীসি ঐ রা হায়জগে হুদিসান্ত ওইনা তীবিয়ু। মহারাজগী আসনসি মতিকচায় হাইবগী ফম্বা নত্তে। অহুবু ফমদবা য়াদবদগী ঙহাক্তুং ফম্বদনি। মতিকচাবদি মরোল অহুম্না থুকম্বা ইন্দ্র যম, বরুণ লাই পুম্নমক্তা কিহুনা থুরুম্নথরবা দ্বারিকানাথ শ্রীকৃষ্ণামক্তা ওন-থোইহনা থুরুমথরবা অহুগুম্বা আসন্দা তঙনা ফম্নরুবনি অহুনা মহারাজগী আসন পান্থদগী নত্তে। যদু বৃষ্ণি, ভোজ, অন্ধক, সোম বংশনচিংবা শাগে তরেৎকা লোয়ননা শ্রীহরিগা লোইনহনা পৃথিবী রাজা রাজেশ্বর পুম্নমক কিহুনা রাজাকোর কংলিবনি। মাইকৈ মরিগী থোং থোংদা শামু কোটি অমমম থম্নিবনি।

বোন্দা থম্বা কোট • অমা অশ্ব-রথ পদাতিনা মশিং থিবা ওমদনা লৈথ্রবা, দাম্বা পৃথিবী লাইরবা কোকহনথ্রবা দোমগী ৮৮ ব্রহ্মভুক্তন ভত্তনা তৌবনি। মানা ২ পাম্বা পোশক্ত, মীপুম খুদিং ফংহনবনি খোংতেকপা নিংতাংবা তোল্লবা কয়াবু, যুধদা থম্বীরগা পিজ পিথক্তবা মচাগুরা বোকাপিক্রবা ভুমা ভীম অর্জ্জুনা ঙক্না তৌরগা য়েং ওইদনা রাম-কৃষ্ণনা ছাক্লিবা অহনু মনাও দুর্যোধন্দা পাল থেনাদা পি-থাক্লম্বগা চহি ১২ বন কয়া তীর্থ খুদিং চংলুরবা সর্ব্বগুণাপতি যুধিষ্ঠির ধর্ম্ম অবতারহুনি। চহি ১ লোংপনী কোংদোক্তবা রাজ সিংহসন্দা ফামুবনি। অর্জ্জুনগী বাকমতুনা বিরাট অচৌপা ওইরহনা, হে বৃহন্নলা! কঙ্কসনা যুধিষ্ঠির ওইরবাদি মনাও ইবুংঙো থনা কদাইদা লেংগুম চেল্লবী পঞ্চালিনি কৃষ্ণানা কদাইদ. লৈবগে কপ্পীবাসি ধর্ম্মরাজনি হায়রবদি ঐনা চাংঙবাস চুমা থমুক্তা হায়থো, অর্জ্জুনা হায়রকই। নহা রাজগী পুজারি ওইবা ওইরম্বা বল্লভ। শক্ত যাত্রাদা মল্ল-কৈ-শামু-লোংগা কয়াবু লাকুহনা ফাওথিবা, সক্ত রক্ষ, দানবনা কিচি ব অশেল কিচক হাংথিবা ছত্র প ইরিব সিনা ইয়াম্বা মাইমা ভীমনি। অশ্বপাল গোপাল ওইরম্বা অনা নকুল সহদেবনি। কাংহায়-চামর থোগল্লিবসি ধর্ম্মগী ওইদা থোগল্লিবা মাইগোং ফজবী অসি। পঞ্চালিনি কৃষ্ণা। কোম্মুংদা সৈরিন্ধ্রী ওইরম্বী মাবু শাওহল্লুবদগী কিচক মচিন মনাও ১০০ শিন্থ্রবনি। ঐনা অর্জ্জুননি মহারাজা হায়রকপদা ঙক্তনা বিরাট হিক ২ লাওনা থিংল্লুদা পা শিন্থহনা লেপ্তুনা য়েংঙি। উত্তরনা পাবুংগী লাইবক ফবদগী পাণ্ডব ৫ কুনংগা চহি ১ লোংপগী লেবিরবনি।

ধর্ম্মরাজদা ভক্তি তৌসি হায়জরিবসি ভাব তাবিয়ু। সুশর্ম্মাদগী পাবুংগী প্রাণ কনবিরকপনি। অমম্বুং সমুদ্রগী পাম্ফংগুম্বা কৌরব লেঙ্গোন্দগী হিরানবগুম ঐবু থগাই কনবিরগা কৌরব লেঙ্গোন জয় তৌহনা যশরাম মূল্লগা ইপাগী লৈপাক ওংকপিরিবনি। মোইবুং খোংবগী সখোম মরোম ৩ কাওনা তাহনবা ওম্বা প্রতাপ লৈবা ইন্দ্রগী মচা ইবুংঙো থনঞ্জয়নি। ছত্র থোগল্লিবাস ইবদা ইন্দ্র যমমক্তা সনমান তৌরিবা, মামা কিচকপু লাইনা হাংলিবা পবন পুত্রনি। মমাংঙৈ ধর্ম্মরাজগী রাজস্থয়দা, নিংথৌ কয়া কোরগা লোইনহনা লাকপশিংহু চংহন্দনা লৈহনবদা লমচেল্লুবা কয়া দ্বারীনা ঙৈথিবহু পাবুং উথ্রবনি। ঐালক্কগী কলনা ফংজবনি ভক্তি তৌবিয়ু হায়জরগা ধর্ম্মরাজগী মাংদা উত্তরনা ইপাগী দোষ ওাকপিয়ু হায়হনা খুরুমজৈ।

বিরাট নিংথৌম্বু ভাব তারক্তনা ওক্তা ফি য়াল্লগা মনাই ঙক্তনা থংজক্লদবনা রাবায় কয়া হায়জখীবগী ইরানবু ওাকপিয়ু হায়জরগা দণ্ডবত তাহনা লৈরে। ধর্ম্মরাজনা অর্জ্জুনদা বিরাটপু কোনথংল্লু হায়না য়াথং পিরে। পার্থনা বিরাট নিংথৌবু মহারাজ লেংথংপিয়সি হায়রগা কোনথংলে। মীয়ামম্বু ধর্ম্মবু খুরুমজরে ধর্ম্মনা আশিষ তৌরে। পাল্ল মল্লিশচিংবা মীয়াম হৌগংনরগা মাগী মাগী কমকম চানা কয়রে। বিরাটতি অর্জ্জুনা কোনথংলবহ অমুক হায়থহনা ওলখোইরগা কপত্রনা হায়জরকই কয়ামুক অপরাধী ওইবা হায়থরিবা ইরাম্বু ধর্ম্মরাজনা কোকপিয়ু। রাজসিংহাসনগা লোয়ননা লৈপাক, লন, ইচাপিংগা, ইশামকম্বু ধর্ম্মগী পাদদা কত্তরগে। ঐখোইনা মনাই ওইজহনা

থোগজগে ধর্ম্মগী লৈপাক লল্লি চর্য্যোধনা চোবরদা লোইনা লোখে হায়বাতাজরে অসিদা পানবিরগা ইরাম পুম্নমক কোকপিয়ু হায়না ভক্তি অমুক তৌজরে। যুধিষ্ঠিরনা মহারাজা লৈপাক লনম্নু লৌজরোই অজ্ঞাত বাসগী চহি অসিমা য়োকপি থাকপিদুনা লৈজরে করিগী অহুম্না হায়বিরিবনো। মহাজা মানবা মরুপ্তি লৈত্রে। ঐখোয়গী উপায় তৌবিরি কোংদোকচগী রাজাসন তাংজবনি আসন ফম্বীরো মহারাজা। ধর্ম্মরাজগী য়াথং তাবদা বিরাট পুংজাইজদদুনা হায়জরকই। ধর্ম্মরাজা ঐনা দান কচরগা লৌবরবদি ঐ পেজগে হায়জবদা লৈপাক লনম্নু লৌবিদরে। ঐগী উত্তরা কন্যাসি দান কচগে ধর্ম্মনা মনাও অর্জ্জুনগা বিবাহ তৌবিয়ু দান অসিমতংদি লৌবিয়ু হায়খ্রে।

বিরাটকি প্রেমমু উবদা ধর্ম্মনা অর্জ্জুন্দা য়ে ডকই। পার্থনা কন্যাসি ঐগী ইতিক চাদে হায়রকই। অর্জ্জুনগী বাহায় তাবদা বিরাটনা হায়রকই, মহাখির ঐগী ইচা কন্যাবু দান কচগে হায়বদা ঐগী ইতিক চাদে হায়রিবনি ঐগী সুদেষ্ণা রাণীগী কন্যা উত্তরাগী ছিত্র করি লৈবগীমো তাকপিয়ু। পার্থনা মহারাজগী রাণীগী উত্তরাগী ছিত্র লৈতে গুণ চেল্লিবী কন্যানি। ঐনা চহি ১ জগোই ইশৈ তম্বীদুনা লৈক্লরবনি। ইচাগী শিষাগদি চপ মান্নে হায়না ধর্ম্ম গ্রন্থদা লেপ্লি ঐনা কিজবদি ধর্ম্মগা মী ফত্তবা অনিসি কিজৈ, মী ফত্তবদি ছিত্র য়াম্না তাংনগল্লি, অদুনা হায়জবনি। অর্জ্জুনগী র ফমদু তাবদা বিরাট ইকাইরপ তৌদুনা মরু লুকই। ধর্ম্মরাজনা বিরাটতা হায়রকই। মহারাজনা প্রেম লৌরিবা ইনাওনা পোকপা (রাম কৃষ্ণগী) মচন সুভদ্রাগী গর্ভদা পোকপা অভিমন্যু কৌবা ইচাদা পিনবিরে ইমো ওইজরগে। ধর্ম্মগী য়াথং ফংবদা বিরাটনা ঐনা অহু থংজদবদগী হায়জক্লবনি মমল্লৌ ওইজবা পামজবহু নিংবা থুংলে। ইচা বাগদান কৎচরে নমো ওইবিরো হায়দুনা ভক্তি তৌরে। ধর্ম্মরাজসু আনন্দগী কুমবহুম ভক্তি ওক্তুনা কন্যাদান য়ারে অসিগুম্বা চহি অমা লোৎপগী পাণ্ডবনা খোংবগী বারী খনিবু পুক্লিং চংনা তাজরিবা মীহু শ্রীকৃষ্ণনা ব্রাহ্মণ্দা যগবী ১০০ কংপগা মাংহ পিনে। বিরাটপর্ব্ববু তাজরিবা মীহুগী নবগ্রহগী দোষাম্নু কোকই হায়বসি ব্যাস বাক্যনি হৌতি॥ হরি হরি হরি॥

অধ্যায়

পঞ্চাল-কাশী লৈপাক দ্বারীকাদসু দূত থাবা —

পাণ্ডু ফংবদ লাক্রবা-দ্বারীকাগী রাম-কৃষ্ণনা লুহোংনবগী থৌরাং লেংঙকপা

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয় নিংথৌ ! ধর্ম্মরাজনা বিরাটক মহারাজনা পিবা মতমদা ঐ লৌদে। ঐগী তৌশিনবা থবক্কিদমক হৌজিক রাজছত্র ১০ দং নিজগে। পাণ্ডু শিকনবগীনি কায়রকপদা বিরাটনা মন্ত্রিদা লোন শুনা হৈবা দূত ১৫ পুরকউ হায়। মশিংনা খুদক্কী পুরকতুনা ধর্ম্মদা কংলে। ধর্ম্মরাজনা সহদেবদা পঞ্চালদা ৫ কাশীদা ৫ দ্বারিকদা ৫ পাণ্ডু থাগনি হায়না পিরে। সহদেবনা চিঠি ইরগা দূত ৫দা পিরে। নখোই পঞ্চালদা চৎলো। কাশীগী পত্র নিপা ৫দা পিরে, নখোই কাশীদা চৎলো। দ্বারিকাগী পত্রসু নিপা ৫দা চৎলো শিন্নরে।

নিপা ১৫ যুধিষ্ঠিরগী মাংদা অষ্টাঙ্গ প্রণাম তৌজরগা খোরকতুনা রাজদ্বার নোংপোক থোং লাম্থোক্লগা থরে। ঐখোইসি চপ মান্নবা থবক চংমিন্নবনি। অহুবু লাইবক ফবসি দ্বারিকা চৎকদৌরিবা মখোই ৫না হেল্লি লাইবক্তা কৃষ্ণবু দরশন ফংলনি হায়নরগা মহৈ ২ চৎনখিনা শগোল তোংহনা থৌনরকপসু পঞ্চাল-কাশী চৎপনা হায়রা থুংখি। বৈশম্পায়ননা হায়রকই, মহারজা। অমকপা কাশী-পঞ্চালগী বারী লোইশিন্নখগে দূতশিংনা যৌরকুনা নিংথৌ শরুমক্তুনা পত্র কংখি। চিঠি পাবদা, পাণ্ডুবনা ভক্তিদা হায়তুনা ইজরকইবা চিঠি মমেন্দু ফবদা দ্রুপদ-নচংশি লোইনা কৌশিন্নরু হায়রকই। কন্দকি সোইদনা লানখোক্লরনি ধৃষ্টদ্যুম্ন যুবরাজ তেংজোল শাজল কৌরো। শিখণ্ডী উত্তোমৌজা যুধামন্যু থুনা মৎসদেশ মৌরশি পাত্র-মন্ত্রি সেনাপতি পুন্নমক শাজল তৌরো। দ্রৌপদীগী গর্ভদা পোকপা পাণ্ডব মচা ৫, প্রতিবিন্ধ্য শ্রুতসম -শ্রুতকর্ম্ম-শতানিক-জয়সেন মশু ৫গা পঞ্চাল নিংথৌ শাজল লোইরে। ইশু মমক্তা মখোইবু পৌনা শিন্নরহনা ঐনা য়োকক্লপনি মখোইমা পিতা কৌরবসু মবু পিতা-মহ কৌ নমাবু পোকপা মবুথৌনি তাকপদা নখোইনা ইমা ইপাদ কদাইদা লৈবগে হংজকপদা. য়েক্লবনা পাশখেলাদা লৈপাক লম লাকখিনা চহি ১২ বন চৎপা চহি ১ থংহন্দবা লোৎপা য়েক্লবনা খিবা থংলগা অমুক বন চৎপা থংদ্রগা হন্জিন্দুনা পাল্লব সত্য তৌহনা শ্যাম্নবনি। অহুনা বিরাট লৈপাক্তা লোৎপগী চহি শুরদুনা ফোংজবনি। মখাৎনা পিত-মাতা বন চৎখি হায়বহুদা বনগী মাইপৈদা য়েংঙগা, মিতা পিগী ঈরা চেনবসু ঙমসি বিরাট লৈপাক চৎলবদি মাতা পিতা উনরগনি। রথ তোংথংলো চৎলসি হায়দুনা দোলাই তোংথংলে। পঞ্চালগী অক্ষৌহিনি ৭ শগোল, শামু, রথ খুৎলাইগা লোইনা লৈপাক ছীক্লবা থর থনম্বগা লোইনা যাত্রা তৌরক্লে। কাশী লৈপাক্তী নিংথৌ পাণ্ডবকি মুপী-অতাং থৈরম্বগা তেঙ্গোল অক্ষৌহিনি ৫গা

যাত্রা তৌরকই। লৈপাক অনিগী নিংথৌ মীয়ামগা মথং মথং থুংলহুনা দ্বারিনা পাও পিবদা পাণ্ডবনা ওকতুনা ভক্তি তৌরগা সভাদা পুশিন্দুনা ধর্মরাজা দ্রৌপদী আসন্দগী কুমথহনা থুক্রমজে। দ্রুপদনা মত্ত মঙাদা পিতা মাওনী তাকতুনা কাশ্বী রাজনন্থু তাকতুনা ভক্তি প্রেম তৌনরে। বিরাট নিংথৌগী সেবাগ্রিশিংনা আসন সন্দেস সেবা তৌই। দ্রুপদগা বিরাট কাশ্বীরাজ প্রেম আলিঙ্গন তৌনরগা আনন্দা কম্মরে। মরামগী লৈফম চান-থক্লবা পুম্নমক বিরাটকী দায় ওইখি। কৃষ্ণ লেংলহপা ভাইনহনা লৈখি। দ্বারিকাদি বিরাটকা ভরেংনি থোংচৎ লাপনৈ। হুত নিপানা শংগোল তোংলনা লাকপনা ছন্নিগী অয়ুক পুং নিপালদা থুংই। দ্বারি ব্যবহারগা লোয়ননা ঐখোই মঙাসি মৎস দেশদগী লাকচবা পাণ্ডব মঙাগী হুতনি। শ্রীকৃষ্ণদা পত্র কচ্চগে লাকপনি চঙজবা রাগত্রা কৃষ্ণদ অমুক্তা ওঙংপিয়ু হায়জে।

দ্বরি চঙখিহনা কৃষ্ণ া পদদা ভক্তি কংলগা হজংলি। প্রভু পাণ্ডব মঙা দ্রৌপদীগা মৎস দেশতা লোংলঙহনা পুশিমাদা কোংলে, অহুগী হুত মঙা পত্র কংকদবগী থুংলরে, চঙজরকপা রাগদ্বরা হজংলি। শ্রীহরি পাণ্ডবকি পাও কংবদা দ্বারি থুনা পুশিল্লকউ তাপিরকই। দ্বারি থুনা থোক্লগা থুনা য়ৌবিরে। মণি মন্দিরগী প্রাঙ্গোলদা ভাইহনা লৈহৌরে হায়রকপদা দ্বারিদা শংগোল শিন্দরম্নগা হুত মঙা চঙজরকপদা শ্রীকৃষ্ণগী রূপমাধুর্য উবদা চপ চপ লেপ্লগা প্রেম শিন্দহনা লেরে।

কৃষ্ণনা পাণ্ডবকি লেমনা থুজংখিবনা হুক লেঙখৎলগা দাদামহারাজ দাজায়াইমা ইতাও অর্জুন, নকুল, সহদেব, অশীদা লাক্লগা চংঙকনা, অহুদা লেপতুনা লৈরিবা কবি নিংবা থুংদবা লেরবগে ওয়হনা লেংশিল্লকই। হুত ও কৃষ্ণগী মাংদা দণ্ডবত থুক্মজরগা প্রভু পাণ্ডব ৫ মংচাদ পাণ্ডবকি মনাই হুত ৫নি প্রভুদ পন কংলু খাবিরকপনি ওয়জরকপদা শ্রীকৃষ্ণনা দাদা মহারাজগী অহুনা কয়গনো মথ মনাও কাইদনা কোনগে তাকউ হায়রকপদা, হুতনা হায়জরকই; ননাই ঐখোই মশক্তি নাইরক্ত অহুবু অংনসিনা ধর্মরাজগী ওইখিরো। চহিগী মথং মনাওদা ওইহনবিরো কায়জে। কৃষ্ণনা মপ মনাও নাইনা কোনবিরে। সদ সজগী গুন্না বীজহুতশিং কৃষ্ণগী কংজমত্রবা প্রেমালিঙ্গান ফংজখি, কৃষ্ণনা পত্রহদি দাউজিদা কংলুসি। ঐ চিংগে লাও হায়হনা, বলদেবগী মণি মন্দির য়োরজে। কৃষ্ণনা বলদেবনু থুক্রম্মী প্রেমালিঙ্গন তৌরগা হলধরনা প্রাণভাই নিপা ৫সি কদাইদগী লাকপনো? কৃষ্ণনা পাণ্ডব মৎসদেশদা অজ্ঞাত বাসহ লৈরমহনা ইঙাগী পুশিমাদা কোংলহনা দাউজিদা চিঠি কংলু থারকপনি। দাউজিবু কিজহনা ঐবু খিনবিয়ু হায়রে অহুগী লাকচবা হুতনি মখোই পত্র কংলো হায়রকই। নিপা মঙাহ পত্র কংলগা থুক্রমজরে। বলদেবনা উনাওনা পারো ভারগে কৃষ্ণনা পারে হলধরগী পাদদা পাণ্ডব ঐখোই ৫মা থুক্রমজরি। নক্ষক অভিমন্যুদা বিরাটকি মচা কন্যা উত্তরা মাকদান পিনরে। ঐখোইস্থু মাকদান য়াজরে, অহুগী পত্র কংবদা নক্ষাকী লুহোংবগী উজোম রাম-কৃষ্ণনা চামিহনা লাংবিরগা দ্বারীকাবাসিনা উজোম কজনা

লেংখিরকই। নমাই ঐখোইদি হৌজিকস্ু বিরাটনা থাকপিরি। মাদি মহন লৈবনি চৌপিতনবা লাংখিরকই। শ্রীবলদেব কৃষ্ণ ইবুংঙো অনিগী চরন্দা খুরুমজরি। যুধিষ্ঠির রাজা ইতি।

পত্রগী মরোল তাবদা হলধরনা হে কৃষ্ণ দ্বারিকা পাউজেল তৌরো, বিবাহগী পোৎ লাংদলো হায়রগা বলভদ্রনা রেবতী, সুভদ্রা, অভিমন্যু পাও তাকপিরে। শ্রীকৃষ্ণনা সাত্যকি সারন কৃতব্রহ্মা গদ শাম্ব অনিরুদ্ধ প্রদ্যুম্নদা পাউ তাকপিদুনা বিবাহগী থৌরাং তৌনরে। হুতশিংসু লিজ লিথকছুনা থংএ। নোংঙাল্লগা চাবা থকপা লোইনরগা কৃষ্ণনা গরুর কৌরে। খুদক্তা গরুর থুওরে। গরুরগী থক্তা রাম-কৃষ্ণ তোংখংলে পোৎচৈ হাপকংলে সুভদ্রা অভিমন্যু রেবতী কৃষ্ণ প্রিয়া ১০০৩ তোংলে। শগোল ৫গী রাজছত ৫স্ু দ্বারিকাগী মীয়ামসু তোংখংলে। কৃষ্ণনা য়ারনি বিরাট লৈপাক য়োরো য়াথং পিরে। গরুর অতিয়াদা কুকংতুনা মৎসদেশ য়ৌনা পায়রক্লে কৃষ্ণনা পঞ্চজন্য শঙ্খ খোঙলকই। শঙ্খ মখোল তাবদা পঞ্চ পাণ্ডব সভাদা লৈরিবা রাজ সভা মীয়ামসু থাগী হোজংলোমদা লোইনা থোরক্লে।

শ্রীকৃষ্ণ গরুরনা নেমথরক্লপদা ধর্ম্মরাজনা ভক্তিদা চাইরিবহ উবদা দাউজি নমাও হাঞ্জরমগে হায়রগা গরুরগী থক্তগী চোংথরগা ধর্ম্মগী মাংদা, দাদা মহারাজ ননাওনা খুরুমজরি হায়দুনা দণ্ডবতনা নোনখি ধর্ম্মরাজসু দণ্ডবতনা নোজখি। হোগংলদুনা প্রেমালিঙ্গোল তৌনখি। কৃষ্ণনা ধর্ম্মরাজদা হায়রকই। ঐখোইমক্লা উপায় ভমত্রবু চহিসিমা উপায় তৌবিরিবা বিরাট নিংথৌ য়াওরক্লা ধর্ম্মনা য়াওবনি হায়রগা হন্না য়েংলকপদা লাপতক্লা দণ্ডবত কংলগা প্রেম তৌরি। অদু উবদা ধর্ম্মনা দ্বারীকানাথ দণ্ডবত ত রগা প্রেম কংলগা লৈরিবা অসি বিরাট নিংথৌনি হায়রকপদা কৃষ্ণনা মহারাজ, অদুদা কৈদৌরিবগে ঐচোন্দা হায়রে। নহাক্লা পাম্ব ঐনা লেপ্লা পিগনি করিগী অদুদা লৈরিবনো সিদালাও ঐগা কোয়সি তাকপিরকই। বিরাট চংঙক্লনা কৃষ্ণগী চরন্দা অসঙ্গ ভক্তি কংলগা স্তুতি পাঠ তৌই, কৃষ্ণনা কৌনবী। বিরাট মহারাজা পাণ্ডবসু ঐগী প্রাণ ৫নি, পাণ্ডবকি উপায় তৌবদি ঐগী উপায় তৌবনি। কৃষ্ণ ঐদি মংগী লমন তোল্লে। ঐদি মীগী লমন তৌনবা য়াদে শিংদোক্লগা পোল্লি। সম্বা লুপানা শিংবদি ঙওনা নয়ন লৈবনিনা লৌ হায়বা য়ায়রোই। মংনা পাম্বা অমত্তা নিয়ু, অদু পিরগা লমন শিংলে হায়না পেল্লগে তাকপিরকপদা, বিরাটনা নমাইনা নিজরবদি পিবিগক্লা? মহারাজ মংনবু নিরবদি সোইদনা পিগনি * বিরাটনা বিষয়গী পাপ পুন্নমক করথংপিরগা শ্রীচরন্দা ভক্তি লৈজবা নমাই ওইজবা ইতিক চাত্রবস্ু চরণগী নমাইগী নমাই ওইজবা পিগক্লিয়ু নিজরে। বিরাটকি য়াহায়দু তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা মৎসরাজা নহাক নিরিবদুদি

* ভবমে নিজমাহং সজম মদিস্ত ভবতু বিষয়াবিদ্ধে। যোগনে ভিখু ঘড়ুংয়া আরোসি তব ভক্তি মার্গ দেহী। তবজলধী মগ্নচিত্ত মীন স্বরূপং ভ্রমতিমত্তংঙা অস্মিন্। ঘুর সংসার কুপে মপংয়ো তব ভক্তি দেহি পদারবিন্দং। ইতি বিরাট স্তুতি॥ জৈমিনি বাক্যম্॥ ইতি

হায়না নৈজবা ভক্তিমি মকাক্তা পাম্বা বর নিয় হায়রবনি। বিরাটনা প্রভু লবন্থ য়াচ্চদে ইচাম্বু নিজরোই পূজিন্নু নিজরোই। বর নিবদা ঐ সূর্য্যদি নিজরোই ভক্তিদা নিজবনি কৃপা পিন-বিয়ু হায়না কপচরকই। বিরাটপু কৃষ্ণনা কোকবিরগা মহারাজা নঙনা থম্মোইদা ভক্তিদা লেঙদনা লৈবা ওইরো। নাম লোয়নবদা অমুনা মতমদম্মু ঙমজবা ওইজৌ। নঙগী লৈপাক্কিদা লক্ষ্মীনা লেংদনা লৈরসনু। কৃষ্ণ ঐগী শক্তিম্মু লেংদনা লৈগে কৃপা পিরে। মতমহুদা গরুর ভপনা হায়থরক্নে। বলরাম দ্বারিকাগী মহাম পোংকা লোইননা গরুরগী থক্তগী কুমথরে। গরুর বলদেব-কৃষ্ণবু খুরুমজরগা বিদায় লৌরনা কুশদ্বীপতা চনখি বলদেব কৃষ্ণ যত্নগী ইবেম্মা মমাম্মা সুদেষ্ণা রাণীগী সভাদা রাণীগা দ্রৌপদীগা পুখিনখি। নিপা মখৈনা রাম কৃষ্ণগা বিরাটকা ধর্ম্মরাজগনা রাজসভাদা পুশিন্নগা আসন সেবা পুজা বিরাট নিংথৌনা কৎখি।

পুজা সেবা লোইরবা মতুংদা বলদেব কৃষ্ণনা মৎসরাজা নচা৻ স্যা উত্তরাবু অভিমন্যু ইম্মাক্তা বাকদান পিরে। ধর্ম্মরাজনম্বু বাকদান লৌরে হায়বসি চুম্মবরা হংলকই। বিরাটনা কচ্চরে অজ্ঞা হায়জরকই। ধর্ম্মরাজনম্বু চুমত্র অজ্ঞা. ইনাও ইবুংঙো কৃষ্ণগা প্রভুগা লেঙলকপা, ইচাম্বু য়োরকপা ঙাইহনা নৈজননি হায়রকই। শ্রীকৃষ্ণনা মহারাজা পকু রাইনবা য়েঙনখিগদরা? নুংহোংবগী নুমিৎম্মু লেপ্পরবা হংলকই। বিরাটনা প্রভু পকু রাইনবম্মু য়েংজরোই, প্রভু ২গী য়াথং মতুং ইনজগে বিবাহ নুমিৎম্মু লেপ্পিয়ু য়াথং মতুংইম মনাই থবক পাংথোকচগে হায়জে।

বলদেবনা ইনাও কৃষ্ণনা লেপ্লো হায়রকপদা কৃষ্ণনা অন্তর্যামি ওইবনিনা লোইনা থঙই। অভিমন্যুগা উত্তরাগসি লোন-নৈনবা য়াদে অনিসি যারযুগ ভাই। অনিসি নুংহোংলবদি থাএদা শগনি। অভিমন্যুদি চহি ১৬ মপুংফাবা ভারত লানগী দ্রোন পর্ব্বগী চক্রবেহু পম্মুংদা শিগাদবা সৃষ্টিগী নোংদম লৈ। ভারত লান থোক্তদবাদি থা তরুক য়াংলি মসি সহদেবনা য়েংথরবদি অঙ্কগী ফলদা মাদি সর্ব্বজ্ঞনি বিরাট ধর্ম্মরাজ অনিনা প্রেমদা লোইনরম্মবাসি কৃষ্ণ ঐনা কায়-হরিংদে হোংহল্লবম্মু থা অহুমদা শিরবদি ব্রহ্মাগী সৃষ্টি কায়হনবম্মু য়াদে। অহুদি কৃষ্ণ ঐনা মমা-মপাদগী পুণ্য থর থর থাইহনা হাপ্পিরগা থা অহুমসি ঐনা হাক্তকসি পুনিহল্লগে পুক্নিংদা লেপতুনা পুনি হাপ্লে। শ্রীকৃষ্ণনা মৎসরাজা হয়েং হোংলগি বাক্তগ অমম্মুং অধিবাসকি থৌরাং তৌকুরো হায়খরে।

বিরাটনা বলদেব কৃষ্ণ ভক্তি তৌবগা পাত্র মন্ত্রিশিংগা কৌনুংলোয়দা চঙখরগা, নিমন্ত্রণ অধি-বাসগী থৌরাং তৌখরে। মীয়ামগী নৈকম চাকম সেবারী ভাণ্ডারিদা শিনহনা পুজারিনা থোংবা লোইহনা লুক কংলগা মীয়াম পুম্নমক পরিবেসন তৌহনা ফংনবা লোইরগা মাপী মাপী শয্যাদা পোথারখরে। বলদেব কৃষ্ণ পাণ্ডবকিনা দ্রৌপদী সুভদ্রানা হৌহনা বলদেব কৃষ্ণগী লুক কংলগা অনিনা পরিবেসন সেবা ওইহনা ফংনরগা শয্যাদা কাখ কৃষ্ণ চেগলে।

অর্জ্জুনা কৃষ্ণগী পাদ সেবা ওইদুনা শয্যা অমদা পোথাদনখি অতৈঙ্গু মাগী মাগী হিপকদা তুম্লখরে। নোংঙাল্লগা প্রাতঃক্রিয়া স্নান তৌই। তিলকধারন লোইদ্রহনা পুজারিশিংনা থোংবা লোইহনা লুক কংলগা চাবা থকপা লোইরে। পানা হৈ লৌনরগা মেঘ লৈতেংলগনা বিরাটকিনা কোম্লুংগী মাঙোপলোমদা পাণ্ডবকিনা দরবার সভাদা লৈনরে। শ্রীকৃষ্ণনা তুংগী লিলা ওইগদবগী থবক অমা পাংহল্লগে থন্দুনা ভীমদা হায়রকই। দাদায়াইমবুদি লাইবক ফবসি ইতাও অর্জ্জুনে হেল্লিঃ মরমদি বিরাটকি মচা কন্যাবু মমৌ ওইদুনা মমৌনা সেবা তৌরনিদে', দাদায়াইমদি সেবা তৌবিনবা লৈরোংদৌরি অদুনা নবাওগী মাংদা হকাইরকনি। ভীমনা ঐখোই ইতিমাও ৫দি পুকচেল অমত্তনি ইমৌনা ঐখোইগী লেবাক্সু চপ মান্না তৌরনি হায়রকই। কৃষ্ণনা ইতিমাও ৫দি পুকচেল তিমৈ মৌদি অপোক পোক্তা থাইরনি অর্জ্জুনগীনা লুনা তৌরনি দ দায়'ইমগীনা তত্তাইথদনা তৌনি অদুনা হায়রনি। ভীমনা অদুগীদি ঐগীস্তু ইচাগী ইমৌ লৈনা কৃষ্ণনা অদুদি জকল নিঙোলনি গুরুজনা মথুত্তগী ঈশিংফাও লৌনিংঙোই হায়রকই কৃষ্ণগী য়াহায়দুদা ভীম শাওখিদুনা গদা পায়রগা হৌগত্তুনা সভা পুম্নমক তাবীয়ু।

ঐগী ইচানা অহনবি গুশিসি রাম-কৃষ্ণনা গুরুজনস্তু মানা থোংবা সেবা লৌবিগদবা ইমৌ ১ লুহোংগনি। পঞ্চরোতোন ইচা লুহোংগ্রিঙৈদা অভিমন্যু লুহোংবা যারোই সত্যনা সাক্ষী ভীম ঐগী ইতিক থংগনি হায়দুনা গদা চিক্তুনা বাশকথরে। রাজসভা তিল্লিবা মীয়ামদু শ্রীকৃষ্ণনা ভীমবু শাওহল্লবদগী গুশিগী লুহোংবা কাইবা তারে হায়বগী বানদুনা মরু লুক্তুনা লৈনরে। কৃষ্ণনা দাদায়াইমগী বাশকস্তু কায়বা মাদে বিরাট নিংথৌ কন্যাদানগী সুমিদাং অধিবাস হৌরগা হৌজক যজ্ঞ হৌখরে। অসি কায়হল্লবদি দাদায়াইমস্তু নরক ভারনি। অদুমা হমা হোনবা ঘটোৎকচ মমা মচা কৌরো হায়রকপদা ভীম হৌগংখিদুনা নোংপোক্ত হৌজ লোমদা থোরক্লগা থোংথোং কানখোকলে চপ লেপলগা পিতা মুংশিং ময়াম্বা হনুমানবু নিংশিংলগা কছাড়রোম ? ওন্দুা মমা মচাবু কৌরকই। হিরম্বীনা ইচা নিংথৌ নঙগী পাবুংনা ঐখোইনিবু কৌরক্লে। চহি অমা লোংপদু মংস দেসতা ওইরমাল্লে কোংলদুনা অথুবা থবক্তিনি কৌরকইবসি থোরাং লোইরে। য়োরসি। ঘটোৎকচ পাত্র মন্ত্রিদা লৈপাক ঙাকপা শিন্নরম্মগা মমাই অনগা হিরম্বীস্তু দাসীনি অমগা মায়া মন্ত্রনা লাকপদু নিমিষ অমদা য়োরকতুনা ভীম থুরুমই।

ভীমনা আশিষ তৌরে। হিরম্বী নঙনা রাগীগী সভাদা চঙখরো ইচানা রাজসভাদা, ঐ হায়া চঙলগে নঙনা কোমা য়োরক্লো হায়রম্মগা ভীম রাজসভা য়োথরে আসন্দ ফমই। ঘটোৎকচস্তু রাজসভা য়োরকতুনা বলরাম কৃষ্ণ থুরুমই, আশিষ তৌই। ধর্ম্মরাজবু থুরুমই বা হায়না আশিষ তৌই। থুরুমজবদা ঘটোৎকচগী কিতমদুনা বাং চাওবহদা থুংমাকাওবা নানবিদে। বাহায়দনা আশিষ তৌই। ভীমনা মচাবু গুরুজনবু থুরুমজবদা কোনবী নানবীদবহদা ভীমনা ইপা কোনগেংলাও হায়রকই। ঘটোৎকচনা পিতাবু থুরুমই। ভীমনা মচাবু শবেং পায়দুনা চিংখংলগা কোল্লি।

বাং চাওবদি মচানা হেন্নবনা ভীমগী মঙ্গল পাক্না কক্তরিবস্থ উবদা হন্থনা য়েংলগা যষ্ঠী যষ্ঠী হায়দুনা মাল্লি। কৃষ্ণনা ঘটোৎকচ ইপাদবু যষ্ঠী যষ্ঠী হায়দুনা নাল্লিবস্থ হৌনবর ? ঘটোৎকচনা প্রভু যষ্ঠী হায়বসি অর্থ জানি চংলি। মঙ্গল ওইয়ু হায়বস্থ মাই, তরুক্কি হায়দস্থু লৌরে। ইপাগী মঙ্গলসি কুট তক্রক্লোম পাক্না ফাজ হায়না নাক্তবাসিবু মাক্লিবরনে প্রভু ? ভীমনা পক্ক য়োতোম তরুক্কি হাংলে হাইবু, ইপা ইচা মানবগা লোইয়ে। ঐ ইচদা বা অমত্তা হঙগে কৌবনি হায়বগা কৌল্লিবস্থ থাদোক্লে। ঘটোৎকচনা তাংলিয়ু হায়দুনা খুৎ লোম্মহনা লৈ। ভীমনা মকাক্যু বাণী জানি শুনিদুনা নিংলোলী মচা কন্যা লুহোংনিংবা লৈবরা হাইয়ু ? ঘটোৎকচনা লৈক্তদে হায়রগা মরু লুক্তক তৌই।

শ্রীকৃষ্ণনা ঘটোৎকচ সোনদা লাক নিনা তাংনসি, দাদায়াইমগা তাংনবদি মুংতাইররোই হায়রকই। ঘটোৎকচ কৃষ্ণগা ভক্তি কংলগা তাকলিস্থ প্রভু, ভসি ইপানা কৌরিবসিবু করি মরম লৈবগানো হংই। কৃষ্ণনা ঘটোৎকচ নহাকপু ঐনা পেম্মিদুনা দাদায়াইমবু শাওনল্লুবদগী অভিমন্যুদগী কচানা অহল্লি। ইচাবু কোরগা অংমা হাম্না হোংম্বিনি, মসি মাজবদি ভীম ঐহাক্কী ইতিক খক্ত-হনপে লায়দুনা পদা নিকতুনা মীলকখরে। অদুনা ননাওদা বিরাটনা উত্তরাকন্যা দান তৌগদরগী মুনিদা অধিবাস তৌরগা লোমিক সুং ভাং দগী যজ্ঞ হৌখরে। বিরাটকি ধর্ম্মস্থ তাকপা পিতাগী রাজকন্যা উকুব লক্তি নতিক নগুণ লৈবনি, কক্তরবী রাজকন্যা ১ লৌক্রো, মগুগী হাম্না হোংলসি।

ঘটোৎকচনা পিতান লাওদুনা মালকখিবনা করি হায়বদগী চালকখিবনো ? কৃষ্ণনা দাদাদগী তক ওনা য়েম্ম লইবক কবা। মঙৌনা সেবা তৌহনা লেম্মনি হায়বদা ঐগীস্থু ইমৌ লৈ হায়-রকপদা নমোমলি মুর হিংচাবগী মচান, মুর ঐনা হাংপনি মুর হাংল্লুবদগী ঐবু মীয়াম্মা মুরারি কৌনরিবাসনি। মথুরানী ঔশিংফাও লৌনিংদে হায়রুবদগী কৃষ্ণনা মথুৎ চাগদবা ইমৌ অমা কাম্না হোংলিনি রাণীগীদমক অদুনা নহাক হাম্না হোদলা মাক্রে ঘটোৎকচনা অদুদি ইমানা পাম্বা অমা য়েংদু নথুনা হোংলসি হায়রুমো হায়দুনা মনাই থাদুনা রাণীগী সভাদা হায়রুরে। হিরমবী বিরাট সভাগীদা, মক কজবা কন্যা মৌ ইমৌ ইনবা য়েংলগে সুভদ্রাদা হায়রগা ২গী মরাইদা কম্মীবা হিরমবী হোগংখ। ৩ অংসি দ্রৌপদীনা রাণীগী পদবী ওইবনা কুন্তী সেবা হাম্না কাবা হিরম্বীনি অমবু রাজসূয় যজ্ঞদা পদবী ধর্ম্মরাজাগী য়েংইনা কমমমগী খনেরবদা কুন্তীনা তৌখিবা বিচারনি। দ্রৌপদীনা হিরম্বীনা মরাইদা সুভদ্রানা ওইদা কম্মীবনি। হিরম্বীনা হোগংলকপদা য়েংতা রাণীগী সভাদা কম্মীবা মচা কন্যা, লৌবিশিংমু হোগংতুনা ময়ুমদা চেনশিন্দুনা মচাশিংমু হিরম্বীগা ওই ওইগদবা কিদুনা, মৌ ওইরমাক্লে হায়রদনা মশাম থোমগংতুনা মকোক খুমদুনা লৈহনখি। মতৌ অদু উবদা হিরম্বীনা মতুংদদি লৈশাবী লৈক্তসনু মোনা মকুবু মকোক খুমদবা ওইরসনু হিরম্বীনা শাপ তৌখি। অদুগা মনাইদুদা বিরাট লৈপাক্কী কন্যা পুম্নমক্তগী ইহেল হেল্লবা রাজকন্যা অমা লৌক্রো হায়রো। বিরাট লৈপাক্কী মীয়ামসি ইকাইহল্লসি হায়খরে।

মনাইচুনা ঘটোৎকচদা লোইনা তম্বুরে। মমাগী বা মনাইগী পাণ্ডব শাবক ধর্ম্ম মপা মতোম খুরুম্বগা বলদেব কৃষ্ণ খুরুমচুনা পদ ধূলি লৌরগা কোকতা হাপচরে। কৃষ্ণনা মঙ্গল ওইবরকই কৃপা পিখি। ঘটোৎকচ অমাংগী হোজংদা পোৎলুগা বাখন তৌবদা হিজুল লেশগী সিরিরক্তপুরদা পাংবা, বিরহংস নিংথৌগী মচা কন্যা ধর্ম্মাদেবী হায়বা অসি পৃথীবীদা মসিং চংলি মাচু লৌরুরগে থন্দুনা অমাং কৈলাসগী সিমানা লোয়দনি। আকাশদা ১মা মঙ্গনা প ময়বক। নিংথৌ ১দা খৌরকুনা হায়থরকুগা রাজ পথদা চংলিবা অহন ওইরপ তৌবদ। প ময়ম সুম্না হংই। অহন্দুনা ধর্ম্মাদেবীগী লক্ষন লোইনা ফাকলম্মী। ঘটোৎকচ সিরিরক্তগী লম্বাদা হায়গংলকত। সিরিরক্তপুরদু সহর পল্লোন অসিনি। মপালগী থোংবা নন্দিভৃঙ্গীনা পুরি মথুংগী থোংদা পংশ কাংকিগা পুরি। মপালগী থোং খৌরকপদা দ্বারী থোং হাংউ ঐ চংশ হায়রকই। থোং হাং-লগা নন্দি থোরকপদ চিংনা থেংনৈ। ঘটোৎকচনা দ্বারী নঙগী নকোকতু পামজনুনা হাপ্লিবরা? নন্দিনা মহাশয় নঙগী নচুহুদি পামজহুনা হিদাক তৈরিবরা? ঘটোৎকচনা ঐগীসিংদ পঙনা লৈরিবৈদা ইমানা মী নোকুরুহুনা চুকুংওকপনি হায়রকই।

নন্দিনা নঙ ঐহাকপু খঙবরা? খঙই। কনানো হায়য়ু। নঙদি মীয়োং হায়বচুনি। নন্দিনা ঐদি শিবগী মনাই নন্দি হায়বহুনি। অচুম্বা হায়নসি, কনাগী মচানো, নমিং হায়য়ু। ঐদি ঘটোৎকচ কৌই। পাণ্ডবকি ভীমনা ইপানি. ইমানা কিরম্মীনি হায়বদা নন্দিনা নুংশিদ ভীমদি কৈলাস য়োরকুম্ববনি করিগী লাকপনো হায়য়ু। ঐদি ধর্ম্মাদেবী হায়গে লাকপনি। নন্দিনা অহুগী ওইরবাদ ঐনা হায়গে, সোইদনা শিংনমগে: নপা নংগোংগী, চাপাগীবা থোর ওইগদবতু হায়য়ু। ঘটোৎকচনা অতৈগী নঙ্গে ঐগীনি। নন্দিনা অহুদি থোংগল্লোন নংলে অমা লাকহল্লু। বিরহংসদি থৌগল্লোন কায়বা য়াদে. নঙদি চহল্লরোক হায়রগা থোং থিংতিন্দুনা পোৎরোন থাক্কিনখি।

ঘটোৎকচনা ঐ চঙদবা য়াদে হাদোকউ য়াক্রবদি থোং কাউৎেক্কনি। নন্দিনা নত্তিক লৈ-রগা কাওথেকউ নথবাই লৌসে হায়রকই। ঘটোৎকচনা থেংহু কাওবদ, লোংথোং থোংবু থোং-পাক কুকতুনা পায়সিনখি। নন্দি মঙ পায়হুনা মৈথায়রগে হায়থরকপদা পাম্বোম তাপ পায়রগা তুংলোমদা হায়হৎখিবদা পৃথিদা মূর্ধা ওইনা তাখি। ভৃঙ্গি চেমশিল্লকপদা তাপ ফারগা লংখিবদা নন্দিদা নন্দুনা লুপিনথি। ঘটোৎকচনা চঙখিহুনা মথুংগী থোঙ তৌখি। দ্বারী থোং হাংদোকউ হয়-রকই। গণেশনা থোং হাংদোকতুনা থোরকপদা, চাংরাংগা পামু মকোক পানিবগা য়েংবহুনা মোঙই। পাম্বোম মরি পানবতু উবদা গণেশ ঠাকুরনি থঙহনা প্রভু নমস্তে খুরুমই। প্রভুগী নাত্তোনসিনদি লোঙগী ঊশিংগা চিংহুনা থকপিরুমু। নাত্তোন্দুদা সমিং চঙখরবাদ লায়েংবা বারনি। প্রভুনা ইচাগা পোক্লবদি পামুগী পুরিতনা শোনগদরা, লাইগী পুরিতনা শোনগদরা? গণেশনা ঘটোৎকচ নঙসি ঐতোম্বা পংহায় হায়জিল্লে; নঙ কৈদোবা লাকপনো? প্রভু ধর্ম্মাদেবী কায়জগে লাকপনি

মর কনাগীনো ৷ ঐগীদি, প্রভু নঙগীবু নপানা লাকপদি ব্যবহার যাওনে চংহল্লরোই হায়রগা থোং থিংজিল্লগা পোৎলোন থাজিল্লে। ঘটোৎকচনা ঐদি চংবা মাদে হাংজখদি থোং কাওথেল্লগা চংগদবনী হায়রকই। গনেশনা মত্তিক লৈরগা কাওথেকউ ইতিক থংহনগে হায়রকপদা কাওথেকই। থোং পাম্বশিন্দুনা লৈপাক্তা তাখি। গনেশনা মাসি উশিংতে ঐগী ইতিক থংহনগে চৌংশিল্লকপদা ঘটোৎকচনা পাম্বোম পাইরগা হায়রংখিবদা পৃথীদা থরো থরো ওল্লগা তাখি। কাত্তিক চোংশিনরকপদা থরাদিচাক মপা নঙণু যাওরম্বীযোইরে হায়রগা কারগা হায়রংখিবদা গনেশকী মথক্তা নন্দুনা তাখি।

ঘটোৎকচ নমুংদা চংখরে। গনেশ কাত্তিক মন্দি ভুক্তি নরি অসি ঘটোৎকচনা লাইনা তৌরমখুদা ওকচুনা শিবধাম য়ৌরক্লগা, খুরুমজুনা পাও লোইনা তম্মী। ঐখোইবু মাহা অমুক্ত লাইনা তৌ-ওমনিবু হরি ইরান লৈবননো প্রভু অমুক্তা তাকপিয়ু। শিবনা হায় নখোইবু বিরক্সগী থোং অকউ হায়রদা কুম্না কুইনা ঙাক্তদগে হায়দা। ঐনা ঘটোৎকচ লাকপা কাওবদি হায়রখিবদি নখোইনা কাওবননি। হৌজিক্তি চংলুরম্মু থোং শংনেগী মতম লোইরে। ঘটোৎকচদি শ্রীকৃষ্ণগী কৃপাদা লোইশনরকই অহনা থোং, থিংজবদগী নখোইবু লাইনা তৌরমলি। লাইনা মখে ফংলগা শেন্নি হাংবগনি, ৪মক্তা ঘটোৎকচ নহাক্কি নপাজ্জগী থাং ঙাকপা বিরহংসগী দ্বারী ওইরম্বা মখা কেংং। নহাক্কি থবকতু তেংনা মঙ্গল ওইজো হায়না মরাশিরকই। লাইগী শক্তিমিনা ঘটোৎকচগী নাকোংদা কাহংখি। ঘটোৎকচনা নমুং লোমনগা ঐন মঙ্গল ওইজগে খুরুমজখি।

ঘটোৎকচ ধর্ম্মদেবীগী মবুক হায়্রু থংমোক্লগা কোমা লিংলো ইনরগে খম্মুনা কম্যাগী থোং-লো দাগুক্তরে। সখি অনিনা থোংগী দ্বারী ওইরম্মী। ঘটোৎকচনা দ্বারী থোং কাহুক্তু রাজকম্যা অমুক্তা উনহে লাকপদি হায়রকপদা কম্যা দ্বারী ওইরিবমুনা থোং হংক্তকপদা ঘটোৎকচ উবদা মহাশয়বু কদ্দাইনগী লাকপনো হায়রকই। ঘটোৎকচনা 'ঐ' বিরাট লৈপাক্তগী লাকপনি চংক্তকপা যাগদর পাও অনুক্তা লৌক হায়রকই, সখি অনিনা আসন থারে। সখি অমনা ধর্ম্মদেবীগী শঙ্গাদ গোংখি। ঘটোৎকচ আশংদা ফমইনা ঙাইহনা লৈরি সখিনা ধর্ম্মদেবীদা হঙ্গংলি। নমাই ঐখোইনা পুরিবা থোংদা মত্তিক মগুণ লৈবা নিপা অমা ইবেম্মবু উমদি হায়রহনা লাক্তুনা লৈহোরে। চংক্তকপা যাগত্রা রাজকম্যাগী মাথং লৌক্ত হায়রবগী চংক্তরকপানি। কমদোইজো হায়রবগে মাথং অমুক্তা পিনরিয়ু। ধর্ম্মদেবীনা চংহল্লকউ সখি হায়খি। মাথং কংক্তবদা সখি থোকপিহুনা ঘটোৎকচদা মহাশয় চংবিরো মারক্সি হায়রে ঘটোৎকচ চংখরে। ধর্ম্মদেবীনা মগুণ য়েঙপদবগী রাজাসন থারগা সনাগী/ম বিদা জল হাপ্পগা লৈ পরেং পাম্বা-লৈ-পাত্র তোপ্পা ২না ওই-য়েং কাইদনা কাংহায় চাম্বরণু থম্বী পোইশঙ লম্বিশিংহ, বা ঙাংদনা থোং ঙাম্বিল্লগা তুম্বিন ২ লৈয়ু হায়রম্লগা ধর্ম্মদেবী থোং ঙাদিল্লগা খজিকং কাংজক তৌরগা চিঙ্ক্রহদা য়েংহনু লৈ। ঘটোৎকচ যৌমকপদা শ্রী অমম্ভা উদে মা ঙাংবমু তাদে মাঙ্গোমোমবা লাংক্তম্বীবহু উবদা ঐগীদমাক্ত খংহনা চংহনা কম্বী। ঐগীমক্ক

লাংজরম্মীবসি লৌখিরগে খুজুম্না লৈ পরেংহ্রু ওক্তা হুকচিল্লি পানম্ব চায়ে হুমাং মরিক কাকন্না কয়ান্দুনা শকয়েং মিংশেন্দু য়েংঙবা তপ ২ মপথোক্লকই। ময়ুমদা লাক্লগা ছুমিন্না লৈনরিবসি ঐগী ইচো য়েংবগি থংহুনা হয়াকাও য়েংননা লৈরে। ঘটোৎকচগী মতোম্ব থোক্তা ছিন্নদা য়েংঙিবা ধর্ম্মদেবী মশুগ লৈবনি থংহনা, থোং হাংদোক্লগা থোংজিন কাথোক্লই। মহাশয়বু নাত্র করি কৌবগে কদাইদগী লাকপিবনো ঐঙোন্দ করি হায়খিগদবা লৈবগে হায়রকই। ঘটোৎকচ ওনসিল্ল ক্রুনা য়ে বব খিধাক্তাগী লোংদন্না লৈপুন ওইয়ু তম্মবনা য়েংনবদা প্রেম পোক্লে। ঘটোৎকচনা ইবেম্মা ঐসি পাণ্ডবকি ভীমগী মচানি ইখিংনা ঘটোৎকচ কৌই ইখান্না হিরম্বীনি একচক্রদা নিংথৌ ওইহনা পল্লি হৌজিক ঐনা লাকইবনিন। বিরাট লৈপাক্লগী লাকপনি মরুঅদি বিরাটকি মচা বশ্য উত্তরাহ (রাম কৃষ্ণগী) মচম মুক্তানা পোকপা খুরায়াইনা অর্জুনগী মচা অভিমন্যু ইনাওদা ওসি দান তৌগদৌরি। অহুগী রাজা সভাদা ভীম, ইপাদা কৃষ্ণনা দাদা য়াইহগী শমৌদি অজোংল নিংজোক্লি মাম্য কোকপা ঈশিংকাও লৌনিংদে ইত্তাও অর্জুনা লাইবক ফবা হেল্লি হায়বদগী, ইপানা ইচানা অভয়। কৃষ্ণনা মখুৎ চাবা য়াবা অমা হাম্না হোংখিব অভিমন্যু লুকো বা য়ারোই ওায়না বাশকংবে ননাওগী লুহোংবা কাইদনবা শ্রীকৃষ্ণনা রাজ কন্যা অমত্তা ঐখোইনা থিরুবদি নাঙ্গয়োই ওবে লৌরুংবা ওসি হোংওদি তাকপিয়হনা ইবেম্মাগী গুণদি হান্না ঐনা তাজবহনা হায়জগে লাকপনি। ইবেম্মাগী পুক্লিংদা করি থলবিবগে হায়রকই।

ধর্ম্মদেবীনা দাদাবু নিঙোন ঐখোইসি হমা কংগাগী মবম্নি পাবুংগী, য়াথং ইঙুনি ই কৃষ্ণগা সম্বন্ধী ওইজবহু ঐগীদি লাইবক ফবনি। অহুবু পিতাগী য়াখং ইঙ্গগে পাবুং অমুক উ দিয়ু চায়রকই। ঘটোৎকচনা ইবেম্মগী পুক্লিং হান্না থংজনিংঙনা, ঐনা অসিদা চংনরকপনি। পাবুং মহারাজ কোম্না খুক্লমগে তৌবনি। হৌজিক মতমসি লুহোংঙমদা ইদা অতোপ্পদ চেনখিহনা চোংবা য়াগরে। অহুগীনি ইবেম্মা ঐ পাবুং খুক্লমদক্লরগে থখোইদি হোংনম্লসিকো হায়বম্মগা কোম্নংলোমদ চখি। বিরহংস মন্ত্রিশিঙ চৌবর শান্নরম্মী। ঘটোৎকচনা ইকু মহারাজবু এক্লাই লাকচরি হায়হনা পুরুপী। বিরহংসনা ইবুংঙো মহাকপু কনানো পরিচয় হায়য়ু ঐ ভাব তাঙ্গে। ঘটোৎকচনা মনাই ঐ পাণ্ডব ভীমগী মচানি। বিরহংসনা পাণ্ডবকা ঐগদি নরি লৈনদে মহাক্লা ইকু কৌবদি ঐ ভাব তাঙ্গে। কদোম্নগী মরি থোক্লবা লৈবগে? নমিংনা করি কৌই হায়য়ু। মনাই ঐ ঘটোৎকচ কৌই। নচা হবেম্মরোমদগী থোক্লবা অমা লৈ অহুগী কৌজবনি। ঐনা লাকচবনা নচা ইবেম্মসি হায়জগে লাকচবনি। নচাগীরা নক্লাওগীরা বন্ন ওইগদৌরিবহু কনানো? মশক মামং অমুক্তা হায়য়ু থম্নসি।

মহারাজ মীওই মীচৌ ফে নচা ইবেম্ম, পিবা য়াই পিনবিয়ু পাণ্ডবকি থাবাদি করবগনি অহুবু ভাইখো অরেপ্পা অমা থঙ্গা মথাগী রাজয় থগনিংহনা তৌবান হায়রকই। ঘটোৎকচনা নোকখেৎ, অহোই ননাইরাকনিং হায়রকপদা বিরহংসনা উসিত্তবা বাঙ্গরদগী শাঙ্খিহনা চোগৎলগা

ভকশখদা শাবহুনা থক ২ ইনবদা, ঘটোৎকচম্‌ খোংশাপ ২০৩ চংলি। মকুগী ভাব থম্মুনা ভন-শিন্নে চপ হেক লৌরি। অহুনা হেন্না উশিত্তবা মান্নুনা থক ২ ইন্নকপনা সনখোং বাংমফাও ইন্নকপদা তবী থাংজিবা মখোং অনিহ বিরহংসনা চোংসন্দুনা মখোং অনিহ তাপ পাম্নপা হাবগত্তুনা মং ২ লৈরগা লৈপাক্তা ত্রং হেক কনবদা, লৈপাক, সেপাক কাইহনা হকচাংহ লৈক্‌ক মনুংদা থৌসিল্লে সাক্কুহনা খর ভহাক থিংজিনৈদা বিরহংসনা লৈপাক হেংচিল্লগা স্তুজিনখগা চংখে। ঘটোৎকচ খুব হোংলোক্লপদা দেহে লেংবা য়াল্লে। থম্মোমদ কৃষ্ণবু নিংশিংজি, অমুক্তা ননাইবু উপায় তৌবিয়ু হায়জরকই। অন্তর্য্যামি শ্রীকৃষ্ণ আবির্ভূত লেংতক্‌না ঘটোৎকচ ঐ নাক্লে কৈদৌ হায়বগে হায়রো। অহানবগী য়াথং খুমজে কৃষ্ণনা কৈদৌরে তাকপিরকপদা, ঘটোৎকচনা ঐসি ফুমজিন্নক্রবদা শিবগুম্মে সমাথী তৌরবা ঐনা খুমংদি পাপ চংখিসল্লা হায়হুনা খুমজ্জিরবনি। ঙন্তুনা তাকপিরক্রবনা য়ারে থংজহনা খুমজরবনি। ননাইবু ফুম্মীবসি লৌথোকপিরগা পাপ শেংদোকপিয়ু।

কৃষ্ণনা সুদর্শন চক্রনা লৈপাক লৌথোক্লগা ঘটোৎকচবু কোনবিরে। কৃষ্ণনা করি হায়দনিংজি, কেংবিরো মথাগী থবক্তি ননাইগী দায়নি শ্রীকৃষ্ণ অন্তর্ধ্যান ওইখি। ঘটোৎকচনা কৃষ্ণদা অমুক্তা লেংশিনবির্বগু হায়খোল্লে। ঐনা চংডুবম্ম য়াবখোই গিরিবজ্রপুরসি ফুক্লগা পুরগে অতুবু কৃষ্ণদম্‌ হায়খোল্লে অনকপদা হায়জরগে থল্লি। অসিগুম্বা মহাভারতকি য়াথং অসি শীওইবনা পুক্লিং চংনা তাক্তবদা পুন্য ফংজি হায়বসি ব্যাস বাক্যনি ইতি। হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

শিরহংসনা পাল্লিবা গিরিবজ্রপুর চংডুব ঘটোৎকচনা ফুক্লগা পুরকপগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়—জন্মেজয় নিংথৌ! ঘটোৎকচ যোগ ধ্যানগী কমকমদ কমহন, শিবগী নাম মন্ত্র শোল্লগা কৌজরকই। মহাদেবনা কৃষ্ণগী ইশা থুংনবগী, থুমা লেংতক্‌না থাংদা লেপ্লিরগা করি হায়নিংবগী কৌবনো হায়যু হায়রকই। ঘটোৎকচনা থুক্রমজরগা গিরিবজ্রপুরসি ফুক্লগা পুথা ওমজ্জগে হায়জৈ। শিবনা কমামুক য়াংনা পুনিংথগে ঘটোৎকচনা ইপু পুদমুক য়াংনা পুজগে শিবনা নতনা নিবহ থুংজরো বর শিরঙগা লেংখরে হিরম্বীগী মচা চিংথক্তগী কুমথরগা মায়ানা মুথক

১২ বাং চাওরগা ১খুং অদিগী খুজিন ১০না চিংথোংবা য়োম্লগা নোংমা চিংথোং অকোইবদু লৈক্লক লেপাক্ কাওহন্না কেং ২ কাইরে। মপাক্তোম অমিনা কোল্লগা কুশ্মনা খোকক্তা হাপ্লগা অভিমন্যুদা মাবা মঙ্গী শুগ্না পাইহন্না লাকইবদু, ত্রেতা যুগতা রামচন্দ্রগী লীলাদা হনুমানা গিরি-গন্ধমাদন পুম্বনা সিন্দীনা পইরকপদুগা চপ মান্নে মাপা থর সোইদনা হস্তিনাগী মপা ওইরবে। অভিমন্যুদা পুম্মম মপ্পা পাইরকপগী চংলকপা লম্দনা লৈপাক্কু নিকই। কুরুরাজনা ইত্তাও কর্ণ, অভিমন্যুদা পুম্মম মপ্পা পৃথী নিজ্জা পাইরক্লিবসি যক্ষ রক্ষ গন্ধর্ব কিন্নর রাক্ষসতা ঐখু য়েক্লগে চাকুইবরা ইভাওনা রক্ষা তৌবিযু হায়রকই। কর্ণনা কুরুরাজ চিংনবিগদু ঐ কাপথারগে হায়রগা লিকুং তেন পাইহন্না খোংগংলকই। মতৌ অদু উবদা ভীষ্ম খোংগংলকই। কর্ণ ভাইথো মরমাই থবক ওইবা মাঙি পরিচয় থমনা য়েংকইবদি চিং পুথনা পাইবা ভুমিবা মাংসা শাকহনা চিং-লৈপাক অসিনা নুংবদি খ্রীয়ামসি করি ওইগনি ঐ পরিচয় হংথিগে হন্জিল্লু হায়রকপদা কর্ণ হঙ্গলুনা কমথি।

ভীষ্ম লিকুং তেন পায়রগা অভিমন্যুদা ওনথংতুনা অকাপ্পদা চিংলৈপাক পুরগা পাইরবা 'নহাক্কী পরিচয় হায়খো হায়রব্দি ঐনা খুংলাই খাল্লকপদি নহাকঙ অরাবা তাগনি হায়রকই। ভীষ্মগী খোলকম তাবদ ঘটোৎকচ শুগ্না চপ লেপ্লগা, হেংহকপদা ভীষ্মনি থংলহনা খুংলোমরগা প্রপিতামহ!, ননাই ঘটোৎকচনি, ইথুং লোম্লজবসিনা মগুবত কচ্ছরি হাবৌবিগদু পোংসি থাক্ম লৈরবনি। ভীষ্মনা ঘটোৎকচ পুরিবহনা কবিগরিবো? পুরিবসিনা রামচন্দ্রকী মচং সুভদ্রা। ইদোম্বা পোকপা ঈনাও অভিমন্যুনা বিরাটকি মচা কন্যা উত্তরাবু বিবাহ দান তৌগদৌরি হংগী লাংথিলদা অযুক্তি সক্তাকইদ্বা (বলদেব-কৃষ্ণনা) ঐগী রাণীদু মুরলী মচানি ঐনা হাপ্পিথিবনি য়েক্লবগী মচানুপীনিনা মখুং চানিংগে। রাজকন্যা অমা অহ তৌকুবো তসি পুল্লগ হোংহনি 'তাংকপিহন' হিল্লুগ নগগী বিরহংস নিংথোগী মচানুপী ধর্মাদেবী হায়জরবদগী বিরাট লৈপাক য়োমবা পুরে। ঐথোইদু (বলদেব-কৃষ্ণ) দরশন কংজরগে। বিরহংস ইকু নিংথোগী মাথাদগী গিরিবজ্রপুর সহর চিংবু কুরুগা পুজরকপ্পনি ঐনা লেমদা য়োজরক্লিবসিদি পান্ডবদ ধর্মরাজনা, হস্তি। বাগ্তোন তৌরম্ তাকপিরল্লুনা নিমন্ত্রণ কচ্ছরগে হায়জিরকপনি। লহেমথোনিনা দেশকাল পাত্র অরৈব। পোংশক অমানা নিমন্ত্রণগী পোংশক ওইনা থাজকচ্লগে।

ভীষ্মনা য়েংনিংহনা কালপাত্রনি হায়ে থাদরক্লো, ঘটোৎকচনা প্রপিতামহ থর লাপ্পা লেংহে, পীদু বাংলোনসি থর পোৎথে হায়জৈ। ভীষ্ম থহি হল্লোকথরে ঘটোৎকনা মখুংবা লৈতংগাই অমা করে কৃষ্ণবু স্মরণ তৌরগা নমাইনা পোরকইবদি সোইদনা হোংগদবা ওইরবদি মবুক কত্থা কুরুরাজগী সভামরাইদা খিলহনবিযুকো হায়জরগ মদুবারগী থোংদা থাদরকই। কৃষ্ণগী কৃপানা থোংথোংবগী চোংশিনখিহনা সভামরাইদা চপ চানা খিনথরে ঘটোৎকচ থংজহনা ইবুথো পুরেন ননাই য়োজথগে হায়জরপগা বিরাটলোমদা পায়থি। ভীষ্মনা সভালোমদা চংহকনা আসন্দা ফমথি। দুর্যোধননা

ইবুংঙো মানা তৌরম্লীবসি করিণীগো, ভীমনা মুহোংবগী বারতৌম থমখ্রনি। কুরুরাজ হৌগংলগা থাং চিঙ্খ্রনা সভা লান তৌরগা য়েক্লবা তঙ্গা হাংকে পাণ্ডবতা লৈপাক পিরবোই হায়রকখি। ঘটোৎকচনা থারম্খ্রনা সভা ময়াইদু চোনখিহনা থা-বাং মোংপোক-মাংচুপ সভাদু মশক উনশিনবনি অদুনা দুর্য্যোধননা হায়কপনি। ভীমনা ইও নিংথৌ লান তৌনি হায়কইবদু ঘটোৎকচগী লায়রাবু কনাগো থারগা তুমিননা লৈখি। * দুর্য্যোধনা কপ্লবদা লৈপাকসি হোংদোকহল্লু হাইনা য়াথং পী। কপ্লবনা লৈপাকমুখ নিপা ১০০দু পয়ন্তি-মখক্-মুংথং য়োংপাক-পোলাংগা হোংদোকহনখি। মুমিন্ত দরবার লেপ্লুনা মরাম কনখরে। ঘটোৎকচনা মংসংদেশগী উপলক্ষ্য লমজাওদা থাহনা থনম্বগা নিংথৌকি দরবার সভাদা য়োরক্লনা বসদেব, কৃষ্ণবু খুরুমজরগা, ধর্ম্মরাজবু খুরুম্মী। মপা মতোনদু খুরুম্মী শ্রীকৃষ্ণনা ঘটোৎকচবা রাজকন্যা পোরক্লবদা হংখি। প্রভু বিরহংসগি মচা কন্যাদু ধর্ম্মদেবী কৌই। শ্রীকৃষ্ণনা হায়নবিবনা কসল্লা হল্লুনা গিরিবজ্রপুরদু কুরুগা পোরক্লনা অহাংগী উপলক্ষ্য কমচাংদা থংজরম্মে অমুক্তা লেংবিরগা হায়নবিয়ু। ঘটোৎকচগী রাহায়দু তাবদা ভীম হৌগংলগা মদা মহারাজগা দ্বারকানাথগা অমুক্তা লেংবিরগা হায়নবিরু হায়জরকই। ধর্ম্মরাজদি সহর শুক্লনা পোরকপাদ কায়রুবদা মায় তাক্লকরোই থন্দুনা তত্তক ভোই। কৃষ্ণনা দাদা মহারাজ অমুক্তা লেংকসি হায়রক্লদা, ধর্ম্মসু চত্তবা য়াজবনিনা হৌগংলক্লনা কৃষ্ণগা ধর্ম্মগা লেংলকই। কেংলু চাংদু লাংথংলক্লনা দরবার সভাদা লেংসিল্লকই।

বিরহংস মন্ত্রিশিঙ্গা লৌবর শায়রনা লৈরম্মী। কৃষ্ণগা ধর্ম্মরাজগা লেংলকপদু উবদা হৌগংলক্লনা দণ্ডবতনা খুরুমজরগা কৃষ্ণগী আসন বংলে, ধর্ম্মগী রাজাসন থারগা পঞ্চাঙ্গনা খুরুমজনা খুং লোয়রগা গোবিন্দগা ধর্ম্মরাজগা লেংবিরকপদি করি তাকপিগদগে হায়জরকই। কৃষ্ণনা দাদা মহার জনা নচা ধর্ম্মদেবীবু ইমৌ ওইনিংদুনা হায়জগে লাকপনি হায়রকপদা, বিরহংসনা অদুগী ওইরবনি অমুক লাপ্পা লেংবিরক্লু সু. দুত অমা থাবিরক্লগা তাকপিরক্লবদু ঐ ইচা কন্যা পুরক্লনা কচ্চরগনননি। কৃষ্ণগা ধর্ম্মরাজগা লাপ্প লেংবিরকপসিদি ননাইগী ইতিক চাদে হায়রৈ।

কৃষ্ণনা মহারাজ বিরহংস ঐখোইনা লাকইবসি নকই মহাকী গিরিবজ্রপুর চিংদু মংসদেশ বিরাট নিংথৌগী কোনুংগী অহাং থংবা উপলক্ষ্য লমজাওদা, ঘটোৎকচনা কুরুক্লনা পোরক্লগা

* খ্যা। দুর্য্যোধন-কর্ণ-শৌকনি-সৌবন দুঃশাসন গুপ্তদরবার ফম্মগা রাভায়রকই। শৌকনিনা কুরুরাজা বৃসপর্ব্বনা পালম্মা হিমালয়গী বাংমদা কৈলাসদা পাল্লবা আলম্বুস কৌবা রাক্ষসরাজ ১মা পাম্লিবনি। ইমাক নিংথৌনা মাবু পেনবা ছদ্মেস সনাকুগা আভরণগা পুরগা চত্তনা মাবু পেহল্লগা মরুপ শায়রহনা ঘটোৎকচগী লাম্বা ওইখিয়ু হায়য়ু মবানিদি য়েংথিনবনি। ঘটোৎকচবু শুমলদবদি মাদনি হায়বদা দুর্য্যোধন-কর্ণ চত্তনা ছদ্মেস রথদা হাপ্লগা কৈলাশ য়োরক্লনা মরুপ ওইনখি, ঘটোৎকচনি ঐগী লাই ওইগে লায়খি। ইতি জৈমিনি বাক্যম্।

থাইনা খম্বার অহুনা হাদা মলারক্লাগা ঐগা বিরাটকি সভাদগী লচ্য কত্থা পিরো। ঙমিথক হোংঙসি হরাগ লাকপনি কাওশিরকই। কৃষ্ণগী বাখং কংবদা বিরহংসন্থ ঙকই শিরগী কৃষ্ণগী খাঙা মখিং থুনখা ও হক্ত্ননা বিরাট য়ৌরকপা অসিক্তা থংবদে, বিরহংসনা ধর্মগা ঙিকরিগনা তাকশিরবা থ টাংকচগীদি ওকশিরকগু মঙ্গলদি ইচা পিরম্বোই কৃষ্ণগী চরণ সাক্ষী ওনা সত্য ত্রাশকই। অাংগুবি মলক যোংঙরোই ধর্মরাজগা ইযো ওইবিবু কায়বিরবদি ইচা থম্মাগী হেরা কচ্চাগ হায়রকপদু কৃষ্ণনা মহারাজ থ টাংকচগীদি অইগীদি নঙে খানা ভইবা বাভ কাইহনুং মখাতনিমা, বারক অকশিরগা মখনি থংহদ লচ কত্থা পিরবিযু। বিরহংসনা আশীর্বাদক্তি তাকশিরগু রাশকদি বুকনি মান্ত মী কয়াঙ থঙে। সি মাবু সযাধি তোংশিন্নবাল। কমলোমা তিংগৎ লাক্তনা ঐগী চিবু কৃষ্ণনা পৃথকরবা ঐ নাঙ খহলনা নংসাখং য়ৌ অই খ্রি খাতীম শিক তাকশিরগু থম ইনা পোকিমথবি হৌকনা ইচা নীংরোই হায়রকই। বিরহংসগী রাজার তাখদা ধর্মরাজা হৈনম্মহনা খোমলগ মাই মন্ত্র কৃষ্ণনা ঐদি ভক্তানি যুধবু অমুক্ত হায়রহংহনা ধর্মরোমদা যোঙকপদা ধর্মরক অক্ষ মখুলগী হায়রোই থংহনা মহাযাত্রা বাত্রবনিনা থেকই হল্লগে। বিরহংস। (কৃষ্ণগা ধর্মগদা) ভঙ্গ তৌনা হায়জরকই।

ঐখু রাৌবর্মপু যোবিরুদা ধর্মগা লে বিরাজনা তাকশিরগসিদা কক্ষবগী নগাইগী ইব কত্থী থীরনি। কৃষ্ণ ধর্মরাজ লোংঙকপা ভাব ভাইহুনা লএখাংনা লৈরম্মী। এভুগা দাদা মহারাজগা লোংবিক্রবদা বিরহংসনা মচা কত্থা দান তৌরনি হায়রক্লবরা হংজবে। কৃষ্ণনা রাশকখরে হাযহনা পিরক্তে হায়রকই। ধর্মরাজনা ভীমসেন নগা মচাগী থবকসি ইয়াম্বদি কয়া হৈনদে হায়রকই। ভীমনা থংজনে, লোংশিনবিরো ভক্তি কৌরবা রাণীগী সভাদা চখিহন দ্রৌপদীগী সত্যভামাগদা ইবেম্মা ২নি অমুক্ত বিরহংস রাজরাণীদ ধর্মাদেবী কত্থাস ইমো ওইজগ পিনদ্রা অমুক্তা হায়খিক্ত হায়রকপদা। দ্রৌপদী সত্যভামা ২মক ছন্দেচ্ছ থংগা পূর্ণনা চংখি।

ভীমনা লমথা দা লৈহৌই। হনা শিরিবজ্রপুরগী থোং য়োবক্তনা কোলুংদ চংঙক্লগা, সুধর্মাদেবী রাণীদা সন্দেহহ পিরবগা হায়জবদা রাজাগা মচ্চমদি ঐনা ঙমজদে দরবারদা ২গা রাণীগা য়োবক্লগা ইবেম্মা ২মী আসন থবে। সত্যভামা দ্রৌপদী কযে, রাণীনা নিংথোদা হায়জবে। নিংথৌ চৌখত্র শাস্ত্রম্বদগী তৌগংলক্লগা থ লোরক্তনা, ইবেম্মা অনি লোংবিরকপদি করি হায়বিগদবা লৈবগে হায়রকপদা দ্রৌপদীনা মহরাজগী মচা কত্থা ধর্মাদেবীবু ইগো পইজগে পিনবিবু হায়জগে লাকচবনি। বিরহংসনা শ্রীকৃষ্ণগা থম্মারজগা লোংবিরক্লনা তাকশিরগা থ টাংকচগী ওইরবদি ঐ রাশকখরে। অতে অমা ওইরবগি দান থংকপদবনি ঙমবিখরে,। বিরহাসগী রাহায় তাবগা সত্যভামানা হায়রকই। মহারাজ মীনা রাহায় ক বমখ: লোরবদু তাকশিরগা যাগনি।" মথোই নহানি নচা ইবেম্মসি পিরো ঙমিমক হোংঙসি হায়রকপদা, বিরহংসনা ইবেম্মা অসিমক য়োবিখরো মতোমদি ইচা পিরবোই হায়রকপদ সত্যভামা কৃষ্ণ হৌগংলগা থুংকাম্বী লাম্নগা ইচাগী ইংখোবু

হোংঙগা লোইরে। চংলদি হায়দুনা দ্রৌপদী সত্যভামা হনখরে। বিরহংসনা ইবেম্মা য়াজ্ঞসেনি মখোইনা লৈবসিনা ওইরে পারিজাতহরণ থোকখিবদু খঙখি। ভীমনা ইবেম্মা ২দা হংতি ইমক্তা লিরক্তে বাশকখি। মতোম্দদি লিরবোই হায়না অদুম্না হায়রকই। ভীমনা ২মক হজিল্লো ঐগ্নু লিরক্লোই খংই। লাম্লিদহুনা নাখোই ২বু হায়হনবনি হৌজিক্তি ঐগী ইতিক খংহল্লগে হায়রম্মগা সম্ভা দরবাররোমদা চংখি। সত্যভামা দ্রৌপদীস্তু, কমলৌরগবা খন্দুনা রাণীগী সভা য়োখরে। ভীমনা সভাদা বলদেব-কৃষ্ণ প্রভু প্রভু বিরাজ ওইবিরি তাবিম্নু, বিরহংসনা মচা কন্যাবু হায়জবদা ঘটোৎকচদদি লিররোই হায়না বাশকখরে হায়রিবসি ঐনা চংলগা হোংহনবা খমম্নবদি সভানা শাক্তি ঐ নরক তাখগে রাশক্রম্মগা গদা পায়দুনা চংখরে।

ময়াম রা ছাংদনা লৈরোই। ঘটোৎকচক্দি লিভাগী তুংদা লাশতক ইনখি। ভীম রাজদ্বারদা চংখি চানা খোংদা লৈরোই। বিরহংস মন্ত্রিশিঙ্গা চৌবর শাম্মরি ভীমনা ঐ লাকই হায়রকপদা চল্লদাকগী সেমদুনা হুল্লিত্তৈদা ভীমবু লাকই খংহোদদুনা শাম্নগী বাখম্না য়েংহো খুংহৌনরে। ভীম শাওহনা লায়ুমগা মক ওদুগা পুল্লপ পাইশিল্লগা সিবু ঐনা শাম্নরগু সিগী হাত্তকতগী মীয়াম রাংরে পাণ্ডবেন তৌখিবদু ভাম্রা হায়রগা, বিরহংসগী লেংলক্লা থিল্লে। পাল্ল মন্ত্রিশিংদি কাইদুনা চেম্নরে বিরহংসনা বৃকোদর ঐখোইগীসি লন থানদুনা শাদবা নত্তে। মহারাজ ঐ চৌবর ফাবা লাকপা নত্তে। মচা মুপিবু ইমৌ ওইনিংদুনা হায়জহনবদা লিররোই হায়না বাশকখরে হায়বদু চুম্নরা অদু খঙ্গে হায়দুনা লাকপনি ঐ; অদু চুম্নরা মহারাজ? বিরহংসনা মচা নিশাদদি সভানা শাক্তি খরাকনা লৈরিমখৈদি লিররোই ভীমসেন নমাংদা বাশকইবসিনি খংজো হায়রকই। মহাভারত বিরাটপর্ব্ব বারী অসি মীওইবনা পুক্লিং চংনা ভক্তিদা তাজরবদি অন্তগী মতমদা শ্রীহরিগী ধাম বৈকুণ্ঠ ফংই হায়রবসি সোইত্রবা বেদদা লেপথ্রবা ব্যাস বাক্যনি ইতি। হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

বিরহংসগা-ভীম গদা যুদ্ধদা ভীমনা জয় ওইদুনা
ঘটোৎকচগা ধর্ম্মাদেবীগা লুহোংবা অভিমন্যু- উত্তরা
লুহোংবা বিরাটপর্ব্ব লোইবা বারী মতাং॥

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয়। বিরহংসগা ভীমগা গদা যুদ্ধ তৌবা ধর্ম্মাদেবী লুহোংবা, অভিমন্যু উত্তরা লুহোংবা শিরিবজ্রপুর থিল্লুবগী বারী লিবক্লগে শ্রদ্ধাশ্রবণ ওইরো সর্ব্বভূপাপতি। ভীমনা বিরহংস ওসি অসি নহাকপু জয় তৌবগা নচা মুপিবু ইচা ঘটোৎকচদা লুহোংবা

ক্রমন্নপদি হে সক্য শুবিং থানা লৈরিবগৈ নরকী ডোক কংথ্রগে। - থুংলাই পাইমু হৌগংলো লাইবক মংগ্রাক য়েংবরদি হায়রকপদা বিরহংস কোমং চংখিহনা খুংগুপদা পাম্বরগা থোরক্লনা ভীমদা হায়রংই নিপদি লুংজিরবোই লাম্বনুংদা থোক্লসি। ভীমসু কয়ে হায়হনা ২বক পদা লোংবা পোংসুম খরা থোক্লকই। অদিগী তুংদা পাক্ত-চাম্ব মিয়ামসু কুইনা অকদবগী থুনা ইরুরকই। থেংদা লৈরিবা থটোংকহনা উরে। বিরাটকি সভ তোংদা মিকুপ্তা লৌখিহনা ইকুপা ইপগা শক যুদ্ধ তৌরুপদবগী থেরুগনাংবরে। সোমগীসু তোবিকংবনগৈ থুনা লোংবিরো হায়বরুদা থুখা অমুক নোবি। মত্তা মীওমসু রাম-কৃষ্ণনা চিংথুনা বিরাটকি মীয়ামসু থুনা মাংনা লাক্লনা থুমকা থবক পগী রঙভূমি থোরক্ল। বিরুহংসনা মদু কৃষ্ণনু থাজন কংলগা থুনংজ মীয়ামগী কমলবা কিদ জিংথোক্লনা থাংখিবি। বলদেব থংমকি মিংথম এগা হোঙ্ক বাগি চুম্না লাম্বা তৌনজো কংবরকই। ভীম বিরুহংস ২মক বলদেব-কৃষ্ণবু খুরুমজগদা লেংবন্দ থোংলগা থোংকম ১০দা বাগ চংনৈ ১২দগী ১১ কংথিংস ১০দগী ... দদা ৭ভা ৬ভা ৫দা ৪দা ৩দা ভা - রুক্লনা খুং ১২ তৌহনা বায়ু বাগ চক্রবাগ কুণ্ডলীবাগ মহং মগং চংখ্ল রূপদা লাকংখং থক পা চোংহনা বাগ তোনবকপদা ভীমনা দ তক তৌই. বিরহংসনা বাগ কুপ্লগী ছিন্নদু কংই। চে থাবদি হৌনজি মামং কাও লারিবনিদা ছিন্ন কংখাওবা চৈ খংবা তৌবজি। অওকপদা চৈনহংবা চৈ হাল্লা হৌহনগদবগী বাগ লম্ভক ছিন্ন উইহনদিবরা থম্মুনা, বিরহংসনা য়েংবদা হেবদিনা মশামা বাগ লনবদি থংহনা ছিন্ন য়েংহনা থারকপদি লাইবক্তা থদাংদা চুবা য়েং ওইদা চৈ মাররক থংবে। ভীমদি থাকপসু ... মানা চৈবসু অমুক্তা ওনজি; য়েংজবা মীয়াম ভীমদি অমুক্তা য়েজি বিরহংস। চৈ অদিরক সুখরে হেবা হেত্তদা তংনবদি ভাঙ্কা তরে, ভাম চংখে থরুগা চল কেপি। বিরহংসসু লেপ্তুনা য়েংতি ভীমনা বিরহংস নকাঙ্কা ঐতৌঙ্গা থাখ বদিংখদা দ লাইবক্তা চুবা য়েং-ওইদা চৈকমসু মাররক সুখরে। মরিরক্ল চেকন থোংদনা থারগা, অমুগী মথোং মঙ্গারক হাপ্তুনা য়েবা ওবক্রবাদ সওনা লাক্ল নরক তাখ্রগে হায়না হাপক্লে। বিরহংসনা কারি বাগক্লা য়েপদৌরি য়েংহনা লৈরি।

ভীম পদা থুং অদিমক থুংপাইকমদা পাম্লগা বিরহংসগী মাংদা চুম্না চঙ্কই। তুংদা হঙ্গৰবি কিহনা হল্লে হায়বিদি থম্মুনা বিরহংসনা কেপ্লগা কারি বাগনো য়েংহনা লৈ। ভীমনা চোংশিন্দুনা কোক ভমগা সুথরকই। বিরহংস পদা থুনিং থুবাং পাম্বগা কৈনা হাকই। ভীমনা নমকুনা ভম ২ সুথরকই কদি বাগনো কারহনা থক ২ হাকই। ভীমা মড্য মাগদি হায়হনা দন ২ সুই। ভীমগী নমকুদা থুদাংথেক হিকথহনা লোঙাইদা মাগী পদানা কেনা সদন ওইহনা নমকহনা কোক থাওহনা মক্ল লুকথরকপদা ভীমনা থদাংদা-থক থৈথংদি। হায়পংলকপদা লাই-বক্লা য়ৈ চুবা য়েং-ওই থাবদা, অদা হায়বেং নাংহনা লুকথরকপদা, থদাংদা দন ২ মঙ্গারক য়ৈবদা বাঙ্গাহনা উপা হাইথহনা তাখরে।

ভীমীগী চৈকুহ্ উবদা বলদেব লাংগোলগা ফূক হৌগংবক্তুনা ভীম মঙী ওসিগী বাক্তু ওঝা কমানা তশী হায়রকপদা, ওঝা নাইবা বাগতি নত্তবনিনা বলদেববু কিহ্না কৃষ্ণনা কনখিনমু খন্দুনা কৃষ্ণনা তশীবনি হায়না খুনজরে। কৃষ্ণদা বলরাম্না ইনাওমা তশীবরা হংই, কৃষ্ণনা তশীদে হায়রবনি ভীম লোইবা তারে মনাইগী কন্নবগীদমক নোংমা ম'মায়াইমন', হায়ৗকাদা লাকপদা মসিগী বাগসি তশ্বিখরে। বাগকি নিয়মদি ইয়াম্বা লেপ্লি। ইনাওমা অংশিনি ঐনা অংশনি বাগ পুখোকপা য়াই অত্তবু ঐগোন্দা ওাকতবা করিননো। কৃষ্ণনা দাউজিদা হায়রগে মিংশুম্বনী কাওখিহনা তৌবনি হায়রকই। বলদেবনা অহুদি ইয়াম্বা বাগ মশিং চনশিল্লগে বাগসি করি বাগ কৌই। কৃষ্ণদি মনাই কন্নবা তশ্বিখি হায়বনি ঈশ্বরদি ওইদবা হায়বসি হৈনদে সিজিনন্নিবা মানা হায়তুরমগু খন্দুনা দাদা য়াইবা ঐদি কাওখরে ইয়াম্বনদি সিজিনন্নি কাওরিরোই। বাগ মশিং অমুক্তা হায়রকউ। ভীমনা ঐনা শিজিন্নরিবা বাগশি কুপথৈ-কুপথু মত্তারক নমক্ কৌই। কৃষ্ণনা তশ্বি লায়ত্তুনা কনবিথ বনিনা মপা চাবা অমা হায়জল্লকই। ভীমগী রাহায়দু তাবদা বলদেবনা তশবা লক্তে মনাইবু কনশিখিবনি খংজে। কৃষ্ণনা হায়থ্বা য়াথংদি লৈবাক তাহনবা মাদে তাহল্লরোই। ভীমনা ফক্তরিবা অসিগু ভক্তি লৈবা মনাইবু য়োকথংশিবনি ফাওজরসগু খনবিহনা ভীমদা হায়রকই। নত্তাক্তি বাক্তি মমিংচু রাহায় য়াম্মল্লি। বাগতুগী মমিংদি বলকার বাগ হায়না থোল্লগে, মংগী বাগতু ঐনা বাগ মশিংদা চল্লগে। বাগ অহুনা নক্তি মেকনা অয় তৌজৌ হায়না থৌজান পিনখিরে। ভীমনা বলদেববু খুরুমজরে। বিরহংসনা হৌগংলক্লগা চৈকমশিংচু মত্র শোল্লগা লাকখদা চৈনা কোকতুনা দাক অমফাও লৈরে।

বিরহংসনা হায় ভীম মংনা বাগ থুগাইরিবা করিগীনো? ভীমনা ওঝানা তশ্বিবা বাগ ওরাইদবনবু লোইমবা য়াবা হৌনদে মংবু লোইশিল্লগে তৌবনি। ভীমগী রাহায়দা বিরহংসনা ফরে কুড ২ লোইমরসি হায়রনা, প্রলয়গী মতৌগুম লাম্বা তৌনখরে। ধর্ম্মাদেবীগু চৈকপলগী মথক কাহনা য়েংতি। অনিগী লাম্বাহ্ উবদা ধর্ম্মাদেবীনা সখী অমদা হায় ইত্তা মং হৈ-নৈ পুরগা চংলো কৃষ্ণদা অসি কংমু। অহুগা মীদি তাহন্নঃ সঙ্কেত বাক্য ওইনা হায়রম্মু। ঐখোইগী চিঙ কোজুংবু পুরকপা নিপাহ্ অমুক্তা সিদা লাকহনবিয়ু হজংলম্মু, হায়হ্না থাখরে। ধর্ম্মাদেবীনা পূজা তৌহনা থম্মীবা মপাবুংগী শিবনা পিবা মৃত্যু গনাহ্ পৌকরে। সখীহ্না কৃষ্ণনা হৈ নৈহ কংলগা ঘটোৎকচবু লাকহনবিয়ু হজংলম্মগা হল্লক্তুনা লাকহনগে তাকপিরকই হায়জরে।

কৃষ্ণনা ঘটোৎকচ থারক্তুনা কোম্মুংগী হৌজংদা থুত্তরে। ইবেম্মা ঐ লাকলে কবি হায়গদবা লৈবাগে হায়রকপদা, ধর্ম্মাদেবীনা গদা যুদ্ধ তৌনরিবসি জয়-পরাজয় নায়নররোই লান থাম্বিবগু য়াওম্রে নবাও ইবুংঙোদা বিরাটকি মচা উত্তরা কন্যাগু হোজনি তারে, অহুগীমি কৌজরিবসি। ঘটোৎকচনা মহুদি ইবেম্মা ঐখোই অনি চত্তগা ঐখোই ইশানা য়ানরে লান তোকপিরো

হৌজিক্কদিশা হাৎরে। ঘটোৎকচপী বা ভাবনা ধর্মদেবীনা হায়বখুনদি লাম থাম্বা, য়ারবোই মৃত্যু পনাপি পুথিরো। ইকুমা পাঁ বগ, ইপাদা অনুজ্ঞা ঊৎহনবিক অমু ওইরবদি লাম থাম্বা য়াগনি। ঘটোৎকচ ধর্মদেবীনা পাঁবা মৃত্যু পনা পুরগা শিজা ভীমগী মেৎ থাংবোমদা লেপ্লগা মৃত্যু পনাক্ত উৎপা ভীমনা নংলোমদা চেংথোক্লগা নং পা উৎলিবা পদা লৌরগা মাগী পদাংবা মচাদা শিরম্মী। চোংসিনবিবা বিধ্বংস চোংথোক্লুরা লেপ্লগা ভীমনা পনাক্ত ঐগী মৃত্যু পনাপি কুনানবী কাংই হায়না হংই। ভাঙ্গা নাক্তকতা হৎক হায়রকই। বিংহংসনা হংনা ঘটোৎকচনা মচা ইবেম্মা ইপা লৌইক্লরো অদুগা লোংখ্রংস পেংকপা হায়রকই। বাম ভাবদা বিরহংসনা কৃষ্ণদস প্রণাম কাল্লা ইচা কৎলংগে হায়রকই।

ভীমন্দা মহারাজনা শিরবোই য়াগকে, হায়বদুদা মমংনা কাপ্লে তোরবা। সেম্মা পিরবদি লোরবোই হায়রকই। মহাক্কি থাংবগ কল্লগে পদ লৌক্লবো শিথুরে। অংথোনা ঐগী বালক হোংবগী মেথ লৈরে ইচাগী পুক্কিং থংহোদবগ ইমাগী মথুক্তা মাইথিরক্লবা য়াকপি শিবগা য়াম্বরে, অদুনা ইচা কৎলগে হায়রিবা য়াবিথু হায়রকই। ভীমনা অদুদি ইচাগী হংবগে। বিরহংসনা মহাবির ইচাগী পুক্কিং থংহোদবগী লোক্লুবিবা পুথমক বাবোম্ব কৌক্তিক্তি দাম লংনক হায়রকপদা ঘটোৎকচনা শিতাদি হায়কক্লিবা দাবসি তম্ভাইকদবা ওইনা য়াবিরো বীরৌজ; মচামক্তু কায়কক্লগা ভীমগী মহারাজ ইচাগী মচুক পংগে দাম থাজরে খৌজিকক হোংনবা লাংতুরো হায়বদা, বিরহংসনা রাম কৃষ্ণগী হৌনা খুরুমজরগা কায়জরকই। ঐগীসি বাবৌবিগম্মু ভক্তিসিং বাক্তোম ওইহরে। সেবা পাণ্ডবতা লেংসিন্নগ, ভবোক ওইবিরো। অমোংগী বর যাবামু পদমা থুবা লাংখ্রো। বিরাট নিংথৌগী মানম্মু মংনবা হোংক্লসি হায়রম্মগ, কৌন্তেয়, পাণ্ডব, ব্রাহ্মণ মীয়ামগা হস্তিনপুর্রা কর্মা কন্দা মাবগী যজ্ঞ হোংরে। বলদেব-কৃষ্ণগী রাম ব্রাহ্মণ শ্রীরাম পিপাস্ত্রুপী সভা পাণ্ডব মৌরক্লুনা বিরহংসনা বলদেব-কৃষ্ণ ভক্তি তৌরগা সেব। আসন পূজা মাংক চাম কাল্লুমা কয়রে।

পাণ্ডবলোমগীস্তু ঘটোৎকচ বরগী আভরণ লৈথোংহনা পাক্লা তৌরক্লে। হিরগী দ্রৌপদীনা চিংথি মুপী মযামস্তু, ধর্মরাজনচিংবা পাণ্ডব অভিমন্যুসু খুদোংবগী দ্বারীকাদগী পোরকপা পোৎমামস্তু লোইনা অমা লুপা উপুদা কাপ্তুনা পেরকলে। সেংমনা যজ্ঞ লোইরগা মাম পাঠ তৌই। পুরিংনা ঘট পূজা তৌরিবৈদা ভীমদি তাক কাদন্নুনা কোঞ্চংলোমদা চংথি। দ্রৌপদী ভাব থংবনা ভীমগী লুংদা চংথি। ধর্মদেবী আভরণ লৈথেংগি অমা চংকপদা কম্মানা খুক্কমৈজে। ভীমনা ইবো খুদোংবদা তাক কাবনা ইকু কপা মথোইদোনে চাক থোংক ঐ চাক চাথিগে। দ্রৌপদীনা ইবেম্মা নকুপী য়াথংদি হিক্তোকপা য়াবরোই থুগা থৌংকুবো। ধর্মদেবী হিসেং হোংলোক্লগা, সেবাবী দুহোঙ্গ মাথং শিংমা লৈরং অঙ্গুব মৈ পানথংলে। পঞ্চালিনা ইবেম্মা কোমক্ক ২ চাক্কি ওইরে। লৈরং সমনা পাচাই ১ থাংখ্লো নজল কংকক থম য়াম্বা থোংকু মথেল